
নুংশিত্তি পাবা হৈতে



পৃথিবীগী মফম খুদিং য়ৌত্রবা, রচার্দ মেসনগী

মণিপুরদা হন্দোক্লুনা পুণোকচবা : শ্রীখুরাইজম নিমাইচরন সিংহ

ꯅꯨꯡꯁꯤꯠꯇꯤ ꯄꯥꯕꯥ ꯍꯩꯇꯦ



নুংশিত্তি পাবা হৈতে

Nungshitti Paba Heite : A translated Novel in Manipuri by *Khuraijam Nimaicharan Singh*, from Richard Mason's The Wind can not read.

ফোঙজবা : খুরাইজম রতনকুমার সিংহ
খুরাই লমলোং বাজার (খৌদাম লৈকাই)
এ.পি. রোড ইম্ফাল ইষ্ট, মণিপুর।



অহানবা ফোঙবা চহি : ২০০৫

কোপী মশিং : ১০০০/-

মমল : লুপা ১৫০/ (চাম্স যাইস্থ)

লাইরিক ফংফম : ইম্ফাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মতেংগী লাইরিক যোনফম দুকান অমসুং লৈবা মশাগী য়ুম (খুরাই লমলোং বাজার, এ.পি. রোড, ইম্ফাল।)

নম্ফম : সুচেতা প্রিন্টিং ৱার্কস
পোলোগ্রাউণ্ড রোড, ইম্ফাল।

কংথোকচবা

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] ।।

[illegible]

খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ

খেংলবদু ইঁরণা সাইন বোর্দ অমদা

অদংপিগনু হায়না শাংলিবী লৈরাং কয়াবু

কারিসু খডবীদে অরেম্বনি

পাবা হৈত্রবা নুংশিংকী

কল্লবা লোংলৈনা হুমলক্কবদা... ॥

জাপানীজ শৈরেং অমা

ৱাহৌদোক

নুংশিৎভি পাবা হৈতে The Wind can not read, by Richard Mason (1919-1997) হায়বা ইংবাজিগী মমিং চৎলবা নোবেল অসিবু মৈতৈলোন্দা হন্দোকপিবিবা শ্রীখুবাইজম নিমাইচবন সিংহবু ঐহাক্না মশক খঙবা কুইজদ্রি। মহাক্না শক খঙনজদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্না ফোঙখিবা লাইবিকশিংগা হান্না খঙনবা হৌজখি। মখোয় অদুদি (১) **মণিপুরদা পৃথিবীগী অনিশুবা লান্জাও অমসুং ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ (১৯৯৭) (২) মণিপুবদা ঐগী চহি অহুম** (Mrs Grimwood না ইবা My Three Years in Manipur গী মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা, (১৯৯৯), (৩) **শৈবেং চবুল লৈখল লৈচু** (১৯৯৯) অসিনচিংবান। মথঙদা ওঝা নিমাইচবননা Richard Mason না ইবা **The Wind can not read** হাযবা মমিং চৎলবা নোবেল অসি মৈতৈলোন্দা হন্দোক্লে। খুৎই ওইনা লৈবিঙৈদা, লাইবিক অদু ঐঙোন্দা যেংবীযু হাযদুনা পীবকখি অমসুং নোবেল অদু পাবা ফংজখি। হৌজিক নোবেল অসি ফোঙদোক্নুনা মীযামদা পাবা ফংহনবীবা অসিদা থোইদোক্না নুংঙাইবা পোকই অমসুং হন্দোকলোযবু থাগৎতবা ঙমদে।

ৱা ঙাঙবদা তপ্না ঙাঙবা ; য়ান্না ঈংবা তপ্না, ভদ্রলোক অমগী চপচাবা শক্তম লৌবা ; খৃ: কৃ: ১৯৩৬ জানুৱাবী ২৭ তা খুবাই থৌদাম লৈকাযদা পোকখিবা ওঝা নিমাইচবন-না **The Wind can not read** হাযবা নোবেল অসিদা মপৃংফানা পৃক্লিং লুপখী, ৱাবী সিবু নুংশিখি। শন্না হায়ববদা নোবেল অসিগা মাগা পৃক্সিগা কদাযদনো মবী অমনা শম্নহনবগুম তৌবী। ওইবা যাই, নোবেল অসিদা যাওবীবা পৃথিবীগী অনিশুবা লান্জাও মনুংগী ৱাবীনা ; মহাক্না, মমা মপা কাযননা লাল্লক্তা হিংলকখিবা অঙাং ওইবিঙৈগী পৃক্সি অদুবু নীংশিংহন্না কপহনবা ; নত্রগা থোৎলবা নুংশিবগী ৱাবীদা ঙাওজবা মাগী থম্মোয়না ৱাবী অসিদা য়াওবীবা শেংলবা নুংশিগী ঈচেল অদুদা লুপচবা...।

The Wind can not read হায়বা ৱাবী অসি ফিল্ম ওইনা ঐসু মহৌশা ইম্ফাল তোকিজ দা যেংজখ্রে। কাউঙমদবা, ফজব ফিল্ম অমা ওইখি অদুবু ওঝা নিমাইচবনগুম্না ঙাওবদি ঙমখিদে। ফিল্ম ওইনসু মমিং চৎখ্রবা নোবেল অদু মৈতৈলোন্দা হন্দোক্লকপা অসিদা পৃক্লিংদা থোইদোক্না পেনজবা পোকই। নোবেল অসি ওঝা নিমাইচবন না, লমলোং হাযস্কুলদা এসিস্টেন্ট হেদ মাস্তব ওইবিঙৈদা

স্কুল লাইব্রেরীদগী থেংনকই, পূক্লিং চঙনা পাখি, হন্দোক্কে খনখি অমসুং মহাক্কী মকপ মপাঙ কযানা মাগী পূক্লিং থৌগৎপিখি। খৃ:কু: ১৯৯৯ দগী নোবেল অসি হন্দোকপগী থবক পাযখৎখি। ঈশৈ য়াম্না পামজবা, ঈশৈদা ঙাওজবা, ঈশৈ ময়েক ২৬০ হেন্না ইদুনা আকাশবানী ইম্ফালদসু অযাম্বা ঈশৈ শন্দোকখ্রবা, কবিগী রাখল চেনবা ওঝা নিমাইচবন, মমা মপা লৈত্রবা, লাইবক থীববা অঙাং অমা ওইবকখি। অপোকপী কোইজম নিংঙোল বিধুমুখী দেবীদি অঙাং ওইবিঙৈদা কাযনখ্রবনি। অপোকপা অঙৌ সিংহ, অনিশুবা লাঞ্জাও মনুংদা খুবাই চীঙ্গাংবম মান্দবতা থোকখীবা অকীবা বোম্বীং অদুদা থরায মাঙখ্রবা কযা অদুগী মবক্তা যাওখী। মতোমতা পোকপা নিমাইচবনবু মচেনা নাওকোল্লক্লুনা মহৈ মশিং তমহল্লকখী। মতীকচাবা মীশক অমা ওইনা, ওঝাগী শিনফমদা লৈনা-লৈনা বি.এ. দিগ্রি এদ অমসুং বি.টি পাস তৌববা মতুং লমলোং হায়স্কুলদা এসিষ্টেন্ট হেদ মাস্তর অমসুং মতম শাংনা হেদ মাস্তর ইন-চার্জ ওইবক্লগা, মণিপুর সবকারগী সেনাপতি দিস্ত্রিক্তা এদল্ট ইদুকেসনগী প্রোজেক্ট ওফিসার ওইনসু লৈবম্মী। ওফিসকা থবক্তা অপাম্বা পোকলক্তবদগী খোঙহামপাত হাযস্কুলদা হল্লক্লগা ইং ১৯৯৪ দা থবক্কী পোথাখী।

ওঝা নিমাইচবন না মৈতৈলোন্দা হন্দোক্লিবা ইংবাজি নোবেল অসিগী অইবা রিচার্দ মেসন অসি ইংরেজি সাহিত্যদা কা হেন্না খঙনবা নোবেলিষ্ট অমা নত্তবনিনা মতাক্কী মবমদা ঐহাক মুন্না খঙজদে। মাবু মমিং চৎহনখ্রিবা অসিদি মাগী উপন্যাসতা যম্দগম ওইবগা পুথোক্কখিবা **The Wind can not read** অমসুং **The World of Suzie wong** হাযবা ফিল্ম অনী অসিননি হাযনিংই। **The Wind can not read** হাযবা ফিল্ম অদু Ralph Thomas না Direction তৌদুনা মমিং চৎলবা দেবেক্টর অমসুং প্রোদ্যুসর David lean না film script ইদুনা খৃ:কু: ১৯৫৮ তা মায পাক্লা পুথোকখী। Film অদুদা Dirk Bogarde না হীরো ওইবিবা মাইকেল ফ্লিন শাখি অদুগা জাপানীজ এক্ট্রেশ Yokotani না হীরোইন মিস রৈ (সেববী) শাখি। মখোয অনিমক মমিং চৎখি।

যাম্না নুংঙাইবিবর্দি, নোবেল অসিদা, রিচার্দ মেসনগী পুন্সিগী এক্সপিরিযেন্স কযা মযেক শেংনা মমি তাবা থেংনবিবা অসিনি। ইলেক্ট্রিকেল ইনজিনীয়ার অমগী মচা ওইনা হৌবর্কখিবা অইবা রিচার্দ মেসন অসি পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা বৃটিশ সবকারনা S O A S কী ওইনা বোযেল এয়ার ফোর্সকী মখাদা চহী

অমা জাপানীজ লোল তম্নক্লগা নোংপোক্কী লমদা জপানীজ বন্দীশিংবু ব্রাহং-পাউহং তৌবগী থবক্তা থাবকখী। মহাক অহানবদা বর্ম্মাদা লৈবর্ম্মী। বর্ম্মাদা লৈবিঙৈদনি, নুংশাগী শাববা মৈশা অদু খবা খবা নেমথবকপা নুমিদাংব্রাইবমগী মতমদা মহাক্কী নোবেল অসি ইখিবা। নোবেল অসি মাগী পুন্সিদা হকথেংননা যুম্ফম ওইব' মবমনা যাম্না বিয্যালিষ্টিক ওইনা ইবা ঙম্মী। লান্দা মশামক হকথেংনবকপগী অশেংবা অমসুং অচুম্বা পাউদম অমসুং শকয়েক অদু মযেক শেংনা মমি তাবি।

নোবেল অসিগী ব্রাবীদি, বৃটিশকী ফ্লাইং ওফিসাব ওইবিবা মাইকেল ক্লিনগা মিস রৈ (সেববী) কৌবী জাপানগী লৈশাবী অমগা থম্মোয শেংনা নুংশনবা অমসুং থম্মোয শোক্লা কাযনবগী ব্রাবীনি। মবান্নিগী নুংশিনবা অদু ওম্থোক্লা তেল্লবা মতমগীনি ; তেল্লবসু ওম্থোক্লা নুংঙাইববা মিকুপশিংনি। অদুবু নুংশিবদুগী লৈপুলাদ পুন্সিগী ওইনা তম্নমদ্রে। মাইকেল ক্লিন্না, জাপানীজশিংনা ফাকনদগী সেব্বী উন্ননবগীদমক্তা লানফমদগী নানথো ক্লুনা ব্রানা চেল্লকখি, অমবোমদা মাগী নুংশিববী সেব্বীদ হোর্সপিতালগী ফমুং অমদা অশীবগা লাম্থেংনদুনা মশাবি'নু যৌবাংনা ঙাইজবম্লি। ব্রেনগী ওপারেসননি, নুমিৎ তবানি শুবক্লে, হিংবগী আশা লৈত্রবনি। শিগনি হাযবদি মশানসু খঙজখি, অদুবু শিবমদাইগী মতমদা মাগী নুংশিজববা মাইকেল ক্লিনগী মশক উনিংখি। মাইকেল ক্লিন্না লাক্লবদা, ডাক্তবনা মখোয অনীবু তেল্লবা মিনিট খবগী ওইনা ঙাইহাক ঙাইহাক অনিবক থোক্লা উনহনখি, অদুবু অহুমলক শুবা ওইনা মাইকেলনা অহিং অদুগীদমক্তা বিদাই পীবা লাকপা মতম অদুদদি, সেব্বীগী থব্রাযনা তাইবং থাদোক্লা চংখিবম্লে। থম্মোয কাযনিংঙাইনি, সেব্বী শিত্রবা মতুংদা মাইকেল ক্লিন অঙাওবা মীশক অমশুম হোটেল অমদা চঙজফম থিবা লাকখি। অঙকপা পুন্সিগী থৌদোক্লি, মফম অদুদা থেংনকই, মাগী মকুপ মাবি ওনা মাগী চান্নববী দোর্কসকা লুহোংলবা মতুং হনিমুনগী ওইনা হোটেল অদুদা যাবেক্লবগী লাক্লম্বা মিৎকুপ অদুমক্তদা। লাল লাকমিন্নখিবা মাবি ওনা নুংশি ব্রাইথুংনদুনা লৈবম্বা, অমবোমদা মাইকেলনা মাগী সেব্বী কাযনবগী অব্রা মৈশা খাঙলিবা...। মাইকেলগী থৌদোক্তি তাকথোক্লে, মখোয অহুম কা অমত্তদা লৈমিন্নবে। মাইকেলনা বাথকমগী মফম অমদা, মাগী মকুপ মাবিওনা দোর্কসকা লোযননা কা অমদুগী ফমুং অমত্তদা। ব্রানা খাঙখি অহিং অদু, খোনজেল থোক্তনা কপখি তুমিন্না মাইকেল ক্লিন, মহাক্লা হায়- " অমম্বা

মবক্তুদা ঐগী মিংযেং অসি মথক্তা অসুম যেংদুনা লৈখি। তপ্পা তপ্পা, য়াম্না তপ্পা ঐগী থাখল পূম্নমক অসি শিথবকপগা মান্নববা, কবিগুপ্পা ফোংদোকফম খংদবা মওং অমদা অসুম অসুম পোকখায়বা যানা চাউথোবকপগুম তৌবক্লে, মথক্তা অসুম অসুম কাখৎলকই। অহানবদদি যাম্না চীক্লা তপ্পা, মমৈথংদদি ঐ কপলক্লে, কপুনবা খাংজবদু ওমখিদে- ঐগী খোঞ্জেল থোক্তনবা, খাংলিবা মোন অদুনা ঐগী চীন অসি মেনশিঞ্জদুনা লৈখি, খোঞ্জেল থোক্লবসু মিংকী পিদি খাম্বা ওমাখিদ্রে।" মসিনি মংভোন্দা ওইখিবা পূন্সি অমগী মতাঙ।

ইবো ওইবিবা মাইকেল ক্লিন চহী নৌবিবা পাখংমচা অমনি। মহাক হবাও তযাম্বা পামজবা, প্রকৃতিবু নুংশিজবা, লাইবিক পাবা অমসুং ইবা পামজবা মীশক অমনি। মহাক বৃটিশকী এরোপ্লেন পাইলোটনি, খৃ:কু: ১৯৩৯ দগী বর্ম্মাগী লানফমদা লাল শোক্লবা লাকপনি। মহাক বর্ম্মাগী জঙ্গলদগী যাম্না বানা নাম্লোবকপনি। মহাক্লা বর্ম্মাদা লৈবিরেদা কোক ঙাওবা তৌবকপদগী এরোপ্লেন পাইবগী থবক্তগী পোৎখাহল্লগা লৈখাগী লাম্নীদা লৈহনখিবনি। বর্ম্মাদগী হন্দোবক্লবা মতুংদা মখোয় দিল্লিদা লাক্লে। দিল্লিদগী অমুক, মখোয় ওফিসাব তবা বোম্বেদা জাপানীজ লোল তম্বা থাবকই। মফম অদুদা, মিস বৈ কৌবী জাপানীজ লৈশাবী অমসু লন্দনদগী জাপানীজ লোল তম্বীনবা ইন্সত্রক্তর ওইনা লাকখি। মাইকেল ক্লিনগা মিস বৈ-গা নুংশিনবা হৌবকখি। বৃটেন অমসুং জাপান লাল শোক্লবিবনি, মখোয় মশেল যেক্লবানি, অদুবু মাইকেল ক্লিন সেক্সীবু (মিস-বৈ) যেক্লবা ওইনা উখিদে, তাইবং নুজা অমা ওইনদুম খনজখি। নুংশিবাদ, জাৎ, বিজাৎ, ওমথৈ, পংথৈ নাইদে। নুংশিবগী তাইবংদি অঙকপনি। মাইকেলগা মিস বৈ-গা থম্মোয়নুংদা নুশিনবক, ফোংদোক্লবক্লে, হোটেলদা লৈমিন্নবে, চামিন থকমিন্নবে। মালাবাব চীংদা লৈবা অনৌবা যুম অমদা নুপী নুপাগুম লোয়নবে। মাইকেলদি মহাকপু লুহোংগে খল্লি, মিস বৈবু তশেংনা নুংশি। মানা হায়খি :-
"ঐগী পুন্সিগী শরুক অমা ওইনা মহাকসু ঐগী পুন্সিদা তিনখ্রবনি।"

মীওইবগী লাইবক তম্বা ওমদে। জাপানীজ লোল তম্বা লোইববা মতুংদা মখোয়বু কানপুরদা থাবক্সী। মফম অসিদা জাপানীজ লানফা কয়া থক্সী। মতম অদু, ইম্ফালদা জাপানীজশিং চংশীল্লক্লবনি। জাপান্না ইম্ফাল লৌশিনগদৌবে হায়না পাউনিংখোল লাক্লে। মাইকেল, ইম্ফালদা চংনবা ওর্দর থোক্লে। মহাক মফম অদুদা থা তরুক লৈগনি। কোহিমাদগী ইম্ফাল যৌবকপা খোঙচৎ অমদা

মহাক্কা লোযননা মীওই মবী জাপানীজনা ফাবগা লানফা ওইনা থমখি। ইতোল ফাযবগী অকনবা লাযনা লৈবিবা মাইকেলনা য়াম্না ৱানা অমসুং হৈ-শিংনা জাপানীজশিংগী মখুত্তগী নাম্বোক্তুনা চেল্লকখি। কাপলকপা নোংমৈগী গুলিনা মখুত্তা পানখি। ইম্ফাল হোসপিতালদা লায়কন্নববা মতুংদা প্লাসতবনা যোর্মশিল্লবা মখূৎ অশোকপা অদুগা লোযননা ইম্ফাল এযাবপোটতগী দিল্লি ফাওবা মাগী সেব্বী উন্নবা লাকই, ইখৌলাংবা, পাখৎপা অমসুং নুংশাথীবগা লোয়ননা।

মিস রৈ র্আস চাইনীজগী মিংনি, লাল মনুং ওইবা মবম্না জাপানীজগী মিং কৌদবনি। জাপানগী লৈশাবী অসিবু মাইকেলনা নুংশিনা সেব্বীচি কৌবদগী শম্না সেব্বী হায়না খঙনখি। সেব্বীগী অপোকপা যুবোপ্তা কাববাব তৌবা মীর্শক্তি। মমা মপানা সেব্বীবু জাপানীজ নুপা অমদা থাজগে তৌবদা সেব্বীনা যাখিদে। মমা মপাবু যাম্না শাউখি। মখোযদি লাল মমাঙদা জাপানদা হনখ্রে। সেব্বীদি, লৈগী দুকান অমদা লৈ শেমশাবগী থবক তৌদুনা লন্দন্দা লৈহৌবে। লাল হৌবক্লবদা মাবু, বৃটিশ ওফিসাবশিংদা জাপানীজ্ব লোল তম্বীবগী ওঝা অমা ওইনা বোম্বেদা থাবকপদা মাইকেলগা থেংনদুনা নুংশিনখি।

সেব্বীদি পী ঙুক তৌবী, তমা তবাবী, মশক যাম্না ফজবী জাপানীজ লৈশাবী অমনি। "মহাক অসুক্কী মতিক নৌই, লৈবাংগী লৈকাঙম খোংনা মেডনা নীংথিজে। মহাকপু তপ্পা শোকচবা নত্তনা, শোক্কগদবা পাম্মুজে।" কাংক্লবা শকহেনবী নুজা অমনি। সেব্বীগী নুংশিবদি ঐখোযগী লমদম অসিগী অইবা অঙাহলগী জগেবাগী মতৌগুম্না কৎথোকপনা মপৃং ওই। কাযনগনি, থুংনবোই, মাগী ওইজবা ফংলবোই খঙলবা মীশক অমদা নুংশিকলগী অবাবা মৈচাক অদুন সেব্বীগী মফমদা লৈনিবসু। ঙাইহাক্কি ওইবগদবা নুংশিবা অদুবু মহাক্কা তবাম্না মথম্মোযনুংদা কোনশিন্দুনা থম্না ঙমখি, অদুনা মাগী নুংশিবদা কৎথোকপা যাওবা, থম্মোয কায়ববা, মমল য়াম্নবা মশক অমা যাওবি। মহাক্কা মুন্না খঙই, মাইকেলগা মহাক্কা থুংনবা ওইথোক্তে, মাদি আর্মি ওফিসার্বনি, লাল য়াওবা লাক্লিবনি। শোযদনা চৎখিগদবনি লানফম অমদা। থৌজালহৈবী, ইকায় থিগনবী, মোমোন্তা নোকচবী সেব্বীনা মাইকেলবু তশেংনা নুংশিবগী ৱাহৈ অমনা :- "ঐদি মতম পুম্নমক্তা নঙবু নুংশিগনি।" তত্তনা হায়জে :- "লৈমিন্নবিঙে মতমসিদদি ঐবু নুংশিবীয়ু।" মহাক খঙদবা নত্তে, মাবু নুংশিবা হৌহল্লম্নগা চৎখিগদৌববনি। মাইকেলনা লুহোংবগী ৱা হৌদোক্লকপদা মহাক্কা য়াবা ঙমজদে।

নোবেল অসি লান অমসুং নুংশিবগী রাবীনি। নুংশিবা অমসুং কায়নবগী রাবীনি। জাতি তিন্নদবা থম্মোয় অনিগী নুংঙাইহৎকুববা নুংশি রাবীনি। নোবেল অসিদা যাওবি- লানগী অরা অনা, তুজুংলবা থৌদোক কয়া, যেক্লবা অমসুং নুংশিনবা, লান লাক্লিবা লাম্নীশিংগী পুন্সি, মখোয়গী থৌদাং অমসুং থবক কয়া। মাইকেল অমসুং সেব্বীগী নুংশিনবগী রোমান্তিক ওইবা মশক অদু থম্মোয মথুম-মবাং হৌহন্না, নুংশিবা পোকহন্না ফজনা যেকপা ঙম্মী। মবান্নীগী শান্নবা নুংশি রাবীদু নাকোংদা ঙংদুনা লৈবী। মাইকেলগী মকপশিং - মারভিন, মাবিও, পিতর, ফেনরিকনচিংবা কয়াগী ফাগ জুগাই, আর্মি ওফিসার্বাশিংগী পুন্সি অমসুং লোয়নবীবা মওং অদু মযেক শেংনা যেকই। জাপানীর্জশিংগী লমচৎ-শাজৎ, মওং মতৌ ফজনা উৎলি। মফম চাওনা কনবা নত্তবা বাহাদুর ফাওবা তত্তনা নাংশিংহল্লি। অইবদা লমচৎ যেকপগী হৈশিংবা লৈ। তোখায তোখাযবনা চরিত্র কয়া ফজনা যেকপা ঙম্মা মসিগী মথক্তা প্রকিতিবু কাউবা ঙমদে। প্রকৃতিগী ফজববা শক্লোন কয়াসু নাংথজনা শৈথারি।

নোবেল অসিনা অপাবশিংদা ফজববা পাউজেল অমসু নাকোইনবা পীবি। মদুদি লান হায়বসি ফত্তবনি, মাঙনবগী মশক্তি, মীওইববু নুংশিহন্দবনি। লানদি থৎনবনি, হাৎনবনি, যেক্লবনি, হিংচা যাই তম্বগী মশক্তি, অচুম অরাল থুঙদবনি। নুংশিবাদ শান্তিগী মশক্তি, থম্মোয় অনীগী মক্লবা মিলন অর্মনি। যেক্লবা ওইরিবা মাইকেল অমসুং সেব্বীগী থম্মোযনুংদা লানগী ফত্তবা হুশিং অসি অমত্তা উবা ফংদে। মাইকেলনা হায়খি "যেংথনবগী ফত্তবা থবকশিং অসি হেক লোইখিবগা, অফবা হায়বদু অমুক হন্না শেমগৎপদা, ঐখোযসু মতৌকচাবা মীওই ওইজবা চন্নগনি।" নুংশিবা, লান অমসুং শান্তিগী নাংথিজববা পাউজেল অদু, শ্রীনমাইচবন-না মৈতৈলোন্দা হন্দোকলিবা "নুংশিত্তি শাবা হৈত্তে" হায়বা নোবেল অসিদা তক তকনা মমি তারি।

ইম্ফাল
জুলাই ১৯, ২০০৫

প্রো: নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ
কৈশামথোং, ইমফাল

ইশাগী ব্রারোল খরা

ঐনা মৈতৈলোন্দা হন্দোক্নুনা ফোঙজবিবা "নুংশিত্তি পাবা হৈতে" হায়না মিংথোল্লবা লাইবিক অসি, ইংবাজি লোলদা মশাগী ওইনা The wind can not read হায়না খঙনবা, বিচার্দ মেসন কৌবা ইংলিস নুপা অমনা পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা ইবগা ফোঙখ্রবা লাইবিক অদুনি। লাইবিক অদু ইহান হানবা ওইনা, লন্দনগী Hodder and Stouton Limited না ইং ১৯৪৭ দা ফোঙখ্রবা মতুং Pan Books Limited London নসু মথঙ মথঙ ১৯৫২ দগী হৌবগা ইং ১৯৬৩ ফাওবদা ইদিসন তবামথোই হেন্না ফোঙখীবদা কোপি মলিং মিল্লিয়ন তংখায় অমা হেন্না পৃথিবী শীন্না চংখীবগী ব্রাবোল থেংনজে। অইবা বিচার্দ মেসনগী শমলপ্পা পুন্সি ব্রাবোলদি :- মহাক ইংলেন্দগী মার্নচিযেস্তব সহব মনাক্তা লৈবা লমদম অমদা খৃষ্টাব্দ ১৯১৯ গী মে তাং ১৬ তা পোকখী। মহাকপু পোকপা মপাদি ইলেক্ট্রিকেল ইঞ্জিনিয়াব অমনি। বিচার্দ মেসন ইংলেন্দগী Dorset তা লৈবা ব্রায়ানস্তোন স্কুলদা মহৈ তম্লকখী। বৃতিস কাউন্সিলগী ওইনসু Film Magazine গী থবক তৌবকই। অনীশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাও হৌবক্লবদা, নহা ওইনা বোয়াল এয়াব ফোর্সকা পাইলোট ওইনা বর্ম্মাদা লাকখি, অদুবু মশাদা অকায়বা লাকপদগী, পাইলোটকী থবক নত্তবদা, Far east কী লমদা জাপানীজ বন্দির্শিংবু ব্রাহং-পাউহং তৌবা ঙম্লনবা চহি অমা R.A.F কী মখাদা ইন্দিযাদা জাপানীজ লোল তম্বগী training যাওবগা অমুক বর্ম্মাগী মফম কয়াদা লৈবকই। মতম অদুদনি, মহাক্কী মমিং চংলবা **The Wind can not read** হায়বা লাইবিক অসি শাববা নুংশাগী মৈশা খাঙনা খাঙনা ইবকপা অমসুং বোম তোপক্কী মৈখু মবক্তা মহাক্কী (manuscript) অইবশিং অদুবু চেকশীন্না শেন্নজবকপা। মাগী অতোপ্পা লাইবিক The World of suzie wong হায়বদুসু মতম অদুদা ইখিবনি, ব্রাবী অনিমক মমিং চংখী, film দা পুথোক্নুনা পৃথীবী শীন্না উৎখ্রবনি। বিচার্দ মেসন, মশাগী চহি ৭৮ হুম্ফুতবানিপান শুবকপা মতমদা খুদোংথীববা Throat cancer না নাবকপদগী য়ুবোপকী Rome সহবদা ইং ১৯৯৭ কী ওক্তোবব তাং ১৩ দা পুন্সিগী অবোইবা যাহীপ তানখি।

মহাক্না ইবম্বা লাইরিক্কী অয়াম্বা শরুক, মশামক্কী পুন্সিগা মরী লৈননা থোকখীবা থৌদোক ওইনা খলহন্দব ঙমদ্রবা **The Wind can not read**

থোইদোক্লা মমিং চৎশ্লবা ৱাবানি। মীওইবা পুন্নমক্কীনি হাযবস্ যাই। পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতম অদুগী ওইনতা খনবা নত্তনা, মীওইবনা লৈবিবা তাইবং অসিদদি নৌদুনতা লৈহৌবগদবা শান্তিগী পাউজেল ৱাবানি। লাইবিক অসিদা মীওইবা মখল কযাগী অমসুং ভাবতকী ওইবা শক্তম, লমদম কযাগী মমি তাবি, মহৌশাগী ফজ্জবা কযাবু শৈথাবী। বাবী ৱাতায, অৱা নুংঙাই থৌদোক কযানা থলহল্লি। লাপ্লবা সমুদ্র বাংমদগী লাল হাগবদুগীদমক্তা মযম থাদোক্কুনা লাক্লখিবা পৃ ুশ নাহাবোল অহল্লোন কযাগী পৃক্লিংগী ফাবেপ, মখোযগী অপাম পামদ, মংবা তেংশা ৎল্লমক বাশা অসিগী ঈচেলদ তাইবী। পুন্নমক অদুগী মদক্তা, .ৎাপ তোপ্ল চেল্লীবা অমসু অপাবর্শিংগী থম্মোযৎম্ম চেনশীল্লক্কদবা লববা ঈচেল অমাদ .. ক কৌবা শক দবা মৈশী অদুনা কেমহনখ্রবা, জাতি মশেল .. ওইনবস্ চৎ শা নু শিংগী পাংদা থাঊদুনা লৈখ্রবা শাবী শানৌ ... ওশাল্লল শংলেবা .. শা বাবী আসনি।

অমবোম্মদা, বাবী অসিগী মেপত্তা, এখোযগী লমদম ইম্ফাল মণিপুবদু কোন্সিস্লল্লা অসিমক্লম্ পু অমুক্কা তেংগা বাবী আসদু এখোযগী পৃক্লংদা নকশীলহল্লী, ... খলহল্লী। ওইবসু যাই, পৃথিবীগী মযম কযাদা মণিপুবগী মমিং শন্দোকপদা লাইবিক অসিগী অচৌবা খুদোল যাওবী হাযবসু।

লাইবিক অসিদু এনা মণিপুবীদা হন্দোক্কে খনজবদি কুইববনি, থবক্তুগী পোথাববা মতুং ইং, ১৯৯৯ দগী হন্দোকপা হৌজখী, চহি অনীবোম চংখী। পামজক্কবগী ঈখলনি, অংগবা ৱাখলনি, মাঙবা তোংবা, কান্নবা কান্নদবা কবিসু এগী মাঙদা লেপখীদে। ইথল্লতা পাবা পেনজ্জদবনা, বাবী অসিগী পাউদম থম্মোয খুদিং যৌহনজনিংবা অদুনি। ঙসিদি মীযাম মাঙদা পৃথোকচবে, অদুবু কিজবা অমদি, মণিপুবা ইযেক্কা চহি কয়া চৎনবক্লবা বাঙ্গালি মযেক্কা শিন্দোক্লবগী খোল্লাও কনশীল্লক্লবা মতম অসিদা থোক্লবে। লাইবিক অসিগী মবাযবক, মতম্না লেপ্লীবা ওইবসনু।

হন্দোক্লবা লাইবিক অসিগী (Manuscript) অইবা ওইবিবঙেগী মতমদা: ৱাহৈ ৱাতা বানান্নচিংবগী মবমদা এগী ইতেঙ পাঙবীখিবা ইকাযখুম্নজববা দা: শ্রীনোংমাইথেম তোম্বী সিংহ বিটাযর্দ প্রোফেসাব মণিপুব য়ুনিভর্সিতি, মীযাম্না

নোংমাই পন্দিত হায়না থোইদোক্লা শকখণ্ডনরবা ওঝাগী চাউববা লম্মন অমদি তোনশিঞ্জরে, লোয়ননা ঐগী পূক্লিং থৌগৎপিখিবা, তোয়না হংবীবকখিবা মরুপ মপাং, মীওই কয়াগী কাউররোইদবা মফম অমসু ঐগী থম্মোয় অসিদা কনশিন্দুনা থমজরে। অবোয়বদা, লাইবিক অসিগী অইবা Richard Mason গী শমলপ্পা পুক্সি ৱারোল খণ্ডহল্লকখিবী ঐগী ইশুনুপী কুমাবী Jessica Mukherjee (GWALIOR) লোযননা সুচেতা প্রিন্টিং ৱার্ক্স, পোলোগ্রাউণ্ড বোড, ইম্ফালগী প্রেস স্তাফকী মীওই পূম্নমক মকওইনা কম্পুটর পার্যবীখিবা ইচা ইবুঙোশিং, সুবজিৎ, নবচন্দ্র অমসুং বামেশ্বব নচিংবা পূম্নমকপু থাগৎচবগা লোযননা "নুংশিত্তি পাবা হৈতে" হায়না মিংথোল্লবা, ঐনা হন্দোকচবা লাইবিক অসিবু মণিপুবী সাহিত্য লৈকোন্দা মপুং মবৈ ফানা লৈশাং তমজবা ফংহনবীবা অদুতদি পীনবীযু হাযদুনা ঈশ্ববগী মফমদা নিজবী।

খুবাইজম নিমাইচবন সিংহ
৫/৮/২০০৫, ইম্ফাল

অহানবা পন্দুপ

(১)

জঙ্গলদগী থোক্লবা হোৎনখকপদ এপ্রীল মেগী মতমদা অদুদা লৈরম্লে। চহীগা ওইনা ঐগী ইপোকনুমিৎসু এপ্রীলগী অরোইবদা তাবান। নুমিৎ অদুগী ওইনা কবিগুম্বা অমত্তসু পাঙথোকচবা ঙমদ্রে খল্লুবদা, পূর্ক্লং অমসুং পুংঙাইতবা ফাওবকই। ঐগী সনাগী ঘড়ী অদু মপিতবগী মখুত্তা [illegible], মতাং মশাগী মামং (সহি) হক্লুনা যাওবা মাগী খুদোপ অদু ঐনা লৌশিল্লে। মঙোন অশুম্না হায়খি "কবিগুম্বা ঘড়ী অসি, খঙহৌদবা লানফম অমদা পুম্নমক তায় [illegible] কার্যখিবমক নক্লবদি, এপ্রীল ২৭ খুইদা ঘড়ীদা ২ [illegible] সং অদু [illegible] যাবে, অদু নক্লগা সনা অদু যোনগে হায়বসু লেনখোকচে।" [illegible] মখা চৎথবকপা ওইনা পিতবনা খুন্নকহি "ঐখোয় কনাসু [illegible] থোক্লবগী খুদি লৈত্রেনা .. হোয, ওইনসু যাও জঙ্গল মনু [illegible] কয়াম্না খাঙনবিবা, খোঙমোজা মনুংদা [illegible] চংলকই, ইপাকন্মিৎ পাঙথোক্লবিবনি হায়না খনবসু [illegible]

মতে, মসা হায়বদা অদুসু ওইহল্লাস, [illegible] থোক্লবদি ঐনা অশিবা হকচাংদগী, 'প[illegible] (সহি) [illegible] এঙোন্দা যাওব মাগী খুদোপ অদু জাপানীদগী [illegible] মসা কৈদৌনুংদসু পামলম্লোই। ঐগী খাতে অদুদা [illegible] শম্না হংলকই "নঙনা হায়বিবদুবু কবিনো.. ' সনাদু [illegible] হায়বা '

অওইবদি, ঐখোয় কনাসু মতম অদুদা পাক্লং লেতাফম খঙনখিদে, অমসুং অমুক হন্না... নুংঙাইববা, চাওখৎলবা মতমগী মঙাল অমা উবকখিগনি হায়বা ঐখোয় কনাসু থাজনবমদে। ঐখোয় পুম্নমক্কি খাখলদি, জঙ্গল অদুদগী অমুক হন্দোবকপা অসিনি, অদুবু কনানসু খঙনখিদে... কদায়দা, কবম্বা লম্বীদা

চৎকদৌবিবনো হায়বদু। খঙহৌদনা, ঐখোয়না লাক্লিবা লম্বীদুগী মমাঙ ওইনা, জাপানীজ লাশ্মীনা লম্বী থিংজিনখ্রে খঙলকপদা; ঐখোয়না পুথোবকপা অযান্বা পোৎ হুন্দোকলম্লগা, ঙমজবা উপায় তৌদুনা জঙ্গল অদু ফাওদোবকপা তাখি। ঐখোয়গী খূৎলাই মতৌকচানা যাওদ্রে, যাওবিবা হায়ববু নঙ্গন্দা পোৌবিবা খাও, ঈশিং থক্লবা পাত্র অমসুং চেঙ হাপচিল্লবা খোঙমোজংশিং অদুনি। মী অযাম্বা লোইনা চোকথনবে রানবে, লাইহৌ কল্লা তৌবসু যাওবক্লে। কাঁন অমক হায়গনি, লেপত্তু লেপত্তু তুনবা যাওবে। রাবকপদগী মংপা ঙমলক্লগ মী ২ কয়া অমসু মথং মথং হুন্দোকপীবম্বা তাখি। ঐখোয় খবগীদি বাইফল অমমমগা মক বাউঙু মঙা মঙাগদি যাওনবি। নোংমৈ শুলি বাৎলকপগী মনমদা খল্লুবদা লৈহৌবীবা মখোয়গীদি মক বাউঙু অমমমদমক যাওবল্লগনি খন্দনা অহেনবা খবা হাপচিনবিবগা বাউঙু মঙা মঙাদি শুহল্লমলে... জাপান্দা কাপকে কাপ্লে, মখোয় মশাদা কাপশিনজগেবা মখোয়না থোকপা তৌনো হায়না থনম্লবনি।

ইতোন ফাযনা, খোঙ চবিৎ চবিৎ হাল্লবসু কোঙ্গাযানি। লম্যনা অদুদু খাঙদুনা চৎলিবা মীওই কযাদি খোংগ্রাও লৌথোক্লবগা লিংলিবা ফুলীৎ অদু থাদনবগা চৎনববনি। ঐগী ওইনাদ, ইতোল অদ অদুক হাক্ল কনবদি ওইখিদে। ঐঙোন্দা যম্ল বাখিবদি হুকচাংগী মফম খবদা চাথৎলকপশিং অদুনি। অসিংশ চাথৎপা মরীবোম অমদি ইনচি মখাযবোম পাক্লা যাম্লা শাথিনা ঈশাগী শদোঙ মনু না এশিন মীহ চঙলক্লগা শক যৌবকপশুম থূপখি।

নুংদাংদদি, চৎলিনা লম্পী অদুগী নাকল নাকলদা লৈবম্বা তূম্বা যাবা মফমশিংদা অদুম তূমই। মফম অদুগী মেলেবিযা পুনা কাঙশিং অদুদি কাঁব হায়গনি . নোবোক হায়বদু অদুম তৌবিগদ্রা ' অদুগী মথক্রা অমুক, জঙ্গল অদুদা লৈবমগদবা শা-কৈ কয়া .. লাইবক্তি ফবনি, নোবোকনি হায়বা মফম অদুদা কৈগী মশক্তি অমত্তা উবক্তে। নুংথিলগী মতমদগী অহিংগী মতমশিনা খাওবদদি যাম্লা রাবা হৌল্লি। মক ওইনা, তূম্লনবা হিপ্তুনা লৈবা মতমদা। নুংথিলগী মতমদদি ঐখোযগী অরাবশিংসে ঙাকথোক্লিংঙাই মচাক খবদি অদুম লৈ। লোযনবিবা মকপ মপাঙশিংগী মবক্তা, অফ-ফত্ত, অচুম অবাল থিনদনা তৌনবা ফাগী জুগাই কয়া অমা অমসুং ঈশিং থক্লিংলকপগী অমদি চীংচেপ কাখৎলকপদা

কয়াম শাংবা, কয়াম চাউবা হায়বনচিংবা ৱাখল কয়া ...। অদুবু অমম্বদদি, মশিগা ওন্নবদা ঐখোয়গী অকিবসে অশুম অশুম হেনকৎলকই। ৱাখল পিকশিল্লকই, ইথন্তা ঙাইবকপগুম খল্লি-বৃটিশ অমসুং ইন্দিয়ান আর্মী নত্ত্রগা থৌনাফববা অ'লেকজেন্দবগুম্বা কনা অমত্তা লৈত্রবগুম ইথন্তা মঙলাক্লগে তৌবকই। ঐদি তশেংবা পোৎ অমদগী মঙলাক্লবনা হেন্না অশেংবনি খল্লি, মবমদি তুমলিঙৈগী মতমদদি মঙলাক্লবনি হাযবদু খঙ্‌দে, অদুবু মিকপ থোক্লব মতমদদি ঐখোযনা পুন্সিবু মঙনি হাযজীন্নবসু ঙম্মি।

নোংমদি, ঐখোযনা অযূক হৌগৎলকপদা পিতনা লৈবমদ্রে। মানা চীং লম্বী অদুদা মাইল অনী চৎখৎলুবগা ঐখোযবু অমুক উননবা তল্লকপদা থেংনকই মাগী ৱাখলদা, ঐখোযনা মাদু হুন্দোকপিনম্নে খল্লুবদগী ঙ্গম্বা তম্বা অদুম চৎলুনা মাল্লি। নোংমনা অমুক সবজেক্ট অমনা ইশং হংনা এবু হৌদোক্লনা হাযনকই "হেই য়েংউনে মখোয মযাম লাক্লিসে, ঐদি উত্রা য়েংদে।" তুঙ্গল চদুগী মশেল মবাং উমা থাবলগী মঙান্দা লাপ্লা খুনাই থ্রম্বী। মিকুপ অদুদা, মমায অদু হমাংনা পুমচোৎ চোংলি। কোন্নদি ঐখোমনা, পুং কয়া তাবলগে হংলগা য়াওন্দুনা অমুক ইঙনা তুমথখি। মহাক কবিম নীংশিংখিদ্রে

জাপানীজগী মখুত্তা বন্দি ওইকবদগী, ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মীদা য়াওকবা হান্নগী বৃটিশ-ইন্দিযান আর্মী কয়া লানাই মদু শাননখিন্দুনা ঐখোযগী নাক্ত চেনশিল্লকপসু য়াওখি। কোন্নদি মখোয পুম্নমক, লানগা মীনাইশিংনা ... কোর্টকী বাই অমনা মতম শাংনা ভাবতবি জেলদা লান্দ থম্বিখবা। ঐখোযগী ওইনদি, থাদোক্লনা চেনবা তাযবদু শুকযা যাখিদ্রে মনাদ চেনশিল্লকপ লৈ তবনা। খল্লুবদসু নুংঙাইদ্রে, এখোযগী ওইনা চেনখোক লেনশিল যাবা নাকল অনী লৈবমদবসি। অশুম্বা হকচাং শোকচিন্না, খখলস পুনচায চাঙনা, জঙ্গল অদদা খুকউ খুদক কুন্দুনা ঈপ্রাক্লা শিত্তুনা যাম্না ৱানা থোক্লবকই। জাপানী লান্মী ... উবক্কে। অদুবু কোন্না অমখক্তংদি, ফুট লিশিংতবামঙা ৱ হন। পাইবা এরোপ্লেন অমা কাপখায়বদগী তাবকপনি হাযদুনা আসামগী লৌবুক অমদা থিঙম থানা লৈবম্বদু উবকখি। ফাওবকখিবা জঙ্গল অদুদসু নুংশা মঙালগা অমত্তা উদে; কবিগুম্বা মফমদা নুংশাগী মঙাল ফাওজিল্লকপা উবদুদি... আহা ঈশ্বরনা

খণ্ডগনি; পূক্লিং অসিদা কযাম থৌনা লাকখিবা। অদুক্কি মতীক অৱাবা খাঙদুনা; অমসুং অদুক ৱাবরা মতমদুদা জ্ঞান তানা লৈবা; হিংবা শুমগনি হাযবদু ঐ শুকখন খনখিদৱানি। অদবু ফিভম অদুদা ঐগী পূক্লিং হকচাং কা হেন্না শোকচিল্লকপা; মাঙশিল্লকপা মতংদি ঐহোন্দা লাকখিদ্রে।

মবক মবক্তসু খল্লি ঐখোয 'শবা থোক্রবা... ঐখোযগী পূমথবনা হকচাংদা অপানী ঙ্গশিংনা কুম্মি ওইনা শঙ্গিয়া থিন্দুনা শাম্নবা... অদুবু ঐখো[illegible] শাদি 'অন্দোলন' [illegible] বতেদি [illegible] শিল্লবপদা [illegible] অমাদি লৈবগ্রে [illegible] অদুগী [illegible] কুইদ্রিন [illegible] মখোযনা [illegible] ফমুংশিন্দগী পুথোব[illegible] [illegible] অদুগী [illegible] ঐ[illegible] পোৎখাসম শানরিখি। মতুংদদি, [illegible] লোনি অমসুং [illegible] গাড়ীসু [illegible] অদুদা অশোক [illegible] চামডাদগী [illegible] [illegible] ঐখোনসু [illegible] পোবা [illegible] অমগুম ওবদে। [illegible] পুগদৌবিবা[illegible] [illegible] ঐখোয পুম্নমক [illegible] [illegible] ঐখোযনা লৈকা [illegible] হোসপিতাল অমা [illegible] লৈনম লৈনম্বা স্ত্রেসনাশদা থেংনাকদা। কৈজোম [illegible] ভাবতাক মাওঙশিংদা ফৈজোম [illegible] লৌবগী [illegible] ওইনা ঐখোযগী অশোক অপন পু[illegible] শুদোব চানখোক্লখি। অশিব [illegible] কয়া গাড়ীদগী পুথবদু ঐখোযসু [illegible]

নুমিৎ হুমনিদি এখোয, বেলদা অদুম লাক্লে। কালেন থাগী মযায চল্লকপা মতমনি, যাম্লসু শাবে... গাড়াদা পাল্লিবা পাংখা-শিংদুসু অমগুম যাবমদে। ঐনা খল্লকই, বশ্মাদা থেংনবকখিবা নুমিৎকী মেশা, হুমাংগী মনম অমসুং অশোক-অনা পুম্নমক অদুদি হৌজিক্কি অসিদগী অদুক্কা হেন্না হাযনিংঙাই লৈতনা অৱাবগী মশক্কি।

মবীনি শুবকপগী নুংথিলদদি কাচাতোলা কৌবা মফম অমা যৌবে। স্ত্রেসন্দসু অশোক অপন পুননবা গাড়ী এম্বুলেন্স লৈবগ্রে। পূং মঙা তাবকপৱাইদদি ঐখোয ফমুং ফমুংদা পোত্থানবমই। ঐখোযবু থল্লিবা হোসপিতাল অদুদি শাবফাও লোইদ্রিবজাৎনি অদুবু মোমপাক ফিদক্লচিংবা ফিবোল পুম্নমক অঙৌবা ঙাক্তনা কুপলম্মী। কা পুম্নমক শুনু হাইবগা, লোইনা পাংখাসু পাল্লম্মী। অসিদসু নত্তনা

কুচু ভৌবা ইংলিসকি নসশিংসু লৈবমলে। পূক্লিংদা ফাওবকই- হৌজিকমক্তি ঐ শিদি শিববোয

অভৌবা মোম্পাক ফিদক্কা কূপ্লবা ফমুং অদুদা অভৌবা ফি শুপ্পুনা ঐহাক ...লমই। মফম অদ, হোসপিতালগী মনমসু যাওবে। খল্লকই... লাইবৈবাক্কি ...অশুম ভৌনিগদ্রা...' স্বগগী হেনোইশিংসু মফম অসিগী নর্সকুম্না চনাং খাবা অভৌনা ফিজোল শেৎলিগদ্রা...' অদুগা স্বগগী লাইশিংনা মখুত্তা বব্বব ...উপ্লগা অশোক মনা কয়া যেংলিগদ্রা ' 'শিদ ভৌবিবসিগা মফম অদুদা ভৌনবদগা চপ মান্নবমগনিদা . । নোংমা ঐখোয, পৃন্সিগী জঙ্গল অসিদগী ...মোৎনা, হকচাং ...ক্কা মফম অদ খৌনা মতমদা... ঐখোযবু ...কপিগনি, শম-না কোকথোকপিগনি, অকবা, অশেঙবা ফি ...হনগনি, ঐখোযগী অবাবা শকক হন্নহনগনি; হকচাংদা শোকপনবা ...নি। ব্রাকুববশিংগী পক্লিংবু ঈংথহনবগা লোযননা, থবায অসিনা ...খবা, পামদবা কযাবুসু মাঙহনখিগনি। অদগী তুংদদি ঐখোয, মায়-মিৎ ...চক পাঙলবা, শেংদোকপিববা মীশক ওইনা, অনৌবা লৈ-শু কযানা ...বা অশঙবা লম্পাক অমসুং ঈশিং চইবিনচিংবা ফজববা মফম কযা অমুক ...কংহল্লগনি।

...দুদদি লৈ শু অমত্তা ... ঈশিং, চইবিস লৈবমদে- কংশিল্লক্কবা নাপি অমসুং গাঙলৈনববা ...অদুব মফম অদ ঐঙোন্দদি স্বর্গগা মান্নবম্মী। অমবোমদা ...মতমদা ... মিকপ শংথোক থোক্লগা; কদাযদগীনো অকীবা ...পোক্কুনা ঐগী পিস্তোল থম্ফমদা খৎ হেক্কা মাশিল্লি ...। মিকুপ্পা জ্ঞান ...ই -মশেন মবাং উখিবা মাঙ্গোন উখোক তেনগী মমি অদুবু জাপানীজ ...ওইনা খল্লুবে হাযবা ...। অদুগী মতুংদদি ; অমুক নুংঙাইবকপা বাখলগা ...লোযননা, ঐনা খাঙলিবা মোন অদুদা কোক শুজিন্দনা পুক্লিং ঈংথনা তুমলে। অঙকপনি, হৌখ্রবা বাখল কযানা ঐবু মঙলাক্লহনগে তৌবদি হন্না হন্না থোকখি। ব্রাফম অসি ঐনা ডোক্তবদা হংলুবদা মহাক্কা হায- "হোয, নঙনা জঙ্গলদা লৈকবা মতমগী অকীবা অদুনা, হৌজিক্তি নঙগী নুংঙাইজবা, হেন্না

ফবগী মওং অমসু ওইবা য়ারে... মরমদি হৌজিক নঙনা লৈরিবসি কদাইদনো হায়বদু খঙলবনিনা।"

"অদুদি ... ঐনা জঙ্গলদা লৈরিঙৈদা য়ুমগী মঙ মঙবদুনা ; মিকপ থোক্লবা মতমদা অমুক্তা হেন্না অৱাবা ; অকীবা হাপকৎনবা তারেকো " ঐনা ডোক্তরদুদা হায়খি ।

মফম অদুদা ঐহাক,চয়োল অহুম্নদমক ফমুংদা হিপখি । মতুংদদি ঐ, বেলকোনিদা লৈবা খুৎপায়ফম য়াওবা চৌকি অদুদা ফম্লগা চুরুট অমা চিংদুনা নুংঙাইবা ৱাখল খল্লম্মী । খুদক্তা স্নান তানা খন্থবদি ঙমখিদে । ঐগী ৱাখলসি ; বর্ম্মাদা লৈরিঙৈদদি থোইদোক্লা নুংঙাইরমদে । ইথন্তা হন্না হন্না হংজর্বনি "ত্যাকিসব্যুরীগী তুরেল মপান্দা ফম্লগা : শউন্না মখূম পানবা নুংশিবা মনম চেনবা লাইরিক অমা পাদুনা লৈখিবা মী অদু ঐ নৎত্রনে ?" ৱাহং অসিদা ; ঐঙোন্দা য়াওরিবা অচুম্বা হায়বদুনা অশুম্না খুমলকপগুম তৌখি- "মদু নহাক্লি ; নঙগী হকচাং অদুমক্লি ...অদুবু হৌজিক ওইরিবা নঙগী পূক্লিং অসিদি নত্তে ... হৌজিকসু ওইরিবা ; মতম অদুদসু ওইখিবা অমত্তা ঙায়রবা নঙগী হকচাং অদুনি।" চুম্মী; হকচাং অদুবু নৎত্রবদি ঐ অতোপ্পা কনা অমনি... থবকশিং অসিবু তৌরিবা; ঐগী হান্নগী ইশা অদুগা মরী লৈনদবা অতোপ্পা মীশক অমা ওইবা তাবনি ।

তপ্না তপ্না পূক্লিং অসি ঈংথরকই, হান্না কোইতাউ তাউরম্বা ঐগী ৱাখল অদু ঐঙোল্লোমদা অমুক তাউশিল্লকই। হৌজিক্তি ইশা অসি হান্নগী ঐহাক অদুগা লোয়ননা থবক মখা চৎথরকপগুম খল্লক্লে। অদুবু ইংলেন্দগী মাইকৈদা ওন্দুনা ৱাখল তৌরুবা মতমর্দদি হেক্তা য়ারমদে। উচেক্লা চুমদ্রিং তুবৎ শমদুনা পাইবদু ঐগী ৱাখল অসিনদি ঙমদ্রে; খঙহৌদনা উরকই...বর্ম্মাগী লম, জঙ্গল অমদি ইশাবু পুমকাউ কাউহনখ্রবা মতম কয়া অদুগা মরী লৈনবা মফম কয়া... মথং মথং পূক্লিং অসিদা উরকই... হেক্তা য়ৌরুই। চুম্না হায়রবদা, মিয়াদর্কী মতম শুরবা বন্দি অমনা; ৱারকখিবা, খাঙলকখিবা মতম কয়া মাগী ৱাখলদা লৈবগুম ঐগী পূক্লিংদসু থেংনরকখিবা অৱাবশিং অদু হেক্তা উরকই। হৌজিক্তি য়াম্না পেনজবা পূক্লিংগী অঙৈবা মওং অমদি ফংজরে... ক্ষিভম অসিদা ঐগী

ওইবা থবক পূন্নমক মখা চৎথবকপা পামজখি। মতম চূপ্পা বেলকোনিদা ফন্নগা চুকচ থক্লা থক্লা নুংশা মঙালদা রাখল তৌদুনা লৈজবনা হেন্না পামজখি। নুপীনহা, হুইস্কি, ঐখোয় খবা ওনশিন্নদুনা তাস শান্নবা অমসুং রায়াবলেস (বেদিও) তাবনচিংবা অমত্তা পামখিদে। হোসপিতালগী কা অদুদা থল্লিবা রায়াবলেস অদুসু নুমিৎচূপ্পা মখোল হৌনা থাদোক্কুনা থম্মী; যাম্না হৌবা তানিংদবা চরাঙনবা যন্ত্রগী খোঞ্জেল ঙাক্তো। অদু তাকবগী মতুং ঐদি, লম্পাক অদুদা হৌবিবা ঙপাপ্পা কযাদুদা চেনখৎ- চেন্থ শান্নবিবা খেবোয় মানবা উচি মখলশিংদু য়েংদুনা লৈবনা হেন্না নুংঙাইজে। ঐখোয় যোংগুম্নসু চোংই, চুমসু মাল্লি-মবী মবী শাংনা লাংবা মতুশিংদু যেংবদা যাম্না ফজে। ঐদি মখোয় অদু খবা যেং-উচেক্লা খোংবা ... তা অদুগা অহিংদনা লম্পা ...লকপা তাবা অসিনি। ঐহাক নুংঙাইবে ...লা অরাবা চৈনা অমুক খাঙনা ...দ্রে; ঐনা খল্লকই- জঙ্গলদা রাখিবা; হকচাংদা ... খোতংপা কযা থোরখিবা অমদি ইতোন কাযবগী অরাবা কয়া খাঙখিবা অদু ... মতুং হকচাংদা শেন্থবা পাবরসু হান্নগী অরাবদু নত্তবা কবিগুম্বা মখলগী ম...োপ্পা অরাবা অমা খা...লম্বন ...হন্না ফগদ্রা অসিনি।

খবা নৈবগা; ঐ অমুক হনবগী মতম য়ৌবক্লম্মী অদুবু তহা তহানা ...হোসপিতাল অদু থাদোক্ক...দি খনখিদে। হোসপিতালদগী হল্লক্লগা, থা অমগী ...ত ফংলদুনা ঐ সিমলাদা চংলম্মী। মখোয় খবনা ঐঙোন্দা হায়খি- "নঙ কবি ...নাংশিংলবোয়, অপুনবা তলবশিং অদুনা নহাক পূং কুনমবী চূপ্পা থকচিল্লগা ...দুনা নৈবগনি।" অদুবু ...না নিংশিংবদি-হুইস্কি অমদি জিনগী মহাও অদু ...ঙে, সহবগী মনিংথংবা মাযকৈদা লৈশ্রবা উম্না কূপ্পবা হিমালয় চীঙশাঙগী ... অদুনি। সহবগী মনিংদা ...হম লয লৈশ্নগা... দিওদার উপাম্বীশিংগী মবক্কুদা ... খোঙনা অশুম চংলগা ফুট ৮০০০ রাংবদগী উফুল হৌরবা তম্পাক্কি লমদম যেংথবকপা অদুদি ...লাই হায়বদু অশুম তৌনিগদ্রা খল্লি।

ঐগীসু পাউখোল্লোই ওইনা মীনায অমদি ফংজবে; ঐগসু যাম্না চানবা পক্লবা। মহাক অচম্বা মীশক অমনি মমিং বাহাদুর কৌই। ইংলিস ঙাঙবা ঙম্মী ঐগী অনীঙবা অপাম্বা মুন্না খঙই। মাগী মখূৎনা ঐবু ফি শেৎপিনিংই ঐনা হেক-হেক যাদে-মানা রাবৌই। ঙাঙলপ তৌনা মাগী মমিং অনীমক ঈংই। ঐনা মাবু

নুংশিবগী মরম অমদি মহাক্না মাগী ইমুং মনুংগী মীশিংবু নুংশি চান্ন, লুনা খনজবদুনি। নোংমা ফাগি ওইনা মচানুপী ঐঙোন্দা পীয়ু, লুপা যান্না পীগে হায়রুবদা মহাক য়াখিদে, মদুগীদমক্তসু ঐনা মহাকপু ইকাযখুম্নে।

য়াচংলকপা মতমদা হোটেলগী লৈকোল অদুদা ফল্লগা ঐ, মতম শাংনা জিন অমসুং চন্দ্রা মহি থক্লা থক্লা খল্লকই- "ওহ! ঐনা ফংলিবা থা অমগী মতমসি; মতমচৃপ্পগী ওইববদিকো।" অদুবু চপ মান্নগনি কবিগুপ্তা মসিনা মতমচৃপ্পগী ওইবল্লবসু, মবমদি ঐ. পুক্নিগী অনৌবা অতোপ্পা মওং নত্তুগা মফম অমদা অমুক শোযদনা য়ৌনিংলক্কনি মকপ মপাঙ কযাগা লোয়ননা অনৌবা অওনব' অমা শোযদনা পামলক্কনি. চপচানা মশক মওংদি খঙদবা পৃক্লিংগী অপাম্বা ইখৌলাংব' কযা ফ:ওবক্কনি

অশুম্না... ঐগী মকপ পিত্তবগ' উনবক্তবসু কুইবক্লে-চ্যাংগ ...ক ফাবক্লে। মাদি ঐঙোন্দগীসু হান্না হোসপিতালদগী চংখ্রবনি, মাদ্রাস ... হয়্না-নুংশিং ওনবনি হায়দুন। অদুসু মতম চানা, মকপ অমা ওইবগী মা ... নুংঙাইবা ব্রাবীনা ঐগী পৃক্লিং নুংঙাইহনবা. যৌনা হাপ্পগী মতাংসু ... শোযদনা লাকখিগনি ঐনা পামলকপা মতমদ। অচিকপা পামজবা ঐগী ... মমৈথংদদি ঐবু থাদোক্লমগনি . তম্পাক্কি লম্নদম য়েংজবদা যৌনা পামজকবা ঐগী ব্রখল মাঙখিগনি। লৈচিনগী মবক্তা অশুম কুইনা লৈননবা ঈশ্বরনা শেম্বীবকপদি নত্তবনিনা... ... মালেম থকাশদা পুক্নিপা লোয়নদবা ... মচাক ঐঙোন্দসু তঙাইফদবা ওইবক্লে। অমবোমদ, ঐগী অপাম পামদ পুক্নিংগুইদ কনিসু লৈবমদে। চাকনিবদি অপাম্বা পোৎ খনবা যাদে হাযবদুনি.. এরোপ্লেনগী পায়লোৎ ঐখোযসু মদুগা চপ মান্নে. মশি পামই-পামদে হাযরুবা য়াদে।

সেপ্তেম্বরগী অঙনবা মতমনি। বাহাদুরনা হায়বকই- "সাহেব, ঐনা মতম পৃন্নমক্তা নঙগী সেবা তৌগনি।" মহাক ঐহাক্না লোয়ননা সিমলাদগী দিল্লিদা অমুক লাকপা তাখি। রেল মনুংদসু, অমোংপা ঈশিং থক্তনবা মানা ঐবু কন্না চেকশিনবিখি। ঐনা; ফুবীৎ অমবু অশুম নুমিৎ নিনিশুনা লিংপসু মানা য়াখিদে। মতৌ অশুম্না ঐখোয় অনী পৃন্না, তম্পাক্তা কুম্মীন্নরক্লে।

(২)

এবোপ্লেন পাইবগী থবক্তি লোইশিল্লে হায়বা ইশানা খণ্ডজে। ে পাইদোক্লা থরায নুংঙাইতবা কবিসু পোকখিদে। বর্মাদা লৈবিঙে; ঐগী কোক ঙাওবদু হৌবকপা মতমদা ঐ কবিসু তৌদে হায়াঙ্জন্নখিবান। শাথিনা কোক ঙাওবকপা অনী অহুমলাক্ক মতুংদা ঐগী প্লেন অদু শুঞ্জিন্দুনা চাকলমগদবা খজিক্তা ঙায়াখি; মদুনা অবোযর্বান। ঐখোযনা জঙ্গলদা লাক্লিংঙগী মমাঙ নুমিৎ হুমনিদি ইমান্নবশিংনা এবোপ্লেন পাইখৎখিবদু যেংনা যেংনা ইখন্তা এথাবফিল্দা ে পহৌই, অমসুং মতম অদুদা ঐ ইশামব অসে পীশক পীক্লবা জীব ঃমগুম্না খন্জখি।

ঐনা খঞ্জবদা; ঐগী রাখলগী শদ্দক অমদা পেক্লকপা অকাবা অদুনা কোক ঙাওবকপগী মবম অমস্যান। অদুদগী হৌনা ঐ অমুক হন্না পাইনিংখদবান, অদুঙৈ ঐগী হকচাঙদা এপেন্দিশাইতিসকী লায়না হৌবকপা মতমদা অমুক হন্না ঐ ফ্লল চৎপদা কিখিবগুম্না। অতৈ মবমসু শোয়দনা লৈগনি; ডোক্তরনা মদুনি হায়দ্রবসু। ঐগী কোক ঙাওবসি নৎলমদ্রবদি; মখাতনা ঐ অদুম পাইবমগ অমশোমদনা ঐবু পাঙদবনি হায়না মীনা খনখিগদবা অদুসু ঐনা খ্বায়দগী কিজনা।

ইমান্নবা অতৈনা পাইনখ্রবা মতমদা, ঐ ইশাবু অপীকপা ভিল অমগুম্না খন্দুনা লৈহৌই। অদুগী মতুং জঙ্গলদ লৈবকপা মতমদদ: ইশাদ যা খজবা লিংজেল অমদি থৌনাফবগী থবক কযাদি পাঙথোকচবা ঙমখি ১৯২ অদুদগীদি ঐ অমুক হন্না এবোপ্লেন পাইবা পাইদবগী রাখল কবিসু নাং কনাগুম্বনা ঐবু কবিগী পাইদ্রিবনো হংলবসু; ঐগী কোক ঙাওবদুগী হকচীনবা রাফম অমত্তা পনখিদে। ঐগী পাউখুমশিং অদুনা ঐ ইশাবু কবিসু নত্তবদা পৃকচেল শেংদবা ওইহনখি।

ঐগীদমক্তা দিল্লীদা ফমখিবা মেদিকেল বোর্দ অদুনা সবকাবগী ওইশা অয়াবা পীদুনা পাইবগী মহত্তা ঐবু লৈখাদা থবক তৌবা যাহনবিখি। ইকায়খুম্নবীবগা লোয়ননা নোংমা রিং কমান্দব অদুনা ঐহাক্তা খৃৎ শোক্লবদুনা হায়- "লৈখাদা লৈবশিদি-পাইবগুম্না পৃক্লিংদা অদুক হাক্লা ইবাঙ পীদবনি; অদুবু

পুন্সি হায়বসিদি কৃম্মৈগী কৃম্মৈ ঙাক্তনি।" মপুল্ডা পায়াবরা মানা সোই ভৌরবা সার্তিফিকেট অদু নুংশিংনা ফব ফব হুম্লমই।" নডনা নুংঙাইজগদবা থবক অমদি ঐখোয়না পীবনি।" মানা হায়বকই।

"প্রমোসন ফংবগীবা, তলব হেনবগীবা...।"

"নডনা খঙবপোৎ নত্তে।" মানা হায়।

ঐদি কনিসু থৌশাবমদে। মুবোপ্তা শোক্লনিবা লান অসি কুইগদৌনী, অদুগী মথক্তা লোংপোকলোমদা শোক্লগনি অমিনা অমুক্তা হেন্না কুইনা শোক্লগদৌবি। মসিদা ঐ, লোইবা ফাওবা যাওগদৌরিবনি। শাংব্রবা মঙমন পাকলোইবা নাইবোই; ভাবতকী খাঙবদা রাববা লৈঙেইগী লমদম কথা লোইনাইদনা শপোকখিনা মদুগা অমহান। অরাবা কযদু হৈনবক্তবদগী ঐ অমুক হন্না পাইববোমদা চৎখিগদ্রা '' মদুসু ওইবা যাই।

"দিল্লিদা অফবা বার-হোতেলনচিংবা লৈত্রা" ঐনা হংই। "ডাভিকোসু লৈ ইস্পেরিয়েলসু লৈ"-মানা খুম্লকই। "পুন্সি হাযবসি কৃম্মৈনিদা" ঐনা হৈনিংদনা হাযদোকখি-মতাক মোমোন নোকখি।

লম্বী মশাঙ অদু ঐ খোঙনা অমুক লাক্লমই। ঙাইহাক চৎলগদি হুমাং শৌবক্লে-শগোলগাবি, তোঙ্গা অমা কৌশিল্লি।

"ডাভিকো-চৎসি।"

ঐনা হেক তোংখৎপগা শগোল অদু কন্না চেল্লক্লে।

"তপ্না" দ্রাইভব অদুদা লাওই, মহাক খঙলমদে। শগোল শাজেনা, শগোলগী মনিংদা কনশিনবদা ঐখোয হেন্নদুম যাঙনা লাক্লে। অপীকপা; মথক যাওদবা গাড়ী অদুদা হকচাং অসি মওং তাদনা পংচোংদা চোংলে অদুবু বাব অদু যৌবকপদদি ঐহাক নুংঙাইবে।

"লুপা অনী, দ্রাইভব অদুনা হায়রকই। ঐহাক নৌনা লাকপা মীনি হায়বদু মানা খঙবা জাতনি। করম্না মখোয়না খঙঙিবা ঐদি খঙদে-মখোযদি হেক্তা খঙই।

লুপা অমা চৎপী নোট অমা খুৎ লাম্থোক্তুনা পীবদু, মাগী খুদোম্বী অনীনা

চপশিল্লগা, ঐনা মঙোন্দা অরানবা তৌরিবগুম য়েংদুনা লৈ। ঐনা বার অদু তম্না অদুম চঙশিল্লকপদা, শাউনিংবা মীৎয়েংগা লোয়ননা মানা ইতুং ইল্লকই। খোঙজিল য়ৌরমদাইদা মাগী দাবী অম' তানবগী মওংদা লাউবকই- "সাহেব!" ঐদি চঙশিল্লক্রে, পুক্লিংদা নুংঙাইতবগা লোয়ননা মরমদি মানা তৌরিবা চালা ক্রুদা ঐ শাউনিংলমই। অমবোমদা, মাগীদমক্তসু নুংঙাইবিদে মরমদি-করিগুম্বা ঐনা লাল্লম্বা থোক্লবসু; পুলিসনা মাগীদমক্তা করিসু একসন লৌবীরোই। অমুকখকসু; য়ুঙাওরবা সিফায় অনী গাড়ীদগী কৃমথপ্তগা পৈশা পীয়ু য়াদ্রবদা, গাড়ীবালা অদুনা শাউদুনা মখূৎ থাঙ্গৎলকপদা...পুলিস নুপা অমা হৈনিংদনা চঙলক্লগা মঙোন্দদুম চবাঙনগনু হায়দুনা চৈথৎপিখি।

ঐনা বার মনুংদুদা হেক চঙলকপগা, পিতরসু মারভিনগা লোয়ননা লৈমিন্নরম্বা থেংনরুরে, নুংঙাইবগী অঙকপা থৌদোক্লি... ঐখোয় কদায়দগী ব্বারী হৌসিগে হায়বা খঙনরমদে।

"খ্বায়দগী ফরবা বার অসিদা নখোয় লৈরমগনি হায়বসি ঐ ঙশাইনা খঙলবনি।" ঐনা মখোয়দা হায়রম্মী।

"মরমদি' সিদ ফংলিবসি খ্বাইদগী ফবা হুইক্কি নি।"

"নঙোন্দা ইহান হানবরা ?"

"ঐদি' সিদ লৈবা চয়োল অমা ফারে, ঐনা তৌরিবসি লুৎয়েন (Lutyen) গী থবক্লি, হায়বদি মমাংঙৈ য়ুবোপকী লুৎয়েন্দা চহী ৩০ চঙনা শোক্লখিবা লানগী মতমদুনি... য়াম' কুইরবোই খল্লি।" পিতরনা হায়রকই।

"ঐদি ঙসি অয়ুকসিদগী হৌরে.. তল্লিহে...।"

"সাবাস! নঙসু ঐহাক্কা মান্নে।"

"মফম অসি; য়ূম অমদগী য়ূম অমা য়ৌবদা লুপা অমত্তমক চঙই, অদুদগীদি চঙলুবা য়াদ্রে... ভাইসরোয়গী লৈফম্লি, নত্তগা কম্যান্দর-ইন চিফকী।"

"নঙদি শোয়দনা এয়ার মার্সেল ওইরনি," মারভিন্না হায়রকই। "অদুগা, শক্তি লৈবা; শেলসু য়াম্না লৈবা- য়ুএস কি ইন্দস্ত্রিয়েলিস্ত ক্লিজলরগুম্না লৈরনি... ন্যু দিল্লি অসি নঙগী স্বর্গ ওইরনি।"

"নাকল অনীমক্তা দালান পবেং লৈবিবা লম্বী মশাঙ অসিদি, পৱাব লৈবা ক্রীজলবঙাক্তগী ওইবা তাবেনে... অদুগা মার্বল দালানশিং অসিনা মতৌ মানবা; তৌশিন্নবা শিংগীবা।"

"মদু অচুম্বা রানি," পিতবনা হায়বকই।" ঐসু যাম'থুনা তৌশিন্নবা, মতৌমানবদি শাবনি।"

"নোংমা নত্ত্রগা নোংমদি, মদু ওইবা তাবনি।" এনা খুমই।

"হায়বীবর্শিনি: তৌশিন্নবা মী ওইদৌববনি ঐ হৌজিক ... জিমখানা ক্লব গী চৎলান.. নংগী চেচ্চম লোইশিল্লো।"

ঐগী গ্লাসতু লোইশিল্লে স্কাচ হুইস্কিনি: ঐঙোন্দা যাম্মা নুংঙাইগা ফাওই। শিমলাগী অচীকপা বাখলদু কাউথোকখ্রে, পিতব অমদি মাবভিনগা পুন্নবন্দসু নুংঙাইবনা লেপ্তুবা পিতব নুংশিবগুম্মা মার্বাভিনবুদি অদুক হক্তা নুংশিদ্রবসু ...। পিতবদি ঐগা লোয়ননা ইংলেন্দগী হি তোংদুনা লাকমিন্নব, ঐদুগী নখুম কয়াদা মমসু চঙলদা লৈমিন্নবকপনি। মহাক চহী কুন্দমক শুবী লাল তৌনে হায়নবকপা মতম অদুদা যাম্মা নহা ওইনা গ্রেনোবল যুনিভার্সিটি ফ্রেন্স তম্বা চৎখিবনি। খুন্নক লানগী চীংখায়নবা মতম যৌবকখি। অমঙা লৌশিন্দ্রিবা ফ্রান্সতা মহাক লাক্ববনি। মহাক্তি পিবেনিজ চাংশাংদসু নুংঙাইনা স্কি থৌদুনা শান্নবকখিবনি; মহাক্না যূমদা হল্লক্লগা এযাব ফোর্স যাওকনগা খনদ্রিবফাওবা। নোংমা মানা পিবেনিজ চাংশাংদা চৎলিঙৈদা, মাবু স্পেনগী শেমজিনবা ভিজ্রাগা লোয়ননা ফাখি, থা তকক জেলদা থম্মখি। মতম অদুগী মাগী নাকোংদা বেবা অমা লাকপদগী মাবু এবোপ্লেন পাইবা যাহনখিবে। হৌজিক্তি মহাক এযাব ফোর্সতা অবোনবা পাউ লৌশিনবা ওফিসর অমা ওই।

পিতব হায়না খঙনবা মহাক অসি; মী অযাম্বনদি আলজবনোন কৌগদবনি হায়নৈ; মানা পাম্না শেমজবিবা মকোয় অদুগী মমৈ অনীমক মথক্তা ইনখৎলিবা মওং অদুদা। মহাক্না মকোয়দা কয়াম পুক্লিং চঙজবগে হায়বগী প্রমান্দি- লন্দন্দা লৈবা মাওবিস (শম শেক্ষম অমা) তা য়াম্না তোয়না চৎখিবদুনি মাগী মকোয শেন্না। তুংদা; মাগী কোইনা ভৌশিল্লকদবা মতমদা মানা শেমগদবা

মওং অদুসু মতম অযাম্বদা খনজে । মহাক্তি ইংলিসকি মচুতাবা মীশক অমগী মওংদা ব্রাখল খনবা পাম্বা মীনি । মশামকসু ইংলিসনি । মা ব্বারী শাবদা য়াম্না হৈনজে-চিন্‌জাক অমসুং যুদা চিলহাওথিবা নুপানি । অইবা অমসুনি । হিবম অসিদদি মশাগী চহিগা চানদ্রবসু যাম্না ফজনা চৎথবকপা; অইবা অমনি ।

"ঈশ্বরনা খংগনি" বাফম অমদা মাবভিন্না খংলাও লাউবকই । "মফম আস যাম্না তুক্কচবা; অমোংপা অপুম্বা মফম নৎত্রো ? মঙোন্দা লৈবা পেন্দবা-শা [illegible]নংবা বাখল অদু [illegible]পাকখযবকই খোঞ্জেল নীকলকই । অঙকপদি নত্তে, শা [illegible] [illegible] থহুনম্ববনি ।

"[illegible]দা লাক্লিবা এসে মহা বুদ্দুনি" মানা মখা চৎথবকই ।

"[illegible]দাযদা লাকপা হাযবা ?"

"ইন্দিযাদাননে"

"[illegible] [illegible] [illegible]" [illegible] [illegible]ব্রাংমদা চৎপগী থবকসি, এযাব [illegible] স্ত্রদা কর্কাপযু হাযহৌদবনি যাম্না নুংঙাইতে"

"ঐ নাম্ব্লোকপাদ যাবম্বনি ।"

"[illegible] ।"

"ঐসে পাঙদবান মানা হাযবকই । লম্বী য়াম্না লৈবম্মী, পল্লেপফম [illegible] পবা ঐগী [illegible]লাসনা ঐবু লাংদ, থুহনবান ।"

"[illegible] [illegible] [illegible]দবান ।" [illegible]ঙান্দদি অকীবা ফংনা পেনখ্রবনি ম[illegible]ঙান্দদি [illegible] [illegible]ব্র ।

"[illegible] [illegible] [illegible]খিশি দু । ঐ খঙই, ঐ ওইববদি ইথম্ভা [illegible]শাযজনি ।"

"কৈদৌনুংদসু নশাবু কাপখাযজবোইদবনি ।"

"নঙনা হায়ানবদু চুম্বা কাবিনো..."

"অপঙবগী ব্রানি, পিতবনা মবক থল্লকই - মাবভিনদি মথম্ভা কাপ্তুনা শিজগদৌব্বিবনি ; নঙ মাবু পূক্লিং হম্বহম্লনু । হৌখিবা চয়োলদসু মথম্ভা শিজনি হাযদুনা ঐখোযদা তাকলকখিবনি । খৃ:কু:১৯৪২ জানুয়াবী তাং ২৩ পুং ৯.৩০

তাবা মতমদা গোবর্নমেন্ট বিলদিংদা, নহাকপুসু বার্ত্তন তৌবনি থোইদোক হেন্দোকপা থৌদোক মখল অদু য়েংননবগী দমক্তা ঃ ঐদি মাগী গুলি অদু নীংশিং খুদম ওইনা থমজিলহৌগে তৌবনি মহাত্মা গান্ধীবু জেল্‌দা থমজিনবা অদু য়ানিংদবা উৎপা ওইনা মারভিন বেন্টলি মথক্তা নোংমৈ কাফশিনজদুনা শিখিবগা গুলি অদু মশিমক্কি হায়দুনা।"

"নঙগী গান্ধীগা হায়দু হায়রক্কনুদা," মারভিন্না হায়রকই। "নমদুনা ঐবু হায়ফম খঙদনা হৈনদ্রবা মফম, ইন্দিয়া হায়বা অসিদা থমজিনবগী ব্রাকৎনি হায়বা..."

"ইন্দিয়াদি ফৈনা... নঙ লম অসিবু তশেংনা নুংশিয়ু।"

"চুম্না হায়রবদা, অচুম্বা মতাঙ লাকপা মতমদদি খাঙবা ঙমলোইদবা নত্তে। ফিভম ফিভমদুগী ব্রানি অকীবনি হায়নরিবসি। ঐদি য়ূম চৎলনি, মদু ওইথোকপা য়ানা লৈরে।"

"নঙদি বোম্বে চৎতৌরিসিদি, শিতরনা হায়বকই, নঙদি হৌজিক ফাওনা মদু খঙদ্রিনে ; খঙঙব্রো নঙসু মাইকেল ? ঐখোয় পূন্নমক চৎকদৌরিবনি; ঐ নঙোন্দা তমগে হায়দুনা ঙাইরিবনি ।"

"নঙদি করম্না খঙলিবা ঐগী মরমদা ? ঐনা হায় ।

"ঐ চয়োল কয়া চূপ্না থৌরাঙ তৌরক্কবনি; নঙগীদমক্তা মেদিকেল বোর্দ অমসু ফমগদৌরি ।"

"ঐগী মেদিকেল বোর্দ ফমগ্রেনা ।"

"অদুগা নঙ হৌজিক্তি লৈখাদা লৈরবা নৎত্রা ? মদুনা ফৈ, নঙ হৌজিক বোম্বে চৎতৌরবনি ।"

"বোম্বেদদি করিগী ?"

"ফজবা মফমনিদা... তাজমহল হোতেল লৈ ; জুহু বীচ লৈ ; খ্বাইদগী শকহেনবীশিং নঙনা উদ্রিবা কয়াসু লৈ। ঐখোয়না চৎতৌরিসিদি মখোয় অদুগী ওইনদি নত্তে-হে। ঐখোয় ; জাপানীজ লোল তম্লুগদৌরিবনি খঙঙব্রা ?"

"ঐদি হিন্দুস্থানী লোল অমফাওবা খঙবা ওমদ্রি" ঐনা হায।

"ঐ তাবেদা; নঙনা ধোবীগা হাযবা বাকসিস কা হাযবা; ফবেনে, নঙ ঐগী ৱাখল হন্থহনগনু। ঐদি নঙসে লোল য়াম্না খঙবা নুপানি হায়নসু ঙসাদ্রোন লীদবদা হাযকুবর্বনি। নঙদি তম্বীবা যাওদনা সার্বিযান লোলসু চয়োল অহুমদা লোইনা খঙদোকই হাযকবে ঐনা।"

"সার্বিযান কৌবা লোল অমা লৈ হাযবফাওবা ঐ খঙদে।"

"স্বরাদ্রোন লৌদনদুসু খংলোং নত্তে - নঙ খঙভি হাযবদুদনে মানা নুংঙাইজবিদো. ঐনা হাযজিনবনি হেক্তা হাযযু নঙসু ; নঙগী ইকায থিবা ওংদুদা মানা নংবু তেন্না পানগনি। ঐখোয জাপানীজ লোল তম্বদা নুংঙাইদৌবীপোংনিদা; মার্বাভনসু খঙগুদি ; ওম্বোক্লা নুংঙায়জবনি।"

"অঙুকপদা নুংঙাইনি মদুদি" মাবভিন্না হাযবকই।

"হৌজিক্তগী তৌনা ভাবনা নুংঙাইববা নংত্রো ?" ঐনা হংজিল্লি।

"বেবা লৈতে ; ঐঙোন্দদি চপ মান্নে মতম মাঙহনবা ঙাক্তনি।"

"লাল অমা তৌবিসিদি. .?" ঐনা হায, "মী যামগ্রপোংনিনে মতম মাঙনবিসে।"

"অদুম্না শন্দোক্লনুদা।"

"নঙসু ওইজবা পিনু।"

"ঐদি ওইজবা থিবা নঙনা কনিগুম্বা অমত্তা তৌশিন্নবা লৈতে, ঐদি লাল অসিদা পূক্লিং চঙদে।"

নঙবু যূমদা কবি তৌকদৌবীনো মদুসু মতম মাঙহনবা নংত্রো ?"

"হিংঙুনি ; সিদা তৌবির্সিদি হিংবা নত্তে-মী লোযনা অশিবা ঙাক্তনি"

"নঙনা হাযবিদু লাল্লি- মী খবদি যূমদা লৈবদগী সিদা লৈবসিনা হেন্নদুম হিংবগী মশক থোক্লবি।"

"ফবেনে মদুদি চানিংবা যেন্সাং হাউই হাযদুনি।" মাবভিন্না খুম্মী।

"জাপান মবোল তম্বসিদি নুংঙাইনিহে, পিতবনা হাযবম্মী- "চহী

অমরোম চঙবা য়াই । ঐদি মতম পুম্নমক্তা অঙাং ওইনিংবগী ৱাখল লৈজে, স্কুলদগা চৎপা হায়বদু অনৌবা খোংথাং অমা চপচানা ওইনি । ঐখোয় ছুটি অশাংবসু ফংলনি; য়াম্না ৱাগদবনা... অমবোমদদি ঐখোয়গীদমক্তা নুংশিবিদুনা মফম অমা পিবীবকপনিকো । মাথা লৈবা মী অদুতনি জাপান মবোল হৈগদবা। পূক্লিং অসি নোংপোক মাইকৈদা ওনবা তাবনি ; নোংচুপ্তা ওল্লগদি মথক মখ ওন্নবা ৱাখল তাগনি ।"

"কৃশ্মে অমদি ওইনিহে ... মদুগী মতুং কমদৌবা ?"

"নোংথক্তগী জাপানীজ অমা কাপথদ্রিবফা ওবদি ঙাইবা তাবে , অদুদগীদি মমিং হংবা য়াবে , কদায়দগী অকনাবা লান লাক্লদৌবীনো হায়বা ..."

"লানবুদি হান্না লাকশ্নেনা... ঐনা হায়বশ্মী । ঐখোয়না বম্মাদগী নাপ্থোবকপদু মদুননি হায়বা নত্ত খঙদ্রে ?"

"ফবেনে, অদুদগী জাপানীজ অদুদা মখোয়গী কদাইদা অশোনবা মফম লৈবগে হায়বদু হংবা য়াবে । ঐখোয়দা কাবিসু অশোয অঙ ম খোক্লোদ ঙাক্তনি, মরমদি হংগদৌবিবা মফমসি ঐখোয়গী হেন ক্কার্টবসদনি; গুপ্ত অমা শক্তি তৌদুনা লৈগদৌবীবনি ।"

"জাপানীজশিংদি পেবাচুক শিক্কিল্লদ; ঐনা হায়বশ্মী । ... নোংথক্তগীদি জাপানীজ অমত্তা ফাবরোই ।

"মদুননি মখোয়না ঐখোয় খবসু ত শ্লাগদৌবব'স...।"

"হোয মদুসু চুম্বা মাপ্লি ।"

"ঐনা হায়বিসিনি... লান অসিগী খ্বাইদগী ফবা থবক্তি মর্সিনি ।"

"অদু ওইবদি, নহানমখে ঐনা ঙাইজবক্লিবা থবকসু মশি ওইবা তাবে।" ঐনা মখা তারশ্মী ।

হুইস্কি বাউন্দ অমা লোযশিন্নবগা ঐখোয় মফম অমদা চাক চাকসি হায়দুনা হোত্তেল (বার) অদুদগী লাক্লে। মারভিনসু মাগী খোংত্রাও পোকেট অনীদা মখুৎ অনী হুমজিল্লগা, মবেংজুম ফল্লপ্ তৌরদনা ; ৱাফম অমদা ৱাখল তৌনা



লাকমিন্নবমই। হৌখিবা অমুং অদুসু মহাক্তি ; মাগী মখৈ বুস সার্ট অদু লিংনা লিংনা অদুম তুম্নবা মাল্লি। জাহাজগী কা মচাদুদা ঐখোয় পুল্লপ সিলোন ফাওবা লাকমিন্নবা মতমদসু মহাক্তি জাহাজগী মচাদুদা অযুক পূং মঙা তরুক ফাওবা কোইচং চত্তুনা অদুম লৈবনি। চুরুক্তসু অমা লোইব-অমা চন্ন লেপ্তুনা অদুম থকই, অদুদগী দি জাহাজগী ফমুং মচাদুদা খোংউপকা অমগা লৈথোক্তুনা হেক্তা ঋান্থবগুম তূমই। মহাক্ত কলাকাব অমগী মচৌবা শখল চেনবা মীনি; অদুবু কলাগী ফজবা পোংথোক অমা পুথোকপা ফাওবাদি মশাগী ঋাখল শজিন্নখিদে। মাদি মীগী পূক্লুং চিংশিন্না ঋাল শাবনা হৈনা পত্লে। মেক খোংপা অমসুং ইবদগীদি; মদুনা মঙোন্দা ঋাদবা হৌল্লি। বা ভাঙ্গব ফবদুনা; চেলশিযাগী লাইবিকয়োলফম দুকান্দুদা মহাক মশামক মহৈয়াল্লকপা মীশক্লি।

মতুংদা ঐখোয় চাইনীজ বেস্তোবা অমদা চাক চাবে। যু পীখ্র হায়রুবদা হোতেলগী মী অদুনা হায়রকই - "ঐ, যুদি পীনি অদুবু নুমিৎযুংবা মতমসিদদি নখোয় যাম্না ঋানি ; অদুনা থকউ হায়নিংদে।" মাগী ঋাদু যাম্না ফজবা ঋাফম্লি হায়বা ঐখোয় লোইনা খনখি। মতুংদা পিতবনা ঋাশকখি "নুংশা শাবকপা নুমিৎযুংবা মতমদা শুকথক থক্রুবোই।" থাওদা ভৌথোক্লবা চাক অমসুং নুদলশিংদু. ঐখোয়না ঈশিংগা লোয়ননা চাশিল্লে, থকচিল্লে। নুমিৎ যুংবা মতংদা ঐ, হেদ কার্টবসদা চৎলুই। অবোনবা ঋাফম শুবা সি-আই-দি ওফিস অদুগী মনুংদা ঋাদ্রোন লীদব অদুগা উনবে। মানা ঋাফম কয়া হংই। ঐস চুম্না চুম্না হায়দোকচৈ। ঐ, সার্বিযান লোল কবিসু খঙদে হায়নসু খুমখি অদুবু ফ্রেঞ্চ অমসুং স্পেনিস লোল দি খোয়না অকবা ওইদে হায়নসু খঙহনখি। লোল অনীসিদা মহাক্না ঐঙোন্দা ব্রং-ব্রং ঙাঙলমই। ঐ, পোলিশ লোলসু খবা খঙই হায়নসু মঙোন্দা হায়দোকপগা লোযননা বসিয়ান লোলদি খঙদে হায়রুবা অদুমদি ঐঙোন্দা লায়বকফবা ওইখি।

"নঙ জাপানীজ লোল খঙনিংব্রা ?" মানা হংলকই।

"ঐ, খঙনীংই নত্রগা খঙনীংদে হায়বগী ঋা কবিসু লৈতে।"

"জাপানীজ লোল তম্বদি অঙাওবগী লায়েংশঙ য়ৌবগী অশম্বা লম্বীনি হায়নেনে।"

"'অশম্বৰুদি য়াম' লৈদা।" ঐনা খুম্নই।

মমাঙদা লৈৰম্বা বিজিস্তৱ অদুগী চেনাদা ইবিবা মিং মযাম অদুগী পবেংদা ঐগী মিংসু হাপচিন্নখি।

" নিংথৌকাবদগী তম্বা হৌগদৌববনি " মহাক্না হায়বম্মী। "নঙগী বেল তিকেট লৌশিল্লুবা যাবে ; হযেং অযুক চৎখিনবা।"

(৩)

দিল্লি অমসুং বোম্বে, অনীগী মৰক্তা লেৰ ভাবতকি লমদম অসি দ ঙমগা অমগা ইমান মান্নবশুম তৈষ্ট, যাম্না যজল্সু ওইদে। নুংশানা যৈবদা কংশিল্লবা লমহাঙগী অযাম্বা শককু অদু যাম্না শাওবং পেবংনবগুম ... অতিযা অনীগী তাইনফম মানবা, লাপ্না উবিবা অপাকপা, অহাঙবা মসম অদুফাওবা চৎখিবা মাল্লি। তুবেল কযাসু ইনৈ নৈনা চেল্লি, হৈনিঙদনা উই। মনাদা উফুল ইচু চববা, অনেম্বা তিংখং পানবা পান্নীশিংনা শাববা লমহাঙ অদুদা ব্রাংখৎনবা তোৎনবি। বেল গাবী অদুনা খান্নু খান্নুবা স্তেসন খুদিংগী, ঐখোযগী পুক্লিংদা ফাওবকপা বাখলদি মফম মফমদুদা কমথবগা খোঙনা কোযচং চত্নুনা যেংনংলকপা অদু নত্তনা অতে বাখল অমত্তা পোকখিদে। ঐখোযনা লেপ্লুবা স্তেসন অমদদি ধানাপুব, হাযদুনা ইদুনা থেৎলম্মী। লম অদুগী মাম উকবদা, ঐঙোন্দা নীংশিংলকপা অমদি- মতম অমদা; হার্যাববা স্তেট অদ গা নাবাব অমা ইংলেন্দা ঐহাক্না স্কুল তম্মিন্নবকখি, অদুবু কবিগীনো খঙদে-মহ ক এটন কলেজদদি লাকখিদ্রে। মতম অদুদা ঐনা খনখি, মহাক্কী লমদমদি অশং অমালনা থল্লমগনি, জঙ্গল ঙাক্তা লৈবমগনি- মবমদি মহাক্না ঐঙোন্দা কৈ কাপ্পগী মবমদা যাম্না তোযনা তোযনা পনখি। হৌজিক ঐখোযনা ফাওবক্লিবস লমদম অদুদনি। কোন্না খঙলকই, মানা লৈবাক ঙাকলিবসিদি-ফজনসু খুজিল থৌবাঙ তৌদনা, শাববা লৈঙোয়লম অসিদা হয়িং খোইগী অমনবা খোইবা মান্ন মচাই-মচাই তাবিবা খুঙ্গংশিং অসিনি হায়বদু। অদুম্নদি ওইবগা, ঐনা ত্রেন্দগী উবকপা কোনুং অদুমদি মতীক মঙাল লৈনা ফজববা যাম্না চাউববা

দালান অমনি। ত্রেন ইন্সপেক্টর অদুনা ঐঙোন্দা হায়- "নাব্বাব অদু য়াম্ন ইনাক খুল্লি, অদুনা ভাবতকি মরু ওইবা; অচৌবা মীওই কয়াদি মহাক্লা তত্তনা পীজ-পীথক তৌদুনা নুংঙাইহল্লি, অদুবু নাব্বাবগী নুপীদুদি চেকশিন্না পর্দাগী চৎনবীদা মতম অয়াম্বদা মপান থোক্তনা ইমুংদতা লৈ" মানা মখা তাবকই- "নোংমদি নুপী অদু ত্রেন তোংদুনা লাকপদা, মপান্দগী মাবু মীনা উপমগদ্রা হায়না ঐঙোন্দা হংলকপদা ঐনা, উবা যাবগী ওযথোকপা লৈতে হাযকবদা নুপী অদু মশাগী মমাইদা কুপলিবা ফুর্বিং অচোনবগী শরুক অদু হাইদোক্লগা চুকটে অমা চমদুনা থকই"

ব্বর্বী অদু মবক থৎনা মানভিন্না হাযবকই "নছসু নাব্বাব অদুদা চিঁথি ইখো মানা লাকপিযু হাযবক্লনা... অদু ওইর্বদি নঙ নুং ঙাইবোইদ্র' ..." মহাপাঙ অমগা উনবগী ব্রাফর্মাসসু মক ওইনা শনগদবনি "

"ঐগী ফি-্যেস অফবগা অমত্তা যাওদেদা, মহাক উনবসু মরু ওইবা অচৌবা থবক অমনি অদুগা নোংপোকলমগী কোনুংশিংদা লৈবিবা চৎনবেসলসু ঐদ অমত্রা পঙদ্রি।"

" অস মদুদি অবাযবনি, মানা হাযবকই - মবম কযাদা মখোযনা ঐখোযবু ফজনা অদুম তৌবিদুদি ...।"

"ঐ নাব্বাবকী মফমদা চিঁথি ইগে হায়নদি খন্দ্রে, বোম্বেদা যাম্না তৈনিংলক্লবা মতমদসু ইববোই । কবিগুম্বা ঐখোয ছুটি অশাঙবা ফংবা ভাববদি ঐদি চীংদা (সিমলা) চৎপনদুম হেন্না পামজে ।"

ত্রেনগী কম্পার্টমেন্ট অদুদা তোংমিন্নবিবসি ঐখোয মরীনি : হেক থৎনবা কন্দা অতোম্বা ভাফসব অহুম অমসু তোংলি । মখোযসু বোম্বেদ জাপানীত্ত লোল তম্না চৎলির্বনি। মখোযগী মনকতগী অমদি ফ্লাইট লেপ্টনেন্টনি। ঐখোযনা দিল্লি স্তেসন্দা লৈবিঙেদসু যাদি ঐখোযগী নাক্তা চঙলকই, মথৌ ফজনা খঙবা; উনবদা নুংঙাইবা মীতানি। মহাক হিন্দুস্থানী খঙই হাযবসি উৎথোকপা ওইনা, দবকাব লৈতনা পোৎপুবশিংদা হিন্দুস্থানীদা হুকুম তৌই । ঐদি খুদক্তা, মাবু কয়া তৈনদে, অদুবু ঐনা খল্লুবিবা অদু অবানববা হায়বদুদি পিতরনা ঙাঙথোবক্লিবা ফাওবদি খঙলমদে।

"নুপা সিগী মরমদা ঐনা ফত্তনা খন্দনবা হোৎনবদি খবা ৱায়"

"মাদি যাম্না কন্না, ঐখোযগা দ্রো-দ্রো তৌননবসু হোৎনবী" ঐনা খুম্মী।

দাবা অদুদা তোংমিংবিবা ঐখোযগী মবক্তা মবীত্তবা নুপা অদু মাবিও ভার্গাজ কৌই। অচৌ অশংঙা [illegible]-শাদা মানবা, যেংবদা ফজবা মীশাঙ্গ। মহাক লাণ্ডিনা মাওহৈগী ম[illegible], [illegible] লিংবা পা-শিং অদুদ, নুপা [illegible] [illegible] [illegible] মচা[illegible]। ইংলিস ম[illegible] [illegible] [illegible], [illegible] মদুনা [illegible] অনবা [illegible] খন্‌হৈনবগা [illegible] ফংহল্লে। [illegible] মহাক অসি [illegible]দগী হাম্না উন[illegible]

"[illegible] অচৌবা মীশক অমনি," মাবাভন্না থাজনা হায়বকই। ঈশ্বরনা [illegible]পানবা লমদম অসিদা, [illegible] [illegible] কয়াগী মর[illegible], মহাক্না স্বাইদগী ফবা মীনি।"

"[illegible]" [illegible]।

"মা থাদুনা, মেনেজর কৌহনবা ভগ্না নাশিংগা মরক্তা মহাকসু অম[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] যুম অমদা মহাক লৈরম্মী। যুম মপুশিং অদুনা, [illegible] [illegible] মহাক [illegible] নুপীদগা [illegible] খংনখি। মহাক চংলনি [illegible] কান্দা, নুপী অদুনা মাগী পযশা হংদোক পাখদে। অদুদগী মহাক্না, [illegible] অদুদু [illegible] [illegible] পূম্নমক লৌথোক্লগা মাগী সুট কেসতা হাপাচল্লে অদুগা [illegible] [illegible] নাইদা হোত্তেল অদুদগী অদম চৎখ্রবনি।"

"অতে, মহাক্কী অতোপ্পা মগুন্না করি ?"

"মহাক মী অমনি;" মাবভিন্না হায়বকই। "পূকচেল শীকপা, নুপা ওইবগী মথৌনা চেন্দবা; মী মচা নত্তে মহাক্তি।"

মারভিনদি মতম পূম্নমক্তা মীগী লমচৎতা থাজগনদবনি; অদুবু মতাঙ অদুদদি, ঐসু মানা হায়রিবদু য়ারম্মী। ঐনা খঙলকপা মী কয়াগী মরক্তগীদি মাবিওনা খ্বায়দগী ফজবা; মক ওইনা মহাক্না মরৈ লোম্না ৱা ঙাঙবা মতমদা

খপলকপা মিৎকি পা-শিং অদুনা য়াম্না বাশি লৈনা ফজহল্লি। মঙোন্দা অফবগী মখল কয়া যাওই। নুপীশিংগী মফমদদি মহাক, অঙকপা ফংনা মহৈ য়ানগনি, অদুবু মাদি মহাক্না খুদুম চনবা ঙম্বা কযাগী মফমদা ব্রা ইঙাঙ ঙাঙগন্দে।

ঐখোয়না [illegible]ংলিবা দাবা অদুদা ঙাইহাক পোৎথাক্কবা যাবা মাঙ্গোন [illegible] মপানগা [illegible] যাওরে। ফার্স্ট ক্লাসকী কা অদু মবাক চম্বী। নাকল অনীদা, হাপ্লনবা থাক [illegible] অনা-মবা যাউই। ঐগী পাওখোল্লোই- বাহাদুবদি, [illegible] য়াওদে। স্তেশন খুদংমক্তা ত্রেন হেক থাম্বগা, [illegible] প্লেটফোর্মদা চেল্লবই, ঐগা নাক্তা লাক্লগা অশোয অঙাম যেংশিল্লে, [illegible], [illegible] থাক্লে হাযবর্সিনি মহাক্না চেকশিনজবিবা। [illegible] দাবা [illegible] থাক্লগা ঐগা পোৎশিংদু মফম চানা চানা লোইশিল্লি। [illegible] যনা, ত্রেনগী [illegible] কান্দা চক চাবা চৎখ্রিডৈদা, যুমশঙবদা [illegible] নুংশিনবা হুই অমম্বা ঐখোয়গী পোৎশিংদু শঙ্গৌই। ঐখোয়না হল্লকপদা [illegible] তবা [illegible], [illegible] কায়নববগা চপ মান্নে। তশেংনা হাযববদা [illegible] স্পোর্টসমেল হুই [illegible], তবাওবদা [illegible] ফং হাযনবা মমৈ পান্দে হাযনর্তনি।

চাক চানবা হল্লক্লগা, ঐখোয় [illegible] (পোকন) অমুক শান্নে। সুটকেস [illegible], মবাক্কি [illegible] চিংশিল্লগা, নাকল নাকলগী অশাংবা ফম্ফম অনীদুদা [illegible]। [illegible] মচোযবা মবাঙ কাযনা যাওবাননা, ঐখোয়না [illegible] থানবা [illegible] মখায, মখাযদগা লুপা অর্সিনি। পিতবদি [illegible] থাঙ্গৎনা [illegible], মাবাভান্দ যাম্না চেকশিন্না পোন মাবগা মান্নবা [illegible] অমা থাদবশিনা হাযনা [illegible] খল্লিইডে অমদি মীগী মথূৎ যেংলিডৈদা ঐখোয মাবু হেক তেক ঙাইদুনা লৈ।

শান্ন-শান্ননা অশুম লাকপনা, ত্রেন অদু স্তেসন অমদা অমুক খান্নে। থুমোক অমদা লফোই কমলা পীক থন্না হাপ্লগা নুপামচা অমা কাখৎলক্লে, মশক ফজে নোকপদা মমিং নুংশি। ঐ, মাগী হৈশিংদু লৈনীংবনি ; অদুবু হান্না যাম্না লৈশিল্লুবে। মানদি ঐঙোন্দা লৈননবা তকশিল্লকই।

"লৈববোই- যাবনি নঙবু থাগৎচবী।" ঐনা হায়।

"য়াম্না ফজবা হৈনি- সাহেব, য়াম্নসু ফবনি সাহেব।"

"ঐ অমত্তা পামদ্রে।" ঐনা অমুক খুমই।

"অফবা কমলাঙাক্তনি সাহেব।"

"ফরসু ঐ লৈররোয়।"

"য়াম্না হোঙবনি সাহেব।"

খুদক্তা মাবভিন, ফৃক হৌগৎলক্নুা মখূৎ অদু, অঙাংদুদদি থেংদনা মমায় মপাদা হুমজিল্লগা লাউবকই-

"হেই... ভুট মচা নঙ মপান থোকখ্রো, নৎত্রদি নঙগী অপোঙ্বা নঙকশম অদু থুদেক্কনি।"

কিববা শা অমগুম, অঙাং অদু মমায লৈথোক্লগা শৎ মাঙখিবমই।

"মখোয় অসিদি অশুম তৌনা লোয়নগদবনি" মার্বভিন্না হায়রকই, মগাক নোকসু নোকই। "মখোয়দগী নাম্থোকপা তাববদি মসি নৎত্রদি য়াবোই"। মারিওনা মখা অমুক তারকই- "অতোপ্পা উপায় অমদি হেক্তা কাপখাযবা।"

"নঙ মানা চৎখিবদু উহৌব্রা ? ঐনা, হেই-ভুতমচা, নঙ থোকখ্রো হায়বদুদা।" নীংশিংবদা মহাক মথক্তা নোকচৈ মখোন থোক্ত্না।

"অদুম তৌরগতা মখোয়বু তানথোক্কদবনি।"

"নঙদি নেগ্রো ফবা নুপানিনে।" ঐনা হায়।

"মদুনা মঙোন্দা চপচাবা।"

"মা থাঙ্গেশেংনসু কিখ্রবনি।"

মাবিওনা অমুকসু নীংশিংদুনা হায়বকই- "নঙগী নঙক অপোঙবদু থুদেক্কনি।"

"নঙনা করিগুম্বা থুদেক্লম্বা থোক্লবসু ঐ ঙকতি ঙক্লরোই।"

"হে-রা নঙসু, অপঙবগী ব্রা- ঐনা তৌশিন্নবনিনে।"

"অপঙবা হায়বা ?" ঐনা অমুক খুমই "নঙদি, নব্রা লৌদবা, চপচানা তৌশিন্নবা নুপানি।"

"ঐগী শিনফম নত্তবা থবক্তি, ঐ শুকতৌ তৌদে।"

"মতম চুপ্পদা নঙদি, বৃটিশনা নৈহৎপীববা লাযববা ভাবতমচাশিংগী মবমদতা য়া ঙাঙই, অদুগা নশাসু বৃটিশ সাম্রাজ্যবু অদুক হাক্লা যানিংবা মীশক্তি নত্তে।"

"নঙনা হায়বিদু য়াচোয শাক্তনি" মহাক্না হাযবকই। "মীওইশিং অসিগী মফমদা, শাওশিন্নদ্রর্বাদ, মখোযনা ঐখোয়বু য়াগল্লি।"

"ফবে মদু তোক্লসি, হৌজিক ঐখোযনা শান্নবিবা পোকব সিনা কম দৌবরা?" পিতবনা শান্নবিবা তাস অদুগী মবমদা হংজিল্লকই।

মার্বভিন্না খুমলকই "ঐদি হের্নাজন্না মাঙবা য়াদেকো।"

"নঙদি পকচেল পীকশিনবনিনা তেক্তা মাঙই।"

"ঐদি কাংকী [illegible] অস [illegible] শুকপ য [illegible]।"

"ঐসু শুকপায [illegible]।" মাবিও-না হায়বকই।

"[illegible] চালাক [illegible]শিনবা যম্মা লায।"

"Ah C'est Mario qui blague"

"[illegible] অমুক হাযয্।" ঐনা মবক থংলি।

"ঐনা জাপানীজ লানফা শিংদা ইহান হান্ন হংগদবসি- "নখোয ইংলিশ [illegible]"

"নঙ, মদ [illegible]কত্ত হংলোই।" পিতবনা হায়বকই। নঙনা মখোযদা [illegible] দবদি "[illegible]।" অসিনিনে।

জাপানীজ লানর্মিদা চৈগদবা বাঙাঙগী ম ওংদা মার্বভিন্ন মবৈ কোনশিল্লপ [illegible] গা অমুক হাযবকই- "হেই নাপু মচুগী ভূতমচা নখোয"।

"মখোযগী মথক্তা লৈবা অচৌবা মী অমবা হাযনা খল্লুবেহে নঙসে।"

"চানবিদুনা ঐগী য়াহৈশিংসে শেবান্নমা অর্থ হনবিনু, ঐ মখোযগী মথক্তা লৈবা মীদি নৎতে।"

"নঙদি মখোয়গী মরাল য়াবীবা মী ওইবা তারেনে।" ঐনা হায়।

"মতম পুন্নমক্তা নঙনা, মখোয়গী মরমসে চুমহন্নবা হোৎনৈ।"

"ঐনা কনাবুসু চুমহন্নবা হোৎনদে, ঐখোয় ইশাবুসু হোৎনদে অচুম্বগী মরম থিদোকপা হায়বা ঙাহৈসে ঐ শীজিন্নবা ঙমদে। মসি লাল্লি, মদু চুম্মী হায়দোকপদা ঐ মতীক চাদে, নঙসু চাদে। কুশি তৌনা, মী অতৈনা মশা মশাগী ওইবা ঙাখলগী থাক অমদা অচুম অরাল ফোঙদোক্লবসে ঐ শুকয়া য়াদে নঙসু য়াদে। ঐ ইশাগী লমচৎতি ; ওইরক্লিবা থবক অদুদা য়ুম্নফর্মনি ; ঐনা হেক ঙন্নিবমখৈ খুভম চেৎনা লেপ্পা অদুনি। মদুগা চপ মান্ননা, ঐনা লাল অসিবু কনখৎপগী মরমদি জর্ম্মন অমসুং জাপানীজশিংবু মায়থীবা শীবগী খোংথাঙ অসিনি। কবিগুম্বা ঐখোয় মায়থীরবদি, হান্না ওইবম্বা মতমদগী হেন্না ঐখোয়গী পুন্সি খুদোংচারোই। অদুনা ঐখোয়গী মবম্না চুম্মী য়েক্রুবগীনা লাল্লি হায়বা ঙাকমসিদি নাকল অমত্তগী ঙানি, ফত্তবা ঙাখল ওইগনি, ঐদি হেক্তা হায়বা ঙমদে।"

"নঙ, এয়ার ফোর্স করি মবমগী য়াওরুবীবনো ?" ঐনা মাখি ও-দা হংই। "ঙমদনবা য়াওরুবিব্রো ?"

"ঐনা মীঙোন্দা হায়খিবদি; করিগুম্বা লাল তৌববদি য়াওনি" অসিনি।

"ঐনা হায়খিবদুদি ঙাকপা তাবা।"

"নঙ- ইস্তোরিলদা লৈহৌবী লৈশাবী শিংদুদসু হাযবগ্লো ?" পিতবনা নাকল অমদা অমুক থৈদোরকই।

"মহাক মচিন থীবনিদা ; মাবভিন্না হায়বকই।" মহাক্তি চাম্মদা চাম্ম ফিদম্নফম ওইবা মীনি।

"মদুদি নখোয়না; ঐগী মাইখোঙদা মানবগী ঙানি।"

"ঐদি নঙনা হায়রিবশিংদু থাজদে" মারভিন-না হায়বকই।

"নঙ হয়েংমক পোর্তুগাল চৎখিবসু য়ারেনা, নঙনবু পাম্মদি।"

"নঙ এয়ারফোর্স য়াওগনি হায়রগা; পাম্মক্তে হায়দুনা লানফম ময়াইদগী চৎখিবদি য়ারোইনা... ।"

"নঙনা করিগুম্বা ঐ ওইবম্বা তারবদি ঙমগনি," মারভিন-না অমুক হায়বকই "ঐদি কবিসু ইকাযরোই, হেক্তা চংখিনি। ঐনা মখোযদা হায়দৌবিবনি; এযাব ফোর্সনা কবি তৌবা ঙমগানি হায়না। মদুনি ঐনা তৌদৌরিসে, ফবে অমা ওইরে অমা ওইবে ঐদি নানথোক্কদৌরী।"

"নঙদি অদু-তা হাযদুনা লাক্লবনি থা কযাসে।"

"লাম্মী ওইবমবদগী নানথোকখিবা মী কয়ামকম ঐনা খঙই। মখোয ব্রাখল চোইববা ঙাক্তনি। অর্মাদ, অঙাওবা লাযেংশঙ যৌখি। কনানো অমদা মোংশোংনবী চোংথোবকপা মী অমনা; মবম অমদবু ওইববসু মাবু ফিভম ংগম্ল হাযখি হায। মমৈথঙদদি মতাক অদু মীশক অদুগী ফার্মদা থাবখি। নংঙন্দা তৌবিনকখিনা মওং নযাদু পন্দুনা মতাক লাইনিক অমা হৌখি, অদুবু পব্রসন অমওনা মাগী লাইবিক অদু শোকখিদে, ঈ শাগংলি হাযদুনা।"

"নঙগী ব্রাখল শোয়বে হাযবসি কন অমত্তনা যাদবা ঙমলোই।"

লাল অসি লোইবগদি এখোয লোইনা অঙাওবা ওইবগদবনি, পিভবনা হাযবকই। "মহৌশাগী ওইদবা অসিগুম্বা ফিভম অসিদা নঙ অমুক হিংবা ঙম্লরোই, ঙাওদুনা চংশা তাবনি।"

মাবিও-না ব্রাফম পুম্নমক থৈদোক্তুনা হাযবকই- "অস ! নুংশাশিত্ত ! হুইঙ্কানা হাওত্রিবা ! মহৌশাগী অমত্তা ওইদ্রে।"

"মশিনি কনাগুম্বা অমনা ভাবতকী মবমদা খম্নবম্লিবসি; ঐনা হায। ঐদি মতম পুম্নমক্তা হাযজবনি ঐগী ভাবন্তি শেম্নগনি হাযনা; হৌজিক্তি নখোয খিভম অসিদা কযাম উপায লৈত্রবা... ।"

"ঐখোয বম খবা থকসিনা" মারভিন-না অমুক হাযবকই।

মাগী লিক্লি অদু মথঙ মথঙ লাল্লি। ঐখোয লোযনা মহি অদু থকচিল্লে। ঐগী চাকখাওদা মহি অদু য়াম্না শানা য়ৌবকখি। পিতবদা যাওবা চুকট খবা অদু থক্লা থক্লা ঐখোয, নোংয়াইগী মতম ফাওবদি দাবা অদুদা ফমখি, অমসুং ত্রেন অদুসু মখোল হৌনা বোম্বে য়ৌনবা চেল্লি। অদুগী তুংদা ঐখোয়; তৃম্ফম ফম্বাক শিং অদুদা কাখৎনরে। ঐ নীংশিংলি- ঐগী কোক্কি য়েৎ থংবা নাকল ওইনা

শিলিং মথক্তগী হুমথবকপা পাংখা অদুগী মখাদা ইমম মম্মা হিপ্লগা; ঐবু মফম অসিদা কবিগী লৈবিবনো হায়না ইথল্লা ওক্লা খনজখিবদো... । পৃথিবী অসিদা মী লাখ কযা লৈবিবনি; অদুগা ঐনা দিল্লিদগী বোম্বে ফাওবা চেল্লাক্লবা গাড়ীগী দাবা অসিগী মথকথংবা ফম্বাক্তা হিপ্লবা । অশুম্না ঐহাক জাপানীক লোন তম্লনবা বোম্বেগী খোংচৎ অসিদা লাক্লে ।

ঐনা খল্লকই কয়াদ মবীং মবাংবা হ্রাখলনো, কৈদৌনবা এক ক ধানাপুবগী নাবাব ওইনা পোকলমদ্রিবনো "... ঐ নাকলদা চেপথোক্লমই অদুদগীদি তৃমখ্রমানে ...।

(৪)

ঐখোয ইবাযগী নুংথিলদা যৌবে। অদুগী মতুংদা ঐখোযবু, বোম্বেগী মতাইদা লৈবা যুনিট অমদা থাবর্মী।

মফম অদুদা লৈবম্মা বেতালিযনগী অদজুটেন্ট অদুনা হাযবকই- "ওহ নখোয জাপন্বালা শিংদুবা মত্রৌদি মাল্লিহে।" অদুদগী ঐখোয হাবিসন স্ত্রিত-তা লৈবা হোতেল অমা যৌনবা ত্রক অমদা লাক্লে। মিস জেক্সন কৌ শ নুপী অমনা হেতেল অদু চলাইর্বানি। মহাক এংগ্লো ইন্দিযান্নি ; চহী কুপ্পাবোম শুবনি; জিযু নুপীগী শকওইর্নি। শাওং শাবান ফজে থোংনা নৌনা উবা মশক অদু, অহেনবা ফতবগী চাংদি হন্থবক্লবা মাল্লি, অদুবু শাওং অদুনা মংম অদুফাওবা মীগী পৃক্লিং চিংশিল্লি।

হোতেল অদুসু লু হেল্লি, মওং তাদনা থম্বা নত্তে, কা পুম্নমক্তা পাং হাপ্লি। অশাংবা কা অদুদা চঙশিল্লকপদা ; ফ্লাইট লেফ্‌টনেন্ট ফেবিকনা এগা নাকোংদা তপ্না হাযবকই - "ঐনা সেনিযব ওফিসব ওইবনিনা, ইশাগী ওইনা কা অমত্তং লৌগে অদুবু ঐ কনানো অমগদি লৈমিন্ননিংই ...নঙসু ঐগা লৈবা যাইনা।" ঐনা খুম্মী- "থাগৎচবি, অদুবু পিতবগা ঐখোয় অনী পূন্না লৌসি হাযনশ্রে।"

"ভার্গাজ - সু ঐহাক্কা শকক য়ামিন্নবা পান্নম্বা য়াইনা।" মানা হায।

"হোয, পান্নপ্পা য়াই।" ঐনা খুম্মী।

সিবি কাখত্তুনা ঐখোয়না মথক্কী কা যৌবকপদদি, মী অমত্তগী কাদি লৈবমদে। কা পূম্নমক, য়ামদ্রবদা মী অনীগী ফমুং অনী অনী থাবম্মী। পিতবগা ঐখোয অনী কা অমা লৌবে; মাবিও অমসুং মার্বাল্‌ন কা অমদা চওখ্রে।

"নওসু সিদা লাকইবো ?" মিস জেক্সন্না ফেনরিকতা হায়বকই মাগী খোঞ্জেল অদু থৌদাবা ওস্পগী খোঞ্জোক চওই। মানা মাও থাগৎতুনা ফেনরিকপু কাবাচীদগী থুংলবদা ভাইবিবা ওফিসব অমগী লৈফম কাদা পুখি।

মিস জেক্সন, অমুক হন্না ঐখোয়গী কাদুদা লাক্লগা হায়বকই

"ইবুংঙো নখোয় লোইনা যাবেকো ...।"

"ইকজফন্না কদায়দা ?" মাবিওনা হংই।

"মপানগী মাঙ্গোন মশাওশিগী অবোয়বদা।"

"কবম্না মতমদা ঐখোয় চাক চানি ?"

"পূং নিপান্দা চানি; অতৈ নুমিৎশিংদদি নখোযনা হায়বগা খবা গুন্না চৎবসু য়াই।"

"চাননবা ফজনা থোংলমগনি হায়না আশা তৌই।"

"ঐখোযদি ওফিসাব কয়া পীজদুনা অদুম লাক্লবনি।"

"অদুগী ব্রাদি বেবা লৈতেদা," মাবিওনা হায়বকই- "অদুবু ঐখোযগীদি খবা অখন্ননা তৌবীবা পামই।"

"ঐস যাম্না অখন্নৈ" মিস জেক্সন্না হায়বকই।

"ঐগী হোতেলদা লৈবা মী পূম্নমক্কি মবমদা ঐস অখন্না। ইবুংঙো নখোয লোয়না মচুতাবা মীশকনি হায়না ঐনা আশা তৌই।"

"ঐখোযনা চাব চাবশিংদুগী পযশা পীগদবনি ঐখোযদি, মাবিওনা হায়বকই। ঐখোয়দি মদুফাওবা মচুতাবা জাৎনি"।

"ঐখোয় মশেল জ্ঞান তানশিকো।" মিস জেক্সননা খুম্মকই।

মতাও অসিদা ফেনরিক, কাগী চওকফম ময়াযদুদা লেপ্তুনা লৈ। মাবু

অতোপ্পা কা অমদা চৎননবা হুকুম তৌখিবগী মওং অদু মপুক্লিংদা পেল্লমদ্রমানে; অদুগা অমবোমদা মাবিওনা নীংখা তম্না হোতেল চলাইর্বিবী নুপীদুদা ব্রাবী শাবগী মওং অদুসু কল্লকউবমানে। ঐখোযদগী মহাক্না ফম চাওই হাযবদু উৎথোকপা ওইনা হাযবকই -

"তোতি তাদ্রবা মতমদা ঐদি, মাই মিৎ তাবগী বেজিন সিদা খুৎ ত্থাপ্না ঙম্মী। ব্রাফমসিদা নখোয কবি খল্লি ?"

"পাইপ অদুদা কোনজিল যাওবা।"

"ওহ !," নমদুনা ফানি তাবগী মওংদা মতাক্না হাযবকই "অদুনা তোতানর্বনি", "অহানবদা নুঙ অদুন্না হার্যদ্র কবীগিনে।"

বাহানবনা ঐগী পোৎশিংদু লৌথোকপা হৌই। মান্না মাংবা পেং তোঙান তোঙ্তান্না থম্মী। ঐগী শংবান্নবা অমসুং থাকিগী ফুরিৎ পুম্নমক তোঙান না মপৈদা থম্মী, মোজাফুরিৎ অমসুং খোংগ্রাওনর্চিংবা লৈংননবা শেৎনবা লৌথোক্লিংবা মতমদা হেক্তা লৌথোকপা যানবা জুবা জুবা থৌবাং তৌদনা থম্মী ঐনা মেজা অতোপ্পা অমা যাংবন্নদা মপাক্লাং নুংভাইতনা মাকোক অদু তপ্না তপ্না হাই। ইকথংনা কাদা চঙাশল্লগা ঐগী টাবল অমাদি সাবন থমজিল্লুই। ঐ ঈশানা চাকচাব চৎনাব ফিজোল শেৎত্রিবা ফওবা, মহাক্না তৃপ্ত্যা খিবা বাজাবদা চংখিদে মাসিগী মবমদি, মহাক্না মমাত্ত তেক লৈথোকখিবদা ঐনা হান্না লিৎলকপা বুস সার্ট অদু অমুক লিংশিননিংগদ্রা হাযনা মানা হাজৈ। মদুগী মতাংদা মানা শেংনা তাযজর্বাদি ঐবু ঙবা ফংদনা মনা হেক লাপ খবদা ঐহাকপু মনা থাজদে হাযর্বাসিনি। মথঙগী নুমিৎদুদা ঐখোয, ট্রেনিং তৌফম স্কুলদুদা ইন্টবা চংনু যাওবা চৎলম্মী। মতমগা চাননা শাববা; মচুতাবা অচৌবা কা অমদা ঐখোযগী থবক অদুগীদমক থৌবাঙ তৌবম্মী। অইঙবা কা অদুদগী য়েংথবদা হিথাঙফমসু উবে। অচৌ অচৌবা জাহাজ, নেভিগী লাম্মী পুবকপা অনৌবা জাহাজশিং হোনজিল্লকপদুসু, ঐখোযনা থোঙনাওদগী যেংথোকখিবদা অদুম উনবে। মবক মরক্তা ঐখোয় জাপানীজ লোল নীংশিংবগী মহুত্তা থোঙনাওদগী হেক্তা, হাযবিবা পোৎশিংদুদা য়েংদুনা লৈথোকই।

ঐখোয়বু তম্বিবিবা ইঙ্গত্রক্তর মকোক অদু, থবক্তগী পোত্থারবা ব্রীগেদিযারনি। মী পীক্তক তৌই, শাওং শাদা ফজে যেংবদা লেম্মি, অদুবু ব্রা কয়া ঙাওদবা মীনি। মশাগী চহী হুম্ফুমঙাগী অয়াম্বা মতমদি জাপান্দা লৈরক্লবনি হায। জাপানীজশিংগী মগুন অমদি মখোয়গী অৱাংপা অশোয়বশিংগী মবমদা মহাক্লা ঙাওনা হাকবদগী, ঐখোয়গী ইফমদা ইনৌ নৌনা জাপানীজশিংগী মবমদা অফ ফত্ত খঙবগী অৱাংপা অমা লৈবগুম ফাওবম্মী।

ক্লাসকমং" দেস্ক থাবিবা ফমফম পবেংদুদা ঐখোয় ফম্লরমই। মহাক্লা হাযবকই "নংগী জাপানীজ লোল কয়া যাম্না হৈবে ?"

"সায়োনারা ... কোঁব-কিমোনো" মাবিও না খুম্মকই।

"মরে," মাবা হাযবকই। "নখোয যাম্না খঙদ্রি। হয়েংদগী ঐখোয [illegible] ... নখোয পৃম্নমক চাংযেং অমদি লৌগনি।"

মহাক্ল [illegible] লৈখোক্লগা, মনমদা ইবম্না ৱাহৈ শেমদোকপা [illegible] খুদম পযাদু উহল্লি। ঐখোযসু মিনিট অনী মহুমলোম পক্লিং চংনা, কূপথনা যেংই। খুদমশিং অদু মৃৎথংক্লগা মহাক্লা [illegible] তবানিংঙেই অমগা অমুক ইবে। খুদমশিং অদু লোইনা নম্বর থাই। [illegible] উঙ্ক্রে হনবা খদম খনগী নম্বরশিং অদু চে মচেৎ মচেত্তা ঐখোয পূম্নমক্লা [illegible] ব্র

"অদু নখোযনা ঊখিবশিংগী নীংশিং চাংযেংনি।" মহাক্লা হাযবকই। অদুদগী মহাক্লা, ৱাহৈদগী ৱাহৈনা অর্থ হনবা জাপানীজ ৱাহৈ পবেং খবসু ইনম্মা: ইংলিস ৱাহৈ পবেং অমগী ৱাহৈশিংস্ মফম চোংনা চোংনা ইবগা, ঐখোয়দা অর্থ থোক্লবা শেমজল্লু হাযরম্মী। ৱাহৈশিং অদুদি মেন এজ ফোব কম্স তাইম ঐট মী তু ইনফোর্মিং কন্দেস্‌সেন্দ। ঐখোয়না মদু অর্থ থোক্লবা হোৎনখি।

"চহী অমগী মনুংদা লোল অমবু ইবা অমসুং ঙাওবা ঙম্নবা তঙ্গী মতম লৈরোই।" ব্রীগেদিয়ার'দুনা হায়বকই। "নখোয় কাঙলুপ অনীথোক্লা খায়দোক্লনি।"

মহাক্লা ঐখোযগী ইনাক্তা, মথঙ মথঙ চঙলক্লুনা ফম্মে ঐখোয়গী চে

শিংদু য়েংলে । ঐনা অহানবা পরেংগী মচিন্দা ফম্বনিনা ঐঙোন্দা ইহান হান্না হংই।

"নঙ, খুদমশিংদু অমত্তা চুমদ্রবা ?"

"উখিবা পোং নীংশিংবসি ঐ খরা ৱাংলি।" ঐনা খুম্মী ।

"তাবদনা ইবায় লায়না ৱাহৈশিং খঙবা ঙম্লা ?"

"মদুনা ঐঙোন্দা খ্বাইদগী হৈনজে ।"

"যাম-ফরে," মানা হায় । "নঙদি প্রমান পাম্বে, চংনবা ৱাহৈদা ওয়না তৌবা তারে ।"

অদুদগী মহাক ফেনরিক্কি মনাক্তা অমুক চংথ্রে ।

"নঙসু ইবা নত্তবা; ঙাঙবদনা হেন্না ফনিনে ?"

"ঐদি, ফ্রেঞ্চ, জর্ম্মন ঙাঙবদা করিসু অৱাবা লৈতে ।"

"য়ারে, অদু ওইরদি ।"

ঐঙোন্দা নুংঙাইজদবা ৱাখল অমদি পোকখি । ঐ ফেনরিক্কা পুন্নমগদবান; অদুবু শিতরসু লৈরি ... হান্না হোতেল্দা লৈরম্বা লেম্ব কৌধা আর্মী ওফিসার অমগা লোয়নবা অতোপ্পা কয়া অমসু লৈরি । মাবক্তিন অমসুং মাবিও-দি ৱাহৈ খঙনবা খুদমশিংদু তম্লনবা খনগ্রে ।

"নখোয়বু তম্বিগদবা ইন্সত্রক্তর শিংদা ঐনা হৌজিক নখোয়বু শক্তাক্কনি।" ৱীগেদিয়াবদুনা হায় । অদুগী তুংদা কা অদুদগী ঐখোযবু লমজিংদুনা পুথোক্লমই । ময়ামগী ওইবা কা অদুফাওবা ঐখোয় মতুংইন্দুনা চংলে । জাপানগী মীওই মরি খবব পাদুনা ফল্লমই । ঐখোয় চংলকপদা; মখোয হৌগত্তুনা মরু লুকথরমই । অহানবগী লুকথবদু লোইরগা হন্না হন্না কযাবকসু লুকথৈ ; অদুদগী অমুক খোঞ্জেল থোক্লা শোব হোনজিল্লি । মখোয়গী শাওং পিকতক পিকতক তৌই, মী অনীদি অথাবা আনোক উপ্পী । লাল হৌবকপা মতমদা, মখোয়দি হান্নদগী ভারত্তা লৈরক্লবা মাল্লি । ফাজিনদুনা থম্বগী মহুত্তা মখোয়বু লোল তম্বি খোৎশিনবা শিজিন্নবনি ।

ঐখোয মশেল খুৎ শোক্লে। য়াম্না পূক্লিং চঙবগী মওংদা, চৎনবী লোলদা অমনা হায়বকই ।

"কবম তৌবি ?" - ঐখোয়সু খুম্মী "কবম তৌবি ?"

ব্রীগেদিযাব অদুনা হায়বকই - "অতোপ্পা ইন্সত্রক্তব অমসু হৌজিক "নন্দদগী" পোঙশাল্লক্কবনি ; মবকঅসিদা পূকচেলচাউবা মীওইশিংসে শুখোযনা ফংজবা লাইবক ফবনি ।"

"অচুম্বমাক্ল ।" ঐখোযসু মুকম মুকম শোন্না খুম্মী। জাপানীজ শিংদু খুব লুকখে।

"ফবে," ব্রীগেদিযাবদুনা হায়বকই - "নখোয নিংথৌকাবগী অযুক্তা শদ অমুক লাকপযুকো ... পূং মাপন মখায়সি যাম্না ওনবদি নৎত্রেনা ...?"

(৫)

নোংমাইজিং নুমিত্তদি, মিষ্টব হেদলিবু মাগী ওফিসতা উনবোই খল্লুববসু, কোর্নবালিস খোদতা লৈবা নম্বব ২১১ দা যাম্না থাজদনা উনবা ফংখি । ঐনা ইংল্যান্দদগী লাক্লুঙেদা, মাগী মমিং অমদি লৈফম ঐঙোন্দা পীবকখিবনি । ঐ ফুইনা নাংশিংদুনা লৈবকপনি; মী কয়াগী মমিং মথা লৈফম ইশিনবা ঐগী দায়বি মদু বম্মাদা থাঙহৌনবা মতুং ফাওবা। ঐনা তাবকপদা মিষ্টব হেদলি হাযবসি মুনি পাসগী ব্রাশল চেনবা, মীযামগী থবক তৌবা সমাজ সেবক অমনি । ঐনসু থনজকর্নান, বোম্বে হাযবা লমশিগী অশেংবা মশক্তি মহাক্তনা ঐঙোন্দা তাকপিবা, খঙতনবা ঙমগানা হাযনা। মহাক্কি ওফিস ওইবম্না মফমদুদি, মওং তাদ্রবা, চৎনদ্রবা লাইবক যোনফম দুকান মাল্লি । পৃথিবীগী নোংপোক লমদম অসিদা লৈবম্না ওলিসকী মীওই কযাগী লল্লোন ইতিক তৌবা মফম, অমদি নীংথিজনা শেম শাববা য়ূম কযাগী মবক্তসু মহাক্কি অদুগুম্বদি ঐহাক অমত্তসু উখিদ্রি । চঙফম মশাঙ অদুদা লৈবম্না চৌকিনচিংবা লাইবিক থম্ফম্মচিংবা শেল্লিবা থাক থাকশিং অদুতা নত্তনা লৈমাযদসু উফুল পক্লবা লাইবিক্লা কোযচায চাইনা তাবম্মী। ফক্লাঙদনা,

চন্নদ্রবা, মতোল মতোল শুপচিন্নবা কেলেন্দর অমনবা কয়া অমসু য়াম্লি। দেক্ষ মথক্তুদা করিসু কান্নদ্রবা চে-চাং কয়ানা মথোঙ মরম খঙদনা চাইখাযরি।

মিষ্টর হেদলি মাশমক্তি মফমদুদা লৈরমদ্রে। মাগী মহুক্তা ইন্দিয়ান মচা, পাখং অমা লৈরম্মী। মহাক্লা ঐঙোন্দা মোমোন নোক্লা যেংথোবকপা মশক্তুদা মহাক খৃষ্টিয়ান্নি হায়বা অদুম তাকচরে।

"মিষ্টব হেদলি চৎথোকখিব্রা ?" ঐনা হংই।

"মহাক থুনা হল্লক্কনি।"

"করম্না মতমদা ?"

"নুমিৎয়ুংবদা শোয়দনা হল্লক্কনি; মাগী খুৎলায পুখি দে অদুনা; শোয়দনা লাকখিনি মাগী খুৎলায় পায়রনবা নুমিৎয়ুংবা মতমদা।"

" অদু ওইরদি, ঐসু নুমিৎয়ুংবা মতমদা লাকঅগে " ঐনা হায, মাগী খুৎলায় হায়রিবদু করিবুনো হাযবা ঐনা খঙদ্রবসু। অদিগী তুংদা ঐহাক দুকান্দগী পোৎ-চৈ খরা লৈরুনবা অমুক থোরক্নে।

অশুম লাকপনা ঐ, য়াম্না চাউনা লৈবম্না য়ুরোপিয়ান স্তোর ১ হেন্দোবকই। নোংমাইজিংনিনা স্তোর অদুদি থোঙ লোল্লমই। সডক্কী মতাই মতাইদা দুকান পবেং লৈবা বাজারগী মায়কৈদুদা লাক্নে। পৃক্লিংদা ফাওই জ. ঐ ইশামক মীনৌ অমনি হায়বা মফমদুদা। ঐগী অকোয়বদা উবিবা, তিল্লিবা মায়ামদুগী মবমদা ঐ করিসু ভাব তাবা ওমদে। ইচম চমবা চৎনবী মওং অমফাওবা ঐ খঙদে। যানথোক য়ানশিন তৌরিবা মহি-মনাই, ইনসাঙ নাপী, মনা মশিং চিংলকপা গাডী অমদা শনজাও অমনা লামলকপদা, অচৎপা মীনা নাকন্দা চোংথোক্লবিবা, তিদাকফুদগী কামথোরকপা মৈখু, চপাটি চাবনচিংবা মখোয়গী লোল মখোযগী ব্রাখল ঐ কবিসু খঙদে। কুচু ঙাঙলৈনবা মীওয়শিং অসিনা করম্না ঈশ্বর খুবম্না, কবম্না অমগা অমগা নুংশিনবা; মখোয়না করিদা নুংঙাইজবা, মখোয়না করিবু তুক্কচবা... ব্রাখল ময়াম অসিনা ঐবু ইঙক ঙকহল্লি। লম্বীশিং অদুসু অমোৎ অকাযনা পীক থল্লি, নিনবসু য়াম্না নিল্লি। মফি শেত্তবা অঙাংশিংনা অমোৎ অকায় মরক্তুদা শান্নরি। ফিভম শোয়রবা চাকনিবশিংনা, নমথিবা ফদি ফরা শেৎলগা- খৌনাও

কংশিল্লবা খোঞ্জেলদা ডিক্কানিবা কোইচং চংলি। ঐনা খল্লকই নুংশিবা পোকপদগী কয়াম লায়না তৃক্কচবদা ওল্লবা। ঐখোয়না খণ্ডদবা কয়াসিবু কয়া লায়না তৃক্কচবিবা। লায়না পক্লবা লম্বোইবশিং অদুদদি মীনুংশি পোক্লবা শুকণ্ডম ওমখিদে, মখোযদি ঐখোয়গী ৱাখলগা য়াম্না লাপ্লম্রে, অসুক্কি মতীক শা মখল অমসু মানগ্রে। ঐনা পুম্নমকসি ভাব তাব ওল্লবদি ঐ অসি মীনুংশিনা থল্লবা লাইপোক অমদি ওইবা তাই। ঐ মায লৈথোক্কুনা লাক্লে, মিষ্টর হেদলিগী ওফিস তম্না অম্বুক। ঙসাই লৈহৌবা মিষ্টব হেদলিগী কাং-খোং চাইবা মফম অদুনদুম ঐগী ইফমর্দদি হেন্না মকপ মপাং ওইবা ; ইংলিসকা চানবা মফম অমা মাল্লক্লমই।

ঐসে যাম্না তোযনা লংকপা, শকখণ্ডনবা মীশক অমগুম, মিষ্টব হেদলিনা মংগী দেক্স অদুগী নাকলদগী ঐবু কৌবকই।

"চণ্ডলকউ-চণ্ডলকউ" মানা হায়বকই "নুংশা শাদ্রা ?"

"মপান্দদি যাম শাই।" ঐনা খুম্মী।

"ঐসে অপঙবা হাযগদ্রা খণ্ডদ্রে, মতমগা অদুম লোযনদুনা লৈবব মীওইশিংগী মবক্তা অমনি।"

মাগী মখুত্তা সিরিঞ্জ অমা পাযবিবদু ঐনা উই। লিক্লিমচা অমগী ববর্গা মপুমদুনা মংা যেক্তুম অদু নর্শিল্লি।

মানা হায়বকই "অংকপা পোর্থনিকো ইনসুলিন হাযবসি, নশিনা ঐবু চংা কুপ্লিথোয়শি হিংহল্লক্লে। ঐসে চহী কয়াশুববা মাল্লি।"

"ভাবনা শাব লুই। ঐনা খুম্মী: "যাংখৈ নত্রগা যাংখৈ মঙাবোম।"

"হুম্ফুনিনে, নাব যেকপা কবিসু লৈতে, ইনসুলিন্না..."।

"য়াম ফৈনা।" ঐনা খুম্মী।

"সিদ যেংঙকউসে..." মাগী ফুবীংকি কুদাম লৌথোক্লগা মশাগী মতোং অমা খুংশা অনীনা চর্পাশিল্লগা উংলি। মহাক শীক্তক তৌই, মশা পাবগা মসল কায়, মশমসু কুণ্ডনা হৌই।

"য়েংউ,। মানা অমুকসু হায়, মাগী অতেনবা খোংগ্রাও অচোনবদু তাখৎলগা ফৈগল অদু উহল্লি।

"খুদম অমফাও লৈতবনি।" চহী কুন্নিথোয়গী মতমসে, নোংমদা অনীবক ইশানা কাপচবা ঙাক্তনি, খুদম অমত্তা লৈতবনি। নুমিৎ খুদিংগী তোঙান তোঙানবা মফমদা... খন্দি লুব জাৎনি। হিদাক অদুনা হকচাঙ শীনন্দা কয়াম কুইনা চঙই নঙ খঙব্রা.. ।"

"মদুদি হঙবা ঙম্লোই।"

"গা নিপানা, যেংউখো।" যেংলুম অদু মাগী মখোঙগী শদোংদা ইনশিল্লগা মহি অদু কাপাশল্লি।

"মশি কাপশিনফর্মাসি নঙ অমুক খঙলবোই, হৌখিবা ফেব্রুয়ারীদগী মফম অসিদা কাপত্রবনি। জুন ফাওবা মফম অসিদা অমুক কাপ্পরোইদবনি। ফরে, হৌজিকতি (হিদাক কাপশিন কাপশিন্না) কম্মুনে, নঙগী নমিং কনি কৌবা।"

"ঐহাক, মাইকেল কিন-কৌজে।"

"কিন-হায়বা, মানা অমুক খল্লি। মিং অদু কৌবা মী অমত্তা ঐ হাগ্গ থেংনখিদ্রি। নঙদি কবি ওইবি-ঐদি নখোযগী য়ুনিফোর্মশিংসি অমত্তা খঙদে।"

"ঐ এযাবফোর্সনি, থঙ্গৈমকশেংনা।" ঐনা খুম্মী।

"ফজে, মানা হায। চাক চাখিসিকো, হৈনবা হৈনদবা পোটলক অমা হেক্তা চাবা য়াগদ্রা ? কুইরোই, মিনিট তরাদমক চঙগনি; চাবসিদি মতম চানা চানা চাগদবনি; খঙঙব্রা..।? অসি হাযবগী মবমদি ঐ ইশামক দাইবেতিস লৈশা মীশক অমনি।... নঙদি সিদ করমতৌনা লাকইবা ...?"

"বার্মিংহামদা লৈহৌবা মিসিজ বোস্তকনা নঙগী লৈফম তাকলকই, মহাক নঙবু ফজনা খঙই।"

"মিসিজ বোস্তক হায়বা ... মিং অসিবু, ঐ নীংশিংবা থোক্তেদা ...।"

"মহাক্কী লৈশারিঙৈগী মমিংদি ... মিস বরেসফোর্দ কৌমানে।"

"আহ ! ভাব তারে .।. লুসি বরেসফোর্দ ... মশক য়াম ফজবনি অদুবু

লমচংতা খরা বাংপা... কুইখ্রবা মতমদা, মহাক ঐগী বাখল অসিদা চাক্লম্বা মৈৰী অমনি। তিন মচা মচাদা হাপ্পা অথোঙবা শা মতুমশিং চৈতেক্লা চাবদুবু হৌজিকফাও চাবিব্রো মাবু ? অদুম হায়না চাবা হৈনবা নুপী অমত্তা ঙসিফাওবা থেংনদ্রি !”

“ঐ মদু খঙজদ্রে, ঐনা খুম্মী। মহাক ঐগী ইপাগী মকুপ অমসু ওইবমানে ...।”

“তশেংনমক ... মাবুদি ঐনা, চহী কুনমঙাদমক শুবী ওইনা ঙসিসু অদুম খল্লিদো .. অদুবু হৌজিক্তি মহাক ; চহী যাংখ শুনম্নগনি, মচানা পোকত্রা মাবু ? নঙগী বাবাসু মাগী থাযনগী মৈবী অমবা ...?”

“ঐ খঙজদে।”

“এহ... ওইবম্মী হাযনা খল্লোনে ...। অদুগা লেসংনা হাযবিসিনা কনানো...? সার্কস য়াওবা নুপাদুবনে...?”

“মহাক সাইকল শাব মীশক অমবা হাযনা ঐনা খাল্ল।”

“অপঙবগী থবক ...।” মিষ্টব হেদলিনা ফোঙদোনবকই। “নঙগী বাবানা কবি থবক তৌবা ...?”

“মহাক খবব ফোঙবগী থবক তৌই।”

“ফজনদি কোন্নব্রা ...? কোন্নবমগনি খল্লি।”

“অদুম যানবা ; ওক্লবা শিল্লি, মবম পুন্নমক।” ঐনা হাঙই

“নঙোন্দসু পৈশা যাম্না পীব্রা ...? পীবমগনি খল্লদা ..?”

“ঐগী দবকাব লৈবকপদা, খবদি অদুম পী।”

“যেউদো নঙগী বাবানা পীবীদো, নঙদি নহা ওইবিবনিনা শেলগী দবকার লাকপা। ঐখোয়গী চহী মভাঙসি যৌবকপা মতমদদি, দবকাব লৈত্রে... চাক্লা ... লৈথোকউ। নঙবু ঐগী অঙাংদু উনববো ?”

“ওহ্- ঐনা ঙসাই লাকপদা, সিদা লৈবম্বা পাখংমচাদুবা...?”

“মহাক্লুনি জেক কৌবনিনে। ভাবতকী শোক্লপক্লবমদবা কাঙবুগী মীনি... নঙনা মদুগা হায়রু য়াপোৎ নত্তেকো, হম্বা মীওই কাঙবুনি- সেদ্যুল

ক্লাসনি। হৌজিক্তি মখোয় থাক ঝাংখৎলে। হৌজিক জেক-না নঙবু অকোয়বসি যেংহনগনি ; মহাক ঐহাক্কা লোয়ননা সমাজ সেবা তৌমিন্নবীবনি। এঃ এঃ চাকসু লাকএ, ওফিসতা 'সুম চাবসি, হৈবোইদ্রা নঙবু ... ? মসিনা শম্বনি। নঙসু দাইবেতিক ওইবা তাববদি মকওইবা চিঞ্জাক চাগদবনি।"

মহাক্কা চাক চ'মিন্নবগা, তাজমহল হোতেল যৌনবা ঐখোয অনী অমুক, মহাত্মা গান্ধী রোদতা লাকমিন্নবমই।

"ইন্দিযাগী মবমদা ঐঙোন্দা খবা হাযবিযু।" ঐনা মঙোন্দা হাযখি।

"ইন্দিয়া ? হোয, পাকচাউবদা মাইল সঙ্কাব মিল্লিযন অমগা মখায। মীপাংদা চাউবাক্লা মিল্লিযন চামবী। খঙ্গং লিশিং যাংখে; মকওইবা মহৎ মীমিংশুহুমদোই, চাউবাকনা অসিনি।"

"হুং ... অদু নত্তে, ঐনা হায। ঐনা পাম্বদি মদুগী অক্কদু নত্তে।"

"হিন্দুশিংনা কোযেৎ যেৎলি, মুসলিমশিংনা ফেজ তুপী উপ্পী, অদুগা পাবা-শিংনা শনগী লোংখুম মানবা তুপী মখল অমা উপ্পা। মখোযগী অশিংবু ... টোবাক এণ্ড সাইলেন্স হাযনা খঙনবা দালান মথক্কুদা থম্মী। আদা ...নবা মালপাব চাংথকসিদা উবনি। অশিবশিংদু লাংজাশিংনা পুংখায মম ... শনখিবা ... অপুম অশা খণ্ডহন্দনা ; মহীক মতাঙ শন্দোক্তবগা ওইবা ... অপুম ফংবান ; নঙনা খঙইদু মঙাই, নংত্রনে ?"

"অতৈ অতোপ্পা কবি কবি ... ?" ঐনা অমুক হংই।

"নঙ ইন্দিযাগী মবমদা খঙনিংব্রনে ?"

"ঐদি ইন্দিযাদা লৈগদৌবীবনি।" ঐনা হায।

"নঙ চহী কুন্থা সিদা লৈযু, অদু ওইববদি ইন্দিযাগী মবমদা খঙবা ঙম্মগনি। ফবে; ঐ মিতিং অমা লৈ ঝাবৌবা য়াদে। চৎলো, মতম পুম্নমক্তা নহা ওইযু, নঙনা খঙলিদু মঙায, মতম পুম্নমক্তা নহা ওইবসি নুংঙাইবনি।"

ঐগী খ্বাঙদা টাবল অমা কুপশিল্লগা ফমুংদা হিপ্পুনা লৈ, সিলিংদা

উণ্ডলিবা পাংখা অদুদা অশুম য়েংই। মিষ্টর হেদলিনা হায়রম্বা মতম পুম্নমক্তা নহা ওইবা নুংঙাইবনি হায়বদু ঐদি য়ানিংবা পোক্লমদে। করিগীনো হায়ববু, ঐদি মদু অমুক হন্না ওইদ্রে, কাউরে। চহী মঙাগী মমাঙদদি, ঐসু পিতবগুম্না নহা ওইরম্মী। ঐ অশুম অশুম কাউবকই, চহী মঙাগী মতম করম তৌনা চৎখিবগে হায়বদু...। কাউবকপা হৈলবগী ৱাখল লাকপসিসু তঙায়ফদবা ওইরকই। ঐনা স্কুল থাদোকপদা ঙায়বিবা মতম অদুৱাইদা, তুংগী আশানা পীক থনখিবা মীশক মদু অমুক হন্না ওইদ্রে হায়বগী অচুম্বা অদুবু খঙজবসু তঙায়ফদবনি। লান লোইরকপা মতমদদি ঐ মীযায় চল্লগনি, অমসুং ঐনা ইং ১৯৩৯ দা থাদোকল্লবা ঐগী পুন্সিদু অমুক ফংনিংবগী আশা তৌকরবসু কান্নবা কবি অমত্তা ফংলবোই। [illegible] মদু, পুন্সিদগী ককথৎল্লবা শকক মচেৎ অমদি নত্তে, ঐনা মপূংফানা [illegible]দৌবিবা পুন্সি অসিমক্কী শকত্তি অমনি।

পাংখাদা যেংনা যেংনা অশুম হিপলিঙৈদা, ঐগী হকচাঙ মনুং অসিদা কবিগুম্বা ইহাঙ হাঙবা অমা ওইবকপগুম খঙহৌদনা ফাওবকখি। মহৌশানা এখোন্দা, অসিগুম্বা মখল অসি, নুমিৎযুংবা মতুং অমদি য়াচঙবগী অঙনবা মতমদা কবিসু উপায লৈতনা হেক হেক লাকপা হৌবকখি। খুত্তা লাইরিক অমা [illegible]যবগা অচাকপা উতূপ অমগী মনাক্তা ফমদুনা লৈরবদি, অসিগুম্বা পূক্লিংদা নহাওবগী ৱাখল অসি পঙনা লাকখিদে। অমবোমদা, কবিগুম্বা পোংশক অমদা [illegible] নুংশিবগী ৱাখল্দা [illegible] লৈবরদি, অৱাংপা অহাঙবগী ৱাখল [illegible] থক লাওর্দনি। ইংলেন্দদদি ঐগী ৱাখল, ঐগী পুন্সি মপূংফানা লৈবনিনা [illegible] থক খোকখিদে; মদুব ভাবত্তদি তোযনা তোযনা থোক্লে; অদুনা মওং [illegible]গী ৱাখল অমা নৈনবদি তঙাযফদবা ওইবক্লমই। য়াম্না নুশিন্না নৈনবগী ৱা নত্তে। ইচম চম্না হায়ববদা, ময়াযকাবা থকপা তম্বগী ৱাফম্নি; মফম কদাযদা কনাগা থকমিন্নবগা ময়ায় কাবগে হাযবদু ঐনসু হান্না খঙদবনিনা। অশুম্না ঐগী পূক্লিংদা ফাওবক্লিবা অহাঙবা অসি মেন্ননবগীদমক্তা তঙায়ফদনা থকপা তাই হায়বসি লাল্লি হায়কবা য়াদবা ৱাফম অমসু লাক্লে। মসি, ঐগী মায়থীবদা মিং চনশিনবনি হায়বসু য়ারে। পাংখাদা য়েংনা য়েংনা ঐ ইথত্তা হায়জে "মসি শাথিনা লাল্লি, মীয়ায় চনবগী লম্বীদা চঙশিল্লক্লবা ঐগী ৱাখলনুং অসিদা

হৌজিকফাওবা অহাঙবা অমা লৈরিবসে...।" পিতবগুম্না নহা ওইরিঙৈ, নৌরিঙৈদদি, অহাঙবা অসি লৈ হায়বদা করিসু লাল্লোই, মরমদি চহীনা রাখল পুরকপগা লোয়ননা, নীংজরিবদু মশানা মেনশিনজরক্কনি। চহীনা পুরক্কদৌরিবশিংদি অচুম অরাল নৈনবগী বিদ্যা, নুংশিবা অমসুং ধর্ম্ম অসিনি। ঐঙোন্দদি, ময়ামশিগী মরক্তা অমত্তসু থোকত্রি, খঙলকপশিংদুসু অরের্ম্বনি হায়না ঐগী পুক্কিংদা অমুক খঙহল্লকপা নত্তনা। ঐনা হৌজিক দরকার ওইরিবদি ধর্ম্মনি-মশিনা অহাঙবশিংবু মেনশিল্লিবা পোৎশক অদুনি। ধর্ম্ম অমদবু লূপ্লবদি অতৈ অতোপ্লগী মবমদা নুংনাঙলুবগী বা লৈতে। অচাকপা উতৃপ তীকপা- নুপী অমদি স্তাম্প কলেক্সন অমত্তা দরকার লৈতে। অদুবু ঐদি অমফাওবা ফংজবা য়াবগী অনকপদুদা লৈত্রে। অদুবু ; ওইথোক্কদ্রা... অঙকপা মওং অমদা ঈশ্বর মানা ইনাক্তা লাক্লগা ঐগী অহাঙবসি মেনশিনবীরবা ...?

পাংখাগী নুংশিংনা হকচাঙ অসিবু ঈংথহল্লমই ঐগী খ্বাঙদা কৃপালন টাবেল অদু লৌথোক্লগা, হকচাঙদা ফি অমত্তা যাওদনা হিপলম্মী। হকচাঙ মফম পূম্নমক চপচানা ইংলে। খাঙলিবা মোন অদু শুপচিল্লগা, কোক অস বাংখৎনা লৈরগা ঐগী হকচাঙপূম্বা য়েংজরমই। ইকজকবদগী কয়াদা শেংলনা, ঐগী হকচাঙ কয়াদা ভৌপ্রবা। অদুদগী খল্লকই সকাব মাইল মিল্লিয়ন অমগ মখায় চাউবা লম অসিদা লৈবিবা মিল্লিয়ন চাম্বরীগী অতোপ্পা হকচাঙ কযা... অমসু মখোয়গী কুচুনা অমুবা-ভাঙলৈনবা ... অদুবু ঐনা খল্লুবিবা অচুম্বনি নীংলুবি রাখল অদুদি ঐ লৌশিনজবা শুমদে।

ঐনা খনজৈ- লাল অমা শোক্লরি...ঈশ্বর মাদি খঙলিগনি পূম্নমক অসি কৈদৌঙৈ পূমলোয লোইখিগদগে হাযবদু ...।

হৌজিক্তি ঐ অঙাং ওইদ্রে, পুল্লিবু শেমনীংবা মওংদা শেম্বদু অমুক ওইথোক্লে। হকচাঙ অসিদি ঐনি ; পুক্কিং অসিসুনি, ঐনা ঈশিংবু মৈ ওলহনবা ঙমদবগুম্না; মখোয়সু ঐনা হোংদোকপা ঙম্লরোই। বন্দি অমনা য়োৎকি শাবঙদগী নাম্থোকপা ঙমদবগুম্না ঐসু অমুক নাম্থোকপা ঙম্লরোই ...। তানজা অসিদা পিতর চঙশিল্লকই। মহাক্লা হায়রকই। "নঙ থবায় নুংঙাইতবা মাল্লিনা করিগীনো ...? নঙদি মতৌ অদুগুম্না পংতৌ তৌদবনিদা- হীরম কয়াদা পুক্কিং

চঙবদাইনে নঙবু। কৈথেলদা চৎপা মতমদদি, নুংঙাইবা, হেক্তা মাল্লি। ঐদি অতৈ খন্দে, তুক্কচবা. অথীবা মীদনি ঐনা নুংঙাইতবা, অমবোমদদি নুংঙাই, মখোয মশেল কবি কবিনো মচু তাদনা পংঙাঙ ঙাঙনবশিংদু ঐ অমত্তা খঙদে।"

"মতম পূম্নমক্তা নঙদি অদুম্নতা ঙাঙই।" ঐনা হায়। "ফত্ত-হৌদি শেংদোকপা, বাইশিংপা মী অমগী মবমদসু হেক্তা নঙগী ঙমজবী থাদুনা চঙদ্রবফাওবা। মবম চাব চাদবা যাম্না খঙজিনমল্লি।"

"হোয, থাযনগী ঐখোয়গী অহল অমা ফত্ত হৌদি শেংদোকপা ওইরম্মী হায়নে...। অদুনা ঐ অসিগুম্বগী মবমদা ঙাঙবসি তোকপা তাবে অদুবু অসিগুম্না থবক মখল অসিদি ঐ শুকযা যানিংদে।"

"নঙনা যানিংই হাযনা থবক অমত্তা ঐ ঙসিফাওবা তাদ্রি।"

"ঐনা যানীংবা অর্মদি লৈহে... তাজমহল হোতেল।" মানা মোমোন লাকুনা হাযবকই। মনুংগদু লু নানখ্রে য়াম ফজ্রে ব্রাইশিং লমশেংবগী দবকার লৈতে। ঙসিদি অদুদা চাক চাকসি, ঐখোয় অহাওবা ব্রান্দি থকপা ফংগনি। মদুগীদি নঙসু নঙগী পুক্নিদা থেংনখিবা ; লৈশাবী কয়াগী ব্রাবী লীবা হৌরগনি... হেক্তা নুংঙাইবেনে অদুদগীদ ...।"

(৬)

জাপানীজ মবোল তম্বদা ঐ হৈনবা হৌবক্লে। মদুগী মরম তংখায অমদি, মনা খ্রীগেদিযান অদুবসু হৈনজ্রে। মাগী ক্লাস পূম্নমক মাগী-ফাগী জুগাযনা নুংঙাইহল্লি অদগা জাপানগী ব্রাবী মতেক মতেক লীদুনা অতোপ্পা মহাও অমসু খঙহল্লি।

লৈবাক অদুগী সমাজগী পুন্সি, চৎনবী, মহাক য়াম্না খঙই। করিগুম্বা নুমিত্তা, মশামক্তা জপানীজশিংগী মওং-মতৌ উৎপদা ক্লাস অমা তোকপসু যাওই। মাগী দেক্ক মথক্তা লৈবা-চে-চাং মযামদু ইংগ্লোক্লগা মশামক কাখৎতুনা জাপানীজশিংগী ফম্বগী মওং উৎলি, নত্ত্রগা কা অদুগী মশাঙদা হঙ্গৎ-হন্দা চৎলগা জাপানীজশিংনা কবম তৌনা লূকথবা, কবম তৌনা শ্বর চীংশিনবা অমসুং লম্বী

সড়ক্তা খঙনবা মী উনবা মতমদা করম তৌবগে হায়বদু উৎলি। অসিগী মতুংদা জাপানীজশিংগী ঈশৈ গীশা- হায়বদুগী যাম্না ৱাংবা খোঞ্জেল অদু অমুক মতৌ তমগনি; নত্তগা,জাপানগী জেনবেলশিংনা মখোয় মখোয়গী সিফায়শিংদা, থনুংদগী ঙংদুনা হায়বকপা হুকুমগী ৱাহৈশিংদু তাহনগনি।

"জাপানীজ নুপীশিংগী মবমর্দদি মিস বৈ লাক্লগা নখোয়দা শোযদনা তম্লনি।" মহাক্না হায।

"মহাক নখোয়গী অনৌবা ইন্সত্রক্তর্বনি, মথংগী হাপ্তাদদি মহাক সিদ য়ৌবকপা য়াবে।"

ঐখোযগী অনীশুবা ইন্সত্রক্তব অদু মিষ্টব ইটসুমী কৌই, ঐখোযনদি ইটসুমী সান-মবর্মদি সান হাযবসি জাপানীজ লোলদা মিষ্টব হাযবনি। মহা চঙী কুনমাপন-কুনথ্রাগী মীওইনি, মকুগী মাযদা চঙব, অপঙবা ছাত্রগী মশক মাল্লি। ইংলেন্দা বৃটিশকী লম্লোন ইতিক্কি হীবমদা মহে তমলকপনি। জাপানদা অমুক হল্লকপগী লম্বীদা লৈবিঙৈদা, লাল অসি হৌবক্তুনা মহাক্না তোংলকপা জাহাজ অদু ইন্দিযাদা পন্দুনা লৈখি। মতম অদুদগী মাবু বৃটিশনা ফাজিন্দুনা থম্লুবগা, হৌজিক ঐখোযবু জাপানীজ লোল-তম্বিনবা থাদোবকপনি।

মহাক্কি কুচুদি তর্কচিন্না যাইঙং মচুনি। ঐ জাপানগী মী যাম্না উদ্রি, মখোয অয়াম্বা অসিগুম্বা নাপুদা ঙাঙশিনব ঙাক্তবা হাযবসু খঙলমদে। মহাক্না শাওনকপা মতমদদি, মমায অদু ৱাউথাংনবা নাপ মচু কাবকই। তোযনা তোযনা শাওই, মবর্মদি মহাক য়াম্না ৱাবৌগাল্লি। মদু মশাবু হন্থনা খনজবা ৱাখলদগীনি হায়। ঐনা খল্লি। ৱাহৈ অমদা হেক্তা শেবাগনা খনখিদুনা, মঙোন্দা মবাল অমা শীবব গুম খুদক্তগী ৱা লাং অমত্তা ঙাঙদনা ন্নামৎ কযানিবোম থকম তৌদুনা লৈখি। ইহান হান্না, মহাক্না ঐখোযবু তম্বীবা লাকপা নুংমত্তুদা, চেকশিন্না শেঙ-শাববা মখাগী ৱাবোল অসি ঐখোযগী মাওদা ঙাওখি।

"ঐনা ইচম-চম্না হাযবিবর্সানি, ঐদি চুম্নগী অচম্বা মীশক অমনি, নখোয়না ওফিসর ঙাক্তনি। অদুবু ঐঙোন্দদি মদু কবিসু ওইদে মবমদি, ঐহাক নখোয়গী ইন্সত্রক্তব (তাকপিবা মীশক) অমনি। মরম অদুনা খেন্নবশিংদু অমত্তা থমগুমশি। অসিগুম্বা খেন্নবা লৈতবগী ৱাখল অসি য়াওদনদি, ঐ তম্বীবা

ঙমলোই। নখোয়না লাল্লবসু, চৎনবী ব্যবহার অদু ঙাক্তনা ঐ নখোয়দা ঙাঙগনি-চৈ-শু চৈগনি।"

মহাক্লা হায়রিবদুনা তাকপদি, মহাক্লা ঐখোয়দা সার হায়নিংদে হায়বনি। মবম অসিগী নত্তনসু, ঐ মঙোন্দা হৈনিংবা পোক্লমদে- মরমদি মশাগী নুংগী ওইবা থৌবাঙ অমা, মাগী করিগুম্বা অমফাও ফোঙদোকচবা ঙমবা মান্দবা মমিৎ অনীদুদা য়াওরী হায়বসি ঐ খঙলম্মই। মহাক্লা হায়দোরকপা পূন্নমক ; হান্নদগী চেকশিন্না শেন্নক্লবা ব্রাহৈ ঙাক্তনি ; অমরোমদা ঐখোয়গী মবক্তগী কনাগুম্বা অমগা, কবিগুম্বা ব্রাফম অমা য়েৎনবদা মানা ঙন্নবদি, মদু মহাক্লা হান্নদগী শন্নক্লবা লম্মন খুম্নগী মওংনি।

অসিগা চপমান্নবা; মাগা তাকপীগদবা পাবা পূন্নমক; মতম চঙনা শেম্বা ঙাক্তনি। নুমিৎ খুদিংগী মহাক্লা ; অনৌবা ব্রাহৈ কয়া ইবগা ঐখোয়দা পী, অদুগা ব্রাহৈশিং অদুগী মনাক্তা ব্রাহৈপাবেং খবসু ঙ। হায়বিনশিংদু মাগী অন্নুবা ফাইল অদুদসু চেকশিন্না জাপানীজ মযেক্তা ইশিল্লি, ইশিল্লিবা খবা অদুদি পুক্লিং লৌশিং থোকপা ঙাক্তনি।

"পৃথিবীদগী নুমিৎ অসি মাইল মিলিয়ন মনিফু হন্নাহুম দাই লাপ্পি, অদগা থোক্লিবা থা অসিনা মাইল লিশিং নিফু চনি লাপ্পা হৈ।"

"ঙ' ক্লেন্দ-দা কুব্রাক মথল হুম্ফুতকক হৈ।"

মানা হায়বিবা ব্রাফম অসি লোইনদি অচুম্বনি। মানা ঐখোয়বু গাংযেংবসু পশী। ঐখোয় পূন্নমক্তা মথং মথং ব্রাহং কয়া হংই। মশাগী ব্রাফমদি অমত্তু পীদনা, জাপানীজ মযেক্তা কনি কবিনো ইশিল্লি ঐখোয়গী মিংশিংদগী মপাদা মহাক্লা ইবিবদু করিনো হায়বা ঐখোয়দা তাকথোক্তে।

ঐখোয় মযামগী মবক্তা মহাক্লা য়াজবদি, ফেনরিক-তনি। মহাক্তি হোৎনবা য়াম্না কল্লি। ক্লাস তৌদনা, চুম্নগী অতোপ্পা হীবম অমদা মতম মাঙহনবদা ঐখোয়না নুংঙাইহ্জরবসু, মহাক্তি য়াম্না শাওজে। পেন্দনা লাউরকই "নখোয়বু জাপানীজ লোল তম্না লাকইবা নৎত্রো সিদ?" মহাক্তি খঙননবা কন্নসু হোৎনজে, য়াচঙবা মতম পূন্নমক হোত্তেলদা মরন্নাই হোৎনৈ। অয়ুক পূং তরুক্তা হৌগৎলগা ব্রেকফাস্ত চাত্রিঙে পূং ১ গী মতমসু স্তদি তৌই।

ফেনরিকি মবমদা মারভিন্না হায়-"মহাক্না তৌরিবসি এসিয়াদা লৈবা ক্লার্ক অমগী মওংনি।" ঐখোয় অয়াম্বদি থোইদোক্না হৈনিংদনা খন্নে-জাপানীজ লোল খণ্ডনবা হোৎনবগী আশা তৌবসি কবিসু কান্নদবা অনেম্বা রাখলনি হায়না। অদুবু, ক্লাস অদুদদি ফেনরিক্না ঐখোয় পুম্নমক্কি মকোক্তা লৈবে। মহাক যাওবমদ্রবদি, ঐখোয়সু নুমিৎযুংবা মতমগী অহাঙবদা কন্না হোৎবম্বসু যার্বনি। ইটসুমি সান্না ঐখোয পুম্নমক্তা, ফেনরিকি মতৌ তম্নবা হোৎনৌ নত্রগা মঙোন্দগী হেন্নবা হোৎনৌ হায়বদুনা ঐখোযদা হেন্নদুম তম্বুলা পীখি। অশুম্না ঐখোযদি; জাপানীজ লোল তম্বগী থবক্তু ক্লাসকি মতমদদমক পূক্লিং চংবা শাজিন্নবে।

ইটসুমি সাননা ঐখোযবু যাম্না চৈখি। নোংমদি মানা ঐঙোন্দা রাহং অমা হংবদা ঐ খঙখিদে। কবম্না ঐবু চুমথোক্কদৌরিবনো হায়না খনবগী মওংদা মহাক্কী ফাইল অদুদা মুন্না যেংদুনা লৈকবগা হায়রকখি "নথৌদা পূক্লিং চঙগদর্বনি; ঐগীদি নঙবু তম্বীবনি" ঐনা খঙনীংলিবা অদুদগী অমুক মখাতানা মহাক্না ঐবু তম্বীনীংলমদে, অদুবু মহাক্না ঙমজবদি হোৎনখি। ঐগী পূক্লিংদা অথোৎপা রাখল অমা পোক্লকপা মিকুপ্তা ঐনা নোত তৌশিনখি... "মহাকপু অফবা ওঝা অমা ওইনা ঐনা খনখিদববা...'? মহাক্না তম্বীবদা, হেন্না অফর্বগী মওং যাওই হাযবা ঐ খঙখিদববা ? ঐগী ফননবগীদমক্তা মহাক্না শাওখিবনি হাযবদু ঐনা খঙখিদববা..' ঐখোয়না হীবম অদু খঙলগা পরীক্ষা পাস তৌখিবা অদু, মহাক্কী পামজবনি হায়বা অমসুং ঐখোয়দা চৈ-থাংবদু ঐখোয়গী ইতেঙ পাংর্বনি হাযবনচিংবদু ঐ ভাব তাবা ঙমখিদবরা...?"

ক্লাস অদু মখা চৎথরমই। পূক্লিং ইঙথনরে, অরায়বা রাহে খবা ঐঙোন্দা অর্থ হন্দোক্লবা পীরম্মী। মতম ঙাইহাক অদুগী ওইনদি, ক্লাস অদুদা, ঐখোয় ঈংনা তপ্না ইথৌ পাঙথোক্লবমই।

হৌস্রবা নুংঙাইতবা থৌদোকশিং অদুনা ঐগী পূক্লিংবুদি মখাতানা নুংঙাইতবা রাখল পোকহনখিদে। ঐখোয়না তম্লিবগী থবক অদুদা পূক্লিং লৈতানা হোৎনরে, ঐ হৈনরে।

নোংমদি, ব্রিগেদিয়ার অদু ক্রিকেট ক্লবগী হোতেল অদুদা থেংনরুই। মহাক্লা হায়বকই- "নখোয়, ফজনা হোংনরিকো ... ?"

"ইটসুমী সানদি কয়া থাগৎনিংঙাই ওইদে।" ঐনা খুম্মী।

"অদু য়ৌনা খনজিল্লোইদবনি; মাসু নখোযবু তম্বীবিবদু ৱাবিবা পোৎনি।"

"তম্বীববুদি তম্বী, অদুবু মহাক য়াম্না ৱাজে।" ঐনা খুম্মী।

"জাপান মবোন্দু নঙোন্দা লুনা থোকপ্রনে...?"

"গ্রিক অমসুং লেটিন লোন্দগীদি মসিনা হেন্না লুই।"

"তশেংনমক লুবনি," মহাক্লা হায। "অদুগা নুংদি নুংঙাইবনি। নু ঙাইত্রনে .. ' ইব পানা তমদবসিদি, নুংদি নুংঙইতেহে নঙশী ওইং", অদুবু চৎনবা য়ানা, ৱাহৈ ৱাতা লিশিং মঙাবোমদি নঙ খঙবা ভাবনি।"

"ঙাঙববু ঙম্নবদি অদুম য়ারেদা।" ঐনা হায।

মদু ঙম্না মী ইবৈ লৈতে, অদুবু লাল লোইশ্নবা তুংদদি য়াম্না কান্নবা অমা ওইগনি।"

"লাল মতুংদদি ঐ মসি করিসু শিজিন্নররোই।"

"নঙ জাপান্দা চৎলোইদ্রো... ?"

"কোয়বা ওইনগদি চৎলুবসু য়াই, অদুবু ঐ জাপান্দদি লৈরোই।"

"অদুবু... তম্না ঙম্না নত্তেদা... পুন্সি অসি অঙকপনা থনবনি।"

"ঐদি, ইংলেন্দ নত্তুগা ফ্রান্সতা লৈগনি ; ঐনা হৈনজবা মীওই কয়াসু লৈবা...।"

"জাপান্দসু অফবা মী য়াম্না লৈ... খঙঙব্রা... ?"

"ঐঙোন্দদি ফত্তবা ওইনা লৌরে, ঐনা খুম্মী। "বর্মাদা ঐহাক মখোয়গা লানথেংনরকখি, মখোয়দগী নাম্থোরকখি, অহীং কয়া মখোয়না ঐবু মঙলাক্লহল্লি। মখোয়না ঐগী ইয়াম্নবুসু হাংখি।"

"লাল অসিমত্তন্দা...?" মহাক্লা হংলকই।

"মহাক হোংকোণ্ডদা লৈরম্বনি। মখোয়না তমথিবা থবক কয়া তৌখি মফম অদুদা।"

"হোয় নে...।" ব্রিগেদিয়ারদুনা হায়বকই...। "মখোয়না নুংশিহৈতবা, তমথিবগী থবক তৌবা য়াই, সিফায়নি ; সিফায় দি তমথিবনি, য়ু থক্লগসু অমুক হেল্লিবনি।"

"য়ু থক্লগদসু নত্তেদা।"

"এ নঙনা খল্লিদু নত্তে।" শোর শাংনা হোন্দোক্লগা মহাক্লা হায়বকই।

"তমথিবগী থবক তৌবদি, সিফায ওইবগা ঙাক্তসু নত্তেনে। পৃথিবী অসিদা, ঐখোয়না য়েংবা ঙমদবা তমথিবগী থবক কয়ামকম লৈনে।"

"ঐ মখোয়দু য়েংনিংদে।"

"নঙ জাপানগী মীওই পুম্নমকপুদি তুক্কচবা নত্তেদনা... ?"

"মখোয়বু নুংশিনিংঙাই মরম শুকলৈ লৈতে।"

"নঙ ইন্দ্রত্তরশিংবুদি তুক্কচদেদনা...?"

"খঙদে, ঐ মখোয়বু নুংশিদে।"

"লাক্কদৌরিবা মিস রৈ অদুসু জাপানীজনি , নঙ মাবুদি তুক্কচগনি হায়না ঐ খনদে।"

"অমবু ওইবে, অমবু ওইরে; ঐ মদু উৎখোক্লোই।"

জহাজ অদুনা থুংলবা অদু ঐহাক উখি। অচৌবা, মৈখু খোকফম উতোং অহুম বাংখৎনা য়াওবা য়াম্না চাউবা জাহাজনি। নুংদাংবাইবম য়ৌরক্লগা, হিথাঙফম অদুদা লৈরবা তুংদা, অচৌব হি অহুম মফম অদুদা চঙশিনখি। হি-শিং অদুনা ঈশিংদা চৎখিবগী লৈহৌবা মমিশিং অদু, মশাগী ওইবা সমুদ্রগী শাংবান্নবা মচুদগী মুশিনবা হেল্লি। হিথাঙফমদা লৈরবা অচৌবা জাহাজ অদুদি, য়েংবদা মগুণ লৈনা মশাগী চাউখোকচবা নাপল অমগা লোয়নবগুম্না উই। নাক অদুদা হোল্লিবা অমসুং মাগী মনাক নক্লা পূল্লপ-পূল্লপ লৈরিবা ঙাফাবশিংগী হি ময়াম অদুবু করিসু থৌশাদনা লৈথোকপগা পাংখকনি। মহৌশাদগী লৈরক্লবা অচৌবা, কুইরবা চীংজাউ অমগুম্না উই।

জহাজ অদুবু মুন্না উনানবগীদমক ঐহাক্কী বাইনোকুলারসদা য়েংবদা, ফম্বাক অদুদা য়াওরিবা অঙৌ, অঙৌবা শকফম কয়া অমা উরিবশিংদু বৃটিশকি সিফায় ওাক্তনি হায়বা খঙলে।

অহীং ওইরক্রে। নোংওাল্লকপদসু অদুম লৈরী, নুমিৎকি মঙাল্দা লংখৎনা উরবা হিথাংফম অদুদা য়াম্না মপাঙ্গল কনবা মান্না চীওলেম্না জাহাজ অদু।

ঐনা ক্লাসকমদগী অমুক য়েংলুবা মতমদদি, অচৌবা জহাজ অদু য়াম্না মোং-হাদনা তপ্না তপ্না অশুম চৎখিবনা; সমুদ্রগী মথক্তা নুংজাও ওাক্তনা থা মচেৎ শানা খল্লিবা (গেটবে ওব ইন্দিয়া) ভাবতকী থোঙ্গাল হায়বদুনা খনজিনখ্রে, উবা ফংখিদ্রে।

(৭)

মিস বৈ হায়বী ইন্সত্রক্তর অদু ব্রিগেদিয়ার অদুগা লাকমিন্নরম্মী। তশেংনমক্তি ব্রিগেদিয়ারনা ঐখোয়দা হায়খিবনি- "বৈ হায়বসি চাইনীজগী মিংনি; মতম অসিদা মহাক্না, জাপানীজ অমগী মমিং কৌবসি অফবা নত্তে খনবদগী বৈ হাযবা মিং অসি মহাক্না শীজিন্নখিবনি। অদুনা, মিস বৈ হায়রিবিসে জাপানগী মীশক অমনি, টোকিওদা ওাওনবিবা খ্বায়দগী ফজবা লোল অদু মহাক্না ওাওবা নখোয় তাবা ফংগনি।" মহাক্না ঐখোযদা হায়খিবা হায়ববু মদুনি। ঐখোয় পূম্নমক জাপানগী নুপী অমত্তা উদ্রিবনিনা মহাকপু যাম্না লাংতক্লনা ওাইখিবনি।

নুমিৎ অদুদা ঐখোয় পূম্নমক ক্লাসতা তুমিন তুমিন্না লৈখি, মহাকপু য়েংখি। মহাকসু ইপা-পাখৎনা ব্রিগেদিয়াবগী মনাক্তা লেপখি, মাগী মীৎয়ং অদুসু তেবলগী চিখেক্তুদা য়েংখি। পীক্তক তৌনা, তবা-তবাব শাবান্নি, মচু য়াকশিন্দবা, কালেনথাগী ফ্রোক অমা শেৎলি।

"হৌজিক, নখোয় পূম্নমক্তা মহাকপু ঐনা শক্তাক্তনি।" ব্রিগেদিয়ারনা হায়রকই। "মহাক মিস বৈ হায়বীদুনি।" ঐখোয় পূম্নমক য়াম্না তপ্না গুদ মোর্নিং, হায়না মহাকপু তরাম্না ওক্লখি।

মহাকসু হায়রকই মহাক্কী চিন্নালদা য়াম্না তপ্না "গুদ মোর্নিং" অদুগা থুনমক লুকথখি ইকায়খুম্নবা উৎপগী মওংদা।

ব্রিগেদিয়ারনা অমুক হায়রকই "ঐখোয় পূম্নমকপু তেংবাঙনবগীদমক্তা মিস বৈনা ইংলেন্দগী অসি তাল্লা লাক্লিবনি।" অসি হায়রগা, মিস বৈ-দা য়েংদুনা তৌবীমল ফোঙদোকপা ওইনা মোমোন নোকই। মিস বৈ সু মোমোন নোকই, মিৎকি পা-শিংদু মখারোমদা নেমথনা; মশামক্তি কবিসু খঙজদব' মীশক্লি হায়বগী মওংদা। অসিগী তুংদা ব্রিগেদিয়ারগী নাকন্দা মহাকসু ফমৈং তেবলদুগী মনাক্তা।

ঐখোয় পূম্নমক্কী মফমদা যানিংবগী ইঙ্গিত লৈনখি। মিস বৈ, চাংয়েং অমদি লানথোক্লে-মহাক মশক ফজে। ক্লাসকি কা মনুংদুদা, ইশেঙ শেংব তগৎ-তগৎ তেক্লিবা মশক অমগী মচুদি মঙোন্দা লৈরে, থল্লিবা ব্লেক বোর্দ. লাইরিক্কী মপৈ, তেবল অমসুং; মুকফুনচিংবা লৈবিবা কয়াদুগী মবক্তা। মতম ঙাইহাক্তি, কনা অমত্তা থোঙনাওদা য়েংথোক্লরমদে, মহৈ-মহৈ লোল্লা মিং কৃপ্লে।

"মহাক কা-হেন্না ফজে।" পিতরনা হায়রকই।

"উম !" ঐনা খুম্মী।

"নুমিৎ খুদিংগী, ঐখোয়গী ক্লাস-সে য়াম্না নুংঙাইদৌরী।"

"নুংঙাইনি।"

"মহাক্কী ইকায়বসি হেক ফবগা...।" পিতরনা মখা তায়। শক খঙনদবা মীতোপ ঐখোয় তরাগী মমাঙদা; মহাক্না ইকায়জবদু করিসু ঙকনীংঙাই ওইদে। ঐখোয় তরানসু মহাকপু নুপী অমা ওইনা মরম কয়াদা নৈনরিবনি।

ব্রিগেদিয়ারনা খাতা অমা পায়খৎতুনা হায়রকই-"ঐনা নখোয় পূম্নমক মিস বৈ-গী খোম্ন্থোক মতৌ তমহল্লিংই। মহাক ব্বারেং মতেক অমা পাখোকহনগে; অদুগা ঐখোয় অমুক হল্লা মতৌ তমদুনা পাসি।"

মহাক তপ্না পাবা হৌরকই, খৌনাউদা নুংঙাইতবা অমা লৈবগুম

তৌবদগী তপ্পা যৌদেম্বই, হায়রকই- "ঙাকপীগনি।" "খজিক্তং তপ্পপ্পা পারবদি ফগনিদা...।" ব্রিগেদিয়ারনা হায়। মহাক য়েংখৎলকই, মিংমৈদা খজিক্তং কারপ তৌনা ফজবা মমিং অনী অদু কুপই-হায়বকই অমুকসু "ঙাকপীগনি।" ব্রিগেদিযাবনা চৎখ্রবা তুংদা, মিস ব্রৈ-না জাপানীজ লোলদা হায়রকই।

"অমমম ওইনা ঐঙোন্দা ব্রাহং হংবসু যাই, ঐ খুম্লনবা হোৎনজগে।" মহাক্না শিজিন্নবা ব্রাহৈ পুম্নমক, চৎনবীগী নোম্লুক ব্রাহৈ ঙাক্তনি।

আর্মী ওফিসব অমনা লৎ-লৎ লাউনা জাপানীজ লোলদা হংলকই- "সিদ লাকপগী খোঙচৎ নুংঙাইবকপ্রা ?" "হংবিরকপদু অদোমগী ঈজ্জালনি। মতম শাংনা চঙখি, অদুবু কবিগুম্বা অমদদি পূক্রিং চিংশিন্না লাকই, চাংবদি... ঐ ইংলিসকী লাইবিক কয়া পাদুনা লাকখি।"

মহাক্কী মমাঙদা ঐখোযগী মিং ইবা রিজিস্তব অমা লৈবদুদা য়েংলগা অমুক হাযরকই।"

"অহানবগী মিং অসিনা... ক্নি্ হাযবা নৎত্রা... ?"

ঐনা দিক্সনারিদা ব্রাহৈ খরা থিরগা, ব্রাহং অমা হংননবা চে মচেং মমদা ইশিল্লগা হংই ... "জাপানীজ নুপাশিংনা যু ঙাওরগা য়ুম হল্লকপদা মখোয় মখোয়গী নুপীশিংনা মপুবোইবগী খোঙ মযাদা ফল্লগা খোউপ মরি লৌথোকপি ... চুম্না ?" ঐগী ব্রাহং তাবদা, মিস ব্রৈ থবাব তানা নোকখি - রিজিস্তরনা ... দু খর্নাজিল্লগা, মানা নোকপদু ঐখোয়না উদনবা হায়দুনা। মিনিট অমরোমদি ... অদুদা অদুম লৈখি, ঐখোযনা উখিবা হায়ববু মহাক্কী অমুবা মশম্না লাইরিক মং ক্না চাইথরকপা অদুনি। মমায়দি বিজিস্তরনা খনজিনম্রে।

"চুম্না অদুবো ?" অমুকসু হংজিল্লি মহাক্না য়েংখৎলকপদা...।

"ঐ... হায়বা ঙমদে, নোকনীংবা ব্রাহংনি।"

"নহাক খঙদ্রবো ?" ঐনা হায়...।

"করিগুম্বা মতমদা মখোয় খরনদি তৌরমগনি খল্লি...।" হৌজিক অমুক, মথঙশিনা কনানো...?" রিজিস্তরদা য়েংই, "ফেনব্রিক, হায়ত্রা...?"

ঐ, খুদক্তা ফেনব্রিক শাওরে হায়বা খঙলমই মরমদি মহাক্কী ঙকশমগী শিংলিশিংদু উবদা... ।

"মানি" মহাক্লা খুন্নকই ।

"নঙগীদি ৱাহং লৈব্রা ?"

"ঐগীদি ৱাহং অমত্তা লৈতে," মহাক ইংলিসনা খুমলকই, "অদুবু ঐনা হায়নীংবা ৱাফম অমদি লৈ ।" মহাক্কী দেক্ষ অদুদা মখূৎ নমথদুনা লেপখৎলকই । মহাক শাওবনা লোইরে মশানা য়ানীংদবা ৱাফম অম য়েংকদৌরে। হায়রকই-"ক্লাস অসিদা য়াওবিবা ঐখোয় পূন্নমক ওফিসর ঙাক্তনি, ঐখোয়দা ৱা ঙাঙবা মতমদা ঐখোযগী (বেঙ্ক) ফমথোন অসি খঙনা ঙাঙনবা মহৌশানি। নঙনা ঐখোযগী বেঙ্ক খঙদ্রবসু, চৎনবী লোল ওইনা মিষ্টর্বাদ ... যাইনা...।" ঙাইহাক অদু তূম্নিন তুমিন লৈনখি, ক্লাস অদু মওং অমা ওই...

মহাক্কী অশাউবা অদু খবা নেমথশিন্নবগী মওংদা ফেনব্রিক্লা ম... চৎথবকই "তশেংনমক; নঙাক্লা, ...লৈবাক্কী মীশক অমা ওইনা, ঐ... চৎনবীশিংসে খঙবদি য়াম্না লুই ।"

"তূম্মিন লৈয়ু" পিতবনা তপ্নপ্না লাওবকই "হে ঈশ্বর, কদায়দ... ওস্লোক্লা থাজদনা শাওগৎলকইদা ।"

মতাঙ অসিদা মিস ইব্রি চন্দ্রমুখি, বিজ্ঞিস্তবদা ম...ক লুকশিন্দু... লৈরুবগা, কোল্লুংদা হাযবকই-

"ঐ যাম্না নুংঙাইজদ্রে, খঙজকদ্রে... ব্রিগেদিয়াবনসু অদুম্ন ঙাঙবদুদা... ।"

"মদুগা হেক মান্নবদি য়াবোই ।" ফেনব্রিক্লা হাযবকই ।

"য়াম্না থকসি খাসি নাইদবা হায়বদুনি ঐনা ।" মহাক্লা হায়বকই । মহাক কপলক্লগদ্রা হায়না ঐ খনখি-মমিত্তা তুঙখিবা পিশিং অদু চেন্দি চেম্পুবকখিদ্রে ।

"কনাগুম্বগী করিগুম্বা ৱাহংশিং লৈবিব্রা ? মহাক্কী ঙাঙলৈনবা খজাইগী কুচুদা খরা অইশিল্লগ তৌনা উই, মহাক্লা হায়রকপদা ঐখোয়গী মিং পনবা কিজবে হায়বদু ঐ খঙই ।

মতাঙ্গ অসিদা পিতবনা জাপানীজ লোলদা হায়রকই- "ঐনা খনবদা, অদোম মতম কুইনা মফম অসিদা লৈগদৌরী হায়বসিনি। ঐখোয়গী অনৌবা ইন্সত্রক্তব অমা ফংজবদা য়াম্না নুংঙাইজে।"

মহাক্না হায়বর্ক্লিবা য়াঙাঙ অসিনা তাকপদি, ঐখোয় লোইনা ফেনবিক্তি কমজাও হুনবা য়াফম অদুবু মীচঙ চঙদে হায়বনি। মিস বৈ মকোক নোম্বগা হ'যবকই- "অদোম্বু থাগৎচবি। ঐদি, তাকপীবিবা য়াফম অদুগী কবিসু মতীকচাজদবীনি।"

নুমিৎ অদুগী ক্লাস লোইবগা, ঐখোয় কনাসু ফেনবিক্তা য়াবী শানবমদে। কবিসু নাচুংদবগী মওংদা, মাগী য়াবক্তা হুই খোংনা খোংনা মমাঙদা লৈবা লাইবিকশিংদু খোমজিল্লি। মানা খনজবদি, ঐখোয় ময়ামগী ওইনা মানা ঙাঙখিবা খবদুগী দমক্তা মঙোন্দা থাগৎ য়াহে ফোঙদোক্লবকনি অসিনি: অদুবু ঐখোয় কনানসু কবি অমত্তা পল্লমদে।

"হল্লগদবা নৎত্রা নখোয়বু ?" মানা হায়বকই।

"চৎলনি থুনা...।"

"পবপ পবপ তৌজৌ, পৈশা পীদনা গাবী তোংগে হায়বদি...।"

"ঐখোয় অদুফাওবদি লায়ববা ওইদেদা...।" পিতবনা হায়বকই।

"নশা নশাদা লৈবে।"

মহাক মথন্তা চৎলহনখ্রবা মতুংদা, ঐখোয় অতৈসু গাবী অমা ফংত্রা য়েংলুসি হায়দুনা মপান্দা থোবক্লে। ঐদি বাজাবদা পোৎ খবা লৈগদবা লৈ হায়দুনা মযামদগী লৈথোক্লুনা লাক্লে। মতম অদুফাওবা ঐ য়াম্না শাউরি, পূক্লিং নুংঙাইখিদে। ক্রিকেট ক্লবতা হান্না চৎলগা জোহ্ন কোল্লিন্স থক্লুগে খন্না, লম্বী অদু থেকচিল্লগা প্লেট পরেং লৈবদুগী মমাঙ য়ৌরকপদদি, ঐখোয়গী ক্লাস তৌফম অদু নক্লা লৈরম্লে। গেত অদুদা মিস বৈ থোরকপা উই। মতম অদুফাওবা লম্বীদা গাবী লৈত্তে। মহাক ঐঙোম্লোমদা য়েংলক্লমই।

"খন্না থুনা চৎপা মাল্লি।" ঐনা মঙোন্দা হায়।

মহাক লেপ্পগা খুন্নকই- "ঙাকপীগনি-কমদৌবা...?" ঐঙোন্দা, য়াম্মা ঙক্না, কিবা মান্না য়েংলকই। ঐনা হায়খিবদু অমুক হন্না জাপানীজ লোলদা হায়রুবদা মহাক্না ইংলিসতা হায়রকই- "ঐ চেম্লিবনি, করীগীনো হায়বসু খঙদে।"

"স্কুলদগী নাম্থোক্লকপদা নহাক য়াম্মা নুংঙাইজরমগনি হায়না ঐনা আশা তৌই।"

"নত্তেদা, অদুম খনবিনু।"

"ঐখোয়বু য়াম্মা ফত্তনা খল্লম্মনি।"

"থা অমরোমগী মনুংদবু; অদুক ফজনা জাপানীজ লোল খঙঙিদু করম্ননো...?" মহাক্না হায়।

"ঐনা হায়বদি জাপানীজ লোল নত্তেয়ে, ঐখোয়গী লমচত্নি।"

"লমচৎ কৈদৌরগে?"

"ঙসাই ঐখোয়গী মিং পল্লি হায়দুনা শাউরকপদো।"

"ঐ ইশামক অদুক পঙগনী হায়বদু হান্না খনজদ্রবনি।"

"ঐখোয় অতৈদি ব্রাফম অদু করিসু খনখিদে।"

"অদুবু, ঐ অহানবদা করিসু খংলুদ্রে, ঐনা হায়রিবদুফাও কবিনো হায়বা খঙখিদ্রে। ঐনা তম্বিবগী থবক তৌবসি হন্দক্তি সিনা অহানবনি; মীসু য়ামলমগদবা ওইনা খল্লি।"

"তরাখক্তনি।"

"অহানবদা, চাম্মরোম ওইরমানে খল্লুরে ঐদি।"

"ঐখোয় পূম্নমক্কী শক খঙলকঅনিদা সিদগীদি...। তশেংনমক ঐখোয় হিংচাবা মানবদি অমত্তা নত্তে।"

"নত্তে, অদু নত্তেয়ে...।"

মিংকুপ অদুমক্তদা অহাঙবা গাড়ী অমা লপ্পীদুদা লাক্নে। ঐখোয়গী মপাদা

শগোল অদু লেপ্লি। গারীথৌবা নুপা অদু মুসলিমগী ফেজ ভুপী অমা উপ্লী, অমুবা নাতোনশুমাওগী কোই অদু মচিন মথক্তা থা মচেং শানা হৌই।

"গাড়ী-সাহেব," মাগী ফম্ফমদগী মোমোন নোক্তুনা হায়রকই, মাগী ময়া অদু য়েংবদা ইঙাও ঙাওনা উই।

"অদোম্মু ঐনা থিল্লম্বা য়াত্রা ?" মিস রৈ-দা হংই।

"ঐদি হোতেলদা চৎকদবনি।"

"মদুদি ঐগী লম্বীদা লৈবে।"

"কদায়দনো হায়বা হান্না খঙব্রো ?" মানা হায়রকই।

"খঙদে, অদুবু মদুগী কবিসু বেবা লৈতে।"

"অদো, নহাক্কী লম্বীদগী ঐনা অমুক নঙবু তোঙান্না পুথোকচনিংদে।" মানা হায়বকই। "গাড়ী অসিদা চৎপ্রো, ঐ অতোপ্পা অমদা লাকচগে... ।"

"নহাক্কী হোতেলদু কবি কৌগে ?"

"মেফেয়র"

"অদুদি ঐগী লম্বীদা লৈ-না !" "মেফেয়রদা চৎসি," গারীবালা 'দুদা হায়রমই।

মিস রৈগী মতুংদা ঐনা কোন্না কাখৎলি। নুংশা খন্ননবা মথক্কী অমুবা ফি অদু নাকন্দা চোঙ্খনা চীংথরে, ঐখোয়বু কনানসু উদ্রে। ঐখোয়না উবসু, ড্রাইভরগী মমাঙদা চেল্লিবা শগোলগী নাকল অদুখক্তনি। নুপী ওইবী অমগী মনাক্তা নকশিন্না ফল্লক্তবা থা কয়া ফারক্লে চহী অনীরোম শুরক্লবোই খল্লি। রেজুন্দা লৈরিঙেদসু নুপী অমত্তা মশক খঙলক্তে। ইংলেন্দ দগী হি তোংদুনা লাকপা মতমদা নর্স নুপী খরা লোয়নবকখি। ঐনা খনজখি, মখোয়গী মরক্তগী মশকফজবী অমগা নুংশিবগী মরী থম্নরবদি নুংঙাইগনি হায়না, অদুবু ব্রাখল অদুদা ঐগী পুক্লিং লেপত্রিঙে মমাঙদগী হৌনা মখোয় পুম্নমকতি ঐঙোন্দগী হান্না পুক্লিংচঙশিন্না মীওই কয়াগা নুংশিনরম্লে। ঐখোয়না মিলিটারী সার্বিস অসিদা লৈবা তারবদি শিনফম তিন্নবী নুপী ওইবী অমগা মরী লৈননবা হোৎনবসু কৈ মরমদি কোরচং চৎলুবসু য়াদ্রবনিনা।

য়ুমদা লৈরিঙৈদা, ইকোন কোনবা মতমগী ওইনা, ঐনা মনাক নকশিন্না ফমজবা ফংখিবা নুপীদি, ঐবু পোকপী ইমানি। য়ুমদগী স্তেসন য়ৌবফাও লাকখিবা খোঙচৎ অদুদসু ইমা-গ ঐ-গ টেক্সি'দুগী মনীঙদা ফম্মিন্নখি। ঐনা ইমাগী মায়থোঙদা যেংদনবা হোৎনখি, মরমদি মহাক্কী মায়থোঙদা লৈখিবা, কপ্তুনবা হোৎনবগী মহাক্কা খাঙজখিবা অন্নাবদু ঐ খঙই। ফিভম অদুগা চপ মান্ননা; ঐহাকসু ঐগী মায়থোঙদা খাঙখিবনি। মতম অদুগী মমাঙ, লাল অসি হৌরকপা মতমদদি, নুপী কযাগী মনাক্তা ফন্নকখি অদুবু মখোয় অদুদি ঐনা করিসু পুক্লিং চঙবা ওইখিদে অমসুং নুপী অমগা হেক থংননা ফম্মিন্নবগী থোইদোকপা ৱাখল অমত্তা ঐঙোন্দা পোকখিদে।

মিস রৈ-গা ঐখোয় অনী শগোল গাড়ী তোংমিন্নরকপা মিকুপ্তুদা খঙহৌদনা ফাওরকখিবা ৱাখলদি, ঐহাক নুপী অমগা নকশিন্না ফম্মীন্নরি হায়বদুনি। মসি ঐগী ইফমদা, হান্নদগী করিসু খল্লমদবা ওইবনা অঙকপা অমসু ওইখি, অমসুং নীংশিংবদসু থোইদোক্লা নুংঙাইজবা ৱাখল পোকখি। কনাগুম্বী নুপী অমত্তা উদ্রবা করিগুম্বা মফম অমসুং মতমদা নুপীগী ৱাখল পোক্লক্লবসু থোইদোক্লা হীরম অদুদা নুংঙাইরুবা লৈতে, মহৌশানা অচন্বা মওং অমদা খল্লুবা অদু নত্তনা। হায়রীবা মিৎকুপ অসিদদি থোইদোক্লা নুংঙাইজবা ৱাখল পোক্লক্লবসু, থোইদোক্লা মহাক্কী হকচাঙগী নুংশিবা মনম; মহাক্লা তৈবক্লিবা মনমচেনবা থাউ, অকে অমৌগীদমক শীজন্নরিবা পোৎশক কয়াদুগী মনমনা ঐবু কা হেন্না পেলহনখি, অমরোমদা মাগী লেং-ওৎলিবা ফজরবী খুৎশা শিংদু অসুক্কী মতীক নুংশিখি। ফম্মীন্নদুনা 'সুম লাকপদুদা, মহাক্কী মায়থোঙদা য়েংশিল্লুবদা উরে-কুচু পাল্লবা, পূর্নিমাগী থাবল মাল্লবা শীত্তক তৌবা হরাউ নুংঙাইবনা য়োল্লবা মাইথোঙ অমসুং ফজরবা বাদাম মওং চঙনা মকা লাল্লবা মিৎস্না অনী।

ঐনা খল্লি- মহাক জাপানীজনি; ঐবু জাপানগী মীওইশিংসে তুক্কচবা নৎত্রা...? ৱাখলদা অমুক শিতরনা হায়রকখি-(হেই, বুদু... নঙনা তুক্কচরিবদু করিবুনো হায়বা নঙ খঙদে... নঙগী মাথাসি মওং অমনি।) মখাতানা খল্লি- নুপী অসি জাপানীজ ওইবনিনা, ঐ মাবু তুক্কচবা তাই।

"নঙ ঙমগদ্রা ?" পূক্লিংনা হংলকই।

"নুপী অমনি হায়বগী মহৎত্তা জাপানীজ অমনি হায়না খল্লদি ঙমগনি "

"মহাক অনীমক্কি" পিতবনা ঐগী পূক্লিংদা হায়বকই। "নঙ ৱাবেম ঙাঙগনু।"

তূমিন লৈবদু নুংঙাইতদুনা মিস ৱৈ-দা হায়-

"দিল্লিগী তোংগা শিংদগী মসিনদি ফবা হেল্লি। চুম্না ফম্মু, তাশিনবা যাবগী কীনিংঙাই কবিসু লৈতে।"

"অদুবু ড্রাইভবগী মচিনসে শোক্রমানে ঈ থোকই।"

"ইন্দিযাদা অমুক্তা লাক্লিবা...?"

"লাক্লি, মানা খুম্মী। মখোয় লোয়না মচিন শোকপ্রা ?"

"মখোয় লোইনা ক্কা চায়, নঙ হৌজিক বাজাবদা ক্কা য়োনবা উবনি, নখোয়না অনপ্পা মহি মখল অমা শেল্লগা মনা অমদা তৈশিল্লি।"

"বাজাব হাযববু কবিনো ?"

"পোং যোনফম লৈবা, ইন্দিয়াগী মীশিংনা কৈথেল কাবা মফমদুনি।"

"হৌজিক চংলগা য়েংউবা যাব্রা ?"

"ঐদি অদুদা চংতৌবিবনি।"

মহাক্কী মাযথোঙদা চংনীঙবগী মওং লৈব্রা হাযবদু ঐসু খঙননবা হোংনবমই। ঐ ঙাইহাক ঙাইদুনা লৈ, মহাক্না হায়বকত্রা হায়দুনা অদুবু মহাক তূমিন্না লৈবম্মী।

"ঐগা ঙাইহাক যেংমিন্নরুবগী মতম লৈগদ্রা ?" ঐনা হৌদোক্লমই, পূক্লিংদসু পাখৎচৈ, মহাক্না যারক্লোই হায়বগী নত্তবদা, ঐনা পুখৎলুরিবা ৱাফম অদু মহাক্না য়াদবা তাববদি মপূক্লিংদা নুংঙাইতবা পোকত্রা হায়দুনা।

"য়াম' চানবিবগী ৱানি !" অঙাং অমদা কমলা অমা চাও হায়দুনা পীবদা হবাউজবা অদুগুম; মহাক্কী মায়থোঙদা খঙহৌদনা হরাওবগী মমি তাখি।

অমরোমদা মঙোন্দা ফাওরক্লিবা নুংঙাইহবগী মওং অদু কোঙদোক্লিংদবা মতাণ্ডম অমুক চীংনরপ তৌনা হায়রকই- "অদো, ঐবুদি পুবীনিংঙশ্মোইদা... ।"

"করিগী।"

"নঙ হায়দগী কনানো অমগা খঙনরম্বসু য়াই।"

"খঙনদে, কনা'মত্তা খঙনদে।"

"অদুদি, করিসু কায়দে নঙ য়ারব্রা ... ?"

"করিতৌনি হায়গে; পুল্লপ চৎমিন্নরগা ...?"

"ফরেনে অদুদি ...।" মহাক্না হায়রকই।

"ফরেকো ...?"

"ঐদি জাপানীজ নি; নহাক খুদোংথিরোয় হায়বদি শোয়দনা খঙঙব্রা ?"

"শোয়দনমক খঙই। নহাক ঐগী ওঝানি; ঐখোয় নঙোন্দগী জাপানীজ লোল তম্লিবনি।"

"ফরে; বাজার চৎলসি অদু ওইরদি।" মানা হায়রকই । "বাজার হায়বসি য়াম ফজবা য়াহৈনিকো... য়াম' নুংঙাইরমগনি মফমদু... ।"

ঐনা গারীথৌবা নুপা অদুদা চন্দ্রগুপ্ত রোদতা চৎননবা হায়রমই । মহাক্না শগোলগী খুর্জি হেক চিংবগা ঐখোয় ঙাইহাক্তংগী মনুংদা মফম অমদা লেপ্লে। লম্বীদুগী ময়ায়দগী অমুক লৈশিল্লগা গারী ময়াম চৎলিবা মরক্তুদা লাক্লে।

"নহাক্না হায়বা লম্বীদু নত্তমানে মসিদি।"

"গজ খরা য়াংলি।"

"নঙোন্দা অব্রাবা ওইহনবসি নুংঙাইজদে।"

"ঐদি য়াম্না নুংঙাইজে, ইহান হানবা ওইনা, ফজবী ; চিঙলেম্বী নুপী অমগা গারীদা তোমিন্নবা ফংবসে,... অচৌবা থৌদোক অমনি পুলিদা।"

"ওহ! সৈজি ...!" মানা হায়রকই।

"ঐ, জাপানীজ লোল খঙদেকো...। অচুম্বমক্তি।"

চন্দ্রগুপ্ত বোদকী চুথেক্তা গারী অদু খাম্লে। ঐখোয়না কুমথবগা, মায়য়োক্লবদা মশা নান্না প্লাসতর তৌরবা চেকপল অমা লৈরম্মী। চেকপল অদুদা, ঐনা মফম অয়াম্বদা উবক্লবা পোস্তর অমা থেংলম্মী।

পোস্তব অদু, য়েংবদা নুংঙাইতবদি নত্তবা মোমোন নোকপা জাপানীজ অমগী মায়খূম অমগী মওংনি। মাক্ক অদুগী মখাদা ইরম্মী- "মরুপ শানবগী মায়খূম চেকশিল্লু, মায়খুমসিগী মনুংদা জাপানীজগী তমথিবা-ব্রাখল লোংলম্বা য়াই।"

ঐনা মিস ব্রৈ-দা য়েংই- মহাকসু মদু উরে। মমায় লৈথোকই মাগী মিংকি পা-শিংনা মমিং অদুবু লোংখি। মমায়দু লৈমায়দা ঙাইহাক লূকথরগা বাজারগী মায়কৈদা ওম্থোকখ্রে।

"মসি নঙোন্দা নুংঙাইরল্লোই।" ঐনা হায়খি। মহাক খুদক্তা মায়থোঙ মকা লামলকই, খুমলকই-

"নঙোন্দসু নুংঙাইরল্লোই।"

"মদুদি খেন্নে।" ঐনা হায়

"নঙ করিসু ব্রাবৌবদি লৈতেকো!"

"করীগীনো ব্রারৌবা হায়ববু ...।"

"ঐবু বাজার য়েংহনবা ...।"

"হোয়, ঐনা বাজার উহনগদৌরীবা মীশক অদুগী মফমদদি ঐগী ব্রাখল অখন্নবা তোপ তোপ্পনি।"

"ওই! ... ওম্থোকপা ব্রাখল।"

মহাকমায়থোঙ লাংশিনখি, নুংঙাইজদবগী মমি তাখি মাগী মিংয়েংদা। মহাক্কী কোইরাউনবী মিংশ্লা অনীমক্তা ঐঙোন্দা য়েংলক্লমই, মহাক্কী পূক্লিংদা ফাওরিবদু খঙলব্রা হায়বগী মওংদা। ঐনা তৌরুবা ফাগীগী ব্রাহৈশিং অদু মখা তাদ্রে।

"মদু ঐনা ইপণ্ড পণ্ডনা নুংঙাইনবা পণ্ডহায় হায়বনি।"

"অণ্ডইবরা ?" মহাক্না হায়রকই। "পূকচেল শেংনা (ওনেসত্রি) নত্ত ম্নারৌদেকো।" ওনেস্তলি হায়বা ইংলিসকি ম্নাহৈদা য়াওরিবা এল অদু মহাক্না 'আর, গী খোঙ্খোক্তা হায়রকপদুদি অঙাংমচা অমনা হায়বগুম্না তোপতোপ্না নুংশিবা মওং অমা থম্মোয়দা ফাওরকই তাবদসু নুংঙাই, ঐ হাইরপসু নোক্লুরে।

"করিগী নোক্লিবনো ?" মহাক্না হায়বকই।

"ঐ য়াম্না নুংঙাইজদ্রে, চাউখৎতবা তাবে।"

ঐখোয় কৈথেল অদুদা ফাওদুনা লাকপা হৌরে। লম্বী অদু মীনা পীক থল্লি, শলগারী কয়া নূং-থাবা সড়ক অদুদা গদ্রক-গদ্রক চৎলি-লাঙসু য়াম্না লাঙই। লাঙবা অদুতা নত্তনা মৈথু অমসুং অতে মনম্না মফম অদু লৈফম খঙদে। য়াম্না মোৎলি, ঐখোয়না লাকপদুদা নাকল অমসুং মাঙদা চৎপা মী ইল্লুরবসু করিসু থৌশানদে। অয়াকপা খোনজেলদা দুকান্দারশিং অদুনা করি কবিনে পঙলাউ লাওই, ঐখোয়গী ইপোৎ ইচৈ তাহৌরে হায়না খঙহল্লকপগা চপ মান্নে।

"য়েংউ সাহিব। মিনিট অমত্তা সাহিব। অহোঙবা খোংউপনি সাহিব।" অসিনচিংবা খোনজেল কয়া।

মিস বৈ, অঙাংমচা অমগুম্না মমিং ইথক থকই। লম্বীগী নাকল অমদগী নাকল অমদা চোংথোকই। পোৎশিংদা খুদোম্বী থিল্লি, শোকলুই, মশাগী করিসু খন্দবা অঙাংমচা অমনা শান্নপোৎ য়োনফম দুকান্দা তৌবগুম্না। ঐদি মহাক য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইখি। খল্লকখি, ঐনা হেক উরকপদগী মহাক্না খায়দগী ফজবী নুপীনি হায়না। জাপানীজগী মশক উংপা পোসতর অদুসু অমুক নীংশিংলকখি-মথং মথং, জাপান হায়বসি ঐগী ইফমদা করিনো...? খঙলকই ঐগী ম্নাখল অদু অরানবনি। মিস বৈ-বু নুপী অমা ওইনা খল্লুদনা জাপানীজ ওইনা খল্লুরিবা ঐগী অশোয়বা ম্নাখলনি...।

মিকুপ্তুদা, উংমচুগী অমোংপা শনজাও অমা; পাপাচেন্নব অশেঙবা শত্তম অমগী মওংদা নিংঙায়দনা মফম অদুদা লাকই।

"য়েংউ অসে!" মানা লাউরকই অদুগা মহাক্কী খুদোম্বীনা কন্দায়দগীনো

থৌনাফনা মচী অদুদা শোক্লুবদা শল অদুগী মকোক্তু খংহাই হাইদোরক্লুনা মিস বৈ-গী শেংলিবা ফি অদুদা মনাত্তোন অমোংপা অদুনা হৃমজিল্লকখি। মিস বৈ-খংবা অমগা লোয়নননা, মহাক্কী খুদোল্বীদু শনজাও অদুনা চীকখ্রবগুম খংচিং চিংথোক্লগা ঐঙোন্দা ঙক্লা য়েংলমই।

মানা হায়- "মকোয় হৌবদু উব্রা ?" শনগী মকোক্ হৌই হায়বা ঐদি হান্না খঙদে।

"জাপান্দা শন লৈত্রা ?"

"লৈ-অদুবু ঐ অমুক্তা শোকলুদে, নকসু নকলুদে। কৈথেলদা শন থাদোক্লিবসি কবীগীনো ?"

"কনা অমত্তনসু তাম্বোক্লদে।"

মহাক্লা খল্লগা অমুক হায়বকই- "ওহ্ ! অসি ওইবেকো, বাজার হায়বসিদি, পৃক্লিং য়াম্না লাঙবা মফমনিকো... ঐদি শোৎ লৈনি।"

"শনসু লৈগদবা... ?"

"নত্তে, কবি কবিনো হেত্তা লৈনি। শোৎ লৈবা নুংভাইগদবা মল্লি। ফাওণ্টেনপেন ফংগদ্রা ?"

অশুম লাকপদা শোংয়োনফম স্তোব অম থেংনবে মশা লোয়বা দুকানদাব অদু খোঙ্গায চন্দুনা থোংজিন্দুদা ফমলম্মী। মখৃৎনা কলম খবা লাম্লগা অমমম ওইনা ঐথেযদ য়েংহাল্লি। মখৃৎ অদু তথা তথা লাওই ভাঙলৈনৈ, খুজিল চাওই।

"মশি অফব্রা ?" মিস বৈ-না হাই।

"খ্বায়দগী অফবা পুথোবক্নে" অমা পুথোবক্লুনা পী। "মসিনি, অচুম্বা ব্রেক বার্দনি।"

"মসিবু শেংনমক ফব্রো ?"

"হিরিসি য়েংবীয়ু সুপরফাইন হায়না।"

"কয়া পীবা ?"

"লুপা য়াংখৈতনি।"

"ঐ লৌরনি।" মহাক্কী হেন্দবেগতগী পৈশা লৌখোক্লবা হুমজিল্লি।

"লৈবা য়াদে; ঙাইখো।" ঐনা হায়।

"করিগীনো... ঐ পাম্মে...।"

"মমল য়াম্মল্লি।"

"ঐ, কলম অফবদি পামই।"

"নঙগী অফবদু মসি নত্তে।"

"কয়া পীবনো ?" মানা হায়।

"মঙোন্দা লুপা কুনমঙাদমক পীয়ু।"

দুকানদার অদুনা অমুক হায়রকই-"মসিদি লুপা য়াংখৈদগী হেনবানি সুপরফাইননি; মেমসাহিবকীদমকতা হোঙনা য়োনথোকচবনি; অতৈ ওইরদি, ঐ লুপা হুম্ফু লৌনি।"

"কুনমঙা" ঐনা হল্লি।

"য়াংখৈদগী তানা ঐ য়োনবা ঙমলোই।"

"কুনমঙা...?"

মিস বৈ-না ঐঙোন্দা য়ারশিবা হায়বগী মওংদা য়েংলকই। ঐনা মখূৎ পায়দুনা চৎলসি হায়না পুখোরকই।

"লাকওনে, ঐনা হায়। সিগা চপমান্নবা অমা মফম অতৈদা হোঙনা ফংগনি।"

"লুপা নিফু - সাহিব ! অথন্নবা মমল।"

"কুম্না য়ারো" ঐনা হায়।

"কুম্নামঙা - মেমসাহিবকীদমক্তা।"

"করে" ঐনা হায়। নঙ নরাইবক কবনি, মেমসাহিবসে য়াম্না পূকচেন্দ চাউবনি।

মিস ব্রৈ, মাইখোঙ মকা লায়রজনা মহাক্কী বেগতগী পৈশা লৌথোক্তুনা পীবে, কলম অদু মকম অমদা থেৎশ্রে। ঐখোয় চৎননবা লৈথোরকপদা; মগোন্দা হায়-"ঐখোয়না কৈদৌনুংদসু মখোয়না হায়বা গুাক্তা পীরোইদবনি।"

"অদুবু, মাদি য়াম্না লায়ববা মাল্লি।"

"কুম্লামগুাদু ফংবদা মাদি হরাউরবনি, মমায়দু উরক্লে ?"

"ঐনা মাবু চালাক তৌদুনা নমথবীখি হায়নদি মা খন্দেকো।"

"খন্দে, নগোন্দদুম মহাক্লা চালাক তৌবা গুম্মী হায়না খনজরিবনি।"

"নগুনা ঐগীদমক্তা লুপা তরামগুাদি তুগুশিনবিরে। করিগুম্বা খরদি নগুগীদমক্তা ঐ খরচ তৌজগে, চানবিদুনা য়াবিয়ু।"

"ঐ করি অমত্তা পামদে।"

"হোয়, অদু ওইরদি, ঐগী তুগুশিনবিবা লুপা তবামগুাদু নগুগীনি হায়না খল্লগে, এ - সিদা লৈরিবা পোৎ অসি লৈরুশি।"

"এ-এ ঐদি থবাক্কী ব্রাসিয়াবদি হাপ্তেকো।"

"ওম্থোকপনিদকো" মানা হায়জরকই। নগুনা পাম্বা পোৎ অমত্তা হায়দবসিদি ফত্তে। য়েংউনে; সিদ যন্ত্র খোংবা ময়াম লৈবে।" ইন্দিয়াগী মীওই ময়াম পূনশিন্দুনা লৈবা মকম অমদা মানা খূদোঙ্গী থীলম্মী।

"য়েংউনু" ঐনা হায়রম্মী।

"লিনগী জগোয় মাল্লি।"

"নত্তে, করিগুম্বা অকি তুজুংবগী মশাক্লি।"

"নগু মসি উবদা নুংগুাইরোই।" ঐনা অমুক হায়।

"করিনো অদুবু হায়বীধুবা... ।"

"শেল-নিবগী থবক্লি।"

"শেল নিববু ঐনা কৈদৌবগী য়েংবা য়াম্রিবা... ?"

"নগু পাম্মদি য়েংঙোনে অদুবু নগু পামদি পাম্মোই।"

"নঙ য়াম্না ব্রাখল খক্ষ্ণগনবা মীনি..." হৼাউজনা হায়ৼকই।

"ফৼেনে, অদুদি য়েংঙুৼসি।" ঐনা হায়।

ময়াংকংনা উবা, কুচু ৰাওথাংনবা, খোঙনা চৎলিবা মীয়াম অদুগী মবক্তা ফাওদোক্লগা, যন্ত্র খোংলিবশিং অদুগী মনাক য়ৌৼক্লে। অমুবা অশাঙবা মশাম্না মবে মবে য়েৎশিন্নৼবা অহল ওইববা নুপা অমনা কাওবু অদুগী লুচিংবনি। মমাযগা মশমগগী অমুবা মচুদু থোইনা খেন্নদে। খোংক্রম মানবা মহাক্কী খোংনবা যন্ত্র অদু কাম্বদা মখজাই অনীদু ইপোম পোমখৎলি। মাগী মতুংদা নুপামচা অনী লেপ্তুনা লৈ, মফি অমত্তা শেংতে। মখোয় অনীগী মখজাই অদুসু ঙাঙলৈনবা ফুটবোলগুম্না ইপোঙ পোঙখৎনা উই। মমিৎ অনীদুসু ইতোঙ তোঙই। মখোয়গী যন্ত্রগী খোনজেল অদু ঐখোযগী পুক্লুংদা চঙলকপগুম ফাওই, লেপ্তুনা খোংই।

"কবিসু অকায়বদি যাওদেনা।" মিস বৈ-না হায়ৰকই। "য়েংউনে যাম হৌনা খোংঙিসে!" খুদক্তা মহাকী মায়থোঙদা অকীবা ফাওবকই, কবিনো অদদা য়েংদুনা লৈ। যেংবদা মিৰাংগী মখোঙ মাল্লবা, লৌপ্লবা মীযামদুগী খোঙ মবক্তা, পুক্লুংগী অঙাং মানবা শক্তম অমা থোৰকপা উৰে। মকোক য়াম্না চাউই, চপশিল্লবা মবুক্কুগী নাকল অনীদা মৈখেৎ মচৈ মানবা মখুৎ অনী পাল্লি। মহাক্কী উৎমচু মানবা হকচাংদুদি অঙাংমচা অমগীগা চাউবা চপ মান্নগনি। অকিবা ফংনা মওং কায়ৰবা হকচাং অদু, চহী মঙা নত্তুগা য়াংখৈ নত্তুগা চামঙা শুৰবা মশক্লা হায়বগী কবিশুম্বা খুদম অমত্তা উবা ফংদে। মাগী লেঙবা ঙম্বা পাম্বোম অমত্তংগী মতেঙনা ইনচি অমদগী ইনচি অমা অমোৎ অকায় মরক্তা মশাবু চিংদুনা চৎলি-মহাক মশাদা, হিংবগী পীক্লবা থবায় অমদি য়াওরি।

মহাক অদু উবদা; মিস বৈ লেপ্তুনা লৈখি-মহাক্কী মায়থোঙদা থবায় অদুনা পুরিবা অৰাবদুগী মমি তাখি।

" চৎসি লাকও!" ঐনা হায়।

"ঙাইবিখোবা।" মহাক্কী বেগতা মখুৎ হুমজিল্লি, শেল খৰা লৌথোক্লবা। লুপা কুন কুম্মারোম লৌথোৰক্লনা ঐঙোন্দা পী। মপিদি তাখিদে, অদুবু অৰাবনা পিগী মহৎ শিন্দুনা মাগী মিৎ অনীমক্তা লেপখি।

"অমুক্তা পীবিয়ু !" মানা হায়খি।

"অদুবু...।"

"চানবিদুনা...।" অসি হায়রম্লগা মহাক মীরক অদুদগী থোকখি।

লেপ্লিবা মীয়ামগী মরোল অদু কাওজিন্দুনা ঐনা চঙশিল্লুবদা; মশম শাংবা অহল অদুনা ঐবু উবে। মথূৎ নাম্মনা যন্ত্র খোংলগা মথূৎ নাম্ম তিংথোরকই। শংগী নোট অহুম, মবীবোম অদু তাশিল্লগা মহাক্কী মখুত্তা হাপ্লদা, যন্ত্র খোংনা-খোংনা পীবিবদু কয়ানো হায়বা মহাক য়েংখি। জ্ঞান মাঙনা, যন্ত্রগী খোনজেল অদু মকুপ অদুদা য়াম্না ৱাংখৎনা খোংলগা, তপ্না-তপ্না নেমথখি। অহল অদুনা মকোক হাইবপ লুকথবকই, অঙাং অনীদুগী খজাইসু পোঙখৎপা হেনখি। ঐ মায় লৈথোক্লুনা মীবক অদুদগী থোরকই।

"নহাক য়াম্না থৌজাল হৈবিনি !" ঐনা মিস বৈ-দা হায়খি। মহাক কবিসু খুম্লক্তে। "মহৌশাগী ওইনা, থা অমগী মনুংদা, মহাক অশুক য়াম্নদি ফংলমলোই।" ঙাইহাক তূমিন লৈকরগা মহাক্না হায়রকই-"ঐনা উরকপা কয়াদগী ভাসগী অসিনা খ্বায়দগী হেন্না অকীবগী মশক্নি।" ঐনা হায়। "থাজবা ঙমদবা অরুবা থবক্নি অদুবু কবিগুম্না মতমদা; মখোয়না থবক ওইনা, অঙাং কয়াগী মখোঙ মথূৎ ককথৎলগা চাকনি-শেম্নিহল্লি।"

"ওহ্ ! মদুদি য়াম' নুংশি হৈত্তবগী ৱানি।" মাগী চিম্বালদা তপ্না শোম্লি।

"অদুনি..." ঐনা হায়। ব্রিগেদিয়াবগী ৱাহৈশিংদু নীংশিংলকই। "সংসার অসিদা নুংশি হৈতবগী থবক য়াম্না লৈ হায়বদু। কৈথেলদা উবিবা পোৎশিংদু য়েংশিন্নদুনা, ঙাইহাক্তংদি ঐখোয় তূমিন্না অদুম চৎলে-ঐখোয় ইশাবু হেক্তা নুংঙাইথোকচবগী ৱাখল অদু পুরকপা ঙমদনা। ঐগী ৱাখলদা য়াম্না নুংঙাইরক্তবা অমদি...অমোংপা মফমদা উরকখিবা মী মান্দ্রবা থৱায়পানবা অদুগী অৱাবা শক্তম... অমরোমদা, মিস বৈ-গী মায়থোঙদা লৈরম্বা হরাউ নুংঙাইগী শক্তম অদুবু অৱাবা লৈচিম্না কূপশিনখিবা অমসুং য়াম্না হৈনিংদবা মাম্না মহাক্কী মায়থোঙদা থৱায় নুংঙাইতনা উখিবা...অসিনি। ঐনা ফাগী ওইনা, অচম্বা ৱাফম অমা হায়দুনা য়েংখি, মদুনা মাবু নোকহল্লবসু অৱাবগী মিনোকতমক ওইখি।

হোর্নবায় রোদ য়ৌরকপা মতমদদি মহাক্না ঐঙোন্দগী বিদায় লৌরে, য়াম্নসু থাগৎপীরম্মই, মহাক্কীদমক্তা ঐনা মরম কয়ামরম পাওথোকপিরে... হায়দুনা। মহাক্না গাড়ী কাখৎলমদাইদসু ফজবা নোম্নুক ৱাহৈ কয়াসু ফোওদোক্লম্মই।

"ওসিগী অসিদি পুন্সিগী অওকপা থৌদোক ওাক্তনি।"

ঐগীসু গাড়ী অমা কৌশিল্লে-য়ৌগদবা হোত্তেলগী মমিং তাক্লে।

(৮)

ঈশিং অঈংবগী শোরারদা ইরুজথোক্লগা, খ্বাওদা গামশা অমা য়েংশিল্লগা চুরুট অমা চিংদুনা লৈ। ইন্দিয়াদদি ঈশিং অঈংবনা ঈরুজথোকপসি য়াম্না নুংঙাই। চা কপ-অমা থকপা নত্তুগা তূম্বদগী ফাওবা হেন্না নুংঙাই। খোঙ চাফাংলবা, হন্মাং য়াম্না শৌরবা নত্তুগা ৱাখল নুংঙাইত্রবা মতমদা ইরুজথোক্লুরবদি অনৌবা ৱাখল অমা হেক্তা হোংই। চুরুট থকপসু অসিগুম্না পুক্লিং চরাওনবা মতমগী ওাইহাক পোংথাবা ফংনবগী মশক্তি।

অশুম্না ঐ, কা অদুদা খোঙউপ য়াওদনা থবক মচা খরা পাওথোকই-কোইচং চংলি। ইংলেন্দা লৈরিঙৈদদি ঐনা করিসু পুক্লিং চঙলুদবা মরম কয়ামরুম লৈ তওাইফদবা ইশাগী দরকার ওইবশিং অদু নত্তনা। হকচাং শাজেল তৌরিবনি হায়দুনা মতম য়াম্না মাওহনবসু য়াওই।

ঐনা ইংলেন্দগী জাহাজ তোংদুনা লাকপা মতমদুদা খওলকপা ৱাখল অমদি, মী পুম্নমক্না পৃথিবীগী ইক্কেটর নকশিল্লকপা মতমদা মশা-মশাগী ওইবা হকচাওগী মরমদা কয়াম পুক্লিং চীংশিল্লবগে হায়বদুনি। জাহাজ অদুদা; মশক মতৌ ফজবী; মায়থোঙ মকা লাম্নী, লৌশিংসু য়াম্না লৈবী বর্ম্মিজ লৈশাবী অমা য়াওরম্মী। কেপ্তেনগী থাক্তা লৈবা, লাম্নীগী ডোক্তর অমগা মখোয় অনীদি, ঐখোয়না ক্লাইদ হায়বা জাহাজ অদুদা তোংলক্লিঙৈদগী হৌনা নুংশিনবগী ৱাখল লৈনরকপা মাল্লি। আটলান্তিক মহাসাগরদা কোইথেক-কোইথেক জাহাজ অদুনা হোল্লকপা মতমদুদা মখোয় অনীগী মরক্তা য়াম্না অরোনবমক নত্তবসু নুংশি-

নুংওংগী লমদা মরী নকশিন্নরকখি। ঐনা ওক্লা খনখি-মখোয় অনীসি নুহোংলবদি কমদৌবা তাই...? মখোয় অনি, ফিভম্না ম্নারক্তবদগী মশা-মশা য়াননা খাইদোক্লবগী মতাও অমা লাকখি। য়াফম অদুদি অঙ্গংবা অয়াংলমগী ঈশিং নুংশিং থেংনরকপা মতমদনি। মতম অদুদা বর্ম্মিজ লৈশাবী অদুদি মাগী অচৌবা; শামতুগী কোট মনুংদা নীক্তুনা খাওখি অদুগা ডোক্তর অদুনা লাম্নীগী ওইবা অচৌবা কোট অদুগী মনুংদা...। ইক্কেটর চওশিল্লকপা মতমদদি প্রকৃতিনা মখোয় অনীবু অনীথোক্লা খাইদোক্লে। বর্ম্মিজ নুপীদুগী য়াওথাংনবা হকচাওগী কুচু অদু নুংশা মওান্না য়ৈবদা নহানমখৈ তুমদুনা লৈরুবা হকচাওগী মরেক-মহাও ইনৌ নৌনা মশক থোক্লে। কেণ্ডেন মশাগী ওইনদি- য়ানিংদনা ট্রোপিক্কি ফিজোল হোংদোক্লে। মতোং-মতোং য়াওবা-খুকউ অদুসু উরে লোয়ননা মাগী অস্তৌবা কুচুদু-নুংশানা য়ৈবদা ওাংশিন্না উরে। মখোয় অনী তোওান্না লৈনৈ-অমনা নুংশাদ-অমনা উরুমদা...অমনা মিহৌনা অমনা হক্তোইনা।

আয়র্লেন্দগী অয়াংদদি মখোয় অনী নুংশিননা লোয়নরকপদু, ট্রোপিক্কি লমদদি মখোয় অনী তাইশিন্নবা ওমদনা লাপথোক্লরবগুম উরম্মী।

অসিনি নুংশানা ওইহল্লকপা মী-মীগী মশাগী য়াখল... ঐগী ওইনদি বর্ম্মাদা লৈরিঙৈ, অমসুং হোসপিতালদা লৈরিঙৈ অদুম চপ মান্নখি। ঐগী হকচাও অসি ইনৌ নৌনা অমুক শেমকৎলকপদা, ঐওোন্দা লাকখিবা য়াখলদি- হকচাও অসি ঐ ইশাগীনি অতে কনাগীগা; করিগুম্বা অমত্তংগা ওনথোক্লবা ওইথোক্লোই অমসুং মহাক যাওদনা করিগুম্বা অমত্তসু য়ারোই হায়বসিনি।

ঐ, অতোপ্পা চুরুট মচৈ অমগা অমুক চন্নে। লাইরিক অমগী লামায় খরা পারবা তুংদা- খাকিগী খোংগ্রাও অমসুং বুস সার্ট-শেৎচিল্লে-লিংশিল্লে। পিতরনা চে মচেং অমদা-মহাক্কী চংক্ষম ইদুনা থনম্মী, মক্ষম অদুদা মহাক্কা উনবা য়ানবা। অশুম্না, ঐসু গাড়ী অমা ফারগা য়াচ্চ-ক্লব য়ৌননবা লাক্লে।

মক্ষম অদুদা পিতরদি- মারভিন অমসুং মারিও-গা থকমিন্নদুনা লৈরম্মী। ঐসু হইখি অমা লৌরে; অদুনা ঐখোয় অহুম চাক চারম্মসি হায়না মখত্তা কারম্মী। কা অদু য়াংই পাংখা মরাও কনজনা পাক্লি, মান্না ইওাই। য়েভেলগী

থবক তৌবা মীশিংদু মশা নাম্লি-লোইনা অত্তৌবা কিজোল শেংলি, মচু তারবা লৈমায়দুদা খোংউপ য়াওদনা চংলি। ঐখোয় অহাওবা চিঞ্জাকশিংদু চাবদা হেন্না নুংঙাইনবা য়ু লিক্লি অমসু লৌশিল্লে।

"ঐদি খোম্বে-সি' সুম হৈনরকলে..." পিতরনা হায়রকই।

"লুরিসে মদুনি," মারভিন্না খুমলকই "ঐদি কাহেন্না 'সুম হৈনরক্লগদ্রা হায়দুনা কিরবনি।"

"নখোয়না হায়রিদুবু করিনো... ?"

"চেঙ্গসিয়াগী কিংস রোদ তা লৈরিঙেদদি পুল্সি সে ইচম চম্বনি। নঙগীদি মতম পুম্নমক্তা করিগুম্বা মরম অমদা হেক্তা, নঙগী পুল্সিগী চাকা সি উঙতিনে।"

"মদুনা খাঙবদদি খরা ফৈদনা।"

"ঐগী চাকা মওং কাযহনখিবদি ঐ পামদে।"

"মাইকেলগী চাকা সিদি মওং কায়দৌরী।" মারিও-না পুকচেল ইতিং তিংনা হায়দোরকই। "মাগী চাকাগী স্পোক মতোন্দা ময়ায়গী হবসি নপশিন্দুনা লৈদৌরী।"

ব্রাফম অদু করি হায়রিবনো হায়বগী মওংদা ঐ মঙোন্দা মুন্না য়েংই।

"ব্রাফম অসিদা নশাগী থৌরাঙ লৈত্রনে-নঙবু ?" মানা হায়।

"ঐ ভাব তাদে।"

"মাগী থৌরাঙবুদি লৈনে।" পিতরনা খুমলকই। "মতম পুম্নমক্তা মাইকেলদি পুল্সিবু থৌরাঙ তৌই। করিগুম্বা সহর অমা য়ৌবদা মেপ অমা হেক্তা লৈশিল্লি। মানা হৈনগদবা মফমশিংদু হিগোক মচুনা খুদম থমই। লম অদুদা লৈবা অচৌ অশাঙগী মফমনা অশঙবনা... অদুগা নুংশী মশকফজবা লৈবা মফমনা অঙাঙবনা...।"

"হায়রিবশিংদুবু করিনো... ?" ঐনা হংই।

"লোম্না পাউপুবশিংনা ঐখোয়দা লোইনা তম্মেনে ইবুংঙো...

য়াম'শিংনা ঐখোয়দগী নাহেক্লগা নও নখক্তা চৎশিন্নগ্রে, অদুদগীদি নখোয়গী উনফমদা তুমিন্না অদুম য়ৌগ্রে...।"

"মিস যৈ-রো, নখোয়না হায়রিদুবু...?" ঐনা হায়।

"মদুনে... ঐখোয়দা মীনা হায়রিসে।"

"মদুদি ঐনা নখোয়দা শেংনা হায়বিবসিনি তাঞ্জা অমদগী ওইখিবা থৌদোক্তি।"

"গাড়ী তোংমিন্নবদুসু তাঞ্জা অমরা ?"

"মদুনা ওইহাক্তি রাখলদা থৌনা ফরুবা হাযবদুনি।"

"মথক কৃপ্পা গাড়ী অমগী মনুংদা শকহেনবী অমগা তোংমিন্নবা তারবদি নওোন্দা থৌনাফনিংঙাই মরম য়াম্না লৈ।"

"মহাক মশক ফজে খনব্রা নওবু ...?"

"অশেংনমক ফজে!" পিতরনা হায়রকই "মহাক থোইদোক হেন্দোকই। মহাক্কী মমিৎ অনৌদুগা মান্নবা ঐগী পুন্সিদা অমত্তা উদ্রি। মহাক্কী মিৎয়েংদি, কোর্নিস খোংবান্দা লৈবা চিংদুম মচাশিংদুগী মরক্তা লৈবা, মখা উবা ফংদবা তক তকবা ঈশিং মনুংদগী য়েংলকপগুম্বনি।"

"মদু নহাক্কী খজিক্রুং মিহৌবগী রাঙাও মাল্লিকো।" ঐনা হায়।

"থাজেশেংনা ঐ মিহৌই... খন্দবা ওমদে, ঐহাক ঈশানা করি তৌবগী থবক অসি পায়খৎচহৌদবনো হায়না...।"

"ঐদি মদু খনখিদে, হেক্তা থৌদোক অমা ওইখিবনি।"

"নওগী খোওথাও শেন্নজৌ।" মারভিন্না হায়রকই। "মহাক নাপু মচুগী মীনি হায়বা কাউজনু।"

"মাগী হকচাওগী কুচুদি ঐখোয়গী অহানবা জাপানীজ ইলত্রক্তর ইটসুমি সানগী অদুম্নদি নাপু ওইদে। নওগী কুচু অদুগুম্না মাগীসু ওাওলৈনে।"

"রাকম অদু চপ মান্নে।" নওগী পূক্লিংগী ফিরেপ অদু থেকচিন্নরুত্রা

হাযবনি। ঐঙোন্দা হায়খিবদাই নঙনা "ক্না অমুত্তং চাবা হৈখিবদা চুকটকী হৈনবী মাঙখিনি হাযনা।"

"ওষ্ণোকপনি হে-ঐঙোন্দা অদুকয়ৌশিনবগী ব্রাফম ফাওবদি শুকলৈ লৈতবনি। ঐনা মঙোন্দা ব্রা ঙাঙলুবগী মরু ওইবা মবমদি ফেনব্রিক্তি মবাল ফোঙদোক্লুবনি।" মাবভিনগী ব্রাঙাঙদা, ঐনা খংনুং নুংঙাইতবা পোক্লুবনা ঐনা ফোঙদোকখিবা ব্রাহে খবা অদু ফাগী জুগাই ওইদনা অশাওবা খবা যাওখিবদগী, ব্রাফম অদু নত্তবা অতোপ্পা অমদা থৈদোক্লবা হোৎনখিবনি।

"ঙসিদি ফেনব্রিক-সি যাম্না মওং তাইকো ! তাদ্রনে ?" ঐনা শং হাযজিল্লি।

"মাদি-ব্রা ঙাঙলুবা যাববোই, মাবভিন্না খুন্নকই। ইঙনা শাস্তি ওইনা লৈবা মতমদা মাগুম্বা মী অনত্তা মফম কৈদসু নখোযনা থেঙনবল্লোই।"

"মী খবদি, মানা নঙ্গন্দা পোপ-পোপ থাবকপদা হেক্তা যাই। পিতননা হাযবকই। মশাবু হেন্না ফবা মালহন্নবা তৌবিবনি হায়বদু মখোয়দি খঙদবনিনা।"

"মদু চিবোলগী ব্রা ঙাকসু নত্তেদা। নঙ, মাবু ব্রিগেদিযাবগা লৈমিন্নবম্বা উবত্রো ? মশাগী ওইজ ওইথক ফংনবা মীঙোন্দা নম্নগী ব্রানি; মাদি মী খ্বাযনা তৌনবিবসিগা মান্নদবনি।"

"অদুবু অশুম চাওখৎলকপদি অসিগুম্বা মীদাশিনি... মাবিও না খুমলকই। যেংউনে নখোয... ঐখোয পুম্নমক ফ্লাইং ওফিসব ওইবিঙেদা, মহা ক্ত গ্রুপ কেপ্তেন ওইখ্রবনি-মদুদা ঐখোয়গী কবিমত্তা হায়নিংঙাই লৈতে হায়বা। ওইসু ওইগনি, মহাক্তি থবক ফৈ। মাগা লাম্না তৌননবা ঐখোয়গী খুৎলাই লৈতে মরমদি মানা ফবিবসিগী মশুং অমফাও ঐখোযদা লৈতে।"

"হেবা... হৌত্রবা ব্রা-শিদি ফবিসু কান্নদে... থায়নগী মতম, হৌত্রবা পুম্নমকসি থওইনা অমুক খল্লুদবগী ব্রাফম অমা য়ানবগা ঐদি... হৌজিক ঐখোয় ময়ামগী ক্লব অমা লিংখৎপা পামই। প্রেসিডেন্টগীদমক্তি ঐনা ক্রিকেত ক্লবতা উনবকপা কোলনেল অদু ওইহনসি।"

"কোলনেল অদুগী মরমদা খবা হায়যুদনা...।"

"মহাক্লা ঐখোয়দা ঝাকম অহৃমথক হংই- অহানবা ঝাহংদি...

"অচুম্বা খনবা ভারতকি মীশিংনা... বৃটিশনা ভারত থাদোকপসি পামব্রা ? অনীশুবনা, বৃটিশনা ভরত থাদোক্লগা মখোয়গী খুদোংচাবা লৈব্রা...? অহুমশুবনা... বৃটিশনা ভারত থাদোকনিংব্রা ... থাদোকনিংদ্রবদি, করি তৌবগী থাদোকদৌরিবনো ? অসিনি। মাগী মশাদা য়াওবা, লাইনা পীরক্লবা থাজবা অমনা ঐখোয় অসি মকোকথোংবা জাতি অমা ওইনা ঈশ্বরনা পীরকপা থৌশিল অমা ভারত্তা পাঙথোক্লি হায়বসিনি। মহাক, চহী হুম্ফুতরাবোম শুরে। থৌজাল হৈবা, অশবা মীনি মশাগী মচিং লৈজে; হুনবা লৈতবা নুপানি। ঐ মহাক্কি মৃত্তি অমা শাগে খল্লিবনি মহাক শিপ্রবা তুংদা... তুংদা লাক্কদবা, ভাব তাদবা অঙাং ময়াম মন্দওইনা, য়াম্না অঙাং ওইনা লৌশিং লৈবগদবা ফেনরিক্কি মচাশিং, মফম অদুদা পুবগা য়েংহনগনি।"

"ঐদি ফেনবিকসি মচা লৈগনি থাজদে। মারভিয়া হায়রকই। মাদি মচা লেঙনিংদবা মীনি।"

অসিগী মতুংদা পিতরনা অমুক মাগী মখুবাগী মরমদা নুংঙাইরবা ঝারী লীবকই। মশা নাল্লবা শগোল থৌবদা হৈশিংবা; মশাগী চাউরবা ফার্ম অমগী থনক নিংথিজনা শীন্দোকপা ওম্বা য়ুনিভর্সিতিগী ড্রিগী লৌদ্রবসু থোইদোক্লা হৈশিংবা, মীনা শন্মান ত্রৌবা মখুরা অদুগী মবমদা।

পিতরগী ঝারী অদু তারবা তুংদা;মারভিয়া ঐখোয়গী ওইরিবা ফিভমদা অমুক হনজিল্লক্লনা হায়বকই- "ইন্দিয়া' সি নখোয নুংঙাইত্রনে ? মসি ঐখোযগী নুংঙাইজববা অকোনবা লানবল অমনি হায়বসু য়াইনা... য়েংউনে, কা অসিদা লৈরিবা ঐখোয় তৌশিন্নবা ময়ামসে।"

"মশিদি লানবল গা নত্তেদা... লানবল ওইবা তারবসু মচেৎ মচেৎ নিংখায়রবগুম্বনি। মহৈ মহৈ গবর্নমেন্টতা পংশাওদসু শাওনৈ। লাননি হায়দুনা ঐখোয়গুম্বা ভাব তাদবা ময়াম অমসু পিকথন্না পুশিল্লক্লে, নিয়ম নাইদে... য়েংউনে মাইকেলদা অমুক্তা ... মানা খল্লিবসি... ভারত মচা পুম্নমক পুম্না চামিন্নবা য়াবা ঙাক্তনি হায়বসিনি, অদুগা মহাক্তি জাপানীজ লৈশাবী অমগসু নুংশিনরি।"

"নঙ য়ু ঙাওবরা" ঐনা হংই।

"ঙাওদে; ঙাওদে... নঙগী মায়থোঙ উবদা অদুম খঙই, ঐখোয়গী অনৌবা ওঝা নুপীদুদা নঙ ঙাওববা নংত্রো ?"

"নঙনা খল্লিদু ঐ অমত্তা তৌদে। ঐদি মাবু মশক ফজে খনবদনি, হান্নদগী মশাগী নুংশিনজবা মী শোয়দনা লৈবমগনি। ঐহাক্না খেংনকনা মশকফজবা নুপী পুম্নমকতি হান্নদগী ,হৈনা কনাগ স্থা অমগা হেক্তা নুংশিনবমই।"

"চুম্মী মাবিওনা হায়নকই... ব্রাকম অদুমদি ঐসু চুম্মী হায়নিংই।"

"নঙ মদু কবম হায়না খ ত ভিবা... ' নঙনা অশুম হায়না ফোঙদোবক দ ঐঙোন্দা অঙকপা অমনি...।" ঐনা হংই।

"মহাক (মিস রৈ) অ রহৈদ ন শি ঃ ঐনা ফম্মিসিদি... অদুনা মবম অমদা নহাকতি ত্রিভুজ (ত্রিয়াঙ্গল) অমগা মহমগুবা কাচিন ওইব য ব্রানি।"

ঐহাক মায় লৈথোক্লুনা যেংই। ওবল অনি অহুম চংথবগা ঐঙোল্লোমদা মতুং হাইবপ ওগ্লোক্লুনা মিস রৈ ফমদুনা লৈবদু উবে। মহাক্না মায়োক্লনা, ফ্রেম অচৌবগী আনোক উপ্লা নুপা অমসু ফল্লি। মহাক মশা পাই, লেংজুম ফল্লি। মমায় পাক্তক তৌবগা মনাতোন তুমই।

"আদগীসি নংত্রো ... ' ঐনা হায়। "হৌর্জাক্তি নঙ খঙঙেদনা, ঐহাক জাপান লৈশাবী অমদা কোইতান তান্নদে হায়বদু...।"

(৯)

মথঙগী নুমিৎ, থাংজগী নুংথিলদুদি, মাবিও অমসুং পিতবগা লোয়ননা ঐ, শগোল লমজেল য়েংবা চংলি। মাবভিনদি মখায় য়াম্না নুংঙাইতনা মাগী ফমুংদা হিপ্পুনা অদুম লৈহৌরে। অশুম হায়না মহাক্না মপুক্লিং নুংঙাইবক্তবা মতম কয়াদা কনানসু মাবু নুংঙায়হন্নবা হোৎনবদি অবেস্না ওই, কবিসু উপায় লৈতে। ঐখোয়দি চিংনবা হৌববনি, মাগী মওং অসিনা অচম্বা হীবম অমদা অশুম

লুশিন্না খম্নখিবদগী অঙাওবা মীশক অমা ওইরকদৌরব্রা হায়না...। ঙাওবু ঙাওরবদি, ইংলেন্দা অমুক থাখিবদি শোয়দ্রে।

শগোল লমজেলদা যাম্না পূক্লিং লুপচরিবদি মারিও-নি। মহাক্না কোঙদোকচৈ-কবিগুম্বা মখলগী মচু কয়াগা লোয়ননা ফজ-ফজবা পোৎশক মসংদি শক্তম কয়া উদ্রবদি; মংেলন্দা যাওনিবা মশাগী থবায় অদু অসুম ফকচিল্লকই হায়না। ফজবা ফি বোল শেৎপী মশক ফজবী নুপীশিং মানা উবা পামজে, মক ওইনা নুপীশিং অদুগী শক্তম্না মংেলন্দা, য়ুরোপিয়ান সহব কয়াবু নিংশিংহনগদবা। মদু বামদা পিত্রবনা, শগোল লমজেলদা চৎনিংবগী মবমদি শেল-তানবা পাম্বনি, অমসুং হিবম আসিদদি মশাগী ওইবা নিযম অমসু লৈজে। "মীপুম খুদিংমক্না মশাগী খৌবাঙ নিযম অমমমদি শোযদনা লৈনগদবনি।" মানা হায়। চুম্না হায়রবদা নুমিৎ অদুদগী হৌনা মশাগী নিযম, ব্রাখলগী ফিবেপ অমা থম্বা হৌদ্রে; কবি অমুক হায়গনি জাপান লোল তম্বগীসু নীংশিংবদা নুংঙাইনবা হায়দুনা মশাগী ওইবা খুদমশিং শেমজবা হৌদ্রবান মহাক্তি।

ঐগীদি, শগোল লমজেলদা চৎপগী কবিসু ইশাগী ফিবেপ নিয়ম লৈন্দে... হেন্না ফগদবা; তৌনিংঙাই থবকসু কবিসু লৈতে। মবম পুম্নমক্তা; হেন্না ফগদবা থবক খৌবম কযাবুদি খনজদবা নত্তে। ঐনা পামজবদি ক্রিকেট ক্লবদা চৎলগা লাইবিক অমা পাজবা নত্রগা জাপানীজ লোলগী ব্রাহৈশিং ইশা ইখন্না অমুক খঙনবা হোৎননবা অসিনি; অদুবু থাংজগী নুংথিলদদি ঐ ইথক্তা বাখল তৌদুনা, তুমিন্না লৈরবাস ওইথোক্লমদে।

ঐঙোন্দা অচীকপা মতম ফংজদবদি; থাংজগী নুংথিল ঙাক্তদসু ওইদ্রে। সিমলা-দা লৈবিঙৈদা ফংজখিবা পূক্লিংগী শান্তি অদু মাঙখিবদগী ঐঙোন্দা পোৎথাফম খঙদবা অমদি অদুম লৈবক্রে। ঐ কবি পাম্বনো হায়বদু ঐ খঙলমদে, কবিগী পোৎথাফম খঙদ্রিবনো হাযবদুসু খঙলমদে। ঐ শগোল লমজেল য়েংবদি চৎলে... ময়াম লাঙবা মরক্তুদা নুংথিলগী মতম অদু হৌখিনবা।

অশাবগী তেম্পোরেচর দিগ্রি...মরিফুতবা য়ৌরবসু, মফম অদুদা মীয়াম্না পীক থল্লি। লিমোজিন কার কয়ানা লম্বী অদুদা পবেং লেংদুনা লৈ; মথক কুম্না;

অচৌবা মীয়াম ফম্ফম পরেং পরেং অদু মহারাজ কয়ানা শীক থন্না ফম্মী। ঐখোয়দি, ব্রিগেদিয়ারনা বেদজ্ঞ অমমম খেৎলহনবনিনা অশঙবা নাপীগী লম্পাক্তুদা চঙহল্লি।

"সিদ চঙঙকইসি ওক্লা ? মারিও-না হায়রকই। ঐদি মমিং চৎপা, অফবা মীয়ামশিংগী মরক্তা য়াওনিংবনি।"

"য়াম্না ফরবনি। পিতরনা মখা চৎথরকই। নঙ উরেদনা... ভারতকী মীয়াম মরক্তা অচৌবা; লেমজবা মীশক কয়াসু লৈরি হায়বা... ঐসু লান্না খল্লুবনি, ভারতমচা পুম্নমক বাবুগা ব্রাইশিংপগা ঙাক্তা ওইনা।"

মারিওগী মমিত্তুদি মচু য়াম্না উই। অথোংপা; সিঙ্ককী ফজবা মচু কয়াগী সাড়ী শেংশি ভারতকী নুপীশিংদি য়েংবদা নুপী হায়বদুমক মাল্লি; অদুগা মখোয় অদুগী মরক্তা ইংলিসকি নুপীশিংনা নুপাগী শক্তা হায়রপ চঙশিন্না তোঙানবা নুপী মখল অমা ওইনা উই। হায়রিবা ভারতকী নুপীশিং অসিনা অসুম চৎখিবদা মখোয়গী পারবা; অমসুং লুপা মচুগী নত্তগা সনা মচুগী লৈরোং কয়ানা ফজনা মপাল চল্লবা সাড়ীগী ফিজী ফিনাবু তুংলোমদা নুংশিৎনা হুমদোকপা; অমসু. অসিগুম্বা নুপীশিং অসিনা অনী অহুম পুম্নপ পুম্নপ লেপমিন্নবদুদি অথোংপা লৈনা-পানবী লৈরাংশিংনা চবুল চবুল শাংপা মাল্লি। ফজবদা ঙাওবা মারিওদি হায়রিবশিং অসি উবদা মশাগী ওইবা লাটিনগী মোমোন মিনোক্তা মাগী ভৌরোক ভৌবা ময়াশিংদু উনা হৱাওনা নোকচবনি।

"নখোয় ময়াম্মা অদুদা নুংঙাইরিঙেদা; ঐদি মিনিট খুদিং পৈশা মাঙশিল্লক্রে" পিতরনা হায়রকই। ঐ ইশানা লম্পাক্কি ফিভমসি শোয়দনা য়েংগনি: মীয়াম মরক্তুদা মারিও লৈহলহৌরগা ঐখোয় শগোলশিংদু য়েংলুসি হায়না লাক্রে। টিকেট লৌফমদা চৎলগা অহানবা লমজেলদুদা শেল থানরে। খ্বায়দগী হন্থনা থানবা শেলদি লুপা ৩০ নি, মসি, ঐখোয়দদি নুমিৎ নিনিগী তলবনি।

"নঙগী সিস্তেম সিদি খরচ চাউমল্লি" ঐনা হায়।

"এ: ঐদি অশুম্না তৌগনি। সিস্তেম নত্তগা নিয়ম অমগী মরুওইবা করিনো হায়বদুদি পুক্নিঙগী ফিরেপ হোংদবা মরা চেৎপদুনি। অদু ওইরদি,

ঐনা শেল মাঙলবসু সিস্তেম অদুদা অদুম তাইনজবা য়ায়। নঙসু ভাব তারবদি, অমদি হৌবা য়ারেনা।"

"ঐদি মীয়াম্না পাম্নবা মিং অমদি শগোলগী মচু'-দুদা অদুম য়ারে।"

"নঙ য়াম্নমক ভাব তাদবদি নত্তে, অদুবু পুন্সি হায়বসিদি নঙনা খঙদ্রে। মমিং অথীবা; তানিংদবা, মচু মথোং মরম খঙদবনা ফার্ত্ত তাগনবনি।"

ঐখোযগী কাদশিংদু লৌবে; অশঙবা নাপীগী লম্পাক অদু শমদুনা মীয়াম ফম্নিবা মফম অদু তান্না লাকলমই। মীয়াম মরক্তুদা মারিও-বু থিরুবা কান্নরয়োয় খল্লদুনা; অহাঙবা ফম্ফমশিংদা চঙদুনা ফম্লে অমসুং চুরুট অমমম চিংদুনা অহানবা লমজেল অদু হৌবা ঙাইবমই। মীয়াম ফম্নিবা অদুগী মমাঙদা লৈবা অশঙবা নাপীগী অহাঙবা লম্পাক মচি'দুদা মীয়াম মপে অমা চেনশিল্লক্তুনা ফম্নরমই। শগোল চেল্লক্কদবা লম্বীগী ময়াদা খারীবা শম্বল অদু ফাওবা মীনা শীক থল্লি। লাউনরকপা খোঞ্জেলনা সমুদ্রগী ইরালখোলগুম নিল্লি। ঐদি হমাং কারম্মী, ইথত্তসু নুংঙাইবা মওং অমদা তাওবম্মী। লমজেল অদুগীদমক্তা ঐঙোম্দা লুপা কুম্বুদমক যাওবি- ঐনা খল্লি, কবিগুম্বা শেল ফংলবদি খরচ কয়ামরুম তৌগে। 'পত্তবদা হায "শেলবু ফংলবদি; মিস-বৈ, ঐগা চাক চামিন্নসি হায়গনি।"

"নঙ অঙাওবগা মান্নবে। পিতরনা হায়রকই। মাবুদি নঙনা হেক্তা পুখোকপা যাইনা; মদুদি শেলগী বা নত্তে হায়বা।"

"ইস, অদু ওইববদি লমজেল য়েংবসি অমুক হেন্না নুংঙায়নি।"

"মদুদি-নঙ য়াম্না পঙবা, লম্বীগী হাইজিনফম খঙদনা চৎপগুম্বনি। ঐসু চুর্মাদ্রিংনা অশুম চৎপা তারবদি পরীক্ষা ঙম্লরোয় হায়বা... নঙসিদি ওম্লোক্লা আশা লৈতবা মীশক্তি। নঙ ঐদৌনা তৌদে.... নঙসিবু করম হায়না ঐগী মরুপ ওইকরিবনো খঙদে।"

"ঐসু নঙনা খল্লিবা (ফিবেপ) অদুগী শরুক অমনিনা...।"

"ফরে... অমবু ওইরবসু। য়াচ্চ ক্লবতদি ঐখোয়না নঙবু অচুম্বা ওইনা খনম্লবনি, নঙদা নত্তনা মিস বৈ-বুসু...।" ফরে; নঙনা শেল থারিবা শগোলসিদা... নঙগী খাখলনা নঙগী ইবেম্মদু থৌহল্লুনে।"

"করি কান্নগবনো ভাবনা শারগা...।"

"নঙগী শগোল অসিনা থোইহ্না য়েংসি হায় হ্রানি।"

ঐখোয় কুইনা ঙাইহ্রে... লমজেল অদুসু থোইহ্রে; পিতরগী শগোলসু মঙা শুবদা লাক্রে।

"বেরা লৈতে, পিতরনা হায়রকই। অহানবা শেল থাবদা থোইহ্বসি ঐ পামদে। নঙসু অমুক হনখো।"

"ঐগী মিস বৈ মাঙজরেদনা। অদুবু নঙ ওইনা চাক চামিন্নরুবা হায়বদুনি ঙসি নুংথিল চুপ্লসি নঙসু মাঙলবদি।"

ঐখোয় অনী অমুক হন্না টিকেট্ট ককক্ষদা চংতুনা অনৌবা শগোল খল্লে শেল থারে। ঐগীদি শেল যাওহ্রবনিনা পিতরনা মঙোন্দগী পুহল্লি। পুক্রিংদ চরাঙননা নুংঙাইবা মখল অমনি পিতরনা (তিনতিনাবুলাতিন) কৌবা শগোল অমা খল্লি। ঐগীনা ব্রিগেদিয়ারস দোত্তব কৌবা শগোঙ্গ অমা খল্লি। ঐখোয় অনিমক মাঙজখি-অদুবু পিতরদি মঙাবক হন্না থাবদা লুপা ১৫০ ফংই। মহাক্না মাঙখিবা শেলদি হনজিল্লি।

লমজেল লোয়রগা থোবল্লিবা মীয়াম মবক্তুদা মাবি ও যাওলক্রু শায়না। ঐখোয়না, লম্পাক চঙফম থোঙ্গাল অদুদা ঙাইরম্মী। মহাক খোনক্লমই, মাল্লা হরাওনা... ঐখোয়না খল্লি মহাকসু পিতরগুম্না মায় পাক্লমানে হায়না। ঐখোয়না করিসু হায়রিঙেদা মানা ঐখোয়দা হংজিল্লকই।

"ঐগীদি য়াম্না কৈ-দা!" পিতরনা হায়রকই।

"মখঙজদি নঙ মাঙজনি।" মারিওনা খুম্মী।

"ঐদি খক মাঙঙোয়-ঐগী নিয়মদি চুমশ্লপোৎনি, নঙবু করি ফংলকপগে?"

"নঙোন্দগী হেনবা পোৎনি।"

"থাজদে...নখুৎতা হান্না পৈশা য়াম্না যাওখিদে।"

"নঙদি অমত্তা ফাওরম্মরোইদ্র... ঐদি, সংসার অসি ফাওরবনি।"

“পাউখোঙ ওইনা ঙাঙবা মীদাসি ঐদি হৈনদেদা।”

“ঐদি স্বর্গসু ফংলবনি।”

মহাক্কী মায়খোঙদা তাবিবা হবাও মিনোক্তু খঙহন্দনবা হোৎনৈ, অদুবু অদুম খঙলে। মিকুপ অদুদা মহাক থোইদোক হেন্দোক্লা ফজবা শক্তম ওইখি-নিপা অমগী মগুণ চেন্না।

ঐখোয় পূন্না তৌক্সি-অমদা ক'খৎত্রিবফাওবদি মাগী অবোনবদু ফোঙদোকহল্লমদে। মথঙদদি হায়দোক্লবা তকশিল্লমই। মহাক মশানা মশার থাজবা ঙমদনগুম, চিংনবগ তৌবা মান্না ফোঙদোবকই।

“ফবে; অচুম্বদ হায়বগে যাম্না অংকপা অমা ওইনা ঐ.. নৈশাবা অমা থেংনকবে।”

“এ... কবিসু কান্নদবদা! পিতবনা হায়বকই। মতুংদদি ঐ নঙনু অদুম শেন্নবগনি।”

“মফম অশ্বাযদবু অদুগুম্ব পোৎশক অমা ফংগনি হায়বসি ঐ শুকখন খল্লুদর্বান।”

“ঐনা খনবদা, নঙগীসি মী শুমহৎপা সাডীশিংগী মবক্তা অমা ওইবমানেদা। নঙ নথায যাম্না নুংঙাইবকওইকো... ফিজ্জেৎ অদুনা হযেং তুংদা কবিসু কান্নবেয, অবেম্না ওইনি।”

“ইংলিসকি নৈশাবীনি হায ব্রানি।” মাবিওনা শৎ খুন্নকই।

“মীযাম মবক্তা খ্বাইদগী ফবদো...?”

“মমা মপাগা খ্বাইদগী ফবদো...?”

“অচুম্বমক খ্বাইদগী ফবশিংগী মবক্তা অমনি।”

“ঐ মহাকপু য়েংবদা ঙাওই; মশক যাম্না ফজে। ঐনা অশুম য়েংবদা মহাকসু ঐঙোন্দা য়েংলকই। চন্না হায়ববদা; মহাক কনানো হায়বদু অদুম খঙবা ঙমই। মনাক্তা চঙশিল্লগা মঙোন্দা ব্রাবী শাক্বনি কুইনদগী হৌনা খঙনবক্লবা মীশক্লুম্না। ঐ, অসিগুম্বা মতম অমত্তা পুক্নিদা থেংনখিদ্রি। ঐঙোন্দা অনৌবা

আশা কয়া অমা লাকহল্লি...অবোযবদি ঈশ্বরনা শিনবা ঙাক্তনি...মসিনি...মাগী মিংসু যাম্না ফজে, দোর্কস কৌই।"

"অচুম্বমক, ফজবা মিংনি; পিতবনা হায়বকই। মাগী মশক্তু ঐগী ৱাখলদা মযেক শেংনা উবে।"

"নুংথিল চূপ্পদু লমজেলদা মাগীদমক শেল থাবিখিবনি, অদুবু অমত্তা ফাওদে।"

"মদুদি কবিসু বেবা লৈতেদা।"

"ঐখোযদি লমজেল য়েংবগা লোইনা কাউই, বাবী শাবদা।"

"মমা-মপাদু কমদৌই ?"

"মখোয়দি, ঐখোয়গী ৱাবীদুদা, হান্নদগী হৌন' খঙনবকপা মকপ মপাঙ ওইনা খনখিমান্নে। মপাদু মেজর জেনবেলনি মখুৎ-মশাদু তাং-তাংদ খবা খবা পোমলি পোমলি তৌই।"

"নঙদি যাম নুংঙাইদৌবিনে।" পিতবনা হায়বক্মী।

"হোয়,-কবি ওইগদৌবিবনো হায়বদু ঐ খঙদে। মসি পুক্নিগী ফজববা তোঙানবা মিকুপ হায়বদু ওইবা য়াই। ওইবা য়াবদু ওইবসনু... অদু আদা খঙদে; ঐ মথঙগী চয়োলদা মাগা চাক চানিন্নগদৌবী।"

"ঙসি নুংদাং নত্তবা !, পিতবনা অমুক হায়বকই। অদু ওইববদি ঐখোযসু কবিনো অমদি পাঙথোক্কনিনা... নঙগী ফজববা মিকুপকী অমসুং ঐগী নিয়ম অদুগী অচুম্বা ফল ফংলকপগী ওইনা অমদি পাঙথোক্তবা যাদ্রে। শোয়দনা পাঙথোক্তবা যাদ্রে। মাবভিন্দি যাওহল্লোই, মাগী ৱাগনবা মপুক্রিংদু লৌনগনবা লায়না মখল অমনি।"

ঐখোয়না হোতেলদা হল্লকপা মতমদদি মাবভিন লৈবমদ্রে। মাগী ফমুংগী ফিবোলশিংদু মশুপ-মশুপ নৈশিন্দুনা লৈবমই, শেৎন-চানবা মফি-মবোলনা ইচায় চাইনা। ঐখোয়দি ইকজথোক্লে, ফি অনৌবা হোংদোক্লগা চাইনিজ হোতেলদা চাক চাবা চৎলে। পিতবগী বেগ অদু শগোল লমজেলদা ফংলকপা পৈশানা পীক

থন্না য়াওরি; অদুনা ঐখোয়; খ্বাইদগী তাওবা ইলাও মহি, শার্ক মশাইগুপকী সূপ অদু লৌরম্মী। অসিগী তুংদা ঐখোয়, সিনেমা হোলদা লাক্লে। পূং অনিরোমদি পূক্লিং লৈতানা সিনেমা অদুদা ব্রাখল চঙনরমদে। ঐখোয়না পংঙাঙ ঙাঙনবা ব্রারী-ব্রাতাই কয়াদা, ঐখোয়গী অকোয়বদা ফল্লিবা ভাবকশিংদুম্নু নুংঙাইহনখিদে হায়বা... ঐখোয় খঙই। ঐখোয়না, ফিল্ম লোইদ্রিঙৈদা চৎননবা হৌগৎলকপদা ভাবকশিংদুনা মচিন্না-থোক্লা হবাওজবা ফোঙদোকপা ব্রাহৈশিংদু ঐখোয তারকই।

ঐখোয হন্নবক্লফাওবা মাবভিন হল্লকলমদ্রি। ঐখোয় ফমুং চঙনদে। ঐদি তৃমথবা যারমদে... শগোল লমজেল অদুগী, ফিল্ম অদুগী অমসুং শার্ক মশাই গুপ সূপ অদুগী ব্রাখলনা অমসুং মবক মরক্তসু মিস-ব্রে-গী ব্রাখলনা। মপান্দদি পূন্মম মমলম্মী, কোকপক্তা উঙলিবা পাংখা অদুগী ময়ায়দা অদুম যেংদুনা লৈরিঙৈদা মাবভিন, সিবি কাখৎলকপগী খোংউপ মখোল তারে। মহাক্লা হোনবা স্ববগী খোনজেলসু তাই।

মানা ঐগী খোঙ মপা যৌরকপদা ঐনা হংই, "পূং কয়া তারে ?"

"খঙদে।" মানা খুম্মকই।

"ঘড়ী য়াওরিবা নৎত্রো ?"

মহাক্কী খুদাঙদা তোর্চ লাইত কাপশিল্লি। ফক্লাঙদা ঙাশিন্দুনা ফনা কুইনা যেংদুনা লৈ- স্বরদি ফী-ফী হোল্লি। মহাক যু ঙাওরবা মাল্লি, অদুগী থাক ফাওবদি মহাকপু যু ঙাওহল্লিংদবনি।

"পূং অহুম তারে।" মানা হায়রকই।

গুদ নাইট, হায়দুনা অহিং অদুগী ওইনা মাবু হরাও নুংশিনা ঐনা হাযজবনি, মাদি খুম্মক্লে, অদুগী মহুত্তা, মচু তাদ্রবা মীশক অমগুম মাগী কাদা চঙশিনখি। থংনবা কাদুদা মাগী খোঙউপ অদু মখোঙনা কাওথোকখিবা অমসুং শেংলিবা ফি-রোল অমত্তা লৌথোক্তনা মাগী ফমুংদা তুশিনখিবদা থোরকপা শিপ্রংগী মখোলনচিংবদুসু শেংনা তাখি।

(১০)

মথঙগী নুংথিল অদু ঐখোয, মিস বৈ-গী ক্লাস য়াওবম্মী। মহাক্কী হান্না ইকাযখীবম্বা মওং অদু ফবকপদা, নুংথিলগী ক্লাস অদুসু ইনৌ নৌবা, যাম্না নুংঙাইববা মওং অমা ওইবক্লমই। মীপুম খুদিংনা মঙোন্দা লক্লুবা ফাগী তৌবা কযাদু মহাকসু হবাওজবম্মী। মহাক্না নৌবিক ক্লাসকি মতম অযাম্বদি, মহাক পংনোকতা নোকচবনি অমসুং মহাক্কী মিনোক অদু উদনবা হাযদুনা মখুম অঙাঙবা পানব বিজিস্টব অদুনা মমায খুমজিন্দুনা থাঙবনি। ঐখোযসু মঙোন্দগী জাপানীজ লোলদি ফনা যাম্না খঙবা ঙমলে লমকোয দিব্রুনাবিদগী লৌথোকপা ৱাহৈ ৱাতা প্রমাণ পান্থে কযা শিজিন্নদুনা ঐখোযনা মঙোন্দা ৱাবী শাজিল্লি অদুবু ঐখোয়গী চিম্নালদগী থোবকপা খোম্থেকশিংদু তাবদা মাদি নোকখিবনা মমায অদু হন্না হন্না লোৎশিন্দুনা খাঙবনি। কবিতুম্বদসু হায়বন ৱাহৈশং অদু কনানা তম্বীবকপনো হাযবা মহাক্না খঙনিংখি। নোংমদি মহাক ক্লাস নৌবা লাকখিদে। ব্রিগেদিযান মহাক মশা ঙমদ্রে হাযবা খঙই্রে অদুবু পংকুই কুইবোই হাযনা। ঐখোয পূম্নক নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগী অর্থদি মা অরাবদা শকক যাবগী ৱাহৈ-ৱাতা কদাইদা যাওবগে হাযবদু খঙলগা মঙোন্দা হাযনবা, প্রমাণ পান্থৈগী লাইবিক্তা কোইথ থিনবম্মী অদুবু মাদি মথঙগী নুমিৎতুদা নত্তনা থংনবা নুমিত্তসু লাক্রে।

নোংমদি ঐনা, কনাগুম্বা অমা লম্বাদা উকবদা মহাক্লি হাযনা খল্লুনে। খুদক অদুদা ঐনা তোংলকপা গাডী অদু খামহল্লগা কৃষথদুনা মীশক অদুবু লম্বীদা তান্নকবদা মহাক ওইবমদে। লাপ্না উবদা, মহাক্লি খল্লুবা অসিগুম্বসি কযাক হন্না থোকখি, মহাক্লা ক্লাসতা লাক্তবদা নীংবা কাযবা অদুগুম্না; অসিগুম্বা মতাঙ কয়াদসু ঐঙোন্দা নীংবা কাযহনখি। মহাক্লা স্কুল অদুদা লাক্লিঙৈগী মমাঙদদি, অসিগুম্বা অহাঙবা নুমিৎশিংসে খাঙবদা কবিসু ৱাখিদে অদুবু হৌজিক্তি মহাক উনদবা নুমিৎশিংদু ওহ্মোক্লা কুইনা, খাঙবদা ৱাম্রে। মহাকপু উনদনা লৈবসে ঐগী থৱায শোকই হায়বা ইথক্তা খঙজবক্রে।

মঙোন্দা, ফজববা লৈ চবুল অমত্তং থাখিগে হায়বগী ৱাখল অমা

লাকলম্মী। লৈ যোনফম, মাতিয়াবসকী দুকান্দা চৎলগা, মিস রৈ-গী মখূৎ য়ৌনবা মানা লৈবিবা হোতেল অদুগী এদ্রেস পীকরে।

মখোযনা হংলকই, "নঙগী অইবা চেসু যাওগদ্রা ?"

"যাওবোই, অইবা চেগী দবকাব লৈতে।"

ঐনা খল্লুই, লৈশিং অদুতং থাম্ব্রগা ঐগী পূক্লিংদা ফাওবিবা ব্রাখল অসি খবমখৈদি কোক্কনি হাযনা। ইথন্তা খঙজে, মহাক্কী ব্রাখলতনা ঐঙোন্দা লায়না মখল অমা ওইবে হাযবসি, ঐ মশিদগী নাঙ্খোকপা পামজে, মবমদি ঐনা তৌগদবা থবক কযাবু মশিনা ব্রাখল চঙহন্দে। লৈশিং অদু থাম্ব্রবা তুংদদি, ঐঙোন্দা খবা নুংঙাইজবা ফাওখি। অশুম্বা ঐহাক, যাচঙলকপদদি ক্রিকেট ক্লবতা চৎলে, ইকজথোক্লে... খল্লকই অপঙবনা তৌগদবা থবক ঐনা তৌকবে। উল লুপশিল্লবা থঙ্গংবা কোফি অমা কৌবগা; স্বিমিংপুল নাকলদা লৈবা ফাল অদুদা ফমদুনা, কোফি অদু থক্লা-থক্লা; পূক্লিং চঙনা লাইবিক অমা পাবম্মী। ঐগী ব্রাখলদা নপংফানা কোমজব; নুংঙাইব অমসু ফাওবকই-মবমদি ঐনা লৈশিং অদু থাখিবদা গ্রীতিং কার্দ অমফাও যাওখিদবা অদুদা।

ঐনা ফমুংদা স্থং চংদ্রিংলা ফাওবদি ঐগী ব্রাখল অসি নুংঙাইজনা লৈখি অপুনবা তুমথনবা হোংলদকপা মতমদদি; ঈশিংগী ঈথক্লা তোর্ব্বানথক্তা ১০ শিল্লকপগুম, মিস রৈ ইংলেংবগী ব্রাখলনা খঙহৌদনা ঐগী পূক্লিংদা লাকখি। মী থাশক্লে; নোংঙাল্লগা; মহাকপু উনবা শোয়দনমক চৎলগে হাযবসে মাগী হোতেলদা। মথঙগী নুমিৎ অদু থাংজনি; অদুনা ঐহাক নুংথিলদা মাবু উনবা চৎলম্মী। হোতেল অদু যৌবে; চঙফম খঙদদুনা অচৌবা হোল অদুদা লেপ্লিঙৈদা পাই পুথোক পুশিন তৌবা নুপী অমা ঐগী নাক্তা মবম হংবা চঙলক্লম্মী। হোতেল অদুগী মমিং মেফেয়াব কৌই, অদুবু ইংলেন্দা লৈবা মমাঙঙৈগী বেলগ্রাভিয়াগী হোতেলগুম্বনি। উবদা পূক্লিং হঙ্ঘে, তৌশিন্নবা মানবা শকওই কয়াগী ফোতো থেৎলি, হাপ্লিবা পোৎ-চৈ অয়াম্বা ভিক্টোরিয়ান মতমগী ঙাক্তনি। হোতেল অসিগী মপাল ফরকপা মতম কয়াদি লৈখি হায়বা খঙই, হৌজিক ফাওবসু মদুগী মমল অদু ঙাক্লা চৎলি। ঐঙোন্দা খল্লকই- "লাকলমদবনা ফবা জাৎনি।" হোল অদুগী

অব্রাবা শকতম অদুবু নত্তে, ইশা ইথক্তদা পাখৎচবা, থক্কৎচবা পোকলকপদুনি। অমুকসু খল্লকই ঐনা মফম অসিদা লাক্লিবসি ইশা ইথক্তা য়াম্না নোল্লুকপা উৎথোকচবা অমনি হায়বদসু করিসু য়েৎনিংঙাই লৈত্রে। অমরোমদা মহাক তশেংনা নারদুনা ফমুংদা হিগ্গুনা লৈরম্লবদি ঐহাকপু উনবা পামদদুনা ইকোম কোম্না পাউ অমা শীরক্লগা তোকপসু য়াই হায়না। মথঙদা অমুক খল্লকই-ঐনা তৌবিবসি; য়াম্না নোক্লিংবা, অঙাং অমনফাওবা খঙবা ঙস্না, ঐ ইশাবু অপগুবা শীজবগী মওংদা কা-হেন্না মহাকপু পামজক্নবগী মওং তাগদৌবিববা হায়নসু। পুম্নমকসি খল্লুবগা ঐনা নীংল্লুবিনা থবক অদু তোকখোক্লগা, কাউথোক্লগা পাংখা মখাদা ইঙনা সিনেমাদুম য়েংল্লুবসিবা খল্লম্মী। মদুসু ওইবসনু... অদুম্নদি ওইবগা কবিগুম্বা ঐগী ৱাখল অদু অমুক হল্লকপা তাববদি, ঐ ইশাবু ইশানা পাঙদবনি হায়না তুক্কৎচনা খনবা তাবনি। অকোনবদদি ঐ পূক্লিং লেপ্লে... ওইবক্লিবা হৌবক্লিবা ইশাগী ৱাখল অসিদা ঐ হিংবা তাই হায়বসি।

পাউপুবা নুপী অদু অমুক হল্লক্লে।

"কা নম্বর-নিফুহুমদোইনি সাব!" মহাক্লা খঙহল্লমই।

"ঐ মথক্তা চৎকদব্রা ...?"

"চৎশীয়ু" নুপী অদুনা হায়।

মী কাখৎ-কুমথ পুবিবা মখোল হৌবা লিফট অদুদা চঙলে, ঐবু মথক্তা পুখৎশিবক্লগা মাঙ্গোনগুম্বা অহাঙবা মফম অমদা ঐ চোঙথোকহৌবে। নম্বর নিফুহুমদোইগী থোঙ লৈবম্লে, ঐ লাক্লে খঙনবা খুৎনা কাক-কাক থিননদা, মিস বৈ-গী খেঞ্জেলনা মনুংদগী হায়রকই। "চঙবীবকও।"

য়াম্না চাউবা কানি- সিলিংসু ৱাংই, হোতেল অদুগী মফম অতৈদগী ঙানবসু হেন্নি অদুবু পোং-চৈ লোইশিন খোমজিল্লিবগী মওং অদুদি ফজদে। ফমুং অদুতমক অহনবা ওইনা উই- মোম্পাকফিদক; মোনখুম্নচিংবা অত্তৌবা ফিশিংদুগা লোয়ননা। হায়রিবা ফমুং অদুদা মিস বৈ মোন অদুদা ঙাশিল্লদুনা ফমলম্মী, শীত্তক চেংতক্লা কা অদুদা মথক্তা য়াম্না চীক্লা।

ঐগী মিং অসিদা মহাকপু অদুক ফজনা নুমিং অদুদা উবগুম্না অতে নুমিংশিংদা উখিদ্রি। মহাক্কী অঙৌবা মাইথোঙ অদুগী অকোয়বদা অমুবা মশাম্না হাইথরিবা, মাগী পিক্তক চেংতকপা মখুৎনা অঙৌবা মোম্পাক মথক্তুদা থন্নিবা...! মাবু উবদা; ঐঙোন্দা লৈরম্বা য়ানিংদবগী ৱাখল পুম্নমক চেনশ্রে, অদুগী মহুত্তা ঐগী পুক্রিংসে হরাও নুংঙাইজবা ৱাখলনা পীক থল্লম্মী। হায়নীংবা ৱাহৈনা কয়া অমা; হায়দোকপদি ঙমদনা ঐহাকপু মিকুপ্তুদা ৱাহনখি। অদুগী মহুত্তা-অরেম্বা থাগৎপা অমদি ব্যবহাবগী ৱাকোয় কয়া ফোঙদোকচরগা ফমুংদুদগী য়াম্না লাপথোক্না লৈবা চৌকি অমদা ফমলে।

"তশেংনমক..., মানা হায়রকই। খবা চৎথোক চৎশিন তৌবসিদা কোক চিকপগী ৱানি।"

"ডোক্তরদি উনবিরব্রা... ?"

"লাকই- হৈনখিদ্রবা গুলি খরা পীরমই।"

"ঐনা খনবদা নুংশা অসিনসু ওইগনি; ঐনা হায়। থবক মরম পুম্নমক অহানবদা লায়না খন্দোকপগী হৈনবী অমা লৈবা ফৈ।"

"ঐসে অতনবী নুপী অমনি; ঐগী অৱাবসে মশিনি। স্কুলগী মী পুম্নমক্না ঐবু শাউবিরম্মনিকো...। ব্রিগেদিযারনা ঐবু চৈরুচো হায়না খ্যাকইবা... ?"

"অস ! মহাক-নঙবু য়াম্না শাউই।"

"ঐগী অৱাবদা নঙনা অমুক্কা ৱাহল্লি-য়াম ফত্তে।"

"ঐখোয় পুম্নমক নঙগীদমক য়াম্না পুক্রিং ৱায়।" ঐনা হায়।

"কনানো অমনা লৈ খরসু ঐঙোন্দা থারকই, স্কুলগী মীনা থারকপনি হায়বা খঙবীব্রা ?"

"ওইবসু য়াই।"

"নঙগী ৱাহৈনা ঐঙোন্দা ওৎলি, - মহাক্না হায়রকই। ঐনা খনজবদা লৈ থারকপা মীদু নঙ খঙলমগনি হায়বা।"

"স্কুলগী মী নত্তনা, লৈ থারকপা য়াব মী অতে লৈত্রা ?"

"মরূপ অমদি লৈ- অদুবু মানদি অঙ্কুর খরা থাবীরকপ্রে হান্না।"

"বোম্বেদা মরূপ অমত্তমক লৈত্রা ?"

"উম... স্কুলগী পূকচেল চাউববা মীশিং অসি নত্তনদি অমত্তনি !"

"নঙ অসি থোইদোক্লা সেন্বীচ্চি ওইকো ঐগী ইফমদদি !" ঐনা খঙজবদা জাপানীজ ব্রহেশিংগী মরক্তা কনাগুম্বী অমবু খ্বায়দগী ফজনা, নুংশিনা কৌঙবগী ব্রহৈদি মসিনি। শ্বর চিংশিল্লগা থম্মোযদগী থোবকপা থোঞ্জেল্লি, অব্রাবগীদি নত্তে... করিগুম্বা মখল অমগী ব্রাহৈ অদুনি থম্মোয অসিনা ইথৌ লাংবগী নুংশিবা অদুগী খোম্থোক্লি। মহাক্তবু যেংজবদা কংঙাঙনবগী ব্রাহৈনি। মসি নৈ অসি তশেংনমক সেন্বীচ্চিগী হৌবকফর্মনি।

"ঐ য়াম্না নুংঙাইজেএ, ... মহাক্লা হায়বকই। হকচাঙ ঙমজদব, ফোক চীকপা অসি নত্তনা; ইশাগী নুংঙাইজবগী মবম য়াম্না লৈ। হৌজিক্তী ঐগী মরূপ অনী লৈজবে... অমনা, ঐঙোন্দা অঙ্কুব থাবিবকপা... অমনা ফজনবা লৈ চবুল থাবিবকপা...। জাপানগী মীওই অমগা মরূপ শাগ্নবিনা হায়নসে... পূকচেল ফজরবা মিনুংশি খঙবীবা মীওইঙাক্তনি।"

"নহাক কনানো হায়বগী ব্রাদি কবিসু লৈতেদা...। নঙগী থম্মোযনবু অশেঙবা... অচুম্বা ওইববদি ...।" ঐহাক্লা হায়।

"ঐদি ইশাগী ওইজবা থিয়ে...।"

"ওইজবা থিরমগনি নীংদে ...।"

"থি-য়ে ঐনা হেক খনজবদি ইশাগী ঙাক্তনি।"

"অদুনরা... নঙ নশানা ইংলেন্দগী ঐখোয়গী ইতেঙ পাংবা লাকখ্রিবসি... ?"

"মানি... ঐনা ইংলিসকি মীওইশিংবু পামজবা... ঐঙোন্দদি মখোয অফবা মরূপ ঙাক্তনি। জাপান্দদি পূকচেল ফত্তবগী ব্রাসি য়াম্না লৈপ্রে।"

"নশামক্কি লৈবাক্কা লান শোক্লরিবা মীওইশিংগা তোৎন-তিন্নবা হায়বসে অরায়বদি নত্তে।"

"ইশাগী লমগা লান শোক্লরি হায়বগী য়াকমসিদি ঐগী য়াখলদা হেক য়ারিবমখে খন্দনবা হোৎনজে। .... চানবিরুবদি-চা গ্লাস অমত্তা কৌজগে য়ায়োবীগদ্রা... ?" মহাক্না মরক থৎনা হায়রকই।

মহাক্কী কম্মুং মনাক্তা য়ানবা চাউরপ তৌবা থৌবী অদু মখূৎনা চীংই। পাউখোম্লোই অদু চঙলকই। থুনমক পাউখোম্লোই অদুনা চা পুদুনা লাক্লে। ঐখোয় অমুকহন্না লানগী ৱাবী শান্দ্রে... অদুগী মহুত্তা... জাপান্দা লৈবগী পুন্সি... মযাম হরাও তয়াম চা থকমিন্নবগী, অমসুং জাপানীজ ফীজোলগী মবমদা ওনশিল্লে। ঐখোয় অনিসু মবক মরক্তা জাপানীজ লোলদা য়াবী শাই-মহাক্তি য়াম্না নোকচৈ... ঐগী খোম্লোক য়াত্রে তাবদা। মহাক্না নোকপদা, কপ্পা মাল্লবসু, ঐখোয় অনীদা ঙায়ববনিনা মখূৎনা মমাংদা অদু অমুক খুমজিন্দ্রে। মহাক্না নোকপদি য়াম্না মেওই, তম্মী, ওম্লোক্লসু ফজে। ঐহাকসু মহাক্না নোকপদুদা পংনোক্তা নোকলম্মী-ফাগী জুগায়গী য়া নত্তবদা ঐগী ইফমদা হরাওবগী ঈথক হৌবকখি য়াম্না নুংঙাইখি। ঐনা খল্লকই... সংসাব অসিগী মনুংদা... মহাক্না চীক্লা লৈমিন্নবগী অমসুং মাগুম্বী অমবু মুম্লা শকখঙজবগী নুংঙাযববা মিকুপ অদুদগী হেনবা অতোপ্পা হবাউ নুংঙায়গী মিকুপ অমুক হয়া লৈবগ্লবোই হায়না।

ঐ মফম অদুদগী থোরকলে; তোংননবা গাড়ী অমুক কৌবা তৌদনা; ঐগী লৈফম ফাওবদু খোঙনা অদুম লাকখি। চৎনা চৎনা ইথক্তা নোকখি। ঐঙোন্দা নহানমখে লৈবম্বা; ননথরম্বা নুংনাংবগী পোৎলুম অদু মথন্নতা থাঙথখিবগুম পৃক্লিং আসদা ফাওরম্মী।

(১১)

ঐগী ইত্তোন ফায়বদু অমুক হৌরক্লে। নোংমনিনিগী মতম চিংন-চিংননা লাকপনি, অদুসু অযুক অদুদদি জগেংলে। ঐগী পূক মনুংশিদা প্রোক-প্রোক চাম্ই। হিদাক-গুলি খরা চারগা মদুবু করক্লনি খনবদু অরেম্বা তাগনি হায়বা ঐ খঙ ল্লম্মী। মূল চৎত্রে, মদুগী মহুত্তা আমীগী ডোক্তর উনবা চৎলুবদা মহাক্না হায়লকই- "ঈবুংঙো নঙ নপোৎনচে য়োমশিল্লো; হোসপিতাল য়ৌবা তারে।"

অনাবা পুবা গাড়ী অমদা, হোত্তেলদা অমুক হল্লক্নে পোৎ-চৈ লৌরক্নবা। ছুটি নিবগী চে-শু শিতরদা থনম্লে বাহাদুরদা পাউ পীরম্লে। গাড়ী অদু ব্রিগেদিয়ারগী লৈফম ফাওবা থৌহল্লকখি-মঙোন্দগী জাপানীজ গ্রামার অমসু লৌরকখি। ব্রিগেদিয়ারনা হায়বকই- "ঙসি নুংথিলদি মিস-রৈ, ক্লাস লৌবা লাক্কনি।"

পাউ অদুনা ঐঙোন্দা অমুক্কা হেন্না নুংঙাইহনখিদে, মরমদি ঐ হোসপিতাল চৎপা তাববন্নিনা। ঐঙোন্দা ফাওরকখিবা য়াথলদি কনাগুম্বা অমনা মহাক মশামক্কী হুকচাঙবু অশুক লৈখা তাহনগনি হায়বসি ওইথোকপা য়াদবগুম্বনি...মবম অদুনা ঐ ইশামক অসি, কনাগুম্বা অমনা য়াম্না য়াথল লৈতনা লোয়নবীববগী মতৌগুম, ঐগী পূক মনুং অশিবু ইথক্তনা শাউজরম্মী।

হোসপিতাল অদু মাইল তরুক লাপ্না মাহালক্ষমী কৌবা মফম অমদা লৈবনি। হেক য়ৌবগা ঐবু দাইসেনত্রি য়ার্দ অদুদা পুশিল্লম্মী। মপানগী অহাংবা মফম অদুদা লৈরম্বা পাজামা শেৎপা অনাবা ওফিসর খরদুনা ঐবু পূক্লিং চঙনা য়েংলকই। হোসপিতালদা থবক তৌবী সিস্তর অদুনা অহাংবা ফমুং অমদা ঐবু থম্বীরম্বা অদুদি, মীনা পীক থল্লবা রেলগী দাবা অমদা ঐনা ইকোন কোন্না চঙলকপগা চপ মান্নে।

হান্না লৈরম্বা ওফিসর অমনা হংলকই-

"অর্মিবিক লা বেসিল্লেরি-বা ?" (ঈশিংদগীরা নত্রগা তিন্নরা ?)

"তিন্না মাল্লি।"

"ঈশিংদগী ওইরদি; নঙ মতম কুইনা চঙগনি।"

"নহানমুক হৌখিবদুদি তিন্দগী ওইখিবা... ঐনা হায়। ঐ মশিদগী পূমশেং শেংবা ঙমদ্রি।"

"ঐগীদি ঈশিংদগীনি, থা অমা ফারে; সিদ লৈরকপা... চহীসিগী মনুংদা মঙারকশুবনি। হৌজিক্তি ঐ, জাহাজ অমদা য়াওখিবা তারে।" (হনখিবা তারে)

"অমরোমদা মদুনা ফরবনি।"

"ঐদি চৎনিংদেনে, মানা হায়। ইন্দিয়াসি নুংশিনে।"

ঐ ইশাগী হান্নগী কি-বোল লৌথোক্লে পাজামা শেৎচিন্নে, মঙোন্দা হংই।
"খ্বাইদগী অশেঙবা মক্ষম (তোয়লেট) কদোমদনো... ?"

"তু... থোঙ অসি হাংদোক্লগা।"

ঐ মপান্দা থোবকই... চে মচেৎ অমদা মিং ইশিল্লগা ময়াম্না খঙনবা মফমদুদা থম্লমই। হনজিল্লক্কুনা ফমুংদা হিপলে; ঙাইহাক লৈবগদি ওর্দবলি-অদুনা ঐগী চাননবা পুবকলে। অহাওবা ঙাক্তনি, সুপ; চিকন মিন্স অমসুং জেল্লি। পূক নুংঙাইতবা অদুত্তনি; লাম্বনসু লোইবে। চাশিল্লে, ঐ হকচাঙ ফববগুম খনজে। ঙসাইগী ওফিসব অদু গ্রেগোবি কৌই, ঐ মাবু কয়া হৈনদে। মাগী ব্রায়বলেস (রেদিও) অদ পোকথায়বমখৈ হৌনা থাগৎলি। অমবোমদা ঐনা খনবা হৌবকই, ঐগী ইৎোন অসি (অমিবিক) ঈশিংদগী ওইবম্না থোক্লবদি খুদোং চাববোইদ। স্নাপান লোলসু মখা-তানা তম্লবোই, বোম্বেদসু লৈববোই, হবাও তযাম য়াওববোই, ঐ য়ূমদা হনবা তাগনি। মদুসু হেক্তা চৎকদবা নত্তে, হোর্সাপিতালদগী অমুক চৎ, অমুক লাক চহী অমদি চঙখিনি। হুইখ্রী জিন অমত্তা যকপা য়াদ্রে। তীন্নবু ওইবে, ঈশিংদগীবু ওইবে মখোয থকপদগীনি ইতোলনা নাবিবসি। বর্ম্মাদগী হম্লকপা মতুং অসিদা ঐ, ইতোল অসিনা নত্তগা মেলেবিযানা নত্তগা শোকপা পনবনা মবম ওইদুনা ত্যাকিসব্যূবী যৌথিবা য়াবগী পাসপোর্ট ফংলম্লবদি হবাওজবমগদবনি। বট্রবকন্স লৈশিংনা পীকথন্না শাৎলহৌবা য়ূমগী মনাক্তা লৈহৌবা লমহাঙ, আব্রীজ দালানগী মতোল, মালভর্ন চীং অমদি ঐখোয়গী য়ূমগী ফক্লাঙদা যাওবা ফজববা লিনটেল... মখোয় পূম্নমক্তা ঐবু হবাওনা ওকপীবমগদবা ব্রাখল অদুগী ঈথৌ লাংজখি। মতম অদুদদি ঐ, জঙ্গলদগী নানথোবকপা মীচেল অমা ওইনা, অঈংবা, অকবা মফমগী হোসপিতাল অমদি খোঞ্জেল থোক্তনা সেবা তৌবী নর্স... অসিগুম্বা ব্রাখল কয়াবু স্বর্গগা মান্নবা খনখিবনি,... অদুবু হৌজিক্তি, ঐ য়ূমদা চৎনিংদ্রে। পুক্তি অসি খঙহৌদনা ঈথক হৌবকই, ঐ হিংবা পামলকই। ঐ পোত্থাফম খঙলমদে। গ্রেগোবিগী ব্রায়বলেস মখোল অদুনসু অমুক্তা হেন্না নুংঙাইহনদ্রে। মাগী থবক্তি মবমদা মহাক্তা কয়ামকম ঙাঙই-কবিসু ঐ ভাব তাব ঙমদে। বেদিওদা পীবকপা ঈ-পাউ (নিউজ

বুলেটিন) অমা তারবা মতুংদা মহাক্না শাওনা হায়রকই। "মমা-মপা মশক খঙদবা; মমিং য়াংলগা পানবা য়োংনাওশিংদো...।"

ঐ শাওনিংই খৎনরগে খল্লি। মঙোন্দা ওনশিন্দুনা হংই। মানা হায়রীবদু কনাবুনো হায়বা খঙলবসু।

"কনাবুনো... ?"

"জাপ্স।" (Japs)

"মখোয় লোয়নমক মমা মপা মশক খঙদবদি নত্তেনা।" ঐনা হায়।

"মখোয় লোয়নমক ওইবা য়াই।"

"নঙ জাপানগী মী য়াম্না খঙনব্রা ?"

"কনা'মত্তা খঙনদে; খঙনবসু পামদে।"

"অদুগা; মখোয় পূম্নমকপু হূপ্না চৈরিবদি করিগী'নো ?"

"লোয়নমকপু তূক্কচবা য়াবা মরম খরদি ঐ চপচানা খঙই। নঙসু মখোযবু তূক্কচব্রো ?"

"মতম অমদদি ঐ খল্লম্মী, অদুবু মখোয় পূম্নমকপু ঐ তশেংনা তূক্কচবদি ওইদে।"

"নঙসু তূক্কচনি, মীশক অমবু নঙনা খঙবা কনানো অমনা মখূৎ চনবা মতমদা।"

"নঙগা খঙনবগদি লৈব্রা ?"

"খরদি খঙই, মখোয়গী মচাশিং সিঙ্গাপুরদা লৈরম্বা। মখোয়গী বাখলদি য়ানিংবা য়াওই।"

"ঐগী ইয়াম্বসু হোংকোঙদা লৈরম্বনি।" ঐনা হায়।

"মা ফাখিব্রা ?"

"ফাখি, অদুবু খূৎশি ফজনা শিখিদব্রা খল্লি।"

"ফরেনে, হৌজিক ঐনা হায়নিংঙিসে... নঙ মদুগী বাখলদা কা হেন্না নুংঙাইতবা ফাওখিদে হায়বসিনি।"

"মদুদি... মরম চাদবা।" ঐনা খুম্মী।

"মরম চপ চাবনি। নঙনা বাখল লৈরবদি, নয়াম্ববু য়াম্না থীনা শিহনখিবগীদমক; নঙ মখোয়বু মহৌশানা তুক্কচগদবনি।"

"করিগুম্বা ঐগী ইয়াম্বদু য়ু ঙাওবা কার ড্রাইভর অমনা তকপা থোক্লবদি, ঐ ড্রাইভর অদুতবু তুক্কচগনি। কারদুদা তোংবা পেসেঞ্জর পূম্নমকপুদি তুক্কচরোইনা।"

"অঙকপনি-হে ঈশ্বর!, কেগ্রেনদুনা হায়রকই। নঙসু মখোয় ময়ামগী মরক্তা অমরা ? হায়য়ুনে... জর্মানশিংগী মরক্তসু অকবা ফত্তবদি লৈ, জাপানগীসু লৈগনি... লাল অসি লোয়রগা নঙগুম্বা মীনা শক্তি পায়দ্রবদি ফত্ত্রনিদা !"

"লাল লোয়রবা তুংদা জাপানীজশিংদা করি থোক্কনি খল্লি ?"

"ঐনা খনবদা; মখোয়গী মরু কুক্তোক্কদবনি।"

"মদুদি নঙ হায়ফম থোক্তে।" ঐনা খুমই।

"ঐদি হাররে-লায়সু য়াম্না লায়। গ্যাস কী মত্তেঙনা লোয়না মাঙহনবা যাগনি। গ্যাসনা তকখায়রকপদা মী লিশিং লিশিং শিগনি।"

"লাল লোয়রগা, নঙদি শক্তি পায়রোয়, হায়না খল্লি।"

"ঐনবু পায়বা তারবদি; নঙগুম্বা থাজবা মাঙহন্না য়েক্লববু শৌগৎনিংবা মী অমত্তা লৈহল্লোই।"

"নঙনা হায়রিবদু বুদ্ধুগী বানি।"

"ফরে অদুদি, লাল অসি ঐখোয়না ঙমনিংব্রা...মখোয়বু ঙমহন্নিংব্রা ?"

"ঙম্বখুদি ঐখোয়না ঙম্বা তাবনি।"

"মখোয় অফবা মীনি হায়বদুনদি, লাল ঙম্বগী বা লৈত্তে। নঙগী খনবদা ঐ য়াম্না নুংঙাইতে... কাপুনা হাংপা য়ারবা মীনি নঙদি। নঙ বাখল অদুদা ঙাওরক্কদৌরি।"

"ঐদি বাখল অসিদা ভাওররোইদ্রা হায়না কিজরীবনি। লাল অসিদা কবিসু কান্নদ্রবা নথৌ ওইহল্লে... হূই অঙাওবসু তান্নদুনা কাপ্পগুম্না।" ঐনা মখা শমথে- "ঐদি লাল অসি শুকপাম পামদবনি।"

"অদুবুদি মশানা অদুম তাকচরে।" মানা হায়রকই।

"খ্বায়দগী হেন্না ঐনা পামজদবদি, মী পূম্নমক্তা মশিনা বাহল্লিবসিনি।"

"ফরে হৌজিক্তি... অসি ওইববসু অদু ওইরবসু ঐখোয় ঈশেদুম তাসি...।" রেদিও-দু মহাক্না তেক লৈখৎলি... কা অদুদা খোনজেলনা পূমনিল নীল্লে। ঐগী অশাওবা বাখলশিংদু হন্থনবা ঐসু ফমুংদা হীপ্তুনা বাখল তৌবী। হোসপিতালগী সিস্তব অদু থার্মোমিতব পাযবদুনা কাদ চঙলকই। ঐগী ক শাগৎলিবা হকচাঙগী মনিন্না মর্কুরি অদু বাংনা হাইগৎলে, মিহুলসু ৯৬ য়ৌবে।

সিস্তর'দুনা হায়রকই..." নঙ হকচাঙ নুংঙাইতবা... নত্রা ?"

"ঐ করিসু তৌদে।"

"নঙ লাইহৌ তৌবা মাল্লি।" থেৎলিবা চার্ট অদুদা ইশিল্লি।

"মশিদি করিসু নত্তেদা।" অদুবু মিস বৈ-গী বাখলনা ঐঙোন্দা লাইহৌ তৌবগুম্লে। কেপ্তেন অদুগী বাহৈদা ঐনা শাথিনা শাওখিবদুসু মহাক্কি মরমদগীনি- "ঐ মখোয় পূম্নমকপু তুক্কচদে।" ঐগী বাখলদদি মিস বৈ- মশক ফজবিনি- মহাক্কী মিনোক মিৎয়েং, সেব্রীচ্চিনি। বাজারদা উখিবা; ক্লাসরুমদা উখিবা মাগী মওং মতৌ পূম্নমকপু নিংশিংলকই। ঐ ইথস্তা খঞ্জবদা-মাগী কাদা চা থকমিন্নখিবা নীংশিংলকপদা মাগা মান্ননা ঈংনা নুংশিনা নিংথিবী অমা লৈত্রে হায়বসিনি। অদুবু ঐগী বাখল অসি থুমল্লি। পূক্লিংনা ঐঙোন্দা অমুক হায়রকই- "নঙ মাগী মরমদা করিসু খঙদে, শুকখঙ খঙদে-নঙগী বাখলনা কনাগুম্বী অমবু নঙগী হেক্তা ওইহল্লে।" অদুবু ঐগী অনীঙবা অসিদি মৈ হৌরবনি। ঐঙোন্দা লাকপা অচুম অরাল, পূক্লিংগী বাকৎ পূম্নমকশিং অদুদি অকঙবা উনাগী মতৌগুম, মৈরি অদুনা চাকথেকপদা লোইনা উৎ ওনথ্রে অমসুং অহাঙবগী নুংশিং মরক্তা তিনখ্রে।

(১২)

মথঙ নোংঙাল্লকপগী অয়ুক্তদি ঐগী হকচাঙগী তেম্পেরেচর মহৌশাগী ফিভমদা লৈবে। ডোক্তবনা মাগী বাউন্দ লাকপদা হায়রম্মী : "বেসিল্লেরি দাইসেনত্রিনি-কবিসু য়াকরনু; নুমিৎ তরানিগী মনুংদা চৎপা য়াররনি।"

সিন্তরনা চামচ অমদা অঙৌবা তেবলিত-মরি হাপ্পগা পীরকই। মদু ঐনা শায়গাযবগা ঈশিং যাউম অমগা যোৎশিনখ্রে। মহাও অদু ইচম চমই, চোক মকৃপ কুম্না।

ঐ হকচাঙ নুংঙাইরে। হৌগত্তুনা হোসপিতালগী কাখলদা লৈরিবা লাইবিকশিংদু য়েংই, থোইনা পৃক্লিং চিংশিন্দে। মপান্দা থোক্লগা বেলকোনিদা লৈবা আর্ম চেযাব অমদা, নুংশাদা মায় ওনশিন্দুনা ফমলম্মী। লম্বীগী য়াংমদা তপ্পা শাগৎপা হৌবিবা বাঙ্গলো অদু য়েংই। থবক শুবী নুপী কাঙবু, মকোক্তা চেক-হাপ্পা থুমোক পুদুনা পবেং পবেং চৎলি। ঙাইহাক লৈরগা কার অমা থৌঁঙ্গল্লকই। ফজনা মকোয় হৌববা কোয়েৎ অঙৌবা য়েৎপা সিখ থিকাদার অদু কংদগী থোবক্লগা কোয়চৎ চৎতুনা য়েংই। কনাসু মঙোন্দা পৃক্লিং চঙনদে। শলগাবীশিংসু লম্বী- অদুদা চৎলি-শাশিং অদুনা মখোযগী লেংজুমদা হাপ্লিবা গাড়ীগী জ্বান অদু কবিসু থৌশাদনা তূম্লিং তুম্লিংনা চৎপা মাল্লি- তেকসি অমসু থৌরক্লি হোর্ন খোংদুনা। থোঙনাও অদুদা উবা ফংই; যুনিফোর্ম শেৎপা মীশক অনিগী ঙাংলপ তৌবা মমায়। অদুম থৌখি, তুংলোমদা পারপ তৌনা উফুল হৌহল্লমই। উফুল মরক অদুদা ময়াঙ কংবা, ফেজোম শেৎপা নুপা অমা খোংউপ যাওদনা চৎলি; মাগী মতুংদা ইমুং মনুংগী পোৎ-চৈ কোকথোঙ পুদুনা মাগী নুপীদুসু চৎলি।

মখোয় তূমিন্না; ঐনা লৈরিবা মফমদু হেন্দোক্লা চৎখিবগা অতোপ্পা কার অমসু য়াঙনা থৌদুনা চৎখি। খোঞ্জেল থোক্তবা উট অমসু মখোঙ অপাকপদু তপ্পা তপ্পা থাংলদুনা; কুইপ্পবা মতমগী য়ানী অমগুম, করিসু থৌশাদনা চৎপদু উই।

মতম অদুকাওবা ঐহাক করমলি; পূক্লিং নুংঙাইনা; নোংপোক লমদমগী ওইবা ভারতকী দৃশ্য অসি য়েংনা-য়েংনা। অমেওবা নুংশাগী মঙাল অদুদা লেওনিংবা পোক্লমদে, ঐবু শুমলে কয়া কয়া অদুম উইরে।

বাহাদুরনা ঐবু হৌদোকপিরে। মহাক ঐবু করম তৌরিবগে য়েংশিনবা লাকপনি। হোসপিতাল অদুদা ঐনা দরকার ওইগদবা পোৎ পূম্নমক মহাক্না হান্না খঙলমলে। মানা পুরকপা সুটকেশ হাংদোকুনা মথঙ মথঙ পুথোরকই-খুজিল কক্কবা কাতি মচা; পাজামা অহুম-ঈশিন খোংচিন্নবা রাইতিং পেদ, অমরোমদসু মানা খঙজবনি, হাপ্তা খুদিংগী ঐনা য়ুমদা চিঠি ই হায়বসি... অসিদা নত্তনা য়াওরকই- ঐনা নোংমা লৈনিংখিবা ভারতকি উচেক মখলগী মমিং অমদি মশক য়াওবা লাইরিক অদু। মহাক্না মদু লৈদুনা পুরক্কগা খুদোল ওইনা পীরখিবনি ঐঙোন্দা...। হৌজিক্তি লাইরিক অদু পায়দুনা ভারান্দাদা ফম্লিঙেদা অউবা উচেক পূম্নমক মশক মমিং খঙবদা ঐহাক কয়াম হৃয়াওজরবা।

মহাক্না চৌকি মনাক্তা লেপ্তুনা থগ্গায় নুংঙাইতনা হায়রকই।

"মতুংদদি, কত্তবনি খঙলবা চিঞাক অমত্তা চাহন্নরোই।"

"বাহাদুর, নঙগী নয়াল নত্তে। তিন মখল অমননি।"

অদুবু বাহাদুরদি থাজরমদে। মানা খল্লি-ঐদি থাজগনবনিনা পূক মনুং অসিদা কত্তবা লাই অমনা থোকহনবগুম খল্লমগনি হায়না। মানা হায়-"ঐবু লৈরেবদি, নহাক কত্তবা মফমদা চাবা হেক্ত চংলি। পক্লনবা ভারতকি চিঞাক চাবসু কত্তে। নঙ ইংলিসকি মীনি; কনানা খঙবা, নোংমদি অচৌবা ইংলিসকী মী অমা ওইরকপা... অদুনা ভারতকি চিঞাক চাদুনা ভারতকি পূক অমা ওইহল্লবাদ কাম্নদে।"

"মতুংদদি হোৎনরগে।" ঐনা খুমই।

"অয়ুক খুদিংগী পুং মরি তাব মতমদা অমোংপা হোতেলদগী কুইনা থমজিল্লবা য়েরুম চাবদুদি য়াদ্রে।"

"নঙোন্দা কনানা হায়রীবনো ?"

"নহাক্না তৌবা পুম্নমক পিতর সাহেবনা ঐঙোন্দা তম্মী।"

"মথওদদি, ঐগী অয়োনবা অমত্তা হা :দকপ য়াদে হায়না পিতর সাহেবতা হায়গদবনি।"

"পিতর সাহেবকা ঐগদি মাইকেল সাহেবকী মরমদা ৱারী য়াম্না শাই। ঐনা তাবা পাউসু য়াম্না লৈরে।"

"নঙ ঐবু থাদোকজোহ্নিরা... ?" ঐনা ৱাথল অমদা পুশিল্লকই।

"মাইকেল সাহেব-নবু নুংশিবীরবদি, ঐ অদুম লৈগনি।"

মানা চংলমদাই মৌরকপদা চিঠি অনী অহম য়াওরী হায়ন ফুরিংবাওদগী পুথোবকই। "ঐ ওম্বোক্লা চেকশিন্না থমজগ্রপোংনি।" মানা হায়। চিঠিশিং অদু হাম্না পীবগ্না থোক্লবদি মানা হায়বা পূমমক তাবিরয়োয় ... -পী কোম্না পীবনি হায়বদু ঐ খঙলম্বই। য়ুমদগী এয়ারমেলদা থাবক ... অনিনি অমনা পিতবগী। মহাক্কিসু মশা নুংঙাইতবা অমসুং ঐহাক্কী অ... মরমদা ইবকপনি নোক্লবা লক্লবগুম্বা ৱাহেংসু কয়ানি, অয়োমবদা হায়রকই-- "শকহেন্‌বী মিস বৈ অদু নহাক লাক্তবদা মথক্তা থাজেশেংনা নুংঙাইজদবা অমদি তরক তবকপা য়াম্নি.. ঐদি কম্নকইকো। সায়োনারা।" নহাক্কী পিতব।

অশুম্না ইবকপা চিঠিদু অনীরক হেন্না ঐনা পাখি। অকোনবগী ৱাহে পবেংদুমদি কয়াবক হন্না পাখি। অচুম্বা ওইগদ্রনে, চুম্লোইদ্দা, তংখায় অমরোমদি অচুম্বা ওইগদ্রা ? ঐনা কারক্তবদু মিস বৈ-না খঙলগা ঐগী মরমদা মহাক্লা করি হায়রমগদবা। নক্লগা পিতরগী কাগিন্না ঐবু থাজহনগে হায়দুনা...? নোংমা মানা লৈরবা মনম নুংশিবা শাবন উপুদা ঐনা সেল্লোফেন চেজেং খরগা কমলা মকুগা হাপচিল্লুবদা মানা অমুক দুকান্দা চংলগা হংনরুবগী ৱাকম অদুগুম থোকহনগে খনব্রা ? নত্তেদা মদুমক্তি মানা খল্লম্মোহ্নিদা... তশেংনমক মিস বৈ কনা'মত্তা য়াওদবগুম য়াম্না তরক্লমগনি মথক্তা... !

অসিগী তুংদা ঐ ইবক্তা খঙ্লে- "মিস বৈগী মকমদা চিঠি অমা ইয়গে।" চিঠি হায়বসি অঙাওবনি, খুদোংথিনিংঙাইহনি হায়বা ঐ খঙই অদুবু তঙাইফদ্রে... মরমদি, অতোম্না চয়োল অমগী মতমফাওব্বা করিসু তৌদনা ঐ হোসপিতালদা লৈবা ঙম্নরোই। ঐ অশুম্না ইবা তাই.. মহাক মশা নুংঙাইহ্নরে অবদা ঐহাক কয়াম

হয়াওজবা অদুবু মহাক্কী ক্লাস য়াওজবা ওমদবদা ঐ কয়াম নুংঙাইরজদবা, অদুবু ওইবা য়াই... ঐগী হকচাঙ ফরক্লগা মা-ঐ পূন্না চাক চামিন্নবা...। অরোয়বদা হায়গনি চিংনদনা পাউখুম পীবীরকউ... নহাক্কী। নহাক্কী করী ? পূকচেল শেংনা হায়ববদা ঐ অসে মহাক্কীনি। করিসু শাউকম য়ারোঁকম থোক্তে য়াম্না নুংশিনা ফোঙদেক্লবদা ঐ অসে মহাক্কীনি। মহাক পাউখুম পীরক্কনি। ঐগী চিঠিনা মেকেয়ার হোতেল য়ৌবদা লোংমদি চঙগনি। খুদক্কী ওইনদি পাউখুম লাকলোই। নিনি কাওবা ঙাইরসি-হৌমনি শুবদদি মহাক্কী চিঠি শোয়দনা লাক্কনি। পূন্না নুমিৎ মরিনি চঙলে... অসিদগীসু কুইখনা, লোইনাইদবা ওইবা য়াই... করিনো ঐনা আশা তৌরিবা মপালথোংগী ফজবা চৎনরোলগী বাহৈ খরা নত্তনা ফরে, মদুসু করিগুম্বা খরদি অদুম ওইরে।

যাহাদুমনা পূরকপা পেদ অদু লৌরে, মিনিট তরাগী মনুংদা চিঠি অদু ইরে, ইনভলপ অ হাপচিল্লগা শিল তৌশিল্লে ইনিংমনবদগী চিঠি অদু ইরবনি... থাখিগদ্রা থারোইদ্রা অরেম্না খঙদনা ফমুং নাকলগী তেবল অদুদা থম্লগা ঐ ফমুংদা লোংনা হিপ্তুনা য়াখল তৌরম্মী। কা অদুদা লৈবা য়ায়রলেস (রেদিও) অদু হৌনা থামনবদগী য়াখল অমত্তা খনবা ঙমলমদে।

অগুম্না তৌকম খঙদনা লৈরিঙৌদা সিত্তর অদু য়ার্দ অদুগী ফমুংশিং শেমজিন শাজিনবা চঙলকই। মহাক চিঠি অদু উরে... হায়রকই-

"চিঠি অসি থাখিবা পাম্লা ?"

"হোয়... চানবিদুনা।"

চিঠি অদু চৎখিবদা ঐ নুংঙাইজে। পূক্লিংগী থাউ অসিদা থনকংলম্বা মনিল খরদি পাইথোকস্লে, খরা কোমজবগুম খল্লি... অদুবু গ্রেগোরি কৌবা কেগুন অদুবুদি মতম অদুকাওবা শাওনিংলি। য়ায়রলেস অদু খরা থোনজেল নেমথনবা মঙোন্দা হায়। খরা ব্যবহার তৌনা হায়রম্বা য়াবনি। অমুক হন্না; চিহ্নিবী ঙায়োনখিগুম ঐখোয় অনী লাউনবা হৌরে। মানা হায়রকই- "নঙনা য়ার্দ অসিদা হেক লাকপদগী য়াম্না থকশিখাশি নাইদে তিম্নবা য়াদে... নঙোন্দা ওইরিবা মরমশি করিনো ?"

"সত্য! ঐখোয় অনী লাউনবসি তোকঅসিবা...।" ঐনা হায়জে।

"নঙ-হৌজিক্তি তোকপা পাম্মেনে... ?"

"কা অসিদা ঐখোয় অনী পূন্নসু লৈমিন্নগদৌরিবনি।"

"করে, হৌন লোনচং খরদি নঙ খঙবা তাবনি।"

"মোটলেন্দগী হে গুরু ! নঙসু হৌন লোনচং খঙলম্বা থোক্লবদি না-য়েশিনবমখৈ খোংলিবা অদু খোংলমলোইদবা নৎত্রা ?"

তানজা অসিদা সিত্তর অদু কা অদুদা অমুক হল্লকই। অঙাংমচাদৌনা লাউনরিঙৈ মতমদুদা মানা উখিবদু ঐ ইকায়জে। "করে... সত্য ! অমুক হল্লা গুঙনরগুমশি।" ঐনা হায়খি।

সিত্তর অদুনা ঐঙোন্দা হংলকই- "ফ্লাইং ওফিসর কিন হায়বসি নহাক্লা ? মীশক অমনা নঙবু উনবা লাকই।"

মহাক্লা খোঙ চিংখোকই। ঐনা খল্লি- "করেদা-পিতর ওইরমগনি মাগা বারী শারগা নুংঙাইরনি মাগী চিঠিদুসু অমুক শন্দোক্লা হায়হনগে...মিস বৈ-গী পাউসু তারগে।"

অদুবু পিতর ওইরমদ্রে- মিস বৈ মশামক ওইরগ্রে কা অদুদা চঙলক্লিবা।

ঐবু হেক উখগা হায়রকই- "শাউখিবা য়াদেকো ঐবু।" সেকেন্দ অমরোমদি ঐনা খল্লুই- মহাক চিঠি অদুগী লাক্লিবনি- অদুদগী নীংশিংলকই ঐনা ইখা লোইখিবা পুংখায় অমরোমতা-ঙাইরি... মহাক মশানা লাকচবনি...। ঐ ফুলগী অঙাং অমগুম্না পাখৎগগুম-করিগুম ইশা অসি নীকই।

"ঐনা লাকলিবসি কায়রত্রা খঙদেদা। মহাক্ন হায়রকই। করিসু কারলবা নৎত্রো... ?"

"করিসু কায়দে। ঐদি অঙকপা ফংনা নুংঙাইজে।" অসি হায়দুনা ঐ ফমুংদগী হৌগংলি। অচোনবা পাউন অদু লিংশিল্লগা ঐখোয় অনী ভায়ান্দাদা থোরকমিল্লরমই। উয়মদা লৈবা খুংগায়কম য়াওবা চৌকি অনীদুদা ফম্মরে। মিকুপ অমরোমদি করি হায়গদবনো হায়বা খনবা থোকলমদে।

"ফুল অদু করম করম তৌরিগে ?" ঐনা অকোনবদা হৌদোক্লমই।

"ঐদি তম্বিবগা হৈত্রেদা... অদুবু মী খুদিংমক্তি ঐঙোন্দা য়াম্না কৈ।"

"ফেনবিক ফাওবা ফরব্রা... ?"

"হান্নগুম্না মঙক কনদ্রে, য়াম করে।"

"ফাগি ওইনা ঐখোয় করি-করিনো য়াম শান্নে। শান্নবা কান্দদি তম্বিবগী থবক য়াওদ্রে।"

"কবি কবি শান্নরিবা ?"

"কনানো অমনা করিনো অমা খল্লেদনা অদুগা মানা খল্লিবদু করি ওইবা য়াবগে হায়বদু জাপানীজ লোলদা হংনবা। মশিসু অদুম নুংঙায়বা মখলনি। অস... মিস্তর লেম্বদি ব্রিগেদিয়ারগী মনেমবোক ওইনা খল্লম্মিবা।"

"নঙগীসু করিনো অমা খনখিব্রা ?"

"হোয়... মখোয়না খলহল্লিবা...।"

"করি খনখি।"

"তাকথোকপা য়াদে।"

"পিতরদা হংনি...।" ঐনা হায়।

"কনানো অমগী খূৎশাগী খুজিল।"

"কনাগী ?"

"নঙগীনে ইবুংঙো... নারে হায়বদুদা নঙগী মরমদা ৱারী শানৈ ঐখোয়। অদুদগীনে নঙসিদ লৈ হায়বা ঐনা খঙজিসে। ঐদি অহানবদা ফিংগর নেইল হায়বসি করিনো খঙদদুনা য়াম্না ৱাখি। ঐদি মসি মনা মশিংলা শা-রা, খনিদগী ফংবা পোংলা খল্লুরে। মখোয়নসু কয়া শাওবে।" খজিত্তং নুংঙাইজদবা কোঙদোকপা ওইনা মাগী পীক্তক তৌবা নাতোল অদুদা শোর চিংখৎলি। মমিং অনি অদু তরাও তরাও তক তক য়াম্না চিঙলেম্না উখি।

ঙাইহাক অদু মঙোন্দা তূমিন্না য়েংদুনা লৈ। করিগুম্বা পাখৎনবা অমত্তা য়াওদনা ঐশোয় অনি তূমিন্না ঙাইহাক লৈনবদি মদুনা অহানবনি। অচীকপদা খঙনাইপা মরম কয়াসু লৈ। মহাক্কা অচীকপদু কায়হল্লগা হায়রকই।

"লৈ-শিং অদু থারককম খোক্তবনি।"

"করিগী ?"

"পৈশা তিংইদুদি... পাম্মুদ্রো ?"

"ঐঙোন্দগীনি হায়বা করম হায়না খঙই ?"

"ঐ দুকান্দা চৎলুবা... মখোয়না লৈ পুখিবা মীশক অদুগী মওং হায়রকই। ঐনসু অদুম খল্লি... নঙগী থৌজালবু হায়না খঙব্রবনিনা।"

"ঙসিসু নঙোন্দা পীনবা চিঠি অমা হি।" ঐনা মসি হায়রকপা তানজা অদুদা, ঐনা চিঠি শিন্নখিবা সিস্তর অদু লাপতক্লা ভাবান্দা-দা লেপ্লি। মহাক কৌশিল্লগা চিঠি অদু থাব্রবরা হংবদা; থারমদদুনা ঐঙোন্দা অমুক পীবক্লে।

"হৌজিক্তি থাব্রসু য়ারে।" ঐনা হায়।

"অমুক্তা য়েংগেনে।" মিস ব্রৈ-না হায়বকই।

"করি কান্নগবনো ? ইরিবা পুম্নমকতু নঙোন্দা হায়বা য়ারেনা হৌজিক্তি।"

"শে... চানবিদুনা...।" মহাক মখুৎ তিংখোরকই।

"হায়রিসিনি হায়বা, কৈসু য়াওদে হায়বা।"

"ঐ য়াম্না য়েংনিংইদা।"

"কৈকান্নেনো; অপঙবগী চিঠিনি।"

"অদুবু ঐঙোন্দদি ইরিদনা... ত্তাম্পসু নম্নবনি; মদু নত্তে, অদুম তৌনু হায়বা...।"

"অদুবু ঐনা অমুক লৌরে।" ঐনা খুমই।

"ঐঙোন্দা পীদবা য়ারোই।" তৌশিন্নবা খোঞ্জেলদা কল্লপ তৈনা হায়রকই। "ঐ নখোয়গী স্কুল ওব্বানিকো ঐনা হায়বা ইনগদবনি।"

"ফরেনে।" ঐনা হায়। চিঠি অদু মখুত্তা পীরে। চিঠি অদু ঙাইহাক মতম চঙনা পারগা চেকশিন্না মাগী হেন্দবেগ-তা হাপব্রে।

"চিঠি ইবা মীশক অদুগী ময়াওময়ক্তদা, মাগী চিঠি পাবদি পাখংলি।" ঐনা হায়রি।

"য়াম্না থৌজাল হৈয়ে... য়াম্না কজেরে চিঠিসে।"

"চিঠি হায়রবদুদি নত্তেদা চুম্নগী খান্নরনা চংনদবা মওংদা ইপও পওনা ইবনি। ঐনা অনীংবা কয়াদি অময়ত্তসু হায়রদবনি।"

"করিনো নীংঙিদুবু ?

"কোওদোক্লুরগা পাউখুম লাক্তবা তারবদি ঐ ক্লাসতা য়াম্না হৈনরোয় থবায় য়ানি, শাউওু শাউনি। অদুবু পাউখুম পীরক্লবসু ঐনা নুংঙাইজবদি হোসপিতালদা লাকপিদুনা ঐবু উনবিরিবা অসিনি। কোওদোক্লবা থোক্লবদি লাকলমদবসু য়াই।"

"লাকপা য়াইনা।"

"ঐ থাজদে। নত্তোন্দসু হংহিরদুনি চিঠিদুদা... নখায় নুংঙাইতনা, য়ান্নদি নুংশিনা উরিবদু করিগীনো হায়না।"

"নুংঙাইনা উনবা হোৎনরগে।"

"অদু নত্তেদা ... হোৎনবগী মা নত্তেদা... নওগী নত্তৌগুবু হায়বানি।"

"অশেংনমক ঐ খবায় য়াম্না নুংঙাইজে ওসিখি।"

"চুমসু য়াই। ঐনা খুমই। নহাক য়াম্না নুংঙাইনা উই, নোকপদসু হেম্না কজে ওসিদি অদুবু... য়াখলদা করিনো অমদি অদুম থৈবা য়াম্রি।"

"খওবা য়াম হৈ-কো...!"

"নওগী মীৎয়েংদুদগী ...।"

"আনোক উগ্না তারে... চৈ অমগা পায়রগে... অশেংনমক ফুল ওবা মান্নবা।"

"অদু ওইরসু অদুম খওনি।"

"আনোক্লা খনজিল্লবি খঙগুরোইয়ে।"

"ঐনা খঙই হায়বসিদা শাউনীংব্রা ?"

"শাউদেদা... ঐগী সেব্বীচি ওইবসিদা করিসু খনবিব্রবদি...।"

"নঙগী সেব্বীচি... অসি য়াম্না ফজে... নুংগী ওইবা থোক্লেলনা থল্লি... অদুনা ঙসিদগী হৈনা নঙবু সেব্বী, কৌরনি ঐনা। "সেব্বী" ফজব্রনে ? নঙগী হান্নগী মিংদগী কাও হেল্লি।"

"ঐগী অশেঙবা মিংদি হনাকো, কৌবনে...।"

"অদুদি ফজেনা..." পোম্পাংনবী লৈরাং, হায়বনি, অদুবু ঐদি অদুম কৌরগে।"

"ঐসু নঙগী অশেঙবা মিং হান্নদগী খঙই।" মানা হায়রকই।

"কিন হায়বদুনা নিংশিংবদা নুংঙাইরমগনিদা।"

"অদুবু মিং অমসু খঙগে নঙগী নমান্নবনা নঙোন্দা কৌবদো... মাইকেল; হায়না।"

"করি হায়বা ?"

"মাইকেল ... সুমহায়না থোক্লেল থোকদব্রা... ?"

"উম... মদুনি।"

"মায়কল...!"

"সেব্বী !"

"য়ারেকো...।"

"য়ারেকো...।"

"মহাক্লা হনখিবদা... হোসপিতাল পেত ফাওবা থিন্দোক্লুই ঐগী অনাবগী কিজেড-তা। মানা টৈক্লি কাখৎখিবগা ঐথোয় অনী বিদায় তৌনরে... ঐহাক হোসপিতালগী বার্দতা অমুক হল্লকলে। ঐনা চঙখিবদা কেপ্তেন অদুনা হৈনিংদনা য়েংলকখি।

"ৱায়রলেস অদু হৈনা খোংগে হায়রসু খোংঙো; ৱেরা লৈব্রে।" ঐনা মঙোন্দা হায়।

"অদোম্বু থাগৎচরী।" গ্রেগোরিনা... তাবদা নুংঙাইতবা খোঞ্জেলদা খুম্মকই।"

"থাগৎশিত্রসু য়াইদ্দা...।" ঐ ইথত্ত্ব নোকচে।

(১৩)

হোসপিতাললদা লৈরুবা মতমগী লাইরিক অমা ইগে খনখি। হোসপিতাললদা লৈরুবা মী অয়াম্বগী পুন্সিদা থেঙনখিবা মরম কয়া অমদি য়াগী য়াগী পুন্সিদা অমত্তা ঙাম্নরবা যৌদোক ওইগনি। মতম অদু শোলদগী থাদোরকপা উচেকুম্না ঐগী নিতিগী ওইবা থবক কয়াদগী কোমথোকচদুনা ইনাঙদি তমজবনি... অদুবু উচেকুম্না খঙ্গুরবসু ইশাদি করে। অতোপ্পগী মপাল অমুক তাংবা তাই... য়াম্না অরুবা অকক্নবা নিয়ম অমগী মখাদা পাইলোত অমনা শিজিন্নরিবা এরোপ্লেনগী ইনজিন্দগীকাও হেন্না লুই হায়বা য়াই। শেমজিনবা পাক য়াদে মতম চঙনা লৈবা তাই লৈরুরিবা হোসপিতালদুদা। ঐনা খল্লি - মকম অসিদগীসু ওইবা য়াই ফিলোসোফর কয়া পোক্লকখিবা অমসুং চহিগী অহৌবা য়ৌরমদাইদা পার্লরদা কয়া কয়া পুক্লিংদা অনৌবা ৱাখল কয়া লাকখিবা।

নীংশিংলকই, ঐনা হীপ্পিবা কা অদুদগী য়েংথোকখিবদা উবা, চংথোক-চংশিন তৌরিবা মীয়াম কাঙবু অদু... মানা... মানা পুরক্লরিবা শোং-মী মীদুগী শাজং মখোয়গী ৱাহে মখোয়গী মীংয়েং...পুম্নমকশিং অদুদা খঙবা ঙমখি, করম করম্বা মখলগী মীওইশিংনো হায়রবদু মখোয়। লমলক্তা লৈবা শা অমনা, অরুবা অনানবা মকমদা লাকপগা চপ মান্নে। হৈনদনা উই, খরা অমনা খুনিং কাঙনা চংলি...খরা অমনা খৈদোক্তুনা চংলি খরা অমনা চুমথ্রিং মখোয়গী মকমদু য়ৌনবা চংখি।

মহাললমিগী হোসপিতাল অসিদা ঐসু, শাদানবা অমনা মানা নীংলিবা

অদু ফংননবা হোৎনবগুম... অহানবা কলমগী খুৎ থারগে খনখি। কেপ্তেন অমসুং লেফটনেন্ট অদুদি ঐঙোন্দগী হান্না চৎগ্রে, মথঙ কয়া অমসু লাকখি : অমুক চৎখি ফমুংশিং অদু হাঙহৌই। মখোয় অয়াম্বনা দায়সেত্রি নত্তে। ব্রায়শিংপা মীশকশিং অদুগা মখোয়গা কৌনবা ঙাঙনবা চূশিন্নবা হোৎনরিবা... অঙকপনি। তোঙানবা ব্রাহে অনি ফৈনা, য়ুংনা মথক মখা করুবদা ময়েক অমত্তনা অনিমক্কি চানহন্নবা হোৎনবা জিগসো পজলগুম্বনি, মদুসু মখল অমরোমদা হায়রুরগা অমগা অমগা য়াননবা চূশিন্নবা হোৎনবদা অরুবা থবক্নি।

মীয়ামশিং অদু অমগা অমগা খঙনদবনিনা মানা-মানা থোকপা ব্রাখলদা অদুম খন্নরমগনি অমনা অমবু। ঐবুসু ঙক্নমগনি ঐনা ব্রাইশিংপা নুপা অদুগা ঙাঙন শক্নরিবা অদু তাবদা অমসুং ঐনা লাইরিক পাদুনা লৈবদু উবদা...। অমবোমদা কনাগুম্বা অমনসু খল্লমগনি- ঐ অসি কয়াদা পঙত্রবনো হায়না জাপানগী নুপী অমগা লোনদিন্নবদু উবদা। অদুবু ঐঙোন্দা লৈবা ব্রাখলদি-ঐনা মঙোন্দা উরিবা খল্লিবা অদুগুম্বা অতৈনদি খনবা ঙমদ্রে-হায়বসিনি। ঐঙোন্দদি মহাক্কি শাজৎ-মখুৎ-মশা মহাক্কি মীৎয়েং- শৈরেংনি পূম্নমক ঐঙোন্দদি শৈরেংনি... নুংশি ব্রাখলগী ঈচেল হৌরকফমনি।

ঐনা স্কুল তম্লিঙৈদা নুপা-নুপী অনীখক্তী নুংশি ব্রারী অমা ইখি। ব্রারী অদু ঐগী ইংলিসকি ওঝা, কবিগী ব্রাখল চেনবা অদুনা পারগা, অঙাঙবা মুক্না অরোয়বা চেনাদা ইরম্মী— "ইবুংঙো, মী অয়াম্বদি অসুক থুনা নুংশিনবা ওইথোক্তে।" ঐগী ব্রাবীদা য়াওবা মীশক অনী অদুদি ঐনা অনীরক শুবা ওইনা উনবদা নুংশিনহনবনি। কবি অদুনা হায়বা অদু চুমলম্বদি য়াই-অদুবু ঐনা কোম্মুংদা খঙলকপদি, য়ামপ্রবা মী কাঙবু অমদি খুদক্তা নুংশিনখিবসু কয়ানি। অখেৎপা চাক্নবা মৈখেৎ মচৈ অমনা অতোপ্পা মচৈ অমদা নকশিন্নুরবদি অমদুসু অদুম চাক্নগনি মরমদি চাক্নবা মচাক্তি অতোপ্পা মচৈ অদুদসু য়াওবনিনা...। অশুম্বা চাক্নবদি; মৈ অনী অদু অমত্তা ওইখিগনি... মৈরী অদু মুৎত্রিবফাওবা।

ঐদি, করিগীনো খঙদ্রে... অশুম্বা বোম্বেদা হৌরকখিবা ঐগী মৈ অদুদি অমুক মুৎপা নাইখিদে... পৃথিবীদা লৈবা মীওই লিশিং কয়াগী থম্মোয়দা চাকলম্বা

মৈনা মুৎশ্রবসু। ঐগী মৈ অসি মুৎশিগদ্রা হায়নদি খনবনি, অহিং নোংযাম্বগী মতমদা ঐগী খুৎ শাহল্লক্লা অঙাঙবা মৈতেল অদুনা অমুক উং ওনখিবগুম। অঙাম্না ঐ মাহালক্ষ্মী হোসপিতালদগী নোংযা নুমিৎমুংবা মতুংদা হল্লকখি।

ঐনা হোটেলগী সিডি কাখৎলকপদা হোটেল অদুগী মপূ ওইবিবী মিস জেক্সনগা উন্নে।

"আহ! মাইকেল কিন নৎত্রা?" নঙগী পূক নুংঙাইতবদু কমদৌবে... ফবত্রো?"

এংগ্লো ইন্দিয়ানশিংনা ঙাঙবা, ফজবা খোঙ্গেলদা মহাক্না হংলকই। য়াম্নসু নহা ওইদ্রে মহাক, য়াম্নসু ফজবা নত্তে, অদুবু মহাক্কী মপূংফাবা শাওং শাদা, আববকী মাযদা চঙবা মশক, খুদোপ শিবিবা পূপ-পূপ লাউবা খুৎচাশিং অসিনচিংবা কযা অদুনা অউবা কনাগুম্বশিংবুদি খোইবাঙনহনবগী মশক্লি। হিবম অদুদা মহাক্কবু পূক্লিং চঙলবদি; নুপা অমগী হৈনিংবা ঝাখলদি চপচান্না পোকহনগনি। মতম অমদা মহাক্না মাইকে অশোমদা পূক্লিং চঙখি হায়বদি ঐখোয়দা ফাওবগুম তৌই-অদুবু হৌজিক্তি মহাক খৌশাদ্রে-মীঙোন্দা ঝাখল পোকহনবা হায়বদু কাউদ্রে।

"অদোম্বু থাগৎচবী।" ঐনা খুমই। তৌজিক্তি ঐগী হকচাঙ কবিসু তৌদ্রে।"

"নঙগীদু নুংশি নুংওলগী লায়নাশদি নত্রেকো?" মমায়দু চেপতক তৌনা মোমোন নোক্কুনা হায়বকই।

"নত্তেদা।"

"অদুবু, নঙগী সেবা তৌনবা সিস্তব ময়াম লৈবিবদুদি নুংঙাইবমগনিদা। মখোয়সু মশক মতৌ ফজবা লৈশাবা ঙাক্তনি, সিস্তব হায়বগী ঝাখক্তা নৎত্রনে?"

"ঐদি সিস্তবশিংদু নর্স কৌই। মখোয় য়াম শাউই, ঐবু ঙাকপিদে।"

"মদুদি ফত্তেজনা... সিস্তরশিংদদি ফজনা চৎকদবনি হায়বা।"

ঐগী কাদা চঙ্গলে। পূং অমরোমদি লাইরিক পাদুনা লৈ। থক্লনবা চা-থাগৎশিবকলে ঐগীদমক্তা। ঐগী পূক্লিং হকচাঙ পুংইঙ ইঙবা ফাওবমই।

নিংশিংলকখি ঐনা অহানবা; কা অসিগী থমুংদা ফিগ্নিদা ঐঙোন্দা ফাওরকখিবা হকচাঙগী অমদি য়াখলগী চকম অমা ইরাং বাংপদু।

পুং মঙা তারকপদা ইরুজখোক্লে, কোইসু কোক্লে। ফি শেংলিঙেদা পিতর চঙলকই, মাগী অথাবা দিঙ্গনারি অদুগা খাঞ অমগা কোল্লদুনা।

"আহ! অরেম্বদা শেল তিংহনবা মচানুপা অদুনিনা সিদে। মহাক্লা হায়রকই। নুংঙাইরে ঐবু চাকচাবা পুবীনবা নঙনা থৌরাঙ লোইশিল্লম্বা অসিদি। ঐখোয় পুম্নমক ঙাংঙনবিবনি, নঙনা হাপ্তা কয়া লৈরুবসিদি ঐখোয় ময়াম পীজবা ওক্লবা নঙগী শেল তুঙশিল্লবনি হায়না।"

"ঐদি নাক্নবদগী ফগৎলকপদা ঙায়রিবনি- অদুনা, নখোয়নদুম ঐবু পুক্লিং চঙবীগদবনি।"

"ঐখোযসু পৈশাগদি লৈপোৎ নত্তে, ঐনা মারভিনদগী পুবে, মারভিন্না মারিওদগী পুরে অদুগা মারিওনা ব্রিগেদিয়ারদগী। ব্রিগেদিয়ার সি ঐখোয় পুম্নমক্কি পৈশা লৌফম ওইবে হায়বসু য়ারে চপচানা, ঐখোয় মহাকপু য়াম্না নুংশি।"

"অতৈদি কবি-কবি !" ঐনা হংই।

"ফত্তনা হায়ন-খোৎনবদি করিসু লৈত্তেদা... মশিদি নঙ তাবদা নুংঙাইরমগনি। অদুগা ফেনব্রিক্কি মরমদা খঙনিংলবদি, চে-কলম পাযখৎপা ভারে-কাউদনবা, নঙসু লাইরিক অমা ইনি হায়দাইনে"

"ফেনব্রিক্কি মরমদদি ইনিংদে।" ঐনা খনবদা পিত্তবনা সেব্বী-গী মরমদা খবদি হায়বক্কনি হায়বর্সিনি; ঐনা তানিংলিবসু মদুনি। অদুবু মাদি; মিস তেক্সরুই মবমদা ঙাঙবা হৌরকই... নুমিৎ চুপ্পা মহাকপু য়েংবদি নুংঙাইবগী মশাক্কি হায়দুনা। মানা হায় "মিনুংশি খঙবী অমা ওইবতা নত্তনা মাগী থম্মোয়দি সনাগী থম্মোয়নি" পিতরনা কনাগুম্বা অমগী মরমদা হায়রক্লবদি অশেংনমক অচুম্বদি হেক্তা ওই। মী অদুগী অফবা গুনশিং পুখোরকপদা অচম্বা অশোয়বা কয়া লৈরম্বা থোক্লবসু; মহাক্লা শাউনিংখিবা কয়া লৈরবসু; করিসু থৌশাক্লদে-য়া-ওইনা-খল্লুদে মহাক্লা।

মহাক্না হায়রকই— "মিস জেক্সনগী অশেঙবা মিংদি বোজি কৌই - অচুম্বা মরমদা মহাক্না তিন্নববদি নঙসু অদুম চাউখৎকনি। মাদি লৈশাবী কয়ামকম মশক খঙই, মতম পূম্নমক্তা লৈশাবীশিংগী ম্নরী শাই-গির্জাদা থবক পুবা কেৰ্জিমে। অমগী নুপীগুম্না। বোজিগী লৈশাবী পূম্নমক মশক ফজে, ঐখোয়বুসু মানা ফজে হায়রিবা' সিগুম্না। লাল লাক্লিঙৈদা রেঙ্গুন্দা লৈরম্মী হায়... ইকোন কোনবা জাহাজ অমদা, মাগী লৈশাবী কাংবু অদুগা লাকমিন্নখিবা ওইরমানে। মানা হায়দ্রবসু, মবেবাকপুদি নুংশি হায়বা অদুম খঙবা ঙমই। মতম কুইনা মাগী মতেঙ ফংদুনা লাক্লবী লৈশাবীশিংদু লান্দাবকপা জাপানীজশিংগী মখুত্তা হন্দোকপিবমদে। মানা খ্বায়দগী খাঙবা ঙমজদবা অমনা- ঐখোয়গুম্বা নাহারোল কয়ানা ইমুং মনুংগী নুংঙাইবা থাদোক্লুনা... নুপা ওইবগী ফংফম থোকপা পূক্লিংগী অপাম্বা কয়া ফংদনা...লৈবাক্তি ওইবা অচৌবা শিনফম অমগীদমক্তা মাইল লিশিং কয়া লাপ্না লাক্লিবসিনি। ওহ্ ! রোজি অসে থাজৈমকশেংনা মণিমুক্তানি, অদুবু অশেঙবা, মচৌবা সাহেবশিংগী মবমদা মাগী অতেনবা ম্নরীশিং কয়া অমদি থোইদোক্লা এওং তাদবা নোক্লিঙবসু য়াওই।"

"য়াম নুংঙাইকো তাবদা। অদো... নঙদি জাপানীজ লোলদা য়াম্না ম্মাঙ চাউশিল্লম্মনি।" ঐনা হায়...।

"করিসু হেনগৎত্তে। অদুগী মহুত্তা ঐদি লাইবিব অমা ইবা লাক্লবি... শিথিল স্কুল চৎলগা ক্লাস কমদা ইবিবনি। লানগী অচৌবা লাইবিক অমা ওইদৌবী পোৎনি; অনীশুবা লানজাউ অসিগী। অদো... রোদিশিং লৈশাবীশিংদু নুংঙাইবা ফম অমদা ঐনা চাক শীজগদৌরী ঙসি... নঙ চৎলুদিনা...।"

"চৎলরোইদা...।" ঐনা খুম্মী।

ঐনা হায়বদা নঙ হেক্তা কনথোক্লনু... ঐনা হায়বা য়াদ্রবসু ঐদি নঙগা চৎকনি অদুদি।"

"নঙনবু চৎনিংলবদি য়াইদা।"

"কাগী তৌবনিদা... ঐ লোইনা খঙই।"

"চিংনৈকো... নঙনা লোইনা খঙজবা কৈনো...।"

"খঙইদা...। ঙসি নঙগী ফজবী হনাকো গা তাজ হোলগী চঙফমদা উনগদৌরিবা নৎত্রা ?"

"নঙ করম হায়না খঙইবা ?" ঐনা হংই।

"মানা ক্লাসতা হায়নে।"

"ঐ মদু থাজদে।"

"মহাক পঙহায়দা হায়দোকপি মীনি, ওইদবা কয়াসু ঙাঙবী।"

"মানা ক্লাসকী মী পৃম্নমক্তদি হায়দোক্কেকো...?"

"হায়দোক্লবগুম্বা হায়দুনি... ঙসি নুংথিলদি মহাক মপূক্লিং য়াম্না লাঙনা উই... য়াম্না ভাব তাগনবা মীদি অদুম খঙগনি, মহাক্কি নুংশিনবা মী অমগা মফম অমদা উনবা চৎকদৌরী হায়বা। ঐবুদি নঙনা খঙলবা নৎত্রো... দিতেক্তিভ বাবী অমা ইরি হায়বা... ঐ য়াম্না শিংঙপোৎনিকো। সিদা লৈরিবা চুরুট তাম্বি থাদফম অসিদগী; য়ামদ্রবদা নঙনা কা অসিদা লৈবা পুং অমদি ফারে হায়বসু খঙবা ঙমই।"

"উনগদবা মফম মতমদি খঙব্রা... ?"

"মদুসু অশিঙবগী বানি... নঙ হৌজিক চৎননবা শেম-শারবনিনা... কদায়দদি ওইগনি তাজ হোতেলদা নত্তনা। বোম্বেগী মনুংদা কনাগুম্বা অমত্তনা; উনবগী থবকতি তাজ-দা নত্তনা তৌরোই।"

"নঙনা ঐবু পাখৎহল্লিকো।"

"অচুম্বনিনে... নঙ য়াম্না নুংঙাইদৌরি ঙসি... অদুনা অহানবদা পাখৎপা তাবা। অদুবু নঙনা বাশকুনা ঐবু থাজহনগদবা অমনা, রোজিবু নঙনা সিনেমা য়েংবা পুরুই হায়বসিসু অমনি-রোজিসু বাশকহনগনি।"

"নঙদনি হে... ঐগী অচৌবা মরুপসে!" ঐনা মরক থংনা হায়খি।

"ওহ! মদুদি করিসু নত্তেনে... ঐদি নহা ওইরিবা কয়াবু নুংশি নুংওলদা ঙাওহল্লিংই।"

"ফরে চৎলো... নঙসু উংতুরো নঙসু মদুগুম্বা বাখলদা-"

মপান্দা থোরক্লগা ঐ শাড়ী অমা ফারে। ইরুজরুবদগী হুকচাঙ অসি ইঙলি... তগৎ-তগৎ তেক্লি- হ্মাং অমুক শৌহল্লিংলমদে। তাজ হোতেল মনুং অদুসু ইঙই। হায়নথিবা মতম, মিনিট তরা বাংলিবনা লাইরিক য়োল্লিবা মফমদুদা চঙদুনা য়েংলম্মী। জাপানগী লাইরিক কয়ামরুমসু লৈরম্মী, মথুমদা অকীবা শক্তম কয়া য়েক্লম্না থেঙনৈ। অমসু য়াওরম্মী-তু ফেসেস ওব জাপান, কৌবা। মথুমদা য়েক্লমই নুপী অমনা খুকউ খুদক কুন্দুনা হায়জবগী মওং অমসুং তমথিরবা নুপা অমগী মমায়। লাইরিক অদুগী মনুংদদি ফজরবী নুপী কয়াগী মশক য়াওরম্মী; মদুগা লোয়নননা জাপানীজ নাহারোল কয়াগী শক্লিন্দা হৈশিংবগী ফোতো কয়া অমসুং চাইনাদা ওং-নৈথিবগী শক্তম কয়া অমসু য়াওরী। শক্তমশিং অদু উবদা ঐগী পূক মথক মখা ওল্লকই। মখোয় অদু থমজিল্লগা দ-ম্রি বেস্তুজ কৌবা অমা অমুক য়েংই। চেনাশিংদু খুবীনা ফর-ফর কাপথোকপদা নুংঙাইগদবা মাল্লি। হুক্লংতুনা অমুক অইবা মীশক অদু কনানো হায়না য়েংলুবদা-মানা ইরম্মা কংথোক ব্রাহে অদুনা ঐবু কয়াম পূক্লিং চিংশিনখিবা!

ব্রাহৈশিং অদুদি :-

অৱাবা কোল্লায় খাঙলক্লবা তুং
নুংঙাইবা শরুক ফংখিদ্রবী
অৱাবা ঙাক্তগী মপৈনা
মখোযগী লৌরোক ওইদ্রবী
খমথেঙনা খাঙজবকপগী মনাসু...
অৱাবা শরুক্লা তমদ্রবী
খ্বাইদগী শাথিদ্রবা
লৌনম নাপলনা নমহৎপ্রবা
তমথিবা মচা কয়াদুগী ব্রাথলদা
মশাগী মমি শামদ্রবী
অৱাবতনা মচিল্লাক ওইদ্রবী
পূকচেল তাদ্রবী...
জাপানগী ইমা ওইবীশিংদুগী মফমদা...॥

কজরবা ম্রাহৈংশরেংশিং অদু হুয়া হুয়া পাখি... চিনফা পুননবা। কনানো'মা ইনাক অসিদা হেক লৈবদা; ম্রাহৈংশিং অদু হেক্তা হায়নীংবা পোকললখি।

অসুম তৌরিঙৈদা সেব্বীসু লাক্লে। জাপানীজ লোলদা হায়রকই। "করম তৌরি, নুংঙাইহিরিবো... ?"

ঐসু জাপানীজ লোলদা খুম্মী "ও-কাগে-সামাদে।" মশিগী অর্থদি- অদোমগী মাখলদা; মিংচত্তা ঐগী হকচাঙ নুংঙাইহিরি হায়বনি। চয়োল অহম হোসপিতালদা লৈরুরবগী তুংদা ঐনা নিংশিংলকপা মাহৈ পরেংনি।

"য়ু আর ওনেসত্রি বেট্টর ?" মানা ইংলিসতা হায়রকই-অচুম্বমক ঐগী হকচাঙ হেন্না ফরত্রা হায়না।

ঐনা ফাগি তৌশিল্লি– "ওনেসত্রি, হায়ত্রা"

"ওহ... লক্কবিরক্কনুবা।"

"লক্কদেদা- ঐনা হায়। অদুম ওনেসত্রি হায়বিয়ু, য়াম কজেয়ে।"

"ঐবু চপচানা কজবা ইংলিস তম্বিগদবনি ... ওনেস্ত-লি-ওনেস্ত-লি.. অস য়াম লুই হায়রানি হায়দোকপদা।"

"করিনো অমা থকমিন্নকসি-অদু ওইরদি লুররোই...।"

ঐখোয়, কজরবা সিড়ি অদুদা কায়রুগা তেবল অমগী মনাক্তা ফম্লে - থোঙনাওদা যেংখোকখিবদা কংফালদা চঙশিল্লকপা সমুদ্রগী ঈচিল অদু উবা ফংনা। হোতেলগী বৈটর অদু ঐখোয়গী নাক্ত লেপ্লবে।

ঐনা সেব্বীদা হংই- "নঙ করি চানি ?"

সেব্বী মকোক হাইদুনা করিসু চানিংদে হায়

"নঙ করিমত্তা চারোইদ্রে ?" ঐনা হংই।

"য়ারে-থাগচ্চরিয়ে...।"

"নঙনা থকপা য়াবা অমদি লৈরিনিদা...।"

"লৈতেয়ে... অশেঙবনি।"

"নঙনা হান্না হায়রম্নবসু ফগদবা সিদ লাকমিন্নদ্রিঙৈদা।"

"ঐদি নঙনা থকপদু য়েংজনিংবনি... য়াম ফজনিয়ে সিদদি।"

"নঙগীদি অচম্বা ময়াক য়াওদবা অমা থকশিকো।"

"চানবিদুনা... ঐদি অচম্বদুসু পামজদে।"

"থকঅগা নুংঙাইহনে...।" ঐনা হায়।

"ঐদি থক্তবনা নুংঙাইজনিয়ে-থকউরদি হৃকচাঙ ঙম্লক্তদুনা নঙসু অমুক ইকায়রক্লদি ?"

"ফরে অদুদি।" অসি হায়দুনা বৈটর অদুদা মায় ওনশিন্দুনা ঐগীদমক করিনো খরা পুরক্লবা হায়খ্রে।

"ঐ চুরুট থকচগে নঙ নুংঙাইরোইদ্রা খঙদে...।" সেক্কীনা হায়বকই। "ওল্লোকপনি, ঐসু ভাব তামন্দবা হায়বদুনি ঙসাইনা ঐঙোন্দগী থকপা য়াবনি।"

"থারৌবিনু... সে ঐগীসি হাংদোকচরে।" সেক্কীনা মাগী কেস-অদু মাঙদা থম্মী। মাগী ফজরবা চুরুট হাপফম কেস অদুদগী, অমা ঐনা শংলে। মাগী কেস অদু লুপাগীনি, ফজরবা লৈরোং হকুনা য়াওই। ময়ায়দা মাগী অশম্বা মিং-এইচ-তি-আই হায়না হৃকলি।

মাগী এইচ অদু করি হায়রিবনো ঐ খঙই— হানাকো হায়বনি... মদুগী অর্থনা পোমশাংনবী লৈরাং হায়বনি; অদুবু মহাক্কি বৈ হায়বা মমিং অদু কৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মাগী অশম্বা ময়েক্তা য়াওরিবা টি, হায়বদুমদি ঐঙোন্দা করিনো হায়বা তাকখোকখিদে। ইখঙ খঙহৌদনা ঐঙোন্দা অঙকপা পোকলকখি- ঐনা মাবু হৌজিক খঙলিবসিদগী হেন্না মাগী হৌখিবা পুন্সিগী মরমদা ঐ করিসু খঙদে। খুদক্তা মদু খঙবসু পামখিদে।

মাগী ফজরবা চুরুট হাপফম কেস অদু মখুম খুমজিন্নগা মাগী হেন্দ বেগতা হাপম্রে। ঐনা মৈথেং থেংনগা মাগী মচিন্দা লৈবা চুরুট অদুদা চুখি। মানা পুক্লিং লৈতানা চুরুটকী মৈখু চিংশিনখিবা অদু ঐনা য়ুন্না য়েংখি। কূপশিন্না অসুম মাবু য়েংবদা পুক্লিংদা ব্রাহং খরা লাকখি। মাগী লৈশিল্লপ তৌবা মচিন, খদাঙ,

পাখৎকনবা মওং, অসিনচিংবা কয়াবু ফজদবা ওইনা খল্লকপা য়াবা রাখল কয়ানা, মহাক অসিবু করিগী নুংশিররিবনো হায়না, মতম অমদা অঙকপা ওইহল্লকদ্রা হায়দুনা......মরমদি মহাক্কি মশূৎ, মহাক্কী মায়খোঙনচিংবা পূম্নমক নোংপোক লমদমগীনি, খোংলবা নৌরবা শামুময়াগী কুচুনি। ফজবা পোংশক অমগী অচম্বা লৈতেং অম্না ওইনা মহাকপু ঐনা তরাইনা উবদি ঙমজদে। মাগী থম্মোয়গী লৈখানুংদা অঙকপা রাখল খরা ফুমদুনা লৈ হায়বসিসু ঐঙোন্দা ফাওবগুম্না তৌখি। নুপী অয়াম্বগী পূক্নিদা খোকপা নুংঙাইবা শরুক খরদগী অরাবগী শরুক্না হেন্না লৈখিবগুম।

নোকপদা নুংশিবী, মিংমৈদা মওং তানা কারপ তৌবী মমিং অনীদুদা ঐহাক মূন্না য়েংখি। ঐঙোন্দা ফাওরকখিবা ঙাইহাক্কি রাখলদু খৈদোক্তুনা থল্লগা, নোংপোক লমদমদা লৈবা মীওইশিংগী মিংতাগী মওংদুবু তমখিবা; লৌনম তৌবা ওইনসু অমুক খল্লুই... অমুকহন্না... অদুগুম্বশিংদু মঙোন্দদি অমত্তা য়াওদে হায়না রাখল অসিনা ঐঙোন্দা অমুক হায়রকই। মঙোন্দা লৈখিবা; ঐগী শুমহৎচবা রাখলদু অমুক হন্না পাইরক্লে... পূক্নিংদা চপচানা লেপ্লে... পৃথিবীগী মনুংদা মহাক্কি মিংল্লানা পূম্নমক্তগী ঈংই, ফজে, রাহেনা থল্লি। নোংপোক ওইজসনু নোংচুপ ওইজসনু, ঐনা খল্লুরিবা রাখল অরানবনি থাজবা য়াদবনি...মসি খল্লকপা মিকুপ্তুমক্তদা সেব্বীসু ঐগী রাখল উরবগুম্না হংলকই...

"ঐবু অদুক মূন্না য়েংবীরিবদু করিগীনো ?" "ঐনা হায়রিদু ইংলিস লানব্রা খঙদে, ঐ ফজবা ইংলিস ঙাঙনিংই... ঐনা হায়বদি; খোঙনাওদগী য়েংলকপগুম্না নঙনা ঐবু য়েংই... হায়বা।"

"চুম্না য়েংজবনিদা।"

"হোয়... অদুবুদি অদুনি।"

"মিকুপ অমত্তনিদা... নঙবু নুংশিদবা ঙমগদ্রা হায়দুনা য়েংইবা।"

"ঙমগদ্রো ?"

"ঙম্মোই।"

"অদুম নুংশিদুনা লৈগদ্রো ... ঐবু ?"

"করিগী নুংশিদনি।" ... ঐনা খুম্মী।

"ফবে -অতৈ অমুক হায়বিরক্কনু ... ঐ ... হংলমদ্রবসু ফগদবনি।"

"ঐনা হায়রিসে পূক্লিং চঙদনা হায়বদি নত্তেদা।"

"ঐবুদি পাম্ফম শুকথোক থোক্তবনিদা... য়েংউনে নতুংদা ফল্লিবা... মচু তাবি; লৌশিং শিংবী শকহেনবী ময়ামসে, ঐদি অপঙবী, য়াম্না যুত চাদবীনিদা।"

"মদুদি নঙ নশাগী ইকাযথীজবগী মওংনি।" ব্রাহে খরা অসি ঐনা খঙনীং নীংশিংলক্তুনা জাপানিজ লোলদা হাযখিবনি।

"নত্তে, অচুম্বনি কবিগুস্না মতমদা ঐদি শাথিনা পঙবনি। মীনসু অদুম হায।"

"হাযরম্বা যাই নঙোন্দা, অদুবু নঙোন্দদি হেন্না ফজবগী ব্রানি।" ঐগী হূইহিক্ক অদু তপ্না তপ্না থকচিল্লমই, সেব্বীসু চুরুট মচৈ অনী অহুম শুগ্রে। অসিগী তুংদা ঐখোয অনী চাক চামিন্নরুসি হাযদুনা হোল মনুংদুদা চঙলে। মনুং অদুদা যন্ত্রদা খোংবা ঈশৈগী সুরনা নিল্লম্মী- জগোয শারম্মী-য়ুনিফোর্ম শেংপা... সাড়ী শেংপী... নুংদাংব্রাইবমগী ফিজোল মচু কযানা লৈতেংলবা নুপা-নুপী কযানা পীক থল্লমই। ঐনা থকচিনখিবা হূইহিক্ক অদুনা ঐবুদি ঙাওহল্লমদে... মীযাম অদুগী মীনিল... অবাঙবা মবক অদুদা কোক্তি...চপচানা ঙাওবা যাববনি, অদুম্নদি ওইরগা ঐগী ব্রাখলনা পূক্লিং চঙলিবা মফমদি তেবল অমগী নাক-নাক্তা ঐগা ফম্মিন্নবিবা সেব্বীদা ওইখি...। অশুম্না কা অদুগী অবঙ-অবাক অবাঙবা ময়াম অদুগী মবক্তা; ঐখোয় অনীগীতা ওইজবা মফম অমদি চীক্লা কনজবা ফংখি।

"ঙসিগী অসিনা ইহান হান্না চাক চামীন্নবনিকো।" সেব্বীনা হায়বকই।

"নঙগী কাদসু চা থকমীন্নগ্রেনা...।"

"মদুনা অনীরকশুবা উনবনি, ঐখোয় অনীদং চীক্লা.....।"

"ঙসিগী 'সিনা মরীরক শুবনি হায়বসু য়াই।"

"হৌজিকসু ঐ, নহাকপু মিষ্টর ক্বিন কৌগদ্রা ?"

"অমা হেক্তে কৌ-বেরা লৈতে। মিষ্টর কিন হায়রবসু য়াই-করিসু খেন্নদে।"

"অদু ..... ঐদি মাইক্কেল হায়নিংই।"

"অদু ওইরগা মাইক্কেল অদুম কৌরো... নঙনা কৌনিংবা অমা কৌরকপদা... চহী কয়া নঙবু খঙলকপগুম্মা পূক্লিংদা হরাওবা ফাওই।"

"ফাগি মাল্লি।"

"মদুনি ইবেম্মা পূক্লিংদা ফাওরিসে... মীওই কয়া অমদি হন্না হন্না উনরবসু খঙনদবা লৈবনি। করিগুম্বা মতমদনা অনী অহুমলক্তমক উনবা মীওই কয়াসু মহৌশানা লোয়নরক্লবগুম্মা খঙনবা য়াওবনি।"

"খোঙউপ অমনবদৌনা তোংশিনবদা নুংঙাইবা... ?"

"উম মদুগা মান্নে হায়বা য়াই... অনৌবা খোঙউপতি... হেক উপশিনবদা নুংঙাইতবসু য়াম্না লৈবনি।"

"ঐসে খোঙউপ অমনবগুম্বরা ?"

"হোয়... নঙসু অদুগুম্বনি হায়বা য়াই ঐঙোন্দদি...।"

"অদুগা... নঙনা জাপানীজ নুপী অমগা শকখঙনবদি হন্দক্কা ইহান হানবনি হায়দাইনে ?"

"নঙদি হান্নদগী খঙনরকপগা চপ মান্নে... মদুগী বা নত্তে। ঐদি নঙগী নখুৎসু উরকপা কুইরে, হোয়, মতম অদুদদি খূৎ নত্তে হায়বসু য়াই।"

"খূৎ হায়রিসিবু... করিনো ?"

"মখোয় অদু লৈ ওইবা য়াই- লৈচিল ওইবা য়াই খুনুসু ওইবা য়াই।"

"জাপানীজগী কবি মাল্লিকো ঙাঙলকপদা...।"

খূৎ মওং অদু পীক্তক পীক্তক তৌই-ফজে উচেক্কুম্না মশা ফর-ফর হম্বগুম খল্লি।

কোম্না গাড়িদা কাখৎতুনা লাকমিন্নবা মতমদদি মাগী খূৎ নাম্মদি ঐগী খূৎনা পায়শিল্লি। ঐ পাখৎচবা পোকখি, কম্না পায়শিল্লুবদা তেকখিগদ্রা হায়না;

মবমদি মাগী মোনমোন লাউবা অথোৎপা খূৎ অদু ঐগী খূবাক মনুংদা উচেক অমা পায়বগা মান্নখি।

নুংশিৎ অদু ঈংমনবনা শাগোল গাড়ী মথক্কী নাকল অদু হাইথহল্লে- থৌবিবা নুপা অদুদি ব্রাংখৎনা মাঙদা মথন্তা ফল্লি-ঐখোয়বু কবিসু থৌশাদনা, মাগী শগোল অদু শেন্নদুনা।

সেব্বীনা হায়বকই- "অহিংদা, নঙ বোম্বেসি নুংশিত্রা ?"

"কবিগুস্বদা নুংশিনা খনবসু যাওই।"

"নুংথিলদগীদি হেল্লিকো...।"

"থাওমৈ মঙালসিদা... অহিংদদি হেন্না ফজে।"

"লন্দন্দগী হেন্না ফজত্রা ?"

"ঐনা লন্দন ইকোন কোন্না উথিবা নুমিত্তুদি মৈ মন্থা অহিংদনি অস... লাকপদনে, মৈগী পোস্ত অমদা ব্রাইশিল্লুই... থোঙলম্বীগী ব্রাংখৎপা মফমদা খুদিগা য়াম থীজিল্লকই।"

"ঐসু তৌরকইনে অদুস্মাইনা...।"

"লন্দনদদি নঙগী ব্রাখলগসি নৈত্রিবনি।" ঐনা হায়।

"ঐদি লান্দন যাম্না নুংশিজে য়াম্নসু নুংঙাই মফম অদুদা...। নুংঙাইবিঙেদা শিবনা ফৈ-হায়নৈ-নংত্রবদি অমুক ব্রাগনি হায়।"

"নঙ হৌজিক্তি ব্রাদ্রবা নংত্রা...?"

"ব্রাদ্রে, হৌজিক্তি য়াম নুংঙাইবে।"

"মতম চুপ্পা নুংঙায়বনিয়ে নঙদি।" - ঐনা হায়।

"মদুসু হায়বা য়াদে...।" মানা হায়। "পুন্সি হায়বসি অদুস্মাইনা তৌগনদে... ঐ শাথিনা ব্রারকপা য়াই- মরমদি হৌজিক কা-হেন্না নুংঙাইরবনিনা।"

"মদুনা...নহাক হৌজিক শিনীংই হায়বদি য়াদেকো।"

"য়াদৈ... ঐ হৌজিক শিনীংদে।"

ঐখোয় অনি হোভেল অদু য়ৌরক্লে। শাগোল গাড়ী থৌবা নুপা অদুনা ভারা পীরল্লগা চঙলক্লে। হোল মনুং অদু মৈ ফজনা থান্দে। উবদা পূক্লিং থৌগৎতে। মী লাকপা চৎখিবগী শোন্নরিবা রিসেপ্সন ক্লার্ক অদুনা নোকপদা ময়া উনা গুদ ইভনিং হায়না হরাওনা হায়রকই। মখোল হৌবা লিফ্‌ট অমদা মথক কারক্লে। সেব্বীগী কা অদুদি য়েংবদা নুংঙাই-মাগী কেফম ড্রেসিং তেবল অদুসু চপচানা নুপী অমগী লৈফমগা চাননা য়েংবদা থবায় পানবা অহীংবা মাল্লি। ফজরবা গমলা কয়া, লিক্লি কয়া অমসুং শিজিন্নগদবা পোৎ মথলনা মরাঙ কায়না লৈ।

"ঐ য়াম' ইকায়জেয়ে।" সেব্বীনা হায়রকই। "পোৎ পূন্নমক অমত্তা ফজনা লোয়শিল্লমদ্রে, জ্ঞান-মেন অমত্তা তাপোৎ নত্তে ঐনা তৌরিসে অৱাতেমোনো, হায়দুনী... ৱারৌবীনুকো।"

মাগী কা অদুদা করি করিনো মহাক্লা কোয়চৎ চত্তুনা থবক ইংখাঙ খরা লোইশিল্লিঙে মতমদুদা ঐদি বেলকোনিদা থোরক্তুনা লেপলম্মী। বেলকোনিদগী মথক্তা য়েংখৎখিবদা অতিয়াগী ফজরবা থৱানমিচাক শঙ্কু শঙ্কু উরি; মখাদা য়েংথখিবদনা লম্বীশিংদু উরি। উরিবশিংদুগী করম্বদা ঐনা হেল্লা পূক্লিং চঙবদি লৈরমদে... চপমান্নে; মরমদি মথক্তা উরিবা অদুনা অরোয়বা নাইগ্রবা অচীকপগী ফজবনি, মখাদা উরিবা অসিনা পুন্সিগা মরী লৈনবা খৃৎশেমগী ফজরবা শক্তমগী মঙাল-মশেক ঙাক্তনি। অনিমক অসিগী ওইবা মাগী-মাগী শুমহৎপদি অদুম লৈ। কনাগুম্বা অমনা বেলকোনি মথক অসিদা লৈবা মতমদদি অচীকপা অতিয়া অমসুং ফজরবা মালেম মখোয় অনীগী মরক্তা লৈ হায়বসু য়ারে।

বেলকোনিগী অকোয়বদা খাজিল্লিবা নুঙগী শম্বল অদুদা ঙাশিন্দুনা য়েংথবদা মখাদা পিক্লা উরিবা দুকান কয়াগী মৈঙাল্লা অমম্বা অহীং অদুদা ফজরবা মশক অমা ওইহল্লিবদু য়েংবদা পূক্লিং হুই। অমরোমদা কয়লা চাকপগী অশাবা নুংশিৎকি মনমনা মথক্তা হায়গৎলক্তুনা ঐনা হোল্লিবা শোরগা তিন্নরে। মখল মখলগী ফিজোল শেংপা মীশক কয়ানা লম্বীদা চৎলিবদু য়েংথখিবদা উই। খরা অমনা মৈ থারগা কোইশিন্দুনা ফম্রি, অমসুং মৈঙাল অদুনা য়েবদা মখোয়গী

মশক অদু মহৌশাগী মীওইদগী তোঙানবা মশক অমা মালহল্লি। চাকনীবা অমদি য়েংখৎলকপদা ঐবু উরমানে, শরু ঙাক্ত ওইনা উরবা মখূৎ অদু থাঙ্গৎলকই অৱাঙবা হৈত্তুপ পাম্বী-অমদগী হৈত্তুপ-অমা লাম্বগুম। তুমিন্না লৈরিবা ঐঙোন্দা মাগী মখূৎ অদু থাঙ্গৎতুনা অদুম লৈখি অদুগা ময়েক শেংদবা ৱাহৈ খরনা করি করিনো হায়রকলম্মী ঐঙোন্দা। মোসিসনা স্বর্গ রোমদা মমায় ওনখৎতুনা লৈবগুম মাগী কংশিল্লবা মমায় অদু ঐঙোল্লোমদা য়েংখৎতুনা আনা অমা (পৈশা মরী) নত্তুগা পেনি অমগী আশা তৌজবদু ঐ খঙলম্মী। ঐনা শেল অচোয়বা অমা লম্বীদুদা থাদখিবগা, য়োংদা চাননবা পোৎ লংশিনবদা চেনশিনখিবগুম; চৎলিবা মীয়াম মখোঙ মরক্কুদা মহাক্না শেল অদু কোয়থি থিদুনা খুনগৎপদু উই। মা অমুক য়েংখৎলক্লে, যুঙাওবগুম অমুক চৎশ্লে।

"মাইক্কেল" সেব্বীনা কৌশিল্লকই।

ঐনা কা অদুদা য়েংশিনবদা উরে; সেব্বী, বেলকোনিগী থোংজিন্দা করিসু লেঙদনা তুমিন লেপ্তুনা লৈবদু। মহাক জাপানীজ নুপীগী কিমোনো শেৎচিল্লম্লে... য়াম্না ফজবা মচুনি; কিবানসু নিংথীনা লোল্লবা। মাগী মায়খোঙদা চায়থরকপদা খোংনা উরবা অমুবা মশমদু ফজনা শমজেৎ হাংলম্লে।

"জাপানীজশিংগী য়াম্না নোকনিংবা, লাইরিক ইখগী ব্রশ অমদি মুক য়েংনিংব্রো ?" মহাক্না হায়রকই।

ঐ করিসু খুম্মমদে। ঐগী নীংশিং ঈপাক্তা ; মিকুপ অদু মমি তাহনবা পামখি; ঐগী পুক্সিদা লাকপা ফজবা মিকুপ অমনি হায়বা ঐঙোন্দা ফাওখি... মখাগী লম্বীদা উখিবা মৈঙাল্লক্কি ফজবশিং অদুদগী ; মদুনা হেন্না ঐঙোন্দা অশেঙবা ওইরম্মী । ইথক্তা খনজে...ঙসি ওইরিবা ; অচুম্বা অশেঙবা মিকুপ অসিমদি-মতমনা নত্তুগা অৱাবনা ঐঙোন্দগী অমুক লৌথোকখিবা ঙম্লরোই।

সেব্বীনা য়াম্না নুংশিনা তাগুম তাদগুম অমেঙবা খোনখোক্তা অমুক্তা হায়রকই- "ফরবা নৎত্রো... ?"

"লেঙগনুকো..." ঐনা হায়খি। মনাক্তা চঙশিল্লি। মাগী নুংশিনা লেঙলিবা মিংকী পা-না ৱাহং অমা হংলকপগুম তৌখি-মহাক ৱাহৈ অমত্তা

হায়খিদে। সেকেন্দ খরদি ঐখোয় অনীমক তুমিন-তুমিন য়েংনদুনা লৈখি। খঙহৌদনা মহাকপু ইথানুংদা কোনশিল্লস্মী... মহাক্কী মায়থোঙ ঐগী থবাক্তা নপশিন্দুনা লোংখি- পীক্লবা উচেক মানবী মখূৎনা ঐগী লেংজুমদা কোনশিল্লস্মী মাগী তনিক্লবী হকচাঙবু ঐগী খূৎনা ফাজিল্লস্মী।

"সেব্বী... সেব্বী...ঐগী নুংশিরবী...।"

"ওহ্ ! মাইক্কেল... মাইক্কেল।"

ঐনা নোঙ্গরপ তৌরগা মহাকপু থাঙ্গৎলকপদা মাগী মাইথোঙদি ঐগী লেংজুমদা লোংখি। ফমুংদা তপ্লা থল্লে মহাক মমিং উইশিন্দুনা লৈখি...মাগী মিৎকি পা-শিংনা ঐগী চিম্বালদা হন্না হন্না থেংলকখি... ঐগী কোক্তি শমলক্তা মাগী মখুৎনা নোইরকখি। ঐ শুমহৎখ্রে-ঐগী চিম্বালসে মাগী চিম্বালদা খঙহৌদনা চেৎনা থমখ্রে।

"ওহ্!-ঐগী নুংশিবা।" মহাক্না হায়রকই।" ঐসে ওইজবথিবী ফত্তবীনি খনব্রা ?... ঐ ফত্তবনিনা নঙনা তূক্কচরক্কদ্রা ? নঙবু নুংশিরক্কবসি ফত্তব্রা ? ঐদি নঙবু য়াম্না পামজে য়াম্না নুংশিজে।"

"ঐনা নুংশিরিবা অশুম হায়নদি নুংশিরম্মোইদা নঙনা।" ঐনা হায়।

"ঐনা নঙবু পামজবদগী লাকপদি নত্তেকো ? নঙদি য়াম্লসু থৌজাল হৈ-য়েংবদসু নুংশি-ঐগী ইশক-অরাবা ইতৌ (সেব্বীচ্চি) ওইবসিদা-নঙগী পূকচেল তিংবিরিব্রা... হায়যুনে ঐবু খজিত্তুংদি নুংশিব্রা...হায়বা।"

"ফজবী !.. নুংশিথোইরবী ঐগী সেব্বী।" ঐনা খুমই।

"অমুক্তা শেংনা হায়বিয়ু... ঐবু নুংশিব্রা হায়বা ?"

"নুংশিয়ে।"

"নঙ লক্লরে... লক্লবিনু...।" মহাক কেথোক্লা-নৌথরম্মী।

"তশেংনা নহাক ফত্তে ওইজবা থি।" ঐনা হায়খি।

"অচুম্বমকলা... ?"

"অচুম্বদি নত্তে।"

"নঙ অচুম্বা ওইনা খনমানে।" -মানা হায়রকই।

'খন্দে হায়-রানি ঐগী সেৰী।"

"খল্লি- নঙ খল্লি।"

"অদু ওইরদি... ঐ নঙবু চিক্কনি।"

"চিকউনা-করিসু বেরা লৈত্তে।"

মাগী পিক্তক তৌবা নাতোন মচাদু ঐনা উমশিল্লি-চীন অসিনা ওক্তুনা শানৈ... তপ্পা চিকই-মহাক্কা নারে, হায়রকই। তপ্পা থাদোক্লে অদুগা মাগী খোংলবা মনা-দ অমুক চীক খংলি।

"য়াম হৈক্কো-মী কিহ্নবসু হৈক্কো !"

ঐগী চিম্বাজনা মাগী মায়গী মকম পূমমক্তা শোকলম্মী-মাগী মনম নুংশিরবা শম মরক্তা ঐগী মায়না নোইশিল্লমই খরা অমসু চিক্তুনা চিংথংলম্মী।

"মাইকেল"

ঐ মাবু থাদোক্লে-মাগী ওকশমদা মায় নৃকশিন্দুনা লৈরে।

"মাইকেল রা অমত্তসু ঙাওত্রিবা করিগীনো।"

"ঐ য়াম্না নুংঙাইরে।"

"ওহ ! মাইকেল ! অসি হায়দুনা মাগী খোংলবী মশাদু ঐঙোন্দা নপশিল্লকই।"

"অশুক নুংঙাইবা মিকুপ অমুক্তসু থেংনখিদ্রি।"

"নুংঙাইবগী রা পনবগী করিসু কায়দে মহাক্কা হায়রকই" নঙনা ঐবু তশেংনা তৃক্কচদে হায়বসিদং খঙনিংই।"

"ঐ অসুক নুংঙাইবা মিকুপ অমুক্তসু থেঙনখিদ্রি।" ঐনা অমুক হায়রমই।

"ঐদি নঙগী নকথদা কায়দবা অরেম্বা পোৎতি ওইহল্লরোই, ঐনা রাশকলিবসিনি।"

"ঐনা হায়রিসি তাউনে, ঐনা অমুক হায়। নঙ ঐবু থাজদত্রা ? করিগুম্বা অমত্তনা নঙবু নুংশিবসে মহৎশিনবা ঙম্লরোই।"

"অদুবু ওইরদি ফৈনে।"

"অচুম্বনি।"

"ঐঙোন্দা করিনো অমা ব্রাশকপা ঙমগদ্রা অদুদি ?"

"করিনো ?"

"ব্রাশকউ-ঙমগনি হায়না।"

"করিনো হায়বা খঙলগা ব্রাশক্কে।"

"নঙ কিববা ? হান্না ব্রাশকফম থোকই।"

"ফরেনে।" ঐনা খুশ্মী।

"ঐসে নঙনা হৈনিংলক্লবা মতমদদি; তৌদি তৌশিন্নরোইকো ?"

"তৌশিন্নবা হায়বদি ?"

"নঙগী পৃক্লিংদা লাকপা ব্রাখল অদু অচুম্বা অমত্তসু ওইরক্লবা মতমদা...।"

"মদু ঐ ব্রাশক্কে।" ঐনা হায়রম্মী। "ঐ ইশাগী ইজ্জৎ মিংচৎনা সাক্ষি ওইসনু... নংগী থম্মোয়না ব্রাশক্লিবা অদুক্কী মতিক ঐসু...।"

"ঐগীদি করিসু হায়ফম লৈতে।"

"ননাক্তা লৈমনবদগী নঙ, চোকথদুনা শিবা তারবদি... ?"

"চোকথহল্লুনে... ঐ করিসু হায়জরোইয়ে... নুংশিবা ইবুংঙো।"

"করিগুম্বদা...নঙ ঐবু হৈনিংলক্লবদি... ?"

"হৈনিংবা পোক্লক্লোইদ্রা খল্লুবদুসু কি।"

"করিগী কিরিবা ?"

"নঙনি তনথরক্কদবদি... ঐদি অদুম খনগনি নঙবু... ঐ থব্রায় নুংঙাইরোই।"

"নুংশিবী নওবু কৈদৌনুংদসু থব্রায় নুংঙাইহনবা তৌহল্লোই। ঐনা হায়খি। "কৈদৌনুংদসু থোকহল্লোই। নওগী থম্মোয় শোক্তনবা হোৎনগনি... অসুক্কী মতিক নুংশিবীনি... ফজবীনি নহাক্তি...।"

"অওইবরা... ?" ঐবু চেংনা কোনশিল্লকখি।

(১৪)

ঐনা হোটেলদা হল্লকপদা মিষ্টর হেদলিনা থারকপা চিঠি অমা লৈরম্মী, ঐবু চাক চারো লাও-সু হায়রকই। অয়ুক পুং নিপাল্দা ঐনা মঙোন্দা তেলিফোন তৌবদু মহাক করিসু শাওরক্তে, অদুগী মমাঙদা মাগী ইন্সুলিন কাপচবগী থবক লোয়রল্লগনি খল্লি। মহাক্না হায়রকই কনাগুম্বা ঐগা তিন্নবা মরূপ মপাঙ অমা পুরকপসু কায়দে তৌবতবু চাবদি চিলহাও থিবা য়াদ্রে অফংবা অমা অদুম চাবা তাই হায়না।

ঐনা খুমখি- "পুরক্কদৌরিসি, ঐবু তশ্বীবা জাপানীজ নুপীনি।"

"মাসু মীওইবা নৎত্রনে ?" ফোন মেসিন অদুদা খোঞ্জেল লাকই।

"হোয় ! তাকশিরিবদু অচুম্বনি !"

"ফরে-মদুনা মদুনি হৌজিক পুং নিপান তারে... বাই।"

ঐ মথক্তা কাখৎলি পিতরদি তূল্লমলি। কমুং মনাক্তুদসু, থক্তুবা চাগী গ্লাস অমা পূমইগু ইঙনা লৈরম্মি। মমায়দা মকোয় হৌরিবা অদুনা বাহাদুরগী অদুমহায়না মওং তানা উই। ঐনা হৌদোকপদা য়াওল্লকই-মশাগী কাউদ্রবা; হৈনবী অমা ওইনা মকোয়গী মতোন মতোন্দু লৈখৎতুনা শেমই। মকোয় অদু মথকলোমদা লৈখৎলকপদা মশক অদু অমুক খেন্নসু উই।

"আহ ! নও ঙরাং রোজিগা সিনেমা য়েংঙুবা নুংঙাইব্রা ?" মহাক্না হায়রকই।

"ফিল্ম-অদু য়াম ফজে।"

"ফজরমগনি, মানা খুম্মকই। মদুগী বাখলদু হৌজিকসু কোত্তিবা মাল্লি।"

ঐগী মোম্পাক ফিদক অদু চিংথোক্লুনা অকু অরাক শেমই-মওং তানা থম্মী-ঐগীসু চা-দি ঙসাইনা থনল্লে-ঐ লৈত্রিঙেদা। অশুম খল্লকই... মানা হায়রিবা রোজ্জি সিনা কনানো... ?"

"নুঙগী লম্বীমথক্তা তুম্বসি বাদ্রা ?" পিতরনা হায়রকই।

"নঙদি হৈনরবা নংত্রো ?"

ঐ ইকজথোক্লে কোই কোক্লে- বাহাদুর লাক্লুনা তৃম্ফম কা অদু ফজনা লোইশিনবিবম্মী। ঐনা ফি শেৎপদু য়েংশিন্নদনা; ঙরাং উপ্পুবা খোংগ্রাও অদু উপলিত্রা হায়না মহাক্কী মিৎচিনা হায়রপ য়েংলম্মী। ঐ ইশাগী ফি-রোল ঐনা শেৎচবগী মহুত্তা মহাকপু শেৎলহন্নদবগী ঐঙোন্দা বারৌদবসু নত্তে। মঙোন্দা অয়াবা অমদি পীবনি... মানা ঐগী খোংউপ মরী পুনবিবা। অসি নৎলমদ্রবদি, নহান্না মহাক অতোপ্পা পাক্কা সাহিব অমগী মনাক্তা চৎলমলগদবনি।

"ঙসি নহাক কৈথেলদা পোৎ লৈবা চৎকদবা লৈত্রা ?" মহাক্না হংলকই।

"লৈ, অদুবু বাহাদুর ; ঐ ইথক্তা চৎপা তারে। চয়োল অমদি ঐবু থবক্তগী কোমথোকপিরে।" ঐনা খুম্মী।

"অদুবু... পোৎ লৈবদি য়াম বাবনিনে।"

"ঐঙোন্দদি থোইনা বাবোইদা।"

"নঙগী বাহাদুরনা নতেঙ পাংবা য়াররোইদ্রা ?"

"ঙসিদি য়াদ্রে," ঐনা খুম্মী, "নঙসু নথক্তা কোয়জররো।"

অশুম্না ঐহাক, পূক্লিং-হকচাং নুংঙাইনা ব্রেকফাস্ত চাবা চৎলম্মী। ঐগী ঘড়ীদা মতম য়েংই-পূং মাপন তাগদবা মিনিট তরামঙা বাৎলি। অশুম ঙাইরকপনা, মাপন মিনিট তরামঙা অমুক চৎলে। ঐ ইথক্তা পাখৎচৈ। ঙাইহাক মতম ঙাইবা ওইনা, হোটেলদা চঙদুনা খবর য়েংলুই; মদুদসু পূক্লিং চঙবা ঙম্লমদে। পূং তরা তারক্লবদা, খোঙনা বাজার অদুদা লাক্লে। আরমী এন্দ নেভি স্তোরস য়ৌরকপা

মতমদা, ঐগুম্না য়াম্না হাথু হাথুনা সেব্বীসু গাড়ী অমদগী চোংথোরকপদু উই। মাসু গাড়ীগী ভারাগা পীরমদদুনা খুদক্তা অমুক হল্লগা পীরুই।

ঐনা মঙোন্দা হায় "করিনো... ইখৎ খৎলদনা ! অদুম তৌনু মচু তাদে।"

"করিগী ?" মানা হংজিল্লকই-মমিৎ অনী অদু লংখৎনা করিসু খঙজদবগুম।

"নঙগী নতৌদুদা-মী খুদিংমক খঙঙনি হায় ব্রানি।"

"ঙরাং অহিংদুগী মরমদা নঙ থব্রায় নুংঙাইরক্রুবো ?"

"মদুদি ঐঙোন্দা শুকলে লৈতে।"

"অদু ওইরদি... মী খুদিংনা খংঙসু বেবা লৈত্রে।" য়াম্না হরাওনা ফোঙদোকচরম্মী মহাক্না।

"নঙনা তৌরিবা থবকসিদগী হম্বা, পকচদবদি নত্তেদা।"

"ঙসিদি ঐ, ব্রিগেদিয়ারদসু তাকথোক্কনি।"

"য়ামফৈয়ে!" ঐনা খুম্মী।

"নঙ শাউগদ্রা... ঐনা হায়দোক্লগা... ?"

"আ মনুং ফাওনা খঙহল্লদি শাউনি।"

"অদু ওইরদি...ব্রিগেদিয়ারদা হায়ররোইকো।"

"নঙগী সেব্বীচ্চি ওইজবা য়াম্না নুংশিবা মীঙমদবা নতৌদুনা লোৎপা ঙমজদদুনা মঙোন্দা হায়দোক্তবা ঙম্লোই।"

"হোয়-ইবুংঙো, ঐনা সেব্বীচ্চি ওইজরিসে... নঙগীদমক্তনি।" মায়থোঙ হনজিন্না, মাগী নাতোন্দা শোর চিংশিনজে...মিৎয়েংদি অব্রাবা মাল্লমদে।

"লাক্তুম লাকওসে, নঙ করি করি লৈনিংবা ?"

"খুদিংমক লৈনিংই।"

"নঙগী ফ্রিভোলস ওইবা থৌশা-ব্রাশাদবগী মওংদু তৌনু।"

"ঐবু ফ্রিভোরস ওই-হায়বা।"

"ফ্রিভোবস... হায়বা ?"

"নঙসিমা ফৎখিদ্রে...' মহাক কেথরকই। হায়বা থোক্তদুনা তৌবনি হেক্তা লক্লবা...। ফ্রি-ভো লস... ফ্রি... ভো... লস।"

"খরা হোৎনবদি হায়বা অদুম থোক্কনি।"

"নঙসু হোৎনবদি জাপানীজ লোল ঙাঙবা ঙমগনিনা... ময়ামদগীসু হেন্নানি... ঐনসু চাউথোকচরনি।"

"ফবে, নঙ কবি লৈদৌবিবা ?" ঐনা অচম্বা জাপানীজ লোলদা হংই।

"আদগীসে...। অশঙবা মহিগী লিক্লি অমদা খুদোম্বী থিল্লী। মচু-সি য়াম ফজে, কয়া পীগে শিবো ?" পোৎয়োনবা য়াওবী দুকানগী লৈশাবী'দুদা হংই।

"লুপা তবামঙা।" লৈশাবীদুনা খুম্মকই।

"ঐ লৌবগে...।" মাগী বেগ মনুংদগী নোত খরা লৌথোরকই... খুৎশিন্নে... অমুকসু হাযরকই... "ফজদ্রা হায় বানি মচুসে... সিবু কবিনো হাযবা ?"

"উচান্দগী লৌবা মহিনি-ইকজবা মতমদা শিজিন্নবা, য়াম্না ইঙনা নুংঙাইবা পোৎনি।" দুকানগী লৈশাবীদুনা খুম্মকই।

"নঙশে অঙাওবীনি।" ঐনা হাযখি। "করি তৌননবা পোৎনো হায়বসু খঙদনা হেক্তা লৈশিনবসিবু...।"

"মসি য়াম কান্ননিযে...মচুসি ওম্বোক্লা ফজশ্রে হায়বা, ইংলেন্দা লৈহৌবা লম্পাক্কী অশঙবা নাপীশিংদু মাল্লি হায়বানি।"

ঐনা মাগী পিক্কল জার মানবা লীকলি অদু পায়বিবে। মথঙদা অমুক, অচা-অথক য়োনফমদা লাক্লে।

"মসিদি লন্দন্দা লৈহৌবা ফোর্টনম এন্দ মেসন্স কৌবা দুকান্দু মাল্লি। সেব্বীনা হায়রকই। ফোর্টনম এন্দ মেসন্সকী দুকান্দু ওইনা খল্লনে নঙবু ? খল্লদি... যুমদা চারুনবা চোকলেট অহাওবা'লৈবিগে... হায়বা...।"

"ঐসু মদুনি খল্লে। ঐদি ঙসি অহিংসি বার্তন অমা লৈ।"

"উম।" মহাক্কী নুংঙাইজদবদু খঙহন্দনবা হোংলৈ। "চংলুচো কৈদৌগে।"

"ঐখোয় অনীমকপু লাকউ হায়বনি।"

"ঐবুসু ? য়াম নুংঙাইহনি হায় ব্রানি... চংমিন্নববু য়াগদ্রে ?"

"কনানা তৌরকপা বার্তগ্নো হায়বফাও নঙ খুঙবপোৎ নত্তে।"

"নঙনবু চংমিন্নবা য়ানি হায়রদি করিসু বেরা লৈতেদা।" নঙোন্দা পোৎলুম অমদি ওইহন্নিংদেকো-ঐসে মফমদুদা কান্নদবা মীবেম তাহল্লবদি... ঈশিং অরুব্বদা চোংথখিনি।"

"ঐনা হায়রিমক্তদা .....। য়েংদুম য়েংউসে... সিদা কেফে অমা লৈরে... কোফি অইংঙবা থকশিরা ?"

"থকশি।"

মফম অদুদা চঙদুনা, ঐখোয় অনী চরুগী উতোংদা কোফি অইংঙবদু চীংলম্মী। অতোপ্পা তেবলদগী মী খরনা সেব্বী-দা লোন্না য়েংলকই। ঐনা য়েংখোকল্লুবদা মখোয় খঙইক ইকায়বগুম মমায় লৈখোকখি। ঐনা খল্লি মখোয়না য়েংলিবদু মহাক মশক ফজে হায়বগীরা নত্তগা মহাক জাপানীজ নুপীনি হায়বগীরা।

মখোয় খরনদি মাবু চাইনিজ ওইনা খনমানে-মখোয়গী মচিন্দা তপ্পা, চাইনিজ, হায়নবসু তাখি। সেব্বীদি করিমত্তা খঙলমদে করিসু থৌশারমদে। ঐহাকসু নুংঙাইজে, মশাবু থোইনা খল্লজবা তৌদনা পূক্লিং ইত্তাও তাউজবা মাগী হরাও নুংঙাইজবা মওং অদুদা। মিকুপ অদুমক্তদা মহাকপু কোনশিন্দুনা থল্লগা হন্না হন্না চুপনিংখি। ইশাদা ফাওজরকপা ব্রাখলসু, ঐনা চহি নৌরিবা পাখং অমা ওইনা হেন্না হরাও-তয়াম পামজবা অমসুং পাখংমচা অমা ওইবগী পূক্লিংদা চাউথোকচনা লন্দনগী পিক্কাদিল্লিদগী লাক্লবা মতুংদা ঐগী অহানবা লৈশাবী মরুপ অমবু চুপচবা ফঙলে হায়বসিনি।

কোফি থকপা লোইরগা; ঐগী থোংউপ জোরা অমা; ফৈজুল অথাবা অনী

অমসুং শান্নবগী ফুরিং অমগা লৈয়ে। ঐঙোন্দা, পোৎশিংদু তঙায়ফদবদি ওইরমদে... অমরোমদা থা লোয়শিন্নকপগী খুৎতা লৈবা শেলসু খজিক্তা মঙাইরে। ঐঙোন্দসু থোইদোক্না চেকশিনদবগী হৈনবী অমদি লৈজে। সেব্বীগী দমক্তসু, মকোক কৃপ্পবা সিক্কী অপাকপা মায়খুমফি অমা লৈবিরগা; লৈ খরসু মাগী লৈফম কাদা থাবিরক্লবা ওর্দর তৌরমলে। সেব্বীনা ঐগীদমক্তসু নুপাগী খড়ী মরি অমা লৈবীখি। ঐনদি মঙোন্দা ঙাঙবীখিবনি করিসু কান্নদবদা হায়দুনা... অকোনবদদি পোৎশক অদুবু ঐনা মমল য়াম্নবা মহাক্কি খুদোল অমা ওইনা, মতম পুম্নমক্তা চেকশিন্না নুংশিনা থমগনি হায়না ব্রাশকখি অচুম্বমকসু ওইখি।

ঐখোয় স্তোর অদুদগী থোরক্লে। পুক্লিংসে য়াম্না হরাউমনবগী মওংদা ঐখোয় অনীমক্কি খুৎ কন্না-কন্না পায়শিন্নরম্মী। অচুম্বমক্কি অশুম্না হরাওবা ঐ অমুক্তা খঙখিদে। মতম পুম্নমক্তু নোকলম্মী। নোক্লগা মোমোন তৌরম্মী। অপঙবা তারবরা হায়নসু খল্লকই-অশুক্কি মতিক হরাউ নুংঙাইজবা অদুবু। সেব্বী-নসু নোংমা হায়খি... নুংঙাইবা হায়বসি মতম কুইনা চৎকন্দে। করি থোক্লগবা... ভুক্তবসু ভমদে। ঐগী ব্রাখলশিংদু সেব্বীনা খঙলবগুম খুদক্তা হংজিল্লকই ঐঙোন্দা।

"মাইকেল ! অপঙবগী স্বর্গ, ফুলস পেরেদাইজ হায়বসি করিনো ?"

"করিগীনো ?"

"ঐদি মদু তাবতনি... করিসু খঙদে।"

ব্রাফম অদু তাক্লবা হোৎনৈ। ঐনা হায়- "নঙনা নখুত্তা জিন লিক্কি অমা পায়রগা; ননাক্তনা মশক ফজরবী লৈশাবী অমা ফমহল্লগা নুংঙাইনা অশুম মতম লেনবা; অমসুং মতম অদুমক্তদা পোকখায়রগদবা তাইম বোম অমদি, পোৎ থম্ফম কপবোর্দতা লৈরবা... মদুবুনি... ফুলস পেরেদাইজ, অপঙবগী স্বর্গ হায়রিবসি।

"ঐখোয়গী কপবোর্দতা তাইম-বোম লৈরে খনব্রা নঙনা ?"

"মদুগী তিক-তিক চৎপগী মখোল তাদে-তাব্রনে নঙবু ?"

"ঐদি খঙজদে মাইকেল ! না-সু পঙশিল্লব্রা করিনো... করিগুম্বদা কনাগুম্বনা পঙশিল্লগে খয়া না পঙশিনবসু য়াওইকো।"

অশুম লাকপনা; ঐখোয় অনী-ইর্স্টন ইমপায়ার বেঙ্ক য়ৌরক্লে। সেব্বীনা হায়রকই- "ঐ চেক অমত্তা কায়খিগে। চঙমিন্নরুসি লাকও... নঙ ইনাক্তা লেপ্লবদি, মেনেজর অদুনা ঐবু উদবসু য়াই।"

"উদ্বা হায়রিসি করিনো ?"

"মানা ঐবু উবদু ঐ পামদে।"

"করিনো... নঙনা শেল হেনজিন্না কায়বগী মরা ?"

"নত্তে-নত্তে, ঐগী শেল য়াম্না লৈ বেঙ্কতা।"

"অদুদি করিগীনো ?"

"কৈসু নত্তেদা... কোম্না হায়গে ।"

ঐখোয় অচৌবা বেঙ্ক অদুদা চঙলে। আনোক উপ্পা ইন্দিয়ান বাবু কয়া মাগী মাগী লেদজর ফাইল শুদুনা য়েংদুনা লৈরম্মী। সেব্বী-না কাউন্টর অমদা চঙলগা চেক-মনা অমা ইরে... খুদক অদুদা খদাঙ নোয়-নোয় লাউবা ইন্দিয়ান অমনা য়োংলি খাবা থোঙনাও বাংমদগী মঙোন্দা মুন্না য়েংলকই। মানা হায়রকই- "নঙ, মিষ্টর স্মাইফ উনবা পান্না ?"

"হৌজিক পামদে, ঐ খরা থুরে।" সেব্বীনা খুম্মী।

"মাসু হৌজিক ওফিসতা লৈয়ে।"

"য়ারে-থাগৎচরি।"

মপান থোরক্লে-ঐনা সেব্বীদা হায়-"মিস্টর স্মাইফ হায়রীবসিগী মরমদা খরা হায়য়ুনে।"

"তশেংবদি ঐ অসি মাগী চেকশিন থৌরাঙগী মখাদা লৈবনি।"

"মদু করম্না হায়রিবনো ?"

"য়েংঙোই... মহাক ঐগী অহল-লম্নন শকপা গার্জিয়ান অমগী জুনা

তিন্নবা মরুপনি। ঐগী গার্জিয়ান'দুগী মরমদা হৌজিককাওবা নঙোন্দা হায়গ্রি... লিনীংঙায় ৱারী য়াম লৈদা... কদাইদগী হৌগদবনো খঙদে।"

"অহৌবদগী," ঐনা হায়রম্মী। "নঙ করম তৌনা ইংলেন্দা লৈরকপনো হায়বদু ঐঙোন্দা হায়যু।"

"য়েংঙোহ... ঐগী ইপাদি য়ুরোপতা চৎলগা কারবার তৌবনি। মানা চৎপা মতমদা ইমাগা ঐখোয় অনীসু লাকখি। মখোয়না ঐঙোন্দা য়াম্না শাউখিবগী মরমদি, মখোয়না খনবা নুপাদুদা লুহোংঙউ য়াদবগীনি ঐনা। ৱাফম অদুদা, মকওইনা ইপানদি ঐবু শাউখি, ইমানা মখায় নুংঙাইখিদে। তুংদা মখোয়না অমুক খল্লকপনা... ঐবু য়ুমদগী লাপ্না লৈহল্লবদি, ঐগী পুক্লিং হোংলক্কনি অসিনি। ঐসু খরদি ওক কনখিবনি, মখোয়না জাপান্দা হল্লু হায়বদু ঐনা য়াখিদে। জাপান্দা লৈবদগী ইংলেন্দ-দনা হেন্না নুংঙাইজবগী মরমদি ইংলিসকী মীওই অয়াম্বনা ঐঙোন্দা থৌজাল হৈবীবা নুংশিবীবা অসিনি। ইপানা ঐঙোন্দা হন্না হন্না জাপান্দগী হায়রকখি "নঙ হল্লক্কদবনি-নঙগী ৱাখল চাইথোকই-নশানা নশাবু য়েংজবা ঙমদে, ঐনা হায়বা ইন্দ্রবদি নঙগী শেল থারক্করোই।" অসিনি। অশুম্না, ইপানা হায়রিবদুগী মায়য়োক্তা ইংলেন্দা অদুম লৈরক্লে-থবকসু ফংজরে।"

"নথক্তা মতৌ করম্না থৌরাঙ তৌখি।"

"হো-ইবুংঙো !..... নঙ লোইনা তানিংব্রা ?" মহাক্না হায়রকই।

"য়াম তানিংই।"

"ফরেনে, লীরগে...অতৈ করিসু নত্তেদা, য়ুমদদি ঐ খরা হায়বা ইন্দবী ওক কনবীনি। মরক মরক্তা ইমানসু য়াম্না চৈ- ইশানসু লাল্লে হায়জখিবা কয়ানি। জাপানদদিনে-নঙসু খঙলম্বা য়াই, লৈ মখল কয়া লীন্দুনা ফজবা লৈতেং শেম্বগী থবক অসি অচৌবা (কলা) ফজবা ৱাখলগী মওং অমনি। মশিগী আর্ট অসি লৈশাবী মচা পুম্নমক্তা তম্বীবনি, মরু ওইনা লৈগী মগুণ খঙনবা অমসুং লৈশিংগী মফমদা মিনুংশিগী ৱাখল চেন্নবা। ঐনা চহী তরাদগী তরামাপন শুরকপা ফাওবা, লৈ-শুগী নীংথিবা লৈতেং শেম্বগী কলা অসি

য়াম্না হৈ-শিংবা ওঝা অমনা তম্বীরকখি। নোংমদি লন্দনগী বিজেন্ট স্ট্রিত-তা লৈগী দুকান অমা উকবে। থোঙনাওদগী মুন্না য়েংশিনখিবদা, ঐঙোন্দা তম্বিখিবা পূম্নমক্তু নীংশিংলকতুনা ঐ কপখি। ইংলিসকি ফজরবা শৈবেং মতেক অমসু নিংশিংলকখি-মদুদি...

তোল্লবী অপঙবী লৈরাংশিং
কবিগী শাংলি অসুক ফজনা নখোযদি
মহাক অদুগীদমক্তা
নঙবু লৈমন চলহনগদবা
নঙবু চোযজাইনহনগদবা
মহাক অদুগীদমক্তা॥

চঙশিন্দুনা, দুকানগী মেনেজর অদুদা লৈ-শু মযামদু ঐ অমুক্তা শেমজগে হাযকবদা মহাক ভাব ভাব ঙমদে। লৈশিংদু অনৌবা মওংদা ঐনা হেক্তা শেম্ন হৌবে। মহাক যেংদুনা লৈ। মখোক লৌথোক্লগা, য়েংবদা অনৌবা মওং অমা ওইনা শীল লাঙদুনা ঐনা গম্বদু উবদা মহাক যাম্না ঙকপগা লোয়নননা মাগী তেংবাঙবা মীশিং কৌথোক্তুনা যেংহনখি। অদুগা হায়বম্মী "যাম্না ফজে তশেংনমক ফজে।" মেনেজর অদুনা ঐবু ফ্লাবাব শোগীদমক মাগী দুকান্দা থবক তৌশিযু হাযনা তকশিল্লক্লবদা ইপানা হাযখিবদু নিংশিংলকই "নঙ নশানা নশাবু যেংশিনজবা ঙমলোই।" ইশাবু যেংশিঞ্জবা ঙম্লে হাযবদু ইপাদা খঙহন্ননবা ঐ থবক অদু পাযখী। অশুম্না লন্দন্দা লৈবকখিবনি। ইমাদা চিঠি ইকবদা হাযবকপা ৱাফম অমনা "নহাক হল্লকউ মীগী থবক্তা নঙনা খুৎ থিংজিল্লুবা তাগনি, চোপ্লগাদ জাপানগী মীওই পূম্নমক চেল্লগনি।"

"নঙগী গার্জিযান হায়বদুনা কনানো ?" ঐনা মখা তানা হংই।

"ঐগী গার্জিয়ান অদুসু যোইদোক্না ফরবা; থৌজাল হৈবা মীশক্নি। ঐবু চেকশিন্না য়েংশিনবীগনি হায়না; মাগী নুপীগা মখোয় অনীনা ইমাগী মফমদা ৱাশকখিবনি।"

"মহাক অদু কনানো ?" ঐনা খঙনিংনা হংই।

"মহাক্কী মমিং ৱিলব্রাহাম দরবেস্তন কৌই।"

"আহ ! লোর্দ দবরেস্তন হায়বদু নত্ত্রা ?"

"মানি মহাক্কি। লাল তৌব্রিঙৈ মমাঙদা; ঐগী ইপাগা মখোয় অনী মকপ ওইবনি কাববাবগী লম্বীদা। ঐখোয়সু মাগীদা লৈবকপনি। লাল অসি ওইবক্কদৌবে হায়বা খঙনবকপগা লোযননা ইমা ইপা অনিদি হান্নবা জাপান্দা চৎখ্রে। লৈহৌবিবা ঐবুসু চৎখিবনা ফৈ হায়বসি মহাক্কা কনশিন্না হাযখিবনি; অদুমওইনমক ঐগী চৎনিংদবা, নুংঙাইহিজদবা অদু উবদা কোন্থুংদদি, ঐগীদমক্তা তৌফমখোকপা চেকশিন থৌবাঙ পুম্নমক মহাক্কা তৌবগনি হাযনা যাবীবগা লোয়ননা লাল হৌখ্রবা মতুং অদুফাওবা ঐ, লন্দন্দা লৈবা মাগী য়ুমদা লৈবকপনি।

"জাপান্দা চৎলহৌদবগী নুংঙাইতবদি লৈব্রা ?"

"লৈজদে ইবুংঙো লৈজদে। মখোযনা হায়বা মী অমত্তা ঐ লুহোংবা পামদে।"

"অদো... হৌজিক্তি লাল তৌবেদো... নঙ যূমদগীসু যাম লাপ্না লৈবে... অদুগা অবানবা মাযকৈদসু লৈববনিনে. ..।"

"হুং... নত্তে, সেব্বীনা হায়বকই। ঐদি লাইবক য়াম্না ফবনি... অবানবা মাইকৈদা লৈখিবদি ঐগী ইমানি।"

(১৫)

নুংখিল অদু ঐ স্কুলদা চৎলুই। চত্তবসু যাবনি, ঐ চযোল অমদি পোখ্‌াবগী সার্তিফিকেৎসু পায়বীবনি, অদুবু সেব্বীগী ক্লাস য়াওনিংবা অমসুং ঐ যাওদবা মতমদা মযাম্না মাগী মশক য়েংদুনা হবাও তযাম্না মতম হৌহনখিবদু কল্লকউবদগী চৎলুবনি। জাপানীজ লোলদা শোৎথহৌবসু পান্নমদে। চয়োল অহুমলোমদি মখোয়না ঐঙোন্দগী খূমাঙ চাওশিনখ্রবনি। ঐনা-অমুক্তা তাখিদ্রিবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়াসু মখোয়দি শীজিন্নবন্রে। মতাঙ অসিদনি, ইতসুমি সান্না ঐঙোন্দা মীৎয়েং চঙশিল্লকপসু।

ইতসুমি সান্না ঐঙোন্দা হায়রকই "নঙ হৌজিক জাপানীজ লোল কয়াম্না কাউরবগে হায়বদু য়েংবা তারি।" মানা জাপানীজদা হংজিল্লকই- "নঙনা হোসপিতালদা লৈবসি করম্বা মতমদগীনো ?"

ঐনা খুম্মী- " চয়োল অহুম ফারে।"

"হোসপিতালদা লৈনা-লৈনা জাপানীজ লোল কন্না হোৎনত্রা ?"

"হোৎনদ্রে।" ঐনা খুম্মী।

"নঙগী অনাবদু য়াম্না শাথিব্রা ?"

"মদুসু নত্তে।"

"অদুদি জাপানীজ লোল করিগী কন্না হোৎনদে।"

"মরমদি হোসপিতালদা লৈমিন্নবা কনাগুম্বা অমনা য়াম্না হৌনা ৱায়রলেস থাদুনা থন্নবদা; জাপানীজ লোল কন্না হোৎনবসি ওইথোক্কে।" হায়রিবশিংসে গ্রামারগা অমত্তা চুমদনা য়াম্না লুনা ঐনা হায়খিবনি।

ইতসুমি সান্না তারগা হায়রকই- "হৌজিকী ৱাহৈপরেংদু অমুক্তগা হায়বিরকখো।"

"য়াম্না মখোল হৌনা ৱায়রলেস খোংলম্মী হায়বা।"

"অতৈনা করি ?"

"মরম অদুনা ঐ হোৎনবা ঙমদে হায়বা।"

"নহাক চহি কয়া শুরে ?"

"মদুদি অরুবা ৱাহংনি মরমদি মশীংগী থবকসে খুদক্তা ঐ খনবা ঙমদে।"

"ঙসিগী খবরদি পাব্রা ?"

"পাই।"

"খ্বায়দগী মরুওইবা মতাঙ করিনো ?"

"রাসিয়াগী ৱাফমনি।"

"রাসিয়া কমদৌরবা ?"

"ওহ্! ওন্থোকপনিদা," ঐনা ইংলিসনা খুম্মী। "হৌজিক ঐগী ইখৌ কোল্লিবা মতমনি-মথঙ কনানো' মদা হংবিগ্রো।"

"নঙ জাপানীজ লোল তম্লিংদব্রা ?"

"তম্লিংই, য়াম্না কন্না হোৎনবা পাম্মী। তৌবতবু ঐগী (ব্রেন) কোক অসি চলাইবা য়াদ্রি।"

"ঐনা খনবদি-নঙগী অনাবদু পূক্তি অনাবনি।"

"মদুদি চুম্মী।"

"মরম অদুনা হৌজিক্তি নঙ হোৎনবা তারে।"

তাঞ্জা অসিদা ক্লাসকি মীয়াম অদুনা অপুনবা খোঞ্জেলদা চপ মান্ননা হায়বকই "ঙমজবমখৈ য়াম্না কন্না!"

"মসি লায়খোকপা য়াদবা য়াম্না মরুওইবনি।" ইতসুমি সান্না হায়রকই "মসি ফাগী নত্তে। নশামক্কী ওইনসু ফননবনি। ঐঙোন্দদি নঙনা ফজনা ঙাঙবা হৈবা হৈত্তবা করিসু বেরা লৈতে। ঐনা খল্লিবসি নঙগীনি-লোল অসি নিংখিজনা হৈবদা নঙগী প্রোমোসন লৈরিবনি। অশুম্না, অচৌবা ওফিসর নখোয় পূম্নমকপু ঐনা উনবা পাল্লিবনি। ঐদি কনাসু নত্তে, চুম্নগী অচম্বা মীশক অমনি। অদু ওইদুনসু, নখোয় পূম্নমক্না মহে য়ানখিবদুদি ঐগী অপাম্বনি। ঐগী ফিভম অসিদা লৈবা কনাগুম্বা খরদি করিসু থৌশারমদবা য়াই, অদুবু ঐদি অহীং তুমদনা ঙমজবমখৈ নখোয়গী পারা থৌরাঙ তৌরিবনি। মপান্দা খোক্নুনা, ঐ ইশা নুংঙাইখোকচবা য়াই; মদু ঐ তৌজদে। নখোয়না ফম কাবা ঐনা আশা তৌই; মরম অদুনা কন্না হোৎনবসি নখোয়গী নথৌনি।"

"ঐ ভাব তাজরে।" ঐনা খুম্মী।

"অদু ওইরবদি পূক্লিং চঙবীরো বাহং অমওংগা হংজখিগে।"

"নহাক কদাইদা পোকপগে ?"

"ইংলেন্দা লৈবা ত্যুকিসব্যুরী কৌবা মফম অমদা।"

"য়াম ফরে, য়াম্নমক ফরে। ফজনা হোৎনরবদি মায় পাক্লনি... হৌজিক ক্লাস মখা চৎথখিগনি...।"

মতম অসিদা, সেব্বী ক্লাসতা চঙলক্নে, অদুক হাক্লা পূক্লিং চঙনা উরমদে। ঐঙোন্দা হায়রণ য়েংঙক্লগা মমায় লৈথোকখি। ইকায়রণ তৌই অদুবু থুনমক ক্লাস লৌরিবা ওব্বা অমগী অচেৎপা শকওইদা হনজিনখি। ক্লাসকী মীপুম খুদিংদা মথঙ-মথঙ ব্রাহং হংলকপনা, ঐগী মতম য়ৌরকপদা হায়বকই।

"নঙ ব্রাশক ঙাকপা মীশক অমরা ?"

"ব্রাশক ব্রাশক্তা পুরে।" ঐনা খুম্মী।

মথঙ ব্রাহংগী বাউন্দ অমুক লাকপদসু হংলকই-।

"নুপীশিংগী মফমদা নঙগী ব্রাশক্তি ঙাকপ্রা ?"

"নুপী-নুপীদুগী মতুং ইল্লি।"

মাগী মমিত্তু খজিক্তং কূপই-নোক্লিংনা খনবা মাল্লি মশাগী ব্রাফম অমা নাকোয়ননা ময়াম মমাঙদা পুথোকচরকপদু, ব্রাফম অদুদা কবিগুরুনা খরা য়াওবি হায়বদু কনানসু চিংনখিদে হায়বসি ওইথোকপা য়ানা মানা খঙ্লখি। মীপুম খুদিংনা সেব্বী-বু নুংঙাইরবা মীশক অমা ওইনা খল্লি, অমসুং ঐনা নুমিৎ খরা লাক্লবা মতমদুদা; মী পুন্নমক্লা অহানবদা মহাকপু কোইনা খল্লম্বা ব্রাখল মওং পুন্নমক অদু হোৎদোক্লমদুনা কোইনদবা চান্নবা মওং অমদা লৈরম্লে হায়বদু ঐ উবা ফংখি। মহাক্তি ক্লাসকী মতমদি লোইখিবা খঙহৌদে। মানা গ্রামার তম্বিনবা হোৎনৈ বোর্দতা পরপ-পরপ-ই-অমুক মুৎথৎখি কনাসু শিলহৌবা নংহৌদে। মাগী দস্তর অদু বোর্দকী নাকল অমদা য়ানশিল্লি খঙহৌদনা তাখিবসু য়াওই- তকথোক্লমদাইদা কোইয়েং য়েংবা চেকশিনজদবা মওং, মাগী চমজবা অঙাং মানবা মতৌ অদু উবদা ঐগী পূক্লিংদদি নুংশিবা পোকলকই-ইথক্তা পূক্লিংদা শোনজে "নুংশিবী-ইবেম্মা অঙাং মানবী ঐগী সেব্বী।"

মহাক অঙাংদি নত্তে, নুপী অমনি। মঙোন্দা য়াওবা অঙাং মানবা মতৌদগীদি নুপী অমা ওইনা উবগী শরুক্লা হেল্লি-যুগ কয়াদগী হায়নদুনা লাক্লবা নুপী অমগী মওং মতৌ পুন্নমক মঙোন্দা য়াওই। মহাক, অঙক্লি মতীক নুপীদা

নুপী মাল্লিবা করিগীনো ঐ গুকই-অদুক্তি মতিক নুংশিনা মীগী পূক্লিং খঙবী-অথোংপা য়াখল চেনবী অময়োমদনা করিসু লানজদবীনি হায়বদু য়েংথোরকপা মিংয়েংদা ফোঙদোকই। ঐনা খল্লিবা অসি, মী অতৈনসু খল্লম্বা য়াই। কনানো অমনসু মঙোন্দা হংলকখি-"য়ুহারাবা অচৌবা অমা থোকখিবা মতমদুদা নহাক চহী কয়া শুরে ?"

"চহী তরেৎ শুরে।" মহাক্কা খঙই-মশাগী চহী খঙদোক্লনবা মঙোন্দা হংলক্লিবা য়াহংনি হায়বদু অদুবু মা করিসু থৌশাদে। ঐখোয় পূম্নমক খূৎ থেক্লদুনা লোম্না মশীং থীনৈ। মহাক চহী কুনতরুক শুরে। অদুবু চহীনা করি তৌবগে... লেপ্তুনা লৈগদবা নত্তে মহাক্তি... মতম হৌখিবগা লোয়ননা অশুম চঙশিল্লক্কদবনি। ঐগী য়াখলনা শান্নে.. সেব্বীগী চহী তরাতরেৎ ওইরকই- তরেৎ অমুক চঙশিল্লকই- তরেৎতুদা সুন্য হাপচিল্লি হুম্ফুতরা শুরকই ইখঙ খঙহৌদনা...। ক্লাস লোইরবা তুংদা লেম্ব কৌবা নুপা অদুনা সেব্বীবু হন্দুনা; করেম কথায়নবগী মওংদা য়াফম খরা ফোঙদোরকপদা ঐ য়াম্না শাউনিংখি। মহাক্কা য়েংনবদা শাউনিংবনা হেল্লক্তুনা খূৎলায় পায়খৎলু কাপথায়নসি ফাওবা হায়কৃরে। পূম্নমক অসি করিসু নত্তে-কল্লক খম্বনগী কোচি অমনা ঐগী পূক্লিংদা কোংশিল্লকপগুম খনবদগী থোকখিবনি-কোম্মুংদদি খল্লকই ঐগী অশাওবদু তৌশিন্নবনি হায়না, মবমদি সেব্বী-ঐ ইথত্তগী নত্তে ক্লাসকী মতমদদি; মীপূম খূদিংনা মঙোন্দগী খঙনিংবা কয়া খঙহৌনবা হংবদা অমসুং মতাঙ মতাঙগী ওইবা য়াহে-য়াতা কয়াদা নোকমিন্নবদি মশানা তারবনি।

ঐনা থোবকপা মতমদা; সেব্বী-মখাগী সিড়িদা কূমথরকপা উই। লম্বীদা থোকপ্রগা গাড়ি অমা ঙাইদুনা লৈ। লেম্ব-সু সেব্বীগী মনাক্তা চঙলক্তুনা করিগুম্বা খরা হায়বগুম তৌখি, করিনো হায়বদুদি ঐ খঙখিদে। সেব্বীগী মায়থোঙদা খজিক্তং নোক্লগা য়াহং অমা হংবগুম্না উখি। লেম্ব হায়বা নুপা অদু মকোয় নাল্ল-নাল্লদুনা শকখঙনদ্রিবী শকহেনবী অমদা মশক তাকচবগুম ঐনা অরাপ্পদগী খঙলে; সেব্বীগী মফমদা মহাক্কী অশোয়বা খরগী মরমদা ঙাকশিয়ু হায়বনি হায়বদু। তাঙ্কা অসিদা গাড়ী অমা লাক্লবদা, হায়ফম থোকপা ফজবা চৎনরোল য়াহে খরা হায়রল্লগা পরপ পরপ্না মমায় লৈথোক্তুনা সেব্বী-দি গাড়ী অদুদা তোংখত্তুনা চৎল্লে। লেম্বনা

ঐঙোন্দা য়েংলকই, মাগী খূবী অদু লৈথারোমদা থিল্লগা শুগংলকই। মশক অদু য়েংবদা, ওইরকপা মাবা খুদোংথিবশিং, করিসু ৱাওই-থওইদবা মাল্লি।

"সিকাতা-গা অরিমাসেন," মানা লাওরকই, - অর্থদি "করিসু উপাই লৈতে- করিসু তৌনিংঙাই লৈতে।" মহাক হুই খোংদুনা চৎখি।

ঐসু হল্লক্লে। শিতরনা হায়রকই-

"নহাক লাক অবো ?"

"উম।"

"ঐঙোন্দা লীনিঙায় ৱারী য়াম লৈরম্মনি।"

"লৈতেদা।"

"হোয়, লৈরমদবদি য়াই--অদুবু নঙ ক্লাসতা য়াম্না শাউই হায়না ?"

"কনানা হায়রীনো... অপঙবগী ৱা... ।" ঐনা খুম্মী।

"নঙ শাউদি শাউখ্রমানে, হানাকোদি ? নঙনা অদুমহায়না তৌবা ঐ অমুক্তা উখিদ্রিকো ! মদু "লৈইজ যেদজেন্তি" নশাবু হুম্বুনা খঞ্জয়গা ব্রং হেক্তা শাউগৎলুবগী ৱানি।"

"নঙ নত্তনা অতৈনদি খঙজীরোইদা।"

"চেকতি চেকশিনগদবনি-নঙ। মাসু ৱাখল ফনা লৈয়ু হায়গদবনি। মা খরদি মপুক্লৈং য়াংবা মীনি- মীয়াম মরক্তসু নঙবু হৱাউনা কোনশিনবা ঙম্মী। ক্লাস মনুংদদি মনা-মনিল নাইবা য়াদে, তুমিন্না লৈগদবনি... শিংউ হায়রীশিনি থৌনাসু লৈগদবনি।"

"উম, ঐ হোৎনগে...। ঐনা খুম্মী।" ঐ অমীংবদি ওইখিদ্রে।"

"শুকশিঙ-শিংদে... নুংশিবদা ঙাওরবনিনা নঙদি।"

"ওহ ! ৱা পুল্লমকসে মী অতৈগী মরমদা হায়দোকপদি য়াম্না লায়বা জাতনি।"

"নঙনা খল্লিসে; ঐনা নঙবু পঙই হায়বসিগী নৎব্রো ?"

"হায়বু হায়ব্রো নঙবু ?"

"ঐনা হায়দি মদু নত্তেনে।"

"কান্নদেসে... ওসিগী অঈং-অশাগী মরমদদুম ব্রারী শাশি। ঐনা হায়। য়াম শাইনে-ওসিদি!"

"উম; ওসিদি ফনা ফজনা শারে-কালেন্দদি সিদগী হেন্দৌবিপোংনি।"

গাড়ী অমা ফারগা হোটেল য়ৌরক্লে। বাহাদুর খোঙ্গ্রায় চন্দুনা লৈমায়দা ফমদুনা লৈবম্মী। মানা পামজবনি অদুম্না ফম্বদু, মানা ফম্বা য়াবা চৌকি নত্ত্রগা ফমুং অমা কা অদুদা লৈববসু। ঐনা ফল্লে লাও হায়না কৌশিল্লবসু মহাক ফম্লবোই-মদু মহাক্কি হৈনবীনি-চিংশিনবগী শক্তিনা পেন্দুলম অমবু মহাক্কি পোজিসন্দা লৈহনবগুম বাহাদুরগীসু মদুনি। ফম্লনবা চৌকি অদুদা; ঐগী নুংদাং শেৎননবা ফি-বোল থম্লি, দর্জি অমগী দুকান্দা ভূবা লোইববা ফিরোল নিংথিজনা থম্বগুম। আসদা নত্তে; ঐগী ঈরুজফম কা মনুংদসু শিজিন্নগদবা পোৎ পুম্নমক মওং তানা পবেং পবেং থম্লি। য়া থিন্নবা ব্রশ পেইস্ত, শেভিং ব্রশ, সাবন, কোই ফান্নবা রেজব-করিগুম্বা শোক্লবসু মহিক-মনায় চঙদনবা এন্তিসেপ্তিক লোসন-মায় নপথোক্লবা ফি, ভৌবোক ঙৌবা টাবেল অমসুং পাউদর মওং তানা থম্লম্মী। ঐ, হংলুবগী থৌনা লৈরমদে-মীনাই য়াওদনা লৈজরিবা ঐগী কা-অদুগী মওং তাদবা অদু উরুবদা মহাক্না করি খনবগে হায়বদুদি। ইংলেন্দা লৈবিঙৈদদি; ঐগী কা মওং তাব-তাদবা; পঙনুঙদা নুংঙাই হল্লকপদা; অদুম ওইনমক ভাবত অসিদদি; বাহাদুব অসি মশাগী অরুম্বা খলগা মান্নরবা সনাগী মশক অদুনি ঐঙোন্দদি। মশাগী ওইনা খল্লুবদদি থা-দ লুপা য়াংখৈদমক ফংজবনি মহাক্কি তলব ওইনা... নোংমদা লুপা অনী ফাওবা য়ৌদে-শগোল গাড়ী অনীরক তোংবা ঙমজবা নত্তে নোংমদা। অদুবু মহাক্কী লুপা য়াংখৈ অদু, থা কয়াগী পুন্না পীবা মতমদা; মানা ঐগী ইফমদা কয়াগী মতিক তৌবীমল খঙনা হরাওজবা, মহারাজ অমনা মাগী সনাগী লনগৈ ফংবগুম্না। মহাক্না ঐঙোন্দা সালাম তৌই... মথন্তগী নত্তনা; মাগী নুপী অমসুং মচানুপীগী মহৎ শিন্দুনা। মরমদি মখোয়গী লৈরিবা য়ুম; শেংলিবা ফি নিতিগী চাকচরা অসিনচিংবগী দারিদ্র্য ঐঙোন্দগীনি হায়বা মহাক্না খঙজে। মহাক লায়বনা হিংই হায়বগী ব্রাখল কৈদৌনুংদা খঙ্গদে- মশানা-মশাবু ইকায়খুম্নজে নুংঙাইনা লৈজে।

ঐনা মঙোন্দা হাযখি- "বাহাদুব! নঙসু কনাগুম্বনা নংগীদমক খোঙমোজা; লিংনবা জাকিট অমসুং কোয়েৎনচিংবা শেম-শাদুনা থম্বিবা পামদ্রা ?" ব্রাহং অসিদা মহাক কযাদা নোক্লিংনা হবাউজখিবা অমসুং মখোলদি থোকহন্দনা মচিন ফাজিন্দুনা নোকখিবা। মানা হায়- "ঐদি মাস্তবগীদমক্তা থবকশিং অসি তৌবদা যাম্না নুংঙাইবে, অমবোমদা; পেনবিবল্লোইদ্রা হাযদুনসু ব্রাজে।

নুংদাংব্রাইবম পূং তকক মখায তাবক্লে ঐনা ফি হোংদোক্লুনা অনৌবা অমুক শেংপা মতমদা। ঐদি পূং তবেৎ মখায় তাবল্লগনি খল্লুই- মবমদি নুমিং অদুগী য়াচঙবা মতুং পূং নিপান ভাগদবা মিনিট তবামঙা ব্রাৎলিঙৈদা সেব্বী-গা ঐখোয অনী উনসি হাযনখি। মতম চঙশিল্লকপগা লোয়ন-লোযননা ঐগী পূক্লিং, লাঙতক্লবা হেল্লকই-ঙাইবা ঙল্লক্লদুনা মখাদা কুমথবক্লগা মঙোন্দা তেলিফোন তৌবে।

"ঙসি অহীংবু ঐ লাকহল্লিংব্রো ? ... ঐনা হংখি।

"ঐবুসু লাকহল্লিংদ্রো ?" মহাক্লা খুম্মকই।

"ঐনা খনবদা-মিস্তব লেম্বগা নখোয় অনী চাক চামিল্লকবনা ফব্রা...? অসিনি।"

"ওহ্! মাইকেল দার্লিং।" মহাক্লা নুংঙাইত্তনা খুম্মকই। "মানা হায়বিবদু ঐনা অমুক য়াকন্দবদা য়াম্না ফত্তবা তাগদ্রা খনবনি।" নৎত্রনে দার্লিং ?"

"অতোপ্পা অহিং অমগসু মাগা চৎমিল্লকবা যাব নৎত্রো ?"

"অতোপ্পা অহিংদদি নঙগা চৎকনিয়ে-ঐদি ওইজবা থিবী, থম্মোয় কনবী বীচ্চ (হুই অমোম) হায়বদু ওইবেকো।"

"অমুক হন্না হায়রকউ-নঙনা ব্রাহে অদু হায়বা তাব নুংঙাই।"

"বীচ্চ", মানা হায়রকই। "ঐ ইথত্তা হায়জবদি কৈসু কায়দে; নঙনা হায়রকঅদি খাঙবা ঙম্মোই, তুবেলদা চোংথদুনা শিনি।" মিস্তব লেম্বনদি হান্না হায়ল্লববা কবিনো অমা তৌই।"

"নঙ থীচ্চ নত্তে-খঙলকপদা মহাক নিংবদি কায়রনি।"

"করি হায়বা ?"

"শাউনুদা ! -ঐ কোন্না হায়গে... অদো... নঙ মাগা চৎমিন্নদ্রিবা করিগীনো ?"

"দার্লিং-মাগী মকোয়দু কিজৈ তৃক্কচৈ-শুকফ ফজদে মশক্তু !"

"ঐসু মাগী অদুম্না কোই চোল্লন্নবদি... চৎমিন্নবোইদ্রো ?"

"চৎমিন্ননিয়ে... ইবুংঙো !"

"ঐদি লেম্ব-গদি মান্নদবনি, কোইগী থাদুদা নত্তে।"

"করি হায়রিনো অদুবো... অপঙবগী বা...।"

"নঙনা হায়রিদু... ঐ মহাক্কুম্বা নত্তে হায়বা নৎত্রো ?"

"মাগা শুকমান মান্নদে।"

"থাখল অমদি লোৎলিকো। ঐনা খুম্মী। থাখল অমা থল্লগা ঙাঙত্রা হায়বসিমন্তংদি খঙনিংই। ঐ, খোই চোক্নীবনিকো।"

"খোই চোন্না হায়ববু করিনো ?"

"কোন্না হায়রগে ; ননাক্তা লাক্লগা।"

"হৌজিকমক লাকপিরো।"

"ফরে, লাকঅগে।"

খৌদোক অমনি,য়াম্না মরুওইবা। ঐ গাড়ী অমা ফারে; হেক তোংখৎপগা গাড়ীবালা'দুদা হায় "জলদি"। গাড়ী অদু খৌগৎলক্লে-অঙাংবা নুংশিৎনা মায় অসিদা হুমজিল্লমই। মফম অদু য়ৌরকপদা কুমথরগা, শগোলগাড়ীগী ভারা অদু পিফম খোকপদগী শরুক অমা হেনগৎনদুম শীথোক্লে। ঐখোয়না লাইরিক পাবদা থেংনখিবা হরাউতয়ামগী সহর অমদা খ্বাইদগী নুংঙাইজবা মীওইদি গাড়ীখৌবশিংনি হায়বদু অচুম্বা ওইরে।

ঐগী সেব্বী-মাগী কি হোংদোক্লিঙে ঙাইহাক্কি মতমদি মাগী কিমোনো

শেংচিন্নবা হোংনরম্মী। মানা হায়রকই-"অসোম মায়কৈদা অমুক্তা ওম্থোকপিয়ু।" ঐনা ওম্থোকলিঙৈদা মাগী কিমোমো মশাগী অকোয়বদা শেংচিল্লি।

কার্পেত মথক্তা উরিবা মাগী মখোঙ অনী অদু মহৌশানা ফজবা হায়বদুগী মশক্কি- থোইদোক্লসু নুংশি; শামুময়ানা শাবা পিক্তকপা মখোঙ ওইনা খল্লি, মহাক্কি মখুৎ অনীগুম্না। ঐনা বেলকোনিদা থোরকপা মতমদসু... মাগী মখোঙনা কা অদুদা চৎপগী তাপ-তাপ লাউবা খোনজেল তাবা ফংই। তাবিবা মখোল অদু ফাউবসু নুংশি। খল্লকই-ইংলিস নুপীগী মখোঙনা চৎপগী খোনজেলদা অশুক নুংশিবসে ঐঙোন্দা পোকখিবরা ?

অতৈ ব্রাখল নাথৈদুনা থমগ্রগা ঐনা মঙোন্দা হংলম্মী-

"নঙনা ফি শেংলিঙৈদা... ঐনা যেংবা য়াদ্রিবা করিগীনো ?"

"চৎনবী নিয়মনি।"

"মদুদি-কনাগুম্বা অমবু চৈইমপেইনগা (যু মখল অমা) লোযননা চাক হাউনা পীজবগা, পেনি অনি মখায়সু পুথোকচবিবা মঙোন্দা অমুকসু হন্না শেঙ থাদহনবগুম্বনি শেল-থম্ফম উপূদা।"

"অদুম্মায়না হাযবীনুবা।"

"অচুম্বনি;-ঐখোয় চৈইমপেইনদি থকমিন্নগ্রে হায়বা।"

"ঙসাইগী খোইচোপ্পা হায়বদু করিনো; তাকপিয়ু।"

"নঙসু ময়াম্না য়ানবা খোই চোপ্লিবনি। খোইচাক ফজনা হাপ্পবা খোই অমদি থারি হায়বা নঙনা...। মখোয় কনা কনানা ঐঙোন্দগী হেন্না ফজবগেনে... ? সালমন অমা ফাউগৎলকপা নৎত্রো... হা ? নুংশিথোইবী ইবেম্মা! নঙনা মহাক অদুবু সাইকলগী অমনবা সাবল ওইহল্লে... নত্রগা খোঙউপ অমনবদৌনা তোংবিদ্রে...।"

"ঐদি ঙা ফাদৌরিনি হৌজিক।" সেব্বীনা হায়রকই। "ঐঙোন্দা অমুক্তা য়েংঙকউনে... সাইকল অমনবগী সাবলদগী ঐনা হেন্না ফজদ্রা ?"

ঐ লৈশিন্দুনা য়েংলম্মী। টাব্রেল অদু মাগী খদাঙ ময়াদা পায়শিন্দুনা লেপ্লম্মী... মখাদনা মহাক্কি খূকউ, নাকন্দনা মাগী ফি য়াওদবা পাম্বোম অনী।

"ফজব্রা হায় ব্রানি।" অপাম নুংশিগী খোম্বোক্তা মহাক্কা হায়রকই।

"ঐনা উখিবা কয়াগী মরক্তা, নঙগা মাম্লনা ফজবী লৈতে।" ঐনা হায়খি।

"নঙনা উখিবদু সালমন-লা বুত অমনবরা ......?"

ঐ নকশিন্না চঙশিনখি মঙোন্দা – মহাকসু লেঙখিদে, টাব্রেল অদুগী মপানদি মচিনবান ময়াদা পায়শিন্দুনা লৈখি । মহাকপু ইঙনা তপ্না চূপখি- চিম্বাল অনী অদুদি ঈরুজফম শাম্বারদগী থোরকপদা ঙাইরিবনিনা তইং তইংবা ফাওবম্মী। টাব্রেল অদু ফাওনা মাগী হকচাঙনা ঐঙোন্দা নপশিল্লকই । ঐ মহাকপু চেৎনা কোনশিনবা পামখি ; অদুবু হান্না খঙজখিদবা হেনজিন্না নুংশি চান্নবগী ব্রাখল অমনা খামদোকপগুম, মিকুপ খরদি ঐখোয় অনী অমগা অমগা য়েংনদুনা লৈখি। সেকেন্দ খরগী মতুংদা অমুক হন্না মহাক্কী খূনীং কাঙখত্তুনা মাগী চিম্বালনা ঐগী চিম্বালদা শোকলমলগা ঈরুজফম কাদা চেনশিনখ্রে, তাব্রেল অদু মখাঙদা কোয়শিল্লগা । ঙাইহাক লৈরগা মমায় অদু থোঙদগী অমুক লিংথোরকই অদুগা হাযবকই .....

"মাইক্কেল-নঙনা হায়বদু সালমন হায়বরা বুট অমনবা হায়বরা ..... চানবিদুনা অমুক্তা হায়বিয়ু । "

" সালমন হাযবনে ... ফজনা ঙাঙলৈনবা ।"

মহাক অমুক চঙশিনখ্রে ... বাথরুমদগী ঈশৈ ঙঙলকপা তাই -

" সেব্বী- দি সালমন্নি ... সালমন্নি ঐহাক্তি ।"

পুং নিপান তাগদবা মিনিট তরামঙা ব্রাৎলিঙৈদা ঐখোয় অনী মিস্তর হেদলিগী মনাক্তা চৎমিন্নে । মাগী লৈফমদি ওফিস অদুগী মনাক্তনি ; ঐনসু হান্না চৎলুরবা। সেদ্যুল কাস্তনি হায়বা ইন্দিয়ান পাথংমচা অদুনা ঐখোয় লাকপদা থোঙ হাংদোরকই। মিকুপ অমগী মনুংদা মিস্তর হেদালি তূল্লব্রদগী ইঙাও ঙাওনা খুদোল খোঙউপ অমা তোংশিল্লগা মখূৎ অনীদু তিংথোক্তুনা হেল্লো হেল্লো

হায়না চেনথোরকই। হয়াউবগী লোয়ননা ইথিও ফিংনা হায় " নখোয়নি খণ্ডবদা হেক্তা চেনথোরকপনি ফিজোলগী নীংথিজনা শেংপা নত্তে ঐ, ... অদো, চাকতি অমা হেক্তা চাশিকো... অচৌবা দিম্মর নংত্রবসু .... চপ মাম্রেদা ...।" মহাক সেব্বীগী ফিজোলদা য়েংই, সেব্বীগী খুৎ পায়শিনদুনা হায়রকই – " নপাক ফজেদা ! শুমহৎনা ফজেদা ! " মিস্তর হেদলিগী মকোক্তা হৌরীবা পারবা শম খরদু ইচায় চাইনা হাইথরী ; থবাক খায়দোকপা খাকি ফুরীৎ অমা লীৎলি খাকি খোঙগ্রাও মকক অমগা। খোঙগ্রাও মকক অদুগী মরমদা মানা হায়রকই-" নখোয় নপূল্লিং নুংঙাইতবা তৌগনুকো ... থা অসিমদি ঐ খোঙগ্রাও অককপদা শেংলে ইশা খীঙনা ... ঝি-রোল ফজনা শেংপা শেংতবা বেবা লৈত্রে ..., নঙগী নমিংদুবু করি হায়বা ...?"

"মিস বৈ, হায়বনি।" ঐনা খুম্মী।

"হোয়নে হোয়নে " মঙক ইস্থোক্নুনা সেব্বী-দা মুম্না য়েংই মমিং উবা খাংলবা মী অমগুম্না । মমিং অনীদু নাকল অমত্তদা খজিক্তং লৈথংলি খাহং অমা লৈবগুম্না ... হায়রকই ..." অপঙবীসিদে ... নঙগী খুৎশা শিংদু মশীঙ থীযু মঙা ফাওবা... থীযুনে।"

সেব্বী ইঙক ওক্লা উই ... নুপা অসি তমথিব্রা, ফাগী তৌবীবরা খনবদা মহাক চিংনরমই । চিংন-চিংননা মখুৎ তিংথোরকই ।

" চুম্মে চুম্মে ... মশীঙ থীরো অমা অনী অহুম মরী মঙা হায়না।"

" অমা অনী অহুম মরী মঙা ।" সেব্বীনা মাগী খুৎশা মশিঙ থীজে, করিগীনো হায়বসু খঙদনা ।

মিস্তর হেদলি, হয়াউনা খঙনোক নোকথোরকই । ঐবু য়েংদুনা হায়রকই ।

" ও ... খঙঙে ... ভাব তাব্রা নঙবু ...? মাগী খুৎশা মশীং থীবগী মওংসি নঙ উরেদ্রা । খুবাক তিংথোক্লগা খুৎশা মথঙ মথঙ কোনশিনবা..... চাইনাগী মী অমত্তা অঙুম্না মশীংথীবা উরম্মোই - উরব্রনে ? মখোয়দি ইংলিসকী

মীনা তৌবগুম্না থীবনি ; খুদুম তাশিল্লগা ।" মাগী খঙজবী উপায়না সেব্বীবু জাপানীজ " নি হায়বগী চপচানা প্রমাণ তৌরম্মী ।

সেব্বীগী মায়থোঙদা ইকায় মমি তাখি সেকেন্দ খরদি, মহাকপু য়ূম অদুদগী কাওথোকতুনা তাম্মোকপীরনি খনখিবা মাল্লি । মহাক্কী অরানবা মিং অদুগীদমক লাল্লবনি হায়না হন্না হন্না হায়জবা হৌরক্লমই মিস্তর হেদলিনা য়ারে হায়না মথূৎ থাঙ্কৎলক্লিবকাওবা ।

মিস্তর হেদলিনা হায়রকই -

"অদুগী ব্রা নত্তেদা, ঐদি জাপানবু যাম্না নুংশিজবনি ... মফম অদুদসু চংলুবে ... ঐগী মকপ মপাঙসু য়াম্না লৈ । নঙগী মিং লোৎপগী করিসু দরকার লৈতে, ঐখোয়দি নঙবু ফংজবদা য়াম্না হবাউজে । লাল অসে জাতিগী ব্রাফম নত্তে, য়েকনবা ওইনা খন্নরিবা ব্রাখলশিং অদুগী লাননি। হৌজিক্তি নঙগী ব্রাখলসু উবে, যাম ফজে.... ব্রাখল হায়বসি কনাসু মপূং ফানদে অদুবু ফত্তবদি নত্তে হাযবা নঙগীসি কো ?"

"ঐনা জাপানীজ অমা লোয়নরক্লনি হায়জখিবদুদি ।" ঐনা হায়।

"হোযনে চুম্মিনে, ক্ষুলগী ওঝানিসু হায়রকইনে ।"

"ক্ষুলগী ওঝাদু ঐনি ।" সেব্বীনা খুমজে।

"এ ... অপঙবী ! নঙ ক্ষুল ওঝানি হায়বা অদুনা... ক্ষুলদুদা নঙ হৈনদবদি তৌনুকো ।"

চাকলেনগী মতমদা জাপানগী ব্রারী শানা-শানা ; মিস্তর হেদলিনা অরু অরুবা ব্রাহং কয়ামরুম সেব্বী-দা হংজিল্লি ।

"নঙগী পোলিতিক্স (রাজনীতি) করিনো ?"

"ঐগীদি অমত্তা লৈজদে।" সেব্বী-না খুমই। "ঐঙোন্দদি মদু অপঙবগী ব্রানি হায়না খল্লি, পোলিতিক্স হায়বদু ঐনা খঙব্রা হায়বসিফাও খক্তজবা ঙমদে।"

"খঙভূদুনা করি কান্নগবনো ? ঐ ইশাসু অমত্তা খঙদে ... অদুবু নঙগীদি ব্রাখলগা লৈব্রা ?"

"মী পূম্নমকসে ওইজবা ঋিদবা .... অমনা অমগী মফমদা ফজনা চৎনবা মদুত্তনি ঐনা খনজবা।"

"মদুত্তনি... ইবা-পাবা থোকপা থোক্তবা করিসু বেয়া লৈতে মদুগী বাখলদুবু লৈনরিবমখৈদি। কত্তবা মীওই কত্তবা পৃথিবী! অফবা মী ওাক্ত ওইরবদি মশানা ফল অদুম তাজবনি। ভারতকী মরমদা খল্লুনে... করম তৌবগা রাজনিতিগী শন্দাইনবা লাকদগে হায়বদু ঐ খঙদে। নঙসু খঙলগ্রোই। চিবোল খাবোল ওাক্তনি। লুনরিবদি পূক্লিংগী মঙং, নঙগীসু অদু মঙাই। ঐনা ইন্দিয়া-দা লাকপা চয়োল 'অমরোমগী মতুংদা সাইকল অমা লৈরগা লম্বীদা থৌদুনা লাকপদা ইন্দিয়ান মচা অমদা থেংজিল্লুই। ঐখোয় অনীমক মরালদু ঐগীরা মাগীরা খঙনদে ... ঐ করি হায়খী খঙব্রা?" মাগী ব্রাফমদুদা ঐখোয় অনীমক কোক নোমই।

" নখোয় খঙবা ওস্মোই... ঐদি ধর্ম্ম শন্দোকপগী মীনি ...। নখোয়না‌দি খনবা য়াই, রম্ থকপগী ধর্ম্ম শন্দোকপনি হায়না...মদুসু চুম্মীবনি। ঐনা থৌনাফনা হায়গেতৌরম্বদি ... নঙ চৎথোকপা য়াদ্রা ... অমুবা মী, অসিনচিংবা অকনবা ব্রাহে খরা কদায়দগী লৌরুবীবনো খঙদে, ঐগী চিন অসিদা লাকখি অদুবু ঐ হায়খীদে। হায়রম্বা থোক্লবদি ঐসু লোইরে। অশাওবা কয়া ফোঙদোক্তবা অসিনা খ্বায়দগী অরায়বনি সংসারসিদা...পূক্লিংদসু চাউথোকচনা...। ব্রা পংওাঙ ওাঙবসিসু ফত্তবা লৈ ... মী অতৈবু অপঙবনি হায়বদুতা নত্তনা ইশাবুসু অপঙবা শীজে। হৌজিক্তি (সেব্বীদা য়েংদুনা) মশিগী নুপীসি ব্রাখল লাকপা মাল্লি-মাগী মমিংসিদা উবে। মাগী মমিংসে য়েংবদা ফজবতা নত্তনা ব্রাখল পূম্নমক ফোঙদোকই- অদুনা ব্রা য়াম্না ওাংদুনা ফোঙদোক্লবা হোৎনরোইদবনি-মতম পূম্নমক্তা-ঐ অসে ঐগী ইম্রাসি ওইগদবনি।"

"মদু অরায়বদি নত্তেদা মতম পূম্নমক্তা।" ঐনা খুম্মী। "মী অতৈগী মফমদা, লাল্লি খল্লুবা অদুগুম্না ঐঙোন্দসু অরানবা য়াওবা য়াই।"

"নঙদি হৌজিক মহৌশানা নহা ওইরিবা মতমনি... হিংদ হিংখো মতম কুইনা, নঙ নথক্তা খঙজরক্তনি। অঙকপসু থেংনৌ নিংবা কায়বসু থেংনৌ-ওক্তনি, পুন্সি অসিদা লৈরিবা ময়ামসে। ঐ লাইরিক ইগে খল্লুবনি পুন্সি অসিগী

মরমদা অদুবু ইগদবা য়াম্মী ওয়্ছোক্লা য়ামগ্রে...পুন্সিগী মনমদি, অৱাবনি, আশানি থবায় নুংঙাইতবনি, নিংঙমদবনি... ঘড়ী চাবী থাজিল্লগা চৎপগুম্না অনাবা ঐগীসু কৈগন্দা ইল্লুলিন কাপশিল্লগা চৎপা... হেই, নখোয়দি চিংননু চঙশিল্লু... হিংউ।"

অসিগী ভুংদা ঐখোয় অনী থৱানমিচাক্লা লৈতেংলবা মুরৈনবা অতিয়াগী মখাদা লৈবা লমদম অসিগী হোটেল অদু তম্না লাক্লমই।

চৎনা চৎনা সেব্বীনা হায়খি :-

"মিস্তর হেদলিসি নুংশিকো-মৱাহে মখোলদি চাওই, শাথিবসু মাল্লি অদুবু শাথিদে... মহাক শিখিবদু নুংঙাইতে।"

"কনা শিখিবা ?"

"মানদি হায়দোক্তে... মাগী নুপী ওইরমগনি... নত্রগা মানা য়াম্না নুংশিজবা লৈশাবী অমা।"

"ঐদি মানা মদু হায়খিবা তাদেনা...।"

"মানদি হায়খিদে হায়ববু, খঙবদি ঙম্মি... মানা হায়খিবা অমনা নঙনা মদু হিংননবা হোৎনগদবনি হায়বদু করিনো ?"

"ঐখোয় মীওইবসে মতম অমত্তদা শিবসু য়াই হিংবসু য়াই-মসি ইংলিসকী মীওইশিংনা শিজিন্নবা ৱাফম অমসুনি... মরম পুম্নমক্তা, পোৎ খুদিংমক্তা হেক্তা শিবা য়াই-মদুদি মজবদা শিবা; অথীবদা শিবা-হায়বদি পোৎশক অদুদা শিরবগুম্না ঙাওখিবা... নঙসু পুন্সিদা থেঙনরিবা ৱাথল কয়াগী মতাঙ অমদা শিরবগুম ঙাওবা য়াই- চন্না হায়রবদা য়া লায়েংবা ডোক্তরগী হিদাক কাপশিল্লকপদা য়াগী মফম অসি পুংপঙ পঙবগুম...।"

"হোয়...করি করিগুম্না মতমদা শিবসি অফবসু ওই, অৱাবা খাঙগদবগী শরুকপুন্দি শিবনা হেন্না ফবা...।"

"মদু অর্থ অনীমক্তা য়াই... নুংঙাইবা শরুক্তা শিবগা মান্ননা ফাওরকপা ৱাখল অদু য়াওদনদি... অৱা অনা খাঙবদদি ওইরোই।"

"অস... নঙগী ৱাহেসে ইবুংঙো।"

"অদুবু, নঙ মতম পূম্নমক্তা অন্নাবা খাঙবতা খন্দুনা লৈরিবা করিগীনো ? নঙবু করম্বা অন্নাবা খাঙগদৌরিবগেনে নুংশিবী!"

মহাক কবিসু হায়রক্তে; চংনা-চংনা ঐঙোন্দা নপশিন্দুনা ঐগী খৃত্তা চেংনা পায়শিল্লকই-।

"অঙাংদৌনা... লম্নীদা অকিবা পোৎ অমা লৈরবগুম তৌরিবা কবিগীনো !" ঐনা... হায।

"অঙাংনে-কিজেয়ে ইবুংঙো... কিররোই, ঐ অহল ওইরগে।"

ঐখোয় তুমিন্না চংলম্মী। অহিংগী নাম্নিবা নুংশিংনা হন্নকই। মুবল তৌনা শংবানবা অতিযাদু থব্রানমিচাক্কী-মঙান্দা উফুল থাংনা উরম্মী। খঙহৌদনা পূক্নিংদা অঙকপা ফাওবকই-হান্নদগী চাউরক্লদুনা অহল ওইবিবসে সেব্বী-বা, অঙাং ওইবনা ঐহাক্না... ? চাউখৎলক্লিবা অঙাংনা শান্নবদা মকওইনা ঙাকপি শেনবিবিবা ... করিগুম্বা অকিবা অমা পোকলকপদা কপ্পুনা চেনখিবা...!

(১৬)

চয়োল অমগী মতুংদা; মিস্তব হেদলিবু ইথা থাজদনা মারিন ড্রাইভতা ঐহাক্না উনরম্মী। মা হেক উনবদা ঐনা হায়খি-"যোগীশিংগী মরমদা ম্নাম্না খঙজনিংই নংগী নফমদগী, আধ্যাত্মিক্কী বাখল চেনবা ভারতকী মরমদা।" মহাক নোকই নোকপদুদা ময়া খরদমক হৌরিবদু উবা ফংই, মপূক্নিংসু নুংঙাইদ্না উই নোকপদা। মানা হায়রকই- "হয়েং নঙনা স্বর্গ চংপা মতম্মদা- স্বর্গগী গেটতা লৈবম্বা কুদাম মখুলগুম্বা অহোবদা য়েংশিল্লু; সেইন্ট পিতর উগ্ননি। মঙোন্দা স্বর্গগী হেলোয়শিংগী মরমদা অশম্বা বাহৈ পরেং খরদংদি তাকপীয়ু হায়য়ু...।"

"হীবম অসিগী মরমদা; ঐখোয় খজিক্তা ওইরবসু খঙফমদি খোকপনি। হয়েং য়ুমদা হ্নবা মতমদা মী খুদিংনসু হংলক্কনি... অদুনা ঐ যোগী অমত্তংদি উনজবা পাম্মী।"

"মদুগী থৌরাঙদু ঙস্কসু য়াই।"

"পুম্নমকসি অদোমগী খুদোনবী মতোন্দা লৈবা নৎত্রো ?" ঐনা হায়জে। "কদায়দগীনো... ঐ যোগী অমফাও উনাদ্রি... উম... মদুগী মতাগুদা বাখল লৈবা মীশক অমা নঙগা উনহনগনি। ইস্তর্ন ইম্পায়ার বেঙ্কতা চৎলগা মিস্তর খাইফ উনরুচো.... ঐনা থারকপনি হায়য়ু।"

ঐ নীংশিংলকই খাইফ হায়রীবসি সেব্বী-বু য়েংশিন- খোৎচিনবী হায়বা নুপা অদুনি হায়বা...। ঐনা সেব্বীগা অমুক উনবদা; নুপা অদুগী মনাক্তা ঐবু পুবীনবা থাফম হৌদোক্লুবদা, মহাক্না হায়বদি-"ওহ ! দার্লিং; ঐ নঙবু পুদুনা চৎনিংদে-চৎকনুসি।"

"করিগীনো ? ঐসে মতিক চাদত্রা ?"

"অদুগী বা নত্তে।"

"ঐখোয় অনিগী মরমদদি নঙনা করিসু হায়রোয়দবনি। ঐ ছাত্রনিদা হায়য়ু, খোইদোক হেন্দোক্না লোংপোক লমগী অরোনবা খঙনিংবা।"

"চানবিদুনা... ঐ চৎনিংদে হায়বানি।"

"কৈদৌ' চৎলোইদৌরিনো ?"

"ঐ মাবু হৈনদে...।" ইকায়না; মথায় নুংঙাইতনা হায়রকই, মশাগী মরাল অমা য়াথোকচবগুম্না। "মহাক খায়গা মান্নদবা; অঙকপা মী মওং অমনি; ঐ মাবু উননিংদে।"

"মদু ওইজরবসু-করিসুদি কায়দেদা।"

"নঙনা খঙলিদু মঙাই, ঐদি ইশাগী ওইজবা খল্লী হায়বা...'ইঙো। যোগীগী মরমদা খঙনিংই হায়বা নৎত্রো... অদো... ঐদি... নত্তেঙ পাংজবা ঙম্মোইকো।"

"ইখত্ত্র-চৎলগা উনরুরদি; নঙ থারৌগত্রা ?"

"করিসু থারৌজরোই-নুংঙাইনা উন্নবিরুচো... যোগী-গী মরমদা খঙননবা।"

মখঙগী নুমিত্তুদা ঐ বেঙ্কত্র চৎলে। জলাইগী থাফম অমগীদমক্তা মহাকপু

উনজনিংই হায়বগী স্লিপ (চেজেৎ) অমা পীশিনখি। মিনিট তরামুক্তি মতুংদা চপ্রাসি অমা থোরক্লগা মনুংদা চঙলক্লবা মখুৎনা খঙহল্লকপদগী চঙশিল্লে। মচু তারবা দেক্স অমগী মনাক্তা স্কাইফ ফমদুনা লৈরম্মী। কা অদু মগুণ লৈ-লোইনা মচু তাই য়েংবদা; লাপতক্তা সেক্রেটারী নুপী অমা তাইপ তৌদুনা লৈ।

স্কাইফকী মশক অদু উখ্রে হায়বা নীংশিংলকই- য়েংবদা মহাক বেঙ্ক মেনেজর মান্দবনি, ফাইলগী ৱাখল চঙলমগদবা মান্দে। অদুবু অফবা মেনেজর অমদি ওইরে হায়বগী থাজবা পোক্লমই। প্রমান অমদা শম্না হায়রগা; ফুটবোল পামদবা মীশক অমবু ফুটবোল শান্নহনবদা মীয়াম্না য়েংবা নুংঙাইনবা হায়দুনা পাঙ্গল থোক্লা নিংথিজনা শান্নরবা মীশক অমগুম্বনি।

ঐহাক, যোগী, ফকির অমসুং মহাঋসিশিংগী মরমদা খঙজনিংবা অমসুং হীরম অসিগীদমক্তা মহাক্তি মতেঙ ফংজনবা, লাকচবনি হায়বা মঙোন্দা খঙহল্লমই। মহাক্লসু য়াম্না হরাওনা ঐগী ইতেঙ পাঙবিগনি হায়না ঐগী পৃক্লিং নুংঙাইহল্লি। মাগী চৌকি অদু তুংলোমদা চেপথরগা শিলিং মথক্তা য়েংদুনা ঙাইহাক লৈ, মখূৎকী খূৎশাশিংদুসু নপশিন্নৱা থম্মী। যোগগী ৱাখল পৃক্লিং লুপ্নগী মওং ওইনা ঐনা খনখি- মদুদি নৎলমদ্রে,- ওফিসকী থবক ঙাইহাক কাউথোক্লগা অতোপ্পা হীরম অসিদা মাগী পৃক্লিং লৈশিল্লকপগী মওংনি হাযবা খঙলকই। লৈমায়দা য়েংথরগা হায়রকই- "ঐ করিগুম্বা খরদি নঙগী নতেঙ পাংলগে।" মিস্তর মুন্সী কৌবা নুপা অমা ঐবু উনহল্লগা লমজিংহনগনি তাকপিরে। ৱাফম অসি নত্তবদা মানা হংলকই- "চাক্তি চারব্রা-ঙন্না চাব্রা...পূং তরেৎ ৱাইদা ? ফরে... মদু ঐনা থৌরাঙ তৌরগেকো।"

অসিগী তুংদা ঐহাক, মেফেয়ার হোটেলদা সেব্বীদা পাউতম্বা চৎলম্মী। ঐনা হোসপিতালদগী হল্লকপা মতুংদগী ঐখোয় অনি চাক পূম্না চামিন্নদ্রি... হন্দক্তি অসিদা অহানবা ওইবা তারে। চৎতি কয়া চৎনিংঙদবনি মিস্তর স্কাইফ কী বার্ত্তন অদুদা। মরমদি; নুমিৎ অদুগী য়াচঙবা অদু সেব্বীগা কোয়মিন্নরুগে খনখি ৱাখলদসু নুংঙাইখি- হৌগ্রবদি অশুম্না অমুক হল্লক্লরোই খনবদা...।

অদুবু নুমিৎ অদুগী য়াচঙবা অদুদি; ঐগী ইফমদা মরুদ্যান লৈতন্না শন্দোকখ্রবা মরুভুমী অমগুম্লম্মী অমসুং ঐ ইশানা করম তৌনা লানথোক্কদগে

হায়বদু খল্লুবদা অঙকপসু পোকলমই।' অদুমওইনমক, স্কাইফনা হায়রকপদুদি ঐনা য়াথোকখ্রে। ইথক্তা খনজে, সেব্বীগা লোয়নবদগী কোমথোকপা ঙম্বগী শাজং অমা থম্বসু ফত্তবদি নত্তে; হিদাক (ড্রগ) চারিবা মীশক অমনা মরক মরক্তা চাদবা ঙম্মি হায়বা প্রমান তৌবগুম। অদুবু; মঙোন্দদি ব্রাকম অসি ঐনা হায়দোক্লমদে, মহাক্না করি হায়রক্কদবা; মঙোন্দা করি ওইরক্কদবা হায়বদু খঙবনিনা।

"মদু নঙগীদমক্তদি য়াম্না অফবা ওইরনি।" মায়থোঙ মকা লাম্না সেব্বীনা ফোঙদোরকই। নঙনা পামজবা যোগী কয়ামরুম উনবা ফংলগনি।" মাগী মিৎয়েং অদু নুংঙাইবগী মিৎয়েংনি; অদুম্নদি ওইরগা তশেংনা নুংঙাইবদি নত্তে। মদুসু ঐনা ওইহন্নিংদে। ঐনা চৎখিবদা মহাক্না নুংঙাইতবা করিমত্তা- পোকখিদ্রবদি; ঐনা অমুক্না হেন্না নুংঙাইতবা ওইগনি। ব্রাখল অসি লোৎশিনবগী মওংদা ঐঙোন্দা পরশ পরশ্না হায়রকই-"দার্লিং ! যোগী হায়বসিবু করিনো ?"

"ঙসি অহিং নঙোন্দা শোয়দনা হায়গনি, করিগুম্বা নঙনা ঐগ চৎমিন্নরবদি।"

"... চৎলুগদবা মফমদু স্কাইফ কী মনাক্তনিকো।"

"মাবু অসুক য়াম্না নঙনা হৈনদ্রিবসি করীগীনো খঙদ্রে"

মাগী লেংজুম শুপকত্তুনা হায়রকই–

"মাবু ঐনা ভাবতাবা ঙমদে- নোকনিংবা মীসু ওই... মানা যোগী পামজরুবগীরা খঙদে। চানবিদুনা চৎপিরনুদা স্কাইফকী মতৌগুম্না যোগীগা হায়বদু খনবিরনুদা।"

"ঐসু মাগুম্বা ওইখিবা তারে খনবদা কিবা পোকপ্রা ?"

"হোয়, মদুনি হায়বসু য়াই।" মহাক্না হায়রকই- নোক্লিংবদি পোক্লগা কেথোক্লা, নংশিনা মহাক্তি শোর চিংশিল্লি।

ঐসু-ইশাসে চাউথোকচনা মহাকপু ঙাক শেনবীরিবা নুংশিরিবা মীশক্তি হায়বদু খল্লকপগা লোয়ননা মহাকপু চুম্নীরমই, অদুগা ইথক্তা লাক্লে। লম্বীদা খল্লকই ঐ অনীংবদি কল্লি- খল্লুবদু হোংদে মাবু থাদোকপগী ব্রাখলদি লাকপা য়ারিব্রা ?

মালাবার চিংথক্তা লৈবা মিস্তর খাইফকী যুম অদু য়াম্না মরাঙ কায়না পাক চাওই। ঐনা তোংলিবা গাড়ি অদুনা যুম অদু তাম্না চঙশিল্লকপদা; খাইফ থোঙনাও ময়াদা লেপ্তুনা লৈবা উই। ঐবু উবদা মিনায় অমা থোরক্তুনা ঐবু পুশিল্লে। থোঙজিন্দা ঙাইহাক লেপ্তুনা লৈরিঙৈদা খাইফ থোরক্তুনা হায়রকই- "নঙ য়ৌরকএ।" মানা ঐবু কম্ফম কা অচৌবা অমদা পুরমই। মফম অদুদা লৈরম্বা নুপা অমদা ঐবু শক্তাকই- "মিস্তর মুন্সী ! লাকলিবসি মিস্তর ক্লিননি।" হরাউনা খুৎ শোক্লরে। মুন্সীনা হায়রকই- "য়াম নুংঙাইজরে অদোমগা উনবদা।"

কম্ফম সোফা অদুদা ঐখোয় ফমথনবগা খাইফনা মখুৎ হাইখি। খুদক্তা মীনায়না হুইস্কি পুরক্তুনা হৈরে। তুমিন তুমিন ঐখোয়গী দরকার ওইবা চাং অদু ইঙ্গিত তৌনে। মিস্তর মুন্সী, নোয় নোয় লাওই মখুৎ-মশা পুপ-পুপ লাওবা মীনি—মহাক্তি চন্দ্রা মহি লেমোনেদ থকই। কৈজোম শেংলি, সেন্দল তোংই। মালাবার চিংথক্তা লৈবা ব্রোহিং রুম অসিদা মাদি হৈনদবা মাল্লি। মীনায় নুপা অদু কা অদুগী মরম ওইবা লাপতকপা মফম অমদা অদুম চক্তুনা লৈ। মিস্তর খাইফনা ঐঙোন্দা য়েংদুনা হায়রকই— "ঙসি অহিংদি মিস্তর মুন্সীনা মৌজাল হৈবীবগা লোয়ননা য়াম্না পুক্লিং চঙনিংঙাই ওইরবা পোৎশক থরা উহনবীগদৌরী।" ইন্দিয়ান নুপা অদু মশানা মশাবু য়ানিংদবগুম নোকই- মকোক লুকথে মশাগী খুত্তা য়েংজে। মহাক্না হায়রকই- "যোগীগী মওংদি অসিনি হায়বদু নহাক খঙলগনি হায়না আশা তৌজে।"

"অদোমগী মৌজালনি।" ঐনা খুম্মী।

"মসিগী মরমদা হায়দোকপীশনু...মরমদি; মসি অজাঙবা আধ্যাত্মিককি ওইরনা, ভারতা লাকপা মীওই অমাক্না পুক্লিং চঙই। ঐদি মিস্তর খাইফকী মতৌগুম চপচাবা জানদি লৈজদে। মহাক্তি হীরম অসিদা নিংথিজনা খঙলবনি। মতম য়াম্না চঙগ্রে, মসি খঙনবা হোৎনরকপদা মহাকসু।"

"ওহোকপনি।" খাইফনা হায়রকই। ঐদি যোগীগী মরমদা শরুক থরদনি নৈনজবা। য়াম্না লুবনি অপেংনাক জাননি, য়ারোংশীবা য়াগ্রে, হৌজিক চাক চারসি। ওন্না চংলহৌবনা করে... নক্লনে মুন্সী ?"

চাক চারগা ঐখোয়, টেঙ্গি অমা ফাদুনা লাক্লে, অমনবনি নাকনগী মিংশেলগা অমত্তা য়াওদবা। ঐগী নাকন্দা ফম্লিবা মিস্তর ঋাইফ হায়রিবা নুপাদু মশা পাই-আনোক অচৌবা অমা উপাই। মুন্নীগী অনোয়বা মশাদুদি কার অদুনা চোংলকপদা নুংঙাইবা মাল্লি, মাগী মতোঙ গুঙক্তা গুাইরবা হকচাঙগী মনিল অদু ঐগী হকচাঙদা ফাওরকই। গাড়ী অদুনা মী থৈদোক থৈজিন অমসুং লম্বীগী কোংকুত লৈথোক- লৈশিন তৌরকপা মতমদসু মহাক্কি মখুৎ অনি অদু মতম্পাক্তা অদুম থমই।

ঐনা হংই। "ঐখোয়বু কদায়দা পুরিবনো মুন্নী ?"

"লালা ভিক্রমাগী মনাক্তা কোয়রুসি তৌবনি।" খোনজেল লুম্না ইংলিসনা খুম্মকই।

"আহ ! গ্রান্ট রোদতা কুমথহৌবগা ঈশ্বর উম্রিঙেগী মমাঙদা ফত্তবা লাইয়াম অমুক্তা উহনবিসি মহাকসে।" ঋাইফনা ফাগী ওইনা হায়রকই।

"মদু য়াম্না ফৈ।" ঐনা খুন্মী।

লম্বী অদু অসুম পীকশিল্লকই, মী চিনশিল্লকই। ঐখোয় জগ্গরনাউট (জগন্নাথ) চিংবগুম্না মাঙলোমদা অদুম চঙশিল্লি হোর্ন খোংবা তুকলেপ লেপ্তুনা। মাঙদা উবা মীয়াম মপৈদু, গাড়ী অদুনা লাকপদা; খুদক্তা তংখায় ভংখায় থৈদোক্লগা- ঐখোযনা অমুক চংখৎলকপদা অমুক হন্না পুলহৌই। মৈঙান্দুদা উবা মিং কয়ানা ঐখোযদা য়েংশিল্লকপদু উই।

"য়ৌরে মুন্নী।" ঋাইফনা হায়রকই।

ঐখোয় কুমথদুনা নাকলগী লম্বীদুদা চঙশিল্লকই, ঐ মখোয় অনিগী মতুং ইন্নম্মী-ইশাগী রাখল খনজনা। উরিবা লৈরম্রিবা মীয়ামদু ভারতকী মীওই গুক্তনি। মখোয় লোইনমক্লা মিস্তর ঋাইফ অমসুং ঐঙোন্দা য়েংলম্বগী মরমদি ঐখোয় অনীগী তোপ তোল্লা কুচু অমসুং লকওং অদুননি, অদুবু ঐখোয়মী মরক্তা খোঙবু ওইনা মিস্তর মুন্নী য়াওরিবদুনা ঐঙোন্দা নুংঙাইজবা পোকখি; মদুনা ঐখোয়বু মীতোপ ওইবগী রাখল থোইনা খলহনখিদে। রাখল অমদি খল্লকখি-ঐখোয়না মীরক অদুদা চঙশিল্লুরিবা অদু অরানবা ওইরমদুনা মীয়াম অদুনা ঐখোয়বু চংথোকখিনবা

হায়রকত্রা নত্তগা ময়াম চঙদুনা ঐখোয়বু ফুৰীগত্রা হায়দুনা। অদুম্নদি ওইরগা; মীয়াম অদু কায়িসু অকায়বদি তৌরক্তে ঐখোয়গী ইকমদা... করি অমুক হায়গনি, চাকনিবশিং অদু ফাওবা ঐখোয়গী খোঞ্জেল খরা কনবদা; নিরস্বা মথূৎ অদু হাইথখি। অঙাং ময়াম অদুদি চেনশিল্লকুনা ঐখোয়গী কি পায়রে; খোল্লাও ফুরীংখাওদা হুমজিল্লকই। ঐনা, জাও-জাও হায়রবদফাও ঐগী অকোয়বদা কোয়রাঙ লাঙদুনা লৈ; ঐগী খূৎ পায়দুনা চিংই। ঐনা খূৎ চিংথোকচরগা ঐগী ফুরিংতা নানথোকচৈ, মতুংদদি মহিক মনাই চঙদবা মহি মখল অমা ইকজবদা শিজিন্নরগা চংপনা ফরে খল্লকই। অদুবু অমহানি, অমোংপা, ফত্তবা হৈনবা অঙাংশিং অসিগা; ইকোক কোক্লা ঐগী হুকচাঙগা থেঙনবা, শম্নবা মতমদা; পূক্লিং অসিদা য়াম্না হৈনদবা; তূক্কচবগী বাখলদি পোক্তবা ওমদে।

"জাও !" ঐনা লাওই।

"বাকশিস !- বাকশিস !" মখোয় অদুম হায়দুনা লৈ; মখোয়দা আনা অমমম হেক পিগ্রবদি অদুম চংগ্রগদবনি; অদুবু ঐঙোন্দা য়াওরমদে।

"চলো-চলো !" মুলীনা হায়রকই। অঙাংশিংদুনা মঙোন্দা মুম্না য়েংই, মখোয় চমথ্রে, হিন্দুস্তানিদা অমুক মুলীনা করি-করিনো হায়রকপা মতমদদি মখোয় লৈহৌরে।

"পৃথিবীগী মফম অয়াম্বদা মসিগুম্বসি নঙ পংউ উরোই।" লম্বীগী নাকন্দা লৈরিবা য়ূম কয়াদুদা থূদোনবী খিন্দুনা অইফনা হায়রম্মী। লৈননবা য়ূমসু ওইরিবা দুকান কয়া অদুগী থোঙ-থোঙনাও পুম্নমক শরঙগী মতৌগুম য়োংলীনা খাজিল্লি, অমসুং য়োংলি খরীবা মনুংদা য়েংশিনখিবদা উই-চীন্নাল ঙাংশং ঙাঙনা তৌশিল্লবা, মমায়দা পাউদর থাজিল্লবা অমসুং মনা-মনাতোনশিংদুদা পিগ্রায়গী লৈতেং য়ানশিল্লবা নুপী কয়া-য়ুমগী মথকথংবা মখোল অদুগী থোঙনাও অমসুং বেলকোনিদসু উরি- কমলা মচু মানবা শেংফাংতবা মঙাল অদুদা; মওং তানা উৎলিবা মখোয়গী মশম অমসুং লেংজুম্না অউবা মীবু চঙলকউ হায়না কৌশিনবগুম। করিগুম্বা মফমদনা ঈশে ঙংবগী খোঞ্জেল তাই, মফম অমদনা মখোয় কয়া বাঙাঙনবগী। য়াম্না হয়াও ভয়াম্বগী মফমনি। মমায়দা য়ং তৌগ্রবা

য়ুম অমনবশিংদু অহিংগী মতমদদি মশা-মশাগী ওইবা ফজবা মওংদি অদুম নৈ।

মফম অদুদগী থোরকপদা অমুক লৈরম্নে দুকান কয়া, তল-চা থকফম হোটেল মচাশিং অমসুং মৈঙান্না ফজহল্লবা মফম কয়া। অসিগী মতুংদা অমুক অমম্বা য়ুর্মাশিংগী মমাঙ অমসুং মদুদা লৈবিবা সড়ক মপান্দুদা ফমুং থাজিন্দুনা ভুম্নবীবশিং।

"হৌজিক্তি থোইনা লাপত্রে।" মিস্তব শ্বাইফ-না হায়বকই। "অসিগুম্বা অহিংগী মতমদদি [illegible] ঈবর্বশিংসি কাবিগীনো হাযনা হংলুবা যাদ্রে... যাব্রনে মুক্ষী ?"

"হৌজিক 'বক্রমাগা সেবক যাম্না লৈবা মতমনি।" মুক্ষীনা হায়বকই [illegible]হোঙানবা বাফম অমদা। "মিস্তব ক্লিম্না হৌজিক উবিবা দশাশিংসদগী থেন্নবা অমুক উনানি। খঙদ্রে, ঐখোয়গী মকপ অসিনা খঙনিংলিবা আধ্যাত্মিক লম্বাদা; মফম অসিদা ওইবা তইবংগী থৌদোক কয়া অসিনা অপনবা পীগদৌবিববা কাবিনে।"

ঐখোয় লমহাঙ অ[illegible] য়ৌবক্রে .. লমহাঙ অদুগী কংলবা লৈমায় মথক্কুদা অশাব্বা লমগা নাপীশিংনা হৌগৎনবা হেৎনবী। মপু লৈত্রবা হুইশিংনা কোইদং চং [illegible] কোইচং [illegible] হুন্দুনা [illegible] মীগী হকচাঙ্ক মাল্লবা মী ওই কয়ানা মফম মফমদা পদ্রাক পদ্রাক ফমদুনা অমসুং হংগ্রুন [illegible] উই। হায়াববা মফম অদু শমদুনা ফাওবকলবদা অমুক উবে, শঙ অমা, মওংদ কয়া তাদবা। শঙ অদুগী অকোযবা অদু শম্বল খাজিল্লি, কোম্বোং অদুসু শো লোল্লি। মফম অদু য়ৌবদা মিস্তব মুক্ষী লেপ্নে অমসুং মহাক্কা থোঙ অদু তপ্না তপ্না নোম্নুবদা যোৎকী মবী অদু অমগা অমগা থেংজিন্নদুনা মখোল থোকলম্মী। অহল অমনা তাবমানে; মফম অদুদা থোবক্কুনা য়োৎকি মপাক অনি চীংথোক্লগা ঐখোয়দা মুন্না য়েংলম্মী। মহাক মমিৎ-উত্রবা মী মাল্লি-মমিৎতি তাঙদে। ঐনা-খনবদা, মহাক্কা য়েংলিবদু উবমগনি থাজদে। মিস্তব মুক্ষীগী খোঞ্জেল তাব মতমদদি মহাক্কি শো অদু নমশিন্দুনা ব্রাইখু অদু হাংদোকলমই। মাঙদা উরিবা শঙ অদুগী মাঙ্গোল অদু য়ৌবফাও চঙশিল্লে। থোঙগী অহোবদা

য়েংশিনখিবদা মৈঙাল অমদি উই, খোঞ্জেলদি অমত্তা তাদে, হনুবা অদুনা কোম্বোং অদু লোনশিনহৌবদা থোকপা মখোল অদু নত্তনা।

মিস্তব মুস্সীনা থোঙ অদু তপ্না তপ্না হাংদোক্লগা ঐখোয অহুম চঙশিল্লে। নোয- নোয লাওবা মুস্সীগী মায়খোঙদা মৈঙাল যৈশিল্লকপদা মালাবাব চীঙথক্তা ঐখোযনা উখিবা মহাক্কী মকালাম্মা মোমোন নোকপগী মাযথোঙ অদুদি নৎত্রে। হৌজিক্তি চিক্লা ইঙনা; শেংফাৎতবা মঙালদা উবা মশক্লি। মৈঙাল অদুসু মোমবাত্তিদগীনি অচৌবা সহবগী মঙাল অদু নত্তে।

লৈমায অদুদা মীশক তকক থা-মচেৎ শানা যোগী মাস্তব অদুগী মাইযোক্তা ফম্লম্মী। লশিং নত্রুগা মসলিন্না শাব ফি, হোপ হোপ লাওনা শেংলি। মখোযগী মিৎযেংগী মমাঙমক্তদা ফম্বাক অমগী মথক্তা খোঙ্গ্রায চন্দুনা, মখাঙদা ফি মতং অমত্তং শেংপা যোগী অদু ফমদুনা লৈ। মহাক্কি চপ তিংবা হকচাঙ অদুগী মথক্তা ঙকশম অদুসু যুম্বী অমগুম্না চপ তিংনা লৈ; সোক্রেতিসকী লাইবক্লি হায়বদা পকচববা পাক্তক তৌবা মকোক অদু যেংবদা নুংঙৌনা শাব কনাগুম্বা মীশক অমগী; থবাক্তগী কোক ফাওবগী মূর্ত্তি মাল্লি। মমিৎ অনি অদুসু মার্বলনা (নুংঙৌনা) শাব মান্না; কূপতনা থল্লিবা পা-শিং অদুগী মথক্তা মিৎ-নহা অনীদু মথকলোমদা ওনখত্তুনা লৈ।

মিস্তব মুস্সীনা থোঙ অদু মতুং লোমদা লোনশিল্লম্লগা; ঐখোযবু কৌশিন্দুনা লৈমায অদুগী মফম অমদা ফম্লনবা ইঙ্গিত তৌবকপদা ঐখোযসু ফমথবে। মহাকসু মশা অদু কবি অমত্তা হাই-হুমদনা ফমথগ্রে। মিস্তব স্কাইফ সু মহাক্কা থংননা খুকউ খুদক কুন্দুনা মঙক থাঙ্গৎতুনা ফমখি অমসুং ফিভম অদুদা মহাক্কী খুকউগী শকশিংদু অপাব মহাক্কী খোঙ্গ্রাওদা ইম্বোবকপা উই। ঐসু ফিভম অদু হৈনদনা; মতৌ তম্বদা হকচাঙগী অকম্বা পূম্বা খুৎ অনিনা শৌদুনা পুবগা; যুবী ফিদা অদুগী মথক্তা হকচাঙ অসি নেমশিন্না লৈখি। খোঙ অসি চিংথোক্লুনা ফিভম শেম্লবা হোৎনবদা; তাংতাং অসি চপ তিংখিবনা অনাবা ফাওবমই। অদুবু ঐ পোখাবে; খুৎ অনীসি খোঙ অনীগী মপানথংবা নাকল নাকলদা থল্লে। নঙ্গল অসি খবদি ঙামথৈ, অমুমুক তিংখৎনবা হোৎনবদা য়াংলেন শকদা নাবা

মরন্না হান্নগী ফিভমদা; খরসু নোন্নুকপা উৎপা ওইনা লুকথরপ তৌনা লৈরে।

ঐ, গুরু অদুদা মুন্না য়েংলম্মী। মঙোন্দা য়েংলিবসি ঐতনি, অতৈ অদুদি মাগী মাগী লুপ্নরিবা ব্রাখল অদুদা পুক্লিং লুপ্না লৈখ্রে। মখোয়গী মিংনহাশিংদু গুরু অদুগীগা মান্নদ্রবসু, মখোয়দি ঐখোয়না চঙলকপা অদুফাওবা য়েংলক্তে। মখোয়গী মিংকি পা-শিং অদুদি লেংলকই-শোর হোল্লকপদা। অহানবদা, গুরু অদু শোর হোল্লি হায়বা ঐ খল্লমদে। মৈঙালনা য়ৈরিবা মাগী থবাক্তা মুন্না য়েংশিনবদা, তপ্না তপ্না ব্রাংখৎ- নেমথ তৌবদু উরকই, মিনিট অমগী মনুংদা অমুমুক ওইনা। ঙাইহাক লৈরগা ঐনা খল্লকই যুম অদুদা ঐখোযনা ফম্লক্লিবদু কয়াম কুইরবা হায়না; অদুবু মতম হায়বা লুই, চাউরাক্লা পূং অনিরোম ওইরমগনি। ঐনা খল্লকই, নুংদা হুকপা মাল্লবা মিং অনিদুনা ঐবু তাইবং অসি নত্তবা; মঙলানগী লম অমদা পুরল্লা হায়নসু। অঙকপা ব্রাখল অমা ঐঙোন্দা লাকই-মিং উইশিন্দুনা অশেঙবদু খঙননবা হোৎনরুই-ঐ তশেংনা হায়বা ঙমদে ঐ মঙ মঙলিবরা-মঙদবরা হায়বদু। ঐগী ফৈগন্দা; খোঙউপগী খূনিংনা শৌবদগী নারক্লদুনা তপ্না শৎতোকই- মদুদা; মঙ নত্তে হায়বা খঙলকই। অদুম্নদি ওইরগা; মঙগুম্বা অমদি ঐঙোন্দা ফাওরি, অমরোমদা হায়রগা যু থক্লুবদগী খরা ঙাওরপ তৌবা অদুগুমবা...। মদুমক্কি কোক ঙাওবদুনি ঐঙোন্দা ফাওরিবা... ঐ মিং পাওথোকই.. কনা অমত্তা লেঙলমদে।

থাউমৈগী মঙাল অদুদা উরিবা অঙৌবা মিংনহা অনী অদু থা অনী খমব্রাংননা থোকপা মাল্লম্মী। উরিবা মূর্ত্তি অদু মতম অদুফাওবা মচি লেঙদ্রি। করিগুম্বা অমদি শকফম অদুদগী মপান্দা পাইথোকখিবা মাল্লি, ঐখোয়না অশিবা হুকচাঙ অমা উবদা করিনো অমদি হুকচাঙ অদুদা য়াওদ্রে খনবগুম্না। অদুগা অমরোমদসু; কা অদুগী অচীকপদুসু অশীবগা অমহানি। মফম অদুদা মতমগী খোঙচৎ লৈত্রে। ঐখোয়না শিরবা মতমদা মতম হায়বসি মাঙখিবগুম্না।

অদুম্নদি ওইরগা; ঐঙোন্দা ফাওরক্লিবা মওং অসিদি অচম্বনি হায়বা য়াদ্রে.. করিগুম্বা অচুম্বা অওইবা মশক অমদি ঐঙোন্দা চেনশিল্লকপগুম খল্লম্মী। ঐগী লেংজুম অসিদা করিগুম্বা; নুংঙাইরবা মহিগুম্বা মশক অমা হৈথরক্লগা

হকচাঙগী শকক পুম্নমক চামথোকখিবগুম পূক্লিংদা ফাওই-হেন্না হেন্না নুংঙাইবে। অঙকপা মওং অমগী অচিকপনা ঐবু কোযশিন্নমই। কা অদুদা কযাম কুইনা লৈবক্লবা হাযবদুগী রাখল কাউথোকখি অদুগী মহুত্তা নুংঙাইজবগী রাখল অদু কযাম শাংনা চৎনগদগে হাযবদু ওক্না খনজবা হৌবকই।

অদুবু, মতম অদু ঙাইহাক্তনি: তুম্নবদগী হৌগৎলকপ[illegible]ম্না [illegible]। ঐগী ইশাগী শকক খবদি শেংদোকখ্রে .. থবক্তা ওন্থোকপসু যাবন্দী। ফম্বা [illegible] ফম্নবা শক্তম অদুদা মুন্না অমুক যেংশিনবদা উবে; ভাবতকী অহল ওইবব মশক অমনা রাখল মঙলান অমদা লৃপ্নুনা লৌববদু। হন্না অমুক্তসু চৎনবী অম ওইনা [illegible]ন্দ্রিবা [illegible]হেনদ্রবা, হকচাঙগী মওং অমদা ফম্বদু যাম্না অবাবগী মশাক্র হায়না [illegible]লকই। মুক্শানা ঐহাকপু যানংবগা মওংদা হবাওনা মোমোন তৌবকই, অদুগা লেযনানা ঐখোয লাকামিন্নবা মতমদা মখাক্তা টে ক্লদা চোংশন্দুনা মমাখবা, অমসং মিস্তব স্কাইফনা মহাক্ক ইস্তর্ন ইস্পাযাব বেক্কতা মাগা সেক্রেটাবিগা লোযনানা লৈবন্না পুম্নমক অদু নিংশিংলর্কাং। এ ইশাগী রাখলদসু, কাবিগুম্বা ঐনা তৌববা মওং মসাপতব, মার্ভেন অমসুংম ব[illegible]না ডবম্বা খে[illegible]ক্লবাদ ওন্থোক্না নোকখ্রান খল্লন্ম। খল্লবদা থোহদোক্না নোকা[illegible]বস্ন পোকই ঐগা অচিকপা মতমদুদ লম্বোহবা অদু[illegible]। আত্মানা এঙোন্দগা ইশাগ [illegible] কযা ইত্রোক্তুনা থম্বীত্রগ [illegible]দু অভোম্বা মাল[illegible] অম[illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] লেঙলক্লমদ্রবাদ [illegible] [illegible]না মপানা [illegible] খোক[illegible] মগদব ... [illegible] অনাবা ক[illegible] [illegible]। [illegible] ... [illegible] স্কাইফ [illegible] [illegible]গা মপান্দা [illegible]বিবা [illegible].. হাবাল [illegible] লৈতবা মীওই ক[illegible]না [illegible], [illegible]শিংনা কোযচে[illegible] চেন্দু[illegible] [illegible]। অহ [illegible] মফম অদুদা ঐসু কোন[illegible]চৎ [illegible] মখোযবু ঙাইবমগদবনি। মখ[illegible] তম্মা ওইবব[illegible] মপানগী অদুনা পুন্সিনি অদুগা মনুংগী অদুনা শিবনি. .মখোযনা পুন্সিনি হাযজববসু। পুন্সিনি হাযবগবু [illegible]গজ হোটেলদা চাক চাদ্রবা, পিতবগা রাবী শাদ্রবা, অনৌবা মীশক কযা খঙনদ্রবা... ঐগী সেব্বীগা নুংঙাইনা মতম লেনমিন্নদ্রবদি কবিনো ?

অসি খন্না-খন্না; খঙহৌদনা মী-পুম্নমক লেঙনবকই-চপ মান্ননা পোথাবগী রাখল লাক্লবগুম্না। ঙসাইমখৈ মচি লেঙঙুদবা বিক্রমা গুকগী মমিং

অনিদু লেঙলকই। পা-অমুক লেঙলক, মমিং লাওথোবকই, মিংনহা মুরকই। শোব হেল্লক্লে, উল মনুংদা থমজিল্লুবা মানবা মখুৎ অনীদু লেঙলক্লে।

মিস্তব মুক্সী; ঐঙোন্দা য়েংলক্লগা নোকলকই। স্বাইফনা সিলিংদা যেংখত্লুনা লৈবি; মচিন্দী কাথোবক্তে। ঐনা খল্লুই— "আহ !" হায়বক্লনি অদুবু মহাক্কী খোনজেল অদু ফোঙদোকখিদে। সেবকশিং অদুনা গুক অদুদা [illegible]য়েংলম্মা; গুকদুনসু লৈবিবা মযামদু কোয়না য়েংলমই। ঐহাক ঙক্লমই, মহাক [illegible] মাল্লবা ! ঙসাইমখে মহাক্কি রাখল মঙলান অদুদা লুপ্লিঙৈ [illegible] ইাঁজক্কা কযাম খেগনবা কযাম [illegible] ফবা মাল্লবা।

মহাক্ক [illegible] য়েংনা ইঙ্গিত অমা পীবল্ল-বদা সেবকশিংদুগী মবক্তগী অমনা, [illegible] মনাক্লুন্দা চঙশিল্লগা নকশিল্লা ফল্লমই। [illegible]দুগী লাইবিক মযেক ইবা [illegible] অমা লৈ। মহাক্লা হায়নিংলিবা রাহৈশিংদু উপাক অদুদা ইবিবা ময়েকশিংদুদা [illegible]গা [illegible]নবানা চ[illegible]না তাকই। ঐ নিংশিংলকই, [illegible] বিক্রমাদি রা-ঙাওদবগী [illegible] লৈখ্রবা খ্যান হায়না ঐঙোন্দা হায়বকপদু। ম[illegible]ক্লা লৈবিবা সেবক অদুনা [illegible] নাহৈদু হায়বক্কদৌবিবনি। শিষ্য অদুনা [illegible] ঙাওলকই, ঐঙোল্লোমদা [illegible]। ঐ খঙই, মহাক্লা হায়বিবদু ঐঙোন্দান হায়বা; রাহৈশিং অদু ঐনা [illegible]

মিস্তব মুক্সীনা ইংলিসতা মচা খাযনা বাহল্লোক পীবকই- "ঙসি [illegible] নাশক অমা মফম অসিদা লাকপিবসি ঐ যাম্না নুংঙাইজে" গুক অসিনা হায়বী।

মাগী বাবহাবগী রাহৈশিংদু যানিংনা লৌশিঞ্জবা ওইনা ঐগী কোক লকহনম্মী। মথঙদা অমুক হংলকই-ঐনা লাক্লিবা অদু চুম্নগী যেংবা লাকপবা নত্রগ্গ অচৌবা, অচুম্না মশক অদুবু ফংননবা থিবা লাকপ্রা হায়না। অনিমক অদুগী শকক খব-খব যাওবে হায়না ঐগী অচুম্বদু উৎচনা খুম্মজে। হন্দকমুক্তি মিস্তব মুক্সী যাওদনা হিন্দুস্থানিগী মান্নবা রাহে থিজখি। মিস্তব মুক্সীনা ফোঙদোকপদা শমজিন্দে; ঐগী অনিঙবা অদুগী মথক্তা মশাগী মোতসু হাপচিল্লি। মহাক্কী খোনজেলদা মিনুংশি যাম্না য়াওবা মাল্লি। পুম্নমক অদু খঙবগুম্না; খদাঙগী মকোয

পূমম্তৌ ভৌরবা লালা বিক্রমা মকোক নোমলকই। মিকুপ অমা-অনী বাখল ভৌরমগা মকোয় অদু মথূংনা নায়-নায় ঐঙোলোমদা বাখল চঙনা মুম্না য়েংই-মকোক্তি অদুম নোমই। মহাক্কী বিচারদা করী হায়রকদৌরিবনো হায়বদু, শেককশিং অদুনসু মঙোন্দা য়েংনা ঙাইরম্মী। মহাক্কি মিংয়েংদি য়াম্না শিংলবা সোক্রেতিক্কি মিংয়েংনি, মহাক্না হায়রকপদা ককপসু য়াদ্রবনি। ঐসু লাংতক্লনা ঙাইজে, করিবু ঙাইরিবনো হায়বদুদি খঙদ্রবসু...। ঐগী মাঙনবা ফত্তবগীসু ওইবা য়াই, থবায় কনবিবগীসু ওইবা য়াই- অনী অদুগী মরক্তা অমদি থাজরে-শোয়দনমক্কি মহাক্কি বাহৈশিংদুনা ঐগী পূক্লিংগী খল অসিদা লুমথবদি ওইরনি।

অকোনবগী ওইনা, গুরু অদুগী খূৎশা অদু লাইবিক মযেক মথক্তুদা অমুক চংলম্মী, লোয়ননা সেবকশিং অদুসু মমিং কূপ্তুনা ময়েক শিংদুদা য়েংলম্মী। লাউথোকরকপগী তাঞ্জা লাক্লে; মিস্তর মুন্সীনা অহমশুবা মীশক ওইনা হায়রক্লে। "মাস্তর (গুরু) অসিনা ধ্যান তৌবদা নহাক্তবু উই, নঙগী বাখল তোই, নঙনসু মহাক্তবু নপূক্লিংদা খল্লি। নহাক আধ্যাত্মিক্কি সংসাব অসিদা চঙলগে হায়না চপচানা নপূক্লিং লুম্নদি ওইদে; চীংনবগী বাখলদা নশাবু হেন্না থৌনা হাপ্পি, অদুনা নঙগী পূক্লিংনা অয়োয়বা নুংঙাইবগী মশক ওইবা অচুম্বা অদুদা পূক্লিং লূপত্রবদি মহাক্না নংগীদমক্তা করিসু তৌবীবা ঙম্লোই। অসিমসু হায়রী নহাক্না হংনিংবা বাহং লৈরবসু মহাক্না হয়াউনা পাউখুম পীগনি।"

"হম্বুবা পুন্সিগী মওং অমদদি নুংঙাইবসি ফংবা ওইথোক্তবরা ?" ঐগী বাহং অসি মথঙ-মথঙ অমুক গুরুগী পূক্লিংদা চঙখিবদা খুদক্তা পাউখুম খঙহল্লকই। মদুদি, তশেংনমক য়াম্না নুংঙাইবা ফংনিংঙাই লৈ; অদুবু বাহং অসিগী পাউখুম ঐ ইশানা খঙনা-খঙনা করিগী হংলক্লিবনো হায়বদু ঐঙোন্দা অমুক হংলকই। মহাক্লদি শেংনা মরিকচুম্না খুম্নিংই অদুবু হকচাঙগা মরি লৈনবা যোগদা ঐনা পূক্লিং চঙদবনিনা অমসুং হকচাঙগা মরি লৈনরীবা অশনবা কয়ামরুম্বু পূক্লিং অসিগী লম্বীদগী লৌথোক্তবনিনা, ঐনা চংলিবা খৃষ্টিয়ানিতিগী নিয়ম; মহাক্লসু বাংনা লৌজবা লম্বী অদুদগী ঐগী পূক্লিংবু অমুক লমকাঙনহল্লিংদে। ঙাইহাক্তং অমুক গুরু বিক্রমাগী খূৎশাশিংনা ময়েকশিং অদুদা চংজি। মদুনা

খওহল্লকপদি-হায়া মতম অমদা বৃত্তিসকী মীশক অমা মহাক্কিদা লাক্লগা মপূক্লিংদা লৌনম তৌনা ব্রাহং কয়া হংখিবা অদুগুম্বা ঐনা হংদবগীদমক ঐহাকপু য়াম্না শেনবী হায়বসিনি। অকোনবদা মহাক্লা হায়রকই- অতে অতোপ্পা ব্রাহং অমুক মঙোন্দা হংনবা লৈত্রবরা হায়না।

"লৈজদ্রে; ঐনা খুম্মী। ঙসি ঐনা মফম অসিদা লাকচবা অসিগী মতমচূপ্পা নীংশিংনিংঙাই ওইবা অতেনবা পাউতাক অমত্তংদি পামজে মদু নত্তনা; করিসু লৈজদ্রে।"

বিক্রমা অদু ঐনা হায়জবা অসিদা লাংতক্লবা মাল্লি-ব্রাখল তৌনা মকোয় নাল্লি-মুন্না য়েংই। ঐসু মাগী মমিৎতা মুন্না য়েংই অদুবু মানা য়েংশিল্লকপা অদুদগী লৈথোকপা ঙমলমদে; মিনিট খরদি ঐগী মিৎয়েং লৈথোকনিংবগী ব্রাখল অদু খাঙদুনা শিংনবগুম মহাক্লা মিৎচানদুনা লৈখি। ঐহাক খঙলকই, ঐহাক্কি থৌনা না মঙোন্দগী মিৎয়েং থৈদোকপা ঙমদ্রে-মহাক্কী মমিৎনা ঐবু নমদুনা মঙোন্দা য়েংহন্দুনা লৈবে। মহাক্কি শক্তিনা ঐহাকপু নমথৈ হায়বসে খঙলক্লমই অমসুং মিৎয়েং অদুদা থৌজাল অমা য়াওরী হায়বা অদুতা নত্তনা ইশামকসু মঙোন্দা থাদোকচবগী ব্রাখল ফাওরকপদু খঙলম্মী। খঙহৌদনা ঐগী মিৎয়েং অদু লৈচিল মরক্তা চৎখিবগুম ফাউরমই, অমসুং লৈচিল মরক্লদা অরঙবা য়োংকি মখুল অনিনা য়েংলকপগুম্না ঐগী থোপ্তা চঙলক্লম্মী। মথঙগী মিকুপ্তা য়োংকি অরঙবা মখুল অদু মাঙখ্রে- লোয়ননা ইচায় চাইথোরকপা লৈচিল মরক্লদা গুরু বিক্রমাগী সেবকশিং অদুগী খোঞ্জেল তারকপগা মিন্তব স্কাইফসু ব্রা ঙাঙলক্লমই। গুরু অসিনা নহাকপু য়াম্না শক্তি লৈনা হায়রী। শক্তি অসিননি নঙোন্দা নুংঙাইবগী পাঙ্গল পীগদৌরিবা... অদুবু তশেংনা পূক্লিং চঙউদ্রবদি শক্তি অসি শিজিন্নবা য়াদে হায়বসিনি। মসি শিজিন্নবা মতমদা য়াম্না ব্রাবা-য়াম্না নুংঙাইবা অদুম থেংনগনি-ব্রারকপদা নঙনা খনগনি মদুদি মশানা ব্রাফম থোক্লবনি। অসিগী মতুংদা ঐখোয় অহুম হৌগত্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা খুৎ-জুর তৌরম্লগা শঙ অদুগী থোঙলোমদা লাক্লে। মপান থোরকপদা অইঙবা নুংশিংনা হুল্লমই, অমসুং অইঙবা নুংশিং অদু শ্বর হোনবদা চিংশিল্লি। নাহারোল কয়াদগী মাস্তর (গুরু) অদুবু চেকশিন্না ঙাকজিবা হনুবা অপিকপা অদু থোরক্লনা থোজ্জালগী শো লোনশিলহৌই।

"ফরেকো !" মিস্তর ম্বাইফনা হায়রকই। "মহাক্কি মরমদা নও করি খল্লি।"

"য়াম্না নুংঙাইরে, ঐগী পূক্নিং পেল্লি।" ঐনা হায়। "অদুমওইনমক; মানা হায়রিবা অদুদি মীপুম খুদিংমক্তা অচুম্বা ঙাক্তনি, নত্ত্রনে ? ইশাবু নুংঙাইহনবগী পাঙ্গলদি ঐখোয় পূম্নমক লৈবা নৎত্রো ?"

(১৭)

ঐখোয় টেক্সিদা হল্লক্লে, তোলেদো যৌবকপদা মিস্তর মুক্সী থম্বাবম্লে। থোঙনাউদগী য়েংবদা মহাক্কী মাইথোঙ অদু ঙাল্লি-ঙসাইগী মোমবত্তি মঙালদা উবদু নত্তে; অরঙবা মৈঙালদা উবনি। থৌজাল হৈবা মহাকপু ঐনা থাগচে, মহাক ব্রাহ্মনি, পণ্ডিতনি মখৌ চিনজবনি; নুমিৎ অদুগী য়াচঙবদগী অহিংফাওবা ঐগী থবক্তা পূক্নিং চঙজখিবনি। মহাক্না হায়দম্মী- "মশিদি করিসু লৈতবা খবাক্না ঐবু থাগৎপিগনুদা।"

ফৈজোম অক্টৌবা শেৎপা মুক্সী অদু চঙহৌববা মতুংদা মিস্তর ম্বাইফনা ঐঙোন্দা হায়রকই- "ঐগীদা চৎলুখিসদনা অদুগা করিনোমদি থকমীন্নর্কসি।"

"যাম নুংঙাইজবে অদোম্বু থাগৎচবি অদুবু ঙসি অহিংদি তৌবনুসি।" ঐনা হায়জে।

"করিগীনো ?" মান। করিসু থৌশাদনা ঐঙোন্দগী পাউখুম পাম্না হংজিল্লকই।

"হৌজিক থেঙজিল্লক্লে।" ঐনা হায়।

"তরামাথোইফাও তাদ্রি-মিনিট মঙা ম্বাংলি।"

"অদু ওইরগা-ফরেনে করিনো'মা হেক্তা খরা থুনা থক্লসি।" পুংশিং অদু ঐ খঙই, অদুবু মানা তকশিল্লকপদা মাইয়োক্লবা পামদবদগী ঐনা ফরে হায়খি... মানা থোইদোক্লা নুংশিবগী ব্রা নত্তে; মানা থৌশাদবা নুপী অমবু

ঙাইহাক্কি ওইনা হায়শিন্নবগুম্বনি। অমরোমদা অমুক খল্লি মহাক মথন্তা লৈহৌবা কিরবরা ?

অসুম্না, মাগী লৈফমদা লাক্লে। মহাকপু ঙাইদুনা লৈজরম্বা মীনাই অদু তাম্থোকপিশ্লগা; ঐবু মাগী ড্রোইং কমদা পুশিন্দুনা ফমহল্লম্মী। থীন্দে, মহাক ঐহাক্কা মায়োক্লনা ফমদুনা হুইঙ্খি থকপা হৌরক্লম্মী। ঐনা তাবদা ভাব তাবা ঙমদবা রাফম কয়াগী মবক্তা যোগ-গী মরমদসু-কয়া অমা ঙাঙবা হৌরক্লে। মবক মবক্তসু ঐহাক অসে মনাক্তগী চৎশ্রবরা হাযদুনা মমিৎ অদুনা হুৎ হুত্তুনা যেংলকই অমসুং মশা মথন্তগী ওইবা মরমদা নাপল তৌনা তৌনা ঙাঙই। যুনিভার্সিতি অমদা মহে্ তম্লক্লবা নুপানি, মদুসু মহাক খঙজে। ঐগী মকপ ফেনবিক লোমদা খনজিল্লুবগনা মহাক্তা খজিক্তংদি মচু তাবা ওইগনি। ফিলোসোফিগী মতাঙদদি ফেনবিক্তা এ-বি-সি লোয়না খঙই হায়বা যাই- অদুগা যোগ-গী হিবমদদি মিস্তব হেদলিনা তাকলকপা অদুগুম্না মহাক য়াম্না হৈশিংবা মীনি। যোগ শান্নবদা ওইগদবা হকচাঙগী ফিভম কয়া কার্পেত মথক্তুদা ফম্লগা ঐঙোন্দা মখল শুনা মানা হৈজ্জবা উহল্লি।

অমবোমদদি মহাক্কি হুইঙ্খি অদু থকপা লেপত্রি। ঐহাক মফম অদু থাদোকপা পাম্লমই অদুবু উপায় লৈতবনিনা মহাক্কা লোয়ননা হুইঙ্খি অদু খরদি থক্লে। মহাক্তি চপচানা পঙথরক্লে, মঙোন্দা রা ঙাঙবা নুংঙাইরে। মহাক্লা হৈনদবা থবকশিংগী মরক্তা বেক্কসু অমনি হায়রকপদুগা লোয়ননা মশানা ফোঙদোকচনিংবা ওইনা সেব্বীগী মরমদসু রা ঙাঙবা হৌরক্লে। মানা হায়রকই- "নঙ জাপানীজ লোল তম্মিবা নংত্রো ? হানাকো-বু নঙনা করম হায়না খল্লি ?"

ঐ খঙদবা শাজিন্নরমই- মঙোন্দা হংই "মিস রৈবু নত্ত্রা ? 'মা য়াম' ফবা ওঝানি, মহাক্লা তম্বিরিবা রাহৈশিংদুদি য়াম্না ফজমল্লি-সিফায়শিংদদি কয়া...।" ঐনা হায়।

"অদুবু ; মী অতৈনদি মাবু করম হায়না খনগে হায়বা ?"

"মাগী ক্লাসতি লোইনা নুংঙাইনে।"

মহাক হৌগত্তুনা চুকট অমা চল্লে, অদুগা কা অদুদা কোয়চং চংলি। "মাবু মশক মুন্না খঙব্রা ?" ঐনা হংজিল্লি। সেব্বীগী ময়মদা মিস্তব স্বাইফ-কা ৱারী শাবদি পাম্দবনি অদুবু খঙনিংবা অমদগী ৱাফম অদু অমুক থৈদোক্লবা হোৎনকদ্রে।

"থাঙ্গৈমকশেংনা মাবুদি ঐনা মুন্না খঙই- য়াম মুন্না।" য়ুঙাউববগী খোনজেলদা মহাক্না হায়বকই।

"মফম অসিগী হৱা-নুংশিৎসে, মহাক্কি হকচাঙগা চানদমাল্লে হান্নদি।" ৱাফম অসিদা মহাক্কি পূক্লিং চঙদবদু ঐ উবা ফংলম্মী।

মানা মখা অমুক তাবকই- "মহাক মশক্তি য়াম্মা ফজবনি।" অসি হায়না ঐঙোন্দা, ৱাফম অমা খঙবগুম মুন্না য়েংই। ঐনসু খল্লি, ঐবু মানা পুবক্লিবসি, মপুক্লিংদা লৈবা চীংনবা অদুগীদমক্তনি হায়না... মহাক্না হায়নীংবা মাল্লি; সেব্বীগা ঐখোয় অনীগী মবী অদু থম্বা শুকয়া য়ারোই হায়না।

"মহাকপু মশক ফজদ্রনে ?" ৱাফম অসিগী পাউখুম পাম্না, মানা ঐঙোন্দা হংলকপনি।

"হোয়, ফজৈ হায়না খল্লি-।"

"ঐনা মাবু য়েংশিন খোৎচিল্লিবনিনে... খঙব্রা ?"

"মদুদগী হেন্না ৱাবসু লৈবমগনি।"

"দবরেস্তন হায়বা মাগী গার্জিয়ান অদু ভারত্তা লৈরম্মী; ঐহাক্না লুনা তিন্নবা মকপনি। মাবু খবা য়েংশিনবিয়ু হায়বসি, মানা ঐঙোন্দা হায়বম্বনি।"

"হোয়, অচুম্বনি!" ঐনা হায়।

"মহাক অসি অঙকপা লৈশাবী অমনি।"

"মহাক জাপানীজনি।"

"হোয়নে-হোয়নে।" মানা হায়। জাপানীজ নুপীশিংগী ময়মদদি পূক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ময়ম য়াম্না লৈ, ঐদি মখোয় কয়ামরুম খঙনে।"

মতম অদুফাওবা মহাক লেপ্পি। তেবলদগী গ্লাস অদু লৌননবা লূকথরকই, অমুক লেপখৎলকপদদি; মশাগী খল পুবা গুমদবদু ঐ খঙলমই; অসিগা লোয়ননা ঐবুসু নিংশিংলক্কে অমসুং সেব্বীগী মরমদা ঐনা করি খনবা হায়বদুসু মহাক নিংশিংখিদ্রে। অদুগী মহুত্তা মশানা মশাবু খনজবা অদুতা গাত্তলমই।

ঐনা অমুক্কা হায়-"হানাকোদি য়েংবদা শুমহৎপগী মশক্তি-কনাগুম্বনা মঙোন্দগী হেল্লা ফবা মরূপ অমা ফংবা ম্রাগনি।"

ঐ হৌগৎলে। "ঐ চৎপা তারে; নোংয়ায় য়ৌরে।" ঐনা হায়খি।

"ঙাইখোনে-ভাষ তাবা অঙাং ! ব্রারী ঙাইহাক শাখিসি...হানাকোবু শকখঙবা মী অমগা ব্রারী শাবা পাম্মিনে ঐ।"

"ঐ হয়রগে।"- ঐনা খুম্মী।

"মতম লৈরি হাইব্রানি, হইক্কি অমগা থকখো... ঐ খঙই, তেলিকোন্দা মাবু কৌবা য়াইনা... ঐসু মঙোন্দা ব্রারী শানিংই..... মাগী ছাত্র অমা লৈ হায়রগে... কোন তৌরসিন্না মঙোন্দা।"

"হৌজিক্তি থেঙমল্লে।"

"য়াদি করিসু বেরা লৈরোই... ঐগী ইথৌনিনে মাবু য়েংশিনবসে।"

"করিগুম্বা ঐনা নঙ ওইরব্রা অরবদি, মাবু তেলিকোন তৌরোই ঐদি।" মাগী চিনথক্তা খুম্মী।

"করেনে, নঙনা জাপানীজ লোলদা মাগ ব্রারী শারসু য়াইনে।"

"শারোই- ঐ চৎলনি।"

"ঐনা খনবদা, মাবু হৌজিক কোন তৌবা য়াই।"

"অনুকনাওবা ওইবা য়াইনা- ত্রেকফাস্ত মতম ফাওবা।"

"হৌজিক তৌবনা করেনা।"

মাখম অসি মতোন্দা কাকপিরগনে হায়দুনা অতোপ্পা অমনা পুনিরকে...

ঐনা হায়... "ঙসি নুংদাং অদোমগা লোয়নজরবা অসিগীদমক য়াম্না থাগচ্চরি:- খঙনিংঙাই ওইবা মচাক কয়া ঐ খঙজরে।"

"লম্বী চৎপা নুংঙাইনবা গ্লাস অমদি পাইখো... সে...।"

"হুং... ঐ চৎলনি।"

"অদু .... হানাকোদি কমদৌবা ?"

"ঙসি অহিংদি য়াররোই-হয়েং মা, ঐগা ক্লুলদা উননি।"

ঐ, থোঙজিল মনাক য়ৌনবা লাক্লে, মহাক্কি গ্লাস অদুদা হুইস্কি হৈজিল্লগা ঐগী ইতুং খবা ইল্লকই। মহাক তেলিফোনগী রাখলদু তোকখ্রে- হায়না খল্লি।

"ফবে, থেঙদ্রিদা... অমুক লাকউ লাকনিংবা মতমদা হেক্তা কৌবকউ।"

"থাগচ্চবী-অদোম্বু য়াম্না থাগচ্চরী।"

ঐগী লেংজুমদা পোপ-পোপ থারম্মী মাগী মহৌশাগী মওং নত্তবদা অফবা মীওইবা অমগী মতৌগুম্না ঙাঙথোক্লবা হোৎনবম্মী।

"কাযনবশিকো ইবুংঙো, মানা হায়রকই। কাউনুকো হেক্তা লাকউ।"

মহাক মাঙ্গোল্দা লেপহৌরে। ঐসু গাডী পার্কিং অদু ফাওবা খোঙনা মাইল মখায অমরোম লাকলম্মী। গাড়ীগী বেকসিংতা তৃমলম্বা গাড়ীরালা অমা হৌদোক্লুনা মেফেযাব হোটেল ফাওবা চৎসি হাযকবদা মমিৎ নোইর-নোইবদুনা হাযবকই- "লুপা মঙা, সাহেব" মাগী লুপা মঙা পীগনি হাযবদগী মাগী শগোল গাড়ী অদু থৌরক্লে, থৌন-থৌন মখনাওদগী খাক-খু তৌনা লোক খুদোকই। অইঙবা নুংশিৎ মরক্লুদা ঙাইহাক গাড়ী মথক্লুদা ফম্না ফম্না অহিং অদুগী নোংয়াই মতুং পূং অমরোম তারকপদা ঐ মেফেয়ার হোতেল য়ৌরক্লমই। ড্রাইভব (গাড়ীরালা) অদুদা লুপা মঙা পীরে-মহাক হরাওজে, মরায়বক ফরে খনবগুম।

হোটেলগী হোল মনুংদুদা পবপ-পরপ চঙশিল্লি, অহিংগী চৌকিদার ফম্লিবা ফাল অদুদা অমুক য়েংলুদনা; মহাকসু ঐবু উখিদে। সিডি অদুদা চেনখৎলক্লুনা সেব্বীনা লৈবা কাগী থোঙ অদু তাক-তাক থীল্লি। থোঙ্গেল অমত্তা খুমলক্তে। থোঙদি লোল্লমদবনা ঐ তপ্না চঙশিল্লে। ফম্মুং ময়াগী তেবলমচাদুদা

তেবল লেম্প অদু ঙাল্লম্মী; অদুবু অঙৌবা কাংখল অদুনা ফমুংগী অকোয়বদা য়েপশিনবনা মহাকপু উবা ঙম্লমদে। তপ্না ফমুং মনাক্তা চঙশিল্লগা কাঙখল অদু হাইদোক্লুবদা; সেব্বী মিংশেং খাঙদুনা ফম্লম্বদু উরে। মহাক য়াম্না ফজনা কেরম্মী; লোয়ননা তেবল লেম্পতগী লাকপা মৈঙালনা কাঙখলদা ফাওজিন্নরুগা মহাক্কি খ্রাউথাঙনবা মমিৎ অনিদা তাবদু থোইদোক্না নুংশিবা হেল্লি। কোয়রাওনবী মমিৎ অনিদু করিসু খঙজদবা; করিসু তৌজদবগুম্না উই। মহাক্কি মিংয়েং অদুনা ঐবু শাওরিবরা হায়বসু খঙদে, নত্তুগা ঐনা হল্লকপা অদুদা নুঙাইজবরা হায়বসু খঙদে।

মনাক নকশিন্দুনা ঐনা হায়খি-"নুংশিবী নঙ শাওরবরা ঐবু ফত্তবা মী ওইনা খল্লবরা ?"

"নঙগী সেব্বী, কাউথ্রমানে খল্লুরে ঐদি।" মানা খুল্লকই।

"অদুম্না খল্লনু।"

"ঐদি খল্লি- শেংনা খল্লি।"

ঐ খোঙউপ লৌথোক্লে, ফমুংদা কাখৎলে- কাঙখল মনুংদুদা মহাকপু নুংশিনা কোনশিল্লমই। কাঙখল মনুং অদু, শোর হোনবদা খরা নুংঙাইত্রবসু ঐখোয় অনিগীদি য়াম্না নুংশিবা মফম ওইখি; কা অদুদা লৈরিবা ভিক্টোরিয়ান মতমগী য়েংবদা নুংঙাইতবা লৈত্তেংগী পোৎ, ফম্ফম চাফম অমদি উপুনচিংবা কয়া অদু অমুক খল্লুদনা। মহাক্না হংলকই- "যোগী হায়বদু করম করম তৌগে ?"

"য়াম্না নুংঙাই-" ঐনা খুম্মী।

"নঙসু যোগী ওইদৌরিব্রা ?"

"ওইরোইয়ে। ঐনা খুম্মী। ওইনিংঙায় মরমসু লৈতে, মরমদি ঐনা ফংবা য়াবা আধ্যাত্মিক্কি নুংঙাইবা অদুনা; হৌজিক ঐনা সেব্বীগী নাক্তা লৈরগা; মাগী পিক্তকপা মখুৎপু ঐনা চেৎনা পায়শিল্লিবা অমসুং ঐনা শোর হোনবদা চিংশিল্লিবা নুংশিরবা পরফ্যুম মনম্ন অসিদগী অমুক হেন্না নুংঙাইবা ফজবদি ওইররোয়।"

মাগী মনাক্তা পেনসিল অমগা নোট বুক অমগা লৈরিবদু উরে, মঙোন্দা হংই- "করি ইরিবনো ?"

"হয়েং তৌগদবা পারা ।"

"হেক্তা হায়জীল্লি, পারাগীদমক নঙনা পীজীন্নবা লাইরিকুদি মসি নত্তে।"

"হোয়-সিদি করিনো অমনি।"

"সিদি দায়রীনি, জাপানীজশিংনা দায়রী লোইনা শিজিন্নে-নভ্রা ?"

"দায়রী থম্বা য়াম্না নুংঙাইনা...নুংঙাইবা থৌদোক কয়া নীংশিংবা ওই।"

"নঙগী নুংঙাইবা থৌদোকশিংদু অমুক্তা য়েংগেনে।"

মহাক্না থুনমক লাইরিক অদু মোন-মখাদা ইনশিনখ্রগা, মোন অদুদা মশানা ঙাশিল্লি। "য়াদেয়ে, য়াম্না অয়োনবনি।" -মানা হায়।

"ঐঙোন্দা য়েংহন্দবা য়ারোই।"

"নঙ খোই চোপতৌরিকো!"

"করি হায়বা ?"

"নঙনা তম্বিখিবা বাহেনে ইবুংঙো...। সালমন কানবা খোই চোপকনি হায়দুদি। নঙগী মরমদা ইথ্রা কজবা বাহে য়েংনিংবা নংত্রো ?"

"মদুনে ঐবু তশেংনা নুংশি য়ামদু খঙনিংবা।"

"নঙোন্দা হায়রিসিনি, অদুম খঙ'য়ারপোংনি- নুংশিবা ইবুংঙো নঙবু মতম চুপ্পদা নুংশিজে... আ... থম্মোয়নুংদগী... মশি খক্তনি ঐনা ঙমজবসু... । হৌজিক ঐনা নঙোন্দগী খঙনিংবদি থিক্তর মাইকৈগী মরমদনি। মহাকপু কৈ হায়না খনত্রনে ?"

"ঐনা খনবদা মহাক, খরা করক তাবা নুপানি।" ঐনা খুম্মী।

"ঐগী মরমদদি করী শাত্রো ?"

"[illegible] পাই।"

"মানা করি হায়দে অকুপ্পা হায়বীনু ?"

"নঙবু মানা যাম' কচ্চে হায়।"

"হায়রম্মোই, অদুম হায়না; করি হায়রক্কে অমুক্তা হায়বীয়ু।"

"নঙবু চেকশিন্না শেন্নবসে, মাগী থবক্কি হায়রকই।"

"চানবিদুনা... অতৈদি হায়রক্লা হায়বা ?"

"থোইদোকপা হায়রক্কেদা...।" ঐনা হায়রম্মী।

"য়াদে করিসু, ঐ খঙই- নঙনা হায়দোক্কবনি; মানা হায়রকপদু হায়দোকপীরবদি; ঐগী দায়রি মচা অমা উহনগনি।"

"ঐ, য়াম্না শেঙনা হায়রীশিনি করিসু থোইনা হায়রক্কে হায়রানি।"

"নুংশিবা ! নঙ পৃকচেল পীকশিল্লি।"

"মানা অতে করি হায়নিংঙায় লৈগেনে ?"

"করিসুবুদি লৈতে, অদুবু অতে হায়জিল্লকদ্রা হায়দুনা কিবনি।"

"করিগী কিদৌরিবা ?"

মহাক করিসু খুন্নকলমদে; অদুম্মদি ওইরগা মহাক্কি মিৎয়েংদা মপৃক্কিং নুংঙাইতবগী মমি তারকপগা লোয়ননা শোর তপলপ্পা হোল্লগা, মমায় লৈথোক্কুনা লৈখি।

"কৈদৌরে ?" ঐনা হংই।

"নুংশিবা ইবুঙো ! মানা অতে হায়রক্তবা অচুম্বমকলা ?"

"হায়রক্কে, থাজৈমকশেংনা।"

"অদু ওইরদি, করিসু বেরা লৈত্রে।"

"বেরা লৈ, নঙনা শেংনা হায়দোক্কদি ঐ করি করি খনগনি।"

"ঐনা হায়দোকঅদি, নঙ ঐবু অমুক নুংশিবীররোয়।"

"করিগুম্বা অমোংপা বাকম ওইরম্লবদি; হোয় নুংশিদবা ভমগদ্রা খঙদে, ঐনা করিসু তৌনিংঙাই লৈতবনিনা...। অদুবু ঐনা খনবদদি, করিসু অমোংপা ওইরমগদবদি মান্দে।"

"অমোংপনি... ঐনসু হান্না হায়জবদুনি, ঐদি অমোংপনি হায়না।"

"ঐ শুকথা থাজদে।" ঐনা হায়খি।

"অচুম্বনি ঐ মোংলি... ঐবু অমুক নুংশিবিনিংলরোইকো নঙনা।"

ঐখোয় অনী ঙাইহাক্তংদি তুমিন তুমিন বা ঙাঙনদনা ছিপতুনা লৈখি। ঐ তাবসু পামখিদে, তাদ্রবসু খাঙবদি ঙম্লবোই। ঙাইহাক তুমিন লৈরুবগা ঐনা মঙোন্দা হায়খি-

"নঙ ঐঙোন্দা হায়দোকফম থোকই।"

"ঐদি নঙোন্দা য়াম্না হায়দোকচনিংবনি।" মপূক্লিং নুংশিনা ফোঙদোবকই। "হৌজিক্তি হায়দোকনিংদে-মবমদি, ঐখোয় অনীগী মরক্তা ওইরিবা হৃবাওবগী, নুংশিবগী মরীসে শোয়দনা মাঙখিবসু য়াই... মতম খবদি ঙাইবিখোবা ?"

"ঐ অমুক কুইথনা ঙাইবা ঙম্লবোই" হায়গে খনবা মিকুপ অদু মক্তদা মপান্দা মী লাকপগী খোঙথাঙ মখোল তারম্মী। ঐখোয়, ৱারীশাবা লেপ্লগা কনানো হায়বদু ঙাইদুনা লৈবে। খোঙথাঙ অদু সেব্বীগী থোঙজিল ফাওবা চঙশিল্লক্লে হায়বা খঙলম্মী। ঐ মিহুল চোংলম্মী, থোঙদা কাক-কাক থীল্লকপা মখোল তাবদা। পূক্লিংদা খল্লি "থুদোংথিবা অমা থোক্কদৌরে ঙসিনা অরোয়বা ওইগদৌরে।" লাইবক্তা তমম্রবনি, ঐখোয় অনীগী নুংঙাইবগী মতম লোইবে। থীল্লকলিবা মখোল অসিমক অরোইবা অদুগী শরুক অমনি; মতমচানা চঙশিল্লক্লবনি শান্নরিবা ৱারী অসিগী খুদোংথীবনি হায়বা মতম চপ চানা খঙহল্লকপগুম। চীংমায়দগী চাউরবা লৈপাক্কী মপৈ কীহুরক্লবনি অমসুং কীহুরক্লিবা মপৈ অদুনা ঐখোয়বু ননশিল্লবনি। ঐখোয় চেনফম লৈতে-থিংবসু ঙমদে। থোঙদা থীল্লক্লিবা মখোল অদু থীল্লক্লনু হায়রুবসু ঙমদ্রে।

"ঐ করি তৌশিগে... ? সেব্বীনা য়াম্না পাখংনা হায়রকই।

"কনানো অমুক্তা হংউ।"

মহাক খোঞ্জেল তপ্না হংলম্মী, খরা হৌনা অমুক হংলম্মী। য়াম্না চেকশিন্না ঙাঙলকপা ইংলিসতা পাউখুম লাকলে- কনাসু ওইরমদ্রে, থোঙশঙবা নুপা অদু ওইরম্লে। মানা হায়রকই- "অদোম্বু ফোন পায়বীনবা হায়রকই।"

"ঐবু ওইরম্মোই।" সেব্বীনা খুম্মী।

"মিস বৈদা হায়রকপনি, লাইফ কৌবা জেন্টলমেন অমনা য়াম্না অথুবনি হায়বকই।"

সেব্বী, তৌফম খঙদনা পাখৎলম্মী। মহাক্কী অসুক রাব মাইথোঙ অমুক্তা উর্খিদ্রে। মকোক হাইদুনা ঐঙোন্দা তপ্না হায়বকই "ঐ চৎলোয়।"

"চৎপনদি কৈদা," ঐনা হায। কীষ্টবক্কবা চীংমাযদি থিংলুবা ঙস্মবোই।"

"অদু ওইবসু ঐ চৎলোয।" মহাক্না অমুক হন্না হায়রকই।

"চৎলগা, করিনো হাযবদু খঙবা ফংব্রো ?"

মহাক চিংলৈ; কাঙখল হাইদোক্লগা কুমথব্রে। মাগী কীমোনো শেৎচিন, অর্মাদ খুদোল খোঙউপ তোংশিল্লগা থোকব্রে।

ঐসু ফমুংদা ঙক্লনা ঙাইহাক লৈ, খল্লি হৌগক্লনা ঐসু ঐগী হোটেলদুদা হনখ্রসিবা...' অবোয়বা মতমদি লাক্লে। ঐনা অমুক লৈথববদি; যাম্না শাংনা ঐগী পাউখুম পীবা তাই চবাঙনবসু থোক্লনি। ঐনা লৌবিবা পার্ট অসিদা মখান্না অশাউবা ওইগনি-ঐ থবক তোক্লনি, চমম্লনা মযামদা বিদাই পীগনি। খৌদোক অসিমক্তি ঐ থোকহনজনিংদে, ঐ কনাবুসু শাউফম থোক্তে। ইশাদা ফাওবিবদি, ঐ অসে চপখায়ববা, থীনা শোক্লবা মীশক অমা ওইবে। ঙাইহাক মিনিট খবগী মমাঙদদি নুংঙাইবগী স্বর্গ য়ৌরুবে- খঙহৌদনা অমুক লৈমাযদা থাদবক্লে, ঐ নীংশিংবা ঙমদ্রে কবি থোকখিবা হাযবদু-কোন্না নিংশিংলগে অদুবু ঐঙোন্দা ফাওরক্লিবা খুদোংথীবগী রাখল অসিনা ঐবুদি খুদুম চনশিনখ্রে। পুক্লিং অসিনা পাউখুম অমত্তা পীবা ঙমদনা পুম্নমক লোইবে হায়বসিদা লেপখ্রে।

হৌজিক চৎলহৌরগদি খরা লায়থোকপদি য়াই কোন্না, অদুবু ঐঙোন্দা খোঙ থাংদুনা থোকখিবগী খৌনা লৈরমদে; অদুগী মহুত্তা ঐনা লিংলিবা বুস সার্ট লৌথোক্লে, কৈজুপ চিংখত্তুনা তুমশিন্নবা শানা লৈবে। ঐনা খল্লি-ঙসি অহীংসিদি চৎব্রসনু তৌশিন্নবা ওইরসনু কেরা লৈব্রে; হয়েং ঙাইরগে করি থোক্লবা হায়বদু।

মিনিট অমা অনীগী মতুংদা সেব্বী অমুক হল্লক্লে। কা অদু য়ৌরকপগা ফমুংদা কাখৎলকখি; ফমুং চঙলকপগা ঐঙোন্দা তমখি :-

"মহাক য়ু য়াম্না ঙাওরে।"

"চুম্মী, য়াম্না থকচিলহৌরবনি।"

মহাক ঐঙোন্দা নকশিল্লক্লুনা ঐহাকপু কিস তৌখি মশাগী ব্রাখল ফোঙদোকপা ওইনা। "নুংশিবা !" মহাক্লা নৌথনা হায়রকই "নঙ হৌজিক্তি নঙগী সেব্বীবু নুংশিদ্রবরা ?"

"কবিগী নুংশিদনি।" ঐনা তৃমনিংঙনা খুম্মী। "ঐসু য়ু খরদি ঙাওরমানে।"

"ঐবু অমুক্তং কিস তৌবিয়ু।" মহাক্লা হায়বকই।

মায় ওনশিন্দুনা চৃপলম্মী; অদুবু অচুম্বা; অফবা কিস- তি ওইবমদে মবমদি মীশক অমবু হরাওনা উহনবা মালহন্না তৌশিন্নবা কিস (চুপ্পদি) য়াম্না অকবনি।

"থাগৎচরি।" মানা হায়বকই। মহাক হবাউবদি শুকমান মাল্লমদে।

"গুদ নাইট।" ঐনা হায়। মহাকসু খুম্মী "গুদ নাইট।"

ঐ তৃমথনবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙলম্মী, হান্ন হুইস্কি য়াম্না থকচিল্লুবদুনা... অসিগা লোয়ননা ঐগী পৃক্লিং অসিদা উরকই নুমিৎ অদুগী হৌব্রবা য়াচঙবদগী হৌনা মথঙ-মথঙ ওইরকখিবা থৌদোক্কী শক্তম কয়া...। পৃম্নমক অদুনা কোক ঙাওবকই। তৃন্নবা ফাওবদসু ঐবু পৃমঙাও ঙাওহল্লি। ঐগী মঙ অদু ময়েক শেংনা নিংশিংদ্রবসু করি-করিগুম্বা মওংদা লালা বিক্রমাগী মমিৎ, মুন্নীগী ফৈজোম, লোয়ননা মাগী মিনোক অমসুং মিস্তর ক্লাইফনা কার্পেত মথক্তা খোঙ্গ্রায় চনদুনা লৈবা অমসুং সেব্বী-পৃম্নমক য়াওবগুম উখি।

(১৮)

মথঙগী নুমিৎ অদুদি; ঐগী পৃক্লিং অসিনা সেব্বীগী ক্লাস অদুবু খোইদোক্লা পামশিল্লুবা পোকখিদে। হৌখিবা থৌদোক অদুসু ঐনা খল্লুবদগী

হেন্না নুশিনবা অমা ওইখিবনি। মহাক্না লৌখিবা ক্লাস পূম্নমক্কি মরক্তা; ঐনা খরা থুনা লোইশিনহন্নিংখিবদি নুম্বিৎ অদুগী ক্লাসনি।

মহাক মপূক্লিং ব্রাবা মান্না চঞ্চলকলক্ষ্মী। কনানো অমনা ফাগী তৌরকপদা মহাক নোকননবা হোৎনখি; অদুবু মহৌশা মহাক্কি হরাওনা থিক-থিক নোকচবগী মওং নত্তবদা মহাক্না উৎখিবা নোকচবগী মওং অদুদি; কপ্পবরা হায়নসু পূক্লিংদা ফাওরমই। ঐঙোন্দদি শুকয়েং য়েংলকখিদে। ব্রাহং অমা ঐঙোন্দা হংলকপদুদা; মহাক্কি মিৎয়েংদি মখুত্তা পায়রিবা লাইরিক অদুদা থমলক্ষ্মী। মহাক্না হায়রকপা য়াম্না চাওলেম্বা ব্রাহৈশিংদা; ঐগী পাওখুমদি শিনিংবগা মরী লৈনহনখি। ঐখোয় অনিমক য়াম্না ইকায় খুম্নমা চেকশিন্না ণ্ডাওনখি।

ক্লাস লোইরগা স্কুলদগী থোরকপদা; সেব্বীগা অমুক হন্না উনরে থাক কুমথরকপদা। মহাক গাড়ী ঙাইহ্রন্নিবনি হায়। ঐবু ঙাইরম্বনি হায়দোক্লমদে। গাড়ী অমা লাক্লে। মানা হায়রকই- "চৎমিন্নগ্রসি; কুমথনিংবা মফমদা অদুম কুমহৌবা য়ানিয়ে।"

"করিসু কায়দে; ঐসু ক্রিকেট ক্লবতগী পোৎ অমা লৌগদবা লৈ... সিদগী খরা চৎলগা।"

"হোয়।" মানা তপ্না খুমই- মিৎয়েং অদু মাঙগী লম্বীদুদা য়েংদুনা লৈ; ঐনা মাগী মায়থোঙ উখিদে।

"শিতরনা ওসি অহিং পার্টী অমা থৌরাঙ তৌরী; ঐসু চৎপা তারি।"

"ও...ওসি অহিংবো।" ব্রা অমত্তা মখা তানদে; ঙাইহাক তুমিন্না লৈনরিঙৈ অদুদা কনানো অমা ঐখোয়দগী মাঙ থাগৎনা সিরিদুদা কুমথখি। সেব্বীদি মহাকপু য়েংখিদে ঙাইহাক লৈরগা হায়রকই "ওসিদি নুংঙাইনা নথক্তা মতম লোচ্চুরো।" অসি হায়না হায়না ঐঙোন্দফাও য়েংলমদনা মাঙদা খাল্লিবা গাড়ী অদু য়ৌগ্রগা তোংখত্তুনা চৎগ্রে।

ঐসু ক্রিকেট ক্লবত চৎলুদে মরমদি মফম অদুদগী করিসু লৌগদবা লৈতে। অরানবনি খঙনা; মরম অমা শেমজীনখিবনি; মহাক্তগবু চৎমিন্নবা পামজবনা; অমদি; মহাক য়াওদনদি অহিং অদুনা ঐবু ব্রাহল্লগনি খল্লুবনা। ঐঙোন্দা ওইরিবা

ব্লাখল পূন্নমক অসে করিনো হায়বা ঐ ভাব তাবা ঙমলমদে। হৌস্রবা অহিংগী থৌদোক অদুসু খল্লুবদা চম্মন্নে... ব্লাফম অদুদা ইথন্তা অমুক নৈনরুবা পামলমদে অমসুং অচুম্বদু ইশানা খঙজবসু পামলমদে। অদুন্নদি ওইরগা ব্লাখল অদুগী মমিদি পূক্লিং অসিদা অশুম লৈহৌরে; থোঙনাওগী মিংশেলদা থাজিল্লকপা নুঙ অমনা মিংশেল অদুবুদি কায়হল্লম্লগা; নঙ অদুদি কদাইদা তাথ্রিবা খঙহৌদবগুম। ঐ হৌজিক; নুঙ অদুগী খোঙ্গুল লীরুবা পামজদে। মরমদি ঐ অমুক খাঙবা ঙম্লরোই। পিতরনা শীল-লাঙখিবা পার্তী অদু ঐনা হৌদোকখিবা নত্তে; মতম কুইনদগী মহাক্লা থৌরাঙ তৌরক্লবনি; অমসুং পার্তী অদুদা মহাক্লা য়াওহন্নীংলিবদি- লেম্ব অমসুং মাগা নুংশিনবা লৈশাবী অদুগা মার্ভিন অমসুং মারিও লোয়ননা মারিওগী শকহেনবী লৈশাবী মরূপ অদুসুনি। পূন্নমক অসিগী মথক্তা রোজিসু য়াওবা তারম্মী। মরমদি পার্তী অদু মাগী মমিংদনি; মহাকপু ইকায়খুম্নবগীনি মরুওইনা। রোজি মশামক সমাজগী ললনি; য়ুম ভারা শানবী নুপী কয়াগী মবেম্মনি। অশুম্না; পিতরনা তাজ হোতেলগী ব্লাখলদগী হেনকৎনা শীল লাঙখিবা অঙকপা পার্তি অদু রোজি মহাক্কিদমক্তনি। চাক চামিন্নগদবা মফমদি, ইন্দিয়াগী রেস্তোরা অমদনি; মদুনসু অমুক্তা হেন্না অঙকপা মওং অমা ওইখি; অদুগী মথক্তা লেম্বগী লৈশাবী মরূপ অমা য়াওহনখিবদুনসু অমুক্তা হেনকৎনা নুংঙাইবা, অঙকপা অমা ওইখিবগী মরমদি, রোজিগী লমজিং মখাদা শকহেনবী লৈশাবী ময়াম অমা জাপানীজ লান্মীনা শৌ শানা লৈশ্রবা রেংগুন্দগী পুথোরকখিবনি অদুগী মরক্তা লেম্বগী লৈশাবী মরূপ অদুসু অমনি।

মারিওগী লৈশাবী মরূপ অদুদি; মহাক্লা শগোল লমজেল য়েংবদা উনখিবা....মশম অমসুং মশক ফজনা; ব্লাংনা উখিবা কোনা পান্থীগুম তোংগানবী অদুনি। ভাবনা শাবদা উবা ঙস্মী -মদুদি জোধপুরদা লৈবা উরী উনা-না ফজনা য়েৎলবা মমাঙঙৈগী ওইবা ইংলিসকী য়ুম অমা অমসুং য়ুম অদুগী মমাঙদা মহাক্লা শগোল তোংদুনা চৎপা; মহাক্কি ফজবা ফিজোল অমদি নুংশিৎনা তপ্পা তপ্পা হুমলকপদা য়াওরকপা লৈগী মনম মরক্তুদা মহাক্লা মনিং মখা তমজবা অমসুং মাগী নুপী ওইবীগী লমচৎতদি অমকপা অমত্তসু লৈজদবী লৈশাবী অমগুম্মা। মাগী মনাক্তা ফম্মীন্নরমই মশক থোইদোক হেন্দোক্লা ফজরবা ঐগী মরূপ মারিও।

মখোয় অনী ফম্মীন্নবা অদুদি "দি-টাটলব; হায়বা লাইবিক্তুদা য়াওবা ফজববা ফোতোগা চপ মান্নে। মখোয় অনি, শুমহৎনা ফজববা জোবা অমনি হায়বসি ফোঙদোকপদা কনাসু যাদবা ঙম্লোই। লৈশাবী অদুগী মমিং দোর্কস কৌই। অমবোমদা অতোপ্পা অমসু য়াওবি সান্দ্রা কৌবী বোজিনা কুইনা ঙাক শেনবিবক্লবা, মহাক্কা লোয়ননা বেঙ্কুন্দগী লাকমিন্নখিবা লৈশাবী অমসু। সান্দ্রা হাযবসি স্পেইনগী মিংনি; পকচৈ মদুমকসু শাল্ল মহাক্তি। যুবেসিযান অমগী শকওইনি; চহি ১৮-১৯ শুবকপা মতমনি। মশম অমসুং মমিং অনীমক মুই, চিম্মালন্দি ফজনা ঙাঙই অশাওবগী মাইযোক্তা লৈবী মান্না।

পাত্তী অদুগী নুংঙাইবা তংখায অমগী শর্কাক্ত, দোর্কস অমসুং সান্দ্রা শকখঙ মাযখঙননা ব্রাবী ব্রাতায শানবদুনা ওইবে। অবানবা ব্রাখল লৈনদনবা; সান্দ্রাগী হৈপ্পুবা পুন্সিগী এবমদা দোর্কসতা হান্না খঙহনখি। মহাক কবিসু বাবৌদে। 'প ৩বগী মতৌ শুম্না অঙকপা, অনৌবা পাত্তী অদু হেন্নদুম ঐসু পামজবম্মী। দোর্কস অমসুং সান্দ্রা অনীমক্কি পূক্নিং যাম্না বাংই, মখোয অনীমক্না অমনা অমবু ইকায খুম্ননা ফাগী জুগায তৌনৈ; ব্রাবী শাই-নোকমীন্নৈ।

"ঐগী ফ্রোক অহনবা অমা লৈকবে শেৎলিসিনি;" সান্দ্রানা হায- "মশিবু ফজব্রো ?"

"ঐনা ভাবত্তা হেক উবা ফ্রোক মযামগী মবক্তা মশিনা খ্বাইদগী হেন্না ফজৈ হাযনিংই।" কদাইদা ফংগে ঐ খঙনিংই।" দোর্কসনা হায।

"নঙ পাম্মদি; ঐ ফংফমদু তাক্কনি।"

"অস: চানবিদুনা তাকপিযুকো।"

অসিগী মতুংদা সান্দ্রানা অমুক হাযবকই- "নঙ ওইবদি ঐসু নুংঙাইজনিদা নখোযগী মীশিং কবি কবি থবক তৌই ?"

"ঐখোয় বাবাদি আমীদা লৈ।"

"ঐগীসু আবমীদা লৈব্রা খল্লি- অদুবু ঐ খঙদে।"

"আমীদা ইপা লৈবসিদি য়াম্না কি-কো... আমীদা মপা লৈতবশিংদি খঙবীবম্লোই, খঙব্রনে... খেন্নবমগনি হায়বা।"

"অদুবু; নঙগীদি অকবা নংত্রো ?" সান্দ্রানা হায়রকই।

"নঙনা হায়রিবা "অকবা,, অদুদা লোইনা অর্থ লৈ।"

"ওহ ! নঙনা অদুম য়ান-য়ানবা শীঙ্গি শীন্দ্রনে ?"

"মঙং অমদনি ঐনা খনবদি।"

"অমা খঙদে; অমা খঙদে, ফননবা; য়াননবা শীনবদা কৈসু অকায়বা লৈতেদা" দোর্কসনা হায়রকই... থবক হায়বসি ফত্তবসু কয়া-মা অফবসু কয়া-মা... মহৌশানা তোঙাল্লা অদুম লৈ।

"ঐনা হায়রিদি পেন্দবা ব্রাকংপগী ব্রা নত্তে-হৈবু হৈনববদি পুন্সি অসি অদুম নুংঙাইবা ঙাক্তনি; লাক্লিবা, ওইরক্লিবা পূম্নমক অদু ঐগীনি হায়না খন্দোক্লগা লোইরে।"

মতাঙ অসিদা রোজিনা মরক থংনা হায়রকই- "সান্দ্রা হায়বী লৈশাবী অসিদি য়াম' ফবনিনে... নত্তুনে ইবেম্মা নঙবু ?"

"ওহ ! ঐঙোন্দদি করিসু অকায়বা লৈজদে।" সান্দ্রানা খুম্মকই।

"ঐনা খনবদা; মিস্তর লেম্ব হায়বা নুপা অসিবু নঙনা পাম্বীবদি মরায়বক ফবনি... ব্রাখল অদুমক্তি নঙনা অত্তে অতোপ্পদা খল্লুদে হায়বা... খল্লুব্রনে অতৈদসু ইবেম্মা নঙবু ?"

"কনানা হায়রীনো ঐনা মাগী ব্রাখল খল্লি হায়রীসিবো ?"

"এ: মী লোইনা খঙনরে; নঙনা মাগী ব্রাখলদা ঙাওই হায়সে।"

"ঐদি মী পূম্নমকসে মী ওইনা খনজরগা ঙাওবা অদুদগী হেল্লা ঙাওশিনবা অমত্তা লৈতে।... মিস্তর লেম্বগী হায়ববু... মাদি শেল লৈবা মীনি।"

"মানা হায়রীসি লৌরুনুকো লেম্ব" রোজিনা লেম্বদা ওনশিন্দুনা হায়রম্মী। "মাদি নঙোন্দা ঙাওরবনি, নঙ পয়শা লৈতে হায়বা মা খংত্তিপোংনি।"

"ঐদি শেলগা অমত্তা লৈজদ্দো।" লেম্বনা হায়রকই।

"নঙগী সনা লৈজদ্রসু য়াইরে।" সান্দ্রানা হায়রকই-মাগী খুজী শিরিবা

মখুৎ অদু থাঙ্গত্তুনা মযামগী মমাঙদা হুক-হুক লৈবদুনা...। অমুক হায়রকই... "ঐগী খুজীসিনা সনা ওইবসু পিগ্লায় ওইরসু হেক লংলিবমখৈ কবিসু বেবা লৈতে।"

"নঙগী ফজবী নশক অদুনা হেক লৈবিবমখৈ কবিসু বেবা লৈতে।" বোজিনা হায়বকই। "অদুবুনে সত্য ! শক হায়বসি কুইগন্দে, দোর্কসতা অমুক ওনশিন্দুনা হংই। "নঙগীদি নশকসি কবম্ম হায়না শেম্মী ইবেম্মা। অমুক্তা হায়যুবা,... নঙগুম্বী লৈশাবী কয়াদি চহি য়াংখৈ শুববা ফাওবা শক মাঙদনা অদুম লৈবা যাওই।"

"মদুনা, লক্কবগী মওংদা থাগৎপিবগী য়ানি।"

"ঐনা হায়বীসে অচুম্বনিনে...হয়েং ঐখোয; মফম অসিদগী কায়নখ্রগা, নঙনা চহি যাংখৈ শুবকপা মতমদা, চহি কুনমঙাগী নশক অদুম মানখিনি। অদুগা; নঙগী মাবিও সি থাদোক্লবোইনে নঙদি-চাহি যাংখৈদদি, শগোল হনুবীসু মানখিবোই হাযবা...ঐদি, শিগ্রদি খঙদ্রে, শিদ্রবদি শাথিনা শগোল হনুবী ওইবনি।

"ঐখোযনা খুজীদা প্রমাণ তৌবিসে থৱাযবুনি।" বোজিনা মখা তাবকই। "দোর্কসকীসু নুংশিববা থৱায অমদি য়াওবিদনা।"

"নঙগীদি যাওদ্রবো হৌজিক ?" দোর্কসনা হংজিল্লি।

"ঐদি হৌজিক মকী ওইনদি যাংখৈ শুদ্রিনা-" বোজিনা খুম্মী।

তানজা অসিদা পিতবনা হায়বকই- "অচুম্বনি, বোজিগী থৱায় য়াওবিকো। হেলোযগুম্মা শকহেনবী থৱায় অমা স্বর্গদা হেক্তা পাইবা ঙম্মা।"

"ঐহাক মদু খন্দ্রি, ঐনা পীথোকফম থোকপা কয়া অমা য়াংলি; ঐনা ঈশ্বরদা নিজবদি পুম্নমক অসি অপনবা লৈতনা ঙমজবা অদুনি। ওইগনিসু খল্লি...।" বোজিনা হায়।

"ঐদি নখোয়গী নোবোক্সি মৈ-গা হায়বদু কিদ্রে" পিতরনা হায়বকই। "ঙসিগী ইলাঙ মহী অসি ঐগী পুক্লুংদা গ্রোক-গ্রোক চাক্লে; অদুবু চাখিনি-য়াম্মা হাওই- খরগা হৈবকখো মহীদো।"

চাক চাবা অদু লোইবগা ঐখোয় হোতেলদা অমুক চৎলম্মই। খোঙনা অসুম চৎনা-চৎনা ৱারীসু হৌনা হৌনা শাই, হায় খরা থকচিল্লুরবগী মওংদা। ঙসাই ঐনা ফুলগী সিড়িদা সেব্বীগী মশক উরকপা অদুবু নীংশিংলক্তনবা হায়দুনা; ঐগী খোঞ্জেলদি ময়ামদগী হেনকৎনা হৌনা ঙাঙলম্মী। ইথক্তা খনজে (সেব্বী-গী মায়থোঙ অদু কাউথোকপা-অদুবু মাগী মায়থোঙদি উবক্তে... মাগী খোঞ্জেল অমদি মহাক মমায় লৈথোক্তুনা চৎখিবা অদুনা নীংশিংহনবনি) হোতেল যৌরগা; হুইস্কি বোতল অনী অহুম অমসুং জিন বোতল অমা লৌবগা বোজিগী মী ফম্ফম কাদুদা পুথবক্লে। সান্দ্রাদি লেম্বগী খুকউ মনাক্তা ফন্নি-অদুগা মাবিওগা দোর্কসকা পুল্লপ্পা সোফা অমদা ফম্মীন্নবী। মখোয় অনী য়াম্না নুংশিনৈ হায়বদু খঙহন্দনবা হোৎনৈ। মাবভিন্দি চৌকি অমদা মথক্তা পৃক্লিং ইযাং য়াংনা ফমলি। মহাক যু য়াম্না থক্লবসু ৱাখলনা উংবগুম্না তুম্মিন্না লৈ- মমায়গী নাকল অমসুং মিৎখাদদি কবী কবীনো পরেং পরেং ইচু-চুনা। নুমিৎ খুদিংগী মবম খঙদনা উংবসে মঙোন্দা হীবক্লবনি, ঐখোয়সু খঙবা ঙমদে; করম্না থাক ফাওবদা মাগী ৱাখলদু চুম্মীবা নত্তুগা তৌশিন্নবগী মওংলা হায়বদু। থা অমরোমগী মমাঙদা মহাক্না হায়খি "নখোয খঙউ হায়বা; থা তককি মনুংদা ঐদি ইন্দিয়াদগী চৎলগদবনি।" নুমিত্তুদা ঐনা কয়া ৱা ওই-থওইদনা মঙোন্দা হংখি- "মাবভিন: নঙোন্দা ৱাখলগী অউঙবা অমা লাকইসি করম হায়না তৌরীনো ?" মহাক মমায় লৈশিল্লক্তুনা ঐঙোন্দা শাওনা হায়রকই- "নঙ, ঐঙোন্দা করি অমত্তা থৌশাদনা হংবগী ৱানিনে নত্তা ?" মতম অদু ফাওবদা; মাগী পৃক্লিংদা চেৎনা থাজবদি- মথঙগী কালেন মতমদদি মহাক ইংলেন্দগী প্লেন অম্মারদা মতম লেল্লুগনি হায়বসিনি।

লন্নাই-লন্নাই চিকথননা ৱারী শানরকপগা লোয়নননা; ঐখোয়গী পাতী অদু চৎথরক্লবদা; পিতরনা ঐঙোন্দা হায়রকই- "ঐসু ইশাগী ওইনা লৈশাবী অমদি ফংনবা হোৎনবা তাবে। নখোয় নশেন অমগা-অমগা লাম্বা শাজিন্নরবা নৎত্রো?" ময়ামদুদা হায়রকই।

"অমগা অমগা লাম্বা শাজিন্নবা।" "মদুদি ফজদবা ৱানিদা, গাড়ী অহনবা অমা নত্তুগা ফজনা শেল্লবা কা অমা ফংবগুম্না।" ঐনা মঙোন্দা খুম্মী।

"অদুগুম্বা নত্তুনে ? খবক মরম অমদা চুশিন্নবা, য়ানরবা হায়বসে যুম অমগী মখাদা; চানিঙাম্নসু লৈরবা; নুপী অমসু কংলবা... মদুনি চুশিন্নবা; হায়বদি... মদু য়াওদনা নঙ হিংবা য়াবা নত্তে।"

"নঙবু নুংশিবা হায়বদু অমুক্তা খঙম্রিবা ?" ঐনা মঙোন্দা হায়।

"ঐ, খঙলে হায়বদি য়াদে... খঙলগা করি তৌদৌরিনো ?"

"নঙদি হান্নদগী হৌদুনা চংখোক খোত্তোক্নুনা নঙগা চানবা অমা কংনবসু হোৎনদেদা।"

"নঙ, ইপা লাবদি হৈরেহে... নঙবু খঙঙব্রো নুংশিবা হায়বদো ?"

"ঐ খঙদে।"

"ঐনা খনবদা... মী অয়াম্বা মপী খঙমানে...।" মানা হায়রকই।

"হোয়নে... ঐসু খঙজুরেনে।"

"কনাগা ?"

"ইংলেন্দা লৈবী কনাগুম্বী অমগা।"

"মহাক অদুবুদি; অদুক হাক্না নুংশিবা নত্তমানেদা নঙনা।"

ঐনা অমা হেক্তা হায়জিন্নকপনি হায়বদু মহাক খঙবনিনা মখা তানা অমুক হংলকই...

"অতৈ কনা কনাগদি নুংশিনৈ ?"

"মচু তাদবী... মমিং তথক তথকপী তাইপিন্ত অমগা।"

"ঐ থাজদে।"

"অচুম্বনি... মাগী স্পোর্তস কার অমা লৈবীবনি... মরক মরক্তা তোংলগা কোয়মিন্নবা।"

"অদুনিনে ঐনা ঙসাই হায়খিবা চুশিন্নবা হায়বদো.... নঙসু অমগদি চুশিন্নরে হায়বা... অদুবু নহাক ইকাই হায়বা ঐ খঙই, নঙগী য়াম্নদি ফজবা নুংশিবদুগী অথুম্না ৱারী ফোংদোকপদা। নঙ নুংশি নুংঙল হৈনদে (রোমান্তিক)

ওইদে হায়রগা ফ্রিউদকী হাভলোক্তি- ইল্লিসকী ৱাদি য়াম্না ঙাওই... নঙ পুকচেল শেংবা পাম্নবদি গীতা পাগদবনি। নহাক রোমান্তিক ওই হায়বদা য়েংলোইদবনি।

"নঙনা খল্লিবা অদুগুম্বা, ঐদি মীশক অমগা চুশিন্নবদুদি ওইদেদা অদুবু পূক্লিং অসে; মৈখু মরক লৈচিল মরক্তা মাঙখোক্তুনা লৈবদি য়াম্না লায়।" ঐনা খুশ্মী। "ঐদি পাওখোঙ ওইনা ৱারী শাবা হৈনদে... শম্না হায়ববদা ঐ কনাগসু চুশিন্নদে। কল্লকপদি লৈজে, হৌজিক্তি মতমদা দোর্কস হায়বী নুপী অসিদি ভারত্তা খ্বাইদগী মশক ফজবীনি... মারিওনা মাবু লুহোংদ্রবদি মহাক অপঙবা তাগনি। সান্দ্রাসু অমনি ফজবদা হায়বগা... মহাকপু মিস্তব লেম্বনা ফংজবদি মবাইবক ফবনি।" পিতবসু মকোক ঙাওবে; ঐহাকসু ঙাওবে। মহাক্তা নিতি নিয়মগী মবমদা ঐঙোন্দা কযামকম ঙাঙখি অহিং অদুদা... মহাক লাইরিক অমসু ইবি অদুবু কনাগসু লোনদিন্ননা চুশিন্নবা লৈতবনিনা ৱারী মখা তাবা ঙমদে... অসিনচিংবা। অমবোমদা কবিগুম্বা মাগী লাইরিক অদু ফোঙলবদি পাউন্দ লিশিং অমদি ফংগনি হাযদুনসু চাউখোকচখি।

অকোনবদা ঐনা হায়– "ঐখোয় অনীমক নিশানা খরদি ঙাওববগুম তৌই।"

"মদুনি, ঐখোয় অনিমক ঙাওরে... নঙোন্দসু ব্যবহার খরদি কায়খ্রমানে ঐনা।"

"কাযখিদে... ঐঙোন্দা গীতা পাগদবনি হাযনা তাকখিবদনি।"

"ওহ, অদু ওইরবদি য়ু ঙাওবদি নত্তেদনা... নঙদি ঐগী নুংশিবা মরুপনি, অদুননি ঐনা ইকায়খুম্নদনা ঙাঙখিবদি। ৱাবৌনবা য়াওদনা পংঙাঙ ঙাঙবা য়াবসে; লুনা তিন্নবা মরুপশিংগী মরক্তদনি।"

"নঙনা খল্লিবদুদা ঐসু য়াম্না নুংঙাই।"

"খরগা অমুক হেন্না ঐনা নঙোন্দা ইকায়খুম্নদবা হৌজিকসু পাল্লি।"

"করিনো হায়য়ু... মখা চংথৌ।"

"ঐনা য়াম্না খঙনিংবা অমা লৈ-পূক্লিং ইঙনা নঙোন্দা হংবা পাম্বনি অদুবু

পাম্জল খোঙ্কে। হূইহিনা ঐখু অঙকপা অমা ওইহল্লে। নঙ ঐঙোন্দা শাউরক্লবদি ঐ হায়রৌনিকো।"

"ঐ করিসু শাউরোই।"

"হায়ম অসে... নঙগী শকহেনবী হানাকোগী মরমদনি... নহাক অসি মহাক্কি ইহান হানবা নুংশিনবা নুপারা... ? চানবীদুনা অমুক্তা হায়বীয়ু।"

"ওইরমগনি খন্দে।" ঐনা খুম্মী।

"থাগতচরী... ঐ ব্যবহারদি কায়রেকো।"

"করিগী... ? অদুবু ব্যবহার কায়রব্রা ?"

মতম অসিদা রোজিগী খোঞ্জেল তাবকই- মহাক্না হায়রকই-

"ঐদি ব্যবহার কায়রে খল্লিদা।" রোজি, ঐখোয়দা য়েংদুনা মোমোন নোকই। কা অদু চুরুটকী মৈখুনসু লোইহরে হায়ারলেস অদুদি তপ্না থাবী। লেম্ব অমসুং সান্দ্রা নকশিন্নরা ফম্মিন্ন নুংশি নুংওল ফোঙদোক্লরী। মাবিও অমসুং দোর্কসসু নাপচিক্লা হারী শারী; তুমিন তুমিন নোক্লরী হরাওনরী। রোজিনা মখা তারকই- "নখোয় অনীনা শানবা হারী তাথোকপিবা ঐহাকসু ব্যবহার কায়ববনি... ঐ লোইনা তারে নখোয় অনীগী হাবী... নহারোল অতৈশিঙ মাগী মাগীদা পূক্লিং লূপ্লব্রে, মারভিন্না হূইহিং থকমন্দুনা নুংশিবা হাহে অমফাওবা হায়রক্লে... অদুনা ঐদি নখোয় অনীনা হায়নবিবা লাম্বা চুশিন্নবা হায়বদু তাদুনা লৈরবনি, য়াম্না নুংঙাই।"

"তু-ঐনা হায়রিসে 'সিদনি," ঐনা পিতরদা হায়। "নঙ রোজিগা লাম্বা তৌদ্রিবা করিগীনো ? রোজিদা করিসু অশোয়বা লৈতেনা।"

'হং... ঐ থৌনাফবা ওমলোই।" - পিতরনা খুল্লকই।

"ওহ! ঐবু হিংচাবীরো ?" রোজিনা খুমলকই।

"নত্তে, হিংচাবীনি হায়জবা নত্তে... নঙোন্দা পূক্লিং অসে কা হেন্না মথৃম-মরাঙ হৌমনবনা, কিজে হায়বনি। ঐদি চুন্নগী নঙগী ভারাদা লৈবা মীশক অমা ওইবনা হেন্না কন্না খনজে।

"খঙঙেদনা মানা হায়বিসে... মাগা লাম্বা তৌবদা, ঐ অহল ওইমল্লে হায়বনেবা... শাথিনা ইকায় হে... অদুবু মা খবগা হেন্না থকচিন্নদি ঐগী মায় খবা খুইবিবসি উববোই।"

ঐখোয়গী হৌজিক থকনিংঙাই লৈর্ব্রে, লোইবে। ঐখোয় তশেংনা যু ঙাওবদি ওইদে। ঐ, কা অদুদগী তপ্না থোবকই। অমুক হনজিল্লকপদা সান্দ্রাগা লেম্বগদি চৎলম্লে। দোর্কসসু ঐঙোন্দা গুদ বায় হায়বকই। মহাক্তি মকোক ঙাওদবা মাল্লি-ফিভম কাযদে ঐখোয়দগী হন্থনা থক্রুম্বসু য়াই, ঐ খঙদ্রে। মাবিওগা মখোয় অনী গাডী ফাবা থোকমিন্নগ্রে, লৈফম য়ৌগ্রে। মাবভিন, মচিন্দা মুকম মুকম শোন্দুনা ঐঙোন্দা গুদ-নাইট অমদি থেঙ্কস হায়না হায়না মমাঙখোঙলোমদগী অদুম থোকগ্রে। হৌজিক লৈহৌবিবসি পিতব ঐখোয় অনীদা ঙাইহৌবে। চুকট চমখৎলি অহাঙবা লিক্লি অমদি গ্লাসশিং, চুকট মতেক্লা থল্লবা তাম্থি থাদফম নচিংবদু উই- মথোঙ মবম খঙদনা পংঙাঙ ঙাঙনৈ। ঐনা খল্লি-পিতবসি ঐনা চৎখিবা ঙাইবিব্রা মবমদি বোজিগী ময়ি-ময়ি লৈবা মমায় অদুদি কবিসু লৈতবা ঝানি। মশাগী চহি কুম্থামঙা হেন্দ্রিবী মহাকসু হৌজিক্তি ফমুংমচা অদুদা মাগী নুপীওইবীগী নোপ-নোপ লাউবা হকচাঙ অদু ঙাথদুনা লৈবী। কৈ অমোমগুম্না ইংনা তপ্না মশাগী মপাঙ্গলবু থাজবগা লোযননা মহাক্লা ফাদুনা চাগদবা শা অমা ঙাইবগুম্না।

"ঐ তুম্মুবগে," পিতবনা হাযবকই "নঙসু লাকঅদ্রা ?"

ঐ খনজানৈ- হেক হাযদোকপা ঙমদে... ইশাগী খোঞ্জেলনা অসুম্না হায়বক্লিফাও- "ঐ ঙাইহাক্তং লৈবকখিগে।"

পিতবনা অমুক হায়বকই- "গুদ নাইট। ঙসিগীসি অচৌবা পাতীনিকো; গুদ নাইট।" মহাক চৎখ্রে।

বোজি, তুম্লিংবা মাম্না ঐঙোন্দা য়েংদুনা নোকলকই। ঐদি চৌকিদগী লেঙলমদে চুকট অমা চিংলিবদুদি লোইবে; মতেক অদুসু থাদখ্রে। অদুফাওবা কবিসু হায়নদে মবমদি অচীকপগী ইহুল অদুনা হায়রক্লিবদু নত্তনা হায়নিংঙায় কবিসু লৈবমদে।

ঙাইহাক লৈরগা মহাক্কি মখোঙ অদু ইনচি অমগী শরক্কুপ্পা লেঙলকই। ঐঙোন্দা খুদম অমা পীরকপগী মওং ওইনা খনখীবনা ঐহাক মনাক্তা চঙশিন্দুনা ফমুই, মহাক্কী ভৌরোক ভৌবা পাম্লোম অদু ঐগী খুৎশানা নানখি, অমসুং ঐগী হকচাঙদা হৌরকপা ইথক অদু থিংবা ঙম্লক্তদুনা মহাকপু হন্না হন্না কিস তৌখি। অদুবু মহাক্তি কবি অমত্তা ফাওদবা মীশক অমগুম ঐঙোন্দা অদুম নোক্কুনা য়েংলমই। মহাক মশাগী ইহল পীরকলমদে, অমরোমদা ঐগী চিন্নালনদি মাগী চিন্নালদা হন্না হন্না থেংলবফাওবদা অদুম মোমোন নোক্কুনা লৈখি।

ঐহাক মরম খঙলমদে; মহাক্না ঐবু ইবাল পীবা মাল্লকপদগী ঐ ইশাগী রাখল ময়েং, হস্থরকই, ঐ হীগুনা লৈরে। মহাকসু ঙাইহাক তুমিন্না লৈরুরগা; ঐগী মৈ অদু মুৎলমলগনি হায়বা খঙলকপা ওইনা ঐবু মখূৎনা ইপ্লোকই। ঐহাক অমুক ফম্লে।

মঙোন্দা হংই– "কৈদৌরে ?"

"নঙদি কৈদৌরে ?" মহাকসু হংজিল্লকই।

"নঙনা হায়রকপা নৎত্রা মসি ?" ঐনা হায়।

মহাক নোকই, হায়রকই- "চুম্মী।"

"অদু ওইবদি করিগী ?"

"ঐবুদি ঙক ককপ্রসু বেবা লৈতেয়ে।"

"নঙনা হাযবিদু করিনো ?"

"ঐনা হাযবদিনে, ইবুঙো ! নঙদি হান্নদগী শকহেনবী অমা ফংঙবা নৎত্রো ? পিতরনা হায়য়ে.... মাদি হায়দোক্কনদবনি অদুবু ঐঙোন্দদি হায়দোকই, অদুগা নঙগী হানাকোগী মরমদা ঐ লোইনা তারে।"

ঐ চৌকিন্দুদগী হৌগত্তুনা চুরুট অমুক চমলে। অহিংচুম্লদু চুরুট থক্লকপনা যৌনাও অসি মৈখুনা কংশিনবগুম তৌরম্মী। রোজিসু মখূৎ তিংখোরকই চুরুট অমা থক্লবা; ঐনা মৈ চুরগা লাম্লি। ইশা ইথক্তা অপঙবা শীজরে খম্লুবদা ইকায়না শাওনিংই।

"মথা চৎথৌনে।" ঐনা হায়।

"মাইকেল ইবুঙো! নঙদি কিরাক্তা নারবা মী অমগুম্না নখোঙ থাংবকাও মখোং মরম খঙদ্রবদা নঙোন্দা করম্না ৱারী শাদৌরীবনো ? লাউনে অমুক ইনাক্তা ফমখোনে।" ঐগী খৃৎনাম্ম চিংশিন্দুনা মহাক্কি মখৃৎনা পায়রম্মী।

"হৌজিক হায়জরগে।" মহাক্না হায়রক্কই। "অগুম্না নুংঙাইবা অসি ঐদি তোয়না ফংজদ্রবনি, নঙনা নুংশিবা হৌরকপদা ঐসু য়াম্না পামজবনি। পিতরনা হৌরকপা ওইরম্লবদি ঐসু মঙোন্দা হৌজিনগদবনি... অদুবু নঙোন্দা ঐনা হৈনিংবা পীদবগী মরমদি নঙোন্দা কোন্না নুংঙাইহনবগী মচাক ওইবক্কদবা।"

"ঐগী ৱাখলবু শেরান্নরা চিংথোকপিরীবা করিগীনো ?"

"মশি ইশাগী ইজৎকি ৱানি...। ঐনা খনফম থোকপদি, মশক ফজবা পাখংমচা অমবু মিনিট খরগীদমক্তা ঐঙোন্দা ঙাওহনবসিবু অফবরা ফত্তবরা হায়বসিগী-মতাঙদনি-ঐনা খনবদা; নঙগীদমক্তদি অফবা ওইরোই, নহাক অপঙবনি... নহাক্কি হানাকো হায়বী লৈশাবী অসি মশক মতৌ নুংশিনা ফজে। পিতরনসু য়াম্না ফজবী অমনি হায়।"

ৱাফম অসি লোয়শিনবা পাম্লদগী ঐনা খুমথি।

"ৱারৌবীবা য়াদে- ঐ তুমজরুরগে।"

"তুমহল্লনিয়ে; নঙবু কৈসু কুইনা ফাররোই।"

"হানাকোগী মরমদা ঐ ৱায়ী শানিংদে; ঐ চৎলে।"

"নঙনা; মাগীমরমদা ৱারী শানিংদে; মহাকপু কিবনি নংত্রা ?"

"নহাক করিসু খংলোই-পিতরসু খংলোই।"

"নঙ কিবনি হায়না ঐ খল্লিদা।"

"করিবুনো ঐনা কিদৌরীসে ?"

"মরম কয়া মাইয়োক্লবদু নঙ কি হায়বা।"

"মাইয়োক্লফম থোক্তবা মরম কয়াসু লৈ।"

"হোয়নে, অদুম্মা হায়দোক্তবদি য়াম্মা লায়... পুন্সি অসি হিংনা-হিংনা মাইয়োক্লবদা করিসু মতিকচাদে হায়বদুদি... অফবা পুন্সি নত্তে হায়বা।"

ঐ মঙোন্দগী খুৎ শৎতোক্তুনা হৌগৎলি... চুরুট অমা থকপদু লোইদ্রি... খুদোনবীনা পায়শিনবা মফম অদু হ্মাংনা ইচোৎ চোৎলি। মদু হন্দোকখ্রগা অমা'মুক চন্সি।

রোজিনা হায়রকই- "হোয়, কনাগুম্বা অমবু নুংঙাইহনবদি নহাকসু ঙম্বা য়াই।"

"হৌজিক্কিদু করি হায়বনো ?"

"ঐনা হায়বদি... নশাগী ওইজবা খজিক্তং থাদোক্লবদি হায়বা নঙনা।"

"ইস ! হে ঈশ্বব!" ঐনা হায়। "ঐঙোন্দা মীপুম খুদিংনা অশুম্বা হায়রিসি করিগীনো ঐ অসিবু দানগী মফম অমবা ?"

"হায়বদি-নঙগী থম্মোয়দি চাউইদনা। মতম পুম্বদা ব্রাকম অসি নঙনা নীংশিংবদি নত্তে। নঙনা মসি কাউরবদি নশাগী ফত্তবনি হায়বা।"

"ঐনা নঙোন্দা নুংশিবা হৌরুবসিদি; পীথোকপগী দানগী শরুক নত্তবা তাবেনে।"

"অচুম্বনি ইবুঙো; নশামক্কিদি মদু ওইবনা ফৈ, মরমদি মদুনা নঙোন্দা নুংঙাইবক্তবা পীগনি।"

"চয়োল অমগী মমাঙদা ওইরম্লবদি ফগদবনি- হৌজিক্তি ফিভম অসি হোংখ্রে।"

"মীদি হোংদেনা... হায়রীবা অদুম্মা শুকহোং হোংদে।"

"তোক্লোদা পুম্নমকসে।" ঐ শাওরংননা খুম্নমই।

"নঙ করি তৌরবগে হায়বদু, অহানবদা অমুক্তা হায়খোনে ঐঙোন্দা।"

চুরুট অমা শংতোক্লগা কা অদুদা কোইচৎ চৎলম্মী ঐ। বারী অদু অতোপ্পা অমদা হোংদোক্লগা চংখিবা পামলম্মী। অদুম্মা হেক তৌবদুসু; ইশাগী অশোনববু উংথোকচবা মানগনি খল্লি।

ঐনা অমুক হায়- "করিগুম্বা অমদি থোকপ্রে- হানাকো ঐখোয় অনীগী মরক্তা।"

"মদুবু করিনো হায়যুনে।"

"ঐ খঙব্রেদা।"

"নঙদৌনা য়াম্না অপঙবদি নত্তেকো ঐ।"

"করেনে, করম্না অহোংবা লাকখিবনো ঐ হায়রগে।"

"অহোংবা লাকখিবা; নুংশিং নুংশা ওমবগী মওং অদু হায়নুদা... মদুদি-পুকচেল শেংদে হায়বা।"

"ঐদি কল্লক চাউবনিনা; মতম য়াওহল্লিংদবা।"

"অদুনগী নঙ চেল্লকইয়া ?"

"অচুম্বসু মদুনি।"

"পূক্লিংদা খজিক্তং অনাবা ফাওরকপদা চেল্লকপগী য়ানিনে।"

"হেল্লা কম্না নাশিল্লক্লিভেদা।" ঐনা খুম্মী।

"মুম্না খঙ্দনা তৌরম্বসু ওইবা য়াইদা মদু।"

"উম মদুসু অচুম্বনি।"

"অদু ওইরদি পুম্নমক্তু লাল্লি হায়বা।"

"ওইবসু য়াই।"

"হৌজিক পূক্লিং চিংশিল্লিংঙাই মরম অমা লৈরে...লানবসু ওইবা য়াই, তশেংনা নঙ মদু খঙলবা হোংনদে। মতম পুম্নমকতু নহাক্না কনাগুম্বগী থম্মোয় শোকহল্লি হায়বসু য়ারে। নঙবু মসিদা য়াম্না ফাগী মাপ্রো ?"

"হোয়-অদুবু কদাইফাওবদনো য়াথলনা লৈনগদবা মফমসে ?"

"ঐদি খংলে- ইখঙ খঙহৌদনা; নঙোন্দগী অহল ওইবী, হোতেল চলাইরিবী নুপী অমবু নঙনা কিস তৌনিংলকপগী মরমসে মদুননে।"

"নচিন থীনুদা... ।" ঐনা হায়খি।

"অচুম্বনিনে, নঙদি মশক মতৌ ফজবী লৈশাবী অমবু নুংশিরবদা অকীবা শোক্লে- চেম্নবসু হোৎনরে। চেন্দেসু হায়জিন্নরী আ... নুংশিং নুংশাগী কিভম ওক্লে হায়বনচিংবা পুথোক্লুনা। হৌজিক্লা অমুক নঙনা করিসু থৌশাম্রবা মীশক অমগী মফমদা... খঙঙে... নঙনা শকহেন্নবী হানাকোগী মফমদদি মরাল শীনিংদে হায়বসু।"

"ফরেনে নঙনা হায়রিদু চুম্মেনে... ঐ মাবু নুংশিবদি কি... অফবসু ওইরোই। মহাক্লা জাপানীজনি, ঐনা ইংলিসনি.. অসিগীসু মথক্তা লাল অমসু শোক্লরী.... ঐনা কিবসিবু মরম চায় খল্লো ?"

"ও ইবুঙো... মতাঙ অসিদি নঙগী লন্নাই ব্রাফমনিনে, খঙঙব্রা ?"

"প্রোব্লেম অসিদি খঙঙেদনা নহাক... মসি সোলভ তৌবা ঙম্মোইদ্রা ?"

"ঐনা করি করিনো খরা হায়রগা; অরুবা হীরম অদুগী ফল তারে খনগাদ্রা ? কান্নদে তুম্মুরো ঐনা অমুক নঙোন্দা নুংশিবা হৌজরক্লনি...। কোন্নদি নঙ মফম অসি থাদোক্লুনা চৎখিনি; নোংঙাল্লকপদা ঐবু খনগনি.. অহল ওইশিল্লবী হকচাঙ শোক্লবী নুপীনি হায়না নপৃক্লিং নুংঙাইতনা... মদুগুম্বা মীতানি হায়বা নঙসে ঐ খঙঙে। থুনমক ফমুং চঙব্লো... পূম্নমক কাউরো... নশানা নশাবু পুকচেল শেংহল্লবদি নঙ শোয়দনা খঙবা ঙমগনি নঙনা কিররিবদু অচুম্বা চুমদবরা হায়বা।"

ঐহাক, রোজিবু থাদোক্লম্লে... ফমুংদদি চঙদ্রে, মদুগী মহুত্তা মপালগী সড়ক্তা অনীংবা থবক অমত্তা লৈতনা অসুম লাক্লমই। লাক্লা লাক্লা লম্বীদুগী করিগুম্বা মফম অমদা মারভিনসু চৎলম্বা থেংনরুরে। মহাক্তি ইন্দিয়াবু শুকহে হৈনদ্রবনি; মতম পূম্নমক্তা করম তৌনা নাম্ভোকপা য়াগদগে হায়বসি খন্দুনতা লৈরবনি। ঐদি মপালদা ব্রাখল খল্লুগে নিংনা লাকপা নত্তে, ফমুংদা লৈরবদি চময়বা ব্রাখল কয়া খন্দবা ঙম্নরোইদবনি। রোজিগী কা মনুংদগী থোয়ক্লগা; অহিং অদুগী অচীকপা অমদি অঙংবনা হকচাংবু তেকখৎহল্লি, অমসুং য়েংথোকখিবদা উরিবা অরঙবা অমদি মশেল মরাংবা মঙালদা দালান মচা কয়াগী অঙকপা পোক্লা ফজহল্লবা ; লম্বীরোমদা ইম্ভোবকপা মমায়; লোয়ননা

লম্বীগী মতাইদা ফীজেৎ-ফীগাই কয়াগী মরক্তা তূম্লিবা মীওইবা কয়া... পূম্নমকশিং অদুনসু ঐগী পূক্লিংবু চিংথোকই। অসুম লাকপনা মাবিন দ্রাইভ যৌরক্লে- ঐখোয়গী স্কুল অদু হেন্দোরক্লে। মালাবার চীংথক্তা উরিবা মৈঙাল পরেং অদুগী মঙালনা, কংফাললোমদা চঙশিন্দুনা লৈরীবা সমুদ্রগী ইমাযদা তাবদি থরানমিচাক্কি লুহুপ মালহল্লি, অমসুং মদুদগী থকতোবকপা মঙালনা অমুক হয়া ঈশিং মনুং অদুদা মনিমুক্তাগী লিক্লাং পবেং ওইনা উই। অচৌবা সহব অসিদা কযাদ ফজবসু উবিবা কয়াদ অমোৎ-অকাযসু লৈবিবা। মফম অমদনা, মমল তাঙলবা; কা খুদিংদা পাংখানা ঈংহল্লবা অকে অমৌগী লৈফম কযা, ফজবশিং অদুগী মকমদনা অমুক মোৎলবা মঠক-মতাঙ পক্লবা মশাম মনা হাৎত্রবা মীওই কযা- অমবোমদনা অমুক, লাইবিক, তাইপ বাইতবনচিংবা চোকিনচিংবা-থক্লনবা মহি-মনায জিনশুম্বা কযা পৈদুনা লৈববা মফম, অত্তোপ্পদনা মৈখু কানা চাক থোংবগী স্তোভ কযা, লেপ্পন লোযননা মফমনি-মফম নত্তে খঙদ্রবা অঙাং কযানা মচি-মচিদা মপাল থোকচিল্লিবা। অক অনানগী মাইকৈদা যেংলুবগা অমসু লৈবী-তাজ হোতেল- অমবোমদনা অমুক শা উচেক্লচিংবা থম্বগী মনম নমথিবা চেল্লবা শবং কযা থল্লিলা লম্বী.. অসিগা লোযননা অমুক অহিং অদুদা লৈথ্রি চাবোন-শুবোন তাল্লিবা নুপা-নুপীশিংগী মবল্লাই মনল্লাই অচীকপা কা-মফম অমদনা অঙাং কযাসু পোক্লবী যাম্লা অমোৎপা মওংদা; যাম্লা রানা কান্নবা উপাইসু ফংদনা। মশিদি; বোম্বে খন্দা নত্তে পৃথিবীগী মফম পূম্নমক্তসুনি। নিংথৌদগী তৌবগা উফুল্লক্তা হীপ্লিবা মীওই, আইন খঙলবা লোযাবশিংদগীনা যাওশেনবা মীওইশিং-পূম্নমক অসে প্রকৃতি; মহৌশা কৌবী মাগী লংলানা খক-খক চিংদুনা থোকহল্লিবা শান্নহল্লিবা লাইফদিবীশিংগা পাংখকনি। পূম্নমক অসি যেংলগা; মহৌশা কৌবী মহাক্তি থরায তানা নোকচবমগনি, মখুম খুমজিন্দুনা লৈত্রবা লাইবিকশিংগী চেনাদা, লিলাগী ফন্নাক খুদিংদা; মীযাম তিনফম পার্কতা মীওই কয়াগী লৈফম-দালানগী কা খুদিংদা; অচৌ-অশাঙগী ময়ুমদা; কোনুংশিংদা কবমতৌনা; মহাক্কী লিলাগী মখল কয়াদু শান্নরীবগে হায়বা উবদা অমসুং ঙাওনরিবা বাহে কয়া তাবদা লোইফম খঙদনা নোক্লমগনি।

"নঙনা খল্লিবদু লেপলো।" ইশানা হায়রকপগুম তৌই ঐঙোন্দা। নঙদি অদুম খন্দুনতা লৈরে; নম্বিং অদু অমুক্তং পাঙথোকউ ব্রাখল অমুক খন্দনা করি উবগে হায়বদু য়েংউ। অহিংগী অঙ্গংবা নুংশিং অসিদা নখোঙনা অদুম চৎলু। য়েংনিংলবদি; থবানমিচাকশিংদা য়েংখৎলু, ওমখৈ নাইদনা শন্দোকলিবা জগৎকি মালং অসিদা য়েংউ। লেপ্তুনা য়েংউ, নঙগী ব্রাখলদা ফাওরক্লিবা ফাওবা মদুদি জগৎ সংসার অসিদা নঙোন্দগী হেন্না, তাজ হোৎতেলদগীসু হেন্না, গেটবে ওব ইন্দিয়াদগীসু হেন্না, ভারত অসিমক্তদগীসু হেন্না অমসুং পৃথিবী অসিদগী হেন্না চাওই হায়বদু খঙত্রিবা ফাওবা। মশিনা নশাগী ব্রাখল; ধর্মগী চৎনবী ঙাঙনরিবা অচুম-অরাল কয়া, করি অমুক হায়গনি; পুক্নিদগীফাও হেন্না চাউবনি-চৎলু নখোঙনা অদুম চৎলু।"

ঐ কয়াম শাংনা চৎখিবনো খঙদ্রে... মমৈথঙদা ব্রাখল অমত্তা খল্লুদনা সেব্বীগী মনাক য়ৌরকখি। ঐ কাহেন্না চোকথরে হায়বা ইশাদা ফাওরম্মী।

(১৯)

অহিং অদুদা মহাকপু ঐনা অদুক্কি মতিক নুংশিখিবা অদুগা মান্নবা ব্রাখলদি, হৌখিবা মতমদসু অমুক্তা ঐগী পুক্নিং অসিদা ফাওখিদে হায়না খল্লি। ঐখোয় অনী চেজ্ঞেৎ কোনশিন্নদুনা লৈখি, ঐগী মিহুলনা মাগী মিহুলগা চোংমিন্নখি; মহাক্না কপ্পদা ঐহাকসু কপখি। ঐখোয় অনী কপমীন-কপমীন্ননা তুমথরে; নোংঙাল্লকপদা অমুক মিকপ থোক্লে। চুরুট লৌদুনা চম্মী-ব্রারী শামিন্নরমই ঐখোয় অনী, তশেংনমক চেৎশিন্না নুংশিনবা হায়বদু ওইরে।

রোজিগী মরমদা ব্রারী কয়াসু তম্মি মঙোন্দা, ব্রারীশিং অদু তানা তানা মহাক্না ঐঙোন্দা চুপলম্মী অদুগা লোয়ননা মশাগী ব্রারীসু তপ্না-তপ্না লীরকই।

"ঐদি ব্রারী অসি নঙোন্দা হৌদোকনীংবা কুইরবনি। ঐসু কত্তবা হায়বদু ওইরে হায়দোক্তনা লৈবদা... অদুবু কিজবা অমদি; হায়দোক্লরগা ঐবু অমুক নুংশিবীরোইদ্রা হায়বশিনি। নঙ ঐঙোন্দা ব্রাশকউ নুংশিগনি হায়না... নুংশিবীদবা থোক্লবদি ঐ খাঙবা ঙমলোই।"

"ঐ য়াশক্লিবসিনি।" ঐনা খুমই। "হায়দোকনীংঙ্ৰবদি; হায়দোক্তবসু য়াইদা... ঐ করিসু য়ারোঁরোই মদুদা খেন্নবা করিসু লৈতে।"

"খেন্নবা লৈবসু য়াই... ঐদি য়াম্না ইকায়ঞ্জে।"

ভশেংনা হায়ববদা; মহাক্না তন্নকপা য়ারী অদুনা, ঐনা মঙোন্দা থন্নুরিবা নুংশিবগী য়াখল অদুদা খেন্নবকপগী মরম কবিসু থোকহনখিদে... অহোয়নদুম মহাকপু নুংশিবা হেলহল্লি। অতৈ-মরম অমবু ওইরবসু... মহাক্কী মায়খোঙদি মকা-লামশিন্নববসু, মিৎলুদা পিগী ঈবাদি চেল্লগা তন্নকপা য়ারী অদুনা মহাকপু অমুক্কা হেন্না নুংশিখি।

মহাক্কি য়াবী হৌবকই- "যেংঙোয়, ঐনা স্কুল তম্বা লোইদ্রিঙ্গেদা ঐবু... ইপাগা তিন্নবা মীশক অমদা লুহোংবগী য়া লোইথোক্লখি।

ঐগী ইপাগী মশক অদুসু যাম্না অকীবা পোকপা মীশক অমনি হায়বা যাই ইচম চম্না হাযববদা ঐ, মহাক্কি মনাক্তা লৈবফাও কিজে। ঐহাকসু খবদি হাযবা ইনগন্দবী, ঙক হাযগংপী নুপীমচা অমদি ওইববখি। ঐদি; পূকচেল তপ্নবী ঐগী ইমাগা শুকমান মান্নদে। মহাক্তি যাম্না য়াজখি ঐগীদমক। লুহোংবগী য়াফম অদু ঐগী ইমানদি পামজখিদে মবমদি মহাক্না ঐগী পূক্লিংদা লৈবিবা যানিঙদবগী য়াখল অদু উবনিনা। ঐবু লুহোংথোকপগী থৌবাঙ অদু, ঐগী ইপানা পায়খৎকদবা মাগী অচৌবা লল্লোন ইতিক্কী থবক অমগা মবী লৈনহনখি। মখোয়না অহ্মল্ক শুবা ওইনা হাযবকপা মতম অদুফাওবদা ঐগী অযাবা পীড্ৰবদা, পূকচেল কল্লবা ইপানা ঐঙোন্দা হাযখিবদি- মহাক্কি ইমুং মনুংদা ইকাযবা পীবীবা; চোপহল্লিবগী মবমদি ঐগী লমচৎননি হাযবসিনি। অসিমসু হায়দুনা তকশিনখি মদুদি ইমাগীদমক্তা খল্লগা; মহাক্না হায়রীবদুদা ঐনা য়াফম থোকই হায়দুনা। ঐগী ইমাদি যাম্না কপখি, লোয়ননা লুহোংবগী য়াফম অদুদা ঐবু য়াবো হায়নসু থেমখি। মতম অদুদা ঐনা খল্লকই ইমানা কপ্লিবা অদুগী মরমদি; ঐহাক অসে ফত্তবী অমা ওইনা মখোয়না হায়বদা ইন্দবগীদমক্তনিকো হায়না। কোন্থংদদি খঙবা ঙমলকখি; ঐগী ইমাসু লুহোংবদুদা পামখিদে হায়বা অদুবু ইপাগী থৌবাঙদা মহাক্না শৌগৎলিবদুদি মহাক্কী মথৌনি।"

"অদুদগী নও অদুম লুহোংখিদ্রা ?" ঐনা হংই।

"হোংখিদে... ঐ লুহোংখিদে। ইমাগী য়েংদুনা হোংলম্বসু য়াবনি; কত্তবা; অমোংপা থবক অমা থোকখিবদু নংলমম্রবদি। ঐদি ইমাবু য়াম্না নুংশিজে, ইমা নত্তনা অতোপ্পা অমত্তবু নুংশিখিদে। ইমাবু নুংঙাইহনবগীদমক্তনি হায়না ইপানা হায়রকপা মতমদা; ঐ লুহোংবগী মাকম অদু থম্লগে হায়না ইপাদা য়াশকখিবনি। অসিগী তুংদা ঐখোয়; নুপা অদুগা লোয়নননা থিয়েটরনচিংবু লিলা য়েংবা চৎমিন্নখি... মরক মরক্তসু মহাক ঐখোয়গী য়ুমদা লাকই। মহাক লাকচরবসু; মীশক অমদি শোয়দনা ঐখোয়গী মরক্তা য়াওই; অদুবু তানজা অমুক্তংদি ঐগী ইপানা, তৌগে মতাঙুম্না নুপা অদুগা ঐগদমক অহিং অদুদা ঐখোয়গী লৈকোল য়েংউ হায়দুনা থম্বীবম্রে।"

"দার্লিং ! মদু নহাক্কা ওইরম্লবদি কয়াদ নুংঙাইগবা। অহিংগী মতমদা জাপানীজ লৈকোল কয়াদি য়েংবদা পূক্লিং হুবগী মশক্তি। খুৎশেমগী চিংদুম মচা-মচা কয়ানা কোয়শীনবা পৃত্তি মচাশিংসু য়াম্না লৈ... পৃত্তিমচাশিং অদুগী মথক্তা ফজরবা থোংমচা কয়াসু শাবি... মখাগী ঈশিংদা থবো-থাবিকথা থম্বাল শাংলি। অশঙবা নাপীগী লম্পাক্তুদা মচু কয়াগী লৈরাংনা জুম-জুম লাউনা পবেং-পবেং শাংলিদো। অদুগী মথক্তা অমুক্তা হেন্না ফজবদি অহিংগী অতিযাদুদা চিক্ল-ঙাল্লা; পাক্লা থোক্লিবা থা। ঐনা খঙবদা করিগুম্বা ঐখোয় অনী জাপানীজ লৈকোল অমা অহিংদা য়েংমিন্নবা থোক্লবদি... ইন্দিয়াগী হোতেল মনুংদা নঙনা ঐবু নুংশিবীবা অসিদগী লরক অনীদি অমুক হেন্না নুংশিবীগনি খল্লিদো-তৌবতবু নহাক অতোপ্পা কনাগুম্বী অমগদি জাপানীজ লৈকোল য়েংহনজনীংদে-মবমদি নহাক্কা নঙগী সেব্বীবু নীংশিংলকনি থাজদে।

"নঙবু জাপানীজ লৈকোল অদু উবদা, নপূক্লিংদা লুহোংনিংবা পোকখিদ্রো ?"

"পোকখিদে। মরমদি ঐ, লৈকোলদুদা পূক্লিং চঙখিদে... ইমা লাক্লবদি হায়না য়াম্না খনখি-অমরোমদনা জাপানীজ নুপা অদুবু ঐনা কয়াম তুক্কচখিবা। সিকাতাগা নাই হায়বদুনি করিসু উপাই লৈত্তনা তৌফম খঙখিদে। লৈকোল অদুগী

উরক্তা লৈবা, কালেন পোথাকম য়ুম অমদা মানা ঐবু পুশিন্নরম্মই, খণ্ডহৌদনা ঐঙোন্দা মাগী নুংশিবা কোঙলোকপা হৌরকই।

"দার্লিং ! ঐগী ৱারী অসি মখা-অমুক তাখিসিরা ?"

"তারনু। মখা তারুবগী কান্নবা লৈত্রে।"

"অদুবু ঐদি নঙবু য়াম্না নুংশিজে-অশেঙবদু তাকনিংই-অদুনা মখা তাবনা ফত্রা খনজে। য়েংঙোয়; ঐ চহি তবানিশানতা শুরী মতমদুদা। নুপা-অমনা নুংশিবগী থবক চৎথরকপদা করি তৌবা হায়বদু ঐঙোন্দা কনানসু তাকপীদবনিনা ঐদি করিসু খঙজদে। ইশানা ঐখোয়বু লৈকোল অদুদা থাবকপগী মবমসু মদুগীদমক্তনি হায়বা ঐ কোন্না খঙলকই। ঐ কিমন্দুনা লাউখি-ঐবু লুহোংগনি হায়বা নুপাদুনা ঐগী চীন মেনখি। অদুগী তুংদা করি থোকপ্রবনো হায়বদু নীংশিংবা ঙমদ্রে, ঐনা ৱাখল লাকপা মতমদা নীংশিংবদি ঐ-ঐগী ফমুংদা হীপ্লম্মী, ইমানা ইনাক্তা ফমদুনা কপলম্মী। থৌদোক অদুদা ইমাগী থম্মোয় কায়খিবনি অমসুং পূম্নমক অদুবু মহাক্কি মরালনি হায়না খল্লখি। ঐসু ইমাগী মশক উবদা অমুক্তা হেন্না থম্মোয় শোকখি-মরমদি মহাক অসে ঐগী ইকমদদি পৃথিবীগী মনুংদা খ্বাইদগী পূকচেল ফংবীনি, খ্বাইদগী নুংশি হৈবীনি।

অশুম্না, ঐখোয় পূম্নমক্কী মফমদা ওইহনখিবা অৱাবদু কোক্লবা হায়না ইমাগা ঐখোয় অনীবু চীঙগী লম অমদা, ইশানা মতম খরা নুংঙাইনা লৈকনবা থারম্মী। থোকক্লিবা অদুগী ওইনদি ইশানা ঐবু ঙাকপীখি হায়বদি ঐ খন্দে, মবমদি ইশানা থবক অদুদা য়ানীংদে হায়বগী লমচৎ মখল অমদি ইশাদা উৎখি; অমসুং মদুনা মহাক্কি লম্লোনবগী থবক্তা অকায়বা পীখি। অদুগী মতুংদগীদি মহাক্কসু অমুকহন্না লুহোংবগী ৱা পনখিদ্রে, অদুগী মহুত্তা ঐখোয়বু ইংলেন্দা পুরকখি। অতে লেমহৌবা ৱারীদি ঐহাক্না নঙোন্দা চুম্না তমজপ্রবশিংদুনি। অহানবগী ৱারী অসি হান্না নঙোন্দা তমথোকখিদবগী ঐহাকসু নুংঙাইজদে, অদুবু হৌজিক্তি খঙবীরম্লগনি ঐনা করিগীদমক জাপান্দা অমুকহন্না চৎনীংদবগী মরম। ইংলেন্দদি মীপুম খুদিংনা ঐবু নুংশিবী মখোয় লোয়না পূকচেল ফৈ। ঐহাক্তা থেংনরকপশিংদগী দয়ৱেস্তন হায়বা মীশক অদুদি খ্বাইদগী থৌজাল হৈবনি;

নহাক্না শকথঙনব্রিগী মতম ফাওবদদি... দার্লিং...। হৌজিক ঐনা ব্রাজবদি নহাক্না ঐবু অশুম নুংশিবীখিগদ্রা হায়বা ব্রাখল অসিনি।"

ঐগী সেব্বীগী মমিত্তা তাখিবা অব্রাবগী মমি অমসুং মাগী অব্রাবগী মোমোন মিনোক্তা য়াওবা ব্রাহং অদুগী পাওখুম ওইনা নুংশিনা মহাকপু চুপ্পীখি খুৎনা মকোক্তা নানবীখি-ব্রাহেনদি ঐসু ফোঙদোকপা ঙমখিদে... হন্না হন্না মহাকপু কোনশিনবীবা নত্তনা। ব্রাফম অদু থনপ্লগা, কোন্নদি ঐনা হংখি কবিগীদমক মহাক্না মিস্তব স্কাইফপু কিবিবনো হায়না। মহাক্কি পাওখুমদি; ঐগী ব্রাখলদা খল্লীবা অদু অচুম্বমকনি হায়বসিনি-মবমদি স্কাইফ নসু যোগীগী ব্রাখলদি চেল্লগা অর্কীবা মওং অমদা, নুংশিবগী ওইদবা খোঙথাঙ থাংজিল্লক্লবা হোৎনখি মঙোন্দা। সেব্বীসু মপৃক্লিং চেৎনা মানা হাযবকপশিংদু য়াবকখিদে অদুবু চিথি কযা তেলিফোন কয়ানা মতম চুপ্লা মঙোন্দা অযেৎপা পীদুনা লাকখি হাযবদি ঐ তশেংনা খঙলে। মিস্তব স্কাইফকী খল্লুবদা; ঐগী পৃক্লিং অসিদা নুংঙাইতবা ফাওবক্লবা নত্তে। অমবোমদা ঐ নাপলদি তৌজদে... মহাক্না মাযথীববা ব্রাফম অসিদা ঐদি মায পাক্লে হাযদুনা... পৃক্লিংদা যাম্লা হন্থনা খনজে মবমদি সেব্বীনা ঐগী ইফমদা থল্লিবা নুংশিবগী খল অসিদা ঐদি মতিক চাদে খল্লুবনা।

"অসিনি দার্লিং ! ঐগী ব্রাবী অসে," মহাক্না হায়রকই। "হৌজিক্তি ঐগী মবমদা নঙনা খঙদবা অমত্তা লৈববোই।"

"লৈবি," ঐনা খুম্মী। "হৌখিবদু নত্তবা লাকদবা মতমগী মবমদা কমদৌবা ? লাল অসি লোইবগা, নঙ জাপান্দা অমুক হনখিবা পাম্লা ?"

"দার্লিং! মদু ঐ খঙদে... লাল মতুংগী ব্রাদি খন্নগুমশিবা।"

"মতম অমদদি, মদুগী মবমদা খন্নদবা যাবোই।"

"নশাগী খনবীয়ু দার্লিং লাল মতুংদা কবি তৌগদবনো হাযবা।"

"ঐনা খনবদি-নঙগীসু যাওগদৌবিবা।"

"নত্তে ! ঐগীদি ব্রাবীরুন্দু মদুগী মরমদা নঙবু মতমচুপ্লা খলহন্নিংদে। ঐনা পামজবদি; ঐখোয় অনী লৈমিন্নরিঙৈসিগী মতমদি ঐবু নুংশিবিবা, অদুগী

মতুংদদি নহাক চংগ্ননি; নঙনা পামজবা অমদা নুংশিরুবসু য়ারে... য়োজি ওইরবসু অমা হেক্তা... ঐ করিসু য়ারৌজরোই।" তৌবতবু হৌজিক্তি মাবু নুংশিবীগনু... ঐনা নহাক্কা লৈমিন্নজবা ফংলিঙে মতমশিগী মনুংদদি।"

"ঐদি মতম পূম্নমক্তা নঙবু নুংশিগনি; নঙগীদমক্তা থবায় য়াগনি।" ঐনা হায়খি।

"নত্তে দার্লিং! মদু খনবিগনু নঙনা ঐবু কৈদৌনুংদসু লুহোংবিরোই। নঙ ঐবুসু তুক্কচরক্কনি,ঐনা নঙোন্দা 'সুম নপ্তুনা লৈরবদি। ঐনা পামজবদি, তেল্লবসু তেল্লা নুংঙাইবগী শরুক খবা ফংজবসিনি। ঐখোয় অনী শোয়দনা কায়নগনি... মতম পূম্নমক্তা ঐবু নীংশিংবীয়ুকো দার্লিং।"

"অচুম্বনি ! ঐ নঙবু মতম পূম্নমক্তা নীংশিংগনি।"

(২০)

ঐখোয় জুন থাথায়দগী হৌরগা নুমিৎ কুম্লামাথোইনিগী ছুতি ফংখি। নোংজুপাম্বা ওইরক্লবনা বোম্বে সহবদা খঙহৌদনা নোং কম্না চুবকপা য়াবগী মতম অদু নাম্থোক্লনা, হিমালয়গী লমদমদা মতম খবা লেল্লুনবা সেব্বীগা ঐখোয় অনী খোঙশাল্লক্লমই। ছুতিগী মতমদা লমতু চৎপা কোয়থোকপা অসি ঐদি মহৌশাদগী হৌনা অঙাং মচাগুম্না পূক্লিংদা য়াম্না ইবাঙ লাঙজবা পোকচে; অদুবু অমুক্কা হেল্লা অঙকপা অমা ওইনা নুংঙাইজবদি হন্দক্কী ফ্রোন্টিয়াব মেইলগী এয়ার কন্দিশন কোচ অমদা সেব্বীগা ঐখোয় অনি কাখত্তুনা তোংমিন্নরকখিবা অদুনি। হৌখিবা চয়োল কয়াদি; অঙাংমচাগুম্না নুমিৎ মশিং থীদুনা ঙাইরকপনি অদুবু য়ৌহন্নিংবা নুমিৎ অমা ঙাইবকপগী ওইনদি মতম অসি ওম্থোক্লা তপ্পা চৎপগুম খল্লি। সেব্বীগা লোয়ননা থা অমা হিমালয়গী লমদমদা মতম লেনমিন্নরুবগী নুংঙাইরবা মতম অদুনা হৌজিকফাওবদা ঐবু খলহল্লি, ঙকহল্লি, নুংশিহল্লি, অমুক হন্নক্লরোই খল্লুবদা.. লাক্কদবা, ঐগী তুংগী পুন্সিদসু, মশিদা অশুম ঐগীদি হীরম অমা ওইদুনা লৈহৌরগনি।

নুমিৎ অদুদি; ঐনা খরা ওয়া ত্তেসন্দা লাকখি। ঐগী থরমোসিস (ফ্লাস্কী) বেট্টরী ওক্লবা পুরকখি। কোলদ ড্রিঙ্কস,চা অমসুং হৈ মহি; চয়োল অমা চৎনবা য়ানা য়াওরকই। জার অমদা লৈ খরসু হাপ্লুনা পুরকই, কেমেরা য়াওরকই, তিল কাণ্ড কাপথোক্লবা ফ্লিট, অমসুং পাররোই খণ্ডলবা লাইরিক খরা। পুন্নমক অসিগী মথক্তা ঐগী বাহাদুরসু লোয়নখী, ঐ চৎলীবনিনা। চযোল অমগী মমাঙদা ঐনা মঙোন্দা ফাগী ওইনা... ঐ কনানো অমা নুংশিনরে হায়রুবদা মহাক্না হায়খিবনি "মিস বৈনা স্কুলদা হেক লাকপদগী মাইকেল সাহেবকা নুংশিনরে হায়দা।" মহাক য়াম্না শিংই, ঐনা হায়রুবা নত্তে অদুবু খণ্ডলমগনি ঐগা তিন্নবা মীশিংদগী... কবিসুবুদি কায়দে... করি তৌই হায়বগে। মহাক্না অমুক হায়রকই- "হন্দক্তি সহেবকী হনিমুন তারেনে।" মহাক চপচানা হনিমুন করিনো হায়বা খঙদে... সেব্বী ঐখোয় অনী লুহোংদ্রি হায়বসিসু খঙদে। মহাক্না মখা তাবকই- "নঙগী হনিমুন (লুহোংবা মতুং লমকোয়বা) ওইবনিনা ঐসু চৎতবা য়াদে, অদুনা য়াওরিবনি, মরমদি নহাক ঈশিং ফত্তবা থকচিল্লুরগা নশা ঙমলক্তবা অমদি হাকচাঙ শোকলকপা য়াই।"

সেব্বী, প্লেতফোর্মদা লাক্কমল্লবদা খল্লকই-মহাক করি তৌখ্রবনো হায়না। ঐনা ফোন তৌই। ফোন অদু মানা হোতেল থাদোক্কদবা মিনিট কুন ব্রাংলিঙৈদা তৌবনি হায়বা কোন্না খঙলকই। ইথস্তা ব্রাজখি, মখোঙ খুদি থীজিন্দুনা শোক্লববা নত্তুগা চৎলমদাই মিকুপ্তা ক্লাইফনা অযেৎপা পীবকপবা হায়না। অমুকসু খল্লকই, মীওইবগী লাইবক্তা তমলিবা বিধাতা অসে কবিগুম্বা কল্লকচাওবগী মতৌগুম ঐখোযদা নুংঙাইবগী শরুক ফংহন্দবসু য়াওই। অসুম খন্দুনা লৈরিঙৈদা ঐগী সেব্বী লাক্লে মতম চপ-চানা। মাগী পৃক্লিংদা ফাওবীবা হরাওনা লাঙজবগী মওং অদু লোংশিল্লগা ঐবু উবদা "হেল্লো" হায়রকপদা ঐসু মঙোন্দা "হেল্লো" হায়না খুমখি। ঐখোয় অনীমক গাড়িদা কাখৎমিন্নরে। মহাক্কীসু থরমোফ্লাস্ক মরাঙ কায়না পুরকই, অথুম-অহাও, হৈ-রা য়াওবা উপ্‌ মচা মচা কয়া। ঐহাক, চুরুটকী মহুত্তা কাংচুপনা হেন্না পাম্মী-হায়বা খঙবদগী ঐঙোন্দা খুদোল ওইনা পীনবা হায়দুনা কাংচুপ অমসু ঐগীদমক্তা পুবীরকই। অদুগা লোয়ননা কাংচুপ অমদা চঙগদবা তঙাইফদবা মচাক চে, হিদাকমনা নচিংবশিংবদুসু য়াওনা। গাড়ী

চৎপা হৌরক্নে; ঐখোয় অনীমক্তা পামজরম্বা মিকুপ অদুমক্তি... হৌজিক্তি মিনিট মশিং থীদুনা অমুক ঙাইবগী মতম লৈত্রে। ঐ সেব্বীদা চিংনা য়েংই, থোঙনাওরোমদা অমুক য়েংথোকখিবদা বোম্বেগী মতাইদা লৈবা সহরগী লমদমশিংদু মিংয়েংদগী তপ্পা তপ্পা লৈহৌরে। মিকুপশিং অদু থব্রায়তানা ঐগী পূক্নিং অসিদা লৈহনখি মরমদি ঐগী লাক্কদবা পুন্সিগী মতমচুপ্পদা অদুগুম্বা মিকুপ অদু অমুক হন্না হল্লক্কনি হায়বা ঐগী ব্রাখলনা থাজখিদে।

অহিং য়ৌশিল্লকপদা ঐখোয় অনী, গাড়ীগী মরাকচপ্পা ফম্বাক অনীদুদা ঙন্না তুমহৌনবা হিপথনবে। ত্রেন অদুনা স্তেসন খুদিংদা লেপলকপা মতমদা লেপ্লে হায়বা হীপ্পা হীপ্পা খঙবা নত্তনা অতৈ অমত্তা খঙবা ঙমলমদে মবর্মদি গাড়িগী দাবা অদু মপালগী খোনজেল চঙহন্দনা শেল্লবা সাউন্দ প্রুফ ওইবম্মী। ত্রেন্দা নুংঙাইনা হীপুনা চৎপসিদি থোইদোক্না নুংঙাইনবা মখল অমনি; মবমদি হৌগৎলকপা মতমদা য়াম্না লাপ্পা মাইল চাম্ম হেন্না চৎলমলগনি খল্লুবগী নুংঙাইবদুগা লোয়ননা নোংঙাল্লকপগী অযুক অঙনবদা থোঙনাওদা অমুক য়েংথোকখিবদা উবশিংদুনা অমুক্তসু পূক্নিংদা নুংঙাইবগী চাং হেলহল্লি। কনাগুম্বনদি হায়, মদুগী নুংঙাইবা অদু অঙাংগী ব্রাখলগুম্বনি অদুবু হায়রিবা মতম, তানজা অদু লাক্কবদা অঙাংগী ব্রাখলনি হায়দুনা মপানগী দৃশ্যশিং অদু য়েংলুদনা লৈথোক্লবদি পুন্সি অসি যাম্না হৈনিংবা পোক্তবা তম্বলকপা শোয়দবনি। ফজবা অদুবু য়েংবগী শরুক য়াবিবমখৈ ফংজবগতা, ঐগী ব্রাখল, ঐগী পুন্সিবু অমুক্তা হেন্না নুংঙাইহনবনি..... মর্শিনি ঐগী ইফমদা ওইথিবা ইনৌনৌবা ব্রাখল অমসু। অযুক অদুদা; ঐনা হৌগৎলকপা মতমদা হকচাঙ অসি তগৎ-তগৎ তেক্লা নুংঙাইজবা ফাওরম্মী অমসুং বাহাদুরনা পুশিল্লকপা ব্রেকফাস্ত অদু যাম্না হাওনা চাখি। মতম অদুফাওবা সেব্বীদি মাগী হীপফমদা লৈরী- পুশিল্লকপা চাদুদি মহাকসু থক্লে। য়াহৌথেঙবগী মরমদা ঐনা চিনফা পুব জাপানীজ ব্রাহৈ অনি লৈ, মদু শিজীন্নদুনা ঐনা সেব্বীদা লক্লখি।

অযুক অদুদা রেল গাড়ী অদু স্তেসন অমদা ঙাইহাক পন্দুনা লৈ। য়েংথোকখিবদা উরে, প্লেতফোর্ম অদুগী মফম অমদা থাকন্নচিংবা শিজিন্নদুনা শামিয়ানা খন্দুনা লৈতেংলবা মফম অমা। মফম অদুগী হেক নাকনমত্তদা অতোপ্পা

গাড়ী অমসু লৈপ্লিবা মরমনা ঐখোয়সু ফনা কুইনা পনবা তাখি। ঐখোয়না অমুক চংশা হৌরকপজা স্তেসন অদুগী মমিং ধানাপুর হায়না থাহৌবদু উরকখি। পূক্লিংদা খল্লকই... সামিয়ানা খল্লিবা অদু; ঐহাক্কা ইংলেন্দা স্কুল তম্মিন্নখিবা নাব্বাব অদুগীদমক ওইরম্বা য়াই। মরম অসিদগী ঐনা নাব্বাব অদু ঐখোয়না তোংলিবা গাড়ি অদুদা য়াওরিব্রা হায়বদু খঙনবা বাহাদুরবু থাদোক্লমই। বাহাদুরদা অশুম্না নাব্বাব অমগী মরমদা অমুক্তসু পাওখোল শীখিদ্রি । মাগী মপূক্লিংদদি খল্লমগনি, ঐগী অশোয়বা কয়া লৈরবসু ঐ অসি নাব্বাবকা শকখঙনবা পাক্কা সাহেব অমদি ওই হায়না। মহাক থীন্দনা হল্লকই-নাব্বাব য়াওরি হায়বা খঙহল্লে। ঐনা অমুক খুদক্তা চে-অমদা ঐগী মরম ইদুনা নাব্বাবতা থাখি মদুদা বহাদুরসু হরাওমনবনা পাখৎচৈ অদুবু ঐনা নীংলিবা থবক অদুদি মহাক হরাওনা পাখৎচরবসু চিংনবা লৈতনা মথৌদি পাওথোক্লমই। গাড়ি অদুনা মথঙগী স্তেসন্দা অমুক খাম্না মতমদদি; ফজরবা; চেনা লাতোন্দা মচু শঙবা চে অমদা খৃৎই ফজনা ইরবা পাউখুম অমা লাক্লে- চিঠি অদুদা হায়বকপদি; মহাক্লা তোংলিবা গাড়ি দাবা অদুদা ঐহাকপু ইকায়খুম্নজবা ওইনা চাকলেন অমদি চামিন্নরশি, অসিনি। মরুওইরবা নুমিং অদুদা ঐনা সেব্বীবু হুন্দোকলম্বদি যাদবনিনা... "ঐগী নুপীসু গাডি অদুদা ঐহাক্কা চংমিন্নবী" হায়দুনা খঙহনম্রে। মথঙদদি, ঐখোয় অনীমক পুন্না বার্তন শীবক্লে। মহাকপু উনবদা কবম্না কৌগদবনো খঙলমদে। "য়োর হাইনেস," হায়সিবা "যোর ইক্সলেন্সি," হাযসিবা অমত্তা খঙলমদে। মহাক্লা মপাগী মহুৎ শিন্দ্রিডৈ, অদুডৈ ঐখোয় ইংলেন্দা স্কুল তম্মিন্নরিঙৈদা মানা তোয়না পনখিবা মতম অদুগী ধানাপুরদি নংত্রে। কৌনদবা য়াদ্রবা তানজা অদু য়ৌরক্লবদা, অতৈ অমত্তা খল্লুবা লৈতনা, ঐনা মহৌশাদগী হৈনরক্লবা কোক নোম্থদুনা ইকায়খুম্নজবগী মওং অদু তৌরগে খল্লকপগা মহাক্লা ঐগী খৃৎ তাপ পায়দুনা শোক্লখি। হায়রকখি- "ঐ, নঙবু উনবদা কয়াম নুংঙাইহ্জবা! ঐগী মরমদি মিস মক্-ক্যান্সতগী তাব্রা?" মিস মক্-ক্যান্স হায়রীবসি ঐখোয়না তমখিবা স্কুল অদুদা মেত্রোন ওইবী স্কোটলেন্দগী লৈশাবী অমনি। মতম অদুদা মহাক্লা, ঐগী মরুপ ধানাপুরগী নিংথৌমচা অসিবু কৃপশিন্না শেন্নবিখীবনি... মঙোন্দা শীফম থোক্লবা, নিংথৌমচা

অমা ওইবগী ইকায়খুম্নফম থোকপা ৱাখল্লোন অদুবু ভুল অদুগী অহৎপা নিয়মগী মকমদা লোংশিন্দুনা থম্লগা।

নুমিৎ অদুদা ঐগী মরূপ (নাৱাব) অদুগী নুপীসু য়াওবক্লমই। মখোয়গী পর্দ্দাগী চৎনবী থাদোক্তুনা মহাকসু ঐখোয়গী ইফমদা চপচানা মশাগী ইকাযখুম্নজবা উৎখি। মহাক মশক মতৌ ফজে, চহি কুন শুদ্রিবা মাল্লি। মমাযদা অমদি মতুংদা ইবং-ইবং লংবা অমুবা শম্না জ্বায়-জ্বায় হাইথে। মাগী হৎচাং-মখূৎ মশা পিক্তক চেংতক ভৌই। যেংবদা সেব্বীগুম্না থোংনা নৌনা মপুংফাবা শাবাননি। সেব্বীগা মখোয় অনী, থঙননা ফম্মিনে ৱাংবসু চপ মান্নে। কবিগুম্বা মখোয অনী, তোঙান তোঙানবা জাতিগী মীওই নংলমদ্রবদি; অডুবা মীশক অমনা মখোয অনীদি শোযদনমক ফাইবোক্লি হাযগনি। খুদঙা মখোয় অনী; অমগা অমগা মিনুংশি ফোঙদোক্লবগী মওং ঐনা উবা ফংখি। মখোয় অনী ইচম চম্না যেংনৈ মোমোন নোক্লে। ঐখোয় নুপা মশেল; হৌগ্রবা মতমগী থৌদোক; অমদি মীওই কযাগী মমিং নীংশিংনদুনা ৱাবী চৎথনবকপা হৈবকপগা মখোয অনীসু মতম কুইনদগী শকখঙনবক্লবা মাশক্লুম্না ভুমিন ভুমিন; চাক্লা, নুংশিচান্নবা মওংদা ৱাবী শানদুনা কৈখি। ঐ নীংশিংলকখি ঐনা অঙাং ওইর্মিষ্ণে, ইশানা মহাক্ক গোল্ফর্কী নত্রুগা লক্লোন ইর্তক্লি মমান্নবা অমবু ঐখোযগী যুমদা চাক চামিন্নলবা শীনবা নুমিৎতা... মাগী মরূপ অদুগী নুপীসু পুবক্লবা তাযখিবা... অমসুং নুপীশিং অদু লাক্লবদা এগী ইমাগা মখোয মশেল হুমুং মনুংগী ৱাবাদা থম্নায যাওনা শানখিবা; ঐনা ফমুংদা হাপ্না হাপ্না ৱাবাশিং অদু লৌশিনবদি ঙমদনা তাখিবা...।

হৌজিক অমুক মিহৌবোল অমা ফাগদবা মতমগী শকক তংখায অমা চঙশিল্লকপগা লোযননা পৃথিবীগী অতোপ্পা নাকল অসিদা ঐনা ঙসি ভাবতকি শক্তি লৈববা মীশক অমগা ৱাবী শানদুনা লৈবী অমসুং ইংলেন্দগী ত্যুকিসবুবীদা লীগী অবোনবা থুমোক পায়বগা কৈথেল কাবগী মহাও খঙজদ্রিবা মহাক্কি নুপীগা ঐনা নুংশিজবা জাপানীজ লৈশাবী-অসিগসু নুংশিনা ৱাবী শানদুনা লৈরি। মশি ওইবমানে পুজিগী অওনবসে।

মহাক্কী মনাই অমনা হূইহিক্কি পুখোরক্লে। চঙলুবদা শেল য়াম্না তিংবা বার অমদা কোকতেইল পার্তী অমগী মচু তারবা মচল কয়া উবা অদুগুম্বা নিংথীরবা পোৎশক্লা থল্লবা অচৌবা তরং উপু অমদগী হায়রিবা হূইহিক্কি অদু লৌথোরকপনি। অতোপ্পা উপু অমদগী মরাঙকায়না শেমশারবা চাকলেনসু পুথোরক্লে। ঐ, মহাবাজশিংনা পিকনিক চৎপগী বারী তাগ্রে... বারী অদু নুমিৎ অদুনা অচুম্বা ওইহল্লে। কোনুংগী চাকশঙদা থোংলকপা মথেল কয়া অমা; মীওন্দা উৎথোকপদা মতিকচানা ফজরবা প্লেট মখল কয়াদা হাপলিবা অদু উবদি... ইংলেন্দগী "লিযান্স কোর্নর হাউস"কী ফোয়ারদা থম্লিবশিংদু মাল্লি। ঐগী পূক্লিংনা হায়নিঙবা পোকখি- "ঐখোয় লাক্কনিসু হাম্না খঙদবনিনা; নখোয় চাবা ওক্রর্দ...।" অদুবু মদু হায়কবা যাবা নৎতে মরমদি; য়াওরীবা চিঙ্জাকশিং অদু মীওই কযাদ পীজবা ওক্কদবা মাল্লি।

হৌগ্রবা পূর্ণগী বাবীদা ঐখোয় অনীগী পূক্লিং লুপশিম্নরকপা মতম অদুদাদ, ঐখোয অনীমক অসে বাওথাংনবা ফিগী ত্রাওজর শেংলগা ঙকশমগী কোল্লাব হাযদোকপা ফুবিং লিংপা স্কুলগী ছাত্র অদুমক ওইনা পূক্লিংদা ফাওখি... [illegible] ওইনমক, নীংশিংমমি অদু পূক্লিং অসিদগী শামখিবগা [illegible] খঙহৌদনা [illegible] ঐ ঐগী ওইবা পুন্সিদা হনজিন্নবে। মহাক্লা বৃত্তিশকী বাখল্লোন চঙহৌরবা [illegible] কী নাম্বাব অমা; ঐহাক্লা বোম্বেদগী ছুতিদা লাকপা আমী ওফিসর অমা। [illegible] বাখলদি হন্নদগী থবা লাপথোক্লম্লে। চিঙ-লেম্মা; মশানাম্না ব্যবহার [illegible] উববসু মশগী অনিঙবা বাখলদি খঙদোকপদা খরা লুবা মীদা ওইরম্লে। [illegible] 'শংউবর্গী, সরকারগী লানগী অমসুং মহাক্কি প্রজাশিংগী মরমদা মহাক্লা ভাঙবশিংদু ঐহাক পূক্লিং চঙনা নুংঙাইনা তাখি। মহাক্কী বাহৈশিংদগী ঐনা খঙবা ভুমখিবর্দ মহাক নোল্লুকপা মীশক অমদি ওইরগা য়াম্না শক্তি লৈববা; হাৎনিংবা মা হাৎপা ঙম্নবা মীশক অমনি। মাগী চাননবা পোৎ-চৈ হাপ্পকপা ব্রহ্ম অদুদা লুপাগী অবঙবনা যাম্না ফজনা লৈতেংই... ঐসু মদুগুম্বা অমা পূক্লিংদা পামশিল্লকপগুম তৌখবনি অমুবু বাখল অদুনা ঐবু ঙমহৎপদি ঙমখিদে... [illegible] ঐগীনাক্তা সেক্কী লৈখী, ঐগী ওইনা মহাক্লা পূন্নকক্কী হৌক্লি। মহাক্লা (নাম্বাব অদুনা)

ঐখোয়বু মাগী কোনুংদা লৈকখিশি হায়রক্লবসু.... ঐদি সেব্বীবু পুদুনা হিয়াজায়াগী মকম অমদা লৈকবনা হেন্না কৈ। অদুবু মহাক্লা ৱাকম অদুদি হৌদোবকখিগ্রে-অদুগী মহত্তা কায়নরমদাইগী ওইনা মখূং অদু ঐগী খূংকা শোক্লনবা তিংথোবকখি। মহাক্লা হায়রকই-- "কবি কবিগুম্বা মতমদা থৌজানবিদুনা ঐবু নীংশিংবীয়ু।" মাগী শকহেনবী মবেম্মা অদুসু ঐগী সেব্বীগা খূং শোক্লখি। মহাক্কি ফজবী মায়থোঙদা উখিবা অঙৈংবা মিংয়েং অমসুং মিকুপ অদুদা সেব্বীগী অমুবা; মিংকি পাশিংনা কুপখিবদু নীংশিংলি। অদুগী তুংদা ঐখোয়সু ত্রেন অদুগী হান্নগী দাবাদা অমুক হল্লক্লে।

ঐখোয় অনীগী কাদা চঙবমক্কা সেব্বীনা হায়বকই "দার্লিং ঐ বা অমা হংগে... নহাক নঙগী সেব্বীদগী কোকতেইলগী ফজবা ত্রঙ্ক অমনা হেন্না পাম্বা ?"

"উম... পাম্মী।" অদুবু মহাক্লা খঙই, ঐনা হায়বীবদুগী ওম্ন- তৈনবনি হায়বা, মহাক মমায় লৈথোক্লগা তানিংদবা ওইনা নাতোম্দা শোব থংচিং চিংখংলি। ঐনা অমুক হংই-

"নঙগী খূংশাদা ফজবা সনাগী খুদোপ অমফা ও শিবিবা ঙমদবা লাইববা ওফিসব অমগা... ব্রেকবাদগী মকমমুক চাউবা দাইমন্দ (মণিমুক্ত) অমা পীবা ওম্বা ভাবতকী নিংথৌমচা অমগা চংমিন্নবগা, নহাক কবম্বনা পাম্মা ?"

"ঐদি মনিমুক্তাগ পামজদেয়ে," সেব্বীনা খুমলকই। "ভাবতকী নিংথৌমচাশিংশিবু অতৈদি অমত্তা পীবা ঙমদ্রো ?"

"এ ! কবিগী ওমদনি, মহাক্লা নঙবু নীংথিজনা লৈতেংলবা শামু (কেপেবিজন্দ ইলিফেন্ট)মথক্তা তোংহনবকাওবসু ঙমগনি।"

"কেপেবিজন্দ হায়বদু ঐদি খঙদে শামু-যুদি পাম্মী।"

"পান্নবদি, খয়া হোঙনা ফংবা অমা নঙগীদমক থিন্নগে।"

"যাম নুংঙাইহনিয়ে... দার্লিং।"

"অদুবু... নঙনা খঙঙিদুনি, মচুতারবা নুঙ য়াওবা খুদোপ অমফাও নঙোন্দা শিবিবা ওমদে... ঐদি শেল লৈজদেদা।"

"শেল য়াম্না লৈবা পাক্লা ?"

"করিগী পামদনি, সনাগী খনিদা, কিমিকল ইন্দস্ট্রিজনচিংবদা ঐগী শেয়ার (শেয়ারং) য়াওনিংই... অদু ওইরদি... অয়ুক অঙনবগী খবরদা ঐগী পাউসু য়াওরনি।"

"অদুদগীদি ঐবুসু থৌশাবীররোই, ঐনা হৈনিংবা পোত্তুবা শেলগী অঙ্ক ময়েকতা পৃক্সিং চঙদুনা লৈখ্রনি। নঙনা শেল পায়জরমদবসি ঐদি য়াম্না নুংঙাইজে।"

"অদু নঙ খুদোপ অমদি পামদ্রনে ? মদু ফাওবগীদি ঐসু শেল তুংশিনবা ওমগনি। অদু ওইবদি ঐখোয় অনীসি লুহোংলবনি হায়না মীনসু খনগনি।"

"মীনা খনবা-খন্দবা ঐদি কবিসু বেবা লৈতে।"

"থাইশেংনা অদুম্না খনব্রা ?"

"নত্তেয়ে- ইবুঙো ! নহাক নঙনা মী অতৈবু হায়বনি।"

"ঐনা খাল্লসিদি নঙ খঙইদনা।" ঐনা হায়।

"হোয়, ইথল্দি খঙই হায়না খনজে... মদুনসু, ঐ ইথল্লা নুংঙাইজবা ওম্না। চুম্মী হায়নসু খাল্লদা ইথল্লা... অদুবু, নহাক্তা ঐবু চানবী, থৌজানবী হায়বাসিদি চুমদমানে...।"

"নঙ অদুম্না খনবগী কবিসু কান্নদে।"

নুমিৎ অদুগী য়াচঙবদা ঐখোয় দিল্লি থৌবে। বেলগাড়িদগী মপান্দা হেক থোকপগা; অশাবগী টেম্পেরেচর দিগ্রি ১০০ থৌই হায়বা খঙলমই। বোম্বেদদি অহিং নুংথিল অনীমক্তা অদু য়ৌনা খক শাখিদে, অগুম্না রেলগারিগী এয়ার কন্দিসন কা অদুদগী কুমথককপমক্তা ঐখোরবু অশাবা নুংশিংনা খুমুন চনম্রে। ঐখোয় গাড়ী অমা শিল্লগী; মদুদদি অখাল্লবা, তোঙানবা কা য়াওদ্রে, পাংখা মচা

মচাদি মথক্তা হুমলম্মী- মদুনদুম অহোয়না মপানগী অশাবা নুংশিৎতু ঐখোয়গী মায়দা হুমজিনম্মী। ঐখোয় অনী কম্বাক অনীদুদা তোঙান তোঙান্না কয়খি মদুনা খঁরা ইঙগদ্রা হায়দুনা, পূক্লিংসিদা খন্না-খন্না য়ৌগদবা মাইল চহুম ব্রাংলিবা হিমালয়গী অঙ্গংবা লমদমশিং অদুগী মরমদা। তুম্বদি শুকয়া য়াখিদ্রে ঈশিংদি য়াম্না থকপ্রে-ঐখোয়গী থরমো ক্লাক্তা হাপচিন হাপচিন্দুনা থল্লগা। মশিগী থবকসি বাহাদুরনা হান্না তাকপ্পবনি দিল্লি চৎপগী ব্রাফম লাকপদা। মথঙগী অযুক য়ৌরকপদা অতোপ্পা গাড়ি অমদ 'মুক হোংলে। অশুম্না অমুক লাকপনা চাকচাবা মতম য়ৌরকপগা চীংখোঙদা চপচানা থুংলে। অহানবা, ঐগী হৃকচাঙ ফগৎনবা ওইনা সিমলাদা লৈকবা অদুগী মতুংদগী ঐ অচৌবা চীং অমত্তা উর্খিদ্রি। বোম্বেগী লৈতেম মান্নবা লমদম, গঙ্গা-যমুনা তুবেলনা চেনবা লমদম কয়ানচিংবগী মতুংদা ইনৌ নৌনা উবা ফংখিবা মফম অদুগী দৃশ্যনা কয়াগী মতিক পূক্লিং মকা লামহনখিবা ! ঐখোয়না য়ৌগদবা মফমদি মাইল য়াংখৈ ব্রাংলি, মদু বসনা চৎকদবনি; অদুবু চৎত্রে- করি কান্নগবনো নুংঙায়থোক্লগা লোইবে খন্দোক্লুনা কার অমা ব্রায়রে। কার ড্রাইভর অদুসু চীংগী থেক্তোক থেকশিন লম্বীদা থৌমনবা ফুইরক্লবনা তম্মরক্লবা মীদানি। মহাক্লা থৌবা কার অদু তোংবদা অকীবা পোকখি; মরমদি চৎলিবা লম্বী অদু চীংগী নাপোম অমদি চীংচেপ্তা লৈবা লম্বী ঙাক্তনি। ঙাইহাক লৈতনা ড্রাইভর অদুদা তপ্না অমদি চেকশিন্না থৌনবা ঐনা লাউখি, অদুম ওইনমক মহাক্কি পাওখুমদি ঐঙোন্দা মোমোন নোকলকপা; মকোক হাইরকপা অমসুং খজিক্তং অমুক য়াঙখৎনা থৌবনি। অদুবু সেব্বীদি কবিসু নাচুংদবগুম্না মকোক অদু মাগী মনিঙদা লৈবা ফমফমগী ঙাখকমদুদা নুংঙাইনা ঙারদুনা মোমোন-মোমোন নোক্লুনা লৈথোক্লমই। মহাক্কি কোইবপ তৌবা, লূরবা মমিং অনীনা অরাপ্পদা উরিবা চীংদোনশিংদা পূক্লিংচঙনা য়েংজে। অপীকপা গিয়ারদা মখোল হৌনা গাড়ি অদুনা অঙম্বা কাখৎলকপগা লোয়ননা হেন্না ঈংশিল্লকপা ফাওরম্মী। চীং অদুদা অরঙবা মঙাল পীরক্লিবা নুমিৎ অদুদি তম্পাক্কি অশাব্বা লমদা ঐখোয়না উবা নুমিৎ অদু ওইরমগদবা মান্দে। মফম অসিদদি নুমিৎকি মঙালসে, মীওইববু ব্রাহ্নবা মাঙ-তাকহনবগী মহুত্তা য়াম্না নুংশিহেনা

অউবা ঐখোয়গী মিংতা হয়রাও নুংঙাইহনা; পৃক্লিংদা অঙৈংবা পীরল্লে। কারণী মিংশেল লৈথবদা; অঙৈংবা নুংশিংনা হৃমলকপদু হৃকচাঙদা কয়াম নুংঙাইখিবা। ঐখোয়না শোর হোনজিনবদা; নুংশিং অদু থুমহি হায়রগ চেল্লবা অপাবা ঈশিংগী কোংগোল মরিক্লমনা ফাওই। অশুম্লসু হায়বা য়াই - চীংগী নুংশিং অসিদি চেমপেইন য়ুগী মতৌগুম্না অরঙবা কোঙ্গোল মরিক্কী মপৈ ঙাক্তনি। খেন্নবিবা হায়ববু মশিদি শেল অমুক খরচ তৌদ্রবসু ফংলে- করিগুম্বা লিক্লিদা হাপচিনখিবা-তারবদি চেমপেইন অদুম ওইরে- অদুনা চীংগী নুংশিং অসিদি মবাঙকায়রবা চেমপেইন ঙাক্তনি। মরম অসিদগী; নুংশিং অদুবু চিংশিল্লিবা ঐখোয়সু খরা ঙাওবগ তৌবগুম খল্লি। লোয়ননা; ঐখোয়না জালিতাল যৌরকপদদি চা থকনিংলকপসু পোকহল্লে ঐখোয় চা থক্লবা থৌরাঙ তৌরে।

(২১)

জালিতাল গী মরমদা ঐঙোন্দা হায়খিবসি মিস্টর হেদলি-নি। নোংমা ঐনা মঙোন্দা হংখি, খবা লাপ্না লৈবা, অচীকপা, ঐনা পামজবা মফম অমা... করিগীনো হায়বা মরমদি হায়খিদে। ব্রাফম অদুদা মহাক্কি অশীঙবা মমিংনা ঐঙোন্দা য়েংনা, মচিনবান্দদি নোক্লগা অমুক য়াম্না হায়দ্রবসু শমজিন্না হায়রকখি "জালিতালদি য়াম্না ফজবা মফমনি... হিমালয়গী মফম অতৈগা মান্নদে।"

মহাক্না সংগ্রিলানি হায়বন্নর্বাদি অহানবদা ঐখোয় নিংবা কায়রল্লেহৃদবনি... জালিতালবুদি খঙদবনিনা। অদুবু জালিতালসু হায়ফম খঙদনা ফজবা মফম ওইরম্মী, ঐখোয় হৃরাওমনবনা ব্রা ঙাঙথোকপা ঙমখিদে; করি অমুক হায়গনি খৃস্তমাসকী পারসেল থারকপদা অঙাং অমনা শেগায়দুনা য়েংলুবদা মহাক্না ফংজগনি খনজদবা পোংশক অমা থাজদনা য়াওরম্বদা ঙক্না হৃরাওজবা অদুনি।

জালিতাল হায়বসি চীংথক্তা শেমদুনা থমম্লবা ফজরবা পাত অমনি। মনিংলোমদা লৈল্লিবা অরঙ-অরঙবা চীংদোল পরেং অদুনা অমুবা য়ুখল অমা ওইনা লৈরমদবা থোক্লবদি স্মিটজর্লেন্দনি হায়রসু য়ারে। চীংদোলশিং অদু মথঙ মথঙ ব্রাংখংখি, মচুসু অশুম অশুম ওনখিবনা ইকোন কোনবা পরেং অদুদি

ঐখোয়গী পৃথিবী অসি নত্তবা মাল্লি। মহৌশাদগী ঐদি চীং কাবা পামজবদু; হান্নবিবা অবাপ্পদা উবিবশিং অদুবুদি কানিংবগী রাখল পোক্কুদ্রে মবমদি মখোযশিং অদুদি মগুদা উবা চীংজাওগী মশক ঙাক্তনি কৈদৌনুংদসু কাকবা ঙম্নবোই। মখোয অদু অওইবা ওইনদি উবগা, পোংশক্তুদি নংত্রবা মকদ্যানগী মশকুন্নবা, অহাঙবা অতিযা অসিগা নুমিৎকি মঙালগা পুনশিন্নবগা পুথোবকপা ঐখোয়গী মিংফম হোংবা ঙমদনা ফজববা মফম ওইনা উবম্মী।

পাত অদুগী মযাদা যুম খবদমক লন্না-লন্না লৈ। মাইল অমবোম চৎথোক্লগা খুঙ্গং অমদি তাবি। ঐখোযগী হোতেল অদুদি ফুট চাম্মবোম চীং অদুদা কাখৎলি। ঐখোযনা লৈকবা কা অদুগী থোংনাওদগী যেংথোবকপদা পবেংশানা উবা ফংখিবা দৃশ্য কয়াদুনা শুমহৎপদি অঙকপগী মশক্তি। উন্না কুপ্লবা চীংদোলশিং অদু যৌদনা অনেম্বা মফমদা লৈবিবা ঐখোযগী পৃক্লিং ফাওবা হংবাং রাংখৎলকপগুম; পৃথিবী অসিদা শু-নোমদনা লৈবিবা মীওই কয়গা মথক্তে লৈববগুম খনখি। মতৌ অশুম; ঐখোযগী বাহল মঙলান্নবিদা বাহদুনা চা পুবক্লে। চা অদু থক্লা থক্লা, তাথবক্লবা নুমিৎকি মঙালদা উবিবা মখল মখল মচু শংলবা অবাপ্পগী দৃশ্যশিংদু থোঙনাওদগী নুংশিনা যেংলম্মী। পুমতৌ ডৌববা উনগী লুহুপ উপ্লিবা চীংথর্কাশিং অদু, তাবমদাই নুমিৎকী মঙাল যৈবকপদা অমুকহন্না মচু কয়া থোক্লা উবিবা চুমথাংগী মতৌ শুপ্লম্মী। নোংঙাল্লকপগী অঙনবা অযুক্কীদদি অকোযবদা উবিবা লমদম পূম্নমক অদু অহিংগী মতমদা ইকজথোকখিবগুম উই, অমসুং নুমিৎকি অহানবা কাপথবকপা মঙালনা পাওকি ঈমাযথক্তে ইবঙ লংনা জগোই শাবা হৌবকই; অমসুং চীংজাও অদুনা; তক তকনা অনৌবা ফিজোল হোংলবা থৌনা ফবব মীশক অমগী শক্তম লৌদনা লেপ্লি। পূম্নমকতগী মথক্তা উনগী লিক্লাং পবেং থোল্লিবা অনাংবা চীংদোলশিং অদু যাম্না চিঙ-লেম্না উই। অসিগুম্নবা পৃক্লিংবু চিংথোক্লিবা হবাও নুংঙাই ইহৎলশিং অদুগী ফজবদি থাবদা লোইবা নাইববোই।

হোটেল অদুদা থুংলিবা মীওইগী মশিং তবানিথোই খবা হেনগনি। অয়াম্বা ইংলিসকী মীওই ঙাক্তনি। মবেপ রাংবা; হৌন-লোনচৎ নিংথিনা খঙলবা সাব বামনাথ কৌবা ভাবতমচা অমা যাওই। মহাক্কি কুচু অমদি মমিৎ অদু

মুবমদ্রবদি; কনানসু মহাকপু ইংলিস নত্তে হায়রোয়। ওক্সফোর্দ অমসুং সোরবোনিদা মহৈ তমলকপনি হায়। দিভোনসাযব অমসুং ফ্রান্সকী খা থংবা শকক্তা শিজীন্নবা ইংলিসকী খোনখোক্তা মহাক্না ঙাওলকপা তাবদি পূক্নিং নুংশিবা পোকলকই। কনানো অমনা ঐঙোন্দা হায়খি "মশকনাইবা ভাবতমচাদি চিংনগদবনি; মখোযদি য়েক্লবগা খূৎশম্নবনি।" অদুবু ঐদি সাব বামনাথপু হেক খঙনবদা নুংশিখি। মহাক পূকচেল তপ্পি; ফত্তবা অৱাবা কযা খাঙদুনা লৈবা ঙমই, মীওইবা কযাগী মবক্তা লৈহন্নিংবা; অৱাৎপা গুন মঙোন্দা লৈ। মশানা থাজবা ৱাখল্লোন 'দুগী মনুংদা লৈবিবা মশাগী অশেঙবা পূকচেলবু ঐনা পামজে। কাব কবিগুম্বা মতমদা, সেব্বীবু নুংদাং ওইবকপগা ফমুংদা ঙন্না চঙহনখ্রগা ঐদি বামনাথকা ফম্মীন্নদুনা থকমীন চামীন্নদুনা লৈহৌই। ঐখোয অনীগী ৱাবিদা মর্তাক্ক অপাম্বা, মহাক্না পুল্সিদা থল্লিবা মিৎযেং, তপ্পা তপ্পা উৎথোবকই। পূকচেল তপ্পা হাযবাসগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন ঐঙোন্দা তম্বীখি-মদু ঐগী সেব্বীগীসু ৱাখলনি; মাগী ৱাহৈ যাওদবা মওং কযাদগী ঐনসু হান্না খঙলবনি। সাব বামনাথনা মকওইনা তাকপীবম্বদি, পূকচেল তপ্পা হাযবদু পামজবগা পূকচেল তপ্পগী অশোনবগাদি খক চনৈনহল্লোইদবনি হাযবসিনি।

হোটেলদা লৈবা অইত্তে অত্তোপ্পগী মলক্তা কলকতাদগী মচা লৈশাবী মচা অনী পুবকপী মমা অমসু যাওনম্মী। মখোয কালেনগী ওইনা মতম লেনবা লাবর্ণন। মহাক্না হাযবদা, মচানুপা অমসু লৈ হাযবা খঙই ব্রিনচিস্টবদা মহৈ তমলিবা। ঐনা খনবদা মহাক অদু অয়াম্বা মমাশিংগী মতৌগুম্না; ঐহাক্না তম্নকপা স্কুলদুদা হাফ তার্মগী মতমদা মচাশিং উনবা লাকখিবা অমসুং নুপাগী মওংদা; মচাশিংনা ক্রিকেট শান্নবা যেংনবগীদমক ফমদুনা ঙাইখিবশিং অদুগুম্বা মমানি মহাকসু। হৌজিক্তদা খঙলকই, মখোযগী ৱাখল অদু নুপাগী মওং নত্তবদা, মমা ওইবীশিংনা মচানুপাশিংগী মফমদা থম্নবিবা মিনুংশিগী অথোৎপা ৱাখল অদুনি হাযবা।

নুপী অদু মশা-মউ ফৈ। মচু-মচুগী চবৌ-চবৌবা স্কার্ট অমা শেৎলি। মচানুপা অদু লাপ্পা লৈখিবগীবা কবিনো খঙদে, নুপী অদুনা মচানুপীশিংদগী

মচানুপাদুনা হেন্না নুংশি। বাফম অদু মচানুপীশিংনা খঙলগা নুংঙাইরোই খনবদগীসু ওইবা য়াই, মখোয়গী অপান্বা পুন্নমকসু মহাক্না ফংহল্লি। মহাক্তি ব্রাখলদা; সেব্বী অমদি ঐহাক্তি ইফমদা অয়েংপা পীরী খল্লুবরা হায়বদুসু খঙদে, ঐখোয় অনীগী মফমদা মহাক্তি থৌজাল য়াম্না উৎপিখি। মহাক ইংলিসকী মীওইদা হৈনজবা মরমনা ঐঙোন্দসু য়াম্না পুক্রিং চঙবীরমই। মহাক্তি পুক্রিংদা কবিগুন্বা মাগী মচানুপা অদুনসু জাপানগী লৈশাবী-অমা লুহোংদুনা পুবকপা থোক্লবদি; মদুদা ওইগদবা অরুবা অদু ঐঙোন্দা লীথোকই অমসুং মহাক্তি পুন্নমক অদু লায়না খন্দোক্তুনা পুন্নমক কায়দনবা শীনগনি হায়না ফোঙদোকই। ঐহাক্না সেব্বীগা লুহোংব্রি হায়বসিদা মহাক করিসু চিংনবমদে; অদুম্নদি ওইবগা জাপানীজ লোলদা ঐখোয় অনী ব্রাবী শাবা তাবগা; ঐ অসি জাপান্দা হান্না লৈবক্লবা অমসুং মফম অদুদা সেব্বীবু লুহোংলক্লবরা হায়নসু খনবা মাল্লি।

ঐখোয় শগোল তোংদুনসু ঙাইহাক ঙাইহাক কোযথোকই। মতু শৎ-নানবা, ফজবা শগোলমচা মপাঙ্গল ফবা যাম্না ফংই। নুপীদুগী মচানুপী চহী তরাহুমদোই-তবামবী শুববী অনীদুসু অকীবা লৈতনা শগোলশিংদু তোংবা ঙম্মী। মখোযদি হেক চৎপা হৈবদগী চহী খুদিং মফম অসিদা লাকপনা-মনিং-মখা তম্না লমদম অদুদা নুংঙাইজে; মফম অদুগী মীওই, উ ব্রা, লম অদুগী শ অমসুং চীংগী নাপোম মখোয়গা লোইনা খঙনৈ। মখোয়দি নোংচুপলমগী অযাম্বা মীগুম্না, অচুম্বা নত্তবদা থাজবা অন্ধবিশ্বাসকী ব্রাখল চোন্দ। অহিং লম্মাঙ-নবন্সু কিদে :- চীংলক্না উযানবা; শিংজনবা মীশিংনা লৈফম থোকপা লৈশিং পুন্নমক মখোযদসু লৈ।

মখোযনা ঐখোয়বু শগোল তোংবা তম্বী। ঐদি উশানা থোকপা হৈজর্বনি হায়বদগী ঐ ইতোমতা থাদোকপীবে অদুগা সেব্বীগীদমক্তদি মখোয়সু শাগোল অমমম তোংলগা মহাক্বী অকোয়বদা কোয়শেন শেন্নে। চহী য়াম্নবা লিরবা মীশক্ন্না সেব্বীদা ঙাইহাক লৈতনা লাউই-তাকপী মখোয় অহুম শগোল থৌমীন্নবা মতমদা... করি করিনো শাগোল থৌবগী চৎনবী ব্রাহে কয়াসু ঙাইহাক লৈতনা লাউই, সেব্বীনদি করিসু খঙবা ঙমদ্রবা। সেব্বীনা চমম্লরক্লবা মতমদা, মখোয়না অমুক অচম্বা ব্রাহে শিজিন্নদুনা... ফুলগী ওন্বা অমনা মাগী অঙাংদা জ্ঞান তানবা

তাকপিবগুম মখোয় অনীনা অমমম ওইনা তাকপী। সেব্বীনা মকোক হাইনা-হাইনা; মখোয়না হায়বীবদু তাদুনা লৈবগী মশক অদুদি... করি অমুক হায়গনি, মহাকসু মখোয়দগী হেন্না অঙাং মাল্লগী।

সেব্বীনা অঙাংশিংদুদা হায় "দিস তাইম নোত পুল বৈন সোহার্দ।" (হন্দকমুক্তি মবী অসি কন্না চিংঙবোই) মহাক্না খবা চমন্নবকপা মতমদদি মহাক্তি ইংলিস অসি হেক্তা মশক থীবকই। নুপীমচা অনীমক্না অমত্তা ওইবা খোঞ্জেলদা অশুম্না অমুক মহাক খঙনবা হায়বকই-"আই ব্রোন্ট পুল রৈন সো হার্দ" অসি হায়না অঙাংশিংদুনা ঐঙোন্দা যেংদুনা নোকই-মবমদি ঐনা সেব্বীগী ইংলিস চুমথোকপিদে অসিনি।

"অস; ওস্লোকপনি ! ঐদি য়াম ভল্লি- শগোল তোংবা শুকতম চমজবোই শগোল অসিনসু ঐ পঙই হায়দনা য়াম শাওবম্মনি।"

"মার্নাদ নঙবু নুংশিযে।" নুপীমচা অমনা হায়রকই।

"নঙ অদুম্না খনব্রো; অওইববনে ।"

"তশেংনমক নুংশিবনি মানা নুঙবু, মানা নঙবু ফজে হায়নসু খল্লি, ঐখোযসু খল্লি।" সেব্বীগী মাযথোঙ ঙাঙশিল্লি, ঐ খঙই, মহাক ইকাইবে। অঙাংশিংদুনা অদুম্না হাযবদু মাগী পৃক্লিংদা পাল্লি। অঙাংশিংদুনা মখা অমুক তাবকই-"নখনা শগোলসিদা পৃক্লিং চঙদবদু খঙহল্লোইদবানি, অদু নৎত্রবদি মহাক নঙোন্দগী কোমথোক্লবা হোৎনবর্কনি-নঙ শগোলগী মবমদা য়াম্না খঙবগী মওংদা তৌশিন্নগদবনি।"

"কবম হায়না তৌশিন্নগদবা ?"

"মঙোন্দা লাউশিনগদবনি।"

সেব্বীনা চাংযেং ওইনা শগোলদুদা লাউদুনা হায়বকই-"লাকও পোনি, যজবী পোনি।" ঐ হবাওবনা নোকনিংলমই, মবমদি মহাক্না হাযবকপা মাহে অদু মঙোন্দা য়াম্না পকচবমই। মহাক্না তোংলিবা শগোল মচা অদু ফজে হায়বদি মহাক খন্দবনি। মার্গারেটনা (মচেদুগী মিং) ঐঙোন্দা শং য়েংলকই, জেনিফবনা

(মনাওনুপী 'দুগী) মচিন উমশিল্লগা ঐঙোন্দা য়েংদুনা সেব্বী মওং তাবে হায়বগী ইঙ্গিত তৌবকই। তশেংনমক; মখোয়না হায়বীবদু কবিসু লাল্লমদে মবমদি যাম্না মওং তানা "পোনি, পোনি হায়না সেব্বীনা শগোল অদু যৌম্রে। ঙাইহাক্তং লৈবগা সেব্বীনা অমুক হল্লকপদা নুপীমচাশিংদুনা লাউই।"

"লেপ্পা যাবে।"

"ঙাইখোও চানবিদুনা' ঙাইহাক্তং তোংখিগে।"

"যাববোই।" মার্গাবেটনা হায। "ঙসিগীদি ওক্লে।"

'ঙসি নুংদাংবাইবমফাও ঙাইহাক্তং শগোলশিংগা লৈমিন্নবা যাদ্রবো ?"

"যাদেযে-হযেং অমুক যৌদ্রিফাও।"

"পোনি অসিনা ঐবু কাউবনিদো।"

"কাউবোই, ঙসি ফজনা খঙনববনিনা।"

"অশেঙববা ?"

"অশেঙবনি।" ঐখোয়না হাযবম্মী।

শগোলদা ঐখোযনা হৈনবক্লবা মতমদদি; চযোল অমগী মতম চঙনা চীংদা শগোল তোংদুনা কোযনবগীদমক নুপীমচা অনীদুনা ঐখোযদা হৌদোক্লমই। মখোযনা খনজ্জে, ঐখোয যাওববদি ব্রাফম অদু মমানসু যাবক্কনি হায়না। বাফম অদু ঐখোয য়াওদ্রবসু মমানা য়ানিংলম্না যাই খল্লী মবমদি অঙাং অনীদুনা ঐখোযদা কবিসু নত্তবদা পংযেৎ যেৎলে হাযনা মমা'দুনা খনজ্জে।

মখোযদি সেব্বীদা নোংম-নোংমগী পার্মশিনবা হেল্লকই, মঙোন্দা কৌবা হৌবকই- "সেব্বী দার্লিং। মখুৎ পাইদুনা চিংই, লম অদুদা লৈবা মখোয়না খঙজবা; লায়ববশিংগী থাংপোকশং, উচেকশিংগী মকোল, ঈশিং ঈচেলগী হৌবকফম্নচিংবা মফম কয়াদা পুদুনা য়েংহল্লি। মখোয়গী ব্রাখলদা ঐবু সেব্বীগী মপুবোইবা মিন্তব ক্বিন; হায়না খঙ্গবদু ঐ অদুম খঙলম্মী। অমবোমদা; মতৌ ফবল্লা সেব্বীবু লোয়নবীবগে হায়নসু হংলম্মী, অমসুং মখোয়গী নীংজবা মতুংইন্না সেব্বীবু

নুংশিনা লোয়নবীরা হায়বদু শোয়দনমক মখোয়না কুপথনা য়েংগনিসু হায়। অসুম চৎপদা; নাপুমচুগী ফজবা লৈ অমা শাৎলম্বা উবদা, মখোয়না মদুবু হেক্লগা সেব্বীগী মশমদা থেৎপিবমই। মখোয় পুমলাঙ লাঙজে, লৈ থেৎপদা সেব্বীগী মশক হেন্না ফজবে হাযনা। কিমোনো শেৎলগদি, কযাগী মতিক অমুক হেনকৎনা ফজগনি হাযবা মখোর্যাদ খঙজবা নত্তে। লৈ অদুগী লৈকো কেন্দ্রিবফাওবা মহাকসু থেৎচখিবনি। ঐখোযনা অমুক হন্না লৈশক অদুবু খোঙ্গুল লীজখি ফংখিদ্রে।

সেব্বীগা ঐখোয় অনীখক্তংগী ওইগদবা কবি কবিগুম্বা মবক্কি খোঙচৎ খবদা মার্গাবেট অমদি জেনিফববু মমানা খাম্বদগী ঐখোযগী ইতুং ইল্লকখিদবা নুমিৎশিংদুদি ঐখোযগী পূক্লিংদা ইশাগী ওইজবা থিবগী ইবাল অমা লৈববগুম ফাওখি। মখোয মপূক্লিং নুংঙাইতনা ভাবান্দা-দা ঐখোযবু যেংদুনা লৈহৌবদু নীংশিংলি। অসিগুম্লবা খোঙচৎ অমদা নোংমদি জালিতাল যেংথবা যাবা অরাঙবা মফম অমা যৌকই। মফম অদুদা হৌবম্বা দিওদাব পাম্বী অমগী মখোঙদা ফম্লগা নুংঙাইনা মতম লেনখি-রাবিদি যাম্না শাদ্রে, মবমদি অকোযবদা উবিবা পুম্নমক অদুগী নুংশিবা মওংনা অমদি অচাকপা খোঞ্জেলনা পূক্লিং অসিদা পীক খল্লম্মী। পূক্লিংদা খঙলকই লালা বিক্রমাগুম্বা যোগীশিংনা কবিগীদমক রাশকচেংনা, চীক্লা তুমিন্না লৈবিবনো হাযবদু। অদুম্নদি ওইবগা; ঐখোয অচম্বা মীওইশিংদি রাহে যাওদনা কুইনা লৈবা ঙম্মদে। নুংশিনবা মীওইশিং পূন্না, ফজববা মফম অমদা লৈমিন্নকবা থোক্লবদি, নোক্লবা; লক্লবগী মহুত্তা অচম্বা, অশেঙবা রাহৈ কযা [illegible] দৌক্লে। [illegible] গুম্না ঐখোয অনীসু অচম্বা রাখল, পোংশক কযাগী [illegible]মদা রাবী শানখি। পুন্সিগা ওইবা, থোইদোক্লা অকবা অর্থ চেন্দবা কযা ওইববসু। [illegible]বা [illegible]হং কযানি। অনৌবা পাওখুমসু পুথোক্লবা হোৎনৈ। অসিগা [illegible]ংদা অমুক কুমথবক্লে টিংখা ওম্না ঐখোযগী হোটেল অদু যৌনবা। ঐখোয অনীমক্লা চপমান্নবা খন্নখিবা অমদি; হিংদুনা লাক্লিবা পুন্সিগী কবিগুম্বা নুমিৎ অমওদসু; নুমিং অদুগুম্বা, হেন্না মপুংফাবা নুমিৎ অমত্তা ওইখিদ্রি হায়বসিনি। অহিং অদুগী মবমদা পনবা তাববসু... লৈমিন্নবিবা অঙাংশিং অদুনা তুমখ্রবা মতমদা ঐখোয় অনী মপান্দা থোবকখি। থা-ন তক তক যাম্না শেংনা অঙৌবা পুখমগুম্না অতিযাদা ঙাল্লম্মী অমসুং মহাক্কি ইঙলবা মঙালনা পাতকি ইমায অদু

ইরঙ লংনা উরম্মী। ঐখোয় অনীমক্তা নুংথিলগী মতমদা নকশিন্নবদগীদি অহিং অদুদনা অুমক্তা হেন্না-নকশীন্নখি। ঐখোয়না ফমুংদা চংলক্লবা মতমদসু থাবলগী মঙাল্লা কা অদুবু ঈংনা চীক্লা চামখোকই। ঐখোয় অনী কাউররোইদবা বারী কয়া শামিন্নখিবনি, থাবলগী মঙাল অদুনা কা অদুদগী থোকখিদুনা হেক মমশিল্লক্লিবা ফাওবা।

সেব্বী অসি য়েক খোংপা হৈ হায়বা ঐ খঙখি; নোংমা থা খরগী মমাঙদা তাজ হোতেলদা মহাক্লা হায়খীবনি। অঙাংশিং অদুদা বাফম অদু খঙহল্লুবদা মহাক্কি হৈজবা অদু মথন্থা ইকায়বদগী লোৎশিনবা য়াখিদ্রে। অঙাংশিংদুনা তকশীল্লক্রে, মখোয়গী লৈজবা বাটর কলব বোক্স অদুদগী মচুশিংনা লাই য়েকপিনবা। তঙায়ফদনা; অমসুং কোম্থুংদদি হৈনিংবগা লোয়ননা; জেনিফর; মার্গারেট অমসুং মখোয়গী মমা মিসিজ মাথর অমসুং ঐগীসু য়াওনা; ঐখোয় মরীগী অপুনবা পোরট্রেইটশিং কেপভাজ' অমদা য়েকপিরগা, অকোয়বদা উরিবা লমদম অদুগী দৃশ্য, উন্না কুপ্লিবা চীংদোনশিং; ঐখোয় অনীনা মখোঙদা ফল্লুবা অরাংবা চীংথক্কী দিওদার পাম্বী... পূম্নমকশিং অদুসু ইরায় লায়না য়েকথোকখি আর্ত পেপরগী চেনা অমদা...। য়েকথোকলিবশিং অদুদি জাপানীজগী স্টাইলনি; করম্নো খঙদে; ঐখোয়গী শকওই পূম্নমক্তু হাইরপ হাইরপতি নোংপোকলমগী মওংনি। মদুগী মতাঙদা ঐখোয়না মঙোন্দা লক্লরুই, মদুদা অমুক মহাক্লা ওম্নমক শেগায়নবা তৌরকখি; অদুবু নুপীমচাশিং অদুনা মঙোন্দগী হরাওনা মুন্দুনা পুম্রে, লোৎশিনম্রে।

অশুম তৌনা থা অমগী মতম হৌখিবা খঙহৌদে। নুমিৎশিংদু মথঙ-মথঙ চৎম্রে। অদুম ওইনমক; ঐখোয়না জাপানীজ লোল তম্নকখিবা স্কুল; রোজি অমসুং মেফেয়ার হোতেলনচিংবা থাদোক্লুনা লাকপদগী চহী অমরোম ফারকপগুম খল্লম্মী। ঐ অমুক হন্না স্কুল অদুবু হৈনগদবা মাল্লমদে; মনাক্তসু চৎলুবা পামলমদে। সেব্বীসু অসিগা মান্নলা খল্লমগনি- নোংমা মানা হায়খিবা লৈ :-

"দার্লিং ! ঐদি হৌতেল হৈনদে; ফজবা চীংগী লমদম চৎলুরগা

হৌতেলদা অমুক লৈবদি নুংঙাইবোই... মতম খবা ঐখোয়গী যুম অমা থৌবাঙ তৌবিবা য়াবোইদ্রা ?"

"মদুগী রাফম অদু ঐখোয়গী অবোনবা ওইনা থমগদবনি।"

"অবোনবা ওইনবুদি থমসি।" সেব্বীনা খুমই।

"বোম্বেদা যুম অমা ফংবদি অবাযবা নংতে।"

"ঐখোয় মতম পূম্নমক্তা লাইবক ফদুনদি লাক্রে, লাইবকথীবা মতম অমুক লাকাখনি খনদীব্রা ?"

"খঙদে।" ঐনা হ'য। "ঐ খবদি চিংনৈ; বোম্বেদা অমুক নোংচুবা মতম ওইরুবা, স্কুলগী ফান নুং .. ফেনব্রিকনচিংবা ঊনরুবা...।"

"দার্লিং; মতম অদুদসু সেব্বী যাওখিগদ্রা ? হৌজিকসু নঙ সেব্বীবু নুংশিবিব্রা ?"

"নুংশিয়ে- দার্লিং।"

"হান্নগুম্না অদুম ?"

"উম,... খেন্নদনা।"

"হৌখিবা মতম অদুদা অমুক হনজিনবা পাম্লা ?"

"পাম্মী।" ঐনা খুম্মী। "নঙনা ইহান হান্না স্কুলদুগী ওঝা ওইনা ক্লাসতা চঙলকখিবা নুমিৎ অদুদা অমুক হনজিনবা...।"

"নুমিৎ অদুদা ঐবু করম তৌন খনখি ? অকীবা নুপী-ওইনা ঊখিব্রো ?"

"ঐনা খঞ্জখিবদি... নঙসে নশক যাম্না ফজবীনি,...অদুগা ঐগী পুক্কিংগী শরুক অমনসু; ঐখোয অনী পূন্না হিমালযগী লমদমদা থা অমা কোইমিন্নরুগনি হায়বসি খঙখিবগুম তৌই।"

"হেক্তা হাযজিল্লি... অহানবদা ঐবু শুকপাম পামলম্নোই।"

"নঙনা হায়বীদু লাল্লি।" ঐনা খুম্মী। "ঐদি-অহানবা নঙনা তোংলকপা জহাজ অদুনা হিথাঙফম চঙলকপদা রাখলনা নঙবু উববনি।"

"করি থনথিবা মতমদুদা... ?"

"থঙদে... মদু থঙনবা; হৌথিবা মতমদুদা অমুক হনজিনবা পাম্মী হায়বীসিনি ঐনা। ঐনা নীংজখিবদি ঐগী রাখল অদু অপঙবা তাহনবীগনু হাযবসিনি...।"

"অপঙবসু ওইরম্লা ?"

"দার্লিং; নঙ কবিনো অমা থঙননবা থোই চোপ্লিববা ?"

"চোপ্লির্বনি;... অমুক্তা হাযবীয়ু হায়বা... ঐনা অহানবা ক্লাস চঙলকপদা করী থনখিগে হায়বা নঙবো ?"

"ঐনা থনখিবদি... নঙবু অমুক্তং চুপচবা ফংলবদি... অঙকপা ওইনি,... অসিনি। অদুগী মমাঙদা ঐদি অমুক্তসু জাপানগী নুপী উখিদ্রি।"

"জাপানীজ নুপী অমা চুপ্নবা হোৎনবগে নীংখিব্রা ?"

"উম; নীংখি।"

"অদু ওইবদি; ইহান হান্না মহাক অদুগা গাডি তোংমিন্নবা মতমদুদা কবিগী চুপখিদবা ?"

"মহাক্তা খুপাক্তা থাবিবক্তদ্রা থনখিবা... অদু ওইবদি লোইবেদো...।"

"মহাক্তি অদুম্নগা তৌজবা ঙম্বা পোৎ নত্তে-মহ ক্তা তৌজবা ঙম্বা অমত্তা লৈতনা মাগী পামজবা অদুতনি থনজবা।"

"মানা পামজরীবা অর্দুদি মাগী ছাত্রশিংগী মথক্তা ওইবমগনি।"

"অতৈ নৎতেয়ে; ইতোপ তোপ্পা ছাত্র অমান।"

"নঙ থঙবা পোৎ নত্তে," ঐনা হায। "অচুম্বমক্তি নঙবু হেক উবমক্তদা চুপচনিংবা পোকখি। নতৌ যেংবদা সেব্বীচি (য়েংবদা নুংশিবা পোকপি; পাঙ্গল শোনবী) মানখি। মতম পুম্নমক্তা নঙবু ঙাক শেনজবা পামখি।"

"দার্লিং ঐনা হায়জবসু অচুম্বনি।"

"অহানবদা ঐবু কবিসু থঙলম্লোই।"

"খঙই। মিষ্টর ক্লিন-নি হায়বা। ফেনবিক্লা ঐগী ইফমদা কপ্পা কন্নেঙনবকপা মতমদুদা; নহাক্লা ঐঙোন্দা নুংশিনা য়েংলকপদু খঙঙে।"

"নঙ ইপা-পাখৎচখিব্রা ঐগী মিৎয়েংদু উবদা... ?"

"পাখৎপদি হায়কন্নু... নঙগী মিৎয়েংনা পুন্নমক্তগী নুংশিবা হেল্লি।"

"মাবিও- বুদি উখিব্রা... মতমদুদা ?"

"উই, মহাকসু মশক্তি-ফজ্জে, অদুবু মিৎয়েংদি নঙগীনা ইহেন-হেল্লি। অদুননে ইবুঙো; ঐনা নঙোন্দা লূপচবিবা।"

"হৌজিক খল্লকপগী রাবা ?"

"নত্তে ইবুঙো; ঐগী দাযবিদা লোইনা ইবিনা... খজিক্তংদি নঙোন্দা য়েংহনবসু য়াই।"

"ঐনা অহিং অমা মিষ্টব স্কাইফকী মনাক্তা চৎলুবগা ননাক্তা হল্লকপা মতমদা নঙনা যেংহনখিদবদুসু যেংবা য়াব্রা ?"

"য়াই।"

"অদুদি, নঙনা ইখিবশিংদু কবি কবিনো হাযয্।"

ঐনা ইখিবদি "মাগী মাইকেল হল্লক্তুবদা সেব্বীগী থব্রায রাখি থৌনা লৈববদি মহাক মথন্তা শিজনিংই অদুবু থৌনা লৈতবনিনা মহাক কপ্পা কপ্পা অদুম হীগুনা ঙাইবা তাই।" অসিনে; অদুদগীদি নহাক অদুম হল্লকখ্রেদনা।

"নঙ মিস্তব স্কাইফ-কী মবমদদি কবিসু ইদ্রা ?"

"ইদে; মাগী মবমদা কবিসু ইনিংঙাই লৈতে। অমবোমদা ঐনা কিজবদি; ঐখোয় অনীগী নুংঙাইবা পুন্সি অসি মহাক্লা অকায়বা পীবকদ্রা খনবনি... হৌজিকসু খল্লি; নহাক্তি খনদ্রা দার্লিং।"

"খনদে; মহাক করিসু তৌহন্দবা ঙমগনি।"

"অদু ওইববদি পুন্নমক ফরে অতে কনা অমত্তনা ঐখোয় অনীগী নুংঙাইববু কায়হনবা য়াহনগুমসি। পুন্নমক; নুংঙাইবনা নুংশিবনা থলহনসি;

বোম্বেদা নীংথিরবা য়ুম অমসু লৈবশি... নোংসু চুনিংবমখে চুজসনু... নুংনাংবগী মচাক কবিসু লৈত্রে।"

"নুংনাংনিঙাই মতাঙ অমদি লৈবি। ঐনা হায। যাম্না অরাবদি নঙে অদুবু হৌজিক্কিসিগদি ওন্ন তৈনর্বনি।"

"মদু কবিনো; দার্লিং ?"

"হৌজিক ঐখোয অনীমক্কি হনিমুনদি পাঙথোক্লে...নত্রা ? .... অদো নঙ ঐগদি লুহোংঙোইদ্রা ?"

বাহং আসগী মচুংদা হাইহাক্তাদ ভূমিন্না লৈখি। ঐনসু মচুংদা যেংলুদে... মাগী পাউথুম অদুতনি এনা হানাংখিবা। 'মনিং খবগী' মচুংদা খঙলকই, মহাক ভূমিন্না কপ্পুনা লৈবে হাযনা।

মহাক্না হিক হিক কপ্পুনা হাযবকই "ঐনা নঙোন্দা হাযর্জখিবা অদুনা দার্লিং... নঙ ঐ লুহোংবা ওইহোক্রে... নঙ বাশকপিযু... এবু লুহোংলোই হাযনা...। রাশকপিযু।"

(১১)

ঐখোযনা জালতাল থাদোকদনা নুমিৎ খরনিগা মমাংদা মাগানো অমদি জেনিফর মচিনমনাও অনী সেন্নাগা মনাদা খংনবরক্লম নুংঙাইনদনা মাল্লম্মী। নুংশানা কাহৎলবা কলকতাদগা মখোযগা মপা কানবাবনা। ... লাক্লবা যাওবা মখোয কবিসু মচুংদা নাচুংলমদে। এমা অকমদদি মখোয অনীমক রাখল অদুম চপ মান্নে; সেন্নাগী মবমদান; মখোয অনীনা নুংশিনবগা অখোয অহেন তান্নবীবসি...। মাগাবেটনা; কৈথেলদা চৎলগা; লমদম অদুগী মীনা শাবা, ফজনা হক-খোৎপা উপুমচা এমা সেন্নাগীদমক্তা লৈকলদানি জেনিফবনা মচেদা শাওখিবা; মা খঙহল্লমদে হাযদুনা। মহাকসু কৈথেলদা চত্তুনা মচেগী অদুদগীহেন্না চাউবা পোৎশক অদুমক অমুক লৈরুবে। মদুদগীনি মখোয অনীমক রা ভাঙলখিদবা... কোন্নদি মখোয অনী ভাব তানবক্তুনা; অমত্তা ওইনা সেন্নাগী

মনাক্তা চঙলক্তুনা কপ্লমই। ঐগীদমক্তসু মখোয়গী লৈজবী আনা (লুপা অমগী তবাতকক থোকপা শকক) পুখোকচদুনা অচম্বা খুদোলপোৎ অমা লৈকবগা পীবম্মী; অমসুং মদুগা লোযননা ঐঙোন্দা হংজখিবদি; ঐবু অংকল মাইকেল হান্দবা মিংগৌদা মখোযনা চিথি ইজবকপা যাগদ্রা... অসিনি। কয়াদ নুংশিত্তবনো অঙাং অনিসে। অশুম্না ইকোন কোনবা নুমিৎ অদুদদি; ঐখোয় মবীমক হান্নদগী যাম্মা চেৎশিন্না নুংশনববা মকপ মপাঙ ওইনখি।

চৎলমদাই য়ৌবক্লবদা; সেব্বীগী মমিত্তা মপী তাবকখি; গুদ বায হাযনা হাযনা কপলকখি। অঙাং অনীদুবু মহাক্না চুম্লীবমই, মিসিজ মাথব নসু মহাকপু নুংশিনা চুপলমই। ঐখোয অনীমকপু মিকুপ্তুদা ফজনা ইশক খঙবীবগুম মিসিজ . বে ন' এখোযগা খৎ শোক্লখি। ঐখোয কাব মনুংদা চঙলে, বাহাদুবনা মাঙপ'; ড্রাইভবগা লোযননা; সেব্বী ঐখোয় অনীনা তুংদা। মচু-মচুগী চে মচেং কযানা কাব অদুবু অশাং অনীনা লৈতেংবীবকপা অদুদি কাব অদু থৌবক্লবা মত্তমদা হবাও কুম্মৈগী ওইনা প্রোসেসন চৎপা মাল্লি। খৎ হাইনা হাইনা, হন্না : গুদ বায হাযনখি, চম্পালদা খুদোলনা থেংলগা লৈথৌববা মখোযগী মাইকৈদা খূৎ তিংথোকলমখি, চিথি ইবক্কনি লাউবমখি। কাব অদু গিযাব পাল্লক্লে; চংখৎলক্লে। অঙাংশংদুনা লাউরৌই "চৎলোকো; চৎলোকো।"

(২৩)

দিল্লি যৌবলপা মত্তমদ প ট্রেন বিজাবেসনগী মতাঙদা স্তান মেন তানদবা . . অমা ওইনবদগী নুমিৎ নীনান্দি পন্দুনা লৈবে। চীংথক্তা ফট চানিপাল ব্রাংনা ।তাল চৎলুনবা মতুংদা দাল্লদা ওইবাল্লবা অশাবগী হব্রা-নুংশিৎ অদুন্দি, ন া লৈবঙ মমাংদা .লপগা চপ মাল্লবমই। নুংথিলগী মত্তমদা তেম্পাবেচব ১২০ (চাম্ম কুন) যৌই, নুংদাংদসু চাম্মদগী হন্থদে। ঐখোযনা লৈকবা কা গী ফক্লাঙশিং অদুসু বেদিযেটবগী মতৌগুম্বা মৈনিল কাপথোবকই, কবি অমুক হাযগনি, শিৎলিবা নুংশিৎ অদুসু চাকথেকপমখৈ শাবে। ঐখোয়না লৈকবা হোটেল অদুগী লৈমায়দা লৈবা ইবোযফম পুম্ত্রি অদুদা ঐদি অমুক কুমথ অমুক

কাখৎ তৌদুনা অদুম মতম লেল্লে; অসিগী তুংদা; এয়ার কন্দিসন তৌরবা রেলগী দাবা-দা চঙলকপা নুমিৎ অদুদি কয়াগী মতিক অল্লাব কোক্লা নুংঙাইগ্রবা !!

বোম্বেদদি নোংজু মতম ওইবনিনা নোং হৈথনা চুরম্লি। লম্বী খরদি তুরেলগুম্না ঈশিং চেল্লম্মী। য়ুমগী ইমুং মনুংদসু অয়াম্বনা চোংলি মালিনবা ঙাক্তনি। দিল্লিদগীদি মফম অসিনা ইঙলবসু; অশাবা মনিল চেনবা নুংশিং অদুনা হকচাঙ অসি ইচোক চোকথহল্লি।

ঐখোয় অনীমক জাপানীজ লোল তম্ফম স্কুল অদুদা নোংমতদা পুল্লা চংমীন্নদনবা লেপ্লরে। ঐদি মথঙগী নুমিৎ অদুমক্তদা চংখি, সেক্কীদি নোংমসু চোস্থনা ছুটি লৌরম্মই মরমদি চপ মান্নবা মতমদা ঐখোয় অনী পুল্লা চংমিন্নকর্বদি; মী অতৈনা ঐখোয়গী মরমদা ৱাখল শাগৎনখিবা য়াই হায়দুনা।

নুমিৎ অদুগী ঐনা য়াওরুবা ক্লাস অদুদি ইতসুমি সানগী ওইরম্মী। ছাত্র অতৈদি অনৌবা টার্ম অদুগী অহানবা নুমিত্তা লোইনা চাংয়েং তৌরম্লে। খুদক্তা ইতমুসি সান্না ঐ কয়াম খঙলবনো হায়বগী খোঙথাঙ য়েংনবা ঐঙোম্লোমদা ওনশিল্লক্রমই।

ছুটি মনুংদা ঐহাক কদায় য়ৌরুবা করি তৌখিবা অমসুং করিগী খেঙনা হল্লকপা হায়বনচিংবগী মরমদা জাপানগী লোলদা হংজিল্লকখি। পুম্নমক অদু হংলক্কনি হায়বা খঙবদগী হান্নদগী হৌনা সেক্কীগা খন্নদুনা লাক্লবনি অমসুং ৱাহংশিংগী পাউখুম পুম্নমক জাপানীজ লোলদা ইবায লায়না খুল্লমই। পাউখুমশিং অদু পীবদা; ঐখোয়না ক্লাসতা তমখিগ্রিবা জাপানীজ লোল কয়ামকম য়াওখি; মদুদা ইতসুমী সান য়াম্লা অঙকপা পোকখি হায়বা ঐ খঙই, অদুবু মাগী মায়খোঙদদি উংখিদে। মানা মখাতানা জাপানীজ লোলদা হংজিল্লকই :-

"নঙ (গ্লাসিয়ারস) অচৌবা উনগী মপাক উরকপ্রা ?"

"হোয়," ঐনা খুমই। "য়াম্লা লাপ্লা।"

ঐনা ৱাহে অদুগী অর্থ খঙই হায়বসে মহাক্লা থাজদবনা; অমুক্তসু হংলকই :-

"মখোয় করিনা শাবনো ?"

"উল্লা।" ঐনা হায়।

গ্লাসিয়ারসকী মরমদদি সেৰ্বীগা ঐখোয় অনী ৰারী য়াম্না শানরকপ্রে। মানা মখা তাবকই :- "নঙ চীং কারক্রা ?"

"কারুদে, ইরুজখোক্লগা শগোল তোংদুনা চৎলি, অহাও অহাওবা চাক চাবা কয়া চায়।"

"করি করি চাবকই ?"

"মখল পূম্নমক, করিগুম্বা মতমদা চনমসু য়াওই।" চনমগী ৰাহৈসে মতাঙচানা নীংশিংলকই ঐনা।

ইতসুমি সান; মাগী বিজিস্তবদা ঙাইহাক য়েংদুনা লৈ, অদুগা অমুক মপূক্লিংগী অপেনবা ৰাহৈ ফোঙদোরকই।

"ছুটি মনুংদা নশাগী ঙমজবা থাদুনা হোৎনরুবসি ঐ য়াম্না নুংঙাইরে।"

"হোয়, ঐনা ঙমজবা হোৎনজবনি।"

"হৌজিক্তি, ক্লাসতা নঙনা খ্বাইদগী অহেনবা ওইরে।"

অহানবদদি; ট্রেনিং যাওম্নিবা মখোয় অতৈনা ঙাঙন-শক্লবা তাবদা; ঐনা মখোযদগী যাম্না হেন্না শোৎম্নি হায়না খল্লুবনি, অদুবু হন্দক মতম খবা সেৰ্বীগা লোযনদুনা চৎলুবা; মানা ঙাঙব-শকপা তারুবদগী ঐহাক্কী খঙজবা শ্যা হনকৎখ্রবা...। ইংলিস লোলদা সেৰ্বীনা ঐঙোন্দা হায়খিবা ৰাহৈ-ৰাতা কয়া নাংশিংবগা লোযননা; মদুগা মান্নবা জাপানীজ ৰাহৈশিংসু অদুম নীংশিংলে। মহাক্না ঙাঙবদা যাওখিবা চৎনবী ন্নাহৈ খবনা শেম্বা ৰাহৈশিং অমসুং খোম্থোক্কি অনেম অৰাং পূম্নমকসু নীংশিংবা ঙমলে।

তশেংনমক ঐদি মাগী মতৌ তম্লবনি; অশুম্না থা খবা ঐখোয় অনী লোয়নবকপসিনা ঐহাক্কী জাপানীজ লোলসু ব্রং-ব্রং হায়দোকপা ঙম্বতা নত্তনা চৎনবী প্রমাণ পাম্থে কয়াসু য়াওহল্লে। মতৌ অসুম; ঐনা হেনকৎলকপগা লোয়ননা, মী অতৈনা তপ্না তপ্না শোৎখহৌই, মরমদি লোল অদুবু মখোয়না শিজীন্নরুদবনা অমদি লাইরিকতা য়াওরিবা অদুবু হোৎনরুদবনা। ফেনৰিক হায়বা

নুপা অদুতনি কন্না হোৎনখিবা। মাদি বোম্বেদা অদুম লৈখি; ঐনা তাবদা, চাং নাইনা মরক মরক্তা স্কুল অদুদা লাকখি হায়। মহাক গ্রামারদা মখায় যাওনা হোৎনজরবসু; ইতসুমী সান্না হাযবদা মহাক্কী খোঙ্গোক অদুদি জাপানীজ লোল মানশিন্দে হায়বসিনি।

নোংমা ইতসুমী সানগা ফেনবিক্কা লোলগী মরমদা অকনবা মরৈ য়েৎনখি-মখোয় অনী শাউনখি। ঐখোয় পূন্নমক মনিংদা ফম্নগা মখোয় অনীনা ঙাঙনবিবদু তাদুনা; য়েংদুনা লৈখি। কুইনা ঙাঙনববা মতুংদা ইতসুমী সান, মাগী দেক্সতা মমায় লুকথদুনা ব্রাখল খল্লি। মহাক মপৃক্লিং নুংঙাইতবসু মাল্লি। ফেনব্রিকর্তি, উশিংতবগী মওংদা মানা ফম্লিবা চোকি অদু তুংলোমদা চেপথদুনা নোম নোমদুনা লৈখোকই; মাগী ব্রাখলদা লৈনবিবা ফিভম অদুদদি মহাক্না মপনি হায়বগুম।

ঙাইহাক লৈরগা ইতসুমী সান্না হায়রকই :-

"নঙ য়াওনীংদ্রবদি; ঐগী ক্লাস য়াওদ্রবসু য়াই।"

"মদুনা ব্রাফম অমা ওইবদি য়ারোই।"

"ঐগী ক্লাসতি য়াওনীংব্রা ?"

"করিগী য়াওনীংদনি।"

"জাপানীজ লোল তম্বিবা হৈতে হায়না ঐবু খল্লবদি, নহাক চৎখিবনা হেন্না পাম্মি ঐদি।"

"মদুদি জাপানগী বা মাল্লি," ফেনব্রিক্না হায়রকই। "নঙনা ব্রাখল পূন্নমক চমম্নহল্লে।

ব্রাফম অসিদা; ইতসুমী সানগী নাপুমচুগী কুচু অদু ব্রাওথাংনবকই, মমিৎ খুজিল্লকই, শকফমদি হোংদে। হায়রকই :- "নহাক ওফিসর অমনি; অদুনা... ঐনা হায়নীংবা কয়া নঙোন্দা হায়বা ঙমদে।" মহাক হৌগৎলকই, রিজিস্তর মওং তানা খুমজিল্লি, মাগী কলম অদু মখুম লৈশিল্লি। ক্লাস লোইগদবদি পুংখায় অমরোম ব্রৎলি। তৃমিন তৃমিন লৈনৈ। বোর্দ অদু নানথোক্লগা; দস্তর

অদু য়ানশিল্লি, মাগী চোকি অদু মফম চানা থনম্নগা-লাইবিকশিং অদু শেগ্রাক্তা চপশিল্লগা চুমদ্রিং মমায লোংখৎতুনা ব্রা-লাং অমত্তা ঙাঙদনা ঐখোয পূম্নমকপু ব্রাবৌবা মান্না ক্লাসতগী থোকখি।

"মখোযসিগুম্বা মীতাগী অকব্বসে মশিনি, ফেনব্রিক্লা হাযবকই। ফৈ-ফত্তে খন্নবসে, মখোয় শুকযা য়াদে।" ওইস্ত্রিবা থৌওং অদু ফেনব্রিক মশানা পূম্নমক খঙলবগুম: ঙম্নবগুম ফোঙদোবকপনি।

অদুগী তুংদা ঐদি, পিতবগা চাক চাকসি হায়না থোবক্লে। ছুটি চৎলুববা তুংদা; ঐখোয অনী উনদুনা ব্রাবী-ব্রাতায তৌনগদবা কয়া লৈবম্মী। মদু পূম্নমকতু তাজ হোতেলদা ওইনা তৌবসি হাযনা লেপ্লবে। ঐগীসু পিতবগুম্বা মরুপ অমা লৈজবদি যাম্না লাইবক ফবনি। ছুটিগী মতমদা ওইখিবা সেব্বী ঐখোয অনীগী অঙকপা ব্রাবীশিংদু মঙোন্দা তমগদবা ব্রাংলি। মহাকসু হৌখিবা থা অমদুগী মনুংদা মানা খঙখি উখিবা মীওইশিংগী ব্রাবী ঐঙোন্দা তমগদৌবিবনি। মানা ঐঙোন্দা তমখিবা ব্রাবীগী মপুং ওইবা শকক্তি মাবভিন্না ইন্দিয়া থাদোকতুনা মযুমদা চৎনিংবগী থৌবাংশিং অদুনি। মাবভিন্না মেদিকেল ওফিসবগী মনাক্তা চৎলগা মশাগী ফিভম ফংলক্তবগী মবম পীশিন্দুনা ব্রারুৎলুবদা মেদিকেল ওফিসব অদুনা মহাকপু মতম খবা হোসপিতালদা লৈববদি; মযুম চৎখিবা যানবা থৌবাঙ তৌবিগে হায়বকপা অমসুং মদুগী মতুং তাবকপা ওইনা আহমেদাবাদকী জেলগুম্বা হোসপিতাল অমদা মহাকপু থমজিল্লুবা অদুগী তুংদা ওইবকপা ব্রাবীশিংনি।

পিতবনা তম্বা ব্রাবীগী মতুংইন্না মাবভিন অদু খবদি ওৎপীখিবা মাল্লি মওং তাদবা অমোংপা হোসপিতাল অমদা থমজিল্লগা; মহাক্লা অপাম্বা পোৎ অমত্তা ফংহন্দনা। তশেংর্বদি মহাক্লা মযুম চৎনিংমনবদগী মশা যাদ্রে হায়জীন্নকব্দুগী মবমনি।

নোংমদি মাবভিনগী তেলিগ্রাম অমা লাক্লদুনা যাম্না থুনমক পিতবনা মাবভিনগী মনাক্তা চৎলুই হায। মহাক্লা খনবদা শিবা-নাবগী অথুবা পাউ-বা অসিনি। মফম অদু শঙলম্বা মীওইশিংনা ঙাইহাক মাবু হংখোৎপা তৌরগা মাবভিন্না লৈবীবা কাগী লোনশীল্লিবা থোঙ অদু হাংদোক্তুনা চঙহল্লি হায়না

তম্মী। মাবু উবদা; মখূৎ অনীমক পায়শিল্লগা মারভিন্না হবাওনা হাযখিবদি- "ঈশ্বরবু যেংদুনা নঙনা ঐবু শিদগী থাদোকপিয়ুকো ! মফম অসিদা ঐ ঙাওবক্কদৌবে।" পিতবনসু ডোক্তবশিংদু উনবা চৎলুবদা মখোয় লোইনমক চুরুট অমমম থক্কদুনা থৌশা ব্রাশাদনা লৈবন্না অমসুং উনবা চঙলুবা মহাকপু যাম্না চিংনবা মওংদা কৃপথনা যেংশিল্লকপগী মওং অদুদা মহাকসু; কা অদুগী থোঙ লোনশীন্দ্রিঙৈদা হৈ-শিংনা স্তেসন যৌনবা নানখোবকখি হাযনা তম্মী... অদুবু মাবভিন 'দুদি মখা তানা মাগী কৈশুমশঙদা অদুম লৈহৌবমানে।

মহাক্না তম্নিবা পাউ অসিদগী নাথৈদুনা পিতবনা অমুক হাযবকই- "ব্রাবী অসিদি ঐ ইশাগী বাবীগা কবিসুদি মবী লৈনদে। ঐগীদি, হৌজিক লাইবিক অমা ইবা লোইবে।"

"কবি মমিং থোল্লিবা ?" ঐনা হংই।

"মমিংদি, যঙ লাউগদবা অমা থোল্লগে, মী অমগী পামজবা চিঙ্গাক" হাযনা। লাইবিক অদুনা পৃথিবীদা মমিং চৎনা খঙনবক্কবা অমসুং ঐগীসু থোইদোক্লা কান্নবক্কবা মতমদা; চপমান্নবা মদুগী অকনবা লাম্না অমা ওইনা অমসু ইগনি "মী অমগীদি ছ., কৌবা।"

"চপ মান্ননা, অমনা অমগা অশোযবা থি-নবগী ব্রাবীনিনে ?"

"মদুনি-অবানবা ফাগৎনবান।"

অহিং অদু ঐখোয় অনা নোজিগী লৈফমদা চৎলুই। পিতবনা মগী ইথোক্কবা ব্রাবীগী কাববোন কোপিশিংদু ঐবু পাউ হাযদুনা থনম্মী। লোইনমক এয়াবগ্রাফ (এবোপ্লেন্দা পুখিনবা চিথিগী অথন্নবা চে) দা ইবনি। ওরিজিনল কোপিশিংদুদি, নম্নবগীদমক মোসিন্দা লৈখ্রমানে। লামায ৩৭৩ পাল্লি। লামায খবা পাববা তুংদা ঐনা মঙোন্দা হায "মসিদি দিতেক্তিবকী ব্রাবী মান্দে" "মী অমগী পামজবা চিঙ্গাক" হাযবগী মহুত্তা "লানগী নুংশিৎ হাযবনদুম পক্কগনি। মানা ঐঙোন্দা হংলকই- "নঙ লোইনা পাববো ?"

"খবা পাবদা খঙবা ঙমলে... লাইবিক অসিগী অফোঙবা মী মমিং

চৎকনি-কান্নগনি... লাইরিক অসিমকসু পৃথিবীগী ওইবা ব্রারীগী মেপতা যাওবা য়াই।" ঐগী ব্রাহে খরসি তাবগা; পিতর হূরাওজে। মহাক মপান্দা থোকখ্রে।

ব্রাবী অদুদি-পীরেনিজ চীংদা লৈবা ফ্রেন্সকী ইমুং অমদা লৈবম্বা ইংলিস পাখংমচা অমগী মরমদনি। লাল হৌরক্লবদা, জর্ম্মনগী মখুত্তা ফ্রান্স খূৎলায় থাদোকখি। মতাঙ অদুদগী; ইংলিস পাখং অদুগী পূক্লিংদা লৈতাফম খঙলক্লদুনা অমসুং নানথোক্লুনা চেননিংলকপদগী পীবেনিজ চীঙশাং ফাওরগা ইংলেন্দা লৈহৌবা মযুম য়ৌগ্ননগে হায়বগী পূক্লিং লেপলম্মী। লাইবিক অদুনা লোইশিল্লকপদি-পাখং অদুনা চীং অদুগী খ্বাইদগী ব্রাংবা মতোল য়ৌবক্লগা স্পেইনগী তম্পাক য়েংথবকপদনি। তশেংবসু; পিতবদি মতৌ অশুম্না ফ্রান্সতগী নাম্বোবক্লগা স্পেইন্দা বন্দি ওইবকখিবনি; অদুম্নদি ওইবগা মঙোন্দা ওইরকখিবা মতুংগী নুংঙাইতবা; অব্রাবা থৌদোকশিং অদূদি মহাক্কি লাইরিক অদুদা চেকশিন্না মমি তাহনখিদে। লাইবিক অদুগী চেনা খুদিংদা থৌনা ফবগী অশেংবা ঈচেল অমা অদুম লোয়নদুনা চেম্লি-মশামক্লা খল্লুদ্রবসু; উবদি ফংদনা; মরৈবাকপু খমথেংনা নুংশিজবগী অমসুং মীগী অতোপ্লা লৈবাকপু তুক্কচনা খনদবগী, লাল পামজদবগী ব্রাখল অমা মযেক শেংনা য়াওরি। চহি অশুক কুইনা ঐখোয অনী অব্রা-নুংঙাই শরুক য়ামিন্ননা; মরুপ ওইনা লোয়নরক্লবসু; মাগী পুন্সিগী অতোপ্লা নাকলদা য়াওবম্লিবা শরুক অসিদি ঐগী ইফমদা অঙকপনি; হান্নগী মতমদা ফবিসু খঙবা ঙমখিদবনা।

অসুম্না ঐ ইথন্তা ফমুংদা হিপ্তুনা; পিতবগী ফোঙদ্রিবা লাইবিক্কী অইবশিংদু পাবিঙৈদা; ফেনব্রিক কা অদুদা চঙলকই। পারিবা লাইবিক অদুনা মবম ওইদুনা ঐ মঙোন্দা মুন্না য়েংলমদে; অদুবু মিৎচিনা হায়রপ য়েংবদা মহাক করিনো 'মা হায়নিংবা মাল্লি। ব্রাফম অমদি লোৎশীল্লগা মহাক ঐঙোন্দা নোকশীন্নে-হায়রকই- "করিনো 'মদি থকমীন্নরুশিনা।"

"ব্রারৌবীবা য়াদে, ঐ লাইরিক পাদুনা 'সুম লৈজহৌবগে।" ঐনা হায়।

"পূংখায় অমবোমদদি মপান্দা থোকমীন্নকশিবা।"

"ঙসি অহিংদি ঐ চৎচররোই।"

মা; ঙাইহাক মতম লৌবা ওইনা লাইরিক ময়াম থল্লিবা কপ-বোর্দ অদুদা য়েংদুনা লৈ, মৈ থাফম ফক্লাঙদগী ইস্ত্রোক্তুনা লৈবা মফমশিংদুদা লৈরিবা পোৎশিংদুসু যেংই। অমুক হংলকই :- "নঙ চৎথোক্লরোই হায়বসি শোয়দ্রবো ?"

"শোয়দ্রে।" ঐনা খুম্মী।

"ফবেনে ! মহাক্লা হায়।" অদু... নঙগী য়াম' ফজনা হকপা উপু অমা লৈদা... ঐগীসু অমা লৈ-মশিগা মান্নদবা, কাশমিবদা তোঙান্না হায়জরগা শাহল্লকপনি... কাশমিবগী পোৎশিদি অতৈগা চাংদম্লবা য়াদে...।"

"উম।" ঐনা খুম্মী।

মহাক ফমুংগী অকোয়বদা চৎলি-মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা খরা খবা নোকই-ফক্লাঙদা থেংপা লাই অমদা মুন্না য়েংই। ঐনা অমুক হায- "কবিগুম্বা হায়নিংবা লৈরসু... হায়যুনে কবিনো ?"

"ঐগী ওইনদি করিবু লৈগদবনো... ?"

"নঙ নশাদু নোয়থোকমল্লে-অঙাং পোক্কদবা মাল্লি।"

"অচুম্বমক; ঐ নঙগা কবিনো 'মদি খন্নবা পাম্বনি-মদু ঐনা খনবদা... থকমিন্নরগা; যাম্না মকপ মপাঙ ওইবগী মওংদনা হেন্না পামজবনি।"

"থকমীন্নববদি ঐ-মীগী মমায়দা হূইস্কি চাইশিনবা যাম হৈনবজাতনি, ইন্দিয়াগী হূইস্কিদি এসিদকুম্না পূক্সু চাকথেকই।"

"হোযনে... পূম্নমক অদু নঙনা অদুম ফনবা তৌগনি ঐ খল্লিদা।" মহাক্লা হায়। "নহাক ফজনা জ্ঞান তাবা মীনি হাযবসু ঐ খঙই, অদুগা; নীংশিংগদবা অমদি-ব্রাফম অসিদি অফোঙবা নত্তে।"

"করি হায়বা... ?" ঐনা হংই।

মহাক ফমুং মপান অদুদা ফমথরকই-মখূৎ অনীদুদি খোংগ্রাওগী পোকিত-তা হুমজিল্লগা। মহাক্লা খনজরম্বদি; হোটেল মনুংদা ঙাথদুনা ফল্লগা;

হূইক্তি গ্লাস অদু খূৎশানা লৈ-না, লৈ-না পায়রগা য়াম্লা লেমবা শান-ভাঙজবা অদুনি- হায়রীবা অসি ব্রাত্তুনসু য়াগী ব্রাফম চংথরকই।

"মীনা হায়নরিবা... মহাক্না হায়রকই। লোল অমা তম্বগী খাইদগী ফবা উপাইদি (স্লিপিং দিক্সনারি) অতূম্বা দিক্সনারিনা ওই হায়নে।"

"নঙনা হায়রিদু করিনো ?"

"মদু অমুক শব্দোক্না তাকপা দবকার লৈতে।"

"লৈ-দবকাব লৈ।"

"ফবেনে, মশিনা তাকপদি নহাক নুপী অমদগী য়াম-ফজনা তম্মী হায়নে।"

"অদু ওইবগা; নঙসু অমা থিবোনা-করিগী থিদ্রিবা ?"

"শেংনা হায়রবদি; মদু ঐসু ঙমগনি হায়বদা করিসু চিংনবা লৈতে। নঙনা খঙলিদু মঙাই, ঐদি পোকপদগী নুংশিবদা মায় পাক্কুনা লাক্লবনি। ঐনা খনবদা; অতৈনা ফংবগুম্না ঐগীসু নুংঙাইবা-মিকুপ কয়া লৈত্রবনি।"

ঐহাক মঙোন্দা মুন্না য়েংশিল্লগা হায়- "নহাক মফম অসিদা করি হায়বা লাকপনো ?"

"নঙগী-নশাদা কবিগুম্বা অবানবা অমা তৌকবগী ব্রাখল লৈত্রা ?" মহাক্নী অশাওবা তংখায অমা য়ৌবকপগুম হায়বকই।

"মদু করি ওইবা যাই হায়না নপূক্লিংদা খল্লি ?"

"নঙনা খঙদ্রবদি... ।"

"স্লিপিং দিক্সনারি হায়বা ব্রাফম পুথোরকপগী মরম করিনো... ?"

ঐ খঙলমই, কবিগুম্বা ঐগী অশাওবা অদু লাকশিল্লমদবা তারবদি; মতাঙ অদু য়াম্না ফজদবা মওং অমা ওইরমগনি হায়বা। মরূপ অমগী মওংদা মহাক্না পুখৎলকপা তৌশিল্লবগী মওং অদুনা হেনজিনখিদুনা থোকলম্বা য়াবা অশোয়-অঙামদি থোকখিদ্রে। করিগুম্বা লানগী মওংদা মহাক্না চংথরকপা

ওইরবদি ঐহাকপু খামজিনবা য়াগনি। অশুম ঙাঙনবদগী মহাক লেপখৎলকই-ঐগা-মায় মায় ওনশিন্নরে। মীনা উরবদি; চাওখৎতবা; ফজদবা মতাঙনি। ঐদি খঙজে ইশাগী অশাওবা লাকশিন লাকশিন্না মৈ হৌনদি শাওরে-শাওমনবদগী অরোনবা লৈরক্কে।

"করিগীনো হায়বা নশানা চপচানা খঙবা নৎত্রা ?" মহাক্না অমুকসু হায়রকই।

"মদু নঙনা নথৌনা লৈরদি হায়য়ুনে!"

"ঐ অপঙবা নত্তে। ছুটি মমাঙদগী হৌনা জাপানীজ ওঝা নুপীদুগা নঙগা অরোনবা থবক অমা পাঙথোক্লুরে হায়বা ঐ খঙই।"

"জাপানীজ ওজা! ঐনা খুশ্মী। কনাগী মবমদনি হায়না খনগে নঙনা ঙাঙইদো ?"

মহাক হৈ-শিংনা মখা চৎথরকই- "নঙ মহাক্না চৎমিন্নরে হায়বসু ঐ খঙই।"

"নঙ করম্না খঙইবা ?"

"য়াহং অদুদি য়াফমশিগী য়াংমদনি।"

"নঙনা ঐখোয়বু য়েংশিল্লবদি; য়াফম অদু মশিমক্লি।"

"ট্রেনিং স্কুলদুদা ঐনা নঙোন্দগী সেনিয়র ওফিসরনি হায়বা কাউদ্রা ?"

"মিস ব্রৈ অমসুং ঐগী মরমদদি নঙগী নথৌ করিসু লৈত্তে।"

"অপান্ননা; নঙগী লমচৎকি মতাঙদদি ঐনা য়েংশিল্লি।"

"নুংঙাইথোকপগী মরমদদি ঙসাই নঙসু হায়খিবদাই।"

"নশা নুংঙাইথোকপদদি ঐ অয়েংপা পীদে।"

"ফৈ-মদুদি নঙগী থৌজাললনি।"

"নঙনা খঙলীবদুমঙাই-মিষ্টর লেস্লগী মতাঙদসু ঐ য়েংখিদবনি; অদুবু য়ুরেসিয়ান অমগা লৈনবা মরিশিদি অতোপ্পা য়ানি।"

"হায়বদি... ?"

"নঙ নশামকপু জাপানীজ নুপী অমনা পঙথহনবসিমদি-চপচানা অঙকপা হীবমনি।"

মিকুপ অসিদা খঙহৌদনা ঐনা মাগী মমায়দা খুত্তুম্না শুখি; মদুমক্তা মহাক ৱাম্ববদি তৌখিদে। মমাযদা থোক্লিবা ঈ অদু নানথোক্লবা মখুৎফাওবা থাঙ্গৎলকখিদে। মিকুপ অমওং ঐঙোন্দা মুন্না যেংলম্লগা মমায় লৈথোক্নুনা মপান্দা থোকপ্রে।

(২৪)

থৌদোক অদুনা মবম ওইহল্লগা; মহাক্না কেস অমা থাঙ্গৎলক্কবা অদুগীদমক্তি, মহাকপু ঐনা ফবে হায়না খল্লকবা ঙমলমদে। মহাক্না ঐবু যাম্না অকবা; অৱাবদা তাহল্লম্বদি যাবনি; মবমদি কবিগুম্বা মবম অমত্তদা; ঐ ইশানা ম্ঙন্দা লাল্লুবা থবক অদুগী চাং হম্থহন্নীংঙাই লৈবমদে; অদুবু মহাক্কী পুকচেল চাউবা উৎথোকচবগা ফংজগদবা নুংঙাইবগী শকক অদুসু মহাক খঙদবা ৎৌনমদে। মথঙগী অযুক্তা মথ্বায নুংঙাইথোক্না মহাক্না ঐঙোন্দা হায়বকপদি- "কিন. ঙবাং অহিংগী থৌদোক অদু ওইদুনসু ঐদি হৌত্রবশিদি অদুম হৌত্রসনু হায়নসিন্নি।"

"হোয়" ঐনা খুম্মী।

"অমবোমদা .. মদু ইশাগীওইবা নত্তবনিনা; শেংনা হায়ববদা; ঐনা পুখৎখিবা ৱাফম'দুদি কাউবা ঙমদ্রে।"

"হা- ? ৱাফম অমা পুখৎখিব্রা নঙনা ?"

"হীবম অসি ঐগী খুত্তগীদি চৎলহনখ্রগে অদু ওইবদি ঐখোয অনীগী মকপমপাঙ ওইবগী লম্বীদা অপনবা অমুক লৈববোহ্।"

"ঐনা হেক খঙজবদা হায়বগদি," ঐনা হায। "থোকশ্রবশিংদু কবিসু ওইনা খন্নদ্রবদি. . তুংদা কবিসু অকাযবা লৈতেনা।"

থীন্দে-হীরম অদু মঙোন্দগী খুৎথাঙ চৎখ্রে- ব্রিগেদিয়ার য়ৌখ্রে। মদুগী ফলনা; ঐনা খনবদি... ঐঙোন্দা দন্দি অমত্তা পীদ্রবসু সেব্বীবু থবক্তগী লৌখোকপীরকদ্রা অসিনি। ঐ, য়াম্না শাউনিংনা থবায়সু নুংঙাইতনা ঙাইদুনা লৈবে। ইথন্তা খল্লী-ঐগী অশাউবনা সেব্বীগী থবক মাঙহনগদৌবে; লোয়ননা ঐখোয় অনীগী নুংঙাইবা মতম লোয়শিনগদৌরে। হৌজিক হৌজিক মঙফাওনদ্রিবা; ঐখোয় অনীনা খন্নরুবা য়ুম অমগী ব্রাখল; অমুক মঙফাওনবা ঙম্নরোই। য়াম্না ঙক্না অমুক খল্লকই, ফেনরিক্কি মনাক্তা চৎলগা থবক পাযখৎপিদনবা ঐবু মঙোন্দা হায়জরুবা ঙমগদ্রা। ফেনরিক্কি তৌশিন্নবদা মিনিট মঙাফাওবা পূক্লিং চঙবা ঙমদনা কা-হেন্না নাপল তৌরুবা; শাওকব্বনা মবম ওইদুনা পুম্নমকপু মাঙহনগদৌরিবসি ঐ অঙাওবগুম খল্লম্মী।

অদুবু মতম অদু হেনখ্রে; ঐবু ব্রিগেদিয়ারগী ওফিসতা কৌরক্লে। ঐনা চৎত্রিঙেদা; মহাক সেব্বীগী ক্লাসতা লাকলমই। মঙোন্দা যোমোন নোকই, ঐঙোন্দসু য়েংলকই। ঐঙোন্দা তূমিন্না হায়রে..."বারী অমত্তং নঙগা শাবা য়াগদ্রা ?"

ঐ মপান্দা থোক্লে, ফেনরিক্কি মমাঙদা পাঙদবা শাদে। মহাক্তি নাপল তৌনা নুংঙাইজবা মাক্লি কেস অদু মাগী মখূৎ লানখ্রে হায়না।

ব্রিগেদিয়ারনা হায়রকই- "ফম্মু... ফম্মুনে। চুরুট অমা পাযযু... জাপানীজ লোল ভম্বা করম করম তৌরিবা ?"

"হৌজিক হৌজিক কন্না হোৎনজরি লাল্লবসু লান্না।"

"তাবদা নুংঙাই-হৌজিকসু নঙ অদুম হৈনরিকো ?"

"য়াম্না হৈনজে।"

"মরু ওইরিবসি মদুনি... নৎত্রনে ? মহৌশাগী ওইনা তম্নরিবসিদগী হেন্না মরুওইবদি, হৈনিঙনা পূক্লিংচঙবা লেপ্তবা অদুনি। থেঙ্গুনা থেববু মায়থীবা পী হায়বসি ঐ মতম অমদা থাজরমদে...অদুবু চুম্মী... 'সিগা মান্নরা ঐনা খঙখিবা পাখংমচা অমসু লৈখি... ক্যামব্রীদজদা।"

মহাক্না অশাঙবা ব্নারী অমা লীবদু তান-তান ঐ চুরুট অমসু চল্লে। অদুগীতুংদা; ঐনা ছুটিদা চৎলুবা লমগী মরমদা হংলকখি। ঐ, জালিতালগী পাউ তম্মী, মরূপ অমগা চৎমিন্নরক্কইসু হায়না। মরুপ্তু কনানো হায়বসু হংলম্তে... শগোলগী অমসুং চীংগী মরমখক্তমক হংলকখি। ঐখোয় অনী; হিমালায়াগী ব্নারী শা-ন-শা-না; বর্ম্মাগী ব্নাফমসু য়াওশিল্লকই। মহাক্না হায়বকই- "বর্ম্মাদি যাম্না ব্নাবনী-শাথিবনি...।" মতাঙচানা; ঐগী হকচাঙদা শোকখীবা মফমশিংদু উহনবদা মহাক ব্নারৌবা তৌরোই খনবদগী; অমরোমদসু মানা হেন্না পূক্লিং চঙবিগনি খন্দুনা জঙ্গলদা ফংখিবা ঐগী অশোক অপনশিংদু মঙোন্দা লী-ন-লী-না; ঐগী খোঙমোজা অশাঙবদু চিংথদুনা উৎলি। এসিদনা চাথৎখিবা মান্না শোকখীবগী ঐগী খোঙদা লৈবিবা মখল-মখলগী দাগফম অদুদা মাগী খৃদোম্বীনা তপ্না-তপ্না শোক্তুনা য়েংই। তাঙ্গা অসিমক্তদা ক্লাসরুমদগী মখোয় অতৈ থোবকপগী মখোল তায়। ঐগী খোঙগী অতোপ্পা মোজা অমদুসু অমুক চিংথবগা অচৌবা দাগফম অদুসু উহল্লি। মঙোন্দা হায়- "করিসু অনাবদি ফাওদ্রে, অদুবু পূম্নমকসি ঐগী (ট্রোফি) মনানি হায়বা তাবে।"

"ফরেনে; ব্রিগেদিয়ার অদুনা হায়বমই।" ওহ্লোকপনি; ঐনা নঙবু খবা শাংনা পল্লহল্লে... অদুবু ঐসু নখোয়শিংশি উনবগী তাঙ্গা ইফং ফংদবনি... ওহ !... অদুগনে..., মানা মখা তাবকই- "মমীংগদি খঙদ্রে, কনানো'মনা হায়বদা...মিস বৈগা নখোয় অনীগী মবমদা ময়াম্না পংঙাঙ ঙাঙনবা অমা লৈবমানে... মদু, নখোয়গী মরমদা তোকঙা শন্দোকপা হায়বদুনি... মাদি; মশক্তি যাম ফজেনে-ফজদ্রনে ? ঐসু অহলগা ওইশিল্লমদ্রবা... অশুম্না তোকঙাগা শন্দোকপিববদিকো খল্লিপোৎনিদা। অদুবু.... করিসু ব্নাক্নু... তোকঙা হায়বসিদি অদুম মৃৎখিগদবা ঙাক্তনি।"

ঐ খল্লি, অরোনবা অসি অমুক লোৎশিন্দনা- "ঐ, মিস বৈ-বু নুংশি" হায়বসি হায়দোক্লসিরা হায়না; অদুবু ব্রিগেদিয়ারগী ব্নাওথাংননা ফজরবা; উবদা নুংঙাইবা পোকহনবা মমিৎ অনীদুনা ফোঙদোক্লিবা- "ঐঙোন্দা হায়রনু; ঐ খঙলে" হায়রীবদু উবা ফংলম্মী। ঐনা মহাকপু খনজে- মহাক পূকচেল চাউবা

অফবা মীনি। মহাক্কা ঙাইহাক্তং লৈমিন্নবদা; ঐগী ওইবা অফবা হায়বা শকক্তু ঐঙোন্দগী পুথোকপিরকপগুম পূক্লিং অসিদা ফাওই। ঐনা মঙোন্দা হায়জখিবা হায়ববু- "মদুনা মিস বৈগী পূক্লিং নুংঙাইতবা; চরাঙনবদি থোকহল্লোইকো।"

মদুদা মহাক্কা খুম্লকই :-

"ব্রাফম অসিদা অহিং তুম্বগা যাদে হায়না লৈগদবা নুপী মখলদু নত্তেদা মাদি।"

চাকচাবা মতমদা ঐ ফেনব্রিকপু অমুক উনবে- মঙোন্দা ব্রা ঙাঙলমদে। থুম লানবিবকউ হাযবকই মানা; ঐনা লাল্লি। মহাক্কা হাযজবকই "থাগচ্চবী।"

মাঙগী তল অদুসু মঙোন্দা লানখি- অমুকসু হাযবকই : "অদোম্ম য়াম্মা থাগচ্চবী।"

(২৫)

সের্ব্বীগা ইবানি যূম অমগী মবমদা খন্নখিবদু মহাক্কা হান্না থৌবাঙ তৌজদুনা অমদি ফঙলে। যূম্ম অদু কাবাচিদা চংখিবনি; থা তকক শান্দোকপগা ব্রাফমসু লোযশিন্নবমলে। যূম অদু ... বা শেমদোক শের্মজিনা লৈগদবা মনম... , মদু হেক লোইদ্রিবা ফাওবদি ... ঐনু ... মদে। মহাক্কী খবক... মতমদা যূম অদুগী চঙদবা যাদবা ... চৈ লৈশিল্লি; ঐঙোন্দাদ তাকথে... লৈবীবা পোংশিংদু কবিনো হায...।

মহাক্কা ঐঙোন্দা হায- "কুইববোইযে; উর্বনি লোইনা।"

"অদু, ঐসু পোংত্তি লৈনীংঙাদনা...।"

"যাদে, নঙদি নথৌচিনবা ছাত্রনি... ঐনা যূম থৌবাঙ তৌবা লোইবগা নঙ লাক্কদবনি।"

মাগী মত্তেঙ পাংনবা বাহাদুর থাবম্মী। মখোয় অনী কৈথেলদগী পোং- চৈ লৈরগা যূম অদুদা চংমীম্নে। বাহাদুবনা সের্ব্বীগী অবোনবা খবদু ঐঙোন্দা

অমত্তা হায়দোক্তে, মহাকসু সেব্বীবু মচা মচলগুম্মা য়াম্মা নুংশিজে। ঐনা মঙোন্দা; মূম অদু ফজত্রা হংবদা মহাক্না হায়- "য়াম্মা মগুণ লৈবদি নত্তে।"

"মদু ঐনা পামগনি খনত্রা ?" ঐনা হংই।

"ঐনা খনজবদা, মিস বৈগবু লৈমিন্নববদি... সাহেবতি মূম পুম্নমক পামগনিনা...।"

"ঐনা নোংমা; হোতেল থাদোক্লুনা চৎকদৌবে হাযবসি বোজিদা খঙহল্লুবদা মহাক্না হায়বকই- "নঙ উবেদনা- ঐনা নঙোন্দা হায়খীবা তৌখিবশিংদু পুম্নমক অচুম্বনি হায়বা- ফল অদু চপ মান্নবনি। ঐনা নঙবু ঐঙোন্দা নুংশিবা হৌহল্লল্লবসু; নঙদি অদুম চৎখিগদবনি হায়বা... অদুননি, ঐনা নঙবু হৌহনখিদবা... হৌজিক্তি নঙ চৎকদৌবে... অদুম্মদি ওইববসু; কাযনবমদাই মতমদা ঐবুদি অমুক্তং চুম্নীবমউকো।"

"চুম্না হায়ববদা; মফম অসি পুমথা থাদোকপদি ঐহাক পামজদে। ফমুং অমগা; পোৎ খবগদি থনস্বা অদুম পামজৈ... অদুগা ঐগী থিকানা-সু মফম অসিদা ওইজবা পাম্মী।" মদুগী মবর্মদি বোজিদা হায়ফম থোক্তবনিসু ঐনা খল্লি।

"ভাবা-দি ঐ শোযদনা পীগনি।"

"ভাবা-দি লৌবোইযে।"

"ভাবাগী শেল অদু হান্না পীশিল্লগে; নীংশিংনবগীসু ওইনা; মীঙোন্দসু ঐ'সিদা লৈবি হাযনবা।"

"নহাক'সিদা লৈবি হায়না অদুম খনগনি ঐদি; ঐ অসে; বেংগুন্দগী হৌনা অফবতা তৌজদুনা লাক্লবনিকো ?"

"নঙগী থম্মোয়দি য়াম্মা নুংশিহৈবীনি।"

"নঙনসু মতৌ অশুম্না হায়বীবনিনা; ঐ নঙোন্দগী শেল অমত্তা হান্না লৌশিনজবোই।"

"মদু য়াবোই- তৌবিবা থবকসি কাববাবনি।"

"ঐগী কাববাবদি থস্মোয়গা মৰী লৈনে।"

"অদু ওইবদি, ঐ মবক মবক্তা লাকচগে; চাক চাবসু চৎমীন্নশিকো।"

"যাইযে-নঙনা পান্না মতমদা হেক্তা লাকউ-চৎমীন্নসি।"

অমবোমদা সেব্বীনা থৌবাঙ তৌজবা অনৌবা যুম অদুদা চঙবগী মতম অনীবক শুবে যৈথোবকপা। মহাক্লা হায়বদা নোং হেক চুবিবমখৈ চঙখিনুশি অসিনি। মদুদা ঐনা ফাগী তৌই, যুমথক অদু অহোবা যাওদুনা নোং যুবক্কদব্রা হায়না। ঐহাক্লা: অহুমলক শুবকপগী মতম অদুদি অমুক যৈথোক্লগুমশি হাযবদগী; নুমিৎ অদু যৌবক্লবদা চৎনবা থৌবাঙ তৌবে। নুংথিল অদু নুংশা ফজনা থোক্লে, অতিয়াসু তক তকবে; যেংবদা উবা মায়কৈ, মফম খুদিংনা পূক্লিংদা হৈনিংবা পীবস্মী। যাচঙলকপা পূং তবেৎ মখায যৌবকপা মতমদা গাডি অমা ফাবে: সেব্বীবুস্ মেফেযাব হোটেলদগী কৌহল্লুবে। হোটেলগী অবোযবা বীল পীবল্লগা মহাক যৌবক্লে। মাগী পোৎযোর্মদি বাহাদুবদা পুহনব্রগা; হেন্দবেগ অদুখক্তনি মহাক্লা পুজঙা। "ড্রাইভব অঁাস কদায়দা থৌ হার্যাসগে ?" ঐনা মঙোন্দা হংই।

"মালাবাব চীংলেম্দ হার্যানযু, ঐ মফম তাকচগে।" সেব্বীনা হাযবকই। গাড়ী অদু মৌবি[illegible] দ্র ইং লম্বী মশাঙদা অশুম থৌবক্লে। লম্বীদা [illegible] ক্রিকেট ক্লব, ঐখোযগী [illegible] উবকই, মালাবাব চীংখ [illegible] "টোব্বাব ওব সাইলেন্স"। [illegible] অ[illegible] মফম [illegible] লাঙতা শন্স [illegible] কোযনা পাইবসু উই, পার্বাসশিংনা অশীবা মীগী হকচাঙ পোৎ[illegible] পুথোবক্তুনা থম্বা নুমিৎমক্তি নত্তে।

"নঙ নীংবা কাযবব্রা কবিনো খঙদে, সেব্বীনা হাযবকই। চৎপা নুংঙাযনবা হাযদুনা নহানমখৈ নুংশিৎ-নুংশা শেংবা নুমিৎ ঙাইবকপনি... অদুগনে মফমদু পামদ পামদনা পাম্মীগদি হাযজীনবীনুকো।"

"নঙনা অসুক যাম্না ব্লাজবব্র... ?"

"দার্লিং, মফম অদুদা নুংঙাইনা লৈহনজনিংই নঙবু।"

"ঐগী কবিসু খল্লুনুদা...।"

"ঐদি, মাইক্কেলনা নুংঙাইহবদুনি পামজরিবা... ঐদি ইদাগী ওইজবা থিবনি হায়বা... ঐদি নঙবু অসুক্কি মতীক নুংশিজে... মশিনা অমুক নঙোন্দা অরাবা ওইবা তাববদি করি তৌগদবনো ঐ খঙদে।"

"করিগুম্বা ঐসে অরাবা মাল্লবদি; নঙগী তৌবীমল খঙদবনি হায়না ঐঙোন্দা চৈবা য়াবে।"

"নত্তে-নত্তে, ঐ মদুগা পামজদে তৌবীমলগা পামজদে-ঐনি নঙগী লম্মন তৌল্লিবা, ঐনা পামজবদি... খজিক্তং ওইববসু ঐবু নুংশিবীবা"

"নুংশিযে নঙবু নুংশিযে... যাম্না হায়খীনি ঙসি অহিংদি; নঙগী অনৌবা যুমদু যৌবগা।"

"ইস! ঐগী অনৌবা যুম... ?" সেব্বীনা হায়বকই। "মতম পূম্নমক্তা ঐখোয় অনীগীনি হায়না নীংশিংবীযু।"

ঐখোয়, মালাবাব চাংথক য়ৌগদবা মাম্না গাড়ী অদু থৌগৎলকই, যেৎলোমদা অমুক নাপোম অমা যৌনবা লৈশিল্লকই। নাকল নাকলদা উকম লাংবা লম্বী অদু ভংথায় অমবোম চৎলগা লম্বীগী ওই-য়েত্তা ফজরবা য়ুম কয়া লৈথিবদু উবক্লে। সেব্বীগী মাঙলোমদা লৈশিল্লগা ড্রাইভবদুদা খূদোনবী "ান্দুনা ঢাকই · "ত শিদগীর্শিনি, লৈবে।"

ঐখোয় খোঙ্গাল অমদা হাইজিল্লে, য়ুম যৌবফাওবদু খবা ঙমখৎপা নবদনা, শগোল অদুনা ঐখোযবু তপ্লা তপ্লা চিংখৎলি। যূম অদু বাঙ্গলোগী মওংনি; মপান্দা যূম্বী-অনী চংথোক্লা বেলকোনি অমসু য়াওই, অদুগা ফক্লাঙ অদুদা মযেক শেংনা শংবানবা উবীগী মখল অমনা যাম্না কূপ্তনা য়েংলি।

ঐখোয় যৌবকপগী খোঞ্জেল তাবদা বাহাদুরনা ঐখোয়বু ওকপা চেনথোবকপদু উই। হেক উবদা মহাকপু খঙবা ঙমলমদে মবমদি মহাক ইনৌ নৌনা অঙৌবা ঙাক্তগী ফীজোল শেৎলম্মী কোয়েৎসু অঙৌবা অমগা... মওং তানা; থৌদোক অদুগা চুশিল্লনা মতৌ লৈনা উবম্মী, নাতোনঙমাঙগী মকোয়গদু লৈখৎলদুনা । মহাক চাউথোকচনা; মক লুক্লা হায়বকই- "লেঙশিনবীসি

সাহেব।" অহানবদা ঐ, মী কম্ফম কাদুনা চঙশিন্নি, অদুগী চাকচাকম, অমসুং তুম্ফম কাদা। পুম্নমক অদু লৈমায় অমত্তদা লৈবনি অমসুং মকম পুম্নমকত্তা সেব্বীগা মান্নজবা খুদম ঙাক্তনি। মরু ওইনা, উনা শাবা মখল-মখলগী খুজাইদা থগ্লিবা লৈগী চবুল-চবুল কয়াদো! পুক্লিংদা; নুংশিনা খল্লকই- মানা লৈশিং অসি থিজদুনা হাপচন্দুনা মফম অসিদা ঐখোয় অনী কয়াম কুইনা লৈমিন্নগদৌরিবা...।"

ঐনা হৈনবা হূইখি মখলবু মানা; করম্না খঙলমলিবনো খঙত্রে, মী কম্ফম কাদুদা ঐনা পামজবা ব্রান্দ অমা থমলিবদু উবে। ঐনা চয়োল কয়া চূপ্না ব্রান্দ অদু থিবকপদা ফংলক্নবনি অদুগা মাদি কবম্না কদাযদগী ফংলুরিবা...। মানা ঐগীদমক্তা, গ্লাস অমদা হৈরকপদা ঐনা হায়খি।

"নঙসু খজিক্তং থক্কদবনি... করিগীনো হায়বদা, ঙসিদি তোপতোম্না থৌদোক্কি নুমিংনি... খজিক্তং ঙাউবি ঙাউবি তৌবসু নুংঙাইবনি।"

"অদুবু-মসিনা ঐগী হকচাঙ নুংঙাইহল্লোই, ঙসি নুংদাংদি ঐ হকচাঙ য়াম্না কনবা তাই। চানবিদুনা নঙদি থকপিয়ু; অদুগা কোন্না চূপ্নসি; ঐসু হূইখিগী মহাওদি অদুম খঙলনি।"

মহাক্না বাহৈশিং অসি কোঙদোরকপা ইংলিস খোঞ্জেল অদু ওথোক্লা ফজত্রে। মদুদা ঐনা ঙক্কদুনা হায়। "দার্লিং নঙগী ইংলিস অদু য়াম ফজে!"

"কৈদৌবে ঐগী ইংলিসতা অরানবা য়াওরব্রা ?"

"করিসু য়াওদে; য়াম ফজে হায়বনি... নঙনা ইংলিস ফজনা ঙাঙবসে ঙাঙতন্নিংদে; খরা খরা লান্না ঙাঙলকপদি তাবদা য়াম্না নুংশি।"

"নঙ-ঐবু লক্লরীবনি।"

"নত্তে, য়াম ঙক্না ফজত্রে- হায়ব্রানি।"

"ঐ-ফুলগী ওব্রানুপীনিকো-নীংজোলদা খূপাক্লা থাজরক্কনি।"

বাহাদুর লাক্লগা চাক চাবা য়াররনি খঙহল্লরে। চাকশঙজোমদা চুমথ্রিং চঙশিন্নুবদা তেবল অদুদি ইহাঙ হাঙলগী।

সেব্জীনা হায়রকই- "সোম্বদনি।"

কা অদুগী অবোযবদা; থোঙসু ওইবা থোঙনাওসু ওইবা য়াবা ফ্রেন্দ ম্বিনদোক্ত ফাংলম্মী। হায়বীবা থোঙ অদু কানথোক্লগা মপানগী অহাঙবা মফম অমা লৈবিবদুদা থোবক্কে। মওং তাববা থাওমৈ অমদগী কাপথোবকপা মঙালনা লৈ-শুনচিংবা, সিলভব অমদি গ্লাসনচিংবগী পাত্র কয়া থম্লিবা তেবল অদুগী মথক্তা তাবি। ইমুংদদি খজিক্তং শাবপ তৌবগা মপালগী নুংশিং অদুদি হকচাঙদা তগং-তগং তেক্লা ঈংহল্লি। মথক্তনা; হকচিন্না নিমমচু মাল্লবা অতিয়াদুদা তগুপ-তবেং থরানমিচাক কয়া মশীং লাকঙমদনা থোক্লি। অহাঙবা যুমথক্কি মফম তেবাস অদুবু খাক্তীল্লিবা শম্বলগী ফজবা মথোঙশিংদুগী মনাক্তা ঐ চঙশিল্লি।

অহানবদদি; থংনবা যুমগী মমি অমসুং অহিংগী অমম্বা অদু নত্তনা কবিসু উবোই খল্লুবে; খল্লুবিবা অদুগী মহুত্তা; অপূনবা বোম্বে সহবগী শক্তম অদু ঐখোয়গী থোঙ মথাদা; ইবঙ ইবঙ লংলবা মৈঙাল ঙাক্তগী ঈপাক অমা ওইনা; অমসুং তশেংবা সমুদ্র মশামক্তা মুশুক-মুবগা মপাল পবেংদা সনাগী ফবান চেনবগুম্না উবিবশিং অদুদা ঐগী মিৎযেং চিংশিনখি। নুংথিলগী মতমদা *শাঙবদা কাবগা য়েংথবক্রদি ফজগনি খল্লুই, অদুবু অহিং অদুদা হেন্না অমুক ফজনা উখিবা অদুদ; ঐনা অমুক্তা উখিদ্রিবা হেলোযশিংগী লমদম হায়বদু এহৌনিগদ্রা খাল্লি। অমুক্তা হেন্না ফজবগা মবমদি হান্না শুকখন খল্লমদবা মশক অমা উজবা ফংখিবাশান। ঐনা দৃশ্য অদুদা কযাম পূক্লিং শুমহৎলমগদগে হায়বদু সেব্জীনা খঙবানিনা; ঐঙোন্দা ঐ অমত্তা হাঙখিদে। ঐখোয অনী গাড়ী অদু তোংমিম্লবকপদা; কযাম থাঙনা কাবক্লবা, টাংযাদা কযাম নকশিল্লক্লবা হায়বনাচিংবা কবি অমঙা হঙহৌদে। অশুম্না য়েংথবকপসিদা-অবঙবা মযাম্না লৈতেংলবা মথাগী লমদম অদুদা বোম্বেনা লৈবী হায়বদু খল্লুদে...লোম্বননা তাজ হোটেলদা ওইহৌবিবা পুন্সি; অকে অমৌগী দালান কয়াদা লৈতৌবিবা ইলেক্ট্রক্লিপোৎ-বোঁদওনচিংবা, মানাইশিং অমসুং অযোংপা লমদমগী পুন্সি অমসুং মশাবু যোম্লোকচববী নুপীশিংগী লৈফম অসিনচিংবা পূম্নমক অদু; ফুট চনি থাংখৎনা লৈববা মফম অসিদগী য়েংথবকপদদি; মিং থক্লা ইবঙলংনা উবিবা;

মশীংলাকওমদ্রবা মঙালগী কিন্দু মরক্কুদা পুন্সিনগ্রে, অমত্তসু তোঙান তোঙান্না খন্দোকপা ওমখিদ্রে। ঐনা মফম অদুদা লেপ্লা-লেপ্লা খল্লকই-"ঈশ্বরনা ঐখোয় মীওইবগী পুন্সিদা য়েংথরকপসু অশুম্না তৌরিগদ্রা...?" মৈঙালগী মতৌগুম্না আম্না কয়াবুদি উরগা; খোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং খোক্লিবা অমসুং হয়িংনা য়োল্লবা চাকনিবশিংগী হকচাঙ কয়াদুবুদি উবা ফংদনা। অরাপ্পদগী য়েংথরকপদদি ওক্তবা ওমদে ঈশ্বরগী খুৎশেম!

অপাকপা যুমথক অদুগী মৈঙালদসু অঙকপা মওং অমগসু অমুক লৈরি। ঐখোয়না লৈরিবা মফম অদু অহিং অদুদদি অপীকপা সনামচুগী লৈচিল মফোল মরক্তা তাওদুনা লৈবা শুকং অমগা পাংখক ওইবে। মফম অদুদা লৈরিবনা; তেবল চৌকি অমসুং সেব্বীগা ঐহাক্কা.... ইচিক-চীকই, মবক মবক্তা মৈঙাল মরুমদগী বাহাদুরসু হেক-হেক খোরকই।

হূইষ্কি থকলুবদগী ইশাসু ইতাউ তাউবদৌনা তৌবে; সেব্বীসু ঐগী চিপ্পালদগী হূইষ্কি মনম নমখিবনা থকচীল্লুবগা মান্নবে। নুমিৎ অদু ঐখোয় অনী য়াম্না নকশিন্নখি। মহাক্কা ঐগীনি হায়না লৈবীরকপা চুকট অদুসু চিংলে। নোংয়াইগী মতম ফাওবদি সনা মচুগী লৈচিল মাল্লবা মফমদুদা নুংঙাইনা মতম লেল্লগা ইমুংদা অমুক চঙলক্লে।

ঐখোয় ফমুংদা হীপ্পা হীপ্পা লাইবিক পাদুনা লৈখি। ঐনা হান্না হৌনা পাবগা সেব্বীবু অমুক পাহল্লি। মহাক্কা পাবদি; কোমা-দা ফুলন্তোপ্তা লোইনা লেপ্লি- সেন্তেন্সকী মরক্তসু লেপ্লি। ঐনা ৱাহৈগী অর্থদু লৌদে মাগী খোনথোক অদুত্তনি তাবা... মরক মরক্তসু চুমথোকপী। কোরোল্লারী হায়বা ৱাহৈসি মহাক্কা হায়রকপদা ঐনা সিলেবল থুগাইদুনা চুম্না হায়হন্নবা হোৎনববফাওবা কোরোরারী অদুম হায়খী। সেব্বীগী খোনথোক্তা এল-অসি আর অদুম ওই। তুন্নসি হায়দুনা মৈ মুথৎলবাফাওবা মচিন্দা কোয়েন্নারী কোরোবারী হায়না প্রাকতিস তৌখি। অসিগী তুংদা মাগী নাতোন্না ঐগী খজাইদা ঙাশিন্দুনা তূমিন্না লৈল্লে। ঐগী মায়দা হূমাং কাবগুম্না চোৎলবদা; ঐগী খুৎনা মাশিল্লুবদা খঙলে- সেব্বী তূমিন্না কপ্লে হায়বা। ঐনা হৎই- "নঙ কোরোল্লারী হায়বা ওমদবগী কপ্লিব্রা ? দার্লিং!" "নত্তে, কোরোরারী পী নত্তে।"

"অদুদি করিগী..... ?"

"মখোজ অমা তাই য়াম্না কি।" মানা হায়।

ঐ কোক হাইগত্তুনা তাবদা খঙলে ইন্দিয়ানশিংনা য়াম্না তোয়না যৈবা পৃংগী মখোলনি হায়বা... মখোয় কৃষ্মে অমা পাঙথোক্লিবা মাক্লি লাউ খোংদুনা... হায়রিবা খোঞ্জেল অদুনি অবাক্লদগী অহিং অদুদা তারিবা।

ঐনা অমুক হায়- "মখোয় হবাও নুংঙাইহিরিবনি।"

"হোয় খঙজবে- ঐদি অপঙবীনিকো দার্লিং।"

(২৬)

ঐখোয়না য়ুম অদুদা লৈরবা চয়োল অমরোমগী মতুংদা লোর্দ দরবেস্তনদগী তেলিগ্রাম অমা লাকলম্মী- মরোলদি "ঐ য়াম্না থুনা লাক্কদৌরী নহাকপু য়াম্না উননিংই।"

"ফরেদা!" সেব্বীনা হায়। "মহাক্তি য়াম্না নুংশিবা মীশক্লি, নঙবুসু মহাক্লা নুংশিনি।"

"মতম খরদি ঐ রোজ্জিগীদা লৈরুবা তাবে।" ঐনা হায়রমই।

"রোজ্জিগীদদি চৎলহনিনিংদে, নঙ অমুক হন্না মাবু নুংশিরুদনা তোক্কনি।"

"য়েংবা হায়বদুনি।" ঐনা হায়।

অহিং অমা মিস্তর ফাইফ সেব্বীগীদা চাকচাবা লাকখি; হৌনবীনি মাবু বার্তন তৌবসু সেব্বীনা অনৌবা য়ুম অমদা চঙলবনিনা। ঐবুসু চাকচাবগী বার্তন তৌরকপনি হায়বগী মওংসিদা সেব্বী ঐখোয় অনী তৌশিন্নখি। ঐগী ওইবা পোৎ পূম্নমক উপু অশংপি (ড্রাম্বার) অদুদা হাপচীনখি অমসুং অতৈ পূম্নমকসু লোংশীন্দুনা থমখি।

ফাইফকী মমাঙদা হায়জীন্নখি... হূইক্কি অদু কদায়দগী ফংলুরিবনো;

য়াম্না ফবা ব্রান্দ-নি; ঐনা থিরকপদা শুকফং ফংখিদে হায়না। সেব্বী ঐখোয় অনীসু পণ্ডয়েং য়েংনদে ইকায়খুম্না ব্বারী শানে। ঐগী ব্বাহংশিংদা; মানা অরু অরুবা অর্থ চেনবা পাউখুম পীরকপদা ঐগী নোকনীংবা কয়া খাণ্ডখি; সেব্বীগী মীৎচিনা নোকলকপদুসু উই। স্কাইফ লাপতক্লনা ফম্মী; মাগী আনোক্তা মৈঙাল য়ৈশিন্না।

স্কাইফনা ঐঙোন্দা হংলকই- "বিক্রমা-না হায়খীবশিং অদুগী মতুংইন্না নঙ শাজেল তৌব্রা... নুংঙাইব্রা ?"

"খঙদেদা।" ঐনা খুম্মী।

"আহ !"

চাকচারবা মতুংদা ঐখোয় ঙাইহাক্তং চুরুট থৰ্কমিন্নে। ঐ লাণ্ডতক্লনা হৌরক্লে; সেব্বী ঐখোয় অনীদমক লৈবা পামলক্লে।

"ঐ চৎপনা ফরে।" ঐনা হায়খি।

"চৎলগেরো ?" সেব্বীনা হংলকই।

"থেঙজিল্লক্লে।" ঐগী ঘবীদা য়েংই-স্কাইফতি মচি লেঙদে; ঘবীদসু য়েংদে। চৎপগী ব্বাখল কাউশিন্নদুনা অনৌবা ব্বারী অমা হৌদোকই, [illegible] স্কাইফ থৌশাদনা লৈথোকপদু উবদা ঐনা অমুক হায :- "হযেংদি ঐ [illegible] অমসু লৈ।" সেব্বীনসু মাগী ওইনা অমুক খুম্মকই- "ঐগীসু হৌজক লোয়শীলহৌদবা যাদবা থবা ক্ল লৈবনি।"

স্কাইফতি অমুকসু হূৰ্ইঙ্ক থকচিল্লগা অব্বাঙবা ব্বাখলগী থাক্তা ব্বা [illegible] অসুম লৈরল্লগা সেব্বীদা গুদ-নাইট হায়রল্লগা হাইবং হাইরং খোকস্রে। এসু মহাক্কা লাকমিন্নরে। কৈথেল লৈরিবা; মৈঙালগী মপা অদু য়ৌরকপদা ঐদি লম্বী সোমদা হাইজিলহৌবা তারে হায়বগা মঙোন্দা হংই "মালাবার চীংখোঙ ফাওবা খোঙনা চৎকদ্রা ?" "চৎকনি।" মাগী মশেল-মরাংবা খোঞ্জেলদা খুন্নকই। ঐনা হাইজিলহৌরগে তৌবমক্তদা মানা ঐবু খাম্মী... ব্বা ঙাওবনা অমদা ঙাওলগা অতোপ্পা অমা খাম্বগুম। কোম্নদি ঐ মঙোন্দগী খাইদোক্লনা

লাক্রে কৈথেল ময়ায়দু শয়া। চাং লম্বী অদুদা অমুক কাখৎলক্রে সেব্বীগী যুম অদু য়ৌনবা। থোক্সাল ময়া য়ৌশিল্লকপদা মী অমা লেপ্তুনা লৈবদু উবে অমম্বা মচী অমদা। অগুকপনি, নকশিল্লকপদা খগুবা গুমলে স্থাইফ-নি হায়বা। ঐ, হন্দুনা চৎপা কান্নদবনিনা, অচীকপা কোয়লাস থাবা লম্বীগী মৈঙাল অদুদা অদুম চগুশিল্লি, মানা লেপ্লিবা মফমদু ফাওবা। মহাক্তি মচী লেগুদনা লেপ্লি-ঐনা খল্লি, কবি থোক্লগবা। ওইবা য়াবদু ওইবসনু; ঐ অশাওবা ফাজিনগে; অকীবা লৈববোই খল্লী। মহাক কবিগুম্বা অমবু য়াম্মা ৱানা খাগুদুনা ঙাইবগুল্লম্মী, অশান্নবা ঐগী লম্বীসু থৎলমদে।

ঐহাক মাগী মনাক চগুশিন্দুনা লেপ্লমই। মাগী খ্বাগুদগী মমাযফাওবদু মুন্না য়েংলগা হংখি- "কবিগীনো 'সিদা অমুক লেপ্লমলিবদি ?"

মহাক খজিক্তং নোকললকই, ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলগা নোক্লবগী মওংনি। ঐনা হংলিবদু খুন্নক্লবদা অমুকসু হংই- "কবিগীনো অমুক... ?"

"অমুক লেপ্লম্বগী মবমদি; অচুম্ববা হায়বদু খগুনিগুবা।"

"অচুম্বমক্তি।" ঐনা খুম্মী।

"ঐনা তৌরিসি অপগুবা তাবেনে।" মানা হায়বকই।

ঐখোয় অনীমক য়েংনদুনা লৈখি.... মানা কবি খল্লীবা, কবি পাম্বা হায়বদু ঐ খগুবা গুমদে।

"ঐনা নগু ওইবম্বা তাববদি মালাবাব চীগুদা অদুম হল্লনি।" ঐনা হায়খি। "হল্লোইদ্রো ?"

"নগুগীদি য়ুম ফজবা 'মা ফংগেনে।"

মহাক কবিগুম্বা অমত্তা ঙাগুদনা অদুম লেপ্তুনা লৈখি... মমিৎ নাম্মনা ঐঙোন্দা য়েংলগা অতোপ্পা অদুনা ঐঙোন্দা য়াম্মা শাওনিংনা ঙাওববগুম আনোক মনুংদা ইবগু লংনা লৈবদু মৈঙাল অদুদা উই। ঐহাক মাগীদমক্তা নুংঙাইতবসু পোকললকই, ঐঙোন্দগী চহি তবামগুা হনবা মহাক্না চৎলিবা অবানবা লম্বী অদু খল্লুবদা।

"গুদ নাইট।" হায়না মঙোন্দগী কায়নবগী য়াথং লৌজরমই... মহাক্তি অমুক ঐঙোন্দা খুন্নক্লমদে। ঐদি অদুম লাক্লে, অমম্বা লম্বী মতেক অদু য়ৌবকপদা, হন্না যেংলুবদদি মহাকপু উখিদবে।

সেব্বীগী যুম য়ৌবদুনা চঙশিল্লকপদা; মী ফম্ফম কা অদু মৈ মন্নম্মী। সেব্বীগী থোঙজিন্দদি মৈ অমা থাল্লি। মহাক তৃম্নিং-তৃম্নিং ফমুংদা ফমদুনা ঐবু ঙাইবম্মী। মহাক্কী মাযথোঙ অদু তক তকই, চিম্বাল অদু থোংলি অমসুং নুংশিবা লৈনম্না মাগী হকচাঙবু য়োমশিন্দুনা থম্বগুম ফাওই।

মহাক অশুক্কী মতীক নৌই, লৈবাংগী লৈকাগুম্না থোংনা মেঙনা নীংথিজে। মহাকপু তপ্না শোকচবা নত্তনা থৌনাফনা শোক্লগদবা পাম্মুজে। অহিং অদু থেঙজিল্লক্লে... কাগী মৈ অদু মুথংলগা ঐখোয় অনীমক তৃমথনবা হোংনবম্মী... অবাপ্পা চীংখোঙদগী য়েবকপা ম্রমগী মখোল অদুগা লোযননা যাম্না চবাঙনবা মানবা মীযামগী ঈশে অদুসু অদুম অবাপ্পদগী তাবা ফংখি।

(২৭)

লোর্দ দবরেস্তন অদু; মহাক্না তেলিগ্রামদা খঙহল্লকপা- লাক্কনি হাং না মতমদুদগী চযোল অমা চোনথবগা বোম্বেদা থুংলবে। মহাক্না সেব্বী দা তেলিফোন তৌবকখিবদ, তাজমহল হোটেলদগীনি। সেব্বীনা মাগী মনা ওন চাকচাবা চংলুবগা হল্লকপদা ঐখোন্দা হায- "মানা নঙবুসু উননিংই হায়ৌই মহাক যাম'ফবা মীনি.... হযেং নুংদাংদি, ঐখোয় অনীমক পূন্না মা[illegible] চামীন্নবা হাযজবকই।"

"ঐখোয় অনীগী মবমদা ব্রাবী কয়াম শাদোকউবে ?"

"দার্লিং, অতৈ ব্রা অমত্তা হাযজদেদা... ঐনা হায়বা হাযববু নহাক য়াম্না ফবা; মচু তাবা মীশক অমনি হাযবসিদনি... ঐদি তৌশিন্নবসু হৈজদে... খঙলসু অকায়বা কবি অমত্তা লৈবোইদ্রা খল্লি ঐদি।"

"অদু ওইবদি, মানা নঙবু ঐঙোন্দা লুহোংথোকশিবসু যাইনা; অদুম তৌবদি নঙসু অশেঙবা নুপী অমদি ওইবনি।"

"ঐ অসিবু পূকচেল শেংবি; অচুম্বা নুপী নত্তববনে ?"

"ঐঙোন্দা হেক লুহোংত্রিবমখেদি হায়বা ঙমদে।"

"অসা ওম্বোকপনিদকো... ঐবু কবি তৌসিগে...।"

"য়াম'লায়... ৱাহৈ অমত্তনা লোইহবে।"

"ৱাহৈ অমদুনা নঙবু য়াম্না নুংঙাইহন্দবসু য়াই...।"

"ঐ হবাওবনদুম... ঙাওগনি..."

"নত্তে-দার্লিং নঙবু য়াম্না ৱাহনগনি..., নঙগী ইমা-ইপা... আদ লৈবা,... লৈফমদি ঐসু খংদ্রিকো...ইস-নঙগী লৈফমদু অমত্তুং খঙজববদি...।"

"ত্যাকিসব্যুবী ... হাযবা...।"

"হোং; ত্যুকিসব্যুবীদা লৈহৌবা মখোয়সু যাম্না শাউগনি; কদায়দগীনো, নোকনিংবী, ফাগী মানবী জাপানীজ লৈশাবী অমবু লুহোংদুনা পুবকশদা...।"

"নঙগী নশক উবদা, মখোয় নঙবু যাম্না নুংশিগনি...।" ঐনা-হায়।

"ঐ; জাপানীজ ওইবনিনা; মখোয়না কৈদৌনুংদসু ঙাকপিবোই।"

"মদুনবা, নঙনা ঐঙোন্দা লুহোংনীংদবসে ?"

"হোয, মদুসু মবম অমনি।"

" অতৈ মবমসু লৈবিব্রা ?"

"অতৈ থোইদোকপা মবমদি লৈতেদা.. ঐনা হায়র্জাখবর্দুনি... ঐদি অপঙবী; ঙক-কনবানি... অদুনা পামজবদি... মতম খবা ওইববসু নঙনা ঐবু নুংশিনা থম্বীবসিনি।"

"নঙসে ব্রা অমত্তা লাযথোকহন্দে।"

"নঙনা অশুম্না হাযবসে ঙসিগীসিনা অহানবনিকো।"

"ঐনা হায়বদি মদু নত্তে।" ঐনা খুম্মী। "ফত্তবা ওইনা খল্লব্রা ? ঐদি নঙবু অদুম নুংশিদুনা লৈগনি।"

মথঙগী অহিং অদু য়ৌবক্লিঙৈগী মমাঙদা ঐহাক লোর্দ দবরেস্তনগা

উনরম্মী। অহানবদদি মহাক মশামক্তি হায়বদু খঙলুদে, অদুবু সেব্বীনা হায়খীবা মীওং-মীতৌ অদুগী মতুংইন্না ঐ মহাকপু মশক খঙবা ঙমখি। ঐনা খনখিবা মীতা 'দুমক্লি-মরেপ ঋাংবা মপোক হৌরবা... অচৌ অশাঙগী শকওই চঙনা মমায় শাংতক তৌনা চিঙলেম্বা...। তাজ হোটেলগী থকফম; বার অদুদা চঙশিল্লুবদা স্কাইফকা লোয়ননা মখোয় অনী তেবল মচা অমগী মনাক্তা ফম্মীন্নরমই। স্কাইফনা শারিবা ঋারী অদুদা দরৱেস্তননা মকোক নোমনা নোমনা তারী। মিকুপ্তা খঙবা ঙমখি; মখোয় অনী ঐগী মরমদা ঋারী শানবী হায়বা। ঐনা কা অদুদা চঙশিল্লকপদা, স্কাইফতা কোক নোনজবনি অদুবু মহাক্তি ঐগী ব্যবহার অদু অমুক হনবিরক্তে; অদুগী মহুত্তা; মাগী আনোক মনুংদা উবিবা অরঙবা মমিৎ অনীদুনা ঐবু মিৎফম হোংদনা য়েংলকই। মানা শারম্বা ঋাবী অদুসু লেপ্লে। দরৱেস্তননা মকোক চেপথোক্লুনা কোয়েং য়েংলকই। মওং অদুদা ঐদি; মখোয়না উদবা মফম কা অদুগী অরোয়বা চিদাইদা ইথন্নতা ফল্লে; থকপসু ইথন্নতা থক্লে। পূক্লিংদা অসুম্না খনজে করিগীদমক্তা মীওইবা অমগী পুন্সিদা, মীওই অতোপ্পা অমগী খুৎ চঙদনা হিংবা ঙম্মিব্রবনো... ঐ ইশাগী ওইনা খল্লবসু.. স্কাইফ অমদি ফেনৱিক লৈরে; অদুবু মখোয় অনীনদি সেব্বীবু ঐঙোন্দগী মুনখিবদি ঙন্নরোই... শুকঙম ঙমলোই...মরমদি মহাক অসে ইশাগী শরুক অমা ওইনা শকখঙজরকপা অমদি নুংশিনরকপা মতম য়াম্না শাংলক্লে। ঐগী পুন্সিগী শরুক অমা ওইনা মহাকসু ঐগী পুন্সি অসিদা তিনখ্রবনি; অৱা-অনা; অফ-ফত্ত মরম পূন্নমক্তা মহাক্কী থৌদাংসু য়াওখ্রবা ঐগী পুন্সি ওইরবনি। ওইরক্কদবা তুংগী পুন্সিনসু অমুক হোংদোকহনবা ঙন্নবোই। মহাকপু পূকচেল শেংনা ঐগী ওইনা ফংজরিবা-অসিগী মনুংদা মাঙহনবা ঙন্নবোইদবা; মমল য়ান্নবা শক্লায়দ্রবা থম্মোয়গী পোৎশক মগুণ য়াওখ্রবনি।

লোর্দ দরৱেস্তনগী শক্তিনা সেব্বীবু ঐঙোন্দগী মমায় লৈথোকহনবসু ঙম্বদি য়াই; অদুবু মহাকপুদি ঐনা থাদোল্লরোই। মথঙগী অহিংদা; ময়াম চামীন্নবগী থৌরমদুদা দরৱেস্তননা য়াম্না চিঙলেন্নবা ময়ায় তাংবল লৌবা মীশক ওইখি। মহাক্না সেব্বীবু কয়াম চেকশিন্না তৌজবগে হান্নবদুসু খঙবা ঙমখি।

সেব্বীবু নুপী অমা ওইনা খল্লগা নুংশিরুবা য়াদ্রবগী মওংদা অদুক হাক্লা অহল ওইবসু নৎত্রি মহাক; অদুবু মপা শকপা অমা ওইনা মঙোন্দা য়াওরীবা নুংশিবগী শকক অদুদগী হেন্দোকপা অতৈ অতোপ্পা ব্রাখল অমত্তা মঙোন্দা য়াওরমদে: সেব্বী; মপূং ফাববী নুপী অমা ওইরবসু দবব্রেস্তন্নদি মহাকপু অঙাংমচাগুম্না লৌক্লে।

সেব্বীনা মশাবু কবিসু খঙজদবা; ইচম চমজবা, কবিগুম্বা হীবমদা লুনা খন্নজবা ঙমদবা মীশক অমা ওইজবা পান্নবসু দরব্রেস্তন্নদি মাগী মতীকচাবা লৌশিংগা লোযননা সেব্বীদা য়াওবিবা অঙৈংবা অতপ্পগা লোয়নবিবা মগুণ পূম্নমক অদুবু থাগৎপগা লোযননা মহাক্লা শকখঙবীবদু ঐসু উবা ফংখি। খুদক্তা দবরেস্তনবু ঐনা পামজবা মীশক ওইবকই। য়াম্না হৈথোইশিংথোইবা মীশক্লি; ঐবু ইকাযখুম্নবীবগা লোয়ননা; ঐগী মরুওইবা ব্রাখলগী মীংয়েংবু ব্রাংনা থাংগৎপি। মহাক মীগা লোযনবা হৈবা অচৌবা মীশক্লি... মহাক লৌশিং লৈ; মীওইববু নুংশিবা ব্রাখল চেল্লি।

কোফি থকমীন্নবগা, পোৎ-চৈ থনম্বা কা অদুদা পূন্না লাকমিন্নে। মসিগুম্বা কা অসিদি মখল অমনি; ঙাইহাক-ঙাইহাক্কি ওইনা মাগী-মাগী লোকামন্নবা নুপীশিংদু থনম্লগা নুপা মশেল কা অসিদা চঙলকপদদি মহৌশানা ...শি চান্নবা ফোংদোক্লে। তান চাবে মতাগুম; মহাকসু ঐঙোম্লোমদা ...শন্দুনা হায়বকই- "নঙ ...শেংনমক মাগদি নুংশিনবেকো ?"

"হোয।" ঐনা হাযজে।

"ফৈ' মাবু নুংঙাইহনগদবনি।"

"অদুম্না খনবীব্রা ?"

"হোযনে.... খনবা খন্দবা কবিসু লৈতে... নঙনা পূম্নমক খঙনা তৌবর্বান... নত্তে, হযেংদি নঙ ঐহাক্কা চাক চামীন্নগদবনিকো।"

পাউ অসে ঐনা সেব্বীদা অমুক তম্বা মতমদা মহাকসু যাম্না নুংঙাইজে। মাগী নাতোন্দা শোব চিংখৎপিদু তৌরকই, খম্বনশিন্নদুনা হাযবকই।

"নখোয় নুপাঅক্তা চৎলগা নুঙাইরগদবা; ঐখুনা হন্দোকপীরমগদবা...।"

"নঙগী বারী ঙাক্তনি ঐখোয়না শাকদৌরিসে...।"

"ঐগী মরমদা ফত্তবগদি হায়জীল্লোইকো... ?"

"ঐখোয় অনীমক নঙবু য়াজবা, থাগচ্চবা মী ঙাক্তনি; নুমিৎ অদুদি ফজবা বাহে-বাতা ঙাক্তগী নুমিৎ ওইরগদবনি।"

নুমিৎ অদু দরবেস্তনগা ঐখোয় অনী য়াম্না নুংঙাইনা বারী শামিন্নখি। বেলকোনিদা ফম্মীন্নরগা সেব্বীগী মরমদা বারী শা-ন-শা-না য়াম্না কুইনা থকমীন্নদুনা লৈখি; অমসুং মফম অদুদগী য়েংথবদা উখি-সেব্বীগা ঐখোয় অনী ইহান হান্না উনখিবা; তেবল অমত্তদা চাক চামীন্নখিবা অমসুং পূক্লিংগী বাহে ফোঙদোক্লখিবা মফম অদু। অসিগুম্বা তানজা অসিগীদমক্তসু ঐনা দরবেস্তনগী মফমদসু তৌবীমলগী বাখল অমা পূক্লিংদা ফাওরকখি।

অসিগী তুংদা; ঐখোয় অনী তুংদা ওইরকদবা পুন্সিগী মরমদা বারী শানবা হৌরক্লমই। ঐনা মঙোন্দা ফোঙদোকখি।

"ঐ, হানাকো-বু লুহোংজবা পাম্মী হায়বসি ঙসাইমখৈ হায়জনীংবনি।"

"উম; ঐসু খঙই- নঙনা মদু হায়রক্তনি হায়বা।"

"য়াবিনীংদব্রা ?"

মহাক কাংচুপ অমা থক্লী-মদু ঙাইহাক্তং চিংদুনা লৈ; ঐনা লাওতক্লনা মাগী পাউখুম ঙাইরম্মী।

"মদু ঐনা য়াবা য়াদবগী বাফম নত্তে। মহাক্লা; নঙগী নুংঙাইজবা কায়গদ্রা খনবদগী, মহাক নঙগা লুহোংবদু পামজদে। মানা খল্লিবদু নঙসু চুম্মী হায়না খল্লীনিদা।"

"পুন্নমক অদু ঐ মায়য়োক্লজগে।" ঐনা খুমই।

"মদুনা থৌনাফবগী বাখল অমনি...।"

"থৌনাগী বা-ঙাক নৎচদে... মদু ঐনা শামজবনি।"

"ঐনা নহাক ওইবস্না থোক্লবদি," মহাক্লা হায়রকই। "ঐ মতম খবদি ঙাইগনি; মশিনা খাইদগী ফবনি। কবি থোক্লবা হায়বদু য়েংবা তাই-হৌজিকমক্তি নহাক্লা উবা ফংদবা মরম কয়ামকম লৈবী।"

"নহাকসু ঐগী মকপ ওইবিগনি হায়না ঐনা আশা তৌজে।"

"ঐদি নঙগী মকপ্নি... মসি নঙ কাউরোইদবনি; নঙবু ঐগী ওইনা খনবসে ঐগী আশানি... ঐ নঙোন্দা থাজবা থম্না শাম্মী।"

"কবন্না মতাঙদা.... ?"

"নঙনা খঙলিবদু মঙাই, ঐ হানাকোগী অহল লমন শকপা মীশক্লি। ঐসু খন্দবা নত্তে; মহাকপু ইন্দিয়াদা লাকহল্লিবসি ঐগী অচুম্বা অবানববা হায়বদু। ঐনা অয়াবা শীবগী বাফম ঙাকসু নত্তে, মহাক্কী মশাগী অনীংবদা অপনবা শীদবী মীশক অমা ওইনা ইন্দিয়াদা লাক্লনবা মপূক্লিং লেপখিবনি। অতৈ বাফম অমুক মহাক্লা হায়হন্নিংদবনিনা, ঐসু; মহাক্লা চৎপদা অদুম য়াখিবনি। ঐনা হায়বীবসে... পৃথিবীগী মফম অমদা মথন্তা চৎত্রগা, মশানা মফম অমদা থবক অমা তৌকবগী বাফমসিনি... মহাক অসি, মযামগী মবক্তা মশা মথন্তনি... হায়বদি জাপানবু তুক্কচনা; য়েংথিনা খল্লিবা মীওই কয়াগী মবক্তা মহাক জাপানীজ অমনি। ঐননি; মাবু অহানবদা চাইনিজগী মিং মিস বৈ, হায়না শিজীন্নহনবখিবসু। মানা ঐঙোন্দা; মতম অদুদা হায়খিবদি, মদুনা চাইনিজলিংগী মফমদা ফজদবা অমা ওইবা যাই... মদুনা মহাক্তি মহাক্লা ওইবিবদু অদুম ওইর্[illegible] অসিনি। ... অদুবু তৌজিক্তি মহাক মথন্তা ওইদে .. অমবোমদা ঐ[illegible] থ[illegible], মফম অসিদা ঐসু কুইনা লৈথোকপা যাদ্রে . । নঙনা মাবু য়েংশিন[illegible]বিব [illegible] তৌবিম[illegible] ঐ চপচানা [illegible]। ঐ দিশি থৌনগা ইংলন্দ [illegible] মফম [illegible]সিদ মাবু অমুক [illegible] নৈবা য়াব[illegible] [illegible] মাগীদম[illegible] য়েংশি[illegible]শীনবা নহাক [illegible]লবী খঙবদা [illegible] অরা[illegible] কোক[illegible]।

"মিস্তর ক্লাইফ অ[illegible] [illegible]ক কবম [illegible] [illegible]"

"মিত্তর স্নাইফ অসি অয়াম্বা হীরমদদি য়াম্না ফবা মীশক্নি। মহাক শিংই, তৌবা ঙম্মী... ঐগীসু মরুপ অমনি। অঙকপা ফিতম খরদগী মাগী পূক্নিং অসি মওং অমা ওনখি; অদুনা হৌজিক্তি হানাকোবু মঙোন্দা য়েংশিন খোংচিন্নবা শিন্নবদি ঐ পামদ্রে।"

"ঐনা য়াওরীবা স্পেসল ট্রেনিং অসি থা অনীগী মনুংদা লোইরগনি" ঐনা হায়রম্মী। "মথঙদা ঐ কদায়দা চংকদৌরিবনো খঙদে।"

"মদুদি ঐখোয়না খঙবা ঙম্বগী য়াংমদা লৈপ্রে... ঐনা পামজবদি; নঙনা মাবু ঙম্মীবমখৈ চেকশিনবীবা; অসিনি।"

"মদুবুদি অরুবা নত্তেদা।" ঐনা হায়।

"নঙ করিসু খঙবা ঙমলোই... নঙগী অম্নাবা মতম কয়া লাকপা য়াই।"

"ঐনা মাবুদি নুংশি।"

"হোয়নে..., মানা হায়।" খেন্নবক্নিবসি মদুদনি... নঙনা মাবু য়াম্না নুংশিবা... ঐনা অমুক নঙোন্দা থাজবা থম্বা...।"

(২৮)

ওক্তোবরব থা লোয়শিন্নকপগা লোযনন' ট্রেনিং য়াওবীবা ওফিসব ছাত্র পূন্নমক্কি তোঙান তোঙানবা বিপোর্ট থাগৎলক্কবা ব্রিগেদিয়াবনা হায়বকখ্রমানে। নোংমা সেক্বীনা ঐঙোন্দা হায়বকই : "দার্লিং, ঐদি বিপোর্ট ইবা হৈতে ঐগী ইতেঙ পাংবিয়ু।"

নুংদাংগী চাকচাবা তোক্লগা য়ুমগী অপাকপা মথক 'তেরাস, অদুদা ফম্মীন্নখি। নোংগী মতমসু লোইগ্রে; বোম্বেগী মপূংফানা নুংঙাইববা মতমনি; প্রহিংগী অঙনবা মতমনা থোইদোক্লা পূক্নিং হকচাঙদা তেখৎহল্লি। বাহাদুরনা; ঐখোয় অনীগী কোফি পুরকখি; ঐগীদি তোঙান্না মদৈরা গ্লাস অমসু য়াওরকখি। ঐখোয় অনী পূন্না য়ুম অদুদা চয়োল কয়াদি লৌমিন্নরবোয় হায়বগী ব্রাখল অদু নত্তনা; মতম অদু ফাওবদি ঐখোয় অনীগী মফমদা অঙকপা নুংঙাইবনা থল্লি।

চে মচেৎ কয়াদা পেনসিলনা ইশিল্লগা য়োমশিন্দুনা থল্লিবা চেনাশিংদু মঙোন্দগী লৌরে। মহাক্না ইরিবশিং অদু ইরায় লায়না মহাক্কী মখূৎনি হায়বা খঙবা ঙমগনি; করিগুম্বা মফম অমদা লৈরম্বা থোক্লবসু।

ঐগী মরমদা অশুম্বা ইরম্মী... "ঐনা খনবদা মশিগী ছাত্র অসিনা খ্বাইদগী কৈ। মহাক য়াম্না শিংই, জাপানীজ লোলসু ফজনা ঙাংবা ঙমই। মাগী খোঙ্খোক্তি খরা নোকনিংবা পোকই, অদুবু মদুদি মরু ওইদে মরমদি মানা হায়রীবমখৈ ঐ খঙবা ঙম্মী... মহাক জাপানীজ লোলদা হায়নীংবা হায়বা ঙম্মী।"

"নহাক মশি থারোয়দবা নংত্রা ?" ঐনা হংই।

"থানিয়ে.... অদুবু অরোয়বদা হাপকে... মহাক্তি য়াম্মসু নুংশি... মাগী খজাইসু মরক মবক্তা শিক্তংনীংই হায়গে।"

"মদুদি হাপ্পবগী দরকার লৈতে, নঙনা ইরিবা খরদুনা অদুম খঙহল্লনি নঙনা ঐগী খজাই শিক্তংনীংই হায়বা।"

"হাপ্পবসু কৈদৌগে; ঐ কৈসু থৌশাদে।"

"ঐদি থৌশাই... নঙ মদু হাপ্পা য়াদে, অদুগী মহুত্তা; মহাক জাপানীজ খরদি খঙই হায়রগা লোইরে... ঐখোয় অনী যূম মথক অসিদা পংঙাও ঙাঙনবিবা অসিনদি লান্দা ফারকপা জাপানীজ বন্দি মরক্তা করিসু ওইবা য়ারোই।"

"ঐ মদু খঙ্গে, নঙনা খ্বাইদগী কৈ।"

"ফববুদি য়াই-মখোয় অতৈনা ঙাঙবদগী ঐনা শরুক খরদি হেন্না ঙাঙবা ঙমই অদুবু মদুদি পল্লুনু।"

মী অতৈগী রিপোর্তসু ঐনা য়েংই। অয়াম্বনা- ফৈ, য়াম্না ফৈ, চপচানা ফৈ হায়দুনা ইরম্মী। ফেনবিক খক্তংদি খ্বাইদগী ফত্তে হায়না ইরম্মী।

"নঙগী রিপোর্তশিং অসিদি মনুং-মপান ফাওনা লোইনা উরে।" ঐনা হায়খি।

"য়ূমগী থোঙনাওদৌনা... ?"

"হোয়; ... হেক্তা উবে নঙনা কনা-কনাবু কবম্না খনবগে হায়বদু।"

"দার্লিং, ঐদি, রিপোর্ট অসি যাম 'ফজনবা হোংনবনি।"

"খঙই, নঙ হোংনৈ হাযবা... অদু নহাক মবক মবক্তদি অঙাং মানবা যাওই।"

"ৱাঙাঙ অদু থৌজাল হৈতে।"

"ঐনা হায়বীসিদি খ্বাইদগী থৌজাল হৈবগী ৱানি।"

"অঙাং মাল্লদি... ঐসে চাউবা হেল্লকপা পামদ্রো ?"

"নঙনবু ফজনা চাউখৎলক্লবদি... পুম্নমক ফজনি। মী অয়াম্বদি মপৃংফানা চাউখৎনবকপা অমত্তা যাওদে... মখোয়গী খ্বাইদগী ফজবা শককসু চাউখৎপা মান্দনা লৈবীবশিং অদুনি।"

"নঙনা হায়খীবদু ঙাক্তনি ঐনা রিপোর্টতা ইবিবসু... নঙনা হায়খীবা ফেনব্রিক্তি মশানা খল্লিবা অদুগী শকক তংখাইফাও য়ৌনা অফবা ওইদে হাযবদু ঐনা অমুক শিন্দোকচবনি।"

"নঙনা চহি য়ামলক্লগা," ঐনা হাযখি, "নঙনা হৌজিক ইবিবশিংসে অমুক শেমদোকপা পামলক্কনি।"

"অদু ওইবদি নহাক্লা ইবিয়ুবা।"

ঐনা অনৌবা রিপোর্ট অমা শেম্মী- ফেনব্রিক্লা খ্বাইদগী ফবা [illegible] থল্লে। কবিসু অকাযবদি লৈবমদে, ঐখোয পুম্নমক মবম চানা থাক [illegible] [illegible]নমক পাস তৌবননি[illegible], [illegible] [illegible] হায়বদু [illegible] [illegible] ওইলমদে। মবম অমবু ওইবনা [illegible] গোদ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অনীগনা ঐখোয পুম্নমকপু অফোংবা [illegible] জোই[illegible] চাংযেং [illegible] [illegible] [illegible] ওইনা [illegible] [illegible] [illegible] চাংযেং মথক [illegible] [illegible] অফ[illegible] ইশিনা[illegible] [illegible] অদু[illegible] [illegible] ফবা, মযেকপেং গ; [illegible] অমদুং [illegible] অর্গান। [illegible] [illegible] [illegible], নোটিস [illegible] [illegible]

চাংয়েং ফল অদু থেংলি। মকোকতি আমী ওফিসর অমনা ওইরে। হান্নদি মাবু খঙনদে; মশাগী হৈজ-শিংজবা পূন্নমক লোংশিন্দুনা থম্বা মওংনি। ঐনা সেকেন্দ ওইখি; বেবা কবিসু লৈতে ফেনব্রিক্তগী ঐনা হেনবনিনা... মহাক্তি মঙাশুবদা লাকখি।

চাংয়েং অদুগী মতুংদা; নুমিৎ তবামঙানিদা ঙাইবে ঐখোয়গী ট্রেনিং কোর্স অদু লোইগদবা। ঐখোয় পূন্নমক্কী য়াম্না চাউববা থৌবম অমসু পাঙথোকখি; মীপুম খুদিংমক তিনখি; মার্ভিন মথন্তা নত্তনা। মহাক্তি মবম চাদনা সার্ভিসতগী তোকচবা তাবদুনা ইংলেন্দ চংনবগী জাহাজ অমা ঙাইদুনা লৈববনি বোম্বেগী হিথাঙফমদা। মাদি; শিবগী দন্দি ফংলবা বন্দি অমবু মতম খবা থাদোকপিবগা মান্নবে...।

ব্রিগেদিয়াব য়াওনা ইন্সত্রক্তব পূন্নমক তিন্নবা থৌবম অদুদা সেব্বীসু য়াওবম্মী। নুমিৎ অদুদা, আমী ওফিসর অমনা মঙোন্দা য়াম্না ফাগী জুগায় তৌনা পৃক্লিং চঙখি। কোম্ভুংদা ঐনা মঙোন্দা; কবমতৌনা সেব্বীবু খঙনকববগে হংবদা মহাক্না হায়।

"সত্য নঙসু খঙইনি-হান্ননা মশিগী ব্রাখলসে কবিগী খলহৌদবনো হ'য়বাস ঐ খঙদ্রে। মহাক্কী ফাগী তৌনবদা যাম্না নুংঙাইবা মীশকনি...।"

ঐনা খনজবদা; মফম অদুদা যাওবীবা মাশক খবনদি সেব্বীগা ঐখোয় অনীগা মবমদা কাবগুম্বা অমত্তা চিংনবম্লোই, অদুনা সেব্বীবু কনাগুম্বনা ॰ ক্রু ॰খাংনবগী থৈ ওং অদুদা ঐসু হবাওনা অদম যেংজে কাবিগুম্বা খম্বল ব্রাখল অমত্তো পোকখিদে। চাকচাবা মতমদসু ॰ফিসব অদু মহাক্কা থংননা ফমহল্লি: ॰এসুং সেব্বীদা ॰কঙ হাযদুনা থেম্বদু ট্রা॰ মদুদা সেব্বী, চম্প্রা মহি গ্লাস ॰ মগা ॰ফিসব ॰দুগী গ্লাসকা তোন্ত (গ্লাস থেংনবা) তৌনদুনা থকখি।

॰ ॰খায়॰ ॰নংথৌ॰ ॰া॰দা ॰॰ যাম্না ॰তৌনখি। ফেনব্রিকসু ॰॰ ॰ ॰ না ব্রিগেদিয়াবগা ॰তৌনা॰ ॰খোয় পূন্নমক হবাওনা থক-চানখি অমিগ ॰দা ব্রিগেদিয়াবনা ॰ ॰॰ পূন্নমক্কি মবমদা তেল্লগা মখঙ মথঙ ॰ ॰ ॰॰ ॰ীবকুপগা ॰ ॰ ॰ ॰ীগী ॰ ॰ থৌবকপদা অশুম্না হায়খি-

"মহাক মথন্তগী থৌনা-না ইন্দিয়াদা লাক্লগা নুপাঙাক্তগী ওইবা মীরক অসিদা; মহাক্না তম্বিবগী থবক তৌবীরিবশিগীদমক ঐগী মতীকচানা চুন্নবা থাগৎ-য়াহে লৈজদে। মতাঙ অসিদা; মহাক মশামক জাপানীজ অমা ওইবগী নুংঙাইজদবা য়াখল ফাওরক্লবসু; ঐনা মঙোন্দা নীংশিংহন্নিংবদি, লাইবক থীবদগী ঐখোয়না লানথেংনবা তারবা চাউখৎলবা জাতি অমগী ফজরবা গুণশিংদুগী মহৎ শিল্লগা মহাক্না ঐখোয়গী ইরক্তা য়াওবীররিবা অসিদি ঐখোয়গী চাউখোকচফম ইজ্জত অমনি।" মহাক্না মশিমসু পনখি মদুদি সেব্বীনা মরম ওইদুনা-চাউখৎলবা সভ্যতা অমসুং মীওইবনা থাগত্তবা গুন্নরোইদবা সমাজ অমগী চৎন লোনচৎ কয়াবু ঐখোয়না খঙবা গুমজরে;... অদুনা য়েংখিনবগী ফৎত্রবা থবকশিং অসিনা হেক লোয়খিবগা; অফবা হায়বদু অমুকহন্না শেমগৎপদা ঐখোয়সু মতীক্চাবা মীওই ওইজবদি গুন্নগনি হায়বসি অশেঙবনি।

মতম অসিদা সেব্বীদি মমায় লুকথদুনা লৈখি। ঐনা খঙই, মহাক্কী ইকায়থীজবগী নত্তে... মহাক্কী লৈবাক্কীদমক্তা মহাক্না ইকায়জবনি। মীশুম খুদিংনা মাবুসু য়া ঙাঙনবা লাউনরকখি; অদুবু মহাক্কী মকোক হাইরগা মশাগী তম্পাক্তা অদুম য়েংথদুনা লৈখি। ঐদি অদুম খঙলে... মহাক্কী তাথরকপা পিগী মরীক কয়াদু কংননবা ঙাইরিবনি হায়বা।

অদুগী মতুংদদি কাঙবু অদু অমুক নোক-খেনা হরাওনা লাঙবা হৌরক্লে। পিতরনা ফুক হৌগত্তুনা লাউথোরকই- "মারিও-গা দোর্কসকা লুহোংবগী য়া লোইথোক্লবে"-মারিও শাওশিন্নে, মহাক্তি য়া-য়া লাওবা পামজদে। সোসাইতি মেগজিন্দা য়াওবা শকহেনবা শকহেনবী অনীগুম মখোয় অনী খরা লাগুক্লা; চীক্লা ফম্মীন্নবদু উই। য়েংবদা; মখোয় অনীনা পৃথিবী-অসিদা নুংশিনবগী লম্বীদদি হেক্তা মাঙজিল থারবগুম্না উই। নুপীওইবীগী শকফমগা চুশিন্ননা জুম-জুম তাব দোর্কসকী মশম অদু মতুংলোমদা চিঙলেম্না হাইথরী... অমসুং চুশিন্নববা ইংলিসকী মাইথোঙদা মহাক্কী কুচু-কুমেন অদুসু শিঙনবগী মশক্লি। ঐনা মিকুপ অদুদা খল্লকই-মখোয় অনীদনা মতম লেল্লুগদবা রেস্তোরা; অমসুং সহরদগী চৎথনা লৈত্রবা অচীকপা যুম কয়া। অগুম্না, মখোয় অনীগী হরাও নুংঙাই ফোঙদোকপা ওইনা ঐখোয় পুম্নমক হরাওনা নোক-খেনা থক্লরমই।

ঙাইহাক লৈরগা কনানো অমনসু হৌগত্তুনা লাউরকই :-

"অতোপ্পা বা লোয়থোক্লবা অমসু লৈরে... মদুদি মিস্তর লেম্বগা মিস সান্দ্রাগ।" ঙাইহাক্তংদি তুমীন-তুমীন লৈনে, মরমদি ব্রাকম অদুমদি কনাসু হাল্লা খণ্ডনদে। সান্দ্রা অসে বোজ্জিগী মরুপনি হায়বদি খঙনৈ, অদুনা মাগী থম্মোয়সু শোয়দনা নুংশি হৈরমগনি পূকচেল চাউরমগনি। ময়াম লাঙখৎলক্লে তেবলদা থীন্দুনা লাউনরক্লে। আনোক অচৌবা উপ্পা লেম্বগী মাইথোঙদু মকা লামজনা উই, লাউথোরকপা ব্রাকমদুদা। মহাক্লা হৌগৎত্তুনা হায়রকই... সান্দ্রাদি ভেস্তা-লাইরেম্বীদা কৎথোকচরবী ভেস্তাল-ভার্জিন, শেংলবী লৈশাবী কন্যা অমনি হায়না।

অশুম্না; ঐখোয়না চাখীবগী পোৎনা ইচায়-চাইনা লৈরীবা তেবল অদুগী অকোয়বদা ফমদুনা, য়াম্না কুইনা, নুংঙাইরবা ব্রারী কয়া শানদুনা নোকুনা লেনখি। থক্লবগী পোৎসু ব্রাংলমদে ঐখোয় পূম্নমক হাল্লা শেল খায়নখি, ব্রিগেদিয়ারনসু লুপা চনি পুথোকপিখি। ওম্নমক ইচিল ইনাও ওইনবগী ব্রাখলদা; ঐখোয়গী মরক্তা লৈনখিবা; য়েংথীনবগী ব্রাখল লোইনা কাউথোক্লখি। অদুম্নদি ওইরগা, ঐদি যেন্নবিক্কি মনাক্তদি নকশিল্লুদে-মাবু ঙাকপীবদি ঙমই অদুবু য়ুগী নিসা লৈরিঙৈদা মী অমবু ঙাকপীবা হায়বসে কোন্নদি ইথন্নতা নোকনীংলকপসু য়াই খল্লী।

ঐগী নাক্তা ফল্লিবা মারভিনসু কা-হেন্না ঙাওরে। মহাক্লা নুমিৎ অদুদা ঙাওবা অদুগুম্না; ঙাওখিবা নুমিৎ অমত্তসু লৈখিদ্রি।

মহাক্লা হায়রকই- "নখোয় পূম্নমক হন্দ্রেনে... ফিভমশিদা লোইনা হৈনবে হায়বা। নখোয়না অমুক জঙ্গলদা লৈরুবা মতমদা ঐবু নীংশিংলকউ চেলসিদা লৈরগদবনি ঐদি।"

"ঐখোয়দি চেলসি-দা চৎনিংদেদা।"

"মী পূম্নমক চেলসিদা চৎনিংবনি।"

"ঐদি চৎনিংদে।" ঐনা মঙোন্দা খুমই।

"এ-নঙ অপঙবনি- নচিন থীবনি। মরৈ য়েৎকনু... চেলসি য়াম্না ফজবা

মফমনি-থা ২ গী মনুংদা ঐদি মফম অদুদা লৈরনি... লেপার্দ হোত্তেলদা চাক চারুরনি... অবসিষ্থ (পাম্বীদগী শেপ্পা অশংবা যু মখল অমা) থকউরনি... য়ুম য়ৌরগা; অহিং নুংঙাইনা তূম্মুরনি।"

"হৌজিক্কানদি লন্দন্দা অবসিঙ্থ কংগ্রেবনি।"

"কংগ্রেসু বেরা লৈতে... য়ুমদা নুংঙাইনা লৈরুনি... নঙদি থা ২ গী মনুংদা কদায়দা চৎকদৌরী ?"

"ঐনা খনবদা; বর্ম্মাগী মতাইদা লৈরব্বা য়াই...।"

"মদু থোকপা য়াই... নঙদি চেলসিদফাও চৎনিংদনা' সুম নপশিন্দুনা লৈরবনিনা... মদুনা চপ চারবনি।"

"চেলসি দদি ঐ অমুক্তা চৎলুব্রি।"

"নঙনা চৎনিংবা মফম অতৈগদি লৈব্রো ? নঙ বেজব্বাটরদা চৎনিংলমগনি খল্লি, মদুবুদি চেলসিনা হেনবনি... নঙনবু চৎনিংলবদি করিসু কায়দে।"

"ঐ করিগুম্বা মফম অমত্তদা চৎনিংদেদা... হান্নদি চৎনিংলম্মী... হৌজিক্তি হৈনরক্রে।"

"পোৎ অমসু অমসু হেক্তা হাপচিনবা য়াবা পাত্র অমা ওপ্লেনে নঙ.. অতনবগী বানি... নঙগী অতনবদু নঙনা... শিংজিদুদা হৈনিংবা খরা পীরগে খল্লদি ... নঙ ঐগ লোয়নগদবনি... মসিনা সংসাব অসিদা খ্বাইদগী নুংঙাইবনি।"

"কোনথংদা অঙাওবা লায়েংশঙদা লৈকদনা তোক্কনি।"

ঐদি চাংয়েং তৌরবনি, নঙসু য়েংউ... নঙসু ঙমগনি, নপশিন্দুনা 'সুম লৈত্রবদি.... নঙ জঙ্গলদা চৎলুরবনি... হৌজিকসু অমুক মখোয়না থাদৌরি... হুন্দকমুক্তি শিবসু য়াই।"

"এ নঙ খঙদ্রে.... য়াঙং পাউহং তৌবা মীদি হাৎলোয়না।"

"জঙ্গলদদি লোইনা শিনিংঙাইনি... মেলেরিয়ানা ওইবা য়াই, গুলিনা পানবা য়াই... অদুগা অপোম অতং... হকচাঙদা চাথৎপা ময়ামদুনসু।"

"মতম অদুদা ঐনা নীংশিংগনি-নঙনা লেপার্দ হোতেলগী মমাঙদা টেক্সি ঙাইদুনা লেপ্লা- মোদেল কলাকার লৈশাবীশিংগা ৱারী শানদুনা লৈবা...মদুদা খন্দোকপা ঙমগনি; লাল অসিবু ঐখোয়না ঙম্বগী ৱাখলসু...।"

"মঙং অদুদা চৎকনু... থৌনাফবা ইবুংঙো।"

"থৌনাফবগী ৱাফমদি.... মশিদা করিসু য়াওদে।"

"হুং-মদু থৌনাফবগী ৱানি... থৌনাফবা হায়বসিমক্তংবু থবক্তুদা হন্দবা নপশিন্দুনা লৈবদুবুনি... ঐসু খরদি ওইরুরে-চহি অহুম হৌখ্রবনি... হৌজিক্তি য়ুম হন্দৌরবনি। হা ঈশ্বর; চহি অহুমগী মতমদু অমুক্তা মেনখৎপিয়ুকো...।"

"মদুবুদি চুম্মী" ঐনা হায়। "নঙসু চপচানা নথৌ পাঙথোকপ্রে; য়ুমদা হল্লগা নঙগী অবসিন্থ থকউরো, অদুগা মরক মরক্তদি নঙ করম তৌরী হায়বদু ইবগা পোস্ত কার্দ অমমমদি থারকউ।"

"থারক্কনি... নঙসু শিদবা ওইয়ু।"

অসিগী মতুং, পূং তরামাথোই তারকপা মতমদা সেব্বীগা ঐখোয় অনী মফম অদু থাদোক্তুনা লাক্লে। মখোয় অয়াম্বা ঙাওনহৌরী, ৱারী শানহৌরী। ব্রিগেদিয়ারদি হান্না চৎপ্রে- মারিও অমসুং দোর্কসসু য়াওখ্রে। সেব্বী ঐখোয় অনীদি পূংশিং কয়া চুপ্পা কায়নরুবগুম খনজে; ঐখোয়না থোকলকপদা কনা-কনা উহৌবা হায়বদু করিসু থৌশারক্তে।

ঐখোয় অনীমক গাড়ী অমগী মনিংদা তোংদুনা লাকখি। য়াওকবা পার্তি অদুদগী হল্লকপদা কয়াম হরাওমিন্নখিবা... চেৎনা-চেৎনা কোনশিন্নে। সেব্বীনা হায়রকই- "মাইক্কেলদি য়াম্না থকমন্দুনা ঙাওরেদো।" ঐনসু অমুক খুমই- "সেব্বীসু পার্তিগী মীয়াম মরক্তুদা ঙাওরেদো।"

"অচুম্বনি দার্লিং ! ঐখোয় অনীমক ঙাওরে,... নঙদি থাঙ্গৈশেংনা য়ু ঙাওবা মী ওইরে। য়ুম য়ৌরগা নঙগী টাই লৌথোকপিনি, খোংউপসু লৌথোকপিনি... অদু ওইরদি... জাপানীজ নুপীশিংনা য়ু ঙাওরবা মপুরোইবশিংদা অশুম্না সেবা তৌবোইরে হায়বদু খঙলনি।"

"মদু; ঐনা নঙোন্দা হংখিবদু নত্ত্রা ?"

"কাউরবো... ঐঙোন্দা ইহান হান্না মদু চুম্না হায়না হংখিবদু ?"

"নীংশিংলে, মদু নঙনা ইহান হান্না ক্লাস চঙলকপা নুমিত্তনি।"

"অস: ঐ, রিজিস্তরনা মায় খুমজিল্লগা য়াম্না লোকখিবনি নুমিত্তুদা মী অতৈনদি ঐবু মওং অমা ওইনা খল্লমগনি।"

"ইবেম্মা, হৌখিবদুদি নীংশিংলুরনু।"

"তুংগী ওইনা খনবা পান্ত্রা ?"

"করিমত্তা পামদে, ঙসিগী অহিংসে য়াম' নুংশি হায়বা নত্তনা, ঐখোয় অনী য়ূমদা হনমিন্নরীবসি নুংঙাইত্রো ?"

"নুংঙাইয়ে, য়াম 'নুংঙাইয়ে, শগোল চেনবগী খোঙথাঙ মখোল (ক্লোপ্লিং) সি তাওনে, নুংশিদ্রা ?"

"এ: নঙোন্দা কনানা তাকপি 'ক্লোপ্লিং হায়বদি ?"

"কনাসু তাকপিদে... ঐনা খঙজবা...।"

"ঐঙোন্দগী খঙখিত্রা ?"

"হোয়; মতম পুম্নমক্তা নঙোন্দগী খঙনবা হোৎনৈ।"

"ফৈএ, অদুম তৌহন্নিংই ঐসু,... ঐসু চাউথোকচরিবনি।"

"দার্লিং, নঙদি খজিক্তং ফাওবা চাউথোকচদমাল্লে।"

"হুং, চাউথোকচৈ, নঙবু য়াম্না চাউথোকচৈ... মরু ওইনা ঐবু দার্লিং হায়রকপা মতমদা নঙনা...।"

ঐখোয় অনী ব্বারী নুংঙাইমনবদগী; চেল্লিবা গাড়ী অমসুং শগোল অদুগী মরমদা খল্লুদে; অদুবু ইখঙ-খঙহৌদনা চেল্লিবা গাড়ী অদু খঙনেম নেমথখিদুনা চপ লেপ্লদা মাঙদগী খারিবা য়োৎকি জালি অদুদা মায় য়ৈশিনবদা খঙলে... শগোল অদু তুরে হায়বা। গাড়ীদগী কূমথদুনা য়েংবদা, চাকা অদুনা শগোলগী মনিংদা ঙাশিন্দুনা লৈরে। সেব্বীনা মিনুংশিগা লোয়ননা শগোল অদুগী মমায়দা

নানবীদুনা হৌগৎনবা থেন্দ্রদু য়াম্না নুংশি। ঙাইহাক লৈবগা ড্রাইভর অদুনা শগোল অদুবু হৌগৎহল্লে... গাড়ী অদুবু তপ্না তপ্না অমুক চিংদুনা চেল্লক্লে।

"তোল্লবা শগোলসে লম্বীদা মখোঙ নানথুবনি।" সেব্বীনা হায়রকই।

"ঈশ্বরনা থৌজানবীবনি ঐখোয় কনাসু শোক্লে।"

"ঐদি শিবদবোই খল্লুবে, মানা কন্না খোংলকপদুদা।"

"নঙ সেব্বীচ্চি ওইবা (অরাব মাইথোঙদা নুংশিবা শক্তম ওইবা) হৌবকএকো" ঐনা হায়।

"ঐ অদুম্না উবব্রা ?"

"নুংঙাইথোকপা ঙমদ্রা ?"

"কবিসু অকায়বা লৈতে, নঙনবু হেক ইনাক্তা লৈবিবমখৈদি... সেব্বীচ্চি ওইবসু কৈসু কায়দে।"

ঐখোয় অনী অমুক হন্না চেংনা কোনশিন্নে। অহিং অদুসু পূক্লিং শুমহৎনা ফজবগী মশক্কি, পানখৎলকপা থাজগী থাবল মঙালদা উপাম্বী পবেং হৌবিবা চীংলম্বী অদু কাখৎলকপদা উই-পেবিস সহব মাল্লবা মফম মফমগী দৃশ্য কয়া। শগোলগাড়ি অদুদা ফল্লিঙৈ, হমলকপা নুংশিংনা হকচাঙদা শোকলকপা অদুনসু পূক্লিং হকচাঙ ইনৌ নৌহল্লি তেকখৎহল্লি। মফম অমা য়ৌবকপদা উই, ঐখোযগী ওইবোমদা লৈবীবা টোবার্স ওব সাইলেন্স অমসুং মদুগী অপাকপা মতোলগী ফক্লাঙদা তোংহৌবা অমসুং মী ওইবগী শদোঙ চাকবগা তূমদুনা লৈহৌবা লাঙজা উচেক কয়া। ঐনা সেব্বীদা হংই, মহাকসু লাঙজা ওইনিংব্রা হায়না।

"ঐদি হান্ননা ওইবেনা.. পাবসি মাইকেল চাবীসিদি।" মানা নোক্লুনা হায়কই।

"ঐসি হাউব্রা ?"

"উম, য়াম' হাওই।"

ঐখোয়না য়ুম য়ৌবদা; বাহাদুবনা অঙ্গংবা লেমোনেদ মহি অনী পুথোবক্লুনা য়ুম অদুগী তেবাস অপাকপা মথক অদুদা পোৎথা-পোৎথানা থকই।

মতম অদুদসু, বোম্বে সহর য়েংথবদা পূক্লিং হুই। অমম্বা; রেশমগী অহিং অদুদা মশীং থীণ্ডমদ্রবা মৈণ্ডালগী মরীক্লা মনি-মুক্তাগুম্না ইরং-ইরং লংলি। চম্প্রা মহি অদু স্ত্রোদা চিংনা-চিংনা কুইনা ফম্মীন্নদুনা অহিংগী ফজবদু য়েংলবা তুংদা... ইরুজনবগীদমক ইমুংদা চণ্ডলকলে।

ঐগী ইরুজনবগী ঈশিং অদুদা সেব্বীনা পাইন নীদ্দল ইস্ত্রেক্ট (ইরুজবগী ঈশিংদা হাপ্লবা উচাল মনাগী মহি) হৈজিল্লকপদা ঈশিং অদু ইশঙ-শংনা উই অমসুং জঙ্গলগী মনম নমই। ঐনা ইকজবা লোইরগা থোরকপদা মহাক্তি ঈশিং অশাবদা ইরুজবা চণ্ডশিনখ্রে। মাগী ঈশিং অদুদি শামনবনা ঐগী খুৎফাওবা লুপশিনবা ঙমদবনি; অদুবু মহাক্তি ঈশিং অদুদা পামজনা ইরুজে অমসুং থোবকপদা মশাগী কুচু অদু অঙাঙবা খজিংগী মচুগুম্মী। অচৌবা টাবেল অমনা মাগী হুকচাঙ পুম্না য়োমশিল্লগা কা অদুদা কোইচৎ চৎলি। মহাকপু চিংশিন্দুনা কোনশিল্লুই ইরুজরুবদা ঙায়রিবা মাগী অথোৎপা হুকচাঙদগী ফাওরকপা অশাবা মনিলনা ঐগী হুকচাঙদা যৈবকই।

ঐখোয়, ফমুংদদি লাইরিক খক পাদে অদুবু থাওমৈ অদুদি থাম্দুনা অদুম থম্লে... মরমদি অহিং অদুগী অরোয়বা মতম লাকহল্লীংখিদে। সেব্বীনা হায়রকই- "দার্লিং নঙ চৎপ্রবদি, ঐ অমুক হন্না স্কুল অদুদা চৎনিংদে।"

"নঙ কবি তৌবা পাম্মী।"

"ঙসি অযুক চিঠি অমা ফংই .. নঙোন্দা হায়দ্রি... দিল্লি বেদিঙ স্তেসনদগী থাবকপনি।"

"কবি ইবকইনো ?"

"মখোয়না ঐবু থবক তৌহল্লিংই.. জাপানীজ লোলদা; রায়রলেসতা পাউ পাবনি।"

"ওহ, গোবর্নমেন্টকী পাউ শন্দোকপা।"

"উম; চুম্নগী পাউদমক পীবা ওইগনি।"

"জাপান্দা ইংলিস্কী পাউ পীশিনবদি কমদৌই ? নঙগী পূক্লিংদা শাওনিংলোইদ্রা ?"

"শাওনিংলোই দার্লিং, পাউ অদুবু অচুম্বা ওইহ্রদি, ঐদি লাল অসি নখোয়না ওমহন্নিংই।"

"ঐখোয়না... ?" ঐনা হায়, "নঙগীসুনি।"

"পাউ পাবসিবু ফগদ্রো ?"

"তম্বিবদগী মশিনা হেন্না পাম্লবদি; নঙোন্দা য়াম্না ফগনি।"

"হোয় নঙসু য়াওদনা; খঙনদবা ময়াম মরক্তুদা অমুক হন্না ক্লাস লৌবা চংশদু ঐ শুকপাম পামজদ্রে।"

"ঐসু দিল্লিদদি লৈররোই।"

"য়াদে; বোম্বেদদি ঐখোয় অনী মতম কুইনা লৈমিন্নরক্লবনিনা... ঐ য়াম্না নুংঙাইহবোই।"

"ফজরবা য়ুম অসি নঙ থাদোকপা তারেকো...।"

"নঙনা চংশ্রবা তুংদা থাদোকপা তারেদনা...।"

"দার্লিং ! ঐ অমুক হল্লক্কুনা নঙবু উনরখিনি।" ঐনা হায়খি।

"অস: অয়াম্বা মতমদা নঙ য়াওদনা ইথন্তা লৈরগদবা... য়ারবদি; দিল্লিদসু লাকউবা ...।"

"ঐ তশেংনমক লাক্কনি... শোয়দনমক্কী।"

"শোয়দনা লাক্কদ্রা ?"

"দার্লিং, কবিগী... ঐ লাক্লরোই খল্লিনো !"

"খঙদে, অতোপ্পা মফমদা অনৌ-অনৌবা মীশক কয়া উনরুরগা ঐবু অশুম নুংশিবিখিগদ্রা হায়বসে। নীংশিংবীয়ুকো; নঙবু চাথোক্লবা হোৎনজবা অমুবা লাংজা ঐহাকপুসু... মদুনা রাখল নুংঙাইথোকপা ওইবিয়ুকো।"

"অদুম্মক খনব্রা নঙবো ?"

"খঙদেদা; ঐবু কয়াম কুইনা নুংশিবিখিগদগে... চহি তংখায় অমগদি ওইগদ্রা... মদু শাংমনব্রা...?"

"নঙনা পাম্বসি মতম অদু খঙ্করা.... ?"

"অদু ফাওবদং নুংশিবীবসু; ঐ য়াম্না নুংঙাইজগনি... ঐনা নীংজবা মতমদগী হেন্দোক্লবুদি পামজেনা... থা ৬ অসি ফাওবা নুংশিবীনি হায়না ৱাশকউনে...।"

"য়েংগে... মথঙগী জুন থা ফাওবা ... ঐ ঙমগদ্রা খল্লি।"

"ৱাশকপিয়ু।"

"অচুম্বমক ৱাশক্লবনি।" ঐনা খুম্মী।

"ঐবু অশুক চানবিবা... দার্লিং নহাকপু ঐনা য়াম্না নুংশিজে।"

"ঐনা ৱাশকপ্রবদি... মদু শোয়দনা ঙাক্কনি... ঙাক্তবা ঙস্লোই।"

"অচুম্ববা ?"

"অচুম্বনি।"... ঐনা হায়।

"দার্লিং ! য়াম্না নুঙাইজে... ঐ য়াম্না নুঙাইজে।"

মহাক ঐগী নাক্তা তুমিন্না হীপ্তুনা লৈ। মমিৎ অনীমক উইশিল্লি। মাগী লৈনাগুম্না থোৎলবা মিৎখাদুদা মহাক্কী অমুবা; অশাঙবা; মিৎকি পা-শিংদু হাইথবী। ফমুং মনাক্তুদা কাপ্লিবা বেদ লেম্পকী মৈঙালনা মাগী থোৎনা মোল্লবা মায়থোঙদা তাবিবদুগা লোয়ননা মহাক্কী শল্লাঙ মবক্তুদা ফজববা মচু মখলনা ইবং-ইবং লংবগুম উবি। ঐগী পুক্লিংদা ফাওবিবা নুংশিবগী পাউজেল অদু পুদুনা ঐগী চিম্বালনা মাগী মায়থোঙদা তপ্না তপ্না শোকখি। মহাক তুমখ্রমানে খল্লুই। অহিং অদুদদি; অবাগ্নদগী থীল্লকপা দ্রমগী মখোল তাদ্রে হায়না পুক্লিংদা নুংঙাইজবা ফাওখি... মবমদি; য়েবকপা পুঙ-দ্রমগী খোঞ্জেল অদুদা অৱাবা ৱাখল পীবা; পুক্লিংদা শুকথনা নুংঙাইত্রবা অশি-অনাগী খোম্থাং য়েবকপগুম ফাওবনি ঐখোয় অনীমক্কী পুক্লিংদা। অদুবু অচীকপদুদা খঙহৌদনা অমুক তাবে; অবাগ্নদগী য়েবকপা খুদোংথীবগী খোম্থাং মানবা পুঙগী মখোল অদু... অমুক কনখৎনা; অমুক তপথনা... খোঞ্জেল অতোপ্পা অমা তাদ্রবা অহিং অদুদা...।

শিলিংদা য়েংখত্তুনা, ঐনা খোঞ্জেল অদু তাদুনা লৈখি। থাওমৈ মুখৎলগে হায়না হকচাঙ চেপথোরকপদা খণ্ডলে... ঐগী সেব্বী তূল্লমখ্রি। মহাক কপ্তুনা লৈরম্মী... য়াম্না চীক্লা... মায়থোঙদা করিসু খঙহন্দনা। মমিত্তগী শিন্থরকপা পি-গী চদুম চদুম্না অমমমতা ওইনা মহাক্কী মায়থোঙ শমদুনা, খাঙলিবা মোনগী মথক্তা তারমই। মহাক্কী মায়থোঙ মচি লেঙলমদে; অদুবু চেন্থরকপা পিগী মরীক-শিংদুবু চূপশিল্লিবা মোনগী শরুক অদুদি চোংলে। ○

অনীশুবা পন্দুপ

(১)

ট্রেনিং কোর্স অদু লোইখিবা মতুং নুমিৎ হৃমনিরোমগী মনুংদা ঐখোয়, বোম্বে থাদোক্লুনা কানপুর চৎননবা থৌরাঙ লোইরে... কনা অমত্তা খঙনদে; ওইরক্কদৌরিবা ঐখোয়গী তুংগী পুন্সিদা করি অমুক লৈরিবা হায়বদু। দিসেম্বরগী মতমনি, খা নোংচুপ ভারত্তগী অন্নাং পাংনা লাকপদা ঈংবসু হেন্না হেন্না ঈংশিল্লকই। ট্রেন গাড়ী অদুদা অহানবা অহিং অদুদি লেপ্লগা; নোংঙাল্লকপদদি অশাবা লমগী ফীজোল অদুগী মহুত্তা নিম-মচুগী য়ুনিফোর্ম অথাবশিংদু শেংনরমই। ঐগী ওইনদি; জালিতাল চংলুবগী মতুংদা নুমিৎ অদুনা ইহান হানবনি ঐগী ব্লু য়ুনিফোর্ম অদু শেংখিবা।

অয়ুক্তা, ঐখোয় কানপুর য়ৌরমই। রেলবে স্তেসনগী রেস্তোরা অদুদা কোফি থক্লুসি হায়না চংলি। ফেনব্রিক্কা ত্রক গাড়ী অমা কৌরিবনি হায়দুনা কদায়দনো অমদা তেলিফোন তৌই। ঙাইহাক লৈরগা ত্রক গাড়ী অদু লাক্লে; ঐখোয় পৃম্নমক পোং হাপকংনরগা; পোং মথকশিংদুদা কাখংনদুনা ফম্লে, অদুগী তুংদা মফম অদুগী বাজারশিংদু ফাওদুনা লৈতেম মান্নবা অহাঙবা লমগী শরক্তা থৌরক্লমই। চেকপললনা কোয়শিনবা অচৌবা লানবল অমা য়ৌরকপদা পুং অমগা মখায়রোম চঙখি। লানবল অদু থায়নগীনি, মগুণ লৈনা-চিঙলেম্না নৃঙ-ঙাক্তগী ওইবা লমদম অদুদা লৈবনি। মতম অমদা সহরগী শরক অমা ওইনা লৈরম্বা; মোগলগী অচৌবা লানবল কয়াগী মরক্তা অমনি। যুগ কয়াগী নুংশিং নুংশা মায়য়োক্লনা; মতমঅদু ফাওবদা লৈরিবা শক্তমদি অকোয়বদা খাজীল্লিবা ৱাংলবা চেকপল, লানবল মনুং চঙবদা ফাওদুনা চংকদবা অশাঙবা লম্বী অমসুং চেকপল মথক্তা ৱাংখংনা লৈরীবা ফজরবা মওংগী কা মচা মচাশিং অদুতমক ঙাইরে।

লানবল অদুগী মনুং য়ৌরকপা লম্বীদুদা লৈরম্লিবা উফুল অমদি নুংকুপ

কয়ানা, চেল্লিবা চাকা মখাদগী চাইথোরকই, উফুলনা মন্মী। তিংখং তারা-না খাজীনবা অচৌবা লম্পাক অদু য়ৌবগা গাড়ি অদু লেপ্লে। হেক য়েংখিবদা উই-সেম্রি পুবা সিফাই লেপ্লীবদু; লোয়ননা পিক্তক পিক্তক তৌবা খাকি শেৎপা মীশক অমসুং মখোয়বু শেন্নরিবশিং...। খাকি শেৎপা মীশকশিং অদু; ফাদুনা থগ্লিবা জাপানীজ বন্দিগী মীওইনি হায়বা খঙলকই, অদুগা ঐনা ইহান হান্না উবা জাপানগী মীওইদি... সেব্বী... অমসুং ট্রেনিং স্কুলগী ইন্সট্রক্তর অদু নত্তবদা; মখোয় অদুনা অহানবনি হায়ববসু য়ারে।

পূকচেল খোইজেল ফজবা মানবা মেজব অমনা ঐখোয় পূম্নমকপু কম্পাওন্দ অদুদা লৈবা বাঙ্গলো অমদা মহাক্না উনবগী তাঞ্জা ফংহল্লি। মহাক্না হায়- "নখোয়না'সিদ লাকপসি য়াম্না নুংঙাইরে। মফম অসি (লানফা) বন্দিশিংগী থম্ফমনি; নখোয়বু মতম খরদি মফম অসিদা লৈহনখিনি; অনৌবা পোৎলম, মচাক কয়া তাকপীখিনি; মদুগী তুংদা নখোয় লাল শোক্লরিবা মফম তান্না চৎস্রগদবনি।" ঐখোয়না খঙনীংবা মরমগী ব্রাহং কয়াসু মঙোন্দা হংখি। কোন্নদি ঐখোয় চাকচাফম মেসতা চত্তুনা চাক চারুরে ; বাঙ্গলোদা অমক হন্নক্লগা লৈতানা পোথানরে। বাঙ্গলোশিংদু লানবল মনুংদুদা লৈবা ঙাক্তনি। বন্দিশিং থম্লিবা কম্পাওন্দ অদুদগী গজ চাম্মরোম লাপকনি। ঐখোয়সু, ব্রাং চাউরবা চেকপলনা অকোয়বদা খাজীল্লিবা মফম অদুদা লৈবদুদি, পূক্লিং অসিদা... বন্দি ওইববগুম্না খল্লি।

পিতরগা ঐখোয় অনী বাঙ্গলো অমত্তদা পূন্না লৈমিন্নখি। অনৌবা পাউখোল্লোই নুপা অমসু ফংলে। ঐনা লানফম চঙবদা বাহাদুর লোয়নবা খুদোংচাবরোই খনবদগী; মাবুদি সেব্বী গী মনাক্তা অদুম থম্মীরম্লবনি।

অনৌবা পাউখোল্লোই অদু পাথান-নি; মমিৎ অনীমক ঙাংশঙ ঙাঙনা য়াম্না নোকনীংবা মীতানি।

নুংথিলগী মতমদা ঐ, চেকপলগী ফক্লাঙ মনুংদা ব্রাংনা-ব্রাংনা হুৎতুনা লৈরীবা কা মচা শিংদু য়েংবা চৎলুই। ইন্দিয়াগী চারপাই অমমম থারম্মী। কা খুদিংগী মমাঙ-মমাঙদা ফক্লা খাজীল্লগা হকচাঙ শাজেল তৌফম অহাঙবা লমগী শরুক খরা খরসু থম্মী।

ঐনা ইহান হান্না চঙলুবা কা অদুদা জাপানীজ অমা মাগী চারপাইদা হীগ্নম্বদু কুক হৌগত্তুনা ঐগী মাঙদা পৃক্লিংচঙনা লেপ্লী, মখূৎ অনীমক য়োংগী মখূৎ মান্না লেংজুমদগী থরাক থরাক য়ানখনা।

ঐনা মঙোন্দা হায়খি "গুদ মোর্নিং"। ঐগী ব্যবহারগী পাউখুম ওইনা মতিন য়োৎশিনজবগা মহাকসু নোল্লুক্লা খুন্নকই।

ঐনা হংই "নমিং করি কৌই ?"

"য়ামানাকা" মানা খুম্মী।

"করি ফম ?"

"লন্নাইনি ফম পায়দে।"

"ফম্মু।" ঐনা হায়

মহাক মরু লূকথনা শোর চিংশিল্লগা চারপাই অদুদা ফমথরে। মখোঙ অদু তেনবনা লৈপাক শোকপা ঙমদে। ঐনা অমুক হন্না হংই-

"নঙ করি লমদা ফাবনো ?"

"আরাকান-দা ।"

"করম তৌনা ?"

"ঐগী কাঙবু কায়নবা.. জঙ্গলদা তুম্বদগী হৌগৎলকপদা নখোয়গী মী উদুনা; পৃক্তা গ্রেনেদ পোকখায়হনগে তৌবদা ফাবনি।"

"করিগীনো মদু হোৎনকরিবদি ?"

"জাপানীজশিংদি বন্দি ওইবা ইকায়নে।"

"শিজরগে তৌবদা ঙমহৌদবগী নথ্রায় নুংঙাইতবরা ?"

"সা...! মানা ফোঙদোরকপা খোঞ্জেলনি। "হৌজিক ঐ খনক্লম খঙদে, ঐবু ওৎপিগদ্রা খনবনি... অদুবু থৌজাল হৈবিবা অসিগীদমক তৌবীমল খঙজে।"

"লাল লোইরগদি নঙ.... ?"

"সা !..."

"নঙ জাপান্দা হুনগদ্রা ?"

"হন্নবদি ঐ শিরনি; বন্দি অমত্তা হুনবা য়াদে।"

"নঙগী ইমুং-মনুংদি করম তৌগনি ?"

"মখোয়দি হান্নদগী ঐ শিবগী উৎ ফংলম্মনি। জাপান্দা হান্না উৎ থাবসি চৎনবীনি; অদুনা ঐ শিগ্রে খল্লম্মনি।"

মশানা ঐবু খঙহন্নীংনা হায়রকপা নোকনীংবা ৱাফম অদু ফোঙদোরকপদা মহাক মশাসু নোকচরমই।

ঐনা অমুক্তা হংজিল্লি- "নঙ নয়ুমগী মঙ মঙদ্রা... ? নয়ুম হন্নীংদ্রো ?"

"মরক মরক্তা মঙই, অদুবু করি তৌরুনি...।"

অসিগী মতুংদা ঐ, অতোপ্পা অমগা অমুক উনবা চৎলি। মহাক চুরুট থক্লা থক্লা লাইরিক অমা পারম্বা থেংনরুই। ফমুংদগী হৌগৎলক্লুনা ঐঙোন্দা মরু লূকথজে। ঐনা মঙোন্দসু অহানবা বন্দি অদুদা হংখিবা ৱাহং কয়াদুগা চপ মান্নবা হংবদা মহাক্কী পাউখুমসু অদুম মান্নে...। মাগী মাগী সেলদা লৈরম্বা বন্দি খুদিংগা উনরুবদা মখোয়গী পাউখুমদি অদুম ইমান মান্নে। মখোয় খরদি ঐগুম্বা অমগা ঙাইহাক লৈমিন্নবদা য়াম্না হরাওজবা ফোঙদোকখি। মখোয় য়াম্না থুনা ঙাঙবদগী; ৱাহৈ অমগা অমগা য়েংশীন্নদুনা ঐঙোন্দা ভাব তাহনবদা অৱাবা অরুবা ওইখিদবসু নত্তে। ঐদি মখোয়দা চপচানা ৱাহং পাউহংবসু ওইদে; চুন্নদগী মখোয়না ঙাঙবা খোঞ্জেল খঙনীংবা; মখোয়গী ৱাখল অমদি মীওং খঙদোকপনি।

মখোয় অদুবু য়েংলগা ঐগী পুক্নিংদা ইথন্নতা ৱাফম অমা খল্লকখিবদি- হোংকোঙদা ঐগী ইয়াম্ববু শক্তিমা খিল্লগা হাংখিবদু; মখোয় অসিগী মরক্তা অমনা ওইরম্বা য়াবরা হায়বসিনি। অদুবু; মদু কদায়ফাওবা চুমগনি ? থাজবদা অরুবা ৱানি। মখোয়গী কাদা নত্তুগা অতোপ্পা ৱাহংফম কা অমদা ৱা হংনবা মখোয়বু সেক্ত্রিনা পুশিল্লকপা মতমদা মখোয়গী মশক অদু য়াম্না ৱারবা মাল্লি।

তবক তবক লৈজববা; ব্রাখল কৃপথনা খনজবা পিক্তক-পিক্তক তৌবা মীওই ঙাক্তনি। মখোয়না ফাবা বৃতিসকী লানমীবু থীনা ওৎ নৈ হায়বসিদি মখোয় শুকযা যাজখিদে। মখোযবু ফাবা মতমদা মশা মশানা শিজনবা হোৎনবম্বদি য়াই; অদুবু মখোযনা অমুক ঐখোযবু শাউহম্লগা, মখোযবু থীনা তৌবক্লবগী থবক্তি মখোয মশানা (জাপানীজশিংনা) অমুক তৌবকখিদ্রে। মখোয়না ফোঙদোকপদা; জাপানীজনা বৃটিশপু ওৎ-নৈ হাযবা ব্রাফমসিদি বৃটিশকী মীচঙ ওইবিবা কাঙবুনা শন্দোকপা, হাযজীনবা পাউনি হাযবসিনি। মখোয়না গায়বদা জাপান্দা লৈববা বৃটিশকী বন্দিশিংদি নাংথিজনা লোযনবীগনি, অমসুং মখোয়গী নিংথৌবেলগী হুকুম মতুংইন্না, যেক্লবনা খুৎলাই হেক থাদোকপগা মখোযগী মফমদা ঙাকপী হৈবগা লেযননা পকচেল চাউবা উৎকনি।

ফাদুনা লৈববা, বন্দি ওইববা জাপানীজ সিফাইশিং অসিনা লাম্লোবকপা তাংকক অহুমদি :- অহানবদা পূং কুনমবী চূপ্না পঙথবমখৈ লানফমদা মাযযোক্লবগা ইখঙ খঙহৌদনা মবাযবক থীবা তাবকপা... মদুবু মখোযগী ব্রাহৈদা 'মুচু' হাযনা খঙনৈ, মদুগী অর্থদি মঙলাক্লবা হাযবনি। অদুগী মতুংদা মখোয ফমথনবগা ব্রাখল অমুক তৌবদা হিংলি হাযবদি খঙনবকপা অমসুং ওইবিদা মওং অদুদা অদুম হিংবা গনকপা। মশাদা শাজৈনা কনখংতুনা ফুকা নংত্রে. মখূজিন্দা মৈ চাকপা পেংনা খিংবমু নংত্রে. শুপ্লংগী চেং খুজাই অমদা, মহাক্লা হীপ্লিবা লাযেংশঙনী য় মুং মনাক্লদা লৈবতনি। দা ক্লব অমনা মখোয অশোকপা, মনাবা মফমশিং অদু চিংথোক খোং কংনা, নপর্শানশীদুগা শেম্বীবা অসিনি। মশিদা জাপানীজ সিফাযশিংদু মপূক্লং নুংশিগনি. মহৌশাদু মখোযসি অব্রাবদা পৃক্লিং শোক্লনবা মীদানি। কনাশুম্ব জাপানীজ বন্দি অমনা মহাকপু সেবা তৌবাবিবা নর্স মদুগী মফমদা বাহৈগী খেংলেক কুপ্লমথেংই যাওবা শৈবেং মতেক ইবম্না যাওই- মহাক্লা ফোঙদোক্লিবদি- "মাগী মখোয মখূৎ ককথৎপিগদ্রা খম্লুই অমসুং অদুম্না ওৎপিবগী মহুত্তা নর্স অদুগী নুংশিবা মিংযেংনা মহাকপু হেন্না ওৎপীবে অমসুং জাপান লৈবাক্কী ফুকোকাদা লৈহৌববী মাগী চান্ন থোইবী অদুবু নাংশিংহল্লি" অসিনি।

অক্লমশুবকপা তাংকক্তি মহাকপু ফাবীবা মীশিংবু ত্রুক্কচবা তৌবকই..

মরমদি য়েক্লবা ওইরিবা মখোয়গী অশোনবা পূকচেলনা মহাকপু হরাও নুংঙাইহন্নবা লাক্লে। অশুম্না, মহাক শাউগনবা; মরুপ মপাঙ ওইবগী রাখল চেন্দবমক নত্তবসু য়ামদ্রবদা খবদি ঙক কনবা; চাউথোকপা হায়বদুদি ওইরকই।

অদুম্নদি ওইবগা মী মখলগী মতুংইন্না অমত্তা মান্নদে। মকওইনা ওফিসব ওইবকপা মখোয খবদি মশাগী দাযিত্ত খঙবনিনা; লোয়নবদা যাম্না নুই। লৌউ-শিংউবা মীশক ওইবম্বশিং অদুদি লোয়নবদা লায়বা (ইনাকামোনোস) হায়না খঙনৈ। মখোযদি লাল অমসুং বাজনিত্তিদগী মনা-মশিং থাফম লৈপাক্কি মরমদনা হেন্না খঙই। অদুগীভুংদা অমুক দুকানমচা ফম্বা; লোবি থৌবা; কেবানি ওইবনাচিংবা যাওবকই। হাযবিবা অকোনবগী মীশক অদুগুম্বা অমগা ঐহাক্কা নগী শানৈ। মমিং অনীদু আনোক অচৌবদুগী মনুংদা মকুগুম্না ইপা পাখৎনা পংকুপ্তা কুপই। মাগী অহানবা আনোক কাযখ্রে হায়বদগী উপ্লিবা আনোকতু ঐ...না শীবনি। অতৈদগী মানা খবা হেন্না খঙবা মবমনা ঐ মহাক্কদি যাম্না ...াবী শাখি। মহাক মথ্বাযশোক্লা নীংবা কাযববা মীশক অমা মাল্লি। ... ওইবগী তমথিবা শক্তম অমা ওইনা খঙনম্রবা অসিগুম্বা মীশক কযাগী ... ঐনা উৎনিংবা নুংশিহৈত্তবগী শাজৎ অদু উৎতনবা ইথল্লা খমজবগী ... আসদা মিনুংশিগী মফম অমা কনবসি খরমখৈদি অকুবা; অব্বাবগী ... ক্তবসু ঙমদে; মখোযনা ওৎপিবগী কা হেল্লা নুংঙাইত্রবা শক্তম ... মথবগী ব্রাবী কযা, লোযননা ঐগী ইযাম্ববু হাৎখিবা অদু... মখোযগীসু ... সিনসু খন্দনা ঙমদে। অদুবু মখোযদা ঐনা ...বা ...তীক্ববদি; ...ক ঐগা ফজনা ওইবোই।

মফম অসি অপীকপা সংসাব অমা ওইনা, পূক্লিং চিংশিনবদা নুংঙাইবা ...। বর্ষাদা শোক্লবিবা লানগী মবমদা ব্রাবীসু যাম্না শানখি কযাসু হংই... ...সু মখোযদগী খঙদোকপা ওর্মাখ... মফম কযাগী মমিং অর্মদি মকওইবা ...য অমদি খৎশু খৎলাই পৈদুনা লৈবীবা মফম। অশুম্না ঐখোয, লানবল মনুং অদুদগী মপান থোক্লা ইচৎ চৎথোকনবমদে। নুংথিল; নুংদাংব্রাইবমগী ম...মদা পিত্তবগা ঐখোয অনী লানবল মথক্তদা কাদুনা অকোয়বগী মফমশিংদু

য়েংই অমসুং চণ্ডকম খোজ্জালগী মথক্তা লৈরিবা অচৌবা পাভিলিয়ন মনুংদুদা কল্লগা ব্রবী শা-ন শা-না গজা ভুরেলগী লৈতেম মান্নবা লমদমশিংদু য়েংথবদা উই, লৌউ-শিংউবা মীওই কয়ানা লৈনরিবা য়ুমগী পরেংনা ব্রাওথাংননা ভুম্বক ভুম্বক লৈনশ্রিবা মফম অমসুং মখোয়না লোইবা শা-শল কয়ানা অকোয়বদুদা চংলীবা; শজিক চারীবা।

অসিগী মথক্তা অমুক; ঐখোয় অনীনা শানখিবা ব্রারীদি... ঐখোয়গী তৌগদবা থকক অমসুং জাপানীজশিং... লোয়ননা সেব্বীগী মরমদসু কয়া অমা... অমসুং বোম্বেদা লৈহৌরবা ঐখোয়গী পুন্সি... তাজমহল হোটেল; রোজি অমসুং ক্রিকেট ক্লবতা থকখিবা জিন অমদি চন্দ্রা মহি...। পুন্সিসে অশুম চংখি; ভুংওইনা লৈহৌরবা পুন্সি অদুদা অমুক হনবগী ব্রাখল তৌবসু অরেম্বনি; ওইথোক্লরোইদবা "কুঙ্কতা ফ্লুন্ট" Cuncta fluunt হায়বদুনি। শিতবনা হায় "খুদিংমকসে মথঙ-মথঙ ওইরকপা ঙাক্তনি।" মানা মখাতনা ঐঙোন্দা হংলকখি।

"ঐখোয়দা করি থোক্লবা য়াই খল্লি নঙনা ?"

"করি ওইনি; জজল ঙাক্তা ওইবা তাবনি।"

"ঐখোয় শিগনি খনব্রা ?"

"করিগী শিগদৌবিবা... ঐখোয়দি লাল শোক্লফমদা লৈবোই... লাল চঙদবা দিভিজন-দা লৈগদবনি।"

"করিনো 'মদি থোক্কদবা মাল্লি-য়ূমদা হনগনি হায়বসি খনবা ঙমদে...।"

"নঙ য়ূমদা শোয়দনা হনগনি; ঐনা হায়।" নঙ মঙ ওইনা খনগনি... হোলবোর্ন গী ওফিস দেস্ক তা ফমদুনা লৈবা কান্দা... পুন্সিগী ব্রাবী কয়াসু শাবা ফংগনি।"

"মদু ইথোকপসু নুংঙাইগনি... উপন্যাস হৈনবা মীনি ঐদি, নঙনা খঙভীদু মঙাই।"

"ঐ কাউরুরেনা... অদুনা, নঙ শিরোই হায়রীসিনি... নঙনা তোংবা

জিপ মখাদা বোম্ব কয়া পোকখায়জসনু... শোকপা য়াবা তানজা লিশিংগী মনুংদা অমুক্তংগদি নঙোন্দা খজিক্তং খোংখিবা য়াই।"

"অদু... নঙদি করম তৌদৌরিবা ?"

"খঙদেদা... ঐসু য়ুমদা অমুক হন্নবা ঙমগদ্রা হায়বসি খল্লীবনি।"

"নুংথিল, নাপীগী অশঙবা শুমাঙদা কল্লগা মচু তাবা পাত্রদা চা-থক্তুনা মতম ঙাইহ্হাক পোখাবদু কমদৌবা ?"

"মদুদি; কিস্মদা হায়রগা, রিল অমা অনী হৌদ্রবগুম্বনি।" ঐনা খুম্মী।

"হৌজিক ব্রাংলিবসি রিল অমত্তমক ঙাইহ্রেনে।"

"চিংনৈ; ঐনা হায়।" অমুক হন্না ঐগী শুমাঙদুদা চা থকনিংবা; খুনুংশিংনা খোংবা তানিংবা অমসুং ইংলিস লমদমগী মথক্তা লৈবা অতিয়াদু য়েংনিংবা পোক্লবসু।"

"করিগুম্বা ঐনা শিবা থোক্লবদি অশুম্না খনবীয়ু- "ঈশ্বরনা সাখি; নঙদি রুপর্ট ব্রুকী লাইরিক য়াম্না পাম্রবনি... অদুগা নঙগী থম্মোয়দা লৈম্রবা গ্রানচিস্তরগী ব্রাখল অদুদি সেক্বীনা কোকহনবা ওইরসনু।"

"ঐগীসু মহাক্না অব্রাবদি য়াম্না কোকপিম্রে।"

"মহাক গ্রানচিস্তরদা লৈবা থোকলবদি করি মানগনি খল্লি।"

"মাসু অদুম চূশিন্ননি মফমদুদা...।"

"অদুগা ত্যুকিসব্যুরীদা লৈবা খুঙ্গংগী মীশিংগা কৈথেল কামীন্নরবদি ?"

"ত্যুকিসব্যুরীদি অদুক হাক্লা খুঙ্গং চিংদেদা...।"

মাদি হান্নসু ইংলেন্দা লৈরক্লবনি... গ্লোচিস্তরসায়রগী হৈ য়োনফম মরক্তুদা মহাকসি পকচরোইদ্রনে ?"

"অদুদগী... সেক্বী মাইকেল নখোয় অনীগী অঙাংমচাশিংনা কমদৌবা ?"

"ঐখোয় অনীদি অঙাং পোক্লরোই... নুপীমচা অমত্তংদি য়োকপা য়াই।"

"মদুগদু নখোয় হান্না খন্নদুনা লোইরব্রো... ?"

"ঐদি খন্দুনা লোইরে... সেব্বীদি খন্দ্রীবনি।"

"অদুদি নখোয় করি তৌদৌরিবা... ?"

"খঙদেদা... মশিদগী মখা অমুক চৎথনা ঐ খন্দ্রী। ঐনা খল্লীবসি হৌজিক্কী থবক অসি লোইরগা ঐগী সেব্বীগা অমুক উনবসিনি... অদুবু হৌজিক্তি, জঙ্গলদা চৎপগী, জাপানীজ উনরুবগী ৱাখল অসি ঙাক্তনি। নঙদি করি খল্লীবা ?"

"ঐদি আদ উরিবা উট ময়াম অসিগী খল্লীবনি।" পিতরনা খুম্মকই। "মখোয় অসি ঈশিং শুকথক থক্তনা লম লাপ্পা চৎপা ঙম্মী হায়... ঐখোয মীসু, করিগুম্বা অমত্তা য়াওদনা অরাপ্পা লম কয়া চৎপদা করিসু ঙাওবীদ্রবদি নঙ ঙকওইদ্রনে ?"

(২)

জানুয়ারী অমসুং ফেব্রুৱারী থাগী মনুংদা ঐ, সেব্বীগা অহুমলাক্তি উনবা ফংখি। ঐখোয়না বোম্বে থাদোরকপা চয়োল অমগী মতুংদা মহাকসু ঈ-পাউ শন্দোকপা ব্রোদকাস্তিংগী থবক অদুগীদমক দিল্লিদা চৎপ্রবনি। দিল্লি অসি কানপুরদগী মাইল চহুমদমক লাপ্পী, অমসুং ত্রেন্না চৎপদা পুং তরাদমক চঙই। ঐনা চৎলুবদু ইরায়গী অহিংদনি, অরোয়বা চয়োলগী ছুটি ফংবা মতমদা... অদুগা নোংমাইজিংগী নুংদাংদা অমুক হল্লকখিবনি। চৎখিবা অমসুং হল্লকপগী অহিং অনিদু অৱাবা করিসু ওইখিদে মরমদি গাড়ী অদুদা অহাঙবা দাবা য়াম্না লৈখি। ঐনা খনজখি, গাড়ীদা অহিং অনী চৎপগী মহুত্তা সেব্বীগা লোয়ননা অহিং অনী লৈমীন্নজবা ফংলবদি হায়না... অদুমওইনমক নুমিৎনিনিগা অহিং অমগদি মহাক্কা লৈমিন্নবা ফংখি। ঐখোয় অনীনা হায়নে "লাইবক ফরিবদি ঐখোয় অনী উনবা ফংলিবসিনি।"

মীয়াম লৈনরিবা ওল্ড দিল্লিগী মফম অমদা মহাকসু লৈরমই,

কৈথেলদগী খরা চংথোক্লা লৈবা মফমদনি। অফবা হোটেলনি, হান্না লৈরুবা বোম্বেগী মেফেয়ার হোটেলদুদগী হেন্না কৈ। মফম অদুদা; অহল ওইরবী; লনথুম লৈবী লুখ্রাবী য়াম্না লৈ... মখোয়দা চংলুসিবু হায়রবদি হুমাং শৌরবসু শৌনা হিল স্তেসন চংপদা পামজবা; হবাওনা য়াজবা ঙাক্তনি। স্তাফ ওফিসর কযানা ঙাইহাক লৈতনা মফম অদুদা গাডী কন্না কন্না থৌজীল্লকই, ব্রেক ফায়, মনীং অমুক হনখি... মী য়াম্না পূনবা মফমনি; জেনবেল হেদ কার্টরসদগী হোটেল অদু ফাওবদি।

মতম অদুদা সেব্বী; দিল্লিদা থবক তৌবা হৌবে। চয়োল অমা-অনীদি খোঞ্জেল চাংযেং তৌবা; অইবা কয়া শিন্দোকপগী থবক্তা লৈহনখি হাযনা তম্মী। ঐনা চংলুবা মতমদুদদি মহাক জাপানীজ লোলদা পাউ পীবে। অনীশুবা চযোলগী লোইবকপদনি; নোংমা নুংদাংবাইরম ঐনা লৈকবা হোটেলগী বায়বলেস অদুর্দনি মানা পাউ পাবকপদু ইহান হান্না তাখিবা... পূক্লিংদা ওস্লোকপা মওং অমা ওইনা খনখি... ঐগী নাকোং ময়াদা থোংনা মেঙনা নুংশিবা বাহে কয়া তাহনখ্রবা মাগী খোঞ্জেলনা মশক্তি উদনা রেদিওদা পাউ পাথোবকপা অদু। অদুগী মতুং পৃংখায় অমরোম লৈরগা মহাক হল্লকখি; হরাও নুংঙাইনা। ঐখোয় অনী উনবদা কয়াম নুংঙাইনখিবা; চহি কয়া উনরুদবগা চপ মান্ননা... পূক্লিং মথুম-মরাঙ হৌনা, নুংশিনা চেংনা কোনশিন্নখি। ঙক্তবা ঙমদে; কনাগুম্বা জাপানগী অতাবা মীশিংনা শোয়দনা খল্লমগনি মশক উনিংলমগনি... পাউ পীবীবা মীশকসি কনা ওইরিগবা হায়দুনা...। ঐনা সেব্বীদা হংই- "লাল লোইরবা মতুংদা মখোযনা নঙবু খঙলক্লবদি... নঙ কিদ্রা... ?"

"করিসু বেরা লৈতে.... কৈদৌনি হায়গে...।"

বাফম অদুদা মহাক করিসু থৌশাদে; থোইনা পূক্লিং থিংজিল্লুদে। ইচম চম্না; কৈথেলদা পোংলৈবা চংপগুম্না; মহাক্কী ব্রোদকাস্তিংগী থবক তৌরুই, করি হায়বী-খোংখীবা করি অমত্তা নীংশিংদে; মচিন্দ পন্দে। বাফম অসিগী মতাঙদা, ঐনা পল্লুবদা মহাক্লা হায়রকই :

"নহাক খঙত্তীদুদি... ঐদি ইশাগী ওইজবা থিবী নুপীনি হায়বা...। ঐনা

নীংশিংগদবদি থৱায় চঙনা ঐ, লানগী থবক তৌরিবনি হায়বসিনি। অতোপ্পা নীংশিংবা অমনা, মতমচৃপ্পা নঙনা ঐবু নুংশিবীবা অসিনি। ঐদি; নঙনা অমুক চংখিবা পামদে।"

"ঐ চযোল খবগী মনুংদা অমুক হল্লক্কনি।"

"দার্লিং... নঙ লাক্লগা; ইনাক্তা লৈবা কান্দদি; মতম অসি মিনিট অমগী মনুংদা চংখীবগুম্বা খল্লী-অদুগা নঙনা চংখ্রবা মতমদনা অচৌবা যুগ অমা ফাববগুম খল্লী।"

"ঐ, চিঠি ইবক্কনিদা...।"

"নঙবু ফংজদ্রবা মতমর্দাদ মদুনা খ্বাইদগী হেন্না অফবনি।"

"হৌজিক্তি ফংইকো ! ঐনা হাযখি।"

চযোলগী লোইশিল্লকপা মতমদুদি ঐখোয অনী ইচং-চংথোক্লমদে; মবমদি নিযু অমসুং ওলদ দিল্লি অনীমক্তা কবিসু তৌনিংগাই লৈবমদে. . সিনেমা যেংবা নত্ত্রগা জগোয শাবা চংপা নত্তনা। পিকনিক্কী মফমসু লৈত্তে; অকোযবা মাইল খবগী লমদম অদুসু নুঙ ঙাক্তগী ওইনা তৌবা যেংনিংবা পোক্তবা লমনি। জমুনা তুবেলগী মপাল অদুসু যেংবদা ইফক-ফকচীন্না উবা, লৈখোম লৈনাংগী মফম ওইনা তৌই। অশুম্বা, নুংদাংব্রাইবমগী অযাম্বা মতমদা ঐখোয অনী হোটেলগী শুমাঙ লৈকোল অদুদা জিন অমদি চম্প্রামহী থক্লুনা লৈমিন্নে। ফমুং চঙবা মতমদা সেব্বীনা কাংখল অত্তৌবা খনকংলি কাঙ টেকপগী ব্রাসু নত্তে; ফেব্রুযারী থানি... মাগা ব্রাখলদা বোম্বেদা লৈবিঙেগী মতম নীংশিংনবগীদমক্তনি।

মথঙগী নুংদাংদদি সেব্বীসু ঐবু থিন্দোকপা ওইনা বেলৱে স্তেসন্দা লাকই। স্তেসন্দা কাযনবা, বিদায; তৌনবসে ঐ প্লামজদে হাযনা মঙোন্দা হায়খ্রবসু মহাক লাক্তবা ঙমলমদে। ঐনা তোংগদবা দাবা অদুদা ঐগী হীপফমগীদমক মহাক্কা নীংথিজনা শেমজীন শাজিনবীবমই।

ঐনা নীংবা মতুংইন্না মে থা ফাওবদি লানফমদা চঙখীবোই হাযনা মঙোন্দা খঙহনখী। ঐনা অমগসু খল্লী, ওফিসর অমা থা অমগী ছুটি ল্যকপদা

মাগী মহূৎ শিল্লুগনি হায়না। মতম অদুদি; নোং চুরক্লবা (মোনসুন) অমসুং কাপ্পদ্রবা তানজাদা ওইরক্লগনি... অসিনি ঐগী ৱাখলদা লৈখিবা। অসিগী তুংদা; ইখও খওহৌদনা; ঐখোয়না তৌরুবা ত্রেনিং অসিগা মরী লৈননা; মীশক অমদি ইম্ফালদা তওাইফদনা চৎতবা য়াদবগী মতাঙ অমা লাকখিবমই। মতম অদু মার্চ থাগী হৌরকপদনি; ইম্ফালদা সেপ্তেম্বর থা লোইবা ফাওবা লৈগদবনি। ঐঙোন্দা চৎননবা অকুপ্পা ৱা শিন্নবে, খুদক্তা পোৎ য়োম্নবা হুকুম থোক্লে।

ৱাফম অসিদা ফেনৱিক্কা ঐখোয় অনী ৱারী শানবদা মহাক্না হায় :- "অস: ঐঙোন্দা ওইবল্লবদি... 'য়াম নুংঙাইনি চঙশীনখিবদা।"

"নঙ চৎপা য়াইনা," ঐনা লাঙতক্লনা হায়।

"ঐদি পাম্বনি, অদুবু ঐবুদি খনবীদে।"

"মখোয়না ঐগী ইহূত্তা নঙ চৎলহনবসু য়াইনা।"

"ওর্দরদি নঙোন্দা থোক্লেদনা...।" মহাক্না হায়।

"থোকপবুদি থোকএ... অদু, নঙ পাল্লবদি...।"

"কান্নরোইদা অমুক হোংদোক্লবা তৌবা।"

"নঙনা খল্লায় য়াম্না তাববদি, নঙোন্দা অমুক পানশীন্নবা তৌগে।"

"অমুক হন্না ওর্দব অদু শেমদোকপীয়ু হায়জবদি ঐ য়ানীংদেদা।"

"ঈশ্বব পন্দুনা ঐনা হায়রীসিনি; ঐনা হায়। নঙগী ৱাজাও ঙাঙবদু লোইশিল্লো। নঙনবু চৎনিংলবদি ঐ হেক্তা শীনগে, চৎনীংদ্রগনা ঐ শোয়দনা চৎকনি... ফববুদি 'সিদ লৈহৌবনা ফরবসু।"

"নঙোন্দা হায়রবনিনা, নঙ চৎপা তাবেদনা।"

অদুনবু নঙ ওইজরল্লবদি, হায়বদু হায়গনু হায়বা।"

"নঙগী পূক্লিং চরাঙনবা মাল্লি... ঐদি চরাঙনরোই...।"

"চরাঙনবা হায়ববু করিনো...?" ঐনা হায়। "মফম অদুদা নোং য়াম্না চুনি, শঙ মচা মচাদা লৈরুনি, ওইবসু ম্নাই, খতু অদুমদি জাপান অমত্তগসু ৱারী শাবা ফংদবা।"

"ঐ, ওর্দব অদু হোংদোকহন্নবা হায়ররোই।"

"ঐ ঙসাইনা খঙই, নঙ হায়বোয় হায়বা, ঐনা খুস্মী। "ঐনা নঙওইবস্না তাববসু হায়বোয।"

অশুম খনবদা, থা তকক্তি সেব্বীগা উনবা ফংগদবা মাল্লমদে। দিল্লিদা অমুক চৎলুবগী মতমসু লৈত্রে, মথঙগী অহিংদা ইম্ফালগীদমক খোঙশাল্লগদবনি। আশা অমদি লৈবি- আগ্রাদা ঐখোয অনী উনবা যাবগী... অদুসু; তেলিগ্রাম তৌবগা পাউখুম ঙাইবগী মতম লৈত্রে। তেলিফোন তৌনবসু হোৎনৈ, মদুসু অবেস্থা তাবে, পৃংখায় এমবোম মতম মাঙলন্দা শুকফং ফংখিদ্রে। ঐ ঙাওচৎনবমই, কবি তৌশিগে হায়বগী... পূক্লিং লৈতাফম খঙলমদে।

পিতবদা মবম অসি খঙহনবদা মহাক্না হায়বকপদি :-

"মঙোন্দা তেলিগ্রাম তৌশিল্লম্মু- আগ্রাদদি চৎলো... আশা অমা লৈ।"

"অদুবু মাগী ব্রোদকান্তকী থবক লৈ।"

"মা আগ্রাদা শোযদনা লাক্কনি, ঙস্লবদি... ঙমদবসু যাদর্বানি মাগী'দি ন্নাববসু ন্নানা।"

ঐনা ইম্ফালদা দনকাব ওইগদবা পোৎ-চৈ খবা যোর্মশিনবীনবা পিতবগা পাউখোল্লোই অদুগদা শিন্নবন্নগা কানপুবগী বেলবে স্তেসন যৌনবা ত্রক গাডি অমা ফাকবে। ঐগী পোৎ-চৈ পুদুনা ত্রক অদুদা লাকপনা বেলবে স্তেসন্দা মতমচানা নুংথিল পৃং অমা তাবদা থুংলমই। পিতবনা ঐগীদমক হান্না থাবীখ্রবা তেলিগ্রাম অদু কবিগুন্না ইন্দিযান পোস্ত ওফিসনা মিনুংশি লৈবদাদ সেব্বীগী মখৃত্তা পৃং অহুম তাবদা ফংলম্না যাই। মানা লাকপা তাববদি পৃং মরী তাবকপদনি। তশেংনমক মাগী ব্রোদকান্ত হুন্দোক্নুনা লাকপসু তৌবোই, অদুবু মানা হায়জববদি মাগী মহুত্তা থবক অদু তৌহৌবা য়াবা মী অতৈসু লৈবী। মখোয় অদুগী মরক্তা লৈবা মীশক অমদা মানা হায়জদুনা শীন্নরন্নবদি ওহ্মোক্না অফবা ওইগনি হায়বসি ঐনা ঈশ্বরদা খুকমজখি।

নুংথিলচন্দ্রদু ঐ ঈশ্বববু নীংজদুনা লৈখি। পূং তবেং তাবদা আগ্রা য়ৌবগা সেসিল হোটেল কৌবা মফম অমা য়ৌনবা তোংগা (মীনা চিংবা গাড়ী) অমদা লাক্লমই। হোটেল অদুদা মচু তাববা অহাঙবা কা অমা ফংলে; লাইবক ফবনি হায়নীংই-মবমদি মীনা ঐঙোন্দা হায়বকপদা আগ্রাদদি কা অহাঙবা ফংবা ৱাগনি হায়বসীনি। ঐ ইথন্তা ঙকচৈ-লাইবক ফমল্লদুনা অহিংচুপ্পা কা অচৌবা অদুনা; ইথন্তা নীংবা কায়না তূমদনা লৈবদু উবগা ঐবু লক্লগদৌবিব্রা হায়না। মপালদা লৈবা হোটেল চঙফমগী কা মচাদুদা কবিনো 'মা থক্লনবা অমসুং পূং নিপাল মখাযগী দিল্লিগী গাডি ঙাইবা ওইনা মপান্দসুম থোক্লুই। হোটেল থিবকপা মীগী ওকফম অমসুং মীং ইথোক ইশিন তৌবিবা দেক্ক অদুদা হোটেলগী নুপী মেনেজব অদু ফন্নন্মী। ঐঙোন্দা যেংলগা মহাক্লা হাযবকই।

"নঙদি লাইবক যাম্না ফৈ, ঙসি অহিংদি থা ফজনা থোক্কনি।"

"থা-হায়বা ?" ঐনা ঙক্লা হংই।

"নঙবু তাজমহল যেংবা লাকপা নংত্রো ?"

"তাজমহল...হায়বদু ?"

"হোযনে.. আগ্রাদা লৈবনি; খঙঙেদনা...।"

"হোয; ঐ শাউথোকচকবে; ঐ শোযদনা মদু যেংবা চংকনি।"

তশোংনর্মত্তি ঐ-দু যেংবা পামলম্মদে; ঐনা বেলগাডিদগী কূমথহৌবসু অংল্লন' মদুগী নত্তে অমংবোমদা পৃথিবীগী অঙকপশিংসে যেংলুবদা, মখোযগী নিংচৰশিং অদুগী মকমদা লৈপ্রবা পামদ্রবা অমোংপা ৱাবী খবদি ঐঙোন্দা হেনদবা ওইনা থোকই অদুগী মহুত্তা লন্নাইগী ওইবা, সংসাব অসিনদি ঙৗদ্রবা অঙকপা খন্ন থোকচবনা হেন্না ফৈ। অদুবু হৌজিক্তি ঐ, তাজমহল যেংনংবা পোকলমই মবমদ ঐগী সেব্বীগা উনগদৌবিবা মফমসু আগ্রা অসিদা ওইনা থোক্লবনিনা। অশুম্না, থাবলনা মপূং ফাবগদবা নুমিৎ অদুদা; ঐগী অকোনবা ৱাফম অসিদা য়ূমফম ওইবগা পূক্লিং মশামক্লা তাজমহল য়েংগনি হায়দুনা চোংথোকচবক্লে।

নুংদাং পূং নিপানগা মিনিট তরামঙা তারকপা মতমদদি নুংথিল্লগী মঙাল চৎল্লদুনা থা অসি মপূং ফানা ইরঙলংনা থোরক্লে। য়েংবদা মপূং ফায়, নাপু মচু হায়রপ চঙই থাজগী মায়থোঙ অদু; অশুম অশুম কাখৎলকপগা লোয়ননা নাপু মচু চঙলম্বা অদু পূমঙৌ ঙৌবদা ওনম্রে। ঐ তোংগা তোংদুনা স্তেসন ফাওবা চৎথী অমসুং রেলবে প্লেটফোর্মদা হঙ্গৎ হন্দা চৎতুনা দিল্লিগী গাডী ঙাইরম্মই। চুরুট অমদি লেপ্তুনা অদুম চিংখি ব্রাখল খন্না-খন্না। কোইচৎ চত্তুনা পোৎ হাদুনা য়োনবা ভারতমচাশিংনা শাবা তাজমহল, ব্রাহোং মতুগী হুমাইনচিংব কয়া ঐঙোন্দা য়োনশীন্নবা হোৎনবদুদা ঐনা লাউখি-“চলো-চলো” মখোয় চৎলমদে। ঐনা অমুক্তা লাউই-“জাও, অদুগা ঐসু মায় লৈথোক্কুনা লাকই। প্লেটফোর্ম মশাঙ অদুদা য়েংদুনা লৈখি।

রেলগাড়ি অদু মিনিট মঙা ফানা থেঙলমদে। গাড়ি অদুনা স্তেসন মনুংদা তপ্পা তপ্পা চঙশিল্লকপদা; মকোক্তা ফি অঙাঙবা য়েৎপা কুলি শঙ্গু-শঙ্গুনা তান্ন-তান্ননা রেলগী থোঙ পুম্নমক্কী মপাদা চবাঙননা লেপতুনা ঙাইনখি। থার্দ ক্লাসতা তোংলকপা পেসেঞ্জর ময়াম অমা শাইথোক্লরকই, অদুগী তুংদা অতৈ কাগী মীওই কয়ামসু মথঙ মথঙ থোরক্লে। অদু ফাওবদা ঐনা সেব্বীগী মশক উরমদে। খূৎনা মীয়ামশিংদু ইস্থোক ইস্থোক্লা য়েংনা-য়েংনা চৎপদা ঐগী সেব্বীদি উবা লৈখিদ্রে...ঐগী হকচাঙ অসি খঙবা ব্রানা শোকচীল্লবগুম ফাওখি।

ইখঙ খঙহৌদনা; লাপতক তৌবা কা অমগী থোঙময়াদা ঐগী সেব্বীনা মখূৎ হাইরকপদু উরে। মহাক্কী হরাও-নুংঙাই মিনোক অদুনা ঈচেল অমগী মতৌগুম ঐগী থম্মোয় পানা চেনশীল্লকখি। ইকুই কুইদনা, মিনিট অমা অনীগী মনুংদা, মাগী পোৎয়োম অদু তোংগা অমদা হাপকৎলগা ঐখোয় অনী সেসিল হোটেল তান্না লাকমিন্নখীবদু পঙনা থোক্লরোইদবা লাইবক্তা তমশ্লবা তাঞ্জা অমনি।

“নঙ করম্না লাকই ?” ঐনা হংই।

“দার্লিং ! ঐ, মখোয় অতৈগা নুমিৎ ওস্থোক্লরকপনি... মখোয় লোইনা ঐঙোন্দা য়াম' ফৈ।”

"ফরে; নও ঙসিদি থাবল মঙালদা তাজমহল য়েংবা তারেদো।"

"তাজমহল হায়ববু করিনো ?"

"নও খঙদ্রবনিনা ঐ নুংঙাইরে... মোংফমনি ইবেম্মা !"

"মোংফম য়েংববু ফব্রো ?"

"ফবসু য়াই... চৎতা চৎলুসি; চাংয়েং তৌসি।"

অহানবদা ঐখোয় অনী সেসিল হোটেলদা চাক চামীন্নরগা হোটেলগী মাঙ্গোল অদুদা কোফি অমমম পায়নবগা ঙাইহাক মতম মাঙহল্লী, তোংগা অদু ঙাইহন্দুনা থম্মী। হোটেল অদুদগী অমুক খোঙশাল্লকপা মতমদদি, থা অসি পূমঙান-ঙান্না, ইবঙ লংনা কোকথক্তা থোক্লে।

হকচাঙ তেকখৎহল্লবা নামিবা নুংশিৎনা লিরি-লিবি হ্মলমই। মিনিট তব'মঙারোম চঙনা লাকপা লম্বী অদু অতোঙ-অকুত কয়া লৈবা মরমদগী ঐখোযনা তোংলিবা গাডীগী ফম্ফম অদুসু চোংমনবনা, সেব্বীনা ঐঙোন্দা কনশিল্লকখি। ঙাইহাক লৈবগদি উবে, যাম্না চাউনা, থা মচেৎ শানা, চঙফম লম্বী মশাঙ অদুগী মথক্তা নীংথিজনা খন্দুনা লৈবা মফম অমা। ঐখোয় অনী এংগাদুদগী কূমথবে; তোংগা চিংবা নুপা অদুনা মাগী গাডীগী নম্বর অদুদা খূদোম্বী থিন্দুনা হায় "সেভেন-তু-নাইন" মানা খঙজবা ইংলিস ময়েক্লী, হোরেল অমুক খোরকপদা ঐখোযদা খঙনননা তাক্লীবনি।

লম্বী অদুগী অরাঙবা মথাক মতোলদা থাওমৈ অমা থাল্লী, য়াম্না মওং তাই, ধাতুগী পোৎশক অমদা ফজনা লৈতেং হক্লগা থাওমৈ থানফম অদু শেম্বনি। মদুগী মখাদনি ঐখোযনা লম্বী অদুদা ফাওজীল্লকখিবা; অমসুং লম্বী অদু লাম্লোবকপদদি উরে-মাঙদা চীক্লা লেম্না লেপতুনা লৈরম্বা নুংঙৌ ঙাক্তনা শেমগ্রবা তাজগী তাইরপ তৌনা পূক্লিংহববা শকফম অদু।

সেব্বী ঐঙোন্দা নর্কশিল্লকই, মশাগী শোব মপী অমা চিংশিন্দুনা ঐগী পাম্বোমদা পাইরকই। মাগী হকচাঙ অঙকপনা নীক্লে হায়বদু ঐঙোন্দসু ফাওরকখি। করিগীনো মাগী মশা নীক্লিবা... অতৈ করিগী নত্তে; অমুক্তা উদ্রিবা তাজমহলগী

মশক অদুননি। মাঙদা লৈরিবা অশাঙবা পৃত্রি অদুগী শেংলবা লুববা ঈমায়দা; তাজগী মতোলদা লৈরিবা নীংথিজরবা চোংঙাবোলগী মওংদা শাবা কা মচাশিং (মিনারেট) অদুগী মমিনা পৃক্লিং হুনা য়েরবী। মতোল তুমখং তুমখংনা হৌরীবা; মনা কৃপ্না পূঙলবা উগী পরেংনা মুশুক মুনা লেপ্লিবা সিফায চাম্ম চাম্মগী মওংদা তাজগী ফি থোংদ্রবা ঙৌরোক ঙৌরবা হৃকচাঙ অদুবু ঙাকপগুম্না উহল্লি। ঐহাক ইশাগী ব্রাখলদসু, ঐনা উখিবা ফজবা কয়াগী মরক্তা, মশিনা খ্বাইদগী অথোয়বনি হায়নীংই। মওং তানা, নীংথিজনা লৈতেংলবা নুংঙৌশিং অসিগী মথক্তা থাবলগী মঙাল্লা ঐশিনবদি পৃক্লিং অসি শুমহৎনা নুংশিবগী মশক ওই। মফম অসি উরুবদা, পৃক্লিংদা শীরকপা ব্রাখলদি- অব্রাঙবা চীংগী মথক্তা কৃপলিবা উনগী মতৌগুম... মিংয়েং অসিদসু য়াওরী, থাজবগী ব্রাংমদা লৈপ্লবা থম্মোয়গী অচীকপা অমা, নুংশিবগী অশেংবা মশক অমা...।

সেব্বীনা হায়রকই- "অমুক্তা হায়বীয়ু, নঙগী নাক্তা হৌজিক ঐনা লৈরিবসি অচুম্বরা ? নত্রগা, তৌরিবসি মঙলা, স্বর্গদা চংলবরা ?"

"মঙ নত্তনা করি ওইনি...।" ঐনা খুমখি।

"অদু ওইরদি ঐগী ইশাদা শীকপিরকউ মঙলা তাইবংলা খঙনবা।"

"ঙাইহাক্তংদি তৃমখো-মঙ অদুম মঙখো।"

ঐখোয় অনী তপ্না-তপ্না পৃত্রি অদুগী মপান্দা চংলগা তাজগী মথক্তা লৈবা অপাকপা অহাংবা মফম অদু য়ৌনবা সিড়িপবেংদা মথঙ মথঙ কাখৎলকই। মফম অদুদা লৈরম্বা চপ্রাসি অমনা ঐখোয়না উপ্লীবা খোংউপকী মথক্তা অতোপ্পা অচৌবা ফি-গী খোংউপ অমসু উপশিনবীরমই। অশুম্না মথক্কী অহাংবা মফম অদু য়ৌনবা কারকপদা, অমসুং য়ৌরবদা উরে, তাজগী ময়ায়থংবা অচৌবা চোংঙাবোল অদুগী অকোয়বদা লৈরম্লিবা নুংঙৌঙাক্তগী শৃৎ নাল্লবা মফম অদু। ঐখোয় অনী; মথক অদুদা লৈবা মিনারেট অমদা কাখৎলুই। তাগদবা মানবা বেলকোনি অনী হেন্দোরক্লগা মফম অদু য়ৌরকপদা মীয়াম শঙ্গু অমসু লৈরম্বা থেংনখি। ভারত মচাশিং অদুগী মরক্তা লমচং ব্যবহার য়াওদ্রবা, য়ু হৃকচীম্না ঙাওরবা চাওখৎত্রবা মীশক অনী উবদা সেব্বী, ঐঙোন্দা

পাখৎচদুনা কোনশিল্লকখি। করিগুম্বা মখোয়না ঐখোয়বু ইল্লকপা থোক্লবদি খুদোংথীনা মখাদা, মচিল তুম্না য়ুংলিবা য়োংচৈ মথক অদুদা তাশিন্দুনা শিবসু যাই। ঙাইহাক্তি লৈখি মফম অদুদা থাবলগী মঙান্দা উরিবা অকোযবগী মফম অদু য়েংদুনা। ঐখোয় কুমথরক্লে, উপলকপা মখোয়গী খোংউপ অদু থনম্লগা পৃত্রি মপাল অদুদা অমুক হল্লক্লে। পৃত্রি অদুগী অরোয়বা মচিন্দনি তাজমহলবু নুংশিনা, পৃক্লিং পেল্লা উজবা ফংবদি। অশঙবা নাপীগী লম্পাক অদুদা ঐখোয় অনী পোখাখী, হীপতুনা য়েংমিন্নখী মঙলান্দা উবগুম উখিবা তাজগী মশক অদু।

"দার্লিং ! ঐদি হৌজিকমক শিজবা পাম্মিদো।" সেব্বীনা হায়বকই।

"ঐখোয়'নিগী নুংঙাইবদি হৌরকপদা ঙায়বী।"

"নত্তে করিসু; লোইববনি... অদুনা ঐ শিখিবদা করিসু থৌশাবা লৈতে।" নঙগা লৈমিন্নবদা ঐ অশুক্কি মতীক নুংঙাইজরে।"

"মতৌ অদুগুম্না ঙাঙবা, খনবা, নঙ শুকয়া য়াদে।"

"মসি অচুম্বনি, ব্রারী শানবদা কায়দে।"

"অদুবু ঐখোয়গী পৃন্সিদি হৌরকপদা ঙায়বী হায় ব্রানি।"

"নত্তে, লোইরবনি, নঙসু লাল চৎখ্রগদবনি।"

"ঐদি লাল শোক্লরুগদবা নত্তেনা...।" ঐনা হায়খি।

"চপ মান্নে, নঙ চৎখ্রগদবনি।"

"ঐ শিরনি খল্লুবদা; নঙ কিবা পোকপ্রা ?"

"নত্তে, মদু হায়বা নত্তে, নঙদি কৈদৌনুংদসু শিরোই।"

"অদু ওইরদি ফরেনে," ঐনা খুম্মী। "ঐ থা তরুক্কি মনুংদা শোয়দনা হল্লকনি, অদুগা ঐখোয়'নি অমুক থা অমা পুন্না লৈমিন্নগনি। ঐখোয়'নি হিমালয়দা লৈবা জালিতাল চৎলুগনি; মার্গারেত, জেনিফর অমুক হন্না উনরুগনি; চীংদা শগোলমচা ভোংদুনা কোয়মীন্নরুগনি।"

"অচুম্বরা... ? শোয়দনমক মদু ওইহনসিকো দার্লিং।"

"নওনা হায়দোরকপদ্রা; ঐন্না হ্যযরীবসি থাজদবা মাল্লি।"

"ঐ ওনেস্ত্রি ওইনা, পুকচেল শেংনা থাজে।"

"ওনেস্টলি, হায়যু।"

"ওন্থোকপনি, ঐদি শুকঙম ঙমদ্রে... ওনেস্ত... লি; ওনেস্ত-লি।"

"সেব্বী ! নঙ কপ্লব্রা ?"

"ঐ কপতবা ঙমদ্রে-অশুক ফজবা অহিং অসি উবদা ঐ কপ্তুবা ঙমদে, যেংউনে থোক্লীবা থা অসি অমুক্তা !"

"থাদ অমুক যেংলুদ্রবসু নঙগী মিংকি পি-দা অদুম উবে ঐদি।"

"জাপানগী লৈশাবী পূম্নমক, কবিগুম্বা য়াম্না ফজবা অমা উবা মতমদা মিংতগী পি চদুম চদুম শিন্থনৈ। অদুগা অমুক, অসুক ফজববা পোংশর্কাশং অসিনা ঐবু ব্রাহল্লীবনা কবিগীনো ?"

"মরমদি, নঙগী পম্মোযদা হান্নদগা অব্রাবগী শবক যাওববা. "

"ঙসি অহিংদি, ঐ ব্রাশক্লগে... ব্রাববোই, ঐ পাঙ্গল কনর্গান।"

"নঙ মদু ঙম্লোই, দার্লিং ! নঙগী নমিং সেব্বীচিচ কৌর্বানিনা।"

"ঙমগনি, ঐ অমুক কপ্লবোই।"

"মথঙদা লাকপা ছুটিগী মতমদা জালিতাল চংপগী ব্রাখল অমুক তৌগদৌবব্রা ?"

"ঐ কবি'মত্তা খল্লবোই- ব্রাশক্লবনি।" মানা হায়বমই।

"মিনারেট-তগী করিগুম্বা তাবম্বা থোক্লবসু হায়দুনগা খল্লবোইদ্রা ?"

"নঙ তাদ্রবদি; ঐসু মিনাবেট তগী তাবদু পামদে, নঙ তাববদি ঐসু চোংথরক্কদবনি।"

"হৌজিক্তি নঙ, নুংঙাইরবা নংব্রো ?"

"নুংঙাইরে, মরমদি ঙসিগী অহিং অসিনা ঐগী পুন্সিদা খ্বাইদগী অঙকপা, নুংঙাইরবা অহিংনি।"

"নুংঙাইগদবা য়াম' ব্রাংলীকো!" ঐনা হায়খী।

"হৌজিক; নঙগী গাড়ী লাক্কদবা পূং তরামরী মখায় ব্রাংলিবা নংত্রা; ঐদি হান্নদগী মতম হোৎতুনা লৈরবনি।"

"নুংঙাইবা মতম লাক্কদবা অদুখক্তগী পৃঙশীঙ হোৎকদবনি।"

"অদু ওইববদি; পুঙ অমত্তমক ঙাইরে, ঐখোয়'নি কাংখল মনুং চঙগদবা... ঐদি নঙগী নাতোন্দা শীক্কনিকো...।"

"ঐনা নঙগী খজাইদা।"

"তাজদগী ঐগী খজাইনা হেন্না নুংশিব্রা ?"

"নুংশিয়ে"। ঐনা হাযখী-" মখোয়না হেন্না মওং তাই, ভৌবসু হেল্লি।"

"অদুদি চৎলসি।"

ঐখোয়'নি তোংগা অদুগী মনাক্তা অমুক লাক্লে।

(৩)

ঐহাক্কা ঈরুজরুরগা খোরকপদা, সেব্বীদি মতম্পাক্তা মখূৎ অনী থমদুনা মমায় শূকচীন্না ড্রেসিং তেবল অদুগী মমাঙদা মপৃক্লিং নুংঙাইতনা লৈরম্বদু উখি, অদুম্নদি ওইবগা ঐবু হেক উবমক্তদা মহাক্কী মায়থোঙ মকা লামজনা মশম অদু মাগী ব্রশনা হৈ-শিংনা পরপ-পরপ হাৎতোকচৈ।

"করি তৌবে-নঙ মওং অমা ওইনা নুংঙাইতনা উই।" ঐনা হংলমই।

"খঙদে, থাদা কুইনা য়েংমনবগীরা করিনো; ঐগী কোক অসি য়াম্না চীকখ্রে।"

"অদু ওইরদি, এসপাইরিন অমা চাশিল্লুদনা।"

"উম চাগে, অমত্তা লানবিরকউ দার্লিং-দ্রাব্রারদা লৈবা লিক্লীমচা'দুদা য়াওবনি।"

ঐনা লিক্লী অদুদগী নীকথোক্তুনা গুলি অনীখক লৌথোক্লগা ঈশিং গ্লাস

অমগা লোযননা মঙোন্দা পী। মদু মহাক্না শায়বগা য়োৎস্ত্রে অদুগা, মোমোন নোক্তুনা হায়বকই।

"ঐ ফবে হৌজিক্তি... অনাবগা মানজববোই... ঙসিদি য়াম্না নুংঙাইবা অাইংনি।"

নুমিৎ অদু ঐনা কানপুব লানবন্দগী অযুক ঙন্তা হৌগৎলকপদগী হৌনা ওন্থোক্না শাংখ্রে। ইম্ফালদা চৎকদৌবী নত্তুগা সেব্বীগা তাজমহল যেংমিন্নগদৌবি হায়বা ৱাখল অনীসিদা নীংথিনা লৈতাফম খঙলক্তবনা ঐসু কোক খবা চীকলকপগুম তৌখি। সেব্বীনা ঈকজফম কাদা চঙখ্রবদা, ঐসু এসপাইবিন অমা চাশিনগে হাযদুনা দ্রাৱাবদা যাওবা লিক্লীমচাদু যেংলুই অদুবু অমত্তসু লৈবমখে। সেব্বী থোবকপা ঙাইবগা মঙোন্দা হংবদদি-মাগী দ্রেসিং গাউন অদ পী ফুবিংখাওদগী পুথোবক্লমই।

মানা হাযবকই :- "ওন্থোকপনি, ফুবিংখাওদা অমত্তমক ঙাযবগ্নে "

"হৌজিকৱাইদা মখাখক লৈহৌবদ্দি ?" ঐনা হায।

"হোয; অতৈদুদি হন্দোকস্ত্রে "

"নঙনা লোইনমক যোৎশিনখ্রে... নৎত্রা ?"

"মদু কবিগীনো খংঙবো ' কোক চীকপা ফনবা. . দার্লিং মাইক্লেলগা নিংথিজনা তুম্মীন্নবা ঙম্নবা...।"

"অদু ইবেম্মা... নঙনা তকক হেক্তা চাশিনবদি ফত্তে, মদুনা হৈন্নদম নশা ঙমহন্নবোই।"

"ঐদি এসপাইবিন হৈনবে... বেবা লৈত্রে।"

"মদুগী হৈনবীদু ফত্তবনি।"

"কোকচীকপদি-ফৈযে, ঐবু চৈবীনুবা।"

অহিং অদুদা মতম শাংনা ঐ তুমথবা ঙমদনা লৈখি। ঐখোয় অনীগী মায় অনীমক নকশীন্ননা হীপমিন্নবদা মাগী অশাবা শোবনা ঐগী খজাইদা তপ্না তপ্না হুন্নকই অমসুং মাগী মিংকি পা-না ঐগী মায়দা তত্তনা শোক্লকখি। ঙাইহাক

লৈবগদি মহাক তূ মশ্রমানে খন্দুনা, ঐসু ঙাইহাক্তং তূ মুনবা হোৎনখি, উরুবা তাজগী রাখল খন্না-খন্না অমসুং জাপানীজ বন্দি, জঙ্গলনচিংবা অশুম নিংশিং নিংশিংনা। রাখল অসিদা উবকই, মরু লুকথ লুকথনা লৈহৌবা; মশাগা চানদবা খাকীগী খোংগ্রাও শেংপা; মশম তেন্না ককথংপা মীওইশিংদু। নিংশিংলকই, অতোপ্পা... লম্বীদা থেংনবা ঐঙোন্দা পোং য়োংশিন্নবা হোৎনবদা কোয়বাঙ লাঙজবা লম্বীগী পোংয়োনবশিং অমসুং তোংগা তোংলকপদা মথোঙ মবম খঙদনা চোংখিবা হকচাঙ... পূন্নমক অসি ঐনা হেক্ক তুমথগ্রিবফাওবা মশেন মবাং ওইনা অমগা অমগা যেংশীন্ননা ঐগী পুক্লিং অসিদা উখিবনি। তুমথন্নবা মতুংদদি মঙ অমত্তা মঙখিদ্রে... ঐ নুংঙাইনা তুমথগ্রমানে। মল্লি-মল্লি তৌবিঙে নোংঙাদ্রিঙৈদা ঐ মিকপ থোক্কনা হৌগৎলকপা মতমদা সেব্বীদি যাম্না তপ্না হীক-হীক লাওনা কপ্পুনা লৈবন্নে। ঙাইহাক্তি ঐ মহাক্লা কপ্পদু তাদুনা লৈবনি, তাবা ঙন্নক্ত্রদুনা মাগী মশাদা তপ্না শোক্লগা মঙোন্দা তূমীন্না হংখি "কৈদৌরে... কবি তৌববগে নঙবু ?" মহাক তূমনীংবা মান্না কবিসু হায়দনা অমুক লৈখি-পাউখুম অমফাও পীবকখিদে।

ইখঙ-খঙহৌদনা ঐবু চেংনা কোনশিল্লকখি; মাগী খূৎশানা নক্কন্দা কন্না নমদুনা ঐবু অমুক হন্না নানথোক্কনা চৎলহননিংদবগী মওংদা ফাজিন্দুনা থমখি। ফিভম অসিদা ঐ, অমুকহন্না তূম্মুবমানে... নোং ঙাল্লমলে। হোটেলগী পাউখোল্লোই অদু চা পুদুনা লাক্লমলে। সেব্বীদি ঐঙোন্দা কোনশিল্লম্বা অদু খবা কোমথোক্কনা, মতম অদুফাওবা নুংঙাইনা তূন্নি। ঐ মাবু হৌদোকপিনীংলমদে, মহাক নুংঙাইনা পোখাজবী।

ঐনা তোংখিগদবা গাড়িগী মতমনা মহাক্কী গাড়িগী মতমদগী হান্নি। মহাকসু স্তেসন্দা লাকমীন্নে ঐগা-লোয়ননা। ত্রেন ঙাইনা-ঙাইনা, ঐখোয অনী হান্নদগী খঙনববা হায়নদুনতা লাক্লবা রাহৈ, পোৎলম কযা হনজিন-হনজিন্না হাযনখি পন্নখি অন্নাবনাথল্লবা কায়নরমদাই মিকুপ খবগী অহাঙবদু মেনশীন্নবগীদমক্তা। গ্লাসনা শাবা তাজগী যোদেল অমা মহাক্লা লৈকরগা ঐঙোন্দা পীখি, ঐবু রাশকহল্লি... গাড়ীনা চেল্লক্লবা মতমদা তাজগী যোদেল অদু থোঙনাওদগী লংথোকখিগদবনি হায়না। মতাঙ অসিদা ঐনা হায়খী- "মতম

পূন্নমক্তা তাজগী মোদেল অসি ঐগী নাক্তা থমগনি অমসুং লাক্কদবা তুংগী চহি কয়াদ, ঙসি ঐখোয় অনীগী থা তকক কায়নবমদাই বিদাইগী মতম অসিবু নীংশিংহনবা পোৎশক অমা ওইনা ঐখোয় অনীনা লৈগদবা যুম অদুগী ফক্লাঙদা ক্রেম চন্দুনা থমগনি।" মঙোন্দা হায়খী, থা তকক্তি মতম হায়বসি কবিসু লৈতে, য়াম্না তেনবনি, ইংলেন্দদি নুপাওইবা কযানা মাগী-মাগী নুপীবু চহি কয়া থাদোক্নুনা সমুদ্রবাংমদা চৎনৈ অসিনচিংবা। মমৈদদি গাড়ী (ত্রেন) অদুসু চৎপা হৌরক্লে-মহাকসু মথূৎ হাইনা-হাইনা অশুম অশুম পীকশীন্না অবাপ্পদা লৈহৌবে। ঐনা তুংহন্না লাপ্না য়েংলকপদা অপিকপা অঙৌবা মফম অমা ওইনা মাগী মায়থোঙ অদুবু লাকশীল্লি। বেলগাড়ি অদুনা, তালি লগ্নী অমা চাওনা থেকচীল্লকপা মতমদদি মাগী মশক উখিদ্রে-ঐসু গাড়ীগী থোঙ অদু লোনশীল্লে। মায়-মিৎ তাফম কাদা চঙশিন্দুনা মিংশেল য়েংলুবা মতমদা ঐগী মিৎ-অনীমক শি-না চোৎলম্বদু উখি। ঐগী পোখ্বাফম কা অদুদা চঙশীন্দুনা ফম্লে। হান্না ফম্লম্লবা, চাবা তুমদবগী লায়না চেনবা মানবা লেফটনেন্ট কোলনেল অমগা শকখঙ মায়খঙনদুনা ব্রাবী শানবা হৌবে।

কানপুব দগী লাপথোক্লা চৎত্রিঙৈদা মতম অতেনবা খবা পম্বুবা তাবদগী, ঐ অমুক হন্না লানবল য়ৌনবা গাড়ী অমদা হল্লক্নুনা পিতব অমসুং মাবিওগা চাক চামীন্নদুনা ঙাইহাক ব্রাবী শানদুনা লেনখি। মারিওদি নুমিৎ তবামঙানি ছুটি লৌবগা ময়ূমদা হন্দুনা লুহোংলুবনি হায়বগী নুংঙাইবা ব্রাখলদা মপূক্লিং অদু মথূম মবাঙ হৌনা লৈহৌই। পিতবদি, ঐখোয় কনাসু য়াওদনা লানবল অদুদা মথন্তা লৈবদা, মহাক মশাসু লানগী বন্দিগুম্লে, ঙাওবক্কদৌবে, মাগীদমক্তা অফবা হৌটেল অমা থৌবাঙ তৌহন্নীংবগী মপূক্লিংদা নুংনাংবা পোকহৌই। ঐখোয়, হূইস্কী বটল অমা থকমীন্নখি, পিতবনা পুখোকচবনি, ঐগীদি (পেক্ট) তৌখ্রবনিনা (য়োমশিনখ্রবনিনা) পুখোকখিদ্রে। অথূবগী ওইনা ঐগী পাওখোল্লোই অদুদসু মাগী তলব পীথোকপীবমই অমসুং ঐগী য়োৎকি ত্রঙ্ক অদু লোবি মথক্তা হাপকৎহল্লগা অমুক হন্না স্তেসন য়ৌনবা থৌবক্লে। হৌখিবা অহিংগুম্না, নুংদাং অদুসু থাবলনা পূমঙাল ঙাল্লী। নোংমতা ঙায়বীবনি, ঐনা তাজদা সেব্বীগা চৎমীন্নরুবা, অদুবু মতম কুইনা হৌব্রবগুম খল্লি।

বেল গাডীদুদা, ঐগীদি মথক ইথঙ থংবা হীপফম অদু ফংলে। ফম্পাক অদুদা ফমুং তিংথোক্লগা অদুম হেক্তা কাখত্তুনা হীপলে, খুত্তা লাইবিক অমদি য়াওবী, মদু পাববসু পূক্লিং অসিদদি অতোপ্পা ৱাখলনা শীক থল্লি। লাইবিক অদু খুমজিন্দুনা মোন মথাদা থমথ্রগা ঐহাক্তা মায়য়োক্লবা ফম্পাক অদুদা হীপ্লিবা নুপা অদুগা ৱাবী শাবা হৌই। নুপা অদু মশা নাপ-নাপ লাওই, তোংগানৈ, মহাক আর্মী কেপ্তেন-নি মীয়াম চল্লে... অবানবা ৱাখলদা থাজগন্দবা (আর্টিস্ত) কলাকাব অমগী শকওংনি। মহাক কলাকাবদি নত্তে, অদুবু অবানবা ৱাখল অমসুং অবানবা থবক্তদি মহাক্কী যানিংবা লৈতে। মহাক্কী পুক্নিগী ৱাবীসু অসুম মথঙ-মথঙ থোবকই চেল্লীবা বেলগাডি অদুগী মখোলগী মবক্তা। মতম অদু নোংযাইনি, পঙ্গা তুবেলগী তম্পাক্কি লমদমদনি। মহাক মযূমদা লৈবিঙৈদা, অকাউন্টেন্সিদা (হিসাবগী থবক্তা) হোৎনবনি অদুবু মায পাকখীদে। মথঙদা যূমথোঙ খুদিংগী যূম্বাশিংদা ঈশিংগী মযাক হন্থহন্নবা পোৎশক অমুক য়োন্দুনা হোৎনবকপদগী মথঙ-মথঙ বেঙ্কুন অমুক যৌবক্তুনা মফম অদুদা লৈবস্না শিথকববা সিনেমা হল অমদা শীল্লাঙবা থৌবুবেল ওইকই। মতম অদুদা অনীশুবা লানজাও লাকপদগী মহাকসু বর্ম্মাদা আর্মী চঙখিবনি। লাল মনুং অদুদা মেলেবিয়ানা লানকপদগী লমদম অদু ফাওদুনা হন্দোবকপা কাঙবুগী মবক্তা যাওবক্লগা অমুক অমা লাল কাপ্পবিবা লমখৈ অদোমদা চৎকদৌবীবনি হৌজিক্তি।

এনা খনবদা মহাক হ্রফবা মীনি, মশা মথন্তা মকওইবা মীশক অমা ওইনা খনজবা মীশক নত্তে, মহাক্না তৌজকবা থবক্তা ওন্নতৈনবা ফল লংখিবশিংদুগী মবমদা মশাগী শেবান্নবা ৱাখল যাওদে। মহাক্না ঙাঙথোবকপা ৱাফম পূন্নমক্না খুদক্তা অচূম অবাল থঙহল্লি ভাব তাহল্লি। ঐ মহাক্না ঙাঙবা ৱা মতম শাংনা তাববা তুংদা মথঙদদি বর্ম্মাদা শোক্লবিবা লালগী মবমদা অমুক হৌদোক্লখি। মহাক্না হায় :- "হন্দকমুক্তি ঐ... মথোঙ মবম খঙদনা জঙ্গলদা কাপ্পবদা শিবসু যাই অদুবু হীবম অসিদা অদুক হাক্না খল্লুবা যাদে... শিবা যাই, শিদবা য়াই।"

"ইম্ফালগা নক্লবা মফমদা লাল অসি কবন্না মওংদা লৈবিবগে ?" ঐনা হংই।

"'য়াম' কুপথনা খঙদে, জাপানশিংনা হায়রীবনা নোংজুথা (মোনসুনগী) মতমদা মখোয়না ইম্ফাল লৌশীল্লগনি 'সিনি... ওইবসু য়াই, অদুবু ঐখোয়না অমুক হন্না ফংগনি।" অসি হায়বগা লোয়ননা মহাক্না ঐবু কদায়দা চৎকদৌরিবনো হায়বসিমসু হংলকপদা ঐনা খুমখি :-

"কোর হেদক্কার্টরস চৎকদবনি।"

"নঙগীদি য়াম্না ফৈ, মফম অদুদদি উথক্তা লোত্তুনা লৈবগা নোংমৈ কাপলক্কদবা য়াইপব লৈবোই।"

"নঙগী বাখল অদুগা মান্নবা খনবা মী খবনদি, বাফম অসিদা য়ানীংদবসু য়াওই।"

"মখোয়না য়ানীংদবগী মরম করি ?"

"ঐনা তুংদা চৎকদৌরী, মখোয়না মাঙদা চৎকদৌরি 'সিনি।"

"মদুদা, পুক্নিগী অফবা ফত্তবা করিসু লৈতে, ঐনা খনবদা নঙগীসু অম্রাবা মতাঙ য়াম্না থেংনপ্রবা ওইরীনিদা।"

"লোইনমক শুপ্না খল্লবদা, ঐদি লাইবক ফৈ।" ঐনা হায়খী।

"নঙসু নুংঙাইদ্রা-?"

"হোয়, নুংঙাই হায়না খল্লী।"

"ঐদি নুংঙাইদ্রে, লাইবকফবা ওইবস্না তাববসু নুংঙাইবদি ওইবরোই য়াকৎনিংঙাই করিসু লৈতে।"

"নঙগী পুক্নিবু নুংঙাইহন্না, অফবদা ওয়ৌক্লস্না য়াবা করিগুম্না খরদি হান্নসু লৈরম্না য়াইদা... ?"

"ঐনা খনবদদি লৈখিদে... ঐদি, মবম শূন্নমক্তা ইচা চানদ্রবা মী মখল অমনি।"

"অদু য়ৌনদি ঐসু খঙদ্রে...।"

ঐখোয় অনী গাড়ী মনুং অদুদা বারী অশুম শারকপনা নুংদাংগী পুঙ অমা তারক্লে। কাগী মৈ অদুসু মুথৎলে, মখাগী ফম্বাক্তা তুম্না নুপা অমদি য়াওল্লগা

কন্না নাখোকপা হৌবকই। হাংদোক্লিবা থোঙনাওদগী কাওজীন্নকপা থাগী মঙালনা ঐখোয়না তোংলিবা দাবাগী কম্বাক্তা তাবি। ঐদি, হৢমাং খরা শৌগৎলকপনা, শৃগ্লিবা মথক্কি কম্বল অদু লৌথোক্লগা হাকথঙ অদুতমক শৃপলমই। থোঙচৎ অদুদা ঈশাগী নুংঙাইনবা অদুতনি ঐনা খনজবা... অদুবু সেব্বীগী বাখলনা অমেঙবা অথোংশা মথলগী অনাবা অমদি ফংহনখি ঐগী থম্মোয়দা। মথঙ মথঙ নীংশিংলক্লিঙৈ তৃমনীংবনা ঐবু খুদুম চনখ্রে, চেল্লিবা গাড়ীগী মখোল মবক্তুদা।

ঐহাক্কা চৎমীন্নবিবা কেপ্তেন অদুগী মমিং মেন্নীঙ কৌই। ঐখোয় অনী লম্বী শাংনা লার্কামন্নবদগী মহাক্কী মবমদসু লোইনা খঙলে। শকখঙনদবা কয়গা মকপ ওইশিন্নবকপগী মওং অসিদি, বেলগী থোঙচৎতা থোক্লিবা অসিগা মান্নবা লৈত্রে। ঐখোয় অনীগী থোঙচৎতি বেলগাবিখক্তদা নৎত্রে, আসাম যৌবকপা মতমদসু, ঐখোয় অনামক্কী পাস যাওনবক্তবা মবমনা ধুববীদগী অহিং অমা হি তোংদুনা ব্রহ্মপুত্রগী মথকলোমদা লাকপা তাখি। হি (মোতোব বোত) অদুসু কুইববা মতমগী ইমোৎ মোৎপা মখল অমনি, অযাম্বা মতমদা হিহোনর্বশিং অদুনা খোংনেত শিজীন্নে। থাওমৈগী মৈঙাল অদুদা মখোযগী মশক্তু মুশুক মুশুক মুনা উই। মখোয যাম্না লাঙই, যুসু ঙাওববগুম তৌই। অহিং অদুদা, অনকপা অকোযবদা উবিবা পোৎ পৃম্নমক অদুদি... মৈঙাল অদুগী মঙান্দা লোইনমক নাপু মচুগুম, মুবগুম অমত্তা ইশেঙ শেংদে।

ঐগী বেগ্ মনুংদগী হুইস্কি বটল অমা লৌথোক্লগা ঐখোয অনীগী মগ অমমমদা হৈজীল্লগা থকই, ঈচেলগা মাযযোক্লনা হোনকৎলক্লিবা হি অদুগী নাকন অনীদা খাজীল্লিবা ফৈবা অদুদা হকচাঙ অসি ঙাশিল্লপ তৌবগা পাক চাওববা তুবেলগী ঈপাক্তু য়েংদুনা চৎলি। গঙ্গা যমুনাগী ঈশিংগা পাংখকনি, ইনৈ নৈনা উই, ঐঙোন্দদি ভাবত্তা চেল্লিবা তুবেল ঙাক্তনি ইমান মান্নে। ইংলেন্দগী তুবেল খবগী ওইনা হায়বগা... বায়... সেভর্ন অমসুং টীংলক নুংলক্তা শুজিন্দুনা চেল্লিবা ঈচেলশিং অদুগম্বা ঙাক্তনি। অথেঙবদা খোল্লকপা থা অদু অহানবদদি খবা খবা হাইনা উবা নাপু মচুগী লেন্টন থাওমৈগুল্লম্মী।

তন্দেমান্দে থা অদু অহাঙবা লৌবুক মথক্তুদা অশুম অশুম কাখৎলক্তুনা কোম্থুংদদি তাবমদাইগী নুমিৎকুম্না উই।

ঐখোয়না থক্লীবদু স্কোচ্চ হুইস্কিনি, কোক ঙাওবা হৌবকই। ঐনা মেন্নীঙগী মফমদা সেব্বীগী ব্রাবী শাই। মহাকসু লীবা হৌবকই, ইং ১৯৩৪ গী মতমদা ইংলেন্দগী লৈশাবীমচা অমবু মানা নুংশিবগী ব্রাবী। হায়ন-শিঙনবসু লোইপ্ত্রবা ওইবমানে, অদুবু মহাক্না তম্বদা, মাগী থবক... য়ুমথোঙ খুদিং চত্তুনা ঈশিং অয়াকপা থোৎলহনবগী পোং (ব্রাটব সোফটনব) য়োনবদু কান্নবক্তুবদা মী ওইববোয় খন্দুনা লৈশাবী অদুগা লৈনবা মবীদু মশানা থদৎচখিবা ওইবমানে। মানা খনবদা, লৈশাবী অদ, মাগা চান্নদনা অফবা ওইমনম্রে অসিনি। বেঙ্গুন্দসু য়াম্না মিহৌচাওবী বর্ম্মা নুপী অমগা লোয়নকবমানে। নুপী অদুনদি মাগী মতুংইন্দুনা বর্ম্মাদগী লাকনীংখিবনি সিফায় মবক অদুদা... অদুবু মহাক্কী অযাবা পীখিদে। মহাক্না হায় "হৌজিক্তি মহাক জাপানীজ ওফিসব অমগী নুপী ওইবন্নগনি কন্নকমিহৌদি অদুম চাউবমগনি।"

অহিং অদুগী অযাম্বা শকক্তি ব্রাবী শানদুনা লেনখি। ঈংশীল্লকপগা লোয়ননা থাগী মচুসু হেন্না ঙৌথোবকপগুম উই। তুবেল মথকলোমদগী অঙ্গংবা নুংশিৎনা ঐখোয়গী হি অদু হেন্দোক্তুনা হুমখি। হুইস্কি বট্টল অদু ঐখোয় অনীনা লোইনা থক্লবা মতুংদা মপূংফানা যুগী নিশা পানবা হায়বদু ওইববসু, ঐগী ব্রাখলগী কাচিন্দা লৈখ্রবা অপীকপা শকক্তি মফম অমদি নিশা অদুনা শোকপা ঙমদনা লেমহৌবী। হায়বীবা শকক অদুবু ঐগী তশেংবা পুক্সিগী মওংদগী মাঙখিদনবা হায়দুনা চেৎনা পায়শীন্নবা হোৎন-হোৎননা ঐ ইথন্তা হায়জখী। "তুবেল অসি ব্রহ্মপুত্রনি... ঐ ইম্ফালদা চৎলিবনি... খাজীল্লিবা মোতোব বোতকী ফৈবা অসিদা ঐগী খুৎনা চেৎনা পায়বী...।"

ঐনা খল্লীবা পুম্নমক অদু, মতাঙ অমদা খোঞ্জেল থোক্লা ফোঙদোবকপা ঐ ইথন্তা তাজবকই। ব্রাহে কয়া, ঐগী লৈয়েং অসিদা মনীংতম্না লৈশিন-লৈশিন্না হায়দোবকপদু ঐ খঙজে... ঐ জ্ঞান তারি। নুংগী ওইবা পুক্সিগী ব্রাবোল কয়াসু ফোঙদোকলকখী... লালা বিক্রমানা হায়খীবনচিংবসু নীংশিংলকই। অমুকসু

খঙহৌদনা, ঐহাক্কা লোয়নরকখীবা, খঙনরকখীবা মরুপ মপাঙ-অহল লম্মনশিং- মিঃ হেদলি, রোজি, লোর্দ লরবেন্তন অমসুং ব্রিগেদিয়ার, পিতর, মারিওনচিংবা... মেম্নীঙ ফাওবদা ঐগী ব্রাখল অসিনা নুংশিনা কোনশিল্লকই। পূক্লিংদা খল্লি- মখোয় পূম্নমকসু, অঙৗংবা হিগী ফম্বাক অসিদা ঐহাক্কা লেপমীন্নদুনা অকোয়বদা উরিবা লৌবুক লমহাঙ অমসুং ঈশিং ঈমায়দা থাগী মমিনা তারিবা পূম্নমক অসি য়েংমিন্নরবদিকো হায়না। মখোয় উরক্রুবদা, ঐগী পূক্লিং অসি অৱাবগী মচু শঙজিনখিবগুম তৌই। ঐগী ব্রাখল নৌথরকই। অশুম্না মথক্কি ফম্বাক অদুদা ঐ হঙ্ৎ হন্দা চত্তুনা লৈখি। মেম্নীঙগা ঐখোয় অনী হি অদুদা অহানবা কাখৎলকপদা খনখিবা ব্রাখলদগীদি হৌজিক্কা হেন্না অশেঙবা ব্রাখল অমা খঙলকপগুম তৌবম্মী। ঐনা কদায়দা লৈবিবা, কদায়দা চৎলিবা হায়বদু অমুক খল্লূবা তোকথোক্লে... অদুগী মহুক্তা ঐখোয় অনী হি অদুগী মখাগী ফম্বাক্তা কৃমথরগা, বেদ্দিঙ পুখৎনরক্লুনা মথক্কী ফম্বাক অদুদা তিংথোক্লরে। ঐখোয় অনী লোংনা হীপ্পগা মথক্তা য়েংখৎখিবদা উই, য়াম্না তাম্না, লাপ্পা লৈখ্রবা অতিয়া'দু তরু তরু তশেং-তশেংনা।

নোংঙাল্লকপগী নুমিৎ অদুমসু তুরেল অদুগী মথকলোমদা হোনকৎলকপা লেপত্রী। ঐখোয় অনী কোফি থকই, তিনদা (কৌতাদা) হাপ্পা-শনশা চামীন্নে। লৈতেম মান্ননা উবা তুরেলগী মপালগা অবাপ্পদা উরিবা জঙ্গল, লৌউশিংউবগী লৌবুক লমহাঙনচিংবদু পূক্লিঙ চঙনা য়েংমিন্নে। নৌনা হোনবা হি-মচা কয়া, ইনজিন পানবা কয়া ঈশিং ঈচেলগা লোয়ননা হোম্বখিবা কয়া অমসু থেংনৈ। ঐখোয়না তোংলিবা হি (মোতোর বোত) অদুসু মশাগী ইনজিন অদুগী জগ-জগ লাওবা মখোলগা লোয়ননা চেম্বরক্লিবা ঈচেল'দুগী মায়য়োক্তা লেপ্তুনা 'সুম হোনকৎলক্লমই। "ঐখোয় লাল চৎলীবনিকো" হায়বসি খল্লুবদা ঙক্তবসু ঙমলমদে।

য়াচঙলকপদা গুৱাহাটি য়ৌরদুনা ঐখোয় অনীমক হি অদুদগী কাখৎলক্লুনা লাকলে। থাগদবগী লৈরম্নবা রেলগাড়ি অদুগী দাবা পূম্নমক্তা মী-না কৃক-কৃক ঈন্ননা তোংলম্মী। য়াম্না চিন্না ঐখোয় অনীগীসু ফম্ফম অমমমদি ফংলে, ফম্ফম অদুদা অদুম উইনা-উইনা লাকপনা নোংঙাল্লকপগী অয়ুক

অঙনবদদি দিমাপুব কৌবা- মী চঙশীনখিবা অমদি থোবকপশিংগী অচৌবা কেম্প লৈবা মফম অমদা থুংলম্মী। হায়বীবা ত্রানজিত কেম্প অদুদা রাগী ফক অমসুং রানা শাবা শঙ মচা মচা কয়ামকম লৈবম্মী। ঐখোয় অনী অহাঙবা শঙ অমদা চঙশীন্দুনা তুম্ফম হীপফম শেমলে। ঈকজফমগী ওইনসু পিত্রোল হাপ্লবস্বা অমনবা দ্রম অমা উথক্তা খবা রাংনা থম্লগা শেমলে। চীং- শাক্তনা মবোল-মবোল লৈশ্লবা লমগী শকক অদু ফাওবগা ঐখোয়, ভাবত অমসুং বর্ম্মাগী মবক্তা, অশঙবা তম্পাক্কি অপীকপা লমদম অমা ওইনা লৈবা, লাল কাপ্পুলিবা মফম- ইম্ফাল যৌনা চংখিনবা ত্রক গাড়ি অমা ঙাইবা তখি। গাড়ী কপ্পসু চঙশিনখি, অশোয় অঙাম খোক্তলবা শেন্নদুনা চংপা কনভোয় গাড়িনা মাঙথানা। কনানো অমনা ঐখোয়দা হায়খী :- "খবা চেনথোক চেনশিন তৌনবা-ইম্ফালদগী মাইল ১০৯ লাপ্পা লৈবা ত্তিদিম বোদকী মফম অমদা জাপানীজ লৈত্রমানে... 'কেনেদি পিক' হায়না খঙনবা চীঙ অদুসু মখোয়না লৌশীনখিদুনা বৃতিসকী মী থোমজীন্নবী।" "ঐখোয় অনীদি তোঙান তোঙান্না ওর্দব অমমমগী মখাদা লাকপানিনা কনানসু ঐখোয়বু চঙশিনখিনবা হায়বমদে। অশুম্না ঐখোয়, নুমিৎ নিনিদি পম্ভদুনা লৈবে।

নিনি শুবকপা নুমিত্তা, ঐঙোন্দা থাবকপা চিঠি অনীখক আর্মী পোস্ত ওফিসতগী ফংখি। অমনা সেব্বীনা থাবকপনি, মহাক্না হায়বকই "ঐ পৃক্লিং চাওথোক্লবা হোংনবে, অদুবু কপ্পুবদি ঙমদে...। মবম অমনবু ওইববসু, কবিগুম্বা অমত্তনা ঐখোয় অনীগী কাওঙমদ্রবা অঙকপগী মশক ওইববা নুমিৎশিং অদুবুদি ঐগী পৃক্লিংদগী লৌথোকখিবা ঙম্লবোই।"

চিঠি অদুগী লোইশিল্লকপদা অশুম্না হায়... "দার্লিং, ঐখোয় অনীগী মতম অদু অদুক্কি মতিক নুংঙাইবনিকো... নুংঙাইত্রনে নংবু ? ঐগী পুন্সিদা মতৌ অদুম্না নুংঙাইখিবগী তংখায় অমফাও ফংখিবা লৈত্রি। ঐনা খনজৈ, নঙগী পৃক্লিংদা ফাওবিবা নুংঙাইবনি হায়বদুসু তৌশিন্নবদি ওইবল্লোই হায়না।" ইংলিসতা মহাক্না ইরকপা... সেব্বী মাঙ্গবী রাহে রাতা কয়া অদুনা ঐঙোন্দদি অমুক্তা হেন্না নুংশিহল্লি।

অতোপ্পা চিঠি অমদুদি, বোম্বেদগী কানপুর অমুক য়ৌরুরগা ঐবু অদুম পোন্ততা তান্নদুনা লাক্লবগী মওংনি। অঙাংগী খুইনি, হেক উবদা খঙবা ঙমদে কনাদগীনো হায়বা। হাংদোক্লবদা খঙলে, মার্গারেত অমসুং জেনিফরগী মমিং যাওবল্লে। ব্রাহৈশিং অদুদি :- "নুংশিববা অংকল মাইকেল, ঐখোয়না চিঠি ইগে খনবা কুইববনি; ইমা-না নঙোন্দা ব্রাহনগনি হায়বদগী ইবক্তবনি অদুবু ঙসিদি ইববনিকো। ঐখোয়গী দার্লিং সেব্বীদি কবম তৌবী, নুংঙাইনা লৈবিব্রা খঙানংই। নঙদি মঙোন্দগী চৎপ্রনি,মাগী মশা ঙমদ্রবসু নঙোন্দা হায়বক্লবোই। মহাকসু খঙলীবনি নঙবু ব্রাহনবা ফত্তে হাযবা। ঐখোযনা খল্লী, নহাকসু পূম্নমক খঙলমগনি, অদু নত্তনদি নঙনা মাগী মতেং পাংবা ঙমলোই। নহাক্লা খঙলমদদুনা কোন্না খঙলকপদসু নঙগী পূক্লিংদা নুংঙাইবোই... অদুননি ঐখোয়না হাযজবীর্বসি। চানবিদুনা সেব্বীদা তম্বিয়ু ঐখোযনা চিঠি ইবকই হাযনা। ইমাদদি ঐখোয়না চিঠি ইবিবসি খঙহনদে, মঙোন্দা ইবোই হায়না ব্রাশকপ্লবনিনা, অদুবু বাশক অদু থুগাইবে। ঐখোযনা খনবদা, নঙদি নুপানিনা সেব্বীনা খল্লীবা অদু কবিসু খঙলল্লোই... মহাকসু ঐখোয়গুম্না নুপীনি। অঙকপা অকীবা অমত্তা থোক্লিঙৈদা, নহাক্লা পূম্নমক খঙবীগনি খল্লী। শাওবীগনু, নখোয় অনীদি ঐখোযগী ইফমদা থোইদোক্লা নুংশিবা মীশক হায়বদু ওইরে, ঐখোয়দসু হায়নীংবা হাযবীবকউ... লাকউ হায়ববসু হেক্তা লাক্লনি।

মথঙগী চযোলদা ঐখোয, চীংদা চৎকদৌবি... চিঠি ইবক্কে হাযরবসু মফম অদুদা ইবিবকউ। নখোয লাক্লবদি য়াম্না নুংঙাইগনি, হৌখিবা চহিদা তৌখিবা অদুম্না সেব্বীনা শগোল তোংবা খাল্লবোই... শগোল অদুম তোংহনগনি, নহাক্লা নথস্তা লৈহনগনি, ইমানা হায়খীবা অদুম্না...।

মার্গাবেত অমসুং জেনিফবগী চিঠি-অদু পারুবদা, করিগুম্বা খরা নীংখাযবক্তুনা কীল্পরকপগুম যাওখি ঐগী ব্রাখলনুং অসিদা। ঐগী হকচাঙ কায়াং পূম্নমক্তা য়াওবা মরেক মহাও লোইনা মাঙখিবগুম খল্লী। ঐ হল্লক্লে, কোক ঙাওনা উফুল হৌরবা লম্বীদুদা, লৈফম শঙমচা'দু তান্না। ব্রাখল খোক্তনা তুশিন্দুনা লৈখি-উচুক য়ুংলগা শেম্বা ঐগী ফমুংদুদা...।

"কৈদৌরবগে নঙবু ?" ঘেন্নীঙনা হংলকই

ঐ কোক্তমক হাইখি ঋা ঙাঙথোকপা ঙমদনা। মানা অম্মুক হায়রকই- "ডোক্তর অমা পাম্না, কেম্পসিদা অমা লৈ।"

"মদুগী ঋা নত্তেদা...।" ঐনা খুমই। মহাক, ঐগী চিঠিশিংদু উবে হায়রকই... "অবাবা পাউরা ?"

"হোয়, য়াম্না অবাবা পাউনি।"

থুনমক ঋাখল অমনা পূক্লিং অসিদা ময়েক শেংহল্লকই। সেব্বীগী মরমদা পূম্নমক খঙলবা মীশক অমা ওইনা ইশাবু খনজরুবনি, অদুবু মঙোন্দা থোক্লিবা হীরম খূদিংবু খঙদবা মীশক্তি ঐ ইথন্তা ওইরে খল্লকই। কযাদা থাজবা ঙমদনা ঙাকপিফম থোক্লবা অমসুং খঙশিন-উশিন্নদবগী মশক ওইববা। ঐখোয় অনীগী নুংঙাই য়াইফবা, মহাক্তি মশক মতৌ, নুংশিবা মওং অমসুং ঐবু পেলহনখিবা মাগী ঋাহে ঋাতানচিংবা অদুখক্তা ওইনা থোক্লে ঐনা খঙলূবদি। ইশাগী ওইজবা থিবগী মওংদা, মাগী ঋাখলনুংদা লৈপ্লবা অমসুং মশাগী ওইজবা থাদোক্নুনা ঐবু ঋাহন্দনবগীদমক্তা লোংশিন্দুনা থমপ্লবা মাগী পূক্লিংগী থাক অদুফাওবা ঐনা কুমথরুবা ঙমহৌদবসে ঐগী অরানবা ওন্ন তৈনবা ঋাখল ওইরম্লে। মসিগী মরমদনি অঙাংশিং অদুনফাওবা ভাব তানা হায়রকপা। থা অমত্তং লোয়নখিবা অঙাং নুপীমচা অনীদুন ফাওবা চহি চুপ্পা লোয়নরক্লবা ঐখোয় অনীগী মবমদা মুন্না খঙবা হেনখি। হীরম অসিদা ইশানা ইশাবু মায়থীরবা মীশক অমা ওইনা খঙজরকপদা, য়াম্না হম্বনা মীথা পোল্লবা মীশকুম, ঐঙোন্দা য়াওরীবা ঋাখলগী থাক অসি খংনেম নেমথরবগুম ফাওখি।

অমুকসু খম্বরকই-অদুম্নদি ওইরগা ঐনা খল্লুরিবা অদুক্কী মতিক করিগুম্বা ফত্তবা থৌদোক্তি হৌজিকফাওবা থোক্লি। ঐবু খঙহন্দনা সেব্বীনা লোংশিন্দুনা থমখিবা য়াবা অকীবগী ঋাখলসি করিনো...? মহাকপু ঐঙোন্দগী শেত্তোক্নুনা মুন্দুনা পুখিবা ঙম্বা করিগুম্বা অকীবগী মখল অমরা ?

থৌদোক কয়া মথঙ-মথঙ নীংশিংবা হৌরকই, য়াম্নমক নংত্রবসু মতম মতমদুগী মরী হইরৈলেনদবা মানখিবা থৌদোক মচা-মচাশিং অমসুং মখোয় অদুনা ঙসিদি ঐবু অমম্বদা খূদোম্বী থিন্দুনা করিগুম্বা খরা হায়রকপগুম তৌবা।

নীংশিংলক্নে সেব্বীনা হায়খিবা... "মতম পূম্নমক্তা নঙনা ঐবু নুংশিবীবা ঙমলোই, ঐবু চহি অমা কানা নুংশিবা ঙমগনি খনব্রা নঙবু...?" অদুগা অমুকসু বোম্বেগী যূম অদুদা লৈমিন্নরিঙৈদা মহাক্না হায়খী... "মথঙ থা তরুক্কী মতম ফাওবা ঐবু নুংশিবা ঙমগদ্রা...?" মহাক ঐহাক্না লুহোংবসু য়াখিদে। মদু, মাগী ব্রাখলদা অচৌবা, অকীবা ইথৌদাং অমা পুহন্নিংদবগী মরমলা। অসি নত্তবদা, নোংমা লোর্দ দববেস্তনসু হায়খী "ঐ নঙোন্দা থাজবা থমগদৌরবনি, মসি অবায়বা থবক্তি নত্তে।"

তাজমহল য়েংমিন্নবদুসু, সেব্বীনা শিবগী অপাম্বা ফোংদোকচখি, শিববু কবিসু থৌশাবক্তবগী মওংদা, অমসুং অহিং অদুদসু মহাক্না এসপাইরিন গুলি যাম্না চাশিনখি। মহাক্না কপ্পকপদা ঐ মিকপ থোকখি, শাথিনা অকীবা অনাবা অমা খাঙবগুম ঐবু চেংনা কোনশিনখি। ঙসি মাগী চিথিদসু ইবক্লি... মরম অমনবু ওইরবসু করিগুম্বা অমত্তনা ঐখোয় অনীগী অঙকপা নুংঙাইরবা মিকুপ, মতম কয়াদুগী ব্রাখলবুদি ঐগী পূক্লিং অসিদগী লৌথোকখিবা ঙম্নরোই।

মঙোন্দগী মাইল লিশিং অমা লাপথোরক্লবা ঐনা আসামগী মফম অমদা লৈবিবা শঙমচা অসিগী মনুংদা ব্রাখল মওল মওল খনবা হৌরকই। অমুকহন্না মাগী মনাক্তা চৎলগা মপূক্লিং নুংঙাইহন্না ব্রাবী শাকবগী মহত্তা অশুম লাপথোক্লা চৎলগদবা ঐহাক্না পাখৎচবগা লোয়ননা অঙাওবগুম অমুকসু খল্লকই - কনানসু ইম্ফালদা ঐ লাকই খঙদ্রিঙৈ মবকসিদা অমুক তুংহন্না দিল্লিগী ত্রেন অমদা মাগী মনাক য়ৌনা চৎলুখিসিবা হায়না... মদুসু অবেম্বা ওইগনি, মহাক্না লৈমিন্নরুবদি ফংলরোই। তৌফম খঙদ্রবা অসিগুম্বা ব্রাখল কয়ানা নীংবা কায়হন্না ঐগী থব্রায় শোকচীল্লকই, কোক অসি নুঙগী চেকপল অনীনা চপখায়রকপগুম খল্লী।

অশুম খন্না খন্না, খরদি কোমথোরকপগুম ফাওরে ঐগী ব্রাখলদা। সেব্বীগী মফমদা হৌজিকমক্কীদি করিসু খুদোংথিবা ওইদ্রি খম্বরুবদা ব্রারম্বা শরুক হম্বরক্নে। মার্গারেত অমসুং জেনিফর অঙাং ঙাক্তনি, মখোয়গী অনিঙবা ফোংদোকচবদা হৈশিংজবা ব্রাৎলিবনি। মখোয়না কা হেন্না পাখৎচবা অমসুং অতোপ্পা মরম কয়াবু ইচম চম্না ইজরকপসু ওইবা য়াই। পূম্নমক অসি ওইদুনসু,

দিয়াপুরনা লৈবা আমী পোস্ত ওফিস অদুদা অমুকহন্না লাক্তুনা নুপীমচাশিং অদুদা ঐনা ভেলিগ্রাম অমদি খাগ্রে... রারোলদি, সেব্বীদা চিঠি ইবিখো অমসুং মখোয়না ওমজবা মাপী মতেং পাংবিয়ু হায়না। ঐ, কোন্নদি নুংঙাইবা পোকলক্রে, অঙাংশিং অদুনা মখোয়গী অখোংপা রাখলগা লোয়ননা মহাকপু য়েংশিনবিবা ওমগনি হায়বদু খঙলকপদা...।

অসিগী মতুংদা, পোস্ত ওফিস মনাক্তুদা থেংনবা ওফিসব অমদা, কনাগুম্বা, রায়ারলেস লৈবা মীশক্তা খঙনবিবা লৈত্রা হায়না হংলুবদা, রায়ারলেস লৈবা মীশক অমা অনী লৈরম্লে। অমদি, পোস্ত ওফিস অদুদগী গজ চাম্মরোম চংলগা, সিমেন্ট প্লাসতর তৌবা পাক্কাগী যুম অমদা লৈবা মীশক্তি। মহাক মেজরনি, মমিং ক্রোজলি কৌই। খুদক্তা চত্তুনা ঐ মফম অদু যৌবে। শিক্তকপা বঙ্গলোনি, নুঙ ঙাক্তগীনি... রাগী শঙমচা (বাসা) নত্তে। যুমদুদা লৈরম্বা মীনাই অমা খোরক্তুনা ঐঙোন্দা নোকলকই, মহাক ইংলিস খঙলমদে। মেজর অদুসু মাগী মতুংদা লেপ্পমলে... মীনাই অদুবু, শমজীনবা অতেনবা রাহে খরনা ইঙ্গিত তৌদুনা চংলহনম্রে। ঐনা মঙোন্দা সার, হায়না কৌজে, অমসুং ঐনা লাক্লিবা অদুগী মবম শুগায়না তমজখী। ঐ মিনিট খবা মাগী রায়ারলেস তাজনীংবা অদুনি। মহাক ঙাইহাক চম্মমনৈ অদুবু যানীংনা মাগী লৈফম কাদুদা ঐবু পুশিনবীরমই।

রায়ারলেস অদুদা ফংবা রেভলেঙথ, অতেন-অশাঙ নুংশিংকি ইথক অদু হেক ফারুবমক্তা, থোইদোক্তা চিঙলেম্মা ফজরবা, অনানবা খোঞ্জেলদা ইংলিস নুপী অমনা ঙাঙলকপা তাখি। মহাক্কী খোঞ্জেল অদু মফম অদুগদি চানদ্রে, মরমদি খোঞ্জেল অদুবু তারুবা ইংলিসকী মীওইশিংনা শোয়দনমক্কী নীংশিংগনি লন্দনগী মচু তারবা মীয়াম তিনবা শিক্কাদিল্লিনচিংবা মফম কযা...। মহাক্তা লাওথোরকই দিস ইজ দিল্লি, পাউ অসি দিল্লিদগীনি অমসুং মিনিট ১৫ গী মতুংদা জাপানীজ তাবশিংগী পাউ অমুক শন্দোক্তনি হায়না। ঙাইহাক্তি লেপ্পুনা লৈখি অমসুং অচীকপা অদুনা ঐবু ইফক ফকচালহল্লি। মথঙগী খোঞ্জেল অদু তানীংবনা না থাজত্তুনা পুক্লিং চঙনা লৈখি। অশুম চীক্তা লৈরম্বদগী খোঞ্জেল অদু ফাওরক্রে, তাবদা লায়না খঙই সেব্বীগীনি হায়বা।

ঐগী পূক্লিংদা কয়াগী মতিক অব্বাবা কোক্লা হয়াওজখিবা, মাগী খোঞ্জেল তাবদা। ইশে মাল্লা তারবা মহাক্লা পাখোরকপা পাউ অদু ঐদি মুন্না তাখিদে, মহাক্কী খোঞ্জেল অদুতনি ঐনা তাবা। ঐ ইথন্তা মোমোন নোকচবদু, চিঙলেম্না মাগী 'আর্ম চেয়ার' খুৎপায়ফম ম্নাওবা চোকিদা ফমলীবা মেজর অদুনা উখি। পাউ লোইশ্লবা তুংদা ব্রায়ারলেসকী সুইচ অদু ঐনা হেক মুথৎপগা মেজর অদুনা হায়রকই- "জাপানীজ লোল খঙবশিংগী নত্লনে ?"

"হোয় পাউ পাখিবদু ঐগী মকপনি" ঐনা খুমই। ঐনা নীংবদা মহাক মশা ওমদ্রবরা খল্লুবা।"

"নঙ জাপানীজ লোল খঙব্রা ?"

"হোয়, মদুগী থবক্তি ঐনা লাক্লিবসি।"

মেজর অদুনা ঐবু চা থকমীন্নখিসি হায়দুনা খান্নে। মহাক মীয়ায় চল্লক্লবা, তৌফম লাকফম ইখঙ খঙজদবা মীশক্তি। অরাপ্পা সমুদ্র বাংমদা কয়া অমা চৎলবসু মঙোন্দা হৈনিংবা বাখল ইপোক পোকচদ্রবা মীনি। ইংলেন্দগী য়োর্কসায়রদগীনি, পেনাইন চীংশাঙদা লৈবা য়োর্কসায়ারগী ফার্মহাউস অমগী শক্তম অদুমক্তি মাগী মঙংসু, অদুবু মাগী ভৌরুনবা, নুঙগী মুর্ত্তি মানবা শকওই অসিগী মনুংদা মরাঙ কায়রবা থৌজালগী ইফুট অমদি য়াওরী।

মথঙগী নুমিত্তা, ঐ ইশামক ইম্ফাল য়ৌনবা কনভোয় মরক্তা য়াওখীসিরা খল্লী হায়না মঙোন্দা তল্লুবদা, মহাক মশামকসু চৎকদৌরীবনি হায়না ঐঙোন্দা খঙহনখী। মহাক, গাড়ি চৎখোক চৎশিনগী ত্রান্সপোর্ট ওফিসরনি, মশাগী কার অমসু লৈজে। শাংলবা চীংলম্বী অদুদা য়াম্না ব্রানা ত্রক গাড়ী অমদা চৎপগী মহত্তা ঐনবু পান্নবদি মাগা লোয়ননা নুংঙাইনা চৎমীন্নখিনবা হায়রকপদুদা ঐহাকসু য়াজরে। মেন্নীঙ কৌবা কেপ্তেন অমসু ঐহাক্কা লোয়নরক্লী হায়রুবদা মহাক্লা খুম্মকই- "ম্নারে, নখোয় অনীমক ঐগী কারদা চৎলসি।"

অহল অদুগা বিদাই তৌনরগা ঐগী শঙমচা (বাসা) অদু তাম্না লাকপগী লম্বীদা ঙাইহাক পোস্ত ওফিসতা চঙদুনা সেব্বীদা তেলিগ্রাম অমা থাখী।

মরোলদি- "ঐ নণ্ডগী খোঞ্জেল তাবদা য়াম্না নুংঙাই, থা তরুক ফাদ্রিঙেদা হিমালায়াদা কোয়রুগদবনি।"

অহিং অদুমদি ঐ তৃমথনবা হোৎনবদা হিমালায়াগী ম্রাখলদা কুইনা লূপশীনখিদ্রে, অণ্ডাংশিং অদুনসু কা হেনজিন্না হায়জীল্লকপ্রা হায়না ইথক্তা চিংননা খল্লম্বদগী অদুম তৃমথখ্রে।

(৪)

কাব অদুদা পূন্না লাকমিন্নখীবা ঐখোয় মরীনি, সিখ ড্রাইভর অদু থারগা। মমাংঙৈগী লন্নাই কাব মখল অমনি, চাসিস অম্রাণ্ডবা অমসুং টায়াব অচৌবনি; তোংবদা অখন্ননা নুংঙাইবদি নত্তে, অদুবু ঙমখৎলকপা লম্বীদদি য়াম্না য়াঙনা থৌবা য়াই, ঐখোয়গী মাঙ-থানা চৎখ্রবা কনভোয় গাড়ি পূম্নমক হেনকৎলকই। লম্বী অদুদি য়াম্না ফবা ফীভমদা লৈরম্বা থেংনখী। মেজর অদুনা হায়বদা, লানগী মমাঙদদি লম্বীমশাঙ অদু নোংজুথাগী মতমদা গাডি চৎপদা কয়া নুংঙাইরমদবা ওইরমানে। মতম অদুদদি লোইনা কোলাস থারে, নুংঙাইতবা হায়ববু লোইবা নাইদনা মথঙ-মথঙ লৈরম্বা লম্বীগী খংথেক-খংথেক থেকচীনবা, মাঙদা করি লৈবগে খঙদবা ব্লাইন্দ কোর্নরশিং অদুতনি। হায়রীবা কোর্নরশিং অদু সিখ ড্রাইভর অদুনা হৈশিংনা, য়াঙনা থেকচীল্লকপদা উঙলীবা টায়ারদগী তোঙানবা মখোল খোরকই, হোর্ন অদুসু হৌন-হৌনা খোংই।

সিখ অদু সুবেদার অমনি, ভাইসরোয়গী কম্মিসন্দ ওফিসর অমগা মান্নবা, য়েংবদসু ফজবা মীওইনি-মখোয়গী চৎনবীদা, অশেঙবা কোয়েৎ ফজনা য়েৎলি। মহাক্কী মকোই অদুনা অমুক্কসু মগুণ লৈহল্লী। মহাক্কী মকোই অদু হৌদ্রবসু, ওইরম্বা য়াবা শকওই অদু ঐনা অশুম খনবদা... মহাক মগুণ অদুম লৈগনি। হেন্না ঙৌরল্লবদি, ইংলিস পব্লিক স্কুল অমদগী হৌরকপা রগবী শান্নবদা হৈথোই শিংথোইরবা মীশক অমগী মওং মাল্লমগদবনি, অদুবু ধম্মগী চৎনবী ঙাকুনা মকোই কোক্তবদগী মহাক্কী মায়থোঙ অদু মমাংঙৈগী রোম লৈবাক্তা লৈরম্বা অচৌ-অশাঙ ফম্নাইবগী মশক মালহল্লে। মহাক্লা মেজর-অদুদা সার

হায়না মিংগৌই-কা হেন্না (ব্যবহার) ইকায়খুম্নবগী বা নত্তবদা, চুম্নগী ফমথোন অদুগীদমক্তা ওইনা। মহাক মশাগীসু, ফূবীৎকি লেংজুম মথক্তা হাপ্লীবা, ভাংলপ তৌবা নাপুগী বীলায় অনীদুনা খণ্ডহল্লীবদি, বৃতিস সারজেন্ট অমদগী থাক খবা হেল্লপ তৌবনি মহাক। বাহে খূদিং মচা খায়না, তপ্না-তপ্না ইংলিসনা ভাঙই, লান্দনবা চেকশীল্লি। মালায়াদা শোক্লখিবা লাল অদুদগী মানা নানথোরকপা মতম অদুগী বারী ঐঙোন্দা অশুম লীবা হৌরকই।

"এরোপ্লেন্দগী বোম কা হেন্না থাদবী, নুমিৎচুপ্পা ঐখোয় এরোপ্লেন মখোল তাদুনতা লৈখি- পাংখা অমত্তা পানবা ফাইতর প্লেনসু য়াওই, অনী পানবসু য়াওই।"

"হৌজীক্কদি খবা খেন্নবনি।" ঐনা হায়।

"হৌজীকতি, ঐখোয়না অমুক কা হেন্না বোম থাদরে, কা হেল্লি হায়রবসু... মশীনা মতীকচানা ওকপদি নত্তে।"

"নঙগী পূক্লিংদা জাপানীজশিংসে নুংশিদবা নত্রা ?"

"সাব ! মালায়াদা... ঐগী অথৌবা থাঙনা জাপানীজ অমগী মকোক্তী ককখী। ফজবা নুংঙাইবা থবক্তী নত্তেদা, মী অমগী মকোক ককথৎপা হায়বসে... অদুবু ঐ হুন্দকমুকসু ককখীনি পেন্না... ।"

কাব অদুগী মনীংগী ফক্ফমদা মেজব অদুগা মেন্নীঙগসু ইংলেন্দগী মবমদা বাবী শান্নরী। মেজব অদুদি মশাগী বাফমতবু চুম্মী খনজবা মীদানি-বারী শান-শানা মশা মথক্তা পেঞ্জবগী মওংদা নোকচৈ। ঐনা নাকচী ওইনা মঙোন্দা হায়রপ য়েংবদা মনুং কনবা মীশক অমা ওইনা মাগী অতূম্বা নাতোন অমসুং অপঙবা মানবা মথদাঙ অদু মুন্না উখি। অদুম্নদি ওইবগা, ঐনা হায়জখিবা অদুনি-মঙোন্দা থৌজালগী মশক অমদি য়াওরী। মঙোন্দা তোঙান্না লৈরিবা অপঙবগী মওং অদুবু হেক শীঙনরুদ্রিবমখেদি, মহাক তিন্নবদা নুংঙাইবা মীশক অমনি। অহানবদদি মেন্নীঙগী মফমদসু মহাক মশাবু, তিন্নবদা নুংঙাইবা মীশক অমা ওইনা উৎচরুবনী... মরমদি মেন্নীঙনা মাবু নোক্লীংনা; ফাগীগী মীশক অমা ওইনা খল্লীবদু, মহাক্না খঙজবা ঙমখিদে। মতুংদদি মহাক চিংনবা

গোকলজুনা, মশাবু কনথোকচবা ওইনা, ব্রারী শানবদুদা খরা শাওরপ তৌরকই। ঐওোল্লোমদা অমুক ব্রাখল চিংশিন্দুনা মেজর অদুনা হায়রকই- "ঐখোয়গা চংমীন্নরিবা, নহা ওইরিবা মরূপ, এরোপ্লেন থৌবা নুপা অসিনা ঐগী- মরমদা লোইনা খঙগনি।"

ঐখোয়না তোংলিবা কার অদুনা কোহিমা য়ৌরকপদা পূং অমগা মখায় চঙখী। কোহিমা হায়বসি নাগা হিলসকী অৱাঙবা মফম অমদা সমুদ্র ঈমায়দগী ফুট লিশিং মঙা ৱাংনা লৈবা মফমনি। মফম অদুদা ঐখোয়না য়ৌরকপদু, অয়ুক্কী পূং তরামখায় তাবে। নুংশিং যাম্না শেংই, হকচাঙ তেকখংলী অমসুং অকোয়বা লমদম অদু য়েংলুবদা, অশঙ অমালনা মরাঙ কায়রবা ইংলেন্দগী লমদা বসন্ত খিতু চঙলকপা মাল্লকই। কারদা য়াওবীবা নাকলগী মিংশেল লৈথরুবদা, থোইদোক্লা পূক্নিং হকচাঙদা নুংঙাইবা ফাওহন্না, ব্রাখল চাউথোকহনবা নুংশিংনা ঐগী মাযদা হুমজীল্লকই। নুংশিং অদুবু ঐহাক্লা য়া কাথোকচরগা হকচাঙদা কান্নরবা গোংশক অমগুম চিংশিন্দুনা য়োংশীল্লি। অদুবু, অমুমুক লৈশীল্লকপা কোর্নব, চীংলম্বী অদুগী খংথেক-খংথেক থেকলকপদা চিঙ-চিঙ লাওনা পঙথবা মওং অমদি ব্রাখল অসিদা ফাওরকই।

ঐগী পূক্নিং ইবাঙ লাঙই; মরমদি কোহিমা হায়বা মফম অসি য়ৌরকপদা, ঐখোয়সু লানফম য়ৌরক্লবগুম্না খল্লী। সিফায় কয়া অমসু লৈরমলে, তপ্না তপ্না চংলম্বা, মশা মউ খীঙনা কন্না চংলম্বসু কয়া'মা। ফিজেংকী মবমদসু অপাম-পামদ হায়বদু লৈরমদ্রে, পূম্নমক জঙ্গলগী ফীজোলনি। মী অয়াম্বা জঙ্গলদা চঙনরুরবা ঙাক্তনি... জঙ্গল হায়বা ব্রাহেসি মশাদা লোইনা চুশীন্নরবনি। মী খরনা তম্বুর অমগী মনাক্তা ইকোয় কোয়না চা কপ অমমম শায়দুনা লেপ্লা লেপ্লা থক্লরম্বসু য়াওই। য়েংবদা মখোয় অদু, থোকউ থোকউবা মফমদা করিসু হাথু-হাথুবা লৈতনা পূল্লম্বসু মাল্লি, অদুবু মপাম্ফোংগী শকওই অদু নত্তবদা থোইদোক্লা মচিং লৈবা শাজং অমদি মখোয় পূম্নমক্তা য়াওরী হায়বসি মশানা অদুম তাকই। মখোয় খরা অমদি ইতন তম্বা মান্না কাগি জুগায়সু তৌনে। মখোয় অদুগী মরক্তগী কনানো অমনা ঐখোয়গী কার অদুদা থকসি খাসি নাইদবা

মওংদা মখূৎ হাইদুনা সাইন তৌরকই। মানা মখূৎ হাইরকপা অদুগী অর্থসু লৈ, লক্করকপনি নোক্লীংবা মওংদা। মেজর অদু শাওরকত্রা খল্লুবনী, অদুবু খওশীন্নদনা মহাক্না হায়রকই- "অসিগুম্বা অওাংশিং লৈরব্বসিসু নুংঙাইবা মখল অমনি।"

মহাক্না অদুম্না হায়রকপদুদা ঐদি হেন্নদুম মওোন্দা য়ানিংবা পোকই, মরমদি মশাবু মীনা লকুনীংবা পোকই হায়বদুফাওবা খওজদবা মহাক্না পাইরকী ওইনা য়াম্না ফজনা পূকচেল চাউনা খুমদোরকপদুদা...।

ঐখোয়না, কোহিমাগী খরা য়্রাংখংনা লৈবা মফম কয়াদু ফাওনা খৌরকপদা, থাজবা ওমদবমখে ফজত্রবা লমদমগী শরুক অদুনা ঐখোয়গী মীংয়েং চিংশিনখি। য়েংলোমদা লৈরম্বা চীংশাও নাপোম অদু অশুম-অশুম য়্রাংখংনা খা মাইকৈদা শন্দোকপ্রি। ওইরোমথংবদনা অমুক শংবানবা চীংলোন কয়ানা মরোল মরোল অসুম চংখিদুনা ভারত অমসুং বর্মাগী মরক্তা খূদম অমফাও হক্তুনা লোন্নরীবা লমখৈগী শরুক অদুফাওবা লৈপ্রি। জঙ্গল ওাক্তা ওইরবা চীংলোন কয়া অদুগী শংবানবা মচু অদু পূক্লিং অসিনা খক কাউবা ওমখিদে, ঐনা লমদমশিং অদুবু ফাওদুনা ইহান হান্না চংখিবা নুমিৎ অদুদগী হৌনা। শংবাননা নিম মচু মান্না ফজরবা মচুগী মায়খুম মখল অমনি হায়নীংই, মচু অদুসু, ওইরক ওইবকপা অতিয়াগী শকওইগা খেন্নন উই, অমসুং কবিগুম্বা অমত্তদসু হায়বীবা শংবানবা মচুগী মায়খুম অসি হাইদোক্তুনা অশেঙবা অশঙবা জঙ্গলগী মশক ওইবিবা উ-বা কয়া য়েংশীন্নদুনা হৌরীবা মফম, অওম্বা চীংমায়, তম্পাক অমসুং অশুকপা মফমশিং অদুবুদি অমুক উহনবা লৈত্রে...। অশুম্না অরাপ্পদগী য়েংলকপদদি ওম্বোক্না ফজপ্রে... শংবানবা নিম মচু অদু ওম্বোক্না মেঙপ্রে অমদি অথোংপা হায়বদুগী মরাও কায়রবা শক্তম অমনি হায়না লৌদবা ওমদে।

মীংয়েংগী মায়কৈদা উরিবা ফজবশিং অদুদা পূক্লিং লূপ্নীওে মিকুপ অদুদা কেপ্তেন মেম্নীওনা হায়রকই :- "শিরগা ফুম্ফমগী মরমদা অপাম পামদা খনবা মীশক অদু করিগুম্বা ঐসু ওইরম্বা খোক্লবদি, লমদম অসিগী মথক অসিবাইদা ঐগীসু অচম্বা মোংফম অমদি লৈবা পামজে।"

"নহাকসু অমুক অনীরক অশুম-অশুম চংলবদি করিসু য়েংনীংবা পোক্লোয়।" মেজর অদুনা হায়রকই।

"ঐনি মসি চয়োল খুদিংগী উরবনি; অমুক উবদা খুদক্তা অদুম খঙলে... নঙসু, মসিদা করিসু হৈনীংবা পোকনক্রোয়... অদুগী মহুত্তা, মপুঙ ওইনা ফজবা খয়া খল্লুনে,... খুদম ওইনা হায়রবদা, ইংলেন্দগী লেকদিস্ট্রিক্ট কুম্বা মফম অমা।"

মহাক্তী পাকশন্না লৈরবা ফজবা দৃশ্য অদুদা থুক লাউবা পোক্তে... অয়াম্বা বৃত্তিস আর্মী ওন্নমক মহাক্তৌনা তৌরমগদ্রা...। ঐখোয়, লম্বী অদুদা চংলম্বা মী পরেং কয়া হেনকংলকই, মখোয় লোইনা খুংগু খুংলায়, নোংমৈ য়াওই। কোন্নদি কনভোয় কাণ্ডবুগী লোরি কয়াসু থেংনরে। লম্বীগী মতাই পরেংদা অচৌবা ফিলদ গন্ন হাপ্তুনা গাড়ী কয়াসু চংলম্মী। পিক্তকপা তেক্ক অনীসু চংলম্বা উরকই। মখোয় পুন্নমক্তু হেনকংতুনা থৌরক্লে। মাইল খরা চংলগা লৈরম্বা আর্মী কেম্প অমদা ঐখোয় চা কপ অমমম থককিসি হায়দুনা লেপ্লমই। মপান্দা লৈরম্বা অহাওবা, ফম্লবা কানশাং খরদুগী মথক্তা ফমদুনা পোখারে। কোয়েং য়েংখোকবীবদা উবা ফংই- চীংথক্তা লৈবা, নাগাশিংগী খুঙ্গং অমা। মফম অদু চীক্লা নুংশিবা পোকই, খ্বাইদগী নুংঙাইনা, কালেন্থাদা মতম লেনবা য়াবা মফমনি। অনকপদা হৌরম্বা উপাম্বী অমদা, উচেক অমা হরাওনা খোংবগী মখোল তায়। উচেক অদু খোংনা খোংনা অশুম ব্রাংখংনা পাইখি ঐখোয়না মাবু হেক উত্ত্রিবফাওবা।

মপান্দা চা কপশিং পুখোরকপা হোটেল অঙাং অদুগী কুচু অদু শক্লোমনা শাবা চোকলেটকী মচুনি, মমিং অনী অদুসু মোক্তোলিয়াম্নী, শাংতক-শাংতক তৌই। ঐখোয়গী মাঙদা লৈবা তেবল অদুদা পাত্র হাপ্নীবা মাগী ত্রে অদু থম্মমক্তা, মেজর অদুনা জগ অদুদগী চা হৈ-ন হৈ-না হায়রকই- "ঐ মমা শারগেকো চিনি চামচ অমরা-অনীরা হায়রকউ হাপকদবা।"

মতাঙ অসিদা, তুংদা লৈহৌবা- তেক্ক অনীদুসু য়ৌরক্লে। ওফিসরশিংদু কুমথরকই, সিফায় মঙা তরক্তা লোয়ননা। মখোয়সু মায়েক্লনা ফম্মীন্নরে। সিফায় মরক্তুদগী অমনা নুংঙাইখোক্লা হায়রকই-

"জী-নাই তায়সু তালা, লৈকম চাকম নুংঙাইবা অমদি পাম্মিদা ! অস ! ইংলেন্দগী ওদিওন কেফি দা মিনিট মঙা ফাওবা লৈরক্তে হে ঐ !"

"মদুদা লৈরগা করি তৌগদৌরীবনো হায়রবা নঙ খঙপোৎ নত্তে।" সিফায় অমনা খুম্মকই।

"করি তৌবা হায়রবু করিনো ?"

"ওদিওন হায়বদুগী রানি।"

"রাইমি!" রাচোপকী খোঞ্জেলদা খুম্মকই। "নঙ লৈরগা খঙগদবনি।"

"এ: ঐনা ওদিওনদা তৌবোইদবা থবকশিংদো!"

"ওদিওন-দা তৌগদবদু ঐ হায়গে, নঙনা রা ঙাঙবা হেক হৌরুবদা মমিৎ নোংথাংকুম্নী লৈশাবী-ময়ামনা... এ :... নঙ ঙাওনি।"

মখোয়শিংদু অয়াম্বা লোইনা চুরুট চমদুনা থক্লে, নুংশানা মমায় অদু ইঙাঙ-ইঙাঙ ঙাঙশীন্না,... লোইনমক মশাদি ফৈ। ইংলেন্দগী ইদজবায়র রোদদা লৈবা মমল হোঙবা মফমশিংদুদা মখোয়না লৈরমগনি হায়বসি পাক খনবা ঙমদে। মখূৎমশাদুসু ইমোৎ মোৎনা উরে, অরেম্বা লেমদবা খায়দনা থবক অমা হেক্তা পায়বা য়ারবা খূৎ ওইনসু উরে।

ওকিসব ওইরিবা অনীদুসু য়াইমরল তৌবা থাক্তি অঙাংশিংনি, মকোয় অনৌবা চোংখৎলকপা হৌরে। অমদি, অরাব-মীৎযেং চঙনা, শিংবা খরা রাংশা মাল্লী, অতোম্নদুনা রাংই, মশম অমুবা জুম-জুম হৌই, মহাক্কী চাউবশ অমসুং লাউত্তক তৌবা মচীল অদু নুংশাগা মায়োক্লবদা কনশীন্না কংশিনবা মাল্লি।

"নখোয় কদায়' য়ৌগদৌরীনো ?" মেজর অদুনা হংই।

"হেয়া...! অসিবু হংঙিবনি হায়দনা...।" সিফায় অমনা হায়রকই।

"ঐখোয় ইশাসু অমত্তা তশেংনা খঙদে।" অরাঙবা ওকিসর অদুনা খুম্মকই।

"মিৎ-থকপা সিনরী (দৃশ্য) অসি য়েংন-য়েংনা অশুম কোইচৎ চৎপা হায়বদুনি।"

"স্বায়দা হৌজিকফাওবদি জাপানীজ য়ৌরক্লিকো... ?"

"ঐদি 'য়াম্নদসু মখোয় য়ৌরক্লবরা খল্লী... অশীকপা মীনায়মচাশিংদু মকম খুদিং, পংয়ৌ য়ৌবা জাতনি।"

"নত্তেদা,... মরেপ খরা ৱাংবা ওফিসর অদুনা হায়রকই।" নাগা তাবা লমশিংদা মখোয় খরা অমদি চঙশীল্লক্লবা মাল্লি, মরুওইনা খুদোংচাদবা ওইরিবসি ইম্ফালগী নাকল অমদনি। মখোয় হৌজিক, তিদিম রোদতা চঙশিল্লক্লে... হোয়, ইম্ফালদদি খরা পাখংনরবগী মওংনি।"

"ঐখোয়না হৌজিক চংলীবা লম্বীসিদা মখোয়নবু হেক য়ৌরক্লিবমখৈদি...।"

"য়ৌরকপা ওস্মোইদা... ঐখোয়গী বোক্সতা য়াওনরিবা গুলি ময়াম অসিদবু.... শুকত্তম ওস্মোই। সিকায় অমনা হায়রকই। নখোয় ময়াম অমুক হন্দোকখিত্রিবকাওবা ঐখোয়না ওাক্কনি।"

"মখোয় অমত্তা চত্তহল্লোইদবনি, ঐনা খুল্মী। ঐখোয় লোইনমক অমুক হল্লকপসি ঐখোয়গী অপাম্বনি।"

মকম অদুদগী অমুকহল্লা ঐখোয়না য়ৌরকপা হৌবদা, ওসাই তুংদা লৈহৌবা কনভোয় পুবা লোরি ময়াম অদুগী মনীং ইথত্ত থংবা গাড়ী অদু মকম অদুদা য়ৌরকপদা ওায়রী। চীংচেগ্তা নত্তুনা চংলিবা লম্বী অদুগী খংথেক-খংথেক থেকচীল্লিবা ড্রাইন্দ কোর্নরস কয়াদা, পাকথোকপা, অহাওবা মকম লৈরমদবনা লোরিশিং অদুবু হেনকংনবা হোৎনবদা মতম চত্তনা মাইল খরদি শাংনা চংপা তাখি। সিখ ড্রাইভর অদুনা নকশীল্লা গাড়ি অমগী মতুং ইল্লগা, তাঙ্গা ফংবগা লম্বীগী নাকল অহাওবদা য়ৌগত্তুনা হেনকংলক্লবসু মাওদা গাড়ী অমুক লৈরম্বনা, মদুগীসু অমুক মতুংইল্লা ওাইহাক ওাইহাক্তি য়ৌবা তাখি। খা মাইকৈদগী য়ৌবকপা লোরি অমসুং জিপ কয়াগসু ঐখোয়গা থেজায়নগদবা খজিক-খজিক্তা মওায়। অওল্লা মথত্ত মথত্ত হেনকংলকপদগী কোন্নদি কনভোয়শিংদু ঐখোয়গী তুংদা লৈহৌরে, ঐখোয়সু পুংখায় অমরোমগী মতুংদদি ঐখোয়ওাক্তা ইনীংঅল্লা লমজেল তায়বগুম খোত্তজেল য়াওনা, লম্বীগী মতুংইল্লা কয়া য়ৌরক্লে।

লম্বীদা নাগা তাবা খুজং অনী অহম ফাওনা লাকই, লৈশাক্লা ফক্লাও

ওইবা য়ূম মচা-মচা উরকই। ঙাইহাক্কী মতুংদদি লম্বী অদু লিনগী মঙুংদা থেক্লা-থেক্লা মথা পাংনা হাইথরক্লে, অদুকাওবদসু চাংচেত্তা অদুম কচুনা চৎলি, করিগুম্বা মকমদা নীংখায়রকপা চাংগী লৈপাক্লা লম্বী তংখায় অমা থৎলক্সু য়াওই। য়েংথোক্লুবদা উই-দিমাপুরদগী মাইল মরীফুডা লাপ্লকপগী মাইল খুতি মুংলিবনুদা লোয়ননা ইম্ফাল য়ৌগদবা মাইল নিফুতরেং মাংলী হায়বদু ঐখোয়গী পুক্লিংদা থম্লে...পুং অমগী মনুংদা ইম্ফাল তম্পাক ফংলগনি হায়না। -

কার অদুগী মনীংগী ফমফমদা মেজর অদুদি উইদুনা ফম্লী। মেম্রীঙদি নাকলগী থোঙনাওদা য়েংথোক্তুনা অরাম্বদা মীংয়েং থম্লী। ঐহাক সেব্বীগী চিঠি হাংদোক্তুনা পাই, অকোনবগী পেরাগ্রাফ অদুমদি হনজিন হনজিন্না পাই। মাহেশিং অদুসু মহাক্কী মীংয়েং অদুমক্লী মহাক্কী মায়থোঙ অদুমক্লী। ঐগী মীং অনীদা য়াওরীবা শিগী মরীকশিং অদু তারকপা ঙমখিদে, মরমদি, চিঙ-লেন্নবা সিখ ব্রাইভর অদুনা উখিবা থোক্লবদি নুপা মান্দে খনখীনি কিবদগী। মথঙদা অমুক মার্গারেত অমসুং জেনিফর মচান মনাওগী চিঠি অদু ঐগী হৈনিংদবা মঙদা পানবা হোৎনৈ-অদুবু মদু ওইথোক্ত, মখোয়দা ঐগী হৈনীংদবা বাখল পীরুবা ঙমজদে...মখোয়না খঙজবা থরা ইজরকপদুদা মখোয়গী করিসু অরানবা লৈতে। অমরোমদসু কয়ে, মখোয়না খঙবা অদুম্না ঐনসু হান্না খঙলম্লবদি, ঐগী অপঙবা বাখল অসিগীদমক ঐ অমুক্তা হেন্না অবা পোৎলুম পুরমগদবনি। ঐনা হৌজিক্তা খঙলকপা অসিনা ঙমখে নাইদনা অফবা ওইরে, উপাই লৈতনা ইফম্রা হৌজিক থবায় বানা লাংতক্লবা পোকচরবসু। অসুম খল্লুবদা... হোয়,... চিঠি অদুগী অর্থ অমখক্তনি লৈরিবা... অঙাংশিং অদুনা হান্না খঙবা, ঐনদি হৌজিক্তা খঙবা...। ঐনা নীংশিংবদা নুংঙাইবগী থৌদোকশিংদু নত্তবদা, খুদোংথীবা য়াকশী মতাঙ অমা লৈরকপা। বাখল অসি, ঐগী পুক্লিংদা ময়েক শেংবগুম শেংফাংতবগুম অত্তুম খনখী। ঐখোয় অনী পুন্না থোম্বেগী য়ূম অদুদা লৈমিন্নরকপা অহিং কয়াগী অথেঙবদা আখিবা অরাম্বগী পুংখোল অদুদা... মহাক্লা অকীবা হেন্না পোকখীবগী মরম অদু ঐনদি খঙবা ঙমদনা ইশাগী নুংঙাইবতা খনখীবা।

অঙান্না, য়াঙনা থৌরক্লবা কার অদুগী মনুংদা য়াওরীবা ঐখোয় মরীমক মাগী মাগী বাখল অমদা লুম্লদুনা লৈনরিঙে মতম অদুদা ইখঙ-হেক খঙহৌদনা

ফাব অদু লম্বীদা ময়াম্ থংলে ইলেশিন্নগী চপ লৈতুনা থাবখি। সিখ-অদুগী মখোঙমা ব্রেক-তা খঙনম নমশীনবদা, ইথঙ খঙহৌদনা অশোক-অশন ফংলবা শা অমনা খোংলকপগুম, চাকান্সিং অদুনা শীংপগী মখোল তাখি। ঐখোয় পুন্নমক ফম্ফমদগী মাঙলোমদা থঙইন ঈশ্নগা তুম্মীন তুম্মীন লৈনে। কাবগী ইনজিনসু মুংগ্রে-মখোল থোক্রে, ঐখোয়; কবিনো হায়বদু খঙদবনিনা মাঙগী ব্লিন্দস্ক্রিন (মিংশেল) অদু ফাওদোকনা মুন্না যেংনৈ।

চংলীবা লম্বী অদুগী মাঙমক্তদা অপনবা অমা লৈবে, পিক্তক তৌবা উপাম্বী অমা মশা মবেংগা লোযননা ফৈগাক ফৈনা থত্তুনা লৈবিবদু উবে। লম্বীগী নাকল অনীদুদি ইতাঙ হাঙনা লৈ। তুংদনা, হৌজিক্তা ঐখোষনা পুংদা মাইল কুন্না শী চাংদা থৌবকপদুগা লোযননা থেকচীন্নকপদা ঙায়বিবা কোর্নব অদু লৈখি, মাঙদসু, থেকচীনগদবা, অশোমদা কবি লৈবগে থঙদবা অতোপ্পা থংথেক(ব্লাইন্দ কোর্নব) অমসু লৈবিবা। যেংলোমদনা চপ ঙন্না চীংগী নাপোম অদু হাইগংখ্রি, ওইবোমথংবদনা জঙ্গলগী উ-বানা কুপশীন্নলা ঈচেল অমগী খোঙনুং অমা উবগুম-উদবগুম তৌনা লৈ।

ঐখোয় পুন্নমক কাব মনুংদুদা ব্রা ঙাঙনদনা মুন্না যেংনবী। ঙাইহাক্তং তুম্মীন তুম্মীন লৈনখিবা মিকুপতুদা, ঐখোয লোইনমক্কী ব্রাখলদা ওইথোকপা যাবা ভাবনা শাবা অফবা মওং অমদি, লম্বীদা লৈবন্নিবা অপনবা অদু কাবিসু থোইনা ফংতবগী ওইবোই হায়বসীনি।

"মশিবু তুরকপা ওইব্রিগদ্রা ?" ঐনা তপ্না হায়বী।

"ওইবসু য়াই।" অমনা তপ্না খুম্মকই।

"সাব ! মশি য়াম্না লায়না লৌথোকপা য়াগনি। সিখ অদুনা হায়বকই। ঐ, ইকোম কোম্না লৌথোকচগে।"

"ঙাইখো !" মেজবুনা হায়বকই। মত্রাঙ অসিদদি মহাক্না কুম্মান্দ তৌফম থোকই হায়না মানা থাজবী। ঐখোয় ঙাইদুনা লৈবে, লম্বীদা ফৈনা লৈবিবা উপাম্বী অদুদা হেম্না অমুক চেকশীন্না য়েংনে, তুবক্লিবা উপাম্বী অদুগী মখোঙগী শকতা উবা অমত্তা উবা থংদে। ইন্দকমুক্তি ব্রা অমত্তা ঙাঙনদনা ঙাইহাক কুইনা

লৈনখী, অমসুং ঐখোয়গী লেংজুম লেঙনদনা কোক অসি তপ্না তপ্না লৈথোক্লুনা জঙ্গলগী নাকল-নাকলদু য়েংনখী। অচৌ-অচৌবা উপাম্বীদুগী উরীগী চবুল চবুল য়াম্থিবা অমদি অশোঙবা মফমশীং অদু নত্তনা অকৈ-অয়ৎপা উবা ঙংলমদে। খোঞ্জেল অমত্তংদি তাই, উচেক লাব-অমোম অনীগী, অচীকপদুনা মক্লা খোংলকপা খোঞ্জেল অমা। ঐখোয, লম্বীদা তাবিবা উ অদুদা অমুক হন্না য়েংঈদ্রে, বা ভাঙনদনা, চীক্লা লৈনবগী মওং অদু খাঙ্বদ্রা য়ুরক্লুদনা, ঐনা খল্লী... 'মেজব অসিনা য়া ভাঙ্গলক্কবদি ফুগনিদা...।'

"তৌরিবসি অচুম্বা ওইনা লৌবা, য়াম্না য়বম অমুদি লৈ"। মনা মমৈথঙদা হায়বকই। "মাঙলোমদা খবা চৎলগা কবিগুম্বা খুদোংথিবা এক্সিদেন্ট অমা থোকলম্বসু য়াই।"

মদুসু খনৈ, খন্নবিবা পূম্না চপ মান্নৈ। মেনীঙদি, মশাদা কবিগুম্বা থুক লাউবা অমত্তা পোত্তনা, কোম্মুদা থৌনা লৈনা হায়রম্লকই।

"ঐদি মসি, ওইথোকলা য়ানা, অপলিহনা তৌবনি বল্লী। ঐখোয়না কাবদগী কুমথবকপা মখোয ভাইবিবনি।"

খঙহৌদনা ঐগী হক্চাঙ পূম্নমক অকীবনা অরকপীনম্বিবগুম কাওবনই। ঐনা খল্লী, অবোয়বা মতম হায়বদু লাক্কগনি... মিকুপ থোরগী মনুংদা ঐ শিরগনি... ওহ! ঐ শিববদি, সেবীসু মথন্তা হন্দোকপীবম্না তারবা!...'

খঙহৌদনা মিকুপ অদদা, ঐগী হৌঙবা পুন্সিগী মতম কয়া শংশঙনা পৃক্লিং অসিদা উবকই, অমসুং মদুতা নত্তনা ওইথোকপা য়াবগদবা থৌদোক কয়া অমসু মশেল মবাং ঐগী বাখল অসিদা শাইশিনলকই। পূম্নমক অদুগী মবক্তা ঐগী থম্মোয় লোকহনখিবদি-ড্যাকিসবুক্রীদা লৈহৌবা ঐখোয়গী য়ুম অদুনী। হেক্তা মনুংদা ঐগী ইমানা, ঐহাক শিক্লে হায়বগী তেলিগ্রাম চেং অদোমুনা পায়দনা অদুনি। খুদক অদুদা ইমাগী থৌনা অমুক লাকপীনম্বগা ইথন্তা ন্নহন্না হৌবকই- "ঐখোয় মরী সুরিনা..., হৌজিকফাওবদি করিসু কত্তবা থোক্ত্রি।"

... ইনাক্তা কল্লীবা সিখ, হায়বগুম অদুদা য়েংলুই- মহাকী মুখাজল লৈবা মাল্লবা অচেৎপা মায়থোঙগা লোয়নবা মীৎয়েং অদুদি চুমদ্রিং মাঙলোমদা মিকুপ

নাহমশিংনা চেকশীন্না য়েংলমই। মেজর অদুদি য়াম্না পাখংনা উরে, মখূৎসু নিক্লে...বা ঙাওখোক্লবা হোৎনবদা মচীনদি লেঙলগা খোঙ্গেলদি খোকলমদে। ঙাইহাক্কী মতুংদা মশাগী থৌনা ফাজীনজরগা ঙংলপ তৌবা খোনখোক্তা হায়রকই। "ফীভম চেংনা ফন্বা ফৈ, মিনিট কুনলোমগী মনুংদা কনডোয়সু রৌয়ক্লগনি।"

মতাঙ অসিদা জলগী উরক অদুদা চীক্লবা উচেক অনীগী খোঙ্গেলনা ঐখোয়গী ব্রাখলদা অয়েংগা পীখি। ঐনা উশা উরক অমসুং অহাঙবা মফমশিংদুদা তপ্না অশুম য়েংখোকই, উচেক্কি মশক উরমদে নত্রগা জাপানীজ সিফায়সু অমত্তা উরমদে।

মেন্নীঙদি ফুরিংখাওদগী চুরুট কেস অমা লৌথোবক্লগা হাংদোক্লুনা ঐখোয় পুম্নমক্তা অমমম লাক্লকই। ঐগী নিক্লপ তৌরবা খূৎনা অমা লৌরগা; চীনগী মফম চাবা চাদবা অমুক খল্লুদনা চীন্বাল অনীসিনা চপ্তুনা থমখি। সিখ অদুদি চিঙলেন্না মেন্নীঙদা খুমজরকই, "অদোম্বু থাগচরী, ঐখোয় সিখশিংদি চুরুট থকচদে।"

চুরুট চান্নবা মেজর অদু মৈখেং খেংলকই, মাগী মৈখেংকি মৈরী অদু ফাওবা লৈতাবম খওদনা ইপা পাখংলি। মেন্নীঙনা নকশীল্লগা, মখূৎনা মৈখেংকি মৈরী অদু মেজরগী চুরুট মতোনগা শম্নহল্লগা চমহল্লী, অদুগা মহাকসু মাগী কন্ফম অদুগী কাচিন ওইরপ্না তুংলোমদা ঙাশিল্লগা মচান্দগী চুরটকী মৈখু শাংনা কামখোক্লগা ব্রাখল তৌনা লৈ।

মেজরদা মহাক্তা তপ্না হায়রকই- "সার, ঐ ব্রাফম অমা হৌদোকচনীংই, করিগুম্বা উ অসি তপেংনমক ঐখোয়বু ফাননবা লাং ওইরন্নবদি, ঐখোয়না কনডোয় কাংবু অদুসু লাং অসিদগী কলহৌবদি ঙমগনি।"

"নঙনা হায়রীবদু গাড়ী মমাই লৈখোক্লগা অমুক হন্না থৌখীবা অসিরা ?"

"খল্লীবসিনা লাক্লম্বা তায়গদি, ঐখোয় অপাঙবদি তারে।" মেন্নীঙনা মখা তারকই।

মেজর অদু খাওবা ওমদনা খোঞ্জেল কল্লপ তৌনা পাখংনা হায়রকই-

"অদু ওইরদি নওনা হায়রীসি করিনো ?"

"ঐখোয়-উ অসি লৌখোকপদি ওন্না য়াইনা...মদুদা করিসু তৌরক্লবদি, তপ্পা অদুম চংশীবা য়ারে।"

"হা ! মসি লৌখোকপা হায়বা... ?"

"ইয়াও য়াংবা পোংনি, মী অমত্তনা ওন্না থবকনি।"

"মদুদা খুদোংথীবা থোক্লবদি কমদৌবা... ?"

"থবক অমদি লৈ তৌবা য়াবা... কার অসি থুনমক ওন্নখে মনীংহল্লা কাপখিবা... য়ারে হায়বা কান্দা মমায় লৈথোক্লগা কনভোয়শিংদু উননবা অদুম হনস্লবা...।"

"অস: করিসু নত্তবদা ঐখোয়বু য়ায়া বাহনগদৌবিদা !"

"হোয়, মদুসু ওইবা য়াই।"

"ওসাই রেস্ত-কেম্পতা থেংনবা লেফটনেন্ট অদুনদি স্বায় অকোয়বসিদা জাপান লাকত্রি হায়রকপনি, মখোয় লন্নী অসিদগী থরা লাপথোক্লা শোয়দনমক লৈরম্না তারে।"

"জঙ্গল অসিসু লোংপগীদমক্তদি মরাও কায়না চাউই।"

"ফরে, উ অসি লৌখোকপা তারে।"

"সার, উ অসি ঐ লৌখোকচগে, ঐবু কারদগী কৃমথবা য়াহনবীয়ু।" সিখ ড্রাইভর অদুনা হায়রকই।

"মদুদি অমনসু অদুম তৌবা য়াই- করিসু কায়দে, ঐখোয় পূম্নমক চপ মাস্লে।"

"ঐনা খনবদা, মসি ঐওোন্দা শিন্নবিবা পাম্মি, ড্রাইভর অসিদি গাড়ী অসিগী তওাইফদবনি।" মেন্নীওনা হায়রকই।

"ফরে, মেন্নীওনা চংলসি।" মেজরনা হায়রকই।

"ইনজিন স্টার্ট তৌরো, মেম্নীওনা দ্রাইভরদা হায়রকই। গীয়ার ওহোক্লগা থম্মু মনীং হনখিনবা... খোঙ অদু ক্লাচ্চতা থৌরাঙ তৌনা লৈবো।"

"নওন্না কমদৌবা... ?" মেজরনা পাখৎনা হংলকই।

"কবিগুম্বা অমা হেক থোকপদা, মিকুপ অমত্তাও চিংনদুনা লৈবা য়াদে, পম্বরবদি আশা লৈত্রে... নখোয় পুম্নমক মতীক লৈবনি, মফম অসিদগী নানখোকখো... ভাব তাবেকো।" দ্রাইভর অদুদা ওনশিন্দুনা হায়বম্মী।

"খঙজবে সাব।"

"ফবে হৌজিক্তি... মিনিট অমা অনীগী মনুংদা, তৌবিবা লিলা অসিদা ঐখোয় লৈহৌনা অপঙবা তাত্রা কবিনো...।" মেজরগী মচীন্দা শোল্লি।

"ঐসু অদুম খনজে।" ঐনা ফোঙদোকখি।

ঐখোয় পুম্নমক্তুম্না মেম্নীওগীসু বিভোলভর অমা য়াওরী। হাপফমদগী মাগী বিভোলভরদু লৌখোক্তুনা চেংনা পায়রে। কৃমথত্রে, কাবগী খোঙ অদু মতুংলোমদা দক থিংজিল্লম্লগা পাখৎপা য়াওদবা মাগী খোঙথাঙ অদুনা কাবগী মমাঙদা চঙলীদু উই। মরেপ ম্নাৎবা মীনি, শাবান হিংনা চংখি। মাগী তুপী কায়না থম্লব্না, শমজেং হাৎত্রবা থোইরগ তৌবা মশম অদু নুংশা মঙালদুগা ময়েক শেংনা উখি, মচীনবান্দা চুকট মচৈদুসু অদুম চপতুনা য়াওরী। খুদোং থীবগদ্রা হায়রগী চিংনরবা মিকুপ খরগী মনুংদুদা তাবকখিবা খোঞ্জেলদি গাড়ী স্টার্ট তৌবকপগী মখোল মবক্তুদা শকউদ্রবা উচেক অমনা জঙ্গল মনুংদুদা মহাক্কী মপাঙ অমবু হন্না-হন্না কৌখিবগী খোঞ্জেল অদুসুনি। ঐখোয় অহুম্মক হকচাঙ অসি হাসিশিথবগুম কাব মনুং অদুদগী মেম্নীওবু য়েংদুনা লৈখি। মহাক, লম্বীগী নাকল অনীদা অমুক য়েংলুবা তৌদনা, চুমথ্রিং গজ তবানিখোইবোম চংপ্লগা, সড়ক অদুদা কৈগ্যাক হৈনা লৈরিবা মশা-মরেং য়াওবা উ অদুগী মনাক য়ৌত্রে। উ মনাক্তুদা লেপ্লগা ঙাইহাক মুম্না-চেকশীন্না য়েংখি। কবিসু নংত্রে হায়রগী মওংদা উ মপক্তুদা মখোঙ নাম্মসু থমনি, অমসুং করিসু নম্ভরদুনা ঐখোয়বু ওহোক্লা চিংনহল্লে হায়নিংবগুম, মচক্লা হৈনজবা মাগী লোংজুম অনীসু শাং হাইগৎলপ তৌবগা ঐখোয়রোমদা ওনশীন্নক্লে তৌরক্লিবা মিকুপ অদুমক্তদনি

মখোল হৌরবা নোংমৈ গুলি অমনা মহাকপু লৈমায়দা চিংথখিবা। শঙহৌরবা, থগৎলবা মিকুপ অদুনা ঐগী পূক মথক মখা ওনখি। মৌখাও অদু মিকুপ অমা অনীদি মাগী ফীভমদুদা লেপ্লমই, অদুবু খুনমক মখুত্তগী রিভোলভর তাগ্রে, চুকট অদুসু মচান্দগী নাম্ব্রে, মখোও অনী কারন-কারন তুংহয়া খজিক্তং লাক্লগা লৈমায়দা হাইখনা তাখিবনি। মহাক লেকথনা হেক তুখিবগা, সেকেন্দ খরগী মমাঙদা ডখিবা মহাক্কী মশক, মহাক্না হায়রম্বা বাহে... লোইন্নমক যুগ অমা ফারবগুম পূক্লিংদা ফাওখীবনি।

খুদক অদুমক্তদা হান্নদগী মিকুপ নাহমশিংনা থৌরাঙ তৌরবা সিখ অদুনা ক্লাচ্চ থাদোক্লগা এক্সলেরেটরদা নেংশীনবমক্তা খংচোং চেংনা গাড়ী অদু তুংহন্না পাইখোরকপা তাঞ্জা অদুমক্তদনি অমুক হন্না, দ্রেমা অকীবা ফংনা মেচিনগনশিংনা ঐখোয় তম্না কপচাল্লকখিবা। কার অদু লম্বীগী অঙম্বা নাকন্দা শরুক খরা নাম্বুরগা মমাঙ চাকানা পন্দুনা লৈখি। মিংশেল পূম্নমক কাপখায়ব্রে, দ্রাইভরনা পায়রম্বা স্তিয়ারিং হুইলসু তেকখ্রে, গাড়ি লেপ্প্রে।

কার অদু, লম্বী অদুগী অঙম্ব চাংখাদা মথক-মখা ওন্দুনা তাশিন্নমগদবা অদুদি তাশিনখিদ্রে। খুদক্তা লম্বী মমাঙ্গ লৈবা অশোঙবা নারক চরক্তগী শিক্তক-শিক্তক তৌবা, খাকী শেংপা মীওই কয়া, মতোন্দা শজিন পানশিন্নবা রাইফল উক্তুনা ঐখোয় তম্না চেনশীন্নকখি, পূম্নকোয় কোয়শীনখি। খুদক অদুগা ঐগী রিভোলভরসু কার মনুং অদুদা তাখিবদগী খুৎ নাম্মনা মাদুনা থিরিঙ কেজার অদুদি ইপা-পাখৎনা মাগী রিভোলভরগী মরু অমা অনী কাপব্লোকখি, অদুবু ঐখোয়গী মতম হেনখ্রে। ইরঙ লংনা উবা থাংশাঙ মঙা তরুক লোম, মশক শেংনা উবা ওমদবা মীওই কয়াদুনা কার অদুগী অকায়বা শিংগেল মরক্তুদা থিংজিল্লকখি। থাঙ অদুনা শোক্লগনি খনবদগী, অঙম্বা মিংচেপ্তুদ হেক কুমথরঙ্গ ঐগী লাইবক্তা রাইফল মনীংনা, থোক্তদৌরবা খুদোংথীবা অমব শঙহনবগুম্না কুম্না শুজিন্নকপদা ওাইহাক্তংদি রাম্বরুই। জ্ঞান তারকুপদা, জাপ্পুন ল্যানমীশিংদুনা, ঐখোয়না তোংলকপা কার অদু মখোয় মমাম চঙনা লম্বী মথায়দা ইনশীন্নগা থম্বদু য়াম্না শেংনা উখি। ঐবুসু সিকায় অমনা শঙলমই। ঐগী খুৎ

খঙীডং লেওনুবদা য়াম্না অকীবা শককম অমদা মাগী শক্তিন অদু ঐওন্দা থিন্নগদবগুম উৎলম্লই। মশিং অনীদু ইম্নও নংনা উই। কন্নক মিয়েৌবা মীদানি, ময়া পুম্নমক ময়াম্নদা লোইনা তেকই।

ঐনা কানপুরগী লানবলদা থেংনরকখিবা মীওইশিং অদুগুম্না মহাকসু শাওগনবা, কন্তবা মাল্লি। শক্তিন শিজীন্নবদা মহাক চপচায়বা মীদানি, মহাকী মীৎয়েং নায়েংদা মিনুংশি চেনবা মশক শুকয়াও য়াওদে। কন্তবা য়াখলতা খঞ্জবনা, মথৌনি হায়জনা মাগী শক্তিন অদু হালেওবা লৈতনা থিল্লিংবা মীশকনি।

মখোয়গী মরক্তা য়াওরীবা ওফিসর অদুনা তাকপা মতুংইন্না লম্বীদা কার কৈজিন্দুনা থন্নগী থবক অদু লোইরবা মতুংদা, ঐখোয়বু পুদুনা চৎখীনবা মখোয়গী সিকায় অনীদা হুকুম তৌখি। ঐখোয় অহমবু পুল্লপ ঈন্দুনা পুবা হৌরে। ঐখোয়না চৎকদবা লম্বী, ফাওজিনগদবা মকম... মখোয়গী শক্তিন মতোন্না থওহল্লী, য়া ওাওদে। চপ গুম্না লৈবা তুরেল খোঙনুং অমদগী কাথৎলক্লগা জঙ্গল মনুং অদু চত্তনীন্নকপদা লৈরম্বা খোঙলম্বী অদুদদি ঐশোয় অহম পরেং শানা তুংথ-মাওথ চৎহল্লি। মেজর অদুনা মাঙ থংই, মহাক ওয়োক্লা মথায় শোক্লা উয়ে, মমায় লূকথনা মখোঙ তপ্পা তপ্পা থাংই। মরক মরক্তা মাগী লেংজুমকাওবা মমায় লৈখোয়ক্লগা ঐঙোন্দা য়েংলকপদা, মহাকী মায়খোঙ অদু ওসাই মিনিট কুনলোয়গী মমাঙদা উখিবা অদুদগী কা হেন্না চোকথনা, শোকচান্না উয়ে, অগুকী মতীক য়েংবদা নুংঙাইতে, কনাগুম্না মবাল লৈরবা মীশক অমবু ফাঁসি শগাই য়ৌনবা পুশিল্লকপগা মায়রে। ঐনা তপ্পা মঙোন্দা হায়খী... "ঐখোয়গী অরোয়বদি ওইখীরোইদা।"

মহাক য়াম্না চোকথনা তুংহল্লা য়েংলক্লগা অশাওবগী শোয় হোন্দোয়কপদা ঐখোয়বু শেম্নরিবা জাপান সিকায় অদুনা য়াম্না চাউনা হৈ-শিংবা শানা "য়া ওাওগনু" হায়না লাওরকই।

ঐখোয়গী তুংদা গজ খয়া লাপথোক্লা ইল্লিবা সিকায় অনীদুনা শানরীবা য়াঙীদু ঐ তায়মই, মখোয় অচম্বা সিকায় ওাঙনি, শাখিবা মীওই শাশীন্নবনি হায়বদু মখোয়না ওাঙনরিবা অদুদগী থওবা ওাই। ঐখোয়বু কাবদা নুংঙাইবগী

ইরাও হৌননা, অমনা হায়, "মখোয় অচৌবা ওফিসর ওাক্তা ওইরমগনিকো-কারদা লাকপনিনা !"

"ওইরম্লবদি, ঐখোয়বু য়াম' থাগৎননিহে।"

"অহানবগী নুপা অমা কাপত্তুনা হাৎখীবদু কনাননো ?"

"কুসানো"

"নও ওইজরম্মদি হায়না খনব্রা ?"

"অদুগুম্বা খুৎকাপ অদুনিনে ফজরীসে... অদুবু...।"

"মখোয় অসিসু নানখোক্কেবু হোৎনরক্লবদি অদুম কাপ্পা য়াইনা।"

"মখোয় অসিদি হিংহননীংলমগনি ঐখোয়গী কাওবুনা।"

"ঐদি মখোয়দগী করিনো 'মা তুংকোইনা নীংশিংনবা লৌথোকহৌবা পাম্মীদা।"

"ঐদি ইন্দিয়ান মচা অসিগী কোয়েৎ অসিদুম পাম্মী।"

মিনিট খরা লৈরগা মখোয় অমুক শাথিবা মীওই শারকই। মখোয়গী মরক্তগী অমনা সিখ অদুগী মনঙ্গদা শঙ্গিন মতোন্না পরপ পরপ চৎলু হায়না ইন্নকপদা খওবা ওম্মী মদুদি ওইরকপা য়াবা শীওনবগী মওং অদু পান্নদগী তৌরিবনি হায়বা। তমথিবা মীওই শাজিন্নগদবনি হায়বসি মখোয় চেৎনা থাজে। সিখ অদুদি কল্লা চৎপগী মহুত্তা লপ্পী ময়ায়দা চপ লেপ্লগা মখোয়রোমদা মমায় ওনশিন্দুনা য়াম্লা শাউনা হিন্দুস্থানি লোলদা মখোয়বু থীনা চৈরক্লমই। তুংদা চৎলিবা সিফায় অদুনা য়াম্লা ফিংকৎনা সিখ অদুবু হাৎলগে মতাগুম রাইফল মতোন্দা হাপ্পীবা শঙ্গিন অদুনা মথবাক্তা নম্লগা জাপানীজ লোলদা লাউরকই-"চৎলু-নশা লেংউ।" অদু ফাওবদা সিখ অদু মমায় হাইগত্তুনা চাউথোক্লা লেপত্তুনা লৈরবদা খুদোংথীবা থোক্লরগদ্রা খল্লকপদগী ঐনা জাপানীজ লোলদা সিফায়শিংদুদা হায়খী-"মঙোন্দা শোক পনবা থোকহনবদি তওাইফদবা নত্তেদা।"

ঐনা ওাওথোকখিবা জাপানীজ রাহেশিং অদু তাবদা মখোয় ওকপনা

খম থেংত্রমানে, মখোয়দা লৈরম্না বাখল অদু নাথৈদুনা চংত্রমানে। ঐঙোন্দা য়াম্না ঙক্লা; মুন্না য়েংলগা হায়রকই :-

"নঙ জাপানীজ ঙাঙবা ঙম্লা ?"

"খরা খরা ঙমই।"

"মখোয় অনীসিসু ঙম্লা ?"

"ঙমদে।"

"ইন্দিয়ান নুপা অসে চংলু হায়য়ু।"

ঐনা সিখ অদুদা হায়রে, ঐখোয় অমুক চংপা হৌরে। হুন্দকমুক্তী জাপানীজ সিফায় অদুগী মাঙদা ঐনা চংলম্মী, ঐসু মখোয়গা ৱারী শানবা পাল্লম্মী।

"ঐখোয়বু ঙসি লম্বীদা ফারীবসি; নখোয় য়াম্না শিংই।" ঐনা ৱারী শাবা হৌই।

"মী পুবা গাড়ী অমত্তা লাকপা ঙম্মরোই।"

"নখোয়গী মীশিংনা আশা তৌরিবসি করিনো ?"

"ঐখোয় জাপানীজশিংনা ইম্ফাল লৌশীনগদৌরী।"

"নঙ করম্না খঙইবা ?"

"ঐখোয়দা হায়বগী ৱানি।"

"অদুগা ঐখোয়বুনা হৌজিক করি তৌগদৌরিবা ?"

"য়ুনিট হেদ ক্বার্টরসদা পুরিবনি... মতুংদা করি থোক্কনী হায়বদুদি খঙদে।"

ঐখোয়না চংলকপা লমশাঙ অদু মাইল অমরোম ফারক্লে। লম্বীশিংদু অয়াম্বনা চীংমায়; চীংচেপ অমসুং জঙ্গলদা ঙাক্তনি। খঙহৌদনা অনকপদা; অচৌবা নোংমৈ অমা কাপলকপগী মখোল তায়, খুদক্কুদা অমুক অরাম্নদগীসু অনীরক কাপলকখী। অহানবগীদু অমুক হন্না কাপলকপদা খঙলে, ঐখোয়গী

মাঙ ওইরগনা উরক্কুদা লৈবা অতোঙবা মকম অমদগীনি হায়বা। ঐখোয়বু শেন্নরিবা সেনত্রি অদুনা হায়রকই- "মখোয় লন্নীদা নোংমৈ কাপথরীবনি, নখোয় মতমচানা মকমদুদগী নানথোকহৌবা নরায়বক ফৈ।"

হৌজিক্কী লোইনা খঙলে, মখোয়না তৌরম্লিবা থৌরাঙ অদু। নোংমৈ অচৌবা কাপ্পা গন্নরশিং অদুনা অচৌবা নোংমৈ অদুদা হাপচিন্নবা মরু অচৌবগী পরেং কয়া য়াম্না কন্না শেমশারী। মথাগী লম্নী থিংজিল্লে খঙদদুনা লাকপা বৃতিশকি গাড়ি পুম্নমক্তা মখোয়গী অচৌবা আরতিল্লেরি শিজীন্নদুনা ফীভমচানা কাপথরগা থুগাইংগদৌরিবনি। মখোয়গী আশাদা, তৌরিবা থবক্তু অচৌবা লাং অমা ওইনা খল্লগা ঙা য়াম্না ফাগদৌরি... অসিনি, অদুগা ঐখোয়বুনা অপীকপা ঙা অমা অনী ফাবগী য়ানি হায়না খল্লী। অশুম্না, ঙসাই ঐখোয়গী তুংদা লাকহৌবা লোরি পরেং অদু য়ৌরকপদা কাপথরীবনি খল্লুবদা, পূক্লিংদা নুংঙাইতবা পোক্লবসু উপাইদি লৈত্রে।

বৃতিশকি তেঙ্ক মনুংদা য়াওহৌবা নহারোলশিং অদুগী মতীক চানা মায়য়োক্লবা ঙন্না খুৎশু খুৎলাই, নোংমৈ মরু য়াওরমগদ্রা খল্লকই, মখোয়গী মরক্তা য়াওবা পাখংমচা অনীনা শানহৌবা ওদিওন কেফীগী অমসুং মফম অদুদা লৈবা মখোয়না খোয়রাঙজবা, মম্নিং তথকপি লৈশাবীশিংগী য়ারীনচিংবদু নীংশিংলকই।

নোংমৈ অচৌবশিংদু কাপথবা হৌখিবা মিনিট অমা-অনীগী মতুংদদি ঐখোয়গী কাংবুদগীসু হন্দুনা কাপলকপগী মখোল তারে। জাপানীজশিংনা অচৌবা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পগা রাইফল ঙাক্তনা অমুক কাপখী। চীংখাদগীসু মেচিনগন খপলকপগী মখোল তাই। মিনিট কুনমঙা-কুপ্পাগী মতমদি অকীবা ফংনা কাপ্পখী। ঐখোয়দি অশুম অশুম লাপথোরকপগা লোয়ননা তারম্না মখোলশিংদু খরা খরা নেমথনা তারক্লে, অদুবু অচৌবা বোম পোকখায়বগী মখোলদি মরক মরক্তা অদুম তারী। অসিগী তুংদদি অমুক পূমচিক চীকপ্রে, উচেকশিংনা খোংনরকপগী অমসুং নারক্তা কৌজেংশিংনা খোংলকপগী মখোল নন্তনা অমম্ভা তাদ্রে, মৈখু চবুল-চবুল পরেং পরেংদি চীংখাদগী পাইখৎলকপা উই।

ঐখোয়বু শেন্নরীবা নুপা অদুদা ঐনা হায়... "নখোয়সু কাপ্পরিবা অসিদা য়াওহৌদ্রবদি নরাইবত্তি ফৈকো।"

"সা...! সিদগী হেন্না কাপ্পগদবা য়াম্না লৈরি।" মহাক্না খুম্মী।

"হাংনবসি নঙ পাম্বনে ?"

"পাম্ব-পামদবা... করিদি উপাই লৈ।"

মাইল অহুমলোম চংলগা ঐখোয়, মখোয়গী কেম্প শারিবা মফম অদু য়ৌরকই। পুং য়াম্না চঙখী। জঙ্গল কাওরকপদা উরকপা শঙমচা কয়া অদুগুম্বা ঙাক্তনি লৈরম্মীবদু... ব্রা-ন শাবগা মথক্তি নাপীনা কুপশীল্লি। খরা খরা লাপ্না কোম অশাঙবা পরেং পরেংসু তৌথোক্তুনা লৈ।

সেন্ট্রিশিংসু মথৌ পুনবমই। সিফায় প্লাতুন অমবোমদি লৈমায়দা ফম্না ফম্না চাক চানবমই, মখোয় য়াম্না খঙনীংবগা লোয়ননা ঐখোয়বোমদা মমায় লৈথোক্তুনা য়েংনরকই। অমনা লাউশিল্লকই–"বানজায় !" খবা অমনা নোকশীল্লকই। মখোয় মখা তানা অমুক চাক চাদুনা লৈখি। ঐখোয় অহুমদি পুল্লপ, মফম অদুদা লেপ্তুনা লৈরে, শেন্নরম্বা নুপা অদুদি শঙ অমদা চঙশীনখ্রে। লৈরম্লিবশিং অদুনা ঐখোয়গী মরমদা ঙাঙনবা তাই। অমনা হায়রকই, "অমুবা নুপা অসিগী মকোয় অসি কক্কদ্রা ?"

"জাপান্দা থাখীনবা ?"

" বেঙ্গুন্দা, মন্দলেদা বোম্না থুগাইবা মফম খরদি মাগী মকোয়সিনা শেংদোকপা য়াগনিনা ।"

"অস: বন্দি মরকসিদা নুপী অমফাও য়াওরক্তবসিদি নুংঙাইতেহে..., য়াওরম্লবদি ... ।"

"মখোয় অহুমসিদি ঐখোয়বু কিবা ইমান মান্দেনে ।"

"বন্দি ওইবসিদা মখোয়, ইকতি ইকায়বা মাল্লি ।"

ঙাইহাক লৈরগা ঐখোয়বু শঙ অমগী মনুংদা পুশিল্লমই। মপান্দা, সেন্ট্রি অমনা ঐখোয়বু শেন্নদুনা লৈ। কম্ফম কালনচিংবা অমত্তা লৈরমদবনা লৈমায়দা

অদুম ফমথরগা নাকলগী ব্রা মখোঙশিংদুদা ঙাথদুনা লৈনরমই। ঐনা ঘরী য়েংবদা পুং মঙা মখায় তারে, খল্লুবদা ওইখোক্তবগুম্বা নীংই-নুমিত্তুমকী অমুত্তা দিমাপুবদগী ঙন্তা হৌগংলগা কোহিমাফাওবা ঐখোয়গী মীয়াম কাওবু মরক্তা গাড়ি তোংদুনা লাকখিবা অমদি লম্বীদা লৈরম্বা রেস্ত কেম্প অদুদা পোখাদুনা চা থক্লকখিবা ...। মতম অদুদদি কেপ্তেন য়েন্নীঙসু য়াওবী... মহাক হিংলি, মপুক্সিদদি নীংবা ইথুং থুংজখিদবা মহাক অদু পুন্সিবুদি লায়খোক্লা নুংঙাইখোক্লা লৌজখিবনি। হৌজিক্তি মহাক শিহৌববা ... শিরিবা অদুসু মশক থোক্লা, মচু তানা শিল্পবনি। ঈশ্বরবু থাগচ্চে, মহাক্লা হৈনজবা, পামজবা মতাঙদনি হায়বা তাই... মরমদি মাগী শ্যাওং অমদি মায়থোঙদা উংখিবা, মানা হায়নীংখিবা ব্রাহৈ ... "ভাব তাদবা চবাঙনবগী থবক অসি করি কান্নবা ..." হায়বগুম্বা অমা ঐখোয়রোমদা ওনশীল্লগা মাগী লেংজুম অনীদু হাইবগ শুপকংলগা হায়রক্কে তৌবমক্তদনি থোকখিবা থৌদোক্তু। ঐনা খনবদা, মহাক্লা হায়নীংখিবা ব্রাহৈশিং অদুদি ঐখোয়খক্তদা নুত্তনা মহাকপু হাংলনি খঙনা লুমদুনা নোংমৈ কাপশীল্লকপা ম্নাইপব অদুগী মফমদসুনি হাযবা অসিনি। চুম্না খল্লবদা, মাগী থম্মোয়নুংদদি মহাক কবিসু শিনীংবা নত্তে, অদুগা চংমীন্নবিবা ঐখোয়দগীসু মহাক্লা অকীবগী ব্রাখল হন্থনা খনখীবসু নত্তে। মবম অসিমক্লনী ঐগী পূক্লিংদা মহাকপু ব্রাংনা থাংগচ্চখিবা। বেলগাড়িদা অমসুং ব্রহ্মপুত্র তুবেলদা মতম খবদং মহাক্লা লোযনবকপা ওইববসু ... ঐগী মকপ অমদি তশেংনা মাঙজবে। মহাক অফবা মীশক্লি, যুমথোঙ খুদিংদসু ঈশিং ময়াক হন্থহন্নবা পোং য়োনজবকপা মীশক্লি। বেঙ্গুন সিনেমাগী থবক্তসু মহে য়ানখিদ্রবা ... মপুক্সিবু শোয়রবনি হায়না খনজখিবনি, অদুবু অফবা মহাক অদু ঙসিদি শিল্পবা...।

ঐগী লাইবক্তা রাইফল মনীংনা শুরকপা অদুদা খজীত্তং শোকখী, ঈ খবসু থোক্লা। ঙরাং দিমাপুরদা চাবি থারকপা ঐগী ঘরীসু মতম অদুফাওবা চংলি। শেংলিবা ফি-রোল অমত্তা শেগায়দ্রী... সেক্ষীগা লৈমীন্নরকপনি বোম্বেগী আর্মী এন্দ নেভী স্তোরদগী। মতম অদুদদি, লাল অসি ঐখোয়দগী লাপথোক্লা লৈখিবগুম খনখি, ঐদি হান্না খঙলুরবনিনা অমুক হনজিন্না খঙলুখীনি হায়নসু খল্লুদ্রে। ইংলেন্দ-দগী ইমানা থাবীরকপা শেল হাপ্লবা ব্রালেট অমসুং

চুরুট হাপকম সিগরেতকেস, ঐগী কুন্নীংখাউদা অদুম য়াওরী। খঙনীং নীংশিংলকই, ঐগী যেগ মচাদা য়াওরীবা সেব্বীগী ফোতো অদু ...। লানকম নকশীল্লক্লবদি হন্দোকখিসিল্লা খনবনি, অদুবু ঐনা ইম্ফাল য়ৌরকপা ফাওবদি করিসু অশোয় অভাম লৈখীরোই খনবদগী অদুম হায়্নী। ঐদি কাউকবে, নীংশিংলকপদা পাখংজি, জাপানীজগী মখুত্তা বন্দি ওইরবনিনা ...। লাইবক্তি কৈ, মখোয় কনানসু অতে পোং অমত্তা হকচাওদগী থিবমদে ঐখোয়গী খুংলায় লৌখোকখিবা নত্তুনা।

ঐগী ব্যালেট লৌখোক্লবদা ফোতো অদু লেঙদনা য়াওরন্নী। জালিতালদা লৌরকপনি, জেনিফর অমসুং মার্গারেট মচিন মনাও অনীগী মপুংফাদ্রবা মমাযগী শরুক খরসু য়াওরী। ফোতো অদুদা সেব্বীগী মায়খোঙ মকা লাম্না উই, মমিং অনীদা হ্রাও মিনোক্লা থন্নী। ফোতোগ্রাফ অদু চীপ্পালনা শোকনীংলকই অদুবু খোঙজীল্দা লুরাক্লনা য়েংলিবা গার্দ অদু কিবদগী ফোতো অদু শেগায়বগী তানজা য়েংদুনা ঐগী খুকউ মখাদা নমশীল্দুনা থমজিল্লে। তানজা ফংবদা মচেং মচেং শেগায়রগা লৈশাক্তা য়ুংলিবা ব্রা মখোঙগী অকায়বা মবক্লুদা নমশীনখী। ঐগী পুক্লিংদা ইশাবু নুংশি খঙদবা, ফত্তবা ওইনা খনজখী, অদুবু উপাই লৈখিদে ... ওইরকপা য়াবা খুদোংথীবগী শকক কয়া খল্লুবদা ...।

মেজর অদুদি মথায় শোক্লা নুংঙাইতবা হায়বদু য়ৌবে। মহাক্তি ঐ ইশাগী চহি অসিগী চপ মান্নবা শরুক অমা হেন্না ঐঙোন্দগী অহল ওইরবনি। অহানবা লাল্লাও অদুদসু য়ৌনাফনা শকক য়ারুরবা মীশক্লি, মদুগী খুদম ওইনা মাগী থবাক্তী ফুবিংখাউদা মেদাল রিববোন অনীসু ময়েক শেংনা নন্নী। হৌজিক্তী অনীশুবা লাল্লাও অসিগী মমাঙদসু লিদ্‌সকী রেলবে ওফিসতা থবক তৌরকপদগী হৌজিক পোখাবগী মতম য়ৌরক্লবনি। লাল হৌরকপদা, অমুক হন্না ত্রান্সপোর্ত ওফিসর ওইনা য়াওরকখী। কাইরোগী রেলবে স্তেসন ফাওদুনা মথঙ-মথঙ বোম্বে অমসুং দিল্লিদা লাক্লগা দিমাপুরদা ত্রান্সপোর্তকী থবক শীন্দুনা লৈরকপনি। ভারত্তা লৈরকপা চহি অনী শুরে, মথঙ চহি অনী শুরকপদা মহাক মথুমদা হল্লগদবনি। য়াম্লসু হনখিবা পামজরবনি, মহাক ভারত্তা লৈবা হৈনদে। মাগী

ৱাখলদা, য়ুরোপকী য়োর্কসায়র নত্তনা করিগুম্বা মকম অমত্তদা লৈবা পামদে, অদুবু ওসিদি জজলদা লৈরম্বা শণ্ড মচা অসিগী লৈমায়দা, পূক্লিং হকচাঙ ইশোন শোঙ্গনা ... জাপানীজ সিকায় অমনা ঐখোয়বু শেন্নদুনা লৈরবা মতম অসিদদি মহাক, পূমনোয় লোইরবা মীশক অমগা মান্নরে।

থোকত্রিবা থৌদোক অদুগী দায়িত্ত মহাক্কীনি হায়রদুনা নীংঙমদবা ৱাহৈ হন্না হন্না কোঙদোকচখিবনি। মহাকপু ৱাদনবা কন্নারক হন্না থেন্নরবসু, মহাক্কী পূক্লিংদা অৱাবনা থনখী। ঙাইহাক লৈতনা মহাক্না মচীন্দা পনখিবা অমনা ... করিগুম্বা মহাক্না ঐখোয়বু মাগী কারদা চংননবা হায়রমগ্রবদি, কনভোয়শিংদুগা লোয়ননা ঐখোয় হৌজিক্তমক কোহিমা য়ৌখিগনি হায়বসিনি, অদুগা মেন্নীঙসু শিরন্নোইদবনি। পূন্নমকসিগী মথক্তা, মহাক্না লাল্লি হায়জখিবা অমনা... উ অদুবু লৌথোক্লবগীদমক্তা মেন্নীঙবু মহাক্না কারদগী কূমথহন্নুবা অদুনি ...।

মথ্থায় নুঙাইতবনা মথক্তা নোংমৈ কাপশীনজদুনা শিখিবা পামলমই। মহাক্না হায় " মখোয়না নঙবুদি কনবিগনি, জাপানীজ লোল খঙবনিনা, নঙদি মখোয়দা কান্নগনি। ঐগীদি অরোয়বা পূংজা মশিং থীবা হৌরবনি। "

মাগী ৱাখলদা জপানীজশিংনা মাবু অমুকহন্না চংখিনবা করিসু হায়রক্লরোই, অমরোমদনা জঙ্গল মনুংশিদা মখোয়না ফংফম থোকপা চিঙ্গাক্কী শরুক্তগী মাগীদমক খাইদোক্লনা মাঙহনবসু মখোয় করিসু পামলমলোই ... অসিনি। ঐঙোন্দা, মাগী নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওবা ফোতোগ্রাফ অমা উহল্লগা, লাল লোইশ্লবা তুংদা মখোয়বু উনবীয়ু হায়না পাওমেনজখি অমসুং ৱাফম অদু পাঙথোক্লবগীদমক্তা ঐবু ৱাশক্লবা তকশীনখী। মহাক শিবদি খক কিখিদে, মহাক্না মতমচুন্না লাঙতক্লখিবদি য়ুমদা লৈহৌবা মখোয়গী ৱাখল অদুতনি হায়বসিমসু তশ্বীয়ু হায়না ঐঙোন্দা হায়জখি। অশুন্না, ঙসাই কারদা লাকমিন্নবা মতমদা ঐনা মাবু মওং কয়াদা খল্লুরবসু ... ঐগী পূক্লিং অসিদা শোয়দনমক মচানুপাবু উননবা লেপখী অমসুং " নঙগী ইপাদি য়াম্না পূকচেল ফজবা মীশক্লি " হায়বসিমসু তন্নুরগে খনখী। ঐবু অমুক ৱাশকহন্নরবসু, শোয়দনমক মানা নীংলিবদু পাঙথোক্কনি হায়না চেংনা কোঙদোকচখি, লোয়ননা ঐখোয় অহন্মক

শিরোই ... লানখোকপসু য়ারি হায়না হয়াওনবা হোৎনরবসু মিকুপ খুদিংদা মহাক্তি নুংঙাইবা লৈখিদ্রে । থেমজিনবা ওমদনা হীক-হীক কপ্পকপদা, সিথ অদুদি মাবু ইকায়খুম্নজবা ওইনা মরু লৃকথদুনা লৈখি—মঙোন্দা যেংবীদে।

মতাঙ অসিমক্তদা ঐখোয়গী চানবা চাক খরা উগী তেঙোত অমদা হাপ্পগা পুশিল্লকই, খজিক্তনি। মদু পুশিল্লকপা জাপানীজ নুপা অদু মীগী সেবা তৌবদা হৈনজবা মাল্লী। চাক হাপ্পীবা পাত্র অদু পায়রগা থোঙজিন য়ৌরকপদা ঐখোয়দা মরু লৃকথদুনা ইকায় খুম্নবা উৎলি। চাক থল্লকপা মতমদুদা হায় :- "মসি ওকপদি ওক্করোই অদুবু।" "হায়বীদ্রবসু য়ানিদা" ঐনা খুমই। মহাক ঙাইহাক পম্বরগা বারী শাজনীংই। বাহং অমা অনী য়াম্না থুনা হংলকই, ঐখোয় য়াম্না বারস্রা হায়বনচিংবা...। জাপানগী মরমদা ঐসু খরা খঙবনিনা, মহাক্তি লৈকম ক্যাসু হায়বদু ঐসু অদুম খঙবা ঙমই। ঐখোয়গী লেংজুমগী বীলায় অদু য়েংলগা অচৌবা ওফিসর-রা হায়নসু হংই। মহাক পাখৎচৈ, ঐখোয়গা বারী শানরীবদু মখোয়গী মীনা উখিগদ্রা হায়না। হন্না হন্না মরু লৃকথরগা, বাহৈ অমা অনী হায়রম্লগা থোকম্রে।

ঐখোয়গী থনস্বা চাক অদু হেক চাবা হৌগৎলকপগা মখোয়গী এন-সি-ও অমা থোঙজিন্দা লাক্লগা, ইংলিসতা খোঞেল লৃজদনা হায়রকই :- "বন্দি-সা; নখোয় মপান্দা থুনমক থোক্কদবনি।"

চাবা হৌগৎলুবা চাক অদু থনম্লগা ঐখোয় অহুম মপান্দা থোরকখী। মতোন্দা শজিন পানশিল্লবা রাইফল অমগা লোয়ননা সেন্ত্রি অমসু পূক্লিং চঙনা ঐখোয়বু ঙাইরম্মী। শঙ অদুগী মমাঙদা গজ চাম্মরোম লাগ্রা লৈবা মফম অদু তাম্না মখোয়গী মতুংইন্না, হৌরিবা উপাম্বীশিংদুগী মখাদা পরেং নাইনা চংখী। এন-সি-ও অদুনা ঐখোয়দা কম্না-কম্না লাওশিল্লকপদু কম্না চংলু হায়বা ওইরমানে, অদুবু মাগী হকুম বাহৈ অদু ইংলিস রা-জাপানীজ ময়োল্লা অমত্তা খঙদে। চংলম্বদু লেপ্লে, মাঙগী সেন্ত্রি অদুনা মপা লৈথোরকপথা ঐখোয়সু মাগী মতুংইন্না হকচাঙ লৈথোক্লগা পূক্লিংচঙনা, করি হায়রকদৌরিবা হায়বদু ঙাইদুনা লৈখি। অনকপদুনা লৈরম্না শঙ অমদা এন-সি-ও অদু চঙশীনব্রবা মতুং মিনিট

তয়ারোম লৈরগা অতোপ্পা ওফিসর অমগী মতুংইন্দুনা থোরক্লে। থোরক্লিবা ওফিসর অদুগী কোল্লারদা য়াওবা বেদজ অদুনা তাকপদি মহাক লেফটনেন্ট অমগী থাক মাল্লি, মীদি য়াম্না শিকই, ফুট মবি ইনচি তরুক্তগী হেন্না ৱাংলোই। মশাদি য়াম্না ঋীংই-ফন্দুনা চৎলি। য়েংবদা শকন চঙনা চায়কও অনীগী শকদু ইবঙ-লংনা তোঙই। অমুবা, লীক মরু অচৌবা মানবা মমিং অনীদুসু ইবঙ-লংই। মম্নাঙদা মশাগা চানদবা থাঙশাঙ অমা লৈপাক শোকপমখৈ য়াল্লিবদু উবদি, অঙাংমচানা অহলগী খুৎশু-খুৎলাই য়ানশিল্লগা চৎপা মাল্লি।

মাগী খোঙথাঙ অদু ঐখোয়বোমদা চঙশীল্লকই, মখুৎ তুংবুন্ননা ঐখোয় অহমদা অমমমতা ওইনা য়াম্না মুন্না য়েংলকপদা উবা মমিং অনীদুসু মৈ হৌবগুম শাউবা মাল্লি। মহাক শীকপনিনা মশাগী মবেপ অদু ইনচি অমফাও হুম্থনীংদবগী মওংদা চপ তিংনা, মথা ফনকৎনা লেপ্পী। ঙাইহাক্কী মতুংদা, তাবদা নুংঙাইতবা ইংলিস ভাবকী মওং শীজিন্নদুনা হংলকই :-

"নখোয়গী মরক্তা করম্বনো জাপানীজ লোল খঙই হায়বদো ?"

"ঐ খজিক্তং খঙজে।" ঐনা খুম্মী।

"নঙ জাপান্দা লৈরক্রা ?"

"লৈরকদে।"

"অদুদি কদায়দগী।"

"মরুপ মপাঙদগী।"

"ঐনা ঙাঙবসিদি খঙব্রা ?"

"'য়াম' খুনা ঙাঙদ্রবদি খঙই।"

"করে অদুদি, ঐনা হায়গদৌরিবা অসি তারগা নঙনা অমুক মখোয অনীসিদা হায়গদবনি।"

য়াম্না চাওথোকচনা, মথবাক ফনকৎনা- থাঙশাঙ অদুমসু লৈপাক শোকনিঙ - শোকনিঙ মম্নাঙদা য়ানশিল্লগা হঙ্কং হন্দা ঐখোয়গী মাঙদা চৎপদু, অতোপ্পা মতমদা উরম্বা ওইরবদি ওম্থোক্লা নোকনীংবগী মশক ওইগনি।

ৱাঙাঙ-শাঙাঙ অদুসু মাগী শাজংকা মান্নবা নাপল তৌই, ঐ ফজনা খঙবা ঙমদ্রবসু, ঙাঙলিবা অদুগী মনুংদা য়াওবা ৱা মচং অদুদি ফজনা ভাব তাই। মরু ওইবদি মখোয়গী দাই-নিপ্লোন গী মখাদা ঐখোয় অহুম লানফা ওইরে হায়বনি। মাগী চাওখোকচবা ৱাহৈদা... মখোয়গী নিংথৌরেল, স্বগগী মচানুপা অদু, লাইপোক ওইখ্রবা মখোয়গী পারী পুরী ওমাতেরাসু ওমিকারিগী চারোন শুরোন্নি হায়বনি। ৱাফম অসিদি লোইবা নাইদ্রবা জাপানগী ৱারীনি, খবর অমদা আর্তিকল কয়ামরুম য়াওবগুম্বনি হায়নসু পল্লি, অশুম্না... অদুক মগুন অমদি শক্তি লৈখ্রবা লৈবাক অদুগী মখাদা বন্দি ওইজবা ফংবদি য়াম্না লাইবক ফৈ অমসুং হুম্বা জাতি অমগী অচম্বা মীওই ওইগদৌবগী শরুক মসিনা হেন্না লাইবক ফরবনি-হায়না ঐখোযবু উশিত্তনা ঙাঙলম্মী। মানা মখা তারকই, নিংথৌবেলগী পূক্লিংনবু য়াবিনীংলবদি, ঐখোয়বু ঙাকপীবগী থৌজাল পীরক্কদবা মাল্লি... ৱাফম অসি অর্থ অশুম্নসু লৌবা য়াই মদুদি ঐখোয় অমুক নানথোক্নুনা চেনফম লৈত্রবনি হায়না। মরম অসিনা, ঐখোয়গী চঙজফম অসি মখোয়গী নিংথৌবেল নত্তনা অতৈ লৈত্রবনি। অসি হায়রগা মখোয়গী কোনুং লৈখ্রবা নোংপোক মায়কৈদা খূদোনবী থিল্লগা, য়াম্না করেম্নবগী মওংদা নাক অদুদা হৌবা-উ পাম্বী অমবু মখোয়গী নিংথৌরেন্নি খল্লগা লু-লূকথনা খুকমগদবনি হায়না য়াথং তৌরম্মী।

অসিগী তুংদা অচম্বা ৱাহং কয়া অমসু হংলকই, মদুসু ঐখোয় খুম্বা-তাই, চুম্নমক য়ানিংদবা উৎলুরগনা মখোয়গী নিংথৌরেলগী মফমদা ইরাল লৈববনি হায়না মখল মখলগী দন্দি ফংবা তাবা...। পূম্নমক অদু হায়বা লোয়রগা মানা ঐঙোন্দা হায়রকই :-

"নঙ ভাব তারব্রা ?"

"হোয়, খঙজরে।"

"হৌজিক্তি নখোয়, নিংথৌরেলগী কোনুং লৈবা নোংপোক মায়কৈসিদা ওল্লগা নরু লুক্লা খুরুমগদবনি।"

হায়রিবা অদু, মখোয় অনীদা ঐনা ইংলিসতা হায়দুনা খঙহনবমক্কা মানা অমুক হায়রকই :- "নখোয় ৱাদনবা অনকপাদা হৌরীবা উপাম্বীসিদা হেক্তা খুরুম্মু।"

ঐখোয় হকচাঙ লৃকথনরম্মী। মী খরদি, অসিগী মমাঙদসু হায়বা ইনখিদবগী শিরম্বসু য়াই, অদুবু মখোয়গী চিংনবা লৈতনা চৎনবী ঙাকপগী নিয়ম, লোনচৎ অমা থম্বা অসিবুদি থাগৎপিবসু য়াই । অদুম ওইনমক ঐগী পূক্লিংনদি য়ানীংখিদে, তৌশিন্নবা ফাগিনি হায়বা চপচানা খনখী। কদায়দগীনো অমুক ব্রাখল অমসু লাকই-করিগুম্বা ঐগী মকপ পিতরনা অঙকপা থৌদোক অসি উরম্বা থোক্লবদি ওম্থোক্লা নোক্লীংখ্রনিদা, মেজরনে, সিখ অসিনে ঐনে জঙ্গল মনুং অসিদা, মহাসাগর অমগী ব্রাংমদা লৈপ্লবা জাপানগী নিংথৌরেল হিরোহিতোগী মফমদা খুরুম্লিবনি হায়দুনা লু-লৃকথনা লৈনরীবগী মওং অসে।

তানজা অসিদা মখোয়গী লেফটনেন্ট অদু শাওনা ইনাক্তা চঙলক্লগা ঐগী বুস সার্ট লেংজুমদা য়াওবা এয়ার ফোর্স বেদ্‌জ অসিদা য়েংই।

"মখোয় 'সি করিনো ? মানা হংলকই।

"ঐগী ফম খঙহনবা বেদ্‌জনি।"

"নঙ হৌজিক্তি ফম যাওদ্রে।" মানা হায়রকই।

মখুৎনা লামখৎলক্লুনা ঐগী এয়ার ফোর্সকী বেদজ অদু তমথিবা মওংদা থদৎলগা লৈমাযদা হন্দোকখী। ইনাক নকশীল্লকপদা, শউন-অপাবনা তিংবা মানবা মাগী মমায়গী উনশা, চাইরুং কূৎশীল্লগা মখদাঙ ইম্থোকপা, মুশুক মুনা লাওববা নাতোল মখুল অনী অমসুং মীফম্ভগী মীৎয়েং অদু ময়েক শেংনা উখি। মথঙদা সিখ অদুগী বেদজ অদুসু য়েংলম্লগা হেন্দোকখে, ঐখোয়বু চপচানা নমথরগে মতানি, মেজর অদুগী মনাক চঙশীল্লগা মাগী নীংথিজনা তাশিন্দুনা শেল্লবা বেদ্‌জগী মরি অদু য়েংলগা হংলকই :-

"হেই, নুপা ! নঙগী'সিনা করিনো ?"

"সোসা; জাপানীজ ব্রাহৈদা, মেজরনি হায়না ঐনা খুম্বীরমই।"

মহাক খজিক্তং নোকশীন্নরগা মেজর অদুগী লেংজুম নাম্মগী মরী অদুসু চিংথৎখি। মিকুপ অসিদা মেজরগী মখূৎ নাম্ম শৎ হাইগৎলক্লগা খাঙবা ঙমদনা অমুক চেৎনা মখূৎ নাম্মগী মথক্তা থমখি। লেফটনেন্ট অদু নোকশীন্নদ্রে, মেজর অদুদা শাওনা য়েংলক্লে।

"মখূৎ নাম্মসি মফম চানা থম্মু হায়য়ু।" এন-সি-ও'দুদা মানা হায়রকই।

"নখূৎ লৌথোকউ।"

"বন্দি ওইববসু ঐগী বেঙ্ক-তি অদুম লৈরী।" মেজরনা খুন্নকই। এন-সি-ও' দুনা অমুক হন্না লাওবকই "নখূৎ লৌথোকউ।"

মেজব অদু মখূৎ হনজিন্না থমখে, নাকলগী মখূৎ নাম্মদু শাওবনা নীকপদুদি উই। মহাক্কি মাযথোঙদা হেন্না য়ানিংলক্তবগী মীৎয়েং উবা ফংখি।

মখোযগী এন-সি-ও'দুনা লেফটনেন্ট অদুদা হায়জবকই :-

"যাববদি; ঐ মাবু ফূজগে।"

"হুং-নত্তে, ইন্দিযান মচাসিবু ফূহনগে, মখোয় অনীমক খোঙথাঙ অমমম মাঙদা চৎখৎলক্লবা হায়য়ু।"

মখোয় অনী খোঙথাঙ অমমম মাঙদা কাখৎলক্লনা লেপ্লে, মেজব অদুগী মখূৎ নাম্মদি তৎত্রিবা বেদজ য়াওবা লেংজুম মথক্তদা থম্লি, ফূবীংকি অতোপ্পা লেংজুম নাম্মদুদি বেদজ চিংথৎখিবদা শেগায়ববনি।

"নমায় ওনশীন্নৌ।" মখোয অনীদা এন-সি-ও'দুনা হায়বকই। মখোয অনী মমায ওনশীন্নবে।

"হেই-ইন্দিয়ান মচা! নঙনা ইংলিস নুপা অসি মমায়দা খূৎপাক্লা থাজিল্লু।"

সিখ অদু মচী লেঙদনা লৈ।

"নঙ ইংলিস খঙব্রা ?" এন-সি-ও'দুনা অমুক লাওরকই।

"খঙই।"

"খঙলবদি, ঐনা হায়রীবসিনি, মাবু মমায়দা খূৎপাক্লা থাজিল্লু।"

"ঐগী ইথকথোংবা ওফিসরদা ঐ ফূরোয়।"

সিখকী ব্রাহে অদু এন-সি-ও'দুনা লেফটনেন্ট অদুদা অর্থ হন্দোকই।

লেফটনেন্ট অদু চঙশীনল্লগা সিখ অদুগী মমাঙমক্তা য়াম্না নকশীন্না মনাক্তা লেপ্লুই। ব্রাং-চাওনা, ঙাওথোরকপদা মরীকচুন্না নুপা অদুগী মনাক্তা লেফটনেন্ট অদুদি থীকনেম্না, মওং তাদনা মথবাক পোঙথোকপা মীশক অমগা চপ মান্নে। সিখ অদুদি, মমায় মথক ওনখত্তুনা, মাগী কৃওনা হৌরবা অমুবা মকোয়শিংদু খজিত্তংফাওবা লেওদনা অতিয়াদা য়েংদুনা লৈখি। ঐনা নাকল্দগী য়েংবদা মাগী মিংকী অত্তৌবা শরুক অমসুং মওং তানা কোত্থরকপা মাগী নাতোন অদু ফজনা উখি। মতম অদুদা ওইখিবা মাগী শক্তম অদুনা খওহনবদি, করিগুম্না অমত্তনা মহাকপু, হায়রিবা হকুম অদু ইলহনবা ঙম্মরোই হায়বসিনি।

মৈ হৌনা শাওরবা লেফ্‌টনেন্ট অদুগী খূৎতুম হাইগংলত্তুনা সিখ অদুগী চায়রুওদা থোমজিনখি অদুফাওবদসু সিখ অদু নুঙগী মুর্তিগুম্না লেপখী।

"অশুমতৌনা ফু হায়যু ইংলিস নুপা সিদা মানা।" লেফ্‌টনেন্ট অদুনা এন-সি-ও-দুদা অমুক হায়রমই।

"হৌজিক নঙোন্দা ফুবা অদুগুম্না নঙগী ওফিসরদা ফু হায়না য়াথং তৌরিবসিনি।" জপানীজ এন-সি-ও'দুনা সিখ অদুদা অমুক হায়।

"ঈশ্বরবু খল্লগা হায়রীবদু পাঙথোকউনে ইবুংঙো, মদুদা করিসু অকাযবা লৈতে।" নাকল্দগী য়াম্না তপ্না মেজর অদুনা হায়রকই।

ঐখোয় ঙাইহাক তৃশ্মিন, ঙাইনদুনা লৈখি, অদুবু সিখ অদুগী মখূৎ অনীমক মচী লেওলমদে।

"সার! ঐ, ব্রাখল য়াম্না নুংঙাইজদে।" মহাক্না অসি হায়রল্লগা খওহৌদনা মেজর অমসুং এন-সি-ও' দুগী মরক্তা হেক্‌ৎলিন্দুনা চেনখি, মখোয়না ফাবা নংহৌদে অমসুং গার্দ অদুনা রাইফল থাংগৎলকপগা মহাক গজ কুন লাপ্না লৈবা কোম অমা ব্রাংমা লান্না চোংক্রগা উরক্তন চেনশীনখ্রে। অদুবু করি তৌগনি, তানচাবদু থোকলমদে, মহাকসু শোয়দনমক খঙলমগনী নানথোকপগী তাঙ্গা লৈতে হায়বা। ঐগী নাকল্দা লেপ্না নুপা অদুনা মহাকী রাইফল কাপখ্রে, মহাক (সিখ) সেকেন্দ খরদি চেল্লম্মী... গুলিগী চৈনা অদু অহানবমক্তদি অদুক হান্না কন্দবগুম, অদুবু মাঙলোমদা তুরোয়-ঙামলোয় খরা চৎলল্লগা

মশা লোংনা হাইথরগা থরো থরো ওন্দুনা লৈব্রে। মমায় লৈপাক্তা ওক্ষ্রগা মশা অদু য়াম্না হৌগৎনীংনা মখোঙ মখুৎ হাইরমই। জাপানীজ লেফনেন্ট অদু মাগী মনাক্তা তপ্না-তপ্না চঙশীনবা হৌব্রে, মাগী শাউগৎলবা মশাদগী শক্তি পুম্বা ফুদোক্নুনা, খুদোংথীবগী মশক ওইরবা অনীঙবা অমগা লোয়ননা চঙখ্রবনি। ফুট অনী মথায় পাকপা, অশাঙবা কোম অদুগী মশাঙ অদুগী মতোপ্লোমদা কোইনা চৎখী, মতম অদুদা ঐনা গার্দ অদুদা অমুকহন্না বাইফল কাপশীন্নবা হায়রুবে মরমদি সিখ অদুগী মথাতাবা অব্রাবদু অমুক উনিংদবনা, অদুবু মহাক্তি ঐসু নানথোকখ্রনি খল্লুরমানে,মহাক্কী শঙ্গিন্না ঐবু থিন্নবা থৌরাঙ তৌখি। মতম অসিদা, মেজর অদুসু অতোপ্পা গার্দ অমনা শঙলী, সিফায় দজন অমরোমসু; লৈবিবা শঙমচাশিং অদুদগী চেনথোক্লবক্লগা, সিখ অদুনা য়াম্না ব্রানা ওন্ন-থোইনা খাঙলিবা মফম অদু য়ৌবফাও লেফটনেন্ট অদুগী মতুংইন্ননা চৎখী। লেফটনেন্ট অদুনা মাগী থাঙশাঙ শৎতোরকপদা মখোয় পেনজনা, হরাওনা মঙোন্দা য়েংজৈ, তৃম্মিন তৃম্মিন লেপ্পুনা লৈনে, মাগী থাঙশাঙ মখোক অদু মখুৎ অনীনা পায়রগা হাইগৎলকপদা। মিকুপ অদুদদি সিখ অদু তপথনা অমুক লৈপ্পমানে, থাঙশাঙ হাইথব্রে। ঐদি য়েংবা ঙমখিদে, করি থোকখ্রবা হায়বদু খঙখীদ্রে। মফম অদুদা করিসু লেঙ-ওৎপা উখিদ্রে, লেফটনেন্ট অদু মমায় লৈথোবক্লে, সিফায়শিংদু তুং হন্দোক্লদুনা মাগী লম্বী পীবক্লে। মহাক ঐখোয়না লেপ্লীবা হান্নগী মফমদুদা অমুক হল্লকই, মখুৎ নাম্মনা থাঙখোক অদু পায়, নাম্মগী খুৎশানা থাঙ মতোল অদু পাই। শা হাৎপা মীগী থাঙগুমা ঈ তৈরবা অরঙবা থাঙ অদু মহাক্লা ঐখোয়দা উহল্লি। মানা থাঙ অদু এন-সি-ও দা শিন্নব্রে, অদুগা অমুক হন্না চঙশীল্লক্লুনা মেজবগী অনীঙবা লেংজুমগী বেদ্জ মরী অদু ফোয়দৎখী। ঐখোয় অনীবু লেফটনেন্ট অদুগী শঙ মনুংদা অমমমতা ওইনা পুশিল্লগা ব্রাহং পাউহংবগী থবক চৎথরকপগী খল্লুবদা ঐগী পুক্লিঙদা অকীবা খরদি পোকহ, মরমদি ঐগী থব্রায়বু শীঙননা কিহল্লক্লা হংলকপা মতমদা ঐদি বৃতিসকী লাপ্লোঙ করিসু খঙদবনীনা তৃম্মিন্না লৈগদবদু খল্লুবদা, অদুবু লেফটনেন্ট অদুনা চৎথরিবা ব্রাহং পাউহংগী মওং অদুদি-মহাকপু নমথাক তৌবদা ইরায় লায়গদৌবগুম ঐঙোন্দা কাওরকখী।

মিনিট তরারোমগী মমাঙদা মাগী ঈ তৈরবা থাঙশাঙ অদু ঐঙোন্দা উত্তুনা ধমকা তৌখিবা মহাক্না অমুক নোকশীন্নরগা ঐবু কৌশিল্লকপা মতমদা মাগী মওং তাদনা ইন্থোকপা মখদাঙ অমসুং অথীবা ময়াশিংদু উখি। মরুপ-মপাঙ ওইবা ইংলিসকী মীওইশিংনা নঙন্দা খূংনা পোপ-পোপ থাবা চংনৈ হায়দুনা মহাকসু চান্নবা শাশিন্নদুনা ঐগী নঙন্দা থারকপদা অদুম খঙবা ঙমই, মদুদি মহাক্না কবিগুরুদসু কনাগী নঙন্দা অমুক্তা পোপ-পোপ থাখিদ্রি হায়বা। ঐবু শঙ অদুগী লৈমায়দা ফমহল্লগা চুরুট অমা লানশিল্লক্লুনা হায়রকই... "য়াম ইকায়বগী ৱানি, ঐখোয়না ইন্দিয়ান মচাদু হাৎপা তারকপদা... অদুম ওইনমক, নখোয় অনী নৎলমদবসিদি ঐ য়াম্না নুংঙাই।"

"হোয।" ঐনা খুমখি।

মখাতানা মহাক অমুক অফবা মী শাজিন্নদুনা হায়রকই :-

"ঐনা হায়খীবদুনি, ঐখোয়না পাম্বদি নখোয়বু নুংশিনা লোয়নবদুনি।" মহাক নোকশীন্নে, ৱা শাংনা ঙাঙই, হংলক্কদবা মাগী ৱাহং খঙহন্নীংদনা কুপশীন্নবা হোৎনরবসু হংলকপা মতমদদি মঙোন্দা নোকশীন্নিংবা পোক্না ঐগী ৱারম্বদু কোক্লে। ঐসু হায়জীন্নে; মহাক্না লম্বীদা থাকলম্বা লাং অদু ঐখোয়দি তশেংনমক খঙদবনীনা ঐখোযবু ইরায় লায়না ফাবনী হায়বনচিংবা... । মদুদা মহাক পেনজ্রে, মথঙ মথঙ মহাক্না উংলীবা মীফত্তগী মিনোক অদুদা মমায়গী উনশা অদু হেন্না নাপু চঙশীনখি । কোন্নদি মাগী তৌশিন্নবশিংদু থাদোক্লগা, অতম্না ঐঙোন্দগী খঙনীংবা কয়া তানশিল্লক্লবদা ঐসু ঙম্বমখৈ নাথৈদুনা খুমখি। মতম অদুদদি মাগী মেঙশীন্নরম্বা মীৎয়েং অদু মুৎপ্লগা কন্থ্রা কল্লেঙনরকখী, মুনা লংবা মমিৎ অমদি চায়রুংগী শরুশিংদু হেন্না তমথীবা মাল্লকই। ঙসাই, ঐখোয়গী মরুপ সিখ অদুবু ককখিবা থাঙশাঙ অদু নীংশিংহন্দুনা ঙাঙলকখী, লোয়ননা খূদক্তা ঐখোয়বু লোইশিনবা ঙম্বগী অকীবা শীরম্মী । মওং অদুদা ঐসু, য়াম্না হৈ শিংজনা মাগী মফমদা য়ানিংবা, নপচনীংবা ফোঙদোক্লুনা ঙাঙশীন্নবদা, মহাক্না কিহল্লিবা অদুগী মখা পোন্না ঐবু লাকশীল্লবনি হায়বগী থাজবা অমা মঙোন্দা পোকশ্রে, অদুমওইনমক- পুন্নমক অদুদি ওইদবা ঙাক্তনি হায়বসি ঐগী

পূক্লিংদা লৈখিবনি অমসুং ঐনা মালহল্লিবশিংদুদা মহাক্তী অঙাংগুম্না থাজখি; অমরোমদা মহাকপু অপঙবা শীরে হায়রবদু খঙজবা ঙমখিদে। ঐসু কিদবদি নত্তে, করিগুম্বা, তৌরিবসি করিনো হায়বা খঙলকপা থোক্লবদি খূদক্তা ঐবু কাপথায়নবা হুকুম তৌরগদবনি ... অদুবু মহাক পেনজনা উই ... ঐবু অমুকহন্না ঐগী লৈফমদুদা হনখীনবা হায়রকপা মতমদুদা।

মথঙদা মেজর অদু পুশিনখ্রে; এন সি-ও অদুসু চঙখি, লোল হন্দোক্লবগীদমক। পূং অনীরোম লৈরুরগা থোরকপা মতমদদি মাগী পূক্লিং হকচাঙ অদু হান্নদগী অমুক হেন্না শোকচীল্লবগুম তৌখি। মহাকপু ফূ-চৈবকপা তৌব্রা হংবদা মকোক্তমক হাইখি, বাঙাঙখিদে।

"ঐনা খঙদবা ঙাক্তনি মখোয়না হংলকপা পূন্নমক।" মানা তপ্না হায়রকই।

"অদোম করি করি খুমই ?"

"ঐদি খঙদবনিনা, খঙদে অদুম হায়রে।"

"মদু ফত্তে, অমা হেক্তা হায়জীনগদবনি ... অমবু খুল্লবদি মখোয় হেক্তা থাজবনী।"

"ঐদি পাউখুম অদু লৈত্রবনিনা খুমদ্রে, লৈরবসু খুম্মবোই।" মহাক য়াম্না শোক্লনা হায়রকই।

"অচূম্বনি, খুল্লোইদবনি।"

"মখোয় অসিদি–শা-নিকো। ঐখোয়গী সিথ অদুগী মঙক ককখিবদু উহৌব্রা নঙ ?"

" হোয়, উহৌই।"

" ওহ ! হে ঈশ্বর ! থাঙশাঙ অদুমক্তা কো !"

"খূংলায় অমনবু ওইরবসু, মখোয়গীদি হাৎতোকপনি ... চপ মাত্রে। গুলিনা ওইরবসু থাঙনা ওইরবসু।" ঐনা হায়খী।

"মান্নদে, থাওনা ককপদুদি কোলদ্ব্রদকী থবক্কী ...করিসু উপাই লৈত্রব মীশক অমগী মফমদা তমথীবা থবক্কী।"

"সিখ অদুদি করিসু খঙজহৌবা নৎত্রে।"

"ঐসু উহৌই, মাগী থাওশাও হাইথখিবা ... পিক্কা নাপল কারবা শা মহাক্কা ঐগী সিখ অদুগী কোক ককখিবা... আহ: ... ঐগী দ্রাইভর অদু পূকচেল ফবনিদা।"

"অচুম্বনি", ঐনা খুমই। "মখোয় অনী থাদোক্লবগা নিযম চুম্না লাম্বা তৌনববদি য়েংবা নুংঙাইগদবনি।"

"ঐদি, মসিগী জাপান নুপা অসে লাম্বা তৌনবা পাম্বনি, ঐ অহল ওইমনখিদুনা তৌবনি... হৌজিক্তি ঐ লোইরেদো।"

"অদোম কবিসু তৌরোইদা..." ঐনা হায়রম্মী। "ঐখোয় ফীভম অসিদগী থুনমক নানথোক্কনি... মখোয়দি ইম্ফাল য়ৌবা লম্বী ময়াযসিদা চৎফম খঙদনা লৈগদৌবিবনি হাযবসি অদোম খঙদ্রে, মখোয়না মফমসিদগী হন্দোকখিবা হৌবকপদা ঐখোয়দি যেশা উপাই তৌদুনা অদুম থোকপ্পগদবনি।"

হায়রীবা অসি ইশাবু নুংঙাইথোক্কা অমসুং মেজব অদুবুসু নুংঙাইহন্নবা ওইনা ঐনা হায়খীবনি, অচুম্বমক্তি, কাওখুলদা লৈরিবা শেংলবা আশাগী পীক্লবা মক অমবু ময়োল চোংহল্লগা পাম্বী ওল্লক্লবা ঈশিং চাইদুনা চেকশীন্না হোৎনবগা পাংখকনি। ঐ খঙই, খঙহৌদনা মখোয অমুক হন্দোকখিবগী মতম হেক লাকপদা মখোয়গী নিংথৌরেলগী থৌজাল হায়বদুদি শাথীনা ওন্ন-তৈনবা অর্থদা চৎখীনি অমসুং, মখোয় চৎখীবগী লম্বী হাংলকপমক্তদা ঐখোয়বুদি মনীং ইথঙ থংনা হন্দোকলমগনি নত্রগা কাপতুনা হাৎলম্বসু য়াই।

অশুম্মা, ঐখোয়বু ব্রা হংখ্রবা তুংদা, মমশিল্লকপগা লোয়ননা মখোয়না চৎথরকপা থবক্তী – ঐখোয় অনী পুল্লপ্পা হেন্দকফ চনশীল্লগা শঙ অদুগী মমাঙদা গার্দ অমবু শঙহল্লী। চাক খরগা অনৈবা ঈশিং খরগা পুশিল্লকই। ঐদি ঈশিং অদু থকচীল্লে, খৌনাও অসি খ্রক-খ্রক কংখিবনা... চাক অদুদি হোরায় মকুপকা

চপ মান্নবম্মী। ঐখোয অনী ফি অমত্তা শুপত্তনা লৈবাক্তা হিপথবে... ঐখোয তৃমথনবা হোৎনখী। ঙাইহাক্তং তৃমথক্কবদা, অকীবগা লোযনববা ইশাগী শোব অসি ইথন্তা তাজবদা ইখং খংনা মিকপ থোকই, খৃৎতা পুনশিল্লিবা যোৎলী অদু কন্না চিংদুনা লৈবম্মী। চিংমনবদগী মেজবগী খৃদাঙ অদুসু তককাৎলম্লে। মশেন মবাং ওইনা থোঙজীন্দা লেপ্লিবা সেন্ত্রি অদু উই, মহাক চেনশীল্লকই- ঐবু তৃম্মিন লৈযু হাযদুনা চৈ। ঐগী নাহেবা খোঞ্জেল অদু মতমচানা লেপলমদ্রবদি, শুবক্কে তৌবা রাইফল বট অদুনা ঐঙোন্দা শুবল্লগদবনি। মফম অদু বৃতিসনা লৈবা মফমগা নক্কবমানে, মৈঙাল নত্রগা খোঞ্জেল অমত্তা থোকহনবা যাবমদে। অহিংচৃপ্পদু ঐ, লাইক্লৌ তৌবগম্লা নীকখি অমসুং নানথোকখিনবগী অঙকপা থৌবাঙ কযা পৃক্লিং অসিদা মবোল-মবোল খন্দুনা থমখি। অমক ওইনক্লগদি হাযদৌবাশিংসে অমুক খল্লুবগা তানজা লৈরে।

মথঙ নোংঙাল্লকপগী অযুক অঙনবদুদা, মফম অনাদা যাম্না পৃইনা কাপ্লবগী মখোল তাবম্মী। অমনা ইম্ফাল যৌনা হাইথখিবা লম্বীরোমদনি, অমনা কোহিমাগী মাইকৈদনি। লানফম অনামক লম্বাদা শোক্লাখবা মাল্লি। নুমিৎযুংবা মতমদদি, ঐখোযনা লৌববা মফম, ভংখং ভাবানা চাউনা খাজীন্দুনা থল্লিবা জাগা অদুদা লাল যাওকবগা শকতং মাল্লবা বৃতিস অমসুং ভাবতকী লানমী যাওনা মখোয ভবানিখোইবোম বান্দ ওইনা পুাশল্লকখি। হান্না লৈবম্না ঐখোযগা, মখোযগা মাবী শান্নহল্লমদে। কেপ্তেন এবু লেফ্টনেন্ট অদুদা লোল হন্দোক্লবগীদমক কৌশিল্লকই। এন-সি-ও অদুগীদি লোল হন্দোক্লবা মা অমুক দবকাব ওইবমদে মবমাদ মহাক ইংলিস খঙবানিনা। অহানবদা লেফ্টনেন্ট অদুনা ম্রাহং হংখিবা শুপা অদুদি ইংলেন্দগী ইকজেটব হাযবা মফম অদুদগীনি ... ইঙাও ঙাওবা, পঙদানবা মীতানি। লেফ্টনেন্ট অদুনা মঙোন্দা – চঙশীল্লক্লিবা বৃতিসকী তেঙ্ক, লানমী মশিং অমসুং কেম্পকী মফম কযা হংলকপদা মহাক্লা খুমখিবা পাওখুমশিংদু ঐনা অমুক হয়া মশেন মবাং মথক মখা ওন্থোক্লুনা ওইদবা ঙাক্তদা ম্রাহন্থোক পীখি। ঐ খঙদবা নত্তে, কবিগুম্বা অবানবা অসি খঙলকপা থোক্লবদি, মিকুপ্তা ঐগী পুনশিসু লোইশিনখিবা শোয়দবনি হায়বসি। অসি নত্তবদা, মরুওইবা মবম অমনা- মখোয়গা পুন্না

থবক তৌমিন্নবদগী ফংবা য়াবা খুদোংচাবা অমনা ঐবু নাম্থোক্তুনা চেলহনখিবগী তানজা অমা পীবকপসু ওইথোক্তবা নত্তে। অফবগী ওইরে, ফত্তবগীবু ওইবে, ঐদি অকবা থবক অসি তৌদবা য়াদ্রবনি।

অকীবা পোকহল্লবা লানমী অদুগী মথঙদা বৃতিস সাবজেন্ট অমা জাপানীজ গার্দ অনীনা পুশিল্লকই। মহাক মবম অতৈদা কযা নাচুংদবা মীশক্লি, মফম অদুদা লৈবিবা শঙ অমসুং ঐখোয়নচিংবদা কোইযেং যেংবদু, মীবম চৎপদা লৈবম্বা লম-তু উবদা কযা পূক্লিংচঙদবা, হৈনগন্দবা মী মখল অদুনি।

ঐনা মঙোন্দা তপ্না, ইংলিসতা শম্না হায :-

"ফর্গ কবিনো হেক্তা খুমজিল্লু অচুম্না নত্তবা।"

"উম, খুমনী, শক্তাথি 'সিদা অচুম্বা খুমনী ঐ। মাগী মশক অসিগা চনবা হায়বানি।"

মাগী মংগীবা বাহৈশিংদু ঐগী বাংম্থোক্লা অমত্তা যাওহন্দে, অদুবু মংগী শকওংদা কাহেন্না টকাত্রবা মানবা অদুদগী লেফ্টনেন্ট অদুনা মাবু খুপাক্লা থাবর্ম্মী। অদুফাওবদা মহাক মূকম মকম শোন্দুনা কবিসু নাচুংদনা লৈমাযদা ফমথদ্না লৈ। মাবু চৎখীনবা হাযবকপদা, হান্নদগী গার্দ অনীনা ওনশীল্লক্তুনা থগ্নবা শঙ্গিন মতোন অনীগী মবক্তেদা লেপখৎলক্লগা, মশানসু হৈনজবা নোংপোক ইংলেন্দগী লমখৈদা চৎনবা, মী থৌশাদবগী মওংদা মশানা মশাবু থাজবগী গট অদগা লোযননা থোকখী।

নুমিৎযুংবা মতুংদদি মেজর অদু যোৎলহিং থাংদুনা থম্বীবে, ঐবুদি অকোযবা অদুদা হকচাঙ শাজেল ওইনা ঙাইহাক ঙাইহাক চৎপা যাহল্লমই। ঐবু শেন্নবা অমগা লোযননা চৎলহনবনি, লৈবিবা শঙ ময়াম অদুগী অকোযবদা। অশুম্না চৎপদু, পূঙ মঙা তাবা ফাওবদি ঐনা পম্বনবা হোৎনৈ, মবমদি উখাদা লৈবা শঙ অমগী মমাঙদা ওপবেটব অমনা শেন্নরিবা ব্রায়াবলেস সেত অদুদগী পাউ য়াম্না তানীংবা পোকলমই। ওপরেটব অদুগী মনাক যৌরকপদা ঐনা হংই-

"করি পাউ য়াওবগে ?"

ন্নায়াবলেস শেন্নবীবা নুপা অদু অফবা মাল্লি, নহানি- মনাভোন পাক্তক তৌবগা মচীন লাওই। মানা খুম্মকই " 'সিদি পাউ তানবা নত্তে।"

"অদু ... নঙদি তাব য়াবিনিদা...।"

"জাপানগী পাউদি ফাবা ঙমদে।"

"ইন্দিয়াগীদি ঙম্মীনিদা...।"

"ঙম্বা যাই... অদুবু...।"

" পাউ'দু ঐ অমুক্তং তাজনীংবা। " ঐনা অসি হায়বগা গার্দ অদুনা ঐঙোন্দা হায়বকই- "চৎতুম চৎলোবা...।"

"পাউ তাবদা লেফ্‌টনেন্ট অদুনা ঐখোয়বু শাওবোইদা, নখোয়গীসু অফবনি হায়বা... ঐনা তাবদি, নখোয়না ইম্ফাল লৌশীল্লনি হায়।"

"বৃতিসকী মীনসু হায়নব্রা ?" ওপবেটব 'দুনা খুল্লকই।

"ইন্দিয়াগীদা থম্মু, নঙ অদুম খঙগনি।"

ইন্দিয়াগী পাউ ফানবা ৱেভ অদু মঙোন্দা তাকলম্মী। মহাকসু চিংন-চিংননা দায়ল তৌবগা তাননবা পোৎশক অনীদু মনাকোঙদা উপশীল্লমই। ঙাইহাক মতম শাংনা তাদুনা লৈখি অমসুং তৌবিবা থবক অদুনা গার্দ অদুদা ফাগি তাহনগদৌবিব্রা হায়বগী ৱাখলদা, মহাকসু মহাক্কী শঙ্গিন থৌবাঙ তৌদুনা লৈখি। তশেংবমক্তি, গার্দ অদুদি ঐহাক্কা হান্নদগী মকপ শান্নবা হৌখ্রবনি, ঐখোয়গী শঙ অদুগী থোঙজিন্দা সেন্ত্রি পুনা পুনা মহাক্কী ইমুং মনুংগী ৱাবীসু ঐঙোন্দা লোইনা তমখ্রবনী। মহাক্কা ঐখোয়বু অচৌবা ওফিসব ওইনা খনজে অমসুং ফজবা ৱাহে ৱাতাগা লোয়ননা ঐখোয়বু লোয়নজে।

"মশিদি ইংলিস কাংবুনা অবানবা পাউ শন্দোকপনি।" ওপবেটব অদুনা মনাকোঙদা হাপ্লিবা (ইয়াবফোন) অদু লৌখোক্লুনা হায়বকই।

"চানবিদুনা ঐবু অমক্তা তাহল্লুবা...।"

"ঐ মদু ঙম্মোই।" মহাক্কা খুল্লকই।

"য়ায়রলেস সেত অদু ঐ শুকশোক শোকচরোয়।"

"মদু ওইখোক্তবনিদা...।"

"ঙাইহাক্তংদা... মিকুপ অমতং।" ঐনা হায়জরমই।

"ঐ অবাবা তানীয়ে...।"

"কনাসু উবোই, 'সিদা কনাসু লৈতে হায়বা।"

মহাক, মখূৎ নাম্মনা মকোক অদু তৌফম লাকপম খঙদনা গ্রো-গ্রো খোজুনা লৈবদু য়াম্না নোকনীংই, য়োংগী মতৌগা অমহানি।"

"সা... ঐ করি তৌগদবনো খঙদে-হে।"

"করিসু অশোয় অঙাম লৈরোইদা।" ঐনা অমুক হায়রমই।

চাংয়েংগী মওংদা, ইয়ারফোন অদু ঐঙোন্দা লাল্লকই, ঐস্ ঙাইঙমদবগী মওংদা মঙোন্দগী তাপ লাকপদি তৌখিদে। অমুক লেনুবা লৈতনা ইয়ারফোন নাম্মতং ঐগী নাকোংদা থনুবদা সেব্বীগী খোঞ্জেলনা বা ঙাঙদুনা লৈরম্মী। ঐনা হন্না হন্না তাপ্রবা খোঞ্জেল অদুমক্তী, ইয়ারফোন-দা লাকপদি ঈশৈগা চপ মান্নে।

ঐ হবাওবনা পূমঙাও ঙাওখীবনি। অহিং অমত্তা ঙায়রী ঐনা বন্দি ওইনা লৈবকপা, অদুবু চাউববা চীং অমগী নাপোম বাংমদা য়াম্না লাপ্না, মতম কুইনা লৈরকপগুম খনখীবনা, ঐগী সেব্বীগী খোঞ্জেল অদু অশেঙবা নংত্রবগুম, অঙকপা মঙগী মওং অমা ওইনা থোকখী। খঙহৌদনা, মাগী খোঞ্জেল অদুনা মাবু, ঐনা লৈরিবা জঙ্গলগী কৈশুমশঙ অদুদা পুরকখি... মাগী খোঞ্জেল অদু নত্তনা অতৈ অমা নত্তে হায়বা খঙলবসু, থুনবা ঈশৈগী সুর অমনা হৌত্রবা পুন্সিগী থৌদোক কয়া নীংশিংলকপগুম মাগী মশক উরকখী... পাউগী চেনা হাংদোকপদা মাগী শুপকংপা পিশুম, মহাক্কী চীন্নাল অমসুং মোল্লবা মখূৎ লোইনা ময়েক শেংলকখী। ঙরাংদগী ঙসিফাওবসিদা চহি অমা ফারবগুম... নত্তে, যুগ অমা হৌত্রবগুম খল্লী, সেব্বীগী মফমদসু ওইথোক্লম্বা য়াবা থৌদোক কয়া থোকত্রবগুম্না...।

থা কয়া চুপ্না লাওতক্লনা লৈরুরবা তুংদা হরাও নুংঙাইগী পাউ তাবগা চপ মান্নরম্মী থাজদনা মাগী খোঞ্জেল তাবা ফংবদু। অমুক খল্লকই- মঙোন্দদি মশাগী ওইবা নিতিগী পুন্সিদা পুং কুনমরীগী মতমখক্তনি, ঐহাক্লা শাংনা খল্লুবা মতম অসে। মানা শীরকপা পাউ অদুদা য়াওই– বর্ম্মাগী মরম, লোযননা জাপানীজ আর্মীনা থিংজিনখ্রবা ইম্ফাল-কোহিমা লম্বীগী মফম অনীদা বৃতিস অমসুং ইন্দিয়ান আর্মীনা চঙশীনখিবগী মতাঙ...। ঐ ঙকই, মহাক্লা ভাবনা শাবদা খঙলমগদ্রা... য়াম্না থাজদনা চঙশীল্লকলিবা, জাপানীজ লানমীনা ঐবু মফম অসিদা ফাখ্রে হায়বা... অদুগা ওম্মোকপা মওং অমদা মহাক্লা শীরকপা পাউ অসি তাবী হায়বা...। মহাকপু ঐগীদমক্তা ব্লাবমগদ্রা ? ব্লাযবলেস অসিদা হন্না অমুক মঙোন্দা ঐ হিংলি- নঙনা ঙাঙবা তারী, হায়না পাউ থাখীবা যাবন্নর্বদিকো। অদুসু, ঐদি মাবু কৌবা য়াদ্রে, ইবসু য়াদ্রে... থা কয়ানো লৈগদবা হাযফম খঙদ্রে। নুমিৎশিং অসে নোংম-নোংমগী হৌখীনি, ঐঙোন্দগীদি চিথি অমত্তসু মাগী মফমদা য়ৌররোই, নত্তগা ঐহাক মাঙখ্রে হায়বসি কনানসু মঙোন্দা হায়বীররোই। ঐগী মরমদা থাবা তেলিগ্রামদি ত্যাকিসব্যবী য়ৌখিনি, ব্লারোন্দি অশুম্না..." পাউ অসি খঙহনবদা নুংঙাইজদে মদুদি অদোমগী ইচানুপা লানফমদগী থিবা ফংদনা মাঙখ্রে" - হাযনা। ঐনা সেব্বীবু নুংশি হায়বদি ইমা ইপাগী মফমদা হান্না খঙহনখিদবনিনা, মখোয়নসু ঐগী পাউ অসি মাগী মফমদা য়ৌহনখিবগী ওইথোকপসু লৈত্রে।

খুদক অসিদা ওপরেটর অদু খংকি কিরকখিমানে, ঐঙোন্দা হাযবকই:- "য়ারে-য়ারে, ইয়াবফোনদু অমুক শীরকও।" ঐগী নুংঙাইজবা অদুদি মহাক করিসু খঙলম্লোই,... অমরোমদা, পাউ অদমক্তি বৃতিসকী ওইনদি ফংত্রবনি। মহাক ঐঙোন্দা চীংনরম্বসু য়াই... মাগী ইয়ারফোন্দু মঙোন্দা অমুক শিন্নখ্রে "থাগচ্চরী, পাউ অদু য়াম্না নুংঙাই, নখোয়গী লানমীনা লম্বী অসিদি অমুক থাদোকদবা মান্দ্রে।"

"হোয়, ঐখোয়না তৌরিবসি ভারত্তা লান্দাবনি... ঐখোয়গী ওফিসরশিংনা হায়বা মতুংইন্না।"

শঙ অদুদা লেনখীবা অনীশুবা অহিং অদুদি হান্নদগী হেনজীন্না নুংঙাইতবা ওইখি। ঐবু যোংলহিং অমুক চনবদু ... কবি তৌকনি, ইশানা অদুম যাজবে.. খন্দী খল্লী, নানথোকপগী তানজা অমা শোযদনা ফংগনি হাযনা। ঐগী ব্রাখল শাথীনা শোকচীনখিবমই, মিং উইশিন্দুনা খনখি... ঐগী খূজেঙ অনীসিবু পুনশিল্লিবা যোংলী অসিদং যাওবমদ্রবদিকো ! খঙহৌদনা মখোয়বু তুক্কচনা কিবকপা ব্রাখল অমনসু ঐবু তু চুংহল্লমই, অদুম ওইনমক ইশাগী ওইবা মাঙদ্রীবা ব্রাখল অমনদি ঐগী পূক্লিং চাওথোকহল্লকই :- "নঙ অকীবদুনা খুদুম চনবা যাদে, কিবর্বদি নঙ ঙাওবক্লনি, নঙগী ওইজগদবা পূম্নমক থদত্তুনা মাঙহল্লনি।"

অকনবা লৈবাক মথক্তা হীপ্পদা ঐগী হকচাঙগী মফম খবদসু চাথংপা, খোগাযবসু যাওবে, অসিগী মথক্তা অমুক অনৌবা অনাবা অমনসু দাইসেন্ত্রিগী মওংদা পূক্লং অসিদা যেকপা হৌবকই। ঐনা খনবদা, মখোযনা পীবা অনৈবা ঈশিং অদু থকচিল্লকপদগী ওইবা যাই। পূক যেকপা অমদি নুংঙাইতবা ব্রাখল অদু খবমখৈদি নমথবা য়াগদ্রা হাযদুনা, ঐখোযবু শেন্নবিবা সেন্ত্রি অদুদগী চুকট অম ওং চপ্পাবগা লানবিবক্লবা হাযজখী, মহাক্তা পীবকপা চুকটকী মৈখু অদুনা খবমখে ব্রাখলগী মযেং তাহল্লবসু হায়দুনা। ঐগী যূম অমসুং সেৰ্বীগী ব্রাখলদগী অনুক কোমথোক্লবা, মেজব অদুগা ঐখোয অনী নানথোক্লবগী মবমদা অমুক খন্নবা তপ্পা তপ্পা হৌই। মহাক্তা মপূংফানা নীংবা কাযবা হাযবদু ওইবে, খন্নবীবা ব্রাফম অদুসু খন্নফম থোকপদগী অদুক খন্নবীবা হাযবদু তাবে। ঐখোয অনী য়ানবে.....ফল অফবা ফংবা, ফংদবা, মথঙগী অহিংদদি কবিনো 'মা পাঙথোকপা হায়বসি। ঐখোয় অনীনা তৌগদবশিংদু পূক্লিং অসিদা খন্না খন্না, কোনথংদদি ঐহাক তূমথস্রে। অযুক ওইবকপদা অমুক অকোযবা মফমশিংদু য়েংথোক্লবদা উবা ফংবদি, নীংলিবা থবক অদু পাঙথোকপদা ওইথোক্তে হাযবা অসিখত্তনি। ঐখোযবু পুল্লিবা য়োংলি অদুনা, কনাসু উহন্দনা গার্দ অদুগী মখৌবী চপখাযবম্বা তাববসু, অকোয়বা মফমদুদা লৈবিবা, বোবাখাওদা লৈপাক হাপচীল্লগা ব্রাংনা খাগত্তুনা নোংমৈ কাপফম শেন্নীবা বংকবশিংদু হেন্দোক্লা চেন্নবা হোংনবকপদা ইশানা অদুম শিজবা তাবনি। অহিংগী মতমদদি, ইথন্তা

শিজবা অসিনা চহি কয়া বন্দি ওইনা লৈবদগী হেন্না ফরবগুম থল্লী, অদুমওইনমক নোংঙাল্লক্লবা, নুমিৎকি মঙাল উরকপা মতমদদি পুন্দি অসি ইনৌনৌনা অমুক হিংনিংলকই।

অযুক অদুদা জাপানীজ লানমী খরা শঙ অদুদা লাক্লগা য়া অমত্তসু হায়দনা মেজর অদু পুথোকখিরমই। অতোপ্পা বন্দি খরসু তিংখংতারানা খাজীনবা লম্পাক অদুদগী পুথোরকপা উখি। মখোয় পূন্নমক মখূত্তা হেন্দকফ চল্লী, ঐ ইথক্তা লৈহৌরবা শঙ অদুগী মমাঙদা মখোয় পবেং শানা লেপহল্লী, মেজব অদু মথ্থায় নুংঙাইতনা ঐঙোল্লোমদা ওহ্লোক্লুনা য়েংলকখী, মহাক্তনি... ময়াম অদুগী মবক্তা খ্বাইদগী হেন্না থবায় শোক্লা উখিবা। জঙ্গলগী লম্পী অদুদা মখোয়, পরেংশানা জাপানীজ সিফায়শিংনা পুদুনা, মতুং ওহ্লোক্লুনা চংখীবদু উহৌই। নুমিৎ অদুনা অয়োয়বা ওইগ্রে... মরুওইনা ঐনা মেজব অদুবু উবা ফংখিবা...।

মরক মরক্তা মখাগী লম্পী মশাঙদা নোংমৈ কাপ্লবা তারকখী। নোংমৈ অমত্তং কাপলকপদা, অকোয়বা মফমদুদা লৈবা নোংমৈ পূন্নমক হুপ্পা কাপলকপগী মওংনি; চাওরাক্লা মিনিট কুনলোম খরা হেন্না নোংমৈ অচৌবদগী মরু কয়ারোম অপনবা লৈতনা কাপলকপদগী থা-য়াংদা তারম্বা নোংমৈ মখোল শিংদু খরা খরা লাপথোকখিবদা খঙলে মদুদি জাপানীজশিংনা ঐখোয়গী লানমীবু কোহিমা অমসুং ইম্ফালগী মাইকৈদা খবা লাপথোক্লা তানথোকখিবগা লোয়নননা মখোয়না অমুক খরা পাকচাওথোক্লা লম কনবা ঙমগ্রে হায়বা। মশিদগী ঐঙোন্দা খঙজবা অমনা, কবিগুম্বা ঐনা নানথোক্লুনা চেনবা তারবদি, খরা হেন্না অমুক লাপ্পা চেনবা তাবনি। কাপ্পরীবা মফম অসিগী নোংথক্তা বৃতিসকী এরোপ্লেন কয়াসু নুমিৎচুপ্পা পাইদুনা লৈবগী মখোল তাই। অমুকসু হরিকেন ফাইটর অমা কোকথক্তা নেম্না পাইখিবদা, মশাগী মখাদা য়াল্লিবা অচৌবা বোম মরীদু উহৌই। উথক্তা এরোপ্লেন য়েংলিবা সিফায় অমনা কোংঙৌ তিন অমা য়েরকপদা অকোয়বদুদা লৈবা মখোয় পূন্নমক কোম মনুংদা চেনশীন্নখী। ঐবুসু গার্দ অদুনা পুথোকই, অদুবু কোম য়ৌম্রিঙৈদা হরিকেন অদুদি লাপগ্রে।

ঐনা থাজনা খনবদি, চীংথক অদুদা জাপানীজশিংনা তৌখিবা পূন্নমকতু

বৃতিসকী প্লেনশিংনা শোয়দনা উরমগনি , মখোয় অমুক হল্লকুনা বোম হৈথরনি, মফম অদু কাং খোং চাইহনগনি অসিনি, অদুবু, খল্লুবা অদুগী ওন্নতৈনবদা ফাইটর প্লেনশিংগী মখোল অদু অশুম লাপথোকত্রে, অমুক হল্লকখিদ্রে। কোম মনুংদা চেনথদুনা লোংনরুবা পূম্নমকসু অমুকহন্না থোরক্কুনা মফম মফমদা লৈনরে।

নুংথিল য়ৌরক্লে, মখোয়গী গার্দ অমগা লোয়ননা অকোয়বদুদা ঐনা শাজেল ওইনা চৎপদু অমুক হৌরমই। ৱায়রলেস সেত থম্লিবা অদুগী মনাক য়ৌরকপদা হান্নগুম্না অমুকসু নুপা 'দুদা হায়রুই :- "ঐ অমুক্তগা হন্না তাজগেবা।"

"য়াদ্রে, তাহনবা য়াদে।"

"ঐ লেফ্টনেন্ট 'দুদা হায়জগে হায়বা।" ঐনা মখা তাই।

"অদুম তৌরুনু হায়বীরিসিনি।" ওপরেটর অদুনা খুন্নকই।

"ঐ শোয়দনমক্কী হায়জনি।"

"অদু ওইরদি— নঙ হান্নসু তাব্রে হায়বীরুনুকো।"

"শুকহায় হায়জরোই নঙনা তাবু তাহল্লদি।"

"তাহনবদি তৌররোই, ঐনা তারগা নঙোন্দা হায়রক্কে।" দায়েল অদু উংই, ইয়ারফোন অদু মনাকোংদা নকশীন্না থম্মী, ঙাইহাক্তং পূক্লিং চঙনা লৈ। ঐসু নকশীল্লুই, করিসু তাবা ফংদে।

"চৎখ্রো, অদুগা অমুক হল্লকউ।" মানা হায়রকই। মিনিট তরারোম, অমুক হন্না গার্দ অদুগা লোয়ননা চৎপা হৌরে। মাগী শঙ্গিন হাপ্পা রাইফল অদু তুংদগী ঐগী নঙ্গনসিদা ওনশীন্দুনা অদুম চৎলি। ওপরেটরগী মনাক য়ৌরকপদা অমুক হন্না হংখি :- "করি করি পাউ তাবগে ?"

" ইম্ফাল-কোহিমাগী লম্বীদা জাপানীজনা মফম মরী থোক্লা লম্বী থিংজীনখ্রে... কোহিমাগী অৱাংদসু জাপানীজ লৈখ্রে।"

" বৃতিসকী মরমদি ? "

" পাউ পীবা নুপা 'দুনা হায়বদি— ইম্ফাল লৌশীল্লনি হায়বসিদা, বৃতিস করিসু পাখৎতে হায়, অদুবু মদু অচুম্বদি ওইরোই।"

"কবি হাযবা- নুপা হাযবা ?"

"হোযনে, পাউ পাবা নুপা 'দুনা হাযবা।"

"নুপী অমত্তা য়া ঙাঙলক্রা ?"

"ঙাঙলক্কে, ঙবাংদি নুপী অমনা ঙাঙবনি।"

মথঙগী নুমিত্তুদি ঐবু শঙ অদুদগী মপাল থোকহল্লমদে। এনা গার্দ অদুদা কবিগীদমক ঐবু হকচাঙ শাজেল তৌহন্দ্রিবনো হংবদা মখোযগী লেফ্‌টনেন্ট নাকামুবানা যাদর্বনি হাযনা তম্মী। ঐগী শঙ মমাঙদুদা লাক্কুনা লেপ্লবা, মখোয সেন্ত্রি খশ নত্তনা অতৈ অতোপ্পা অমত্তা উবমদে। মখোয সেন্ত্রিপুবা থবদুসু চহি ফানা সিফায খল্লকাএবা, লৌউ শিংউবগী অচম্বা মাঙ ঙাক্তনি হাযবা খঙলকই। সিফায ওইবকপদা মখোযগী হৈনীংদবা নৈ- হাযনা মখোযগী মমাযদগী খঙদোবপদা কনিসু লুনা খোক্কে। বাফম অসি খাঙহৌ কাঙথোক্লুবদা মপূক্কিং নুংঙাইতবগা লোযননা মযূম চৎনিংবগী বাফ ফোঙদোবকই, অদুম ওইনমক মখোয, জঙ্গল মনুংদা শিবা হাযর্বসি শোযদনমক মবাযবক্তা তমথ্রবনি হাযনা চেংনা থাজখি।

ঐনা মখোযদা হায :- "নখোযনা লাল চঙশীনবা মতমদা য়াতসকা মফমদা চঙজদ্রিবা কবিগীনো . নখোযবু ফজনা লোযনর্বাগনি, অথবা চিঙ্গাকসু পীগনি।"

ঐনা খল্লী, মখোয কনাগুম্বা অমবু ঐনা মতৌ অশুম্না পূক্কিং থৌগৎপা ঙম্লবদি, ঐনা নানথোকপদা মখোযগী মতেংসু ফংবা যাই হাযনা, অদুবু পূম্নমক অদু অবেম্বনি। মখোয়না খল্লী, খূৎলাই থাদোক্কুনা চঙজবা অদুনা মখোয়দা পীগদবা ইকাযবগী শকক অদুদগী নোংমৈ গুলিনা পানবদুনা হেন্না ফৈ। অশুম্না, মখোযনা শেন্নদুনা লৈবিবা ঐগুম্বা বন্দি অমনা মখোয়গী থাজবা অদুবু মাঙহনবদি খক ওইথোক্লমদে...।

য়ায়বলেস ওপবেটব অদুদা অমুকহন্না ঐনা হায়জকবা ঙমদ্রদুনা, গাদশিং অদুগী মরক্তগী অমদা কবি পাউ লাকপগে হায়না হংবীনবা হায়জবমই, লোয়ননা তান চাবা অমসু য়েংদুনা... য়াল্লবদি পাউ পারকপা মীশক্তু নুপীবা

নুপারা হায়বদুসু খণ্ডোক্লবা হায়জরম্মী। মথণ্ডগী নুমিত্তসু পাউ পারকপা মীশক অদু নুপানি হায়বা খণ্ডলে। ঐ নীংবা কায়বা হৌরক্লমই- অহিং অদুমদি চিংনবা, নুংঙাইতবা ৱাখলনা ঐগী পূক্লিং অসিবু ৱাহনখী মরমদি সেৰীনা পাউ পাবগী থবক অদু তৌরকতবদা। মার্গারেট অমসুং জেনিফর মখোয় অনীনা চিথিদা পল্লকখিবা ৱারোলদু অমুক হন্না পূক্লিং অসিদা শাগৎপা হৌরকই অমসুং ঐঙোন্দা থোক্লিবা, লাইবক থীবগী ফীভম অসিগদি, ৱাবোল অদুনা ঐবু অমুক্তা হেনজিন্না ৱাহল্লমই। অমুক্তা থোকখীদ্রিবা মওং অমদা ঐগী পূকুং অসিদা লৈফম খণ্ডদনা চাকপা হৌরকহ, খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা মখল অমগী চৈনানি...পূক্লিং হকচাঙ অনীমক্তা অশুম অশুম শোকচীল্লকই, খাঙবদা ৱাবকই । নীংবা কায়বকপা, অৱাবা অসিনা ঐগী শোর ফুনগে তৌরকপদা, ঐ ৱাশকখী... করিগুম্বা মথণ্ড নুমিৎ নির্নিফাওবা সেৰীগী খোঞ্জেল, ৱায়বলেসতা লাক্লবদি, থবক মহে য়ানগে য়াল্লু-য়াল্লোই ফরে, ঐ শোয়দনমক অহিংদা নাম্বোক্তুনা চেল্লগে। সিদ 'সুম লৈরগা, ঐগী সেৰী অৱাবা খাঙনা খাঙনা শিরগনি হায়না পূক্লিংদা থাজনা খল্লীবা অসিদি, ঐ ইশাবু তপ্না তপ্না শিহনবগা মান্নরম্মী।

নোংঙাল্লে, নুমিৎ অদুসু নুপা অমনা পাউ পারকই। মতম অদুদদি শণ্ড অদুদগী নমখায়দুনা চেনখিবা পামলে, সিখ অদুনা তৌখিবগুম নুংথিল অদুদা ইফোঙ-ফোংনা লৈফম অদুদগী চেনথোকনীংলম্মী। ঐ ঙাওরক্লমই, অশুম পূমঙাও ঙাওখীদুনা চেনথোক্লবা তারবদি, সিখ অদুদা থোকখীবগুম ঐসু সেকেন্দ মঙাদগী অমুক শাংথনা হিংদবসু য়াই। ওবক্কে তৌবদা ওদনবা হোৎনবগুম, য়ু ঙাওরক্লবদা ঙাওদনবা লাক্লজবগুম, ইশানা ইশাবু ফাজীনবা হৌরকই, নীংলিবা অদু পাঙথোক্লবদা শিরে হায়বা খণ্ডলকই। অদুবু ঐঙোন্দা হৌরক্লিবা অঙাওবগী ঈথক অদুদি হকচাঙ পুম্বা থূমলক্লে। শণ্ড মনুংগী লৈমায়দুদা ফমথরগা খাজীল্লিবা তুংগী ৱাখোঙদুদা ঙাশিল্লগা খূৎ অনীনা লেংজুম মপাগী ৱা মখোঙ অনীদুদা কন্না পায়শীন্দুনা লৈখি অদুগা ঐগী মিৎয়েং অসিনা শণ্ড অদুগী ফক্লাঙ ওইরিবা মখোঙশিংদুদা য়েংলুবগী মহুত্তা... মফম অদুবু কিরকপা, হৈনরক্তবগী মওংদা থোঙ অদুদগী মপাল্লোমদা লাপ্না য়েংথোক্তুনা লৈখি।

মথণ্ডগী নুমিৎ অদুমদি, নোংঙাল্লকপগা ইকুই কুইদনা বৃতিসকী হরিকেন

বোম্বব অমা পাইবক্লগা শঙ ময়াম লৈবিবদুগী নাকন্দা বোম অনী থাদখী। উথক্তা এবোপ্লেন পাইবকপা য়েংলিবা সেন্ত্রি অদু নংহৌদ্রমানে, বোমশিং অদু পোকখাযবকপা ফাওবা মাগী কোংঙৌ তিন অদু য়েবকপগী মখোল তাদে। মফম অদু কাং-খোং চাইখি, মখোয কোইচেন চেন্নদুনা খাঙখি। এবোপ্লেন অদু অমুক লৈশিল্লক্লুনা মহাক্কী যাওবীবা বোম মবী অদু থাদবকপদা ঐহাকসু কোম মনুংদা চেনশীন্দুনা লৈখি। কেম্প শাবিবা মফমদুদা এবোপ্লেন অদু নাকন্দা চেপ্থ চেপ্থনা হুমথবকপা উখী। ঐদি অথেনবা কোম অমদা পাকথবর্ম্মী, অকোযবদুদা বোম মচা কযা পোকখাযবকপদা লৈপাক কযাসু চাইখৎলকখি। ঙাইহাক লৈবগদি, হবিকেন ফাইটব অদুগী ইনজিন মখোল অদু খবা খবা অশুম লাপখ্রে। জাপানীজ কযা মকোক হাইগৎলক্লুনা যেংনবকপা উই, মখোযগী শিববা অমদি শিদ্রিবা মকুপ মপাঙ কযা লৈপাক্লা তাদুনা অমদি ওন্ন থোইনা লৈবদু উই। সেকেন্দ খবগী মতুংদা অমুক হল্লক্লে হবিকেন ফাইটব অদু। হন্দকমুক্তী, হৌবিবা উশিং অদুগী মতোল খেৎনা পাইশিল্লক্লুনা মফম অদুদা লৈবা শঙমচা বাসা খবা মৈ চাকহনখে, ঐনা লৈবিবা অদুমদি যাওহৌদ্রে, জাপানীজশিংনসু নোংমৈ কযাদি কাপখীবনি অদুবু অশোয-অঙাম খেক্তেন, ফাইটব অদু মথৌ পাঙথোক্লম্লগা চর্মাদ্রিং ব্রাংনা নোংথক্তা হনখ্রে।

মযাম ইপা পাখৎননা চনাঙনবমই, ঐগী নাম্ভোকখিবা যাবগী লম্বীদি লৈবমদে। সেন্ত্রি অদুনা ঐবু পুশিন্দুনা থল্লিবা কোম অদুগী মনাক্তা, লেফ্টনেন্ট অদু ইফীং ফিংনা লাক্লগা, লৈমাযদা তাদুনা লৈবিবা অশীবা জাপানীজশিং অদুদা মখূৎ থিন্দুনা ঐঙোন্দা হাযবকই :- "হৌজিক শিদুনা লৈববা, থৌনাফববা জাপানীজ মচাশিং অসিগী লম্মনদি, মখোয মশাগী অকম্বা শকক্তা মান্ননা, বৃতিস মচাগী ঈ-না শিংগদবনি...খঙঙব্রা ! অদুবু নঙদি ঐনা কনবীবি, ঐখোয়দা কান্নবা খবা ফংগদ্রা হায়বদুখক্তগী ওইনা।"

মাগী পাঙ্গল ফৃদোক্লা, য়াম্না শাউনা ঐগী মায়দা খুপাক্লা থাজিল্লকই। মহাক ঐঙোন্দগী ফুট অমদি হস্থনা নেমগনি, ঐঙোন্দা মখূৎ লামখত্তুনা ফূবকপনি, য়াম্না শাফূ কল্লী ঐ ব্রাস্তুবগা মান্নখী। ঐঙোন্দা যেংলকপা মিৎয়েং অদুসু যাম্না তুক্কচবা, তমথীবগী মিৎয়েংনি।

"মাবু উ অসিদা মখূৎ অনী লাকপীল্লগা হেন্দকক চল্লু।"

গার্দ অদুদা পীবকপা মাগী য়াথং (হুকুম) নি।

উপাম্বী অদু মউ চাওই, ঐগী খূৎ অনীসিনা কোনশিনবদা থুংফাংতে। ঐগী খূজেঙ অনীসি হেন্দকফনা শমজিন্নবদা খূৎকী উনশা খরা তংলে। ঐ, উ অদুদা চেৎনা কোনশিন্দুনা খাঙবনি। পাম্বোম অনীসি কোয়া, হাইগং হাইথ তৌনা থম্বা ঙমদ্রবনিনা ঐ,খূনিং কাঙখৎতুনা অদুম লৈবা তাখি। খূৎনা য়াল্লিবা অকম্বা শকক্তু খজিক্তুং য়াংননবা হাযদুনা খুদোম্না লেপ্তুনা ইনখৎপদুসু খোঙ অসি রাবক্লদুনা মমৈথঙদদি ঐ যান্দুনা অদুম লৈবদা পাম্বোম অনীমক লেংজুম্নদগী নানথোংবক্কদবা মাল্লম্মী, অমবোমদনা হেন্দকফকী য়োং অসিনা খূজেঙ অনীমক ককপক্কদবা মাল্লম্মী। পূংখায অমবোমগী মতমদি য়াম্না রানা খাঙখিবনি; মায় মপাদা লৈবম্বা উ অদুগী তোঙথোবকপা অপীকপা মফম অমদা চীক্লগা অব্রাবা অসি কাউথোক্লবা হোৎনবী, কবি অমুক হায়গনি, সেব্বীগী নাতোন অদুনি, চাম্বল অদুনি খন্দোক্লে... ঐগী রাখলগী শকক অমনা মহাক্কা রাবী শানবা হৌরমই।

ঐগী পূক্লিং অসিনা মাবু হন্না হন্না থেমজে "নঙ শিবা য়াদে, ঐ হল্লংখিনি, ঐ লাক্লিবফাওবা ঙাইবম্মু, ঐখোয় অনীগী পুন্সি নুংঙাইরক্কদবা রাংলে। নঙবু তুকিসবগ্রীবাদা পুবগা লুহোংগদবনি... নঙগী নশাদা লৈবা হকচাঙগী নুংঙাইহৎবদু ঐঙোন্দা কবিগী হান্না খঙহন্দবনো ...।"

ঐগী রাখলসিদা অমুক সেব্বীনা হায়বকই- "দার্লিং ঐগী হকচাঙগী মবমদদি কবিসু খল্লুনু , নঙনা ঐবু চানবীবা, নুংশিবীবা অসিনা, ঐদি নিংজবা থুংজরবনি, শিববসু য়ারে হাযখিদ্রনে ঐনা...। হৌজিক ঐনা য়াম্না রাজবদি, নহাকপু জাপানীজশিংনা ওৎ-নৈরমগদবা অদুনি... ঐ য়াম্না ইকাইজে... ঐবুসু জাপানীজ অমনি খল্লুবদা তুক্কচবা পোকত্রা ?"

রাখলনুং অসিদা ঐখোয় অনী মখাতানা হায়নৈ ।

"খন্দে, নঙবু জাপানীজ ওইনা ঐদি খন্দে।"

"নঙগী সেব্বীবু করম হায়না খল্লী ?"

"ঐদি নহাকপু নুপী অমা ওইনা খল্লী।"

"সেব্বীসু জাপানগী নুপীনিকো...?"

"অমা ওইবে, অমা ওইবে নহাক নুপীনি।"

"কবিনো দার্লিং, অমা ওইবে হাযবদি ?"

"নুপী ওইবী অমনি হাযবনী।"

"ঐদি ইন্দিযান নুপীগা মান্ননা শাওং শাদা ফজবী নুপী অমদি নত্তেকো...।"

"নহাক্কী য়াম্না ফজবা থম্মোয় অমদি য়াওবী।"

"থম্মোয অদুদি, ওইজবা থিবীনি, মবমদি মহাক্না মাইকেল নত্তনা অতোপ্পা কনাবুসু খন্দ্রবনিনা।"

"মতৌ অদুম্না অদুম খন্দুনা লৈবীযুকো," ইথন্তা হান্নজে। "ফীভম অসিনা হৌজিক ঐবু শিহনবদি যাবোই, অব্রাবা অসি কবিসু নত্তে, থুনমক লোইখ্রনি, ঐ, কবিগুম্বা অমা তৌবগা, নঙগী নাক্তা শোযদনা লাকখিনি। মবম অমগীবু ওইবে, নঙনা হৌজিক খাঙলীবদু, ঐ লাক্লিবফাওবা খাঙলম্মু, নঙ শিবমগনু। ঐনা ননাক যৌবকপদা নঙ অমুক হিংবা পামলক্কনি, ঐনসু নঙবু হিংহনগনি। ইমা ইপানা নঙবু উবদা, মখোযনা নুংশিদবা ঙমলোই। অমেঙবা অথোৎপনা থল্লবা ফজববা পুন্সি অমদা ঐখোয অনী নুংঙাইনা হিংমিন্নখীগদবনি। হৌজিক্কী অব্রাবসির্দি পুন্সিগী চাংযেংনি, মশিনা ঐখোযবু মায়থীবা পীবা ঙমলোই... মশি লোইখ্রনি, ঐ ননাক্তা হল্লক্কদৌববনি... ব্রাশক্লীবসির্নি, ঐ শোযদনা হল্লক্কনি দার্লিং।"

নুমিৎ অদুগী নুংথিল ফাওবা ঐবু উ অদুদা লাকশীন্দুনা, কোনশিলহন্দুনা থমখী। পুন্সি অসিদা, অসিগা মান্ননা ব্রাবা খাঙখীদ্রি। অব্রাবা অদু ঐনা, থৌনাফবা, অকনবা মীশক অমা ওইনা খাঙখিদে ... থৌনাফবগী পাবা অদু ফানবা খাঙনা খাঙনা তমখিবনি অমসুং হিদাক্লা হকচাঙগী অনাবা ফহনবগুম, পূক্লিংদা লৈপ্লবা অনীং বা অমবু অব্রা-অনানা ময়েং তাহনবা ঙমদে হায়বগী পাবা মখল অদুনি।

উ-পাম্বীদা খূৎ লাকশীন্দুনা হেন্দকফ চনবদু থাদোকপিবে, অদুবু হেন্দকফ অদুদি খূজেঙ অনীসিদা অমুকসু হন্না চনশিল্লমই। য়োৎলি মতেক অমসু য়াওই, মাঙদা চৎপা গার্দ অদুনা ঐবু চিংদুনা চৎপা যানবা। নুথিলচ্লপ্নদু, মখোয় পূল্লমক হান্নগী মফমদু থাদোক্লুনা, মপোৎ-মচৈগা লোযননা অতোপ্পা মফমদা হোংনবা চৎনবমই। ঐসু, তুংথংবা সেপ্ত্রি অদুনা পুবগা, চৎপদুদা য়াওবে। চৎলীবদু কদাযদনো খঙলমদে, মখোয হবিকেন ফাইটব অদুবু যাম্না কিথিবা মাপ্ল। লেফটনেন্ট নাকামুবা-না থৌনা ফূদোক্লা মাগী শামুবাই থাঙশাঙ অদুনা, ঐখোযগা লোযনবকপা সিখ অদুগী মকোক ককখিবা মফম অদু হেন্দোবকলে। জঙ্গলগী খোঙলম্বা অদুদা ঐখোয পবেং অমত্তা ওইনা চৎলমই। ঐগী মাঙথংবা গার্দ অদুনা, ঐবু পাল্লবা যোৎলিগী অহেনবা শরুক অদু পাযদুনা চৎলি, তুংথংবা অদুনা মাগী বাযফল অদ ঐগা নঙ্গল্লোমদা উৎতুনা চৎলি। কবিগুম্বা এবোপ্পেন পাইবকপগী মখোল তাববাদ অশোঙবা মবক্তা লোক্তুনা লৈ। মতম অসিদাদি ঐগী নাম্থোক্লুবগী তানজা লৈবমদে। যাম্লসু চোকথবে, চৎনা চৎনা খুদিসু ঙাইহাক ‍খাঙ্জিল্লে অদুবু ঐগী খূজেঙ অনীদা হেন্দকফ চল্লগা যোৎলি অমনা পুর্বানিনা, খজেঙদ থোর্বাক্লবা ই অদু হেন্না থোবক্তনবা যাম্না নানা মখোযগী মতুং ইল্লকপনা মইল অনীবোম লাপলক্লে। বন্দি ওইবদগী চাবকপা মখোযগী চাক খজিক খজিক অদুনা হকচাঙবু মপূংফানা যোকখৎত্রবনিনা, ঐদি চৎনা চৎনা কোক ঙাওনকই, মৎ তন্দন পাইনকই।

যাম্না বানা চৎলবা তুংদা মখোযগী অনৌবা হেদ ক্বার্টবস অদু যৌবে। ১৯ নাপোম অমগী মথক্তনি, উ-ব্রা যাম্না হৌই, অকোযবদুদা কোমসু তৌখোক্লুনা যাম্না লৈবর্ম্মী। নোংমৈ কাপফম বংকব কয়াসু হান্না শেমদুনা লৈবমলে। মফম অদু যৌনা চীংমায অদুদা কাখৎ-কুমথগী থাক পবেং পবেংসু লৈবর্ম্মী। ঐবুসু বংকব অমদা পুশিল্লমই, মখোযনা মদুবু গার্দ কম হাযনা খঙনৈ। মফম অদুদা ঐ, সাবজেন্ট অমগা চুম্নগী সিফায় অনী-অহুমগা লৈমিন্নবে।

"ঐ মফম 'সিদা নখোয়গা লৈমিন্নগদৌবিব্রা ?" ঐনা হংখি।

"অহিং অসিমদি নঙ 'সিদ লৈবা তাবে।"

"ঐগী হেন্দকফ অসিমদি লৌথোকপিবা পামজে।"

"মদুদি য়ারবোই," সাবজেন্ট অদুনা হায়রকই। "ঐগী-বাখলদবুদি নওোন্দা হেন্দকক চন্দবনা হেন্না ফৈ...অদুবু উপাই লৈতে, ঐসু মখোয়গী হুকুম ইনবা তাবনিনা।"

"অদু ওইবগনা, চানবিদুনা ঐবু ফমথহনবিয়ু।"

"মদুবুদি, নশা নুংঙাইনবা য়েংদুনা অদুম তৌবিয়ু।"

ঐ ফমথবস্মী, নঙ্গল অসিনা বংকবগী নাকল অদুদা ঙাশিন্দুনা। খব-খবসু মমশীল্লক্রে, মুশি-মুশিনা ঙাল্লিবা কেন্দল অদুগী মঙান্দা মখোয়গী মমায় অদু হেন্না নাপু চঙশীল্লগা মশা অদু অমম্বা মচেৎ মচেৎনা কুপশীনবগুম উবে। মখোয়গী খদাও অমসুং নাতোন শুমাঙদা চোংখৎলকপা মকোয় ঙাক্তা উই, ঐগীসু কোই অনৌবা চোংখৎলক্রে, দিমাপুবদা কোকলকপদগী কোক্লীবনি। ঐগী মায় অসি কমদৌবিবা হায়দুনা খুৎ অনীনা থেংদুনা য়েংলস্মী। ঐনা তৌবিবদু উবদা সিফায় অমনা নোকলকই, মিংশেল মচা অমা মাগী ফুবিংখাওদগী লৌথোবক্লগা ঐগী মায় মপাদা থল্লগা য়েংহল্লি।

"নুংঙাইব্রা য়েংবা ?" মানা হায়রকই।

"ঐগী শকওইসি ওল্লস্মে, নখোয়গা লৈমিন্নবকপদগী।" ঐনা হায়বমই।

"হৌজিক্লা হেন্না, নঙদি সিফায় মাল্লবনে।"

"উম, সিফায় য়াম্না মাল্লে।"

মৈঙাল অদুগী মশেল মবাংবা মঙাল অদুদসু ঐগী ইশকসে য়াম্না নোকনীংনা, শিবগদবা মান্না উবা অদুদা, চীন্বালদদি উৎথোক্তনা পূক্লিংদদি নোকথোকপ্লবনি। মিং অসিসু মুশুক মুশিল্লগা অঙাও অফৈ মাল্লস্মী- শমসু উফুল ঙাক্তা পক্রে, চনপ্লনা চবুল চবুল পকশীন্নবে। খজাই অনী কুৎশীল্লগা চায়কংগী শক তোংথোক্লা উবে, চীন্বালসু ইকঙ কংনা পোমথোক্লা উবে। ঙাইহাক্তং বাখল তৌদুনা লৈ, ঐনা উবিবসি ইশামক্কী শক অদুনিকো হায়না। ইশক অসি তমথীবগী শকওইদি মাল্লগা, ঐগী মহৌশাগী ওইবা পূক্লিংগী

খোংনুংদা চেল্লিবা ঈচেল অদুদি অদুম লেঙদনা লৈরী। হকচাঙদা অনাবা পীনা, ৱাহন্না অমসুং চোকথহন্না ওৎলীবা পুম্নমক অসিনা ঐ হায়বা ইশা অসিবু হৌদ্রবা পুন্সি অদুদগী তোঙান্না তাহনবদি ঙমদে। ঐগী পূক্লিং লকা অসিদি হান্নগুম্না অদুম লেঙদনা লৈরী। নুংশিবা, ঐগী পুন্সিগী মীৎয়েং, ঐগী মরুপ-মপাঙ হায়বদি পুন্সি অসিবু শাগৎলকপদা য়াওরকপ্রবা মশক নাইবা, নাইদবা মখল পুম্নমক অদুদি মকশীনবা লৈতনা ঐগী থম্মোয়লকানুংশিদা ময়েক শেংনা লৈরী। হৌজিক উরিবা ইশাগী মমি অসিনা, পুন্সিদা পঙনা উবা ফংদবা ইশাগী ওইজবা, লাপপ্রবা মমি অমসু উহল্লকই। হৌজিক, জাপানীজ সিফায় অমনা মিংশেলমচা অমা মাঙদা পাযবীবগা ঐনা উবা ফংলিবা শক অসিদি মিকুপ খরসিগী দমক্তনি... ইশাবু বন্দি ওইনা, য়াম্না ৱানা, মোংনা মচুতাদনা উবা অসিখক্তনি।

মিনিট খরগী মতুংদা ঐগীনি হাযদুনা চাক খূবাম অমগা, থক্লবা ঈশিং কৌতা অমগা পুশিল্লকই। ঐবু শঙহল্লিবা গার্দশিং অদু মরুপ মপাঙ ওইবগী ৱাখল চেল্লি, ঐহাক্না ৱারী ৱাতাই তৌজবা পাম্মী। শম্না হায়রবদা ঐহাকসি, মখোয়গীদি ম্যুজিয়মগী শরুক মচেৎ অমা ওইরম্মী। ঐনা জাপানীজ লোল ঙাঙবা ঙম্বা অসিনসু, মখোয়দা পোকলম্বা য়াবা চিংনবা অমসুং অকীবগী শরুক অদু তংখায় অমদি হুন্থহল্লে হায়বা য়াই। ইংলিসকী মীওই খরদি, মখোয়না হান্না জাপান্দা উপ্রবা মাল্লি, অদুবু মখোয়গা ইহান হান্না উনবা ইংলিসকী মীশক অমা হাযবা তারবদি ঐহাক্না ওইরে। ঐঙোন্দা লোইবা নাইদনা ৱাহং কয়া হংলকই, ঐগী য়ুমগী মরমদা, বন্দি অমা ওইরবদা করমতৌনা খনবগে হায়বগী মরমদা অমসুং ঐগী য়ুমদা লৈহৌবা মীশিংনা করি থল্লম্বা য়াবা অদুগা লাল অসি লোইশ্রগা অমুক হন্না ঐ ইংলেন্দদা চৎকদ্রা হায়বনচিংবা।

ঐগী পূক্লিংদদি খল্লী-লাল অসি লোইদ্রবসু ঐদি চৎলনি হায়না। মতম অসিদা, ঐগী পূক্কী লায়না (দাইসেন্ত্রি) অদু অমুক কন্না য়েকপা হৌরক্লে। মখোয়দসু খঙহল্লগা হায়জে- "থৌজানবিদুনা ঐবু মগ্লান্দা অমুক্তা পুখোকপিয়ু।"

সারজেন্ট অদুনা, ঐনা হায়জরিবা অদুগীদমক মখোয়গী সেন্ত্রি নুপা অমদা কুপথনা শিন্নরমই। সেন্ত্রি অদুগা বংকর অদুগী অরোয়বা থাক কাওবা কাখৎলকপদা, ঐনা মায় লৈনীন্দুনা মঙোন্দা হায়জে :-

"হেন্দকফ অসি য়াওরবদি, ঐঙোন্দা য়াররোই।"

"ফরে" সারজেন্ট অদুনা খুম্মকই। "নও খোঙহাম্ফম চঙবদদি মদু লৌথোকপিবা তারে।" মানা সেন্ত্রিদুদা ওনশীন্দুনা হায :- "চেকশীল্লুকো।" চীংমায়দা হক্লিবা থাক পরেংদুদা অমুক কাখৎলকই, শেন্নবা নুপা অদুগী মখূত্তা পিস্তোল অমসু পায়রী। অহিং অদু থা-দি থোক্লমদে,থব্বানমিচাকশিংদি ইবঙ লংনা অতিয়াদা থোক্লী। য়েংথোকখিবদা, হৌরীবা উপাপ্পীশিংদু উই অমসুং কদাযদা কবম্বা উ হৌবগে হাযবদু খঙদোকপা ঙম্মী। অমম্বা মরক্তুদা মুন্না অশুম যেংশিল্লবসু উশিং অদু মখল মখলগী পোৎ মওং মাল্লকই। নুংশিং অদুসু জঙ্গলগী মনম চেন্না শিংলমই। লৈবম্বা, অতোপ্পা কোম পবেং অদুদগী মীগী শহুম অমসুং খেঞ্জেল অমত্তা তাবমদে, অদুবু কেম্প শাবিবা পন্নুং অদুগী অকোযবা পেবিমিটরদগী গজ তবানিথোইবোম লাপথোক্লা অহাঙবদা লৈবিবা কোমশিং অদুদগীদি সেন্ত্রিশিংগী মকোক থিঙ্গৎলকপদু মশেল মবাং উবা ফংই। অসিদগী অমুক লাপথোকপ্রগদি, মরক মবক্তা খোংলকপা শা-উচেকশিংগী খোঞ্জেল অদু নত্তবদা কৌজেং হাবৌগী মখোলনা লেপ্পা লৈতনা তাবী, অদুবু চীংখা ওইনা হাইথখিবদা লৈবা লম্বীগী মাইকৈ অদোমদদি পূম্নমক ইচীক চিকই।

হৌরম্বা উজাও অমগী মখোঙদা, মতম খবগী ওইনা খোঙহাম্ফম কোম অমা তৌথোক্লুনা লৈবম্মী। মওং তানা খাজীনবা অরোনবা মফম অমদি ওইদে, অরোনবা হায়ববু নুংদাংগী মতম অদুনা ওইরম্মী। গার্দ অদু গজ খবা লাপথোকপা মফমদগী ঐঙোল্লোমদা ওনশীন্দুনা লেপলমই। মতমচূপ্পা মাগী বিভোলবব অদু কাপ্পনবা মখূত্তা থৌরাঙ তৌদুনা লৈ। ঙসাই, মখোয়গী মথক কুপশীনবা কোম অদুদা লৈমিন্নরিঙৈদা উৎখিবা মাগী পূকচেল ফজবগী, ইকায়খুম্ন বগী মওং অদু মফম অদুদদি লৈত্রে।

থাঙ্গৈমকশেংনা ঐগী ইতোল অদুদি কন্না হৌরক্লবনী। পূক অসি খাঙবা ঙমদনা য়েকলম্মী। উখা অদুদা য়াম্না কুইনা ফমদুনা লৈখি। বংকর অদুদা হল্লক্লবগী মতুং মিনিট তরারোম লৈরগসু অমুক হন্না মপান্দা থোকপা পামলকখী...। সিক্কায়শিং অদুনা ঐগী ইতৌ অদুদা নোকলম্মী। মখোয় মশা মশাসু থেংনরকপ্রমানে, দাইসেন্ত্রি হায়বসি করিনো হায়বা খঙই। ঐনা অমুক হল্লকপদা,

মখোয়না ফাগি তৌশিল্লকই, অমনা হায়রকই :- "দাইসেন্ত্রিনা অদুম হেন্দকফ ওইরে নঙদি, অমুক হেন্দকফ চন্দ্রবসু য়ারবা জাতনি।"অদুমওইনমক, হেন্দকফকী য়োৎলি অদু হকচিনবীরক্লবা খূজেঙ অনীসি অদুম পুথোকচরমই ... কৈদৌরুনি, চপ মান্নে ... মখোয়গী রাইফল অদু মুল্লগা ঐনা মখোয়বু শীঙনরুবা ঙম্লবোইদবনিনা।

অসুম্না, ইতোলগী য়েকপা অদু ফৎলক্তুবদগী, উ মখোঙ অদুদা হন্না হন্না মচিং-মচিং খোঙহাম্বা থোকপা তকক তরেৎলক শুরকপদদি গার্দ অদুনসু ঐবু কয়া থৌশারকখিদে। ঐখোয় অনী লাকমিন্নরগা, ঐনা উখাদা ফম্লীঙৈদা, মহাক হঙ্গৎ হন্দা চত্তুনা লৈ। ঐসু হান্নদগী হেনজিন্না ব্বাববগুম তৌশিন্নখি। থোরকপা মতমদা য়াম্না ব্বানা তপ্না-তপ্না খোঙ থাংই। বংকবগী কোম মনুংদুদা ফম্না ফম্না, কোক অসি নাকল অদুদা ঙাশিল্লগা মিৎ উইশিন্দুনা ঙসাই মিংশেলদা উবা ইশক অদুদগী হেন্না তমথীরবা শকওই অমা পুরবগুম খন্দুনা লৈখি।

নোংয়াইগী মতম হেনজিল্লক্লে, সাবজেন্ট অদুগী হৈনিংবা, নোকনীংলম্বা পূম্নমক হৈনীংদনা নুংশুক্লবরোমদা চঙশীল্লকপা মাল্লি। ঐনা মপান্দা অমুক হন্না থোক্লবা হায়জবদা মহাক্না হায়বকই..."অশুম হায়না 'সুম তৌবসিদি য়াববোইদা, নঙ মপানগী উ অমদা অমুক হন্না পুনশিনবা পাম্ব্রা ?"

" তৌবিনু, ঐ মদু পামজদে।"

" অদু ওইববদি, নশানা মদু (দাইসেন্ত্রি) লাকশীন্নবা হোৎনবা তাই।"

" ঐবু অমুক্তুংগদি চৎলহনবীয়ু।" ঐনা হায়জরমই।

মানা খূদাঙদগী হেন্দকফ অদু লৌথোকপীরে। ইশা অসি চিংনা-চিংনা, ঐ থাক অদু অমুক কাখৎলকই। অহিং অদু খজীক্তং ঙানথোকপগুম তৌরম্মী , অদুবু উখোং অদুদদি পূম্মম্ মম্ই। ঐ মফম অদুদা ফমদুনা লৈরে, শেন্নবা নুপা অদুদি গজ তরানিথোই হুমদোইরোম লাপথোক্লা হঙ্গৎ হন্দা চৎতুনা লৈ। ঐগী পাজল ফূদোক্লা চেনখীবসু ওইথোক্লমদে, মরমদি কেম্প মনুং অদুগী অকোয়বদা গজ কুম্বারোম লাপ্না লৈবা কোমশাং অদু য়ৌদ্রিঙৈদা, ঐনা তৌরিবদু খঙলকপদগী গার্দ অদু মমায় লৈশীল্লিত্তুনা নোংমৈ কাপশীল্লকনি নত্রগা সেন্ত্রি অদুদা লাউগনি।

থৌরাঙ অমদি লৈ, শোয়ররোয়দবা, কয়ারক হন্না খনগ্রবনি ঐনা উখোংসিদা লাকপা খুদিংদা। মদুনা খ্বাইদগী ফবনি হায়না পূক্লিংদা লেপ্লে। অকীবা ফংনা চিক্লবা মতম অদুদা ব্রাখল অদু খন্না খন্না ফন্নী, কুইবদি য়াদ্রে... মিনিট তরাগী মনুংদা পূম্নমক ফল অমদি তারনি। তৌগদৌবিবা থবক অদু... অমুকহন্না পুন্সিগী ইনিং তন্বা ফংজবা নত্রগনা শিবনি, ওইবসু য়াই অহানবগী গুলিনা পান্দবা, অদুবু লেফ্‌টনেন্ট নাকামুরাগী থাঙশাঙ অদুমসু লৈরি।

ঐঙোন্দা লৈজবা থৌনা লিংজেল পূম্নমক খোমজীল্লগা, ঐগী অহানবা খোঙথাঙ অসি হৌগদৌবে। অতেনবা মিকুপ খরসু ঙক্না লৈখিদবা নত্তে, কবিগুম্বা ঐগী পাঙ্গল ব্রাংলবদি হায়না, অদুবু চিংন চিংননা ঐগী অনীংবা খোঙথাঙ অদু মশানা অদুম হৌগ্রে। ঐনা লেপখৎলকপদা উই, মাগী লেপফমদগী খোঙকাপ খরা মতুং ওস্লোক্লুনা চংখীবা গার্দ অদুগী মমি শার্মি উবা মকোক অদু। ঐ, ইশাগী অনাবা, চোকথবা পূমকাও কাউথোক্লা, খূৎ অনীমক কোকথক্তা হাইগৎলগা হান্নদগী লৈ হায়বা খঙলবা অচৌবা উশা অমা লামখৎতুনা চেংনা পায়শীল্লে, খূৎনিং অনীমক কোল্লপ তৌরগা লোংহনগী মওংদা কোক্লা মখা ওন্থরগা খোঙ অনীমক মথক্তা হাইগৎলগা উশা অদুদা নপতুনা লৈবে। মওং অসিদি, ফুল তন্নিঙৈদসু, জিমনাজিয়ম শান্নফমগী বারদা কয়ারক হন্না তৌগ্রবনিনা ঐঙোন্দা লাযনা থোকখী। মতম অদুদদি, কবিগুম্বা ঙমদবা তারবদি ইমান্নবনা নোক্লগদ্রা খনখীবনি..., মিকুপ অসিদদি ঐনা তৌবিবদু কবিনো হাযবফাও খনখীদ্রে, কিমনবদগী অকীবা অদুসু মাঙখ্রে।

গার্দ অদুনা খোঙকাপ খবা চংলুরগা অমুক হল্লকপফাওবা উশা অদুগী মথক্তা থবাক্লা নপশীন্দুনা লৈখি, অতোপ্পা উপাই অমা লৈত্রবদি, তানজা অদুমক্তদসু মথক্তগী চোংথরক্লগা, লাউখোংবা ঙমহন্দনা মাবু মখৌরী মেৎতুনা ইরায় লায়না লোয়শিনবসু য়াই ... অদুবু ঐখোয় অনী কোম মনুংদুদা শানখিবা বারী, মাগী চমজবা মতৌ অমসুং কিথীকিরুম তৌজবা মশক অদুদা ঐগী পাঙ্গল খোকখীদে। মহাক্তি, হৌখিবা চহি অনীগী মমাঙদা কপ-প্লেত য়োনফম দুকান অমদা পোংয়োনবা য়াওজরকপনি, মানা দুকান অদুদা হরাওনা পোং য়োনজরমগদবা মশক অদু শংশঙনা উই। মহাক অশুঙ্কী মতীক মিনুংশি চেল্লি...

অদুনা মহাকমথন্তবু লন্নাই ওইনা হকথেঙননা হাংতোকপিবগী থৌনা ঐঙোন্দা লৈরমদে। ঐ খঙদবা নত্তে, ঐনা চেনখীবদা, মাগী গুলি অমনা ঐগী নঙ্গন্দা পানবা য়াহ, মদুসু মঙোন্দা নোংমৈ অমা পায়হল্লগা নমদুনা লাল অসিদা য়াওহল্লকপগী মরম অমা ওইগনি। অসি খল্লুরগা, মাগী মফমদা ঐনা য়েক্লবা অমা ওইনা তুক্কচবা ঙমখিদে।

মিকুপ খরগী মতুংদা ঐ, উশা অদুগী মথক্তা তপ্না লেপখংলগা উ অদুগী মউদা কোনশিন্দুনা লৈবে অদুগা অতোপ্পা, অকনবা উশা অমদা অমুক লানথোবকলে। উশা অদু লৈমায়দগী ফুট তরারোম খাংগনি। নেমথখীবা মতোল অদুদা যাল্লগা অশং অমাল ঙাক্তা ঙায়রবা লৈমায়দুদা চোংথনবা শেম শারম্মী।

গার্দ অদু অখাঙকনবা মীনি, ফিংগংপা কয়া হৈত্তবা মীদানি। খোঙহাম্ফম উখোং অদুদা মহাক্না অহানবা চাংয়েং ওইনা মুন্না য়েংশিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা মিনিট তরারোমগী মতমদি হৌখীরম্মী। খোঙকাপ খরা চংলুরগা হনজিল্লকপদা, উখাগী অমম্বা মফম অকোয়বদুদা য়েংলক্তুনা লৈবা মাগী মওং অদু ঐনা উথক্তগী মমি শামি উবা ফংখি,অদুগা মানা শোনথাংননা হায়রকপদুসু তাখী :- "নঙবু লোইববো ?"

ঐনা খুমদ্রবনিনা, মফম অদু ইচীক-চীক্না সৈ। মহাকসু তুম্মিন্না অমুক লৈখি। তপ্না তপ্না মঙোন্দা অকীবা অমা ফাওবক্তে হায়বদু ঐসু খঙবা ঙমখি। মথঙদা অমুকসু খোঞ্জেল নীক্না হায়রকই :- "নঙ...নঙ লোইরব্রো ?"

সেকেন্দ অমরোমদং লেপতুনা লৈবগা, উখাগী কোম মনাক্তুদা চঙশীল্লক্তে। অমম্বদুদা মখূৎনা অকোয়বদু মাদুনা য়েংবদা, হৌরীবা উ অদু নত্তনা করিসু শোকপা ফংদ্রবদা, পাখংনা লৈবা মাগী শাওং অদু ঐ উবা ফংই। অনকপা মফমদুদা লৈবা মোংশোং মরক্তুদা য়েংনা য়েংনা, লাপতক্না লৈবা সেন্ত্রি অদু তাহন্নীংদনা তপ্না অমুক হায়রকই :-

"খোকচরকউ কো ... নত্তবদি নঙবু কাপ্পা শোয়দবনি।" মৈঙাল উহনবা য়াদবনিনা, মঙোন্দা টোর্চ লাইত্সু য়াওদ্রে, অমম্বদুদা মহাক খংকি কিরকপগা লোয়ননা ঐহাক নাম্থোকদ্রে হায়বসি মানা অমুক লোৎপা য়াদ্রে। অকীবা পোক্লবা

থেব অমনা চেনখীবগুম, মখোয়গী মী লৈহৌবা কোম অদু য়ৌনবা মহাক চেনখ্রে।

খূদক অদুদা ঐসু উশা অদুদগী চোংথখি, মওং তাদনা লৈমায়থক্তা তাশিল্লবসু থুনমক ফীভম শেমদুনা চেনবা হৌবকলে। চেল্লকপা মায়কৈ অদু বাইট এঙ্গল ওইনা পেবিমিটব মনুং অদুগী যেৎথংবা নাকন্দনি, অকোযবদা লৈবিবা মখোয়গী অশাঙবা কোম অদু শমজীন্না য়ৌবগা অমুক চোংদুনা চেনবগী ব্রাখলনী। চেল্লকপদা, কোম অদু পাক যৌদবগুম খনখী, অদুবু নকশীল্লকপদদি কোম মনুংদগী মকোক ব্রাংখৎনা লৈবা সেপ্পি অদুগী লূখম উবকলে। মপাল্লোমদগী য়েক্লবা হাইজিল্লকুনা লান্দাশিল্লকত্রা হায়বগীদমক মহাক্তা কেম্প অদু ঙাক্লীবনি, অদুনা কেম্প মনুং অসোমদগীদি কবিগুম্বা খোঞ্জেল অমত্তা নাচুংনা তাদবগী মওংনি। অশুম্বা মঙোন্দগী গজ খবা লাপথোক্তা কোম অদু ব্রাংমা লান্না চোংলক্লগা, লু লূকথনা হোত্তুনা চেল্লকপদা ... ঐগী মীৎচিনা হাইবপ উবা ফংখী মাগী নাকন্দা য়াল্লিবা বাইফল অদু। খূদক্তা কাপলকত্রা খল্লুবনী অদুবু মাগী লেংজুমদা য়ানবনিনা খূদক অদুদদি কাপলকখিদ্রে।মওং অদুমক্তা ঐঙোন্দা সেকেন্দ খবগী খদোং চাবসু পীখি, ঐ হোত্তুনা অমুক চেল্লকই লু-লূকথনা মাঙদা লৈবা, ঐনসু হান্নদগী উপ্লবা, হৌবিবা উয়াম অদুগী অহাঙবা মবক্তু তম্না...। মফম অদু, গজ নিফুমঙাবোম লাপকনি, লোংপা য়াবা মফমনগু, অসিগী মতুংদা অমুক অমম্বদুদা চীংখা তম্না হাইথবকপা যোংশোংমবক অদুদদি, ঐ কদায়দা চৎলিবগে হায়বদু মখোয়না খঙদবনিনা ঐ তম্না নোংমৈ কাপলকপা লুবনি। অদু ওইববসু তানজা অসিদদি ঐ ইফোঙ ফোংনা চেনবনীনা য়াম্না পাখৎখী, লৈহৌবা সেপ্পি অহমদগীদি ইবায় লায়না কাপশীল্লকপা য়াববা মায়কৈনি, নঙ্গন অসিদা গুলিনা পাল্লগত্রা হায়বগী অকীবা ব্রাখলগা লোয়ননা থব্রায় খুবাক্তা হাপতুনা চেল্লকখিবনি । মফম অদু য়ৌবগী অবাম্না শকক মবী থোকপগী শকক অমগুম্বদমক ঙায়বক্লবফাওবা কবিসু খুদোংখীবা থোকলমদে, তুংদগী খোঞ্জেল অমত্তা তাখীদে। পুক্লিংদদি চপ য়ুংনা খনখী... কবিগুম্বা অমদি থোক্ল গনি হায়না। অনৌবা অকীবগী পোৎশক অমা পূকনুং অসিদা পোকখায়রকপগুম , ঐনা শেম্নহৌবা ঙমদনা, খোঙ অসিনা কবিগুম্বা পোৎশক

অমদা নেংশীল্লুবদগী, ইলেক্ট্রিক্কা চিংবগা মান্নবা হকচাঙ অসি মাঙলোমদা হল্লগা কোক যুংনা তুশিল্লে, অদুবু ফুক হৌগত্তুনা তুবোয়-ঙাল্লোই অমুক কল্লা চেনশীল্লকই মাঙগী উবক অদু তম্মা। মিকুপ অদুদা কোংঙৌ তিনগুম্বা অমদা ক্রাং-ক্রাং লাউনা য়েবকপগী মখোল অদুনা ঐবু অকীবগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না পাৎখংহনখী । খুদক্তা খঙই, জাপানীজনা থাকপা লাংনি হায়বদু। অমম্বদুদা মী চঙশীল্লক্লে খঙননবা, রায়ব মবী অমা লৈপাক্তগী খবা রাংখংনা তিংলগা থম্বনি, মদু নেংলুবদা থোবকপা মখোলনি হাযবা। ঐদি, অহানবদা চেল্লকপগী খোংহৌ অদু অপনবা থোক্তুনা লেপ্লূববনিনা, কল্লা চেল্লীবনি হায়নদি খল্লগা... পাঙ্গলদি থোক্তনা, লু-লূকথদুনা মাঙলোমদা চঙশীল্লক্লে। গজ খবদমক ঙাযবে, হৌবিবা উশিং অদুগী মকম থুপ্লুবা যাগদবা...। অহিংগা ওইবনিনা কনানসু ঐবু তান্নবক্লবোই। নাপী-শিঙনা ঙাক্তগী মোংশোং অদু খূৎ নাম্মনা হাইদোক-হাইদোক্তুনা চংলীডৈদা অবাপ্পদগী মফম মবাঙ খঙদনা কাপলকপা গুলি অমনা ঐগী যেৎথংবা খূৎনিঙদগী খবা চংখংলকপা মফমদা পানখ্রে হাযবা খঙলকই। মতম অমত্তদনি, বাইফল মখোল তাবদুগা খূৎনিঙদা পাল্লে খঙবদুগা। ঐগী পাম্বোম অসি কবিগুম্বা পোৎ অমনা শাফূ কল্লা মাঙলোমদা ফূদোবকপগা মান্নখী, থুনমক চৈনাখোল অদু পাম্বোম মকদা ফাওবকখী,... যাম্মা শাথীনা পানবদি নত্তে। মোংশোং মবক্তুদা চঙশীন্দুনা লৈবে, খঙলকই ঐঙোন্দা অহেনবা গুলি অমূক লাক্লে হাযবা। অনীশুবা ওইনা, অমত্তংদি কাপলকখী অহাঙবা মথক্তুদা, গুলি অদু হুমদুনা চংখী মখোল থোক্লা। মতম অদুদা ঐদি, অচৌবা উপাম্বী মউ অমগী মকমদা লৈববনিনা, অশোয অঙামদি থোক্লবোই হাযনা থাজবা পোকখী। খূৎ ওই অসিনা মা-মাদুনা মাঙলোমদা চঙশীল্লি, যেৎথংবা অসিমদি খূৎনিঙ কোন্তক তৌবগা নাকন্দা অদুম লৈবে/। ঐ তপ্না তপ্না অদুম চংপা তাই, মবমদি অমম্বা ঙাক্তনি, মঙাল হাযবদুগী শকক মচেৎ অমফাওবা উবমদে... কোকথক্তা মুনা উবিবা উগী মতোলশিংদু নত্তনা অমদি থবানমিচাক্লা থল্লবা নোংথক্কী অতিয়াদু নত্তনা। ঐ কদায়দা চংলীবনো হাযবদুসু খঙলমদে, অদুগা মখোয়গী কেম্প অদুদগীসু লাপথোরক্লবনীনা, মখা অমুক তানা চেকশীনবসু তৌদ্রে। লাইবককবনা, লৈরম্লিবা মোংশোং কয়াদুসু থোইদোক্লা চগুঙনরমদে, লোয়ননা

অমুক্তসু নাপীঙাক্তা হৌবা মফম লৈরম্বদা খরা থুনা চৎলহৌবসু ঙমখী। চরোং অমদি ই-গী মনাগুম্বা অশাঙবা নাপীনা ঐগী মায় অমসুং খুৎকি মফম কয়াদা য়াংলে হায়বদুফাওবা পাক খঙজবা ঙমলমদে। ঐনা লাকখিবা মায়কৈ অদোমদা মায় ওনশীল্লগা অমুক্তদি করি করি খোঞ্জেল তাব্রা হায়দুনা ঙাইহাক লেপখী। খোঞ্জেল অমত্তা তাদ্রে, কৌজেং হাবৌগী অমসুং মবক মরক্তা কবিগুম্বা মখলগী শাগুম্বা জিবনা চেনখীবগী মখোলগুম্বা নত্তনা। জঙ্গল মনুং অসিদা শা-বু ওইবে লিন-বু ওইবে, ঐ অমত্তবু থৌশানা, চেকশীন্না খল্লুদ্রে, মরমদি মখোয়না থোকহনবা য়াবা খুদোংথীবা অদুনা ঐনা নানথোবকখীবা, অকীবগী মশক ওইরবা খুদোংথীবা অসিদগীদি অমুক হেল্লরোই।

ঙাইহাক লৈরগদি ঐ, উপাম্বী অমদা ঙাশিন্দুনা লৈবে, পোত্থাবগী মফমসু খঙদে... মায়কৈ খঙদনা চেল্লকপদা চোকথবনসু লোইবে, অদুগা লোয়নন্না, পাম্বোমদা নোংমৈগুলিনা পানখিবদা কয়া য়াম্না ঈ থোকস্লবগে হায়বদুসু খঙ্গবা হৌরক্রে। পাম্বোম মশাঙ অসিমদি পূমখী শিথরমই, ঐগী খুৎনিঙ অসিফাওবা লেঙবা ঙমলমদে। ফুরিৎ মখাগী শরুক্তা খুৎ ওইনা পায়খীন্দুনা য়েংলুই, ঈ-না পূমচোৎ চোৎলম্লে। লীৎলিবা বুস সার্ট অদুগী থবাক্কী কুদাম লৌথোক্লগা হূক্তোক্লবা হোৎনবদা খুৎ য়েৎথংবা অসিদি মিশিনা য়োমখীনবগুম, লূম-লূম লাওনা চপ-তিংনা লৈস্রবদা, য়াম্না ৱানা ওইথংবা খুৎসিনা য়েৎকী ফুরিৎ খুদাং অদু চিংথদুনা লৌথোক্লমই। ফুরিৎ লৌথোক্লবনিনা খ্বাঙদগী কোক ফাওবদি ফি অমত্তা থোংদ্রে, হকচাঙদা চোৎলীবা হূম্বাং অদুসু হূমলকপা নুংশিৎনা য়ৈবদা কংশিল্লক্লে। অহিং অদু কা-হেল্লা মম্বনীনা, অশোকপা মফম অদু শেঙনা উবা ফংলমদে, থোক্লীবা ঈ অদুদি মুক্তক মুনা উই। উনশা পান্নদুনা য়েংবদা, শোকফম অদু শরূদা নত্তে হায়বা খঙলকই। লাইহক ফবনি, হৌজিক্তি অশোকপা অদু করিসু ওইনা খদ্রে... চপচানা হাম্বরবদা, ঐ ইথস্তা জঙ্গল অসিদা নাম্থোক্লুনা চেল্লকপগী অকীবা অমসুং অৱাবা কয়া খাঙলিবা অসিদগী, ঐগী খুত্তা গুলিনা পানবগী অনাবা অসিনদি হেল্লরোই।

লৈমায়দা লৈরবা বুস সার্ট অদুগী লেংজূমগী শরুক্তা খোঙনা নেৎশীল্লগা ওইথংবা খুৎনা, ফুরিৎকী য়েৎথংবা খুদাঙ অদু চিংথৎনবা হোৎনবদা কি অদু

ওম্বোক্লা কনখ্রে... পাক তৎলমদে। অদুবু তাইশিনফম সিলায়গী মখাদা থদৎপা ঙমলে। থদৎলবা খূদাঙগী শরুক অদুনা বেনদীজ ওইনা অশোকপা পাম্বোমগী মফম অদু চেৎনা য়েৎশীল্লমই। খূদাঙ নাম্ম য়াওদ্রবা বুস সার্ট অদু অমুক লিৎশীল্লে অদুগা অহিং অদু, মফম অদুদা পোত্থারগে খনবদগী হকচাঙ অসি ওইথংবা নাকন্দা যাতাদুনা, অশোকপা খূৎ অসিমদি হকচাঙ মথক্তা থল্লগা লৈমায় অদুদা হীপুনা লৈবে।

ঙাইহাক লৈতনা মিকপ থোক্লবা অহিং অদুগী মঙ অমদা লেফ্টনেন্ট নাকামুবা-না মাগী মেচিনগন অদুগী মক পূল্লমক অমত্তা অখাকপা লৈতনা ঐঙোন্দা কাপশীল্লমই। ঐ মিকপ থোকলকই ইখং -খংনা। মিকুপ অদুদসু তশেংনমক অবাপ্পদা মেচিনগন কাপ্লবগী খোঞ্জেল তাবমই... কাপ্লবীবা মফমদি, খবা চৎথবগা ইস্ফাল্ল যৌখিবগী লম্বী অদোমদনি হায়না খল্লী।

(৫)

নোংঙাল্লকপদা, ঐগী অশোকপা মফম অদু উনিংদুনা অমসুং মওং তানা অশোকপা মফমদু অমুক য়েৎশীল্লীংবদগী, হান্না য়েৎশনখ্রবা ফূবিৎকী খূদাঙ মচেৎ অদু লৌথোক্লবা হোৎনবদা উনশাদা নপশীনখিবনা ওম্বোক্লা অনাবা ফাওবমই। য়েৎশীল্লিবদু অমুক লৌথোক্লে, অমরোমদা ঐগী খূৎ অদু অনাবা ফাওরীবনিনা, হিংলি হায়বা খল্লূবদা, পূক্লিং অসিদা নুংঙাইজবা অমসু পোক্লমই। খল্লী, ঐনা তঙায়ফদনা লৌথোক্লূরবসু, চামথোক্লবা অরূবা ঈশিংসু লৈতে, অদুগা খক্লূববা ঈ অদুসু অমুক ইনৌ নৌনা চেন্থুরকপা হৌগনি...। মরম অসিদগী, চিংথোক্লবা বেনদীজগী শরুক খরদু অমুক হন্না য়েৎশীল্লগা অরোয়বা মচিন অদু নমশীন্দুনা থমখ্রে।

হৌজিক ঐনা লাক্লিবা, চৎলিবা মায়কৈ, মফম পূল্লমক অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তনি। খোঙলম্বী অমত্তসু ফংদ্রে, খূৎলায় ওইনবা থাঙ অমত্তসু ঐঙোন্দা য়াওদে। পাম্বী মশেল চগুংননা অমগা অমগা য়েৎশীল্লদুনা হৌরবা মফমশিংদুদা, ঐগী খূৎ নাম্ম'শি খক্তনা হাইদোক হাইদোক্লুনা চৎপা তাম্বী। লৈরম্বা, ঙল্লবা

চীংমায় কয়া চংলবোই হায়বসু ওইখোত্তবনি। য়েংখোক্লবদা চীংগী চীং ঙাক্তনি, ফুট লিশিং কযা ৱাংখংনা মতোল তুম্লপ তুম্লপ লৈশ্রবা, অমসুং চাওববা নাপোম কয়াগী হাইথবকপদা অপীকপা তম্পাক কযাসু লোইবা খম্না নাইদনা লৈবিবা...।

অঙম্বদগী মখা কুমথবকপদা নাম্বুবকপসু কয়ানি... অশুম্না নাম্বুবকপা খুদিংদা, লম্বী'দুদা লৈবম্না উ-ৱাগী অকুঙবা মোংশোং কযানা ঐবু হেক-হেক পলহনখী। লেপখংতুনা অমুক লাকই, ঐগী মায় অমদি খুংকী মফম কযাদ হোগায়দুনা ঈ থোক্লমই। কবি অমুক হায়গনি থোক্ল থোক্লবা খুংনা পায়শিল্লুবা, শোক্লুবা পোং পুম্নমক তিংখং পানবা ঙাক্তনি, নাপীগী অযাংপা মনা ঙাক্তনি। অঙম্না চীংমায় কাখংনবা হোংনবদসু কয়াবক অমুক নাম্বুবকখী... ঐগী অৱাবদু হন্দোক্লবগীদমক ঙাইহাক কুইনসু হীপতুনা লৈবা তাখি। ঐনা চংকদবা মায়কৈ খঙহল্লঈবদি, অবাপ্পদা কাপ্পবগী নোংমৈ মখোল অদুনি... খা-ৱাং অনীমক্তা তাবম্না মখোল অদুনা খবা খবা অশুম লাপথোকখিবদা ঐনা খল্লী – ঐখোয়গী কাঙবু, তুংদা অশুম হন্দোকখ্রমাল্লে হায়না। ঐগীদি, মতম'দুদা অমুক কোহিমাবোমদা হনখিবসু কান্নবা লৈবোই। জাপানীজ কেম্পতা ঐনা তাবকখিবা পাউসু মখোয়গী কাঙবুনা কোহিমাদগী মখাবোমদা খবা চংথবগা ইম্ফাল দিমাপুব বোদ থিংজিনস্ত্রে হায়বনি, অমবোমদা ইম্ফালসু মখোয়না লৌশীল্লগনি হায়না কন্না থাজনহৌববনি। মবম অসিনা মখোয়, ইম্ফাল য়ৌনবা তকশীল্লকপা মশানা তাবনি। অমবু ওইববসু, ওইদ্রবসু ইম্ফাল দিমাপুব লম্বী অসিদদি ঐ, ঐখোয়গী কাঙবুগা নকশীন্নবগনি হায়বসি পুক্লিংদা কন্না ফাওবক্লে। ঐগী ভাবনা শাই... কাপ্পবীবসি মাইল তবাবোম লাপ্পবা মফমদা ওইগনি... অদুনা লম্বী অসিগী মপা ওইনা চুম্না লিশাঙ শিংনা চংশ্রগা অমুক থেকচীনবদা ঐখোয়গী কাঙবু উনবা ফংলগনি...। খল্লীবসিগী ওন্ন তৈনবদা, লৈবল্লিবা চীংগী নাপোমশিং অদুদি লোইবা খম্না নাইবমদে ... ঐসু লম্বী লম্মাঙনবক্লে, কাখংকদবা চীংগী মরোল মবোল লৈরম্লে । অবাপ্পদা উবা ফংই, চীংথক্তা লৈবা নাগা খুঙ্গং অমা-অনী । তাখীবনি... নাগাশিংদি মরুপ মপাঙ ওইবগী লমচং চংলী হায়না, অদুবু চঙলীল্লুগদবা কী... ওইখোকপা য়ানা জাপানীজশিংনা লৈরম্না য়াবগী খল্লুবদা...

খুঙ্গং অদুগী মীওই খরদি মখোয়গী থবক্তা শীজিন্নরম্বসু য়াই, চিঙ্খাক লৌদুনা চারম্বা য়াই, মখোয়গী য়ুম-কৈদা জাপান চঙশিন্দুনা লৈরম্বসু য়াই।

খোঙচৎ অসিদা, ঐগী অশোকপা খুৎ অসিনা অপনবা ওইহল্লিবা অসিদগী অমুক হেনকৎনা ঐগী ইতোল অদু অমুক হৌরক্লে। ইতোল অদু শুংননবা চাকখাওদা চিঙ্খাক য়াওদ্রবনিনা মখা তারকপা ওমদনা চাকখাও মনুং অসিদা নৈরকপদা পূক অসি মচেৎ মচেৎ তৎলবগুম অনাবদু খাঙবা তাখি। হান্নদি ইতোল অসিনা ঐবু অশুক বাবা অনাবসি খঙহনখিদবনি... খুদোংচাথীদবা অপনবা খরা শীবা নত্তনা। অদুবু বামল্লবনীনা, অনাবা অদু কবিসু ওইনা খল্লক্লে। ঐগী ওইবিবা ফীভম অমদি ঈ চৎখীবদগী শোকচীল্লক্লবা হকচাঙ অসিগী পাঙ্গল হন্থদনবা হোৎনবকপদা ইতোলগী অনাবা অদুদি মশানা অদুম মাঙজল্লে। অহানবদা ঙাইহাক ঙাইহাক লেপ্পগা পন্থরম্বদু কান্নরক্লে, মতম মাঙনীংঙাইদা ওইরকপনা লেপ্তুনা অদুম চৎশীনবা হৌরম্মী। শেংলীবা ফি-বোল পুমতৎ তৎলে, য়াম্নসু মোৎলে। অরু অহেনবা, অমোৎপা, শোম্থরকপা, কনখৎপা... ঐঙোন্দা করিসু খেন্নবা লৈবক্লে। ফূরিৎকি খূদাঙ নাম্ম য়াওদবা অদুখক্তা নত্তনা, কূদাম পূম্নমকসু লোইনা তৎপ্রে... ত্রাওজরগী মখাথংবা শরুকসু মফম কয়াদা শেগায়রে। ঈশা অমদি ঈশাদা পকপা পোৎ পূম্নমক কংশিল্লক্লবা ঈ-না পূমচু চুরে। মখোয়গী মখূৎচন্না লৈরকপদগী হৌনা, লৈরু-লৈরুবা মফমগী লৈমায়দা ঈীপ্পক্লবনিনা, হকচাঙ পুম্বা অমোৎপা নূরানা থল্লে। অদুম ওইনমক হায়রীবা পূম্নমক অসিনা, মিংশেলদা উখিবা ঐগী মওং চাদবা শকওই অদুদগী হেন্না শোকচীনবদি ওইরমদে, মরমদি... ওইরিবা ফীভম অসিদি ঐ ঈশাগী অশেঙবা মওং অদু নত্তবগুম্না, হকচাঙদা ওইহল্লিবা অৱাবা অনাবগী শরুক অসিখক্তনি হায়না খন্দোকলমই। নত্রগনা, অতোপ্পা মওং অমদা খল্লগা, হৌজিকমক্তী মিকুপ অসিদা ওইরিবা ঐ অসিদি... ঐগী মপূম ওইবা শরুক অদুগী মচেৎ অমত্তনি হায়নসু খল্লী... খূদম ওইনা হায়রগা, ফিল্ম অমগী অশাঙবা রিল অদুদগী মফম খরা মেসিনদা (প্রোজেক্তরদা) লৈবগুম্বনি। হান্না উপ্লবা ফিলম অদুগী মপূমগী শরুক্তা মান্নবা ঐ ঈশাগী মপূম ওইবা শরুক্তী তেকত-কায়দনা, অহানবা ঐনা জঙ্গলদগী লাকখিবা মতম অদুদগী হৌনা হৌজিকফাওবা ঐঙোন্দা য়াওরী।

হৌজিক্তি ঐগী ইফমদা থোকপা যাবা থোক্লসনু, ওইবকপা যাবা ওইবসনু, ঐঙোন্দা যাওবীবা ঐ হাযবা ইশাগী মপূম ওইবা শকক অসিমদি কবিগুম্বা অমত্তনসু মাঙহনবা ঙম্লবোই। মতম অমদা সেব্বীনা ঐঙোন্দা হাযখীবা অমা লৈ :- "দার্লিং, ঐখোয অনীগী নুংঙাইবা আসদি কনানসু মুন্দুনা লৌথোকখিবা ঙম্লবোই।" মদুগী পাউখুম ওইনা ঐনা হাযনীংখির্বনি "মতম্মদি লৌথোকখিবা ঙমগনি হাযনা, অদুবু হাযখীদে, অমসুং মদুগী ওন্নতৈনবদা হৌর্জাক্ত খল্লকপা হৌবে... ঐনা জঙ্গল অসিদা রাবীবা অসিগা মান্ননা নুংঙাইবগা শককসু লৈ হাযনা। মবম অদুর্নানি, ঐগী ফুবিং খোংগ্রাঙ ইতৎ ংংলবসু, কংশিল্লবা ঈ না হকচাঙদা ঈচু চুববসু, নুমিৎ তর্নানিচুপ্না কোই কোকচব ঙমদ্রবসু জঙ্গল অসিদা ঐনা ঙসিফাওবা চৎলাক্লর্বসি...।

নুমিৎ অদুগী নুমিৎযুংবা ফাওবদি ঈশং থকনীংবগা রাখল লৌখদে, অদুবু খঙহৌদনা ফাওনক্লে, ঐনা ঈশিংবু কল্লা পামশিল্লকপগা নাখল অমা। ঐনা কুমথবকপা লোক অমদি তম্পাক অযাম্বদা ঈশিং লেবম্বা থেংনদ্রে। ঐ, খনবদা রানকই, ঈশিং মর্বাক খবফাও ফংদদুনা কবিগুম্বা রাপ্লবর্বদি, অমুক হন্না জাপানীজগী মথৃত্তা তানগদ্রা হাযনা। নুমিৎ যেংখংলুবদা পুং অমা-অনি তাবম্লগনি খল্লী, অদুম চংশানবদা, ইখঙ খঙহৌদনা খোঙলম্বী এমা জঙ্গল মনুং অদুদা লৈবম্বা থেংনবে। পূক্রিংদা নুংঙাইজবা পোকই, লম্বী অদুগী মতুংহন্না অদুম লাক্লে। চাংনদবসু নত্তে... লম্বী অদুদা লাকপদা ঈশিং ফংদবা মাল্লবসু, জাপানীজগসু থেংনবা যাই হাযনা। চঙশীনর্বদি লেপাত্র মবম পুন্নমব খঙা খঙা, যাল্লা চেকশীন্না। অশুম লাকপনা গজ চাম্মবোমদি ফাবন্নগনি ঐগী মাচ ওইনা কবিগুম্বা খবা লাপতক্লা উবক অদুদা লাকপা উখিবা...। থুংমক, নাকনগী অশোঙবা মবক্তা চোংশিন্দুনা ঐ লোত্তুনা লৈবে। কুংশীন্না হৌবনা অশঙ অমাল মবক্তুদা, লম্বী অদুগী শকক খবসু উবা ফংনবা, ঐ উপ্রাক্লা হীপতুনা লৈখি। উবে, জাপানীজ কাঙবু অর্মানি, পবেং শানা লাক্লিবদু। মখোয লম্বী অচৌবদু যৌনবা চঙশীল্লকপনি, পোংযোম কযাসু পুই, মখোযদা যাওবীবা রাইফল নচিংবা ঈশিং হাপ্লবা পাত্রশিং অদুতসু নত্তনা...। তৃম্মিন তৃম্মিন্না চংখী, মমাযশিংদু যেংবদা... কবিগুম্বা রাখল অমত্তা খন্দ্রবা, অশীবা মাল্লবা মীগী শকওই পুববা ঙাক্তনি। ঐঙোন্দা মেচিনগন অমত্তং য়াওবম্বা থোক্লবদি..., থাঙ্গোলনা নাপী

চবুল অমা লেনখৎপগুম, মী মান্নবা, জঙ্গলগী জিব মখল অমা ওইনা উরবা মখোয় পূম্নমকপু, পৃক্তিংদা নুংঙাইত্তবা অমত্তা পোক্তনা পুল্লপ লোইশিনবসু ঙম্নমগনি। অদুম্নদি ওইরগা, মখোয়বু ঐনা জঙ্গলগী জিব হায়করিবা অদুমক্তি অচুম্বা ওইদে। মখোয়গী মায়থোঙদসু য়াওরী, ঐঙোন্দা য়াওরীবা মিকুপ কয়া অসিগা মরী লৈনরবা ৱাফম কয়া, মখোয়না পুরিবা পোৎলুম, শেৎলীবা খাকী, সিফায়গী ওইবা শক্রোন পূম্নমক অসিগী মনুংদা ফুমদুনা পুরিবনি মখোয় মখোয়গী ওইবা তোঙান তোঙানবা নুংগী ৱাখল কয়া... নীংশিংবা কয়া। অমগা অমগা অমত্তা মান্নদে, ঐনা লোৎলীবা মফম অদু হেন্দোক্তুনা চৎখীবা মখোয়গী মমায়শিংদো।

মখোয় হেন্দোক্তুনা চৎখ্রে, ঐ অমুক লাক্লে মখোয়না চৎখীবা লম্বী'দুগী ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা। মিনিট খরগী মতুংদা অমুকহন্না তারে, মাঙলোমদগী করিগুম্বা খরা চঙশীল্লকপগী খোঞ্জেল। খীন্দনমক, অমুকহন্না চঙশীন্দুনা লোৎলে মশোঙবা মরক্তুদা। হন্দকমুক্তি লাক্লিবা পরেংদু, মশাফরবা, মনা চাওনা পানবা খচ্চর ঙাক্তনি লোলাগুম্বা...। অরুম অরুম্বা পোৎ, নোংমৈ মরুগী উপু, মেচিনগন্নচিংবা, শাশিং অদুগী মশাদা লাকশীন্দুনা পুরি। সিফায় দজন অনীরোম্ন। পরেংশানা মাঙদা চৎলি, শাশিং অদুগী মতুংদা অমুক সিফায় প্লাতুন অমরোম পরেং লাকই। মখোয়না থাংলিবা মখোঙশিং অদুদগী গজ খরদমক লাপ্পরবা ঐদি তৃস্মিন চেক-মোক লাউদনা লোত্তুনা লৈখি। মখোয় হেন্দোকখ্রে, ঐসু অমুক হন্না লম্বী অদুদা লাক্লমই। খৌনাও অসিসু পূমকং কংখিবনা তিন য়োংশীনবফাও ঙমলক্তে, চীন অসিদগী তারক্লবা তিনসু লৈরক্তে। মরুভূমীদা চৎপা মীওই কয়ানা হায়নিংঙাই লৈত্রবা অৱাবগী পম্বেং অমদা অরাম খৌরাং খাঙদুনা চৎখীবগী ৱারীসু, ঐনা লাইরিক কয়াদা থেংনখ্রে, অমসুং খাঙবা ঙম্লক্তবা মখোয়না অঙাও অফৈগী মওংদা ময়া চিকশীল্লগা য়োংগুম্না লাও-খোংলকপগী ৱারীনচিংবা...। ঐসু ইথত্তা পাখৎচরকই, মখোয়গী মতৌগুম্না অঙাওবগুম লাওরক্লগদ্রা হায়দুনা...। ঐগী হকচাঙসু হুমাংনা চোৎলে, তঙাইফদনা, ঈশিংগী শরুক হাপচীনবা তারকই, হকচাঙদগী মাঙখ্রবা, কংশিনখ্রবা ঈশিংগী শরুক অসি মেনশীন্ননবগীদমক্তা...।

চীংগী মরক মরক্তা লৈবা লোক-তম্পাকনচিংবা খরদদি শোয়দনমক ঈশিং লৈরমগনি খনবদগী, অশোঙবা নাপী মোংশোং মরক্তা তুরোয়-ঙামলোয় তৌনা-তৌনা অশুম লাকপনা মাইল অনী অহমলোমগী অথাম্নদি চঙশীল্লক্লে। হৌজিক্তি ঐ, ঈশিং নত্তনা অতে অমত্তা খল্লমদে, চৎপগী মায়কৈসু থৌশারক্লে। চাশীনবা য়াবা চিনজাক্কী মরমসু, ঙৌ অসিনা ঈশিং য়াওদ্রবদি য়োৎপা ঙন্নরোইদবনিনা, করিসু মরুওইনা খল্লক্লে।

ঐ চীংখোঙ অমদা কৃমথরকই, মফম অদু লৈতেম মান্নবা তম্পাক্কি, ঈশিংগী খূদমদি অমত্তসু লৈরমদে। লৈতেম মান্নবা মফম অদু অমুক লোইরোই-লোইরোই থাংখৎখি অতোপ্পা নাপোম অমদা...। উপাই লৈতবনীনা অমুক চিংখৎচরকই, ঐ ইশানা ইশাবু চীংমায় অদুদা। খাঙবদি ঙন্নক্লে, অদুবু ওইথোকপা য়ারিবা নুংঙাইতবা থৌদোক খরগী খল্লুবদা, খাঙবা ঙমদনা থারবা অদুগী মরক্তা অখাঙ কনবগী থৌনা অমদি ঐগী ইফমদগী নানথহৌবা লৈতনা মতম অদুফাওবা ঐহাক্কা লোয়নরী।

থানা থানা কাখৎলকপদা, খরা থাংখৎপদা লৈবা লৈতেম মান্নবা মফম অমা য়ৌরকপদা, অকোয়বদা লৈরিবা লমদম অদু মফম অদুদগী য়েংখিবদা উবা ফংই- হৌরিবা উপাম্বী ময়ামদুগী মতোলগা লোয়ননা মথঙ মথঙ লৈরবা চীংগী মরোল কয়া অমা। মরক মরক্তসু উবা ফংই অহাঙবা মফমদি, অদুবু ঈশিং লৈবগী খূদমদি অমত্তসু উরমদে। ঐগী পূক্লিংদা চপয়ুংনা খল্লম্মী, চীংমায় অনীগী হাইথরকপা, খ্বায়দগী নেমথনা লৈবা চীংখোঙগী লোকনুং অদু য়ৌনবা কৃমথগ্রগে হায়না...। মফম অদুগী মনীংথংবা মায়কৈদা, অচৌবা চীংদোল অমদগী ঈশিং চেল্লুরকফম মানবা মফম অমসু উবা ফংই। অমুক লাক্লে, মফম অদু য়ৌনবা, পূং অমগী মতম চঙখী য়ৌরকপদা। নুমিৎসু ঐগী ওইরোমথংবা অতিয়াগী মায়কৈদা লৈথরক্লে, ঐগী সেব্বী অমদি ঐগী মরুপ পিতরনা লৈহৌবা কানপুর, দিল্লিগী মপাদনি। ঐনা চীংমায় অদুদগী লোক অদু কৃমথরকপদদি, মফম অদু ইমম্ মম্মা, উরী থারীনচিংবা পাম্বী কয়ানা চপ্তুংননা হৌরগা চঙফম খঙদনা লৈরম্বা থেংনরুই। খূৎ নাম্মনা অশোঙবদু হাইদোক হাইদোক্লুনা

চঙশীল্লকপদা, খোঙনুং অদুদা শৃৎ-শৃৎ নানবা নুঙজাও লৈরম্বসু থেংনরে, অদুবু উবদি ফংদে, ঈশিংগী মখোলসু তাদে। খুকউ খুদক কৃষ্দুনা নৃঙলক অদুদা খৃৎনা মাশিল্লুবদা, লোইনমক পৃমকং কংনা লৈরিবদু খঙলমই... অচোৎপা অমত্তসু লৈরমদ্রে। ওস্থোকপনি, হৌখীবা নোংজু মতম লোইখিবদগী হৌনা পৃমকঙ কংনা লৈরক্লবা ওইরম্মী, মথঙগী নোংজু লাক্কদবা মতমবুদি থা অমা ফাররোই, অদুবু মতম অদুদদি ঐ ঙাওদুনা চৎপসু য়াই, শিবসু য়াই, নত্রগা জাপানীজগী মখৃত্তা তাবসু য়াই।

ঐ লোকনূং অদুদগী হৌগত্তুনা থোরক্লগা চীংমায় অদুদা অমুক হন্না কারক্লে। পৃক্লিং অসিদা খঙজে, হৌজিক করি তৌগদবগে হায়বদু, ... অদুম চৎপা তাবনি খল্লীবা ৱাখল অসি পুদুনা, ঐখোয়গী কাঙবুনা লৈত্রিবা মফম অদুগী মায়কৈরোমদা। ঈশিং থিবগী ওইনা মতম অমুক মাঙহল্লুবদি য়াদ্রে, ফংসু ফংদ্রে। ৱারেপ অসি ঐগী পৃক্লিংদা লাকপদা, যৌরাংলম্বা পূম্নমক খরা হস্থরকপগুম ফাওরমই, লোয়ননা মোংশোং মরক্তুদা হেন্না পাঙ্গল থোক্লা লাক্লবগুম্নসু খনখী। অশাওবসু পোক্লকই, মরক মরক্তা খোঙ অসি ইনীংতম্না কাওথোকই চৎনা চৎনা। য়াম্না শাওগনবা, য়োংশক মানবা মীমচা, নাকামুরা হয়বদুনদি ইকোক অসি ককহল্লরোয়, ঐ শিবসু য়াদে, সেব্বীগা উন্নখীগনি ...। হৌজিক্তি অমবু ওইরবসু, অমবু ওইদ্রবসু, ঐখোয়গী কাঙবুনা লৈরিবা মফম অদু মাইল খরদমক মঙায়রে, লাপত্রে। ঐনা ৱারীবা অসিদগী শরুক চাম্মা হেন্না ৱাম্রবা খোঙচৎকী ৱারীদা মীওইবা কয়া হিংম্রবনি। হয়েংগী অয়ুক অমুক য়ৌরক্রিবফাওবা ঐ অহিংচুপ্পা চৎকনি, অয়ুক য়ৌরক্লবসু ঈশিংগী ৱাখল তৌররোয়। চয়োল অমরোম ঈশিং থক্তনা চৎপা ঙম্নখীবগী ৱারীসু লৈ। অমরোমদসু উপাম্বী কয়া অসি হৌবনীনা নুংশাগী মৈশানা ঐগী কোক অসি চাকথেক্লা শাবসু ঙমলোই, মরুভূমী নত্রগা ঈশিং ঈপাক অমদা উঙাম তোংদুনা চৎপদা খাঙনরীবা মৈশা অদুগুম্বা নত্তে। মরম অদুনা ঐ, অশোয় অঙাম থোক্তনা অশুম চৎখিবা ঙম্লগনি অমসুং ঐগী অশোকপা অসিগা লোয়ননা নোংমদি শোয়দনা ঐগী সেব্বীগী মনাক য়ৌরগনি। মতৌ অশুম্না ঐ, ইকুই কুইদনা সেব্বীগা উনরনি হায়বা ৱাখল অসি খল্লকলদা, অরাম খৌরাংবা পূম্নমক ঐঙোন্দা করিসু ওইরক্লে।

নুমিৎ তারকপগা লোয়ননা মমশীল্লকপা হৌবকই। জঙ্গল নত্তনা করিসু লৈত্রবা, পাকচাওনা শন্দোক্তুনা লৈখ্রবা অমদি ঐগী তাইবংপাল ওইনা খনজরীবা অরাঞ্জগী অতিযা মকোইনচিংবা মফম পুন্নমক অদুস্ মকশীল্লা উবক্লে। অবাঞ্জা, অনকপা মফমশিংদগী কৌজেং-হাবৌগী খোঞ্জেলনা পূর্মনিল নিল্লে। হায়বীবা খোঞ্জেল পুন্নমক অসে নুংথিলগী মতমদসু শোয়দনা থোক্লমগনি, অদুবু অহিংগী মতম ওইবকপদদি খোঞ্জেল পুন্নমক অসি লোইনা ময়েক শেংলকই। ঐখোযনা মীয়াম মবক্তা তানবীবা খোঞ্জেল অমবু অচৌবা (কেখদ্রল) অমগী অচীকপা হোল মনুংদা তাববদি অমুক ইনৌ নৌবা খোঞ্জেল মখল অমা ওইনা খোকপা অদুগুম্না...। অহিংগী মতমদদি, জঙ্গল মনুং অদু কেথদ্রল মনুংগা চপ মান্ননা পুমচীক চীকলকপদা, হেনকংনা তাবক্লিবা খোঞ্জেলশিং অদুসু অকীবা ফাওনিংঙাইগী মশক্লি। অসুম্না অচীকপা হায়বসিগী ইতোপ তোল্লা, ঐখোয়না ভাব তাব ঙমদবা শক্তি অমসু লৈবকপগুম তৌই। ঐ, উ অমদগী উ অমদা মা-মাদুনা চংননবা হোৎনখী, ঐগী ইশী শিববা পান্মোম নাম্ম অসি য়েংথংবা নাকন্দা অদুম পুন-পুনা। ঐ চোকথবদা খম থেংলে, তুশিল্লী, তাশিল্লী, কদায়দা তুশিল্লিবনো হায়বদুসু খঙদে, তঙাইফদনা, ব্রানা ব্রানা ইশাবু চিংদুনা পুনক্লমই। খঙহৌদনা অমুক হন্না তুশিল্লমই, হন্দকমুক্তি, তাশিল্লিবা মফম অদুদা ঙাইহাক তাদুনা অদুম লৈবে, অমসুং ঐগী মায় মপাচানা লৈবস্না চৈগুম্বা অমদা য়া অসিনা চীক্তুনা খাঙলম্মী। অদুম তৌবদুদা ঐগী কংলবা চীম্বাল অনীসে শোক্লহনদনা অমসুং ঐগী লৈ অসি ষ্টোদগী লাপথোক্লা লৈহনবা ঙমখি। ইঙথনসু হৌনক্লে, অমসুং অঙ্গংবা অদুনা ফি কুপত্রবা ঐগী হকচাঙগী মফমশিংদা ফাওজীল্লক্লে। অঙিং অদুমদি ওম্বোক্লা শাংস্রে, খ্বাইদগী হেন্না শাংবা অহিংগুম্না খোকখী, অহিং অনীনা পূনশিল্লববা হায়নসু থনখী। অবাঙবা চীংদোল অমবু য়েংনা য়েংনা চীংমায় অমদা তপ্না তপ্না কাখৎলকলগুম ঐনা অশাঙবা মতম অদুবু মিনিট অমমম ওইনা মশীং থীনা-থীনা খল্লী... নুংথিলগী মতমদা ঐ শোযদনা তৃপ্তম থোকই, অসিগুম্বা অনৌবা অমসু অমুক খাঙবা ঙম্নবা।

নোংঙাল্লমদাই পূং অহুম মরী তাবস্না য়াই খল্লী, অমসুং খোরক্লদবা নুমিৎকি মঙাল অদু উরকপদা ঐঙোন্দা পোকচগদবা অঙকপগী নুংঙাইবা অদু

ফাওজনবা নোংয়ায়গী মতমনি হায়না খনশীল্লরমই। মমৈথঙদদি নোংঙাল্লকপা অদু ঙাইদ্রে, অহিং অদুসু লোইবা নাইদ্রে হায়না থৌশাদনা লৈথোরক্লবা মতমদদি নোং অদু ঙাল্লক্লে। খরা অমুক চঙশিলহৌবা ঙমগদ্রা হায়দুনা ঐসু তপ্না হৌগক্লুনা অমুক লাক্লে। থোইদোকপা অমনা, ঐগী ঈশিং খৌরাংবা অদু মাঙপ্লবগুম তৌরম্মী মিকুপ অদুদদি। নুমিৎকি মঙালনা উথক্তা য়েরকপা মতম অদুদা ঐনা খল্লী... মাইল অমরোমগী অরাপ্লদি ঐ লাক্লমানে। পূক্লিংদা লায়থোকপা হৌরকই, লানগী মখোল হেক তাবগা ঐখোয়গী কাঙবুগী মনাক তম্না, লম্বীগী মপা ওইনা চৎপ্লগে।

মিকুপ অসিমক্তদা, য়াম্না নীংবা কায়রকপা অমদি, ঙরাং নুংথিল ঐনা ঈশিং ফংগনি হায়না কূমথকবা চীংগী নাপোম অদুমক ইখঙ খঙহৌদনা ঐগী মাঙদা অমুক লৈরম্বদু উরকপদনি। ঐগী আশা' পূম্বা মাঙপ্লে। নুমিৎকী মায়কৈ য়েংনা য়েংনা চৎলবসু ঐগী মায়কৈদি লাল্লে, মায়কৈ ওন্নরে হায়বা খঙলক্লে। হৌজিক্তি নুমিৎসু চপয়ুংনা থোক্লবনা নুংশিৎ নুংশা পূমচাক চাক্লা শারে, লোয়ননা ঐগী খৌনাও অসি কংশিল্লকপসু হেল্লক্লে।

লাল কাপ্লবগী মখোল তাবা ফংগনি খল্লম্বদুসু তারক্লবদা ঐনা অমুক খল্লী- ঙসি অসি নোংমাইজিংলা, নোংমাইজিং ওইবদগী লানমী পূম্লমক পোথানরীব্রা ? চৎলিবা চয়োল অদুগী করি নুমিৎ থোকপগে হায়বদুসু খঙননবা পূক্লিংদা হোৎচে, ঐবু লম্বীদগী ফারকপা শগোলশেন নুমিত্তুদগী হৌনা...। নুমিৎ খুদিংগী ওইনা, পূক্লিংদা থৌদোক অমমম নীংশিংই, অদুবু খঙবা ঙল্লমদে। বেরা লৈতে... ওইনিংবা নুমিৎ অমা ওইরসনু, লুরিবদি, ঐবু হৌজিকী ওইনা লমজীংবীগদবা লাল কাপ্লবগী নোংমৈ মখোল অমত্তসু তাবা ফংদ্রিবসিনি...।

থোক্লিবা নুমিৎ অদুদা য়েংলগা ঐ, অমুক হন্না ইম্ফাল লম্বীগী মপা ওইনা মখা পাংনা লাক্লমই। অশুম শাকপদা, কোন্নদি জাপানীজ কাংবু অমা কেম্প শাদুনা লৈরম্না উরুরে। লাইবকফবনা, ঐনা হান্না মখোয়গী খোজেল তাবদা, মখোয় উহ্দনা পাকথদুনা লাকখী, মতমসু কূইনা চঙখী। মফম অদু হেন্দোরক্লবা হোৎনরকপদা, অশাঙবা জঙ্গলগী মফম অদুমদি অয়াম্বা মতমদা

উগ্রাক্সা শীত্তুনা লাকই,... অকীবগী মশক ফংনা ব্রাখী, চেকশীন্দবসু য়াদ্রবনি... অমবোমদা ঐগী কান্নফম খঙদ্রবা খুৎ নাম্মা অসিসু ঐগী হকচাঙদা য়াওবীবনি। কোম্নুংদা ঐ লেপখত্তুনা চৎনবা হোৎনরুবদা লেকথবক্তুনা তুশীল্লে অমসুং তুশীল্লিবা মফম অদুদা অদুম লৈবে পোত্থাবগী মওংদা। ঐগী অশোকপা পাম্বোম মরু অসিদগী ফাওবকপা, শাথীনা অনাবা অমনসু হুগী মতৌগুম্না হকচাঙ শীন্না ফাওবকপদা, হান্নদগী হেনজীন্না ঐগী হকচাঙ চোকথবক্লে। খুৎকী বেনদীজ অদুসু লৌথোক্তনা অদুম যাওবী, লৌথোক্লুববসু ঐনা কবিসু তৌবা ঙম্লোইদবনিনা অমসুং অশোকপা মফম অদু উবগসু পূক্লিংদা হেন্না নুংঙাইতবা ফাওবক্কদবা অদু খল্লুবদা খুৎকী বেনদীজ অদু লৌথোক্তনা অদুম থম্লক্লবনি। অশোকপা পাম্বোম মশাঙ অসিদি শংজিন্না কংশিল্লবা ঈ-না ইচ্-চুনা ইমোৎ মোৎলবনি, অদুগা তিংখং মবক্তা, মোংশোং মবক্তা চৎলকপদা মফম কয়া অমসু তৎলবনি, হোগায়ববনি।

ঐগী হান্নগী ইতোল অদুদি, অমবোমদা, কবিসু নম্ভে হাযবা যাবে। চিঙ্গাক অমদি ঈশিং যাওদ্রবা চাকখাও মনুংসিদা মখোয লোইনা কংশিনম্লে। ঐগী কোক মনুং অসিদদি মৈ ঈক্লবা যোৎচৈ অমা লৈববগুম চাকথেক্লা শাবে য়াম্নসু চীক্লে, খাঙবা ঙমদবা অদুনা ঐবুসু কপহল্লে। ঐ কপ্পুনবা খাঙববুদি ঙমগনি, অদুবু কপ্পগা ঐগী পাঙ্গল হাপচিল্লকপগুম খনবদগী ঐগী কপনীংব্বা অদু অমুক খাঙজীনদনা কপলমই। জঙ্গল মনুং অসিদদি ঐনা কপ্পদু উবিনবা কনাসু লৈতবনিনা কপথোকপদা কবিসু অকায়বা লৈত্রে। ঐনা কপ্পা হৌবকপদা পূক অসি অনাবা ফাওনা মথক মখা ওনখৎলকপদা মিৎতগী পি-সু মবীক খবদমক ভাবকলে, পি শুংনবা ঈশিংফাওবা হকচাঙ মনুংদা লৈবক্তবগুম্না । ঐগী মায় অসি লৈমায়দা ওনশীল্লগা উপ্পা হীপ্লে, কপ্পীংবনা নীক্লবা ঐগী হকচাঙগী মওং অদু হম্বুরক্লিবফাওবা খাঙলম্মী, অমসুং হম্বুবক্লবা মতুংদা, চৎলগে হায়না তুবোয ভাম্লোয় অমুক হৌগৎতুনা খোঙ অসি থাংলক্লে। মাঙদা লৈবা কবিগুম্বা গোৎ অমত্তা ময়েক শেংনা উবা ঙম্লমদে, ঐগী হকচাঙ অসে খম থেংনা শোকম্লে, ঐগী আশা লৈরক্লে।

ঈীতম অসি য়ৌরক্লবফাওবদসু, ঐগী মাল্লক্তুবা থৌনা লিংজেল অমনা

ঐবু থাদোকপা লৈতনা থম্বগুম্না তৌরি। ঐ, অশেঙবা তাইবং অসিদগী মঙ অমদা চঙশীল্লকপগা অমহানি, মঙ অদুমক্তা ঐবু অমুকহন্না মতমগী ৱাখল খলহন্ত্রে, পুংজাখুদিং মশীং থীরম্বদু তোকহল্লে। কোম্বুংদদি উবা ফংলে, তুরেল চেনবগী মরীল অমা, মতম অদু নুমিৎকী মঙালনা উতোলদা য়ৈরকপা, থেঙলক্লবা নুংথিলগী মতমনি।

অহানবা য়েংবদদি, তুরেল খোঙনুং অদুদা ঈশিং অমত্তসু উরমদে, হৌখীবা নোংজুগী মতমদা অকনবা ঈচেল অমগী মফমনি হায়বগী খুদমত্তা ওইনা অকনবা নুংদুম কয়াদি ইঙৌ ঙৌনা লৈরি। অদুম ওইনমক ঐদি, অঙাওবগুম্না হরাওবনা লুতোন শাংখী, মফম অদু যৌনিংমনবনা পরপ পরপ চঙশীনবফাও ঙমখিদে। খুদি থীন-থীনা তুশিন-তুশিন্না মফম অদু য়ৌরক্লে অমসুং ঈশিং লৈব-লৈত্তবগী ৱাখল অমুক তৌদনা নুংলক অদুদা মায় উপথনা তাশিনজরম্মী। পীক্লা তপ্না খরা খরা চেম্পুবা ঈশিংগী মখোল অমা তাবা ফংলকপদা, ঐ অসে তুম্নুবদগী হৌদোকপিবগা চপ মান্নবা থোকখী। কোক ময়াদা লৈবা নুং অমা ইনথোকচরগা, নুমিৎকী মঙাল মচেৎ অমনা য়ৈরকপদা ইরঙ লংনা জগোয় শারিবা ঈশিংগী শরুক অদু উদ্রিবফাওবদি ঙাইহাক কুইনা ঐ, ঈশিংগী মখোল অদু তাদুনা লৈখি।

ঈশিং অদু য়ৌনবা কোক অসি ইনশীন্নবা হোৎনজে, অদুবু নুংলক অদুদা, ঐগী কোক অসি চনবা অহাঙবা মফম লৈরমদে। অদুম ওইনমক ঐগী ইশা অসি খরা লেংথোক লেংশীন তৌরগা মফম অমা হোংদোকপদদি, ঐগী চীম্বালনা ঈশিং অদুদা থেংজবা ফংলে। করি অমুক হায়গনি, ঈশিংগা চীম্বালগা শন্নরকপা অদুদি... থোৎলবা খুৎশা অমনা হকচাঙগী মফমশীন্না নানবিরকপগা মান্নবা ফাওরমই। কোক অসি চেপথোক্তুনা ঐগী য়ানুংদা ঈশিং চঙশীনহন্নবদা, মিনিট অমা অনীদি ঈশিং য়োংশীনবা ঙমখিদে, খৌনাউ অসি লেঙবা ঙমদনা লৈখি। চীন মনুংদা লৈবা ঈশিং অদু য়োংশীনবা ঙন্নকপা মতমদদি চাকখাও মনুং অসি ফাওবা অঈংবা ঈশিংনা চঙশীল্লকপা অদুসু হকথেঙননা ফাওরমই। ঐগী ঙৌ অসি কংশিন্না, কনশীন্না লৈরকপগী মরমনা অহানবা য়াউম অদু য়োংশীনবদা ওম্থোক্লা ৱাখী, য়াউম তরুক তরেৎলক শুরকপা ফাওবা, য়াম্না নাবা, পাজল থোক্তবা অবাবা মখল অমা খাঙনা খাঙনা য়োংখীবনি। ঐ চোকথমনবনসু ঈশিং

অদু মখা-তানা য়োংশীনবা ঙম্লক্লে। মশেন-মরাং ওইবা য়াখল অমনা ঐঙোন্দা হায়রকপগুম তৌখি :- "ঈশিং অসি থেঙমন্নসু ফংমল্লে।" অদুমকপু, লাইবক্তি ফরবনি, ঐঙোন্দা অদুক হাক্লা অয়াবদি ওইররোই। মতম অদুদা ঐনা পামজরকপা হায়ববু য়াম্বমখৈ তুমজবা ফংবা অদুতনি। ঐ মিং উইশিল্লক্লে, চেম্বুরকপা ঈশিংগী মরীক মরীক্লা ঐগী মায়-মিত্তা, চীন্দা, তপ্না তপ্না চাইশিনবিরক্লবদা ঐগী হান্নদগী চোকথদুনা লাক্লবা পূক্লিং হকচাঙ অসে করিগুম্বা অতোপ্পা অমমুক খল্লুবা লৈতনা, তুম্মীংলকপা হায়বদুগী পুম্মম মমবা তাইবং অদুদা ঐবু ঈংনা তপ্না পুশিনখ্রে লোয়ননা ঐহাক্কা শাগোন্নরীবা অনাবা অয়াবা কয়া অদুসু মথঙ মথঙ মৃত্থৎপিরক্লে।

ঈশিং চেল্লীবা নূংলক অদুদা তাশিন্দুনা তুমখীবদগী ঐনা মিকপ থোক্লকপা মতমদদি অহিং ওইরম্লে, থাবলসু মপুং ফানা ঙাল্লম্মী। অতিয়াদ য়েংলুবদা থয়ানমিচাক্লা ইরঙ লংনা মশীং থীঙমদনা থোকলীবদুসু উরম্মী। অঈংবা নুংশিৎসু তপ্না তপ্না হুমলমই। ঐনা লৈরিবা মফম অদু কদায়দনো হায়বা, ঙাইহাক্তি ঐ নীংশিংবা ঙমলমদে। নূংলক-অদুদা তুম্লিঙৈগী মঙ অদুদা, ঐহাক্লা বোম্বেদা লৈরিঙৈগী মতম উরম্মী, সেব্বীগা লৈমিন্নরকপা যুম অদুমক্লী, অথোংপা ফমূং অদুনি মহাক্লা হীপমীন্নরম্বা, অঙৌবা মোন অদুদা পুল্লপ খাঙমীন্নদুনা। মঙ অদুদা মাগী থোংলবা, শাংলপ-শাংলপ তৌবা খৃৎশানা ঐগী লাইবক্তা তপ্না-তপ্না নানবীরম্বদু মিকপ থোক্লকপা মতমদদি, অঈংবা ঈশিংগী মরীক্লা লাইবক্তা তপ্না-তপ্না চাইশিন্নকপদু ওইরম্লে। অঙৌবা মোন অমদা খাঙলীবনি খল্লুবদুসু কোইরপ কোয়বা নূংদুম অদু ওইরম্লে, সেব্বীসু লৈরমদ্রে। ঐগী ইনাক্তা লৈরিবা হায়ববু ঐগী অকোয়বদা উরিবা অহাঙবা মফম খরদুগা লোয়ননা কদয়দা লোইবগে হায়বা খঙদনা শন্দোকস্ত্রিবা জঙ্গলগী লমদম অদুনি হায়বা তপ্না-তপ্না অ্যান তারক্লে। ঐগী কা হেনজিন্না শোক্লবা হকচাঙ, অয়া চৈনা খাঙলকপা পুম্নমক অমুক খম্বুরক্লে অদুবু করম্বা মফমদা নারিবা, কদায়দা শোক্লীবা হায়বদু ইশানা খঙজবা ঙম্লমদে, মরমদি ঐ অনাবা ফাওদ্রে। অমরোমদা হায়রগা, ঐগী খৌনাও ফাওবদি খঙলগা, মশিদগী চৎথবিবদা লৈরিবা হকচাঙগী শরুক পুম্নমকতি অমত্তসু য়াওদ্রবগুম্না খল্লে। চিংনবা হৌরকই-হায়রীবা হকচাঙগী

মফম অতৈসে লোইনমক শিন্নবরা, ঐগী পুক্লিংদমক ঙাইয়ব্রা হিংলিবা...? অসি খঙননবগী চাংয়েং ওইনা ঐগী খোঙ অসি ইনচি খরদং লেঙনবা, মফম হোংদোক্লবা হোৎনখী। খুৎশা মরক্তা নুংমচা অমা চপ্লগা পাম্বোম অসিসু মচী লেঙদুনা য়েংলমই। পীকপ্রবা নুংমচা অদু চেৎনা পায়শীনবা ঙমলমদে, খজিক্তং থাঙ্গৎপফাও ঙমলমদে। অদুম ওইদুনসু, ঐ হৌগৎনবা হোৎনখী। অমদগী মঙাফাওবা মশীং থীরগা, মঙা শুরকপদা লৈজবা পাঙ্গল ফুদোক্লবা লাক্লখী। মশীং অদু তপ্ন-তপ্না থী মরমদি ঐঙোন্দা হৈনিংবা ব্বাৎলম্মী। মঙা শুরকপদা, হকচাঙ অসি খঙচিং চিংবা, খংনা নাবা ফাওরকই। ঐঙোন্দা ফুদোক্লিংঙাই পাঙ্গল লৈবক্তে।

ঐগী অশীবগা মান্নরবা হকচাঙগী খল অসি, ঐনা তারিবা মফম অদুগী লৈমায়দা ফাজীন্দুনা থমম্নবগুম তৌরে। মওং অমা তৌদুনা শোয়দনমক হৌগৎকে হায়বসি খনখীবনা, ঐগী খোঙ নাম্মনা অতোপ্পা অমগী মথক্তা থন্নগা, মাম্ন অসি লৈমায়দা লূকথনা লৈবা ঙমদ্রিবফাওবা হোৎনরমই। অদুগা ঐগী অশোয় অঙাম য়াওদ্রীবা খুৎনিঙ অসিনা লৈমায়দগী শৌগৎলগা হৌগৎনবা লাক্লবদা, ইনচি অমা অনীদমক কাবক্লম্লগা পুমচোক চোকথরকপগা লোয়ননা অমুক হন্না নুংলক অদুদা তাশিল্লে। ঐ শিগদৌরমানে হায়না খল্লক্তে।

করিগী শিগদৌরিবনো হায়বগী মরম ঐ তশেংনমক খঙলমদে। নুমিৎ খরনি চাক খুবাম অমমমতমক চারকপা, মতুং তারকপদনা অমুক্তা নুমিৎ নিনি করিসু চারক্লবা অদুনা শোম্নরকপগী মরমলা... নত্রগা গুলিনা শোকলবা ঐগী খুৎ অসিদগী শন্দোরকপা হু-নরা... ? মরম অদু অমবু ওইরবসু, ঐগী হকচাঙদি কন্না লৈকম থোকপনি। ঐনা সিফায় অমা ওইরম্বা থোক্লবদি পুম্নমক অসি খাঙবা ঙম্নমগদবনি, অদুবু ঐদি মতম শাংনা ফুলগী দেঙ্কতা ফমদুনা লাকখি, কানপুরগী লানবলদসু, য়েন্নাওমচা থম্ফমদা লৈরকপগুম্না লৈরকখী, ফজনা চারকখী, হকচাঙ থোং নৌরকখী... উপু অমফাও থাঙ্গৎলকখিদে, থৌগল লাংগল ময়াম অমা লৈবনিনা। য়াম্না কন্না লানথেংনরগা থৌনাফনা শিগদৌবা খুৎশি অদুদি নৎত্রে ঐনা শিগদৌরিবসি..., য়াম্না শোনবদগী লম্বীগী নাকন্দা তাশিন্দুনা শিবদুনি ঐনা শিবা থোক্লবদি...। অসিগুম্বা মওংদা ঐনা মায়থীবা তারকপা অমসুং

সেব্বী-বু লান্না লমজীংবীখিবা তান্নকপদা, ঐ ইথন্তা ইকায়জরম্মী। লোর্দ দবকেস্তনগী মফমদসু, ঐনা সেব্বীবু চেকশীন্না শেন্নজগনি হায়না ব্রাশকখিবদু ঐনা মঙোন্দা মীনম্বা তাবক্লবদা ইশানা ইশাবুসু মীনমজবে হায়না ঐগী থব্রায় শোক্লমই। শাংলবা অহিং অদুবুদি অমুক হন্না কবিসু থৌশাকব্বা তৌদ্রে। মিনিট, পুংজা খুদিংগী য়াম্না ব্রানা খাঙলকখীবা হান্নগী হৌখ্রবা অহিং অদুগুম্বা নংত্রে। হৌজিক্কী অসিমদি, মতমগী ব্রাফম য়াওদনা, অব্রা- চৈনা ঙাক্তা ঐগী থম্মোয় অসিনা খাঙজবগী মতাঙনী। খঙহৌদনা ঐগী পুক্লিং অসিদা পাইশিল্লকই হৌখ্রবা, ঐগী পুক্সিগী ওইবা ব্রাথলগী শক্তম-শক্রোন কয়া মথঙ মথঙ, অমসুং শক্রোন-শক্তম কয়াদুদগী ঐগী পুক্সিনা মীতোপ অমা ওইনা হৌজিক্তি মথন্তা অমুক তোঙান্না লৈববগুম্বগী ব্রাখল...। ঐ ঙক্লা খনবা হৌবকই, মী অতৈগী ব্রাফম নত্তবদা, কবম তৌনা ঐগী পুক্সি অসে- হায়ব্রীবা শক্লায়দবা পোৎশকশিং অদুগা মবী লৈনহন্না শেন্নকলীবনো... অমসুং মীওইবনা পোক্লবিবা মফম কয়াগী মবক্তা ঐদি কবম তৌনা ইংলেন্দগী মনুংচনবা মিদলেন্দগী ত্যুকিসব্যুবী কৌবা মফম অদুদা পোকলমলীবনো...? অদুগা ঐ ইশাগী নীংজবা অপাম্বগী ব্রাংমদা, কবম্বা শক্তি অমনা, কবম্বা বিধাতানা ঐগী লাইবক্তা অশুম্না থোকউ তশ্লীবল্লিবা...? ঐনা বর্ম্মাদগী নাম্থোবক্লবা মতুংদা, নুংঙাইববা চহি অমগী মতমনা ঐবু ইন্দিয়াদা ঙাইবীবম্বা অদুসু লাইবক্তা হান্না তমখ্রববা...? মতুংদা অমুক, মণিপুর কৌবা মফম অসিগী চীংলক্তা লৈবা তামখ্রবা তুবেল খোঙনুং অসিগী নুংলক্তা ঐবু হুন্দোকপিবিবা অসিসু লাইবক্তা তমখ্রববা...? কযাদ থাজদনা ঙকখ্রবা মফমদনো ঐনা শিগদৌবিবা মফম অসি...! অশুক অব্রাবা খাঙনা লাকখ্রবা মফম অসিদা ঐগী পুক্সিগী অবোয়বা মতম লেল্লুগনি হায়বসি কবিগুম্বা মতমদসু ঐনা খঙখীবা লৈতে। মসি, ফিল্ম অমগী চাকশীল্লকপা বিলগী লোইবমদাইদা মহৌশানা অঙকপা, অকীবা কয়া য়াওগনবা অদুগুম্ববা ঐগী পুক্সিদা থোকলিবা অসে...! ওইবা য়াবদু ওইবসনু, হৌজিক্তি পুম্নমকসে ঐগী খুত্তা লৈববনি। শিববু কিবগী মচাক্তি ঐঙোন্দা অমত্তসু লৈতে। মশি কবিসু নত্তে, ঐগী ব্রাবীবা পুক্সি অসি হুন্দোকলম্বগী ব্রাতনি...ঐগী সেব্বীবু মথন্তা ব্রাহন্না হুন্দোকপীরম্বতনি। ঐনা করিগুম্বা পোৎশক অমদগী হেন্না পামজবীবদি

মহাক্কি, মহাক্কা লৈমিন্নবনি... মাগী তবা তবাবী মশাবু চেংনা কোনশিনজবনি, মাগী মিংলুদগী চেম্বুবকপা পিগী মবীক কয়াবু ঐনা চূপথোকচবগা কংহনবদুনি। মানা ঐবু নুংশিবিবা শকক অদুদগী হেনবা ঐগী নুংশিজবগী শকক অমা মহাকপু উহল্লগা নুংঙাইহনবা অদুনি ঐনা পামজবা...। রাখল অসিনা ঐ, হিংবা পাল্লকই, সেব্বীনা অহল ওইশিল্লপা মতম উনিংলকই, লোযননা মানা অহল ওইবকপদা, পূকচেল তপ্পা, ইংনা, লেমজনা ওইবক্কদবা মশক... পূম্নমক অদু উনিংবদা ঙাওবর্কই। ঐনা মহাকপু উবদগী, খঙলকপদগী হৌনা যাওবক্লবা নুংশিবা অদুদগী অমুক হন্থবা শকক লৈতনা, মাগী তুংদা ওইবক্কদবা পুন্সি অদুসু ঐনা চপচানা নুংশিজে। থৱায নুংঙাইতনা, তঙাযফদনা ঐনা শিখিবা থোক্লবদি পূম্নমক অসি লোইবেদো... মহাকপু অমুকহন্না উবসু ফংলবোই, মহাক্কী অৱাবা খুদোংথীবা কযাদা ঐনা মতেং পাঙজবসু ঙম্লবোই। অসি খন্না খন্না, ঐগী চীন অসিদগী "দার্লিং সেব্বী" হায়না মহাকপু অনী অহূমলক নুংশিনা কৌবগী খেংগ্লেল থোকখী। কোয়চাই চাইনা তাবিবা নূংলক অদুদা ইথক্তগী খোঞ্জেল অদু খোঙ্গাং ওইনা তাজখী। মহাকসু শোযদনা তাবমগনি খল্লী, ঐখোয অনীগী খ্বাইদগী নুংশিববা, নুংঙাইববা মিকুপ কযা নীংশিংলিবা অসিগুম্না মহাকসু নীংশিংলমগনি খল্লী। ওহ! নোংমা মাগী মখূৎনা গামশা অদু পায়বগা মাগী মশাবু খনজিনজবগা বোম্বেগী তুম্ফমকা অদুদা নকশীন্ননা লেপমীন্নখিবা, থোংনা মেঙনা চীম্বাল অনী থেংনখিবা...। ঐনা বোজিগী মনাক্তা চৎলুবগা মাগী মনাক্তা হল্লকপা মতম... হিমালযগী উচান পাম্বী মখোঙদা পোথামিন্নবগা য়েংথবকপদা জালিতাল উখিবা নুমিৎ, বোম্বেগী অনৌবা যূম অদুদা ইহান হান্না লৈমিন্নখিবগী অহিং... অমসুং অহিং অদুদা বেলকোনিদা ফম্মীন্নদুনা চাক চামীন্নখিবা... মখাদা যেংথবকপদা বোম্বে সহবগী, মনিমুক্তাগী কার্পেত থাবা মাল্লবা, তগুপ তবেংলবা মৈঙালগী মবীক মবীক কয়াদুবু যেংমিন্নখীবা। আগ্রাদসু নোংমা থাবলফববা অহিং অমদা ঐখোয় অনী চৎমীন্নখিবনি, থোইদোক্লা নুংঙাইববা অমদি অৱাবনা চমমনহল্লবা কায়নবমদাইগী মতম অদুদা...। পূম্নমক অদুনি, ঐখোয় অনীগী নুংশিগী মৈরী অনী পুল্লগম্না চাকমীন্নরকখিবনি। মতমনা ঐঙোন্দা নুংশিবা হায়বদু তম্বীরকখি, পূকচেল তপ্পা, মিনুংশি হৈবসু খঙহল্লকখী... অদুবু

মখোয় অদুদি ঐগী থম্মোয়দা হুনখিবা মরু শুাক্তনি, পাম্বী ওইনা হৌদ্রি, মপাল শাংত্রি, মপুংফারবা মহে য়াদ্রি। ঐ ইশাদি হৌজিক, ওইজবা থিনা, য়াম্না পঙনা চীংনুং অসিদা শিগদৌরী। মসি ঐ পামজদে, য়াম্না থুমল্লি, ঐদি হিংবফাওবা হৌজদ্রি।

য়াখলগী মরোল মরোল কয়ানা ঐগী কোক অসিদা নম্বুরক্লে, ঐ অঙাওবগা মান্নরক্লে। শাওনিংলকপা, নীংঙমদবা, নুংশিরকপা পাম্মুরকপা; কপনীংলকপা... পূম্নমক অসিগী মরক্তা সেব্বীগী খোঞ্জেলসু তারক্লে ঐগী পূক্লিং অসিদা। ঐবু শিবা য়াদে হায়না মানা হন্না হন্না হায়রক্লে। ঐগী পুন্সিগা মহাক্তা কবম্বনা হেন্না নুংশিবগে হায়নসু হংলকলে, অনীমক খেন্নবা লৈতে অমত্তনি হায়রবদি... মহাক্কী মনাক্তা অমুক হল্লকখো হায়দুনসু কৌবক্লে, অসিমসু য়াশকই মদুদি- কনাগুম্বা জাপানীজ সিফায় অমগী গুলিনা ঐঙোন্দা করিগুম্বদসু পালহল্লোই। ঐনা মঙোন্দা হায়জে "দার্লিং ! ঐ য়াম্না য়াবে ঐবু অমুক্তা তুমহল্লু, য়াম্না চোকথরে- ঐ তুমদবা য়াদ্রে..।"

ঐ শুাইহাক তুমথরুরে। মিকপ থোরকপদা, চীংগী নাকল অমদা অয়ুক্কী মঙাল উরক্রমই। বর্ম্মাগী নোংপোকথংবা অতিয়াগী ফিবান অকোয়বদা তাঁইরপ তৌবা মঙালনা শীল্লক্লে। মাইল খরদমক লাপথোক্লা নোংচুপথংবা মায়কৈদা অচৌবা নোংমৈ অমনা মাগী অয়ুক্কী মথৌ পাঙথোরকপদু তাবা ফংই। মেচিনগন অমসু পাউখুম ওইনা অমুক অনীরক থৌদেমলকই। ঐনা তুমথরুবগী মত্ত অদুদা সেব্বীগী খোংলবা চীম্বালনা তপ্না তপ্না ঐগী মায়দা চূপ্নী হায়না খল্লুবা অদুদি, চীংথক্তগী শীক্ল চেম্বুরকপা অঙংবা ঈচেলগী মরীক মরীক্লা ঐগী মায়দা তপ্না-তপ্না চোংশিল্লকপদু ওইরম্লে।

(৬)

মীং অসি অমুকহন্না পাঙথোক্লুবদা য়াম্না শুক্লা কোকথক অসিদা শংবানবা অতিয়াবু খংউ উরকপা অমদি উ-য়াগী মশা-মরেং মতোল কয়াসু মথঙ মথঙ ঐগী মায় অসিগা নক্লুনা উরকপদা ঐ চম্মন্না লৈখি। মিকুপ খরা য়াখল তৌই-

"ঐবু শিবববা... ? খূদক্তা খঙলকই- ঐ শিদ্রি। হৌগত্তুনা ফমগে হোৎনরকপদা উবে... ঐগী মাঙ ওইনা চৎলীবা মীশক অমগী মমায় নাকল অমা। মমিৎ শাংলপ তৌনা অমুবনি, মনাতোনসু পাকলপ তৌই। ঐ অমুকহন্না মীৎ উইশিল্লী। অশোল অনা পুবদা শীজিন্নবা স্ত্রেটচবগী মওংদা, ব্রা পাম্বী কক্তুনা শেম্বা শগাই অমদা ঐবু লোংনা হীপহল্লগা, মশাফবা মখোয মবীনা ঐবু পুবি হাযবদু খঙলক্লে। মখোয়গী মখোঙদা উল্লীবা অকুম্বা বুটনা লৈপাক্তা দুব দুব থাংদুনা চৎপগী মখোল অদুসু তাবক্লে। মীৎতি পাঙথোক্লনা ঐগী পা মবকশিদা মখোযবু তূম্মিন্না যেংবদা, মাঙথংবা নুপা অনাদুগী মনঙ্গল অনীদু উবমই। মখোযগী শাওং পিক্তক-পিক্তক তৌই, লেংজুম ফল্লী, মঙকশমদা চোমথনা হৌবা মশম অদুসু মুই।

ঐগী মীৎ অমুক হন্না উইশিল্লী। বাখল তৌবগী মতম ফংলি। হান্নদগী খংশোক শোকচান্না, খমথেংনা ঐগী নাংবা কাযবকখা। ঐগী হকচাঙদসু অনাবা কযা অমা লৌবর্বা . অদুগ মগন্তা অমুক, শিবগা মান্ননা নীংবা কাযববা অমম্বা বাখলগী পোৎলুম অদুনা .. চাওববা যোৎকি বিম অমগুম ঐগী থবাক্তা নম্থবকপগা মান্নখী। ঐগী বাখল অসিদা উবক্লে... অনীবকশুবা ওইনা ঐবু মখূৎচন্না ফাজীনবদা ওইগদৌবিবা, ঐঙোন্দা থোক্কদৌবিবা হাযফম খঙদ্রবা মওং অমা...। হন্দকমুক্তী হান্নদগী হেন্না ফত্তবা ওইবনী হাযবসু মযেক শেংলে, নাম্বোকপসু ওইথোক্লবোই... ঐনা চেল্লম্বগীদমক্তা ঙাকপীবা লৈতনা ঐবু দান্দি পীবগনি। খল্লকখী... ঐ হান্না শিবম্লবদি ওন্থোক্লা ফবমগনি। নহানমখৈ ঐনা অৱাবা কযা খাঙলক্লিবা অসিদি অমুকহন্না মখোযগী মনাক য়ৌনবগীমক্তা ওইববা..., চেল্লকখীবা মফম অদুদা অমুক হনজিন্নবগীত ওইনা থোক্লবা ' পূম্নমক অবেম্বা ওইবেদো...। অমুকসু খল্লকই... মখোযনা ঐবু শিহন্নীংলবদি, ঐনা তাবন্নিবা মফম অদুদা ঐগী অশিবা হকচাঙসু অদুম তাহল্লমগদবনি। ঐবু পুবকপদা মখোয় নুপা মবীগী মপাঙ্গল কবিসু মাঙহনফম থোক্কে... ঐবু শিহন্নীংদবা মাল্লি, অদুনা ঐ হৌজিকমক্তী শিখিবোই... মখোয়না তৌরিবশিবু কবিনো...?

ঐ মথক্তা য়েংখৎলি, জাপানীজ লোলদা তপ্পা হায়জবম্মী :-

"নখোয়না ঐবু চানবিদুনা ঈশিং পীথকপিগদ্রা... ?" ঐনা উরিবা নুপা

অদুগী মমায অদু, চাইকং চাওই মমিৎ মুই, হাইবগ নোকনীংবা মান্না ঐঙোন্দা যেংলকই, তুংথংবদা লৈবা মমান্নবা অদুদসু অমুক যেংই। ব্রানা ফোঙদোকচববা ইংলিসকী ব্রাহৈদা মহাক্না হাযবকই :- (যু দুনোত স্পিক ইংলিস) "নঙ ইংলিস ঙাঙদব্রা ?"

"তশেংনা ঐ ঙাঙই, ইংলিসনি ঐ।"

"হৌজিক্তি নঙ খবা ফববা নৎত্রো ?"

"ঐ ঈশিং খবা থকচনীংই।"

"চীংসিগী মথক অসি যৌবগা, ঐগী ঈশিং যাওবা বোট্‌ল অসি নঙোন্দা পীনি।"

"নখোযনা ঐবু কদাইদা পুবিবনো ?" ঐনা হংলমই।

"ফিলদ হোসপিতালদা।"

"ঐবু বৃতিসকী মনাক্তা পুবিযু।" নাংবা কাযনা মখোযদা হাযজখী।

ঐহাকপু পুবিববদি, নখোযবুসু নীংথিজনা লোযনগনি... চানবীদুনা ঐবু বৃতিসকী মনাক্তা পুবিযু।"

ঐগী ব্রাহৈ তাবদা নুপা অদুগী বাখল চম্মম্নবকপা মাল্লি। ঙাইহাক্তং তৃপ্মিন্না লৈকবগা মোমোন অমুক নোকলকই, ঐনদি খনজে : ইচমচম্না ঐনা হৌদোকচক্বা ব্রাফম অদুদা মহাক নোকলীবনি...।

মহাক্না কোন্না অমুক হাযবকই :- "তশেংনমক ঐখোয়না নঙবু বৃতিসকী মনাক্তা পুবির্বনি।" মহাক্কী ঙাঙথোবকপা খোঞ্জেল অদুনা ঐবু ঙাইহাক্তং বাখল তৌহল্লী... কবিগীনো মহাক্কি খোঙ্গোক্তা ঐবু থব্রায নুংঙাইহনবগী মওং অমা য়াওবীবসি...? যৌজাল উৎপিবা ওইনতা হাযবীব্রা মহাক্না...? মতম অদুদা ঐগী পূক্লিং অসি কৃপশীন্না খম্নবগী মথৌ পাঙথোকচবা ঙম্লক্তে, মবম অদুনা বাখল অদু ভাব তাবমদে... নুপা অসিনদি হাযবী, তশেংনমক ঐবু বৃতিসকী মনাক্তা পুবিবনি হাযনা... ইংলিস লোলদসু হায়বীবনি... অমবোমদা ঐনা ঙাঙখীবা জাপানীজ লোল অদুসু মহাক খঙদে, অদুবু মহাক জাপানীজদি মাল্লি।

ঐগী পূক্লিংদা খল্লীবদু মহাক্কসু খঙলমানে, হায়বকই :-

"ঐখোয় গুর্খানি।"

ঐগী মাযথোঙ অসি, মিকুপ অদুদা নুংঙাইনা নোকচবদি মাল্লমলোই, অদুম্মদি ওইবগা ঐঙোন্দা হবাওবগী ঈথক অমনা য়েবকপগুম ঐগী চীন অসি কাথোকখী, অদুগা, অশিবগা মান্নবা নীংবা কাযবগী মিৎযেং চঙনা তূকথকুববা ঐগী মিৎ অনীমকসে অমুক ইনৌ নৌনা তথক তথক্লা হিংকৎলকখী।

"গুর্খানি হাযবা।" ঙাইহাক লৈকৃবগা ঐনা হবাওনা ফোঙদোকখী।

"হোয, ঐখোয গুর্খানিনে, নঙনা ঐখোযবু কনা ওইনা খল্লূবে ?"

"থাঙ্গৈশেংনা নখোয গুর্খানিকো। ঐনা হায, "ও... নখোযগী তূপিসে ..।"

ঐনা মখোযগী তুপি অদু হান্না যেংলম্বা যাবনি, ঐদি মখোয়গী শাওং অসিদমক যেংলুবে...। মখোযগী মোঙ্গোলিযান চঙবা মিৎতা অমদি মখোয়গী কুচু অসি উবগদি জাপানীজগা মখোযগা মান্নদবদি নত্তে।

"হৌজিক পূং কযা তাববগে ?"... ঐনা মখোযদা হংলমই।

"পূং অহুম।"

"কবি নুমিৎনো ?"

"যুমশকৈশা।"

"এপ্রীল থানিকো হৌজিক ?"

"উম, এপ্রীলগী তাং মঙানি।"

"এপ্রীলগী তাবিখ মঙা অসিদি ঐনা... মতম পুম্নমক্তা নীংশিংলগনি, ঐগী মকপ মপাঙশিংদসু ৱাবী শাগনি।" ঐনা হাযবম্মী।

চীং অদুগী মথক য়ৌবদা, মখোয়না পীবা বোট্টল অদুদা যাওবা ঈশিং অদু কংদ্রিবফাওবা চিংদুনা থকখী। অশুম্না, হৌজিক্তি ঐগী ইতুং ইম্নবম্না অশিবা হায়বদু য়াম্না থাপ্না লৈহৌবে, ঐ মাবু হন্দোকলম্লে।

"ঐ অমুক্তা লেপখৎনবা হোৎনগে।" মখোয়দা হায়জরমই, অমসুং ঐনা লোংনা হীপ্পিবা শগাই অদুদগী ইশা অসি হৌগৎনবা হোৎনজে, ঙমদে । পূক্লিংদদি ঐ ফরমানে, কল্লমানে খল্লুই, অদুবু হকচাঙ অসিদি অনাবা, অশোনবা হাম্নবদু চপচানা ওইরি। ঐগী অশোকপা খূৎ উরকই, পূমকাও কাওকরবনি, পূক্লিংদা খঙনুং নুংঙাইতবা পোকলকই, ঐঙোন্দা অশিবা পোৎশক অমা ওইনা য়াওরীবা ঐগী খূৎ অদু উবদা। মদুগা লোয়ননা, পুনর্শিনখিবা বেনদীজ অদুদগী নমথীরবা মনমসু ফাওবক্লে। "পাম্বোম অসি কক্লগনিকো... ওম্বোক্লসু ফৎখিদ্রবা শা-গী থবকনিদা...।"

"নঙ হৌজিক্তি ফবেকো...।" ইংলিস ঙাঙবা গুর্খা অদুনা হাযবকই।

"হোয়।" ঐনা খুমই। "ঐ ৱাদি পংঙাঙ ঙাঙভুবে।"

"ঐখোয় চৎকদবা ৱাৎলী, পূং অমবোমগী মনুংদা হোর্সাপতালদু য়ৌরনি।"

অমুক মখাতানা চৎশীল্লকপগী লম্বী অদুদদি, ঐগী হকচাঙ ঙমদবা হেনজিল্লকই। ৱাবসু হেল্লকই, চাকখাও অসিদগী ফুনকৎলক্তুনা ওগে-ওগে তৌরম্মী। ওবদি ওখিদে, ঈশিং য়াউম অমগুম্বা থোবকপা নত্তনা। কোকসু কয়া ঙাওরকপনা, মিৎ উইশিন্দুনা থাঙই। মিৎ পাঙথোবকপদা, সিফায কাঙবু কাঙবু লম্বী অদুদা থৈনদুনা চৎখীবসু উই। মফম অমদনা, যাম্না কন্না লাল কাপ্পবগুমসু তৌই। অহুম মরীরক কুম্বা, পূং অমগী মনুংদা হচীক চীকলম্বদগী খংপ্রেক খংপ্রেক খংনা কাপ্পরকপদা পাখৎহল্লি-অমসুং নোংমৈ গুলিনা হুইস হুইস লাওনা অহাঙবদুদা পাইদুনা চৎখীবগী মখোলনসু নিল্লি।

নোংমৈ মখোলশিং অদু তারকপদা, ঐনা অহানবদা ইশাবু ইথন্তনা নুংশিবা পোক্লুবা ৱাখল অদু... ইথন্তা ইকায়জরকই। অরাপ্পদা তারীবা লাল শোক্লবগী থবক অসিনা, ঐনা ৱারুবা অমদি তান চানরুবদগী খূৎতা রাইফল মরুন্না পানখিবা অমসুং তুরেল খোঙনুংদা মরম চাদনা শিবা তারুবা... অদুদগী হেল্লা অৱাবা অমসুং খুদোংথীবগী মশক্লি। অমুক খম্নরুরবদি, চম্মুদি মাম্নে হায়বা য়াই, ঐসু মসিগুম্বশিংসিদগী নাম্বোরক্তুনা লাকপনি। মখোয়না ঐগী খূৎ অসি

কক্কুনা লৌজহৌরবসু, ঐবু... সেব্বীগী মনাক্তবু য়ৌহল্লবদি ফরে...। থোকত্রবশিংদু থোকত্রসনু, ঐদি শোয়দনা মাগী মনাক্তা চৎকনি। ঐগী হকচাঙ অসি য়াম্না চোকথরে, চরা হেল্লে, হকচাঙদা হৃসু কাররে... অদুবু পূক্কিংনা চঙশীল্লক্কিবা অশাম্বগী মায়কৈ অসিমদি কাউথোকপা ঙমদ্রে। ঐনা খল্লীবসি মাবুতনি, অকীবা কয়াসিগী মরক্তা মহাক্তবু খনজবনী।

ঐখোয়না হোসপিতাল অদু য়ৌরকপদা পূং মরী তাবে। ঐবু ব্রাগী শঙ অমদা গুর্থাশিং অদুনা পুশিনবীদুনা থম্বীরম্লে। মফম অদুদা থবক তৌবা নুপা অমনা থক্লনবা মহি (সুপ) লিক্কি অমা পুশিনবীবকই। ঙাইহাক লৈবগদি, অতোপ্পা অনাবা অমসু পুশিল্লক্লে, মহাক্কী য়েংথংবা থবাক্কী মখাদা শঙ্গিন্না থিল্লকপা ওইবমানে। সেবা তৌবীবা ওর্দরলি অদুনা হায় :- মিনিট অমগী মনুংদা ডোক্তর লাক্লগনি। ঐ কবিগুম্বা খরা হায়দোক্লবা খনখী, অদুবু ঐগী কোক অসিদা ব্রাহৈ অমত্তসু লৈতবগুম তৌখি। অশোকপদুগা ঐখোয় অনী তূম্মিন তূম্মিন নাকন-নাকন্দা হীপ্লদুনা লৈবদুদি নোকনীংবসু পোকলকই। ঐখোয় অনী সহর অমত্তদগী লাকপা ওইনরম্বসু য়াই, অদুবু ইন্দিযাগী জঙ্গল মনুংদা খূৎলায়না শোকপদগী মফম অসিদা অমুক তাদুনা লৈববে। ঐনা ব্রাহৈ খরা শেম শাদুনা মঙোন্দা হাযখীবগুম তৌই।

মহাক্তি করিসু খুল্লকখিদে। কোন্নদি ডোক্তব অদু লাক্লে। অশোকপা নুপা অদুবু য়েংই... কান্নদ্রমানে, ওর্দবলি অদুদা অশোকপা নুপা অদুবু মপান্দা পুথোকখিনবা ইঙ্গিত তৌরকখী। অদুগী তুংদা, ডোক্তর অদু ঐগী নাক্তা চঙশীল্লক্লনা ঐগী পাম্বোমগী বেনদীজ অদু লেনথৎপা হৌরে।

(৭)

অহিং অদুদা ঐবু, অশোক অনা পুবগী গাড়ী (এম্ব্যুলেন্স) অমদা পুথোকপিরকলে। মতম অদুফাওবদা ঐগী অশোকপা পাম্বোম অদু য়াওরী, ডোক্তরনসু মদু কক্তবগী আশা লৈ হায়না ফোঙদোকপীরকখী, তৌবতবু ইস্ফাল য়ৌরগা, মানা য়েংশীল্লকপা ফার্স্ত এইদকী বেনদীজ অদু লৌথোক্লগা খঙগদবনি

হায়না। হৌজিক্তি, মবম পূম্নমক্তা ঐগী আশা লৈবকপগুম তৌবকই। লাইবক ফগদৌবিব্রা হায়বগী খঙনীংলিবা অদুগী মবক্তা, স্ত্রেটচবগী য়েংথংবা নাকল অদুদা ঐগী অশোকপা খূৎনা থেংলিবদুসু খঙলকলবদা... অমুক্কা হেন্না আশা লৈবি হায়বসি থাজবকখী।

এম্ব্যুলেন্স অদুগী মনীংলোমদা য়েংখিবদা, মতম অদু মমশীল্লক্লে। লৈতেম মান্নদ্রবা, অতোঙ অকূৎকী লম্বী-অদুদা মাইল-অমবোমদি য়াম্না ৱানা লাকখি, মতুংদা, লৈতেম মান্নববা, অনানবা লম্বী যৌবকপদদি, গাডি অদু নুংঙাইনা চেল্লক্লে হাযবা ঐখোয়দসু ফাওবমই। কনানো অমনা হায়বকখী "মশিনি ইম্ফাল লম্বী হায়বদু।" ঐগী পূক্লিংদা অশুম খল্লী- থাখায় অমগী মমাঙদা, লম্বীদা থাক্লম্বা লাং অদুদা ঐখোয়বু ফাখীবা মফম অদুদগী ইম্ফাল য়ৌগদবা মাইল কুম্থ্রামঙাগুম্বা ৱাৎলিবা ওইবে। চয়োল অনীদমক ঙাযবী, অদুবু ঐগী পূক্লিংদদি, কোহিমাগী বেস্ত কেম্প অদুদা ঙাইহাক পল্লীঙৈ... চা থক্লা থক্লা পূং অনীগী মনুংদা ইম্ফাল য়ৌবগনি হায়না ৱাবী শানখিবা মতমদু চহি অনী ফাবক্লবগুম্না খল্লী। মখা তাবকপদা, মখোয়না মেন্নীঙবু নোংমৈ কাপশীল্লক্লুনা হাংখীবা... সিখ অদুগী ঙকশমদা থাঙনা ককখীবা, অমসুং থৌদোক অদুদগী, মেজবগী পূক্লিং হকচাঙদা খমথেংনা শোকচীনখিবগী মবম ওইবকপা...। পূম্নমক অদু, ঐগী হৌপ্রবা পুন্সিগী নীংশিংবা ওইনা লৈহৌবে, অমবোমদসু ঙক্তবা ঙমদে... কবিগীনো, মতম অদুদা উখিবা মেন্নীঙগী মশক অদুবু ঐগী পূক্লিংগী খূৎ অসিনা কোযমা মাদুনা মতমগী হৌপ্রবা কাচিন অদুদা থিকবিবা...। অদুবু লাকখিনি, মতমচানা ঐগী ৱাখলনা মহাকপু অমুকহন্না নীংশিংবা। হৌপ্রবা থাখায় অদুগী থৌদোক পূম্নমক অদুগী চপচাবা মশক মওং পূম্নমক অমত্তসু কাযহন্দনা মতমনা অমুক ঐগী মাঙদা থম্বীবকখীগনি... অদুগা ওইবসু য়াই, মতম অদুদা ঐঙোন্দা থোকখীবা, চম্মম্নখিবা পূম্নমক অদুগী মবমদা, অমুক ইনৌ নৌনা জ্ঞান তাহল্লকপসু।

পূম্নমক অদুবু ঐনা অমুক খঙনীংলক্লিবনা কবিগীনো ? বেস্ত কেম্প অদুদা হবাও হবাও নুংঙাইনা ঙাইহাক ফমলকপদুদি ঈশ্বর মানা য়াবিবগা, চঙশিল্লকপা লম্বী অদুগী অহানবা, হেক থেংনবা গোলায় অদুদা খুদোংখীবনা

করিগী ঐখোয়বু ঙাইহল্লম্লিবা... ? অদুগা অমুক ইথন্তবু করিগী নাম্থোকহল্লিবা...! করম্বা থবক্কী মওংনো থোকখ্রিবা পূম্নমক অসে... অদুগা করি অমুক ব্রাংলিবা হৌজিকসু থৌওংশিং অদুগী মরুমদা... ? মসি, পুন্সিবু কাং-খোং চাইহনবগী থৌরাঙলা নত্ত্রগা থবক থৌওংগী লমজীং য়াওদনা, অহোংবা অমা পুবক্লবগীদমক্তরা ? ব্রাহং পূম্নমক অসিগী পাউখুমদি... হোয়, ওইবা তাই ঈশ্বর মহাক্তনা। ঐখোযনা ঈশ্বর মহাকপু মশক খঙবা তাই। শিগদৌরে খল্লুবা মতম অদুফাওবদসু ঐনা মহাক্কী মনাকতা নকশীল্লুদে...। ঙম্নমক অসি মতমনা পুবক্কদবা ঙাক্তবা... ?

ঐ ইশানা ইশাবু কোমথোকচনা লৈজবা ঙমলে। জাপানীজগী মরক্তা লৈবকপা মতম অদুদদি ইশাবু কোমথোকচনা লৈজবা ঙম্লক্ত্রবনি। হৌজিক্তি লেঙ-ওৎনা চেল্লক্লিবা এম্ব্যালেন্স গাডি অদুগী মনুংদা ঐহাকসু নুংঙাইথোক্লা যাওজবা ফংলে, মরুপ ওইবশিংদুগী মবক্তা। গাডী অদুগী মনুংদা হীপ্ল-হীপ্লা উবা ফংই, অমম্বা মরক্তুদা চুরুট চিংনবকপগী ইঙাও ঙাঙনা উবকপা অচাকপা চুরুট মতোলশিং অদু, অমসুং খবা কনশীন্না চিংলকপা মতমদদি সিফায় মরুপ মপাঙশিং অদুগী মমায় মমায'দুসু উবা ফংই। পূক্লিংদা হবাওনা, নুংশিনা ঐগী তৌবীমল খঙজবদু ফোঙদোকচৈ মখোয়গী মফমদা।

গাড়ী অদু, লৈতেম মান্নবা তম্পাক্কী লমদমদা চেল্লক্লে। ঐখোয়গী শম্ভুং যৌগদবা ঙাইহাক্তমক ঙায়রমানে খল্লী। মফম অমা য়ৌবকপদা, গাড়ী অদু লেপ্লে। ঐখোয়বু হাপ্লীবা স্ট্রেটচরশিংদু গাড়ী অদুদগী পুথরগা, অঙম্বদা হকপা থাক পবেংদা অমুক পুখৎলক্লগা, মফম অদুদা লৈবম্বা হোসপিতাল অমগী কা অমদা পুশিনবীরকখি। অঙৌবা ফি কুপ্লবা ফমুং, মোন অমসুং নর্স উরকপা মতমদুদা, ঐনা অহানবা, বর্ম্মাগী জঙ্গলদগী নাম্থোরক্লগা লৈরকপা ইন্দিয়াগী হোসপিতাল অদু নীংশিংলকই অমসুং অঙকপা মওং অমদা হান্নগীদু অমুকহন্না থোক্লবগুম্নসু খল্লম্মী। তূমনীংলকপনা ঐ খাঙবা ঙম্লমদে। মতম অদুদা, নর্স অমা লাক্তুনা ঐবু চামথোক শেংদোকপিররে, পাজামা অমসু হোংদোকহল্লে। 'সিগী তুংদা ডোক্তর অমা লাকপদুনা ঐগী লেংজুমদা পায়-খোত্তুনা য়েংবা হৌরকপা মতমদুদা, করিসু খঙবা ঙমদনা ঐদি জ্ঞান তাদবমখৈ তূমগ্রমানে। নোংঙাল্লকপগী মিকপ থোরক্লবা

মতম অদুদসু ঐগী য়েংথংবা খূৎ অসি থম্বা য়াখিনি হায়বদু থাজরমদে, অদুবু মশি কক্করোই, হান্নগুম্না লৈবা য়াখিনি হায়বা খণ্ডলকপদা ঐগী থৱায় অসি হয়াও ইথক্না খণ্ডহৌদনা থুমহংখি। পূক্লিং অসি হবাও-নুংঙাই ৱাখলদা অমুক্তা হেন্না নুংঙাইজখিবা অমদি... অয়ুক অদুদা, ঐনা চিথি অমা সেব্বীগী মনাক য়ৌখিনবা ইজবা ঙমখিবদুনি। হীপ্না হীপ্না ঐগী খূকউ অনীসি কাংখৎলগা বাইতিং পেদ অদু খূকউদা ঙাক্লগা ওইথংবা খূৎ অসিনা ইখিবনি। খূৎই অদু অঙাংনা ইবকপদি ওস্তোক্রসু মাল্লে, সেব্বীসু য়াম্না নোক্কনি মদু উবদা, ঐনদি মঙোন্দা খূৎ যেৎ অসি কবি থোকখ্রবগে হাযবদু খণ্ডহনখিদবনীনা...। ৱাহৈ খবনবুদি শমজীন্না হাযখী... ঐগী য়েংথখ্রবা খূৎ অসি শোক্কে হায়না, থৌদোক অশাঙবা অদুদি মবীকচুম্না পনখিদ্রে, মতাঙ চাদবনা...। ঐখোয় অনীতনা খণ্ডনবা, হায়নবা ৱাহৈ ৱাতা ঙাক্তনা শাকথন্না ইবগা, মখুম অদু নপশীল্লে, অদুগা নস অমদা থাদবীকনবা চেকশীন্না শিন্নখি। ঐ খণ্ডবা ঙমদে, কয়াম কুইনা মাগী পাউখুম ঙাইগদবনো... চৈবক অসিদা ঐবু অমুক ইন্দিযাদা হন্ননবা হাযবকপসু যাবি। মতম অদুদা ইম্ফালদি, লানগী অবোয়বা থৌবাঙদা কন্না চাকশীন্নবকপা মতমনি অমসুং অকোযবদা লৈবিবা চীংথকশিং অদুদগী জাপানীজশিংনা নোংমা হেক্তা তকথবকপা যাববা তানজা অমসুনি। মতম অদুদা বৃতিস আর্মী পূম্নমক, পুল্লপ অমত্তা ওইনা হেন্দোকফম লৈতনা পূমকোয কোযশীনবা মফম (বোক্স) অমত্তদা লৈববনি। কবি অমুক হাযগনি, হোসপিতালগী মীওইফাওবা লানগী থৌবাঙদা লৈনখ্রে। বৃতিসনা হন্দোকতুনা চৎখিবা য়াবা লম্বীসু লোইনমক থৎখ্রবনী। তঙাইফদনা শিজীন্নবিবা হায়ববু, এবোপ্লেন তাফম খবা অদুতমক ঙায়বে। অশোক অপন ফংলবা মীওই কয়াদি হান্নলা আসামগী মফমশিংদা এবোপ্লেন্না হোন্দোকখিবসু হৌখ্রবনি। ঈশ্বরদা খুকমজে, ঐবুসু চপচানা শোল্লবা, অনাবা মীশক অমা ওইনা খনবিদুনা ইম্ফালদগী পুথোকপিখ্রবদিকো হায়না।

ঐনা হীপ্লিবা কা অদুদা লৈরম্বা ৱায়ারলেস অদু নুংথিলগী মতমদদি দিল্লিগী পাউ ফাননবা অখন্নবা ৱেভলেংথ অদুদা থমহল্লগা, সেব্বীনা ৱা ঙাঙলকপগী খোঞ্জেল তাবা ফংননবা মতম শাংনা থৌরাংনা ঙাইজখী। মাগী খোঞ্জেল অদুতবু তাবা ফংলবদি ঐগী চিংনবা-পূম্নমক কোক্কদবনি, পুন্সিগী মচু

অমসু খঙহৌদনা হোংজবা ঙমগদবনি। মহাক্কা বা ঙাংলক্তবা থোক্লবদি, ঐগী অন্নাবা অসিগী ময়েং তাবদি লৈররোই। মহাক ঙাঙলকখিদ্রে, নুপা অমগী খোঞ্জেল ওইনা তাবা ফংলে, ঐঙোন্দদি পূম্নমক ইহাঙ হাঙবগুম্না থোক্লে।

ঐগী ফমুং ময়াদা ফমলীবা কেপ্তেন অদুগী মফমদা ময়েকশেংনা তমখি... ঐহাক্কা লোয়নরকপা কাঙবু অদু করম্না মওংদা জাপানীজনা ফাজীনখিবা অমসুং ঐনা করমতৌনা নানথোরকপা হায়বদু। কেপ্তেন অদু, মখূত্তা চে কলম পায়দুনা, খবরগী রিপোর্তর অমগুম্না পূম্নমক্তু ইশিল্লী, অমসুং ঙাইহাক লৈতনা হন্না-হন্না ঐঙোন্দা হায়রক্খী :- "অঙকপা থৌদোকনি, মসিদা নঙনা শিরক্তবসি ! বাফম অসি, ঐঙোন্দদি থোইদোক্লা অঙকপা ওইদ্রে-মরমদি কনাগুম্বা অমনা কোহিমাদগী ইম্ফাল ফাওবা চেল্লকপগী মহুত্তা, ঐঙোন্দা থোকখ্রবা থৌদোক অদুনা হেন্না ফরে খন্দোকপসু য়াই।

অশুম্না মথঙগী নুমিৎ য়ৌরকপদদি, য়াম্না ঙক্না ঐগী মরুপ পিতব অদু কদায়দগীনো মফম অদুদা লাক্তুনা ঐহাক্কা উনররে। মহাকপু উবদা, ঙাইহাক্তংদি ঐ হরাওমনবনা বা ঙাঙবা থোকখীদে। মাগী মায়থোঙ মকাফন্না নোক্লদুনা কা অদুদা চঙশীল্লকখি, অমসুং মাগী হরাও-নুংশি মিনোক্তুদা, করি অমুক হায়গনি মাগী নাতোন শুমাঙগী মকোয় অদুফাওবা য়াওখীবনি। ঐগী করিসু তৌদবা খূৎ নাম্মসি মহাক্কা পায়শীল্লগা কয়াদা হবাওনা নুংশিনা খূৎ শোক্লখীবা ঐখোয় অনী ! ইম্ফাল য়ৌবা লম্বীদা ঐ মাঙগ্রে হায়বা পাউ খঙনরকপদগী, ঐগী ইহং শিল্লুনবা মাবু এরোপ্লেন্দা থারকপনি, অমসুং মহাক্কা থুংলরবা নুমিৎ হ্মনিগী মতুংদা, হোসপিতাল অসিদা ঐ লৈরে হায়বা পাউ তাবদগী খুদক্তা লাক্লিবনি হায়না ঐঙোন্দা তমলম্মী। মানা হায় "ঐনা নঙগী খনবদা কয়াম বাখীবা !" "ঐগী লাইপোক কুম্নবা, মগুন লৈত্রবা মরুপ অমা মাঙজরে, শিগ্রে হায়না খল্লুবদগী, ঐঙোন্দা পোক্লকপা, নুংঙাইতবা বাখল পূম্নমক অদু ফোঙদোকত্রবনি ঐদি... অদুবু নঙদি হান্নদগী হৌনা নমথাক তৌবা হৈনবনিনা, মফম অসিদা নশা নউ ইফ-ফনা লৈরম্লবা...। নঙনা লাকপদা, জাপানীজ খরা ফাদুনা পুরকপদি কৈদৌই ? নঙনা নাম্ভোরকপগী উৎপা য়াবা খূদম খরসু ওইনবা...।"

"যাবশ্বনি, অদুবু মখোয়দা ব্রা হংবীনবা, মফম অসিদা নও লৈবমগনি হায়বদি কনানা খওগনি...।" ঐসু নোক্লুনা খুম্মী ।

মানা মখা শমথৈ :- " ঐসু মফম অসিদা য়াম্না মক ওইবা মীশক অমা ওইনা লৈবিপোংনিপ্প 'সিদদি ঐনা খণ্ডলীবা জাপান লোল অসি চাংযেং তৌবীনবা কনাসু লৈত্রবনীনা, ঐনা অদুম মকওইবা মীশক্তি মশানা ওইবা অববনি, নংত্রনে ?

অদুবু... যেক্লবনা হৌজিক্তি পূমকোয কোযশীন্দুনা লৈববনি, অদুগা ঐখোযনা চেনথোকফম খণ্ডদনা বোক্স অমদা লৈববা,...পাখংতবা ঙমদেহে...। চহি কযাদি মশিগী ব্রাবী ঙাক্তা লীনবগদবা পোংনি... তেবল অমগী মথক্তা ঐখোযগী ওইবিবা ফীভম অসি উত্তুনা...অদুবু চেনফম লম্বীসি, এবোপ্লেনতমক ঙায়বে হাযবদুদি পল্লবোই...।

"মদুনি ঐনা পান্নবসু ।"ঐসু খুমই ।

"নহাকসু চংখীবদি পাম্মীনিনে ? নোংমৈ মক অমওংদি পালহল্লগা, নুংঙাইনা পেনসন লৌদুনা পোত্থাবদি তশেংনমক নও পামদেনে ।"

"ইম্ফালদগী হন্দোকখ্রগা পোথাজকববু ফংলবদি, ঐগী অপেনথা হায়বদু ওইবে ।" ঐনা খুমলমই ।

"নওগীসি যাম্না নীংবা কাযবকপা মাল্লি, ঐখোয়না খল্লম্বদি শোযদনমক নহাক্লা থৌনাফবগী থবক খবদি পাঙথোক্কনি, অদুগা হল্লকপা মতমদা...লাল হায়বসি কবিসু নত্তে, থৌনা ফবগা লোযবে, হায়না মীপুম খুদিংদা তম্লনি 'সিনি। নওদি হৌজিক বাংগলো অসিদা নুংঙাইনা লৈবা ফংলবনি,... মীওই কাঙবু কাঙবু কয়ামকমদি চীংনুংগী জঙ্গলদা, শঙতেক শঙমচা অমদি তমবুব খন্দবা মফম কয়াদা খাঙনবীবনি, নোবোক্তি লমদা চঙশীনবগুম কোযচায চায়না লানফম কয়াদা কাপ্পবীবনি ...।"

"ইম্ফালদগীবু হনখিবা ঙল্লবদি,ঐগীসু মদুগা চপ মান্নৈনা।"ঐনা খুমই।

"হুং, নওগী অচুম্বা মবমসি ঐ চিংনৈকো... নওগীসি সেব্বীগী ব্রাথল য়াম্না তৌই... নংত্রা ?

"মদু অচুম্বনি... অওইবমক্কি, সেব্বীগী মশা শাথীনা ঙমদবগী চিংনবা লৈ, মাবু য়েংশিনবীনবসু কনা অমত্তা লৈরমলোই।" মিকুপ অসিমক্তদা, পিতর মশাগী অথোংপা ব্রাখলগী মঙাল অমা ঐঙোন্দা উহল্লকপগুম তৌই, মানা হায়-"ব্রাফম অদুগী ওইনা খল্লুরবদি, খূদক্তা নঙবু পুথোকহনখিনবা ঐখোয়না থৌরাঙ তৌবা তাই। নঙনা 'সিদ লৈববুদি লাল অসিগী ওইনা অফবনি, অদুবু নঙোন্দা শেংনা হায়রবদা, ঐখোয়না হৌজিক থোকফম খঙদ্রবা বোক্স অমদা পুল্লপ লৈশিল্লিবশিগী ফলদি অফবা ওইগদবা মান্দে। লানফমদা বোক্সকী ব্রাফম হৌদোক্লম্বসিদি... দ্যুক ওব ৱিল্লিংটন্নবু ওইববসু অপঙবগী থবক্কী হায়নীংই। ঐখোযগী এরোপ্লেন কযা কযা লৈরবসু... কৈদৌকনি, করিসু কান্নরোই। কান্নদেসে- ঐদি হযেং কোন্না লানগী ব্রাবী তম্বদা অতে অমত্তা লীরোই... সিমলাগী সেসিল হোতেলদা অচৌ-অচৌবা পেগ থকলকপগী নুংঙাইনা মতম লেনবদু ঙাক্তা তমগনি।"

"নঙবু ফজনা ভাব তাহনবসি যাম্না লুই। নঙসি ঐগী মরুপ ওইববসু, নঙ ইম্ফালদা লৈনীংব্রা নত্ত্রগা সিমলাদা লৈনীংব্রা হাযবসি ঐ খঙবা ঙমদে।" ঐনা হায়বমই।

"মদুদি ঐ ইশামকসু খঙদে। ইম্ফালদা লৈবা তাববসুদ্ধ ঐগী ব্রারী শাফম ওইবিবা নহাক্তি লৈরবোযদবনিনা- ঐঙোন্দা নুংঙাইজদে। নঙদনি ঐবু ভাব তাবা ঙমদবদি... ফবে, হয়েং নঙনা খুঙ্গংগী ইমুং কয়াদা তম্লুনবা ব্রারীদি যাম্না লৈবনিনে... নঙনা মতৌ কবম্না ইকোন কোনবা প্লেন অমদা মফমসিদগী নাম্থোবকপা, অমবোমদনা অমুক নঙগী মরুপ, মগুন লৈববা, মমিং চৎলবা পিতবদি মানা ঙাল্লিবা মফমদুদা করমতৌনা শিতৌবা হাযবনচিংবা...।"

"কবি হায়বা...।"

"এ: ঐগী ব্রাসি, ঐখোয় অনীগা পক্লদবা, নুংঙাইতবা ওইনা থোক্লে। মশিগী মহত্তা ফ্রাঙ্ক হাবিস অমসুং ওস্কার ব্রাইলদ্‌গী ব্রারীনা হেন্না ফরনি। মসি নত্তবদা, ঐবু রাইফল অমা পায়হন্নীংব্রা অদুগা মরু রাউন্দ ময়ামদু অমফাও খাক্তনা পূমলোয় লোইনা কাপহন্নীংব্রা ?"

"মদুনা অমুক্কা হেন্না পক্লদ্রে।"

"হোয়নে, মঙোন্দবুদি শোয়দনা তমগনি ঐ।" ঐনা হায়।

"ফরে, ঐ রাইফল পায়হৌরগে... নঙ কাউদি কাউবিনুকো, মীপুম খুদিংদা তম্বীবা... ঐনা করম তৌনা লানফমদা শিহৌবা হায়বদু... মরুওইননে নঙগী য়োকচবী নচানুপী'দুদা।"

মী অশোক-অপন কয়া লেপ্লা লৈতনা মথঙ-মথঙ পুশিল্লকপনা মবম ওইদুনা, ঐনা লৈবিবা কা অদুসু হাঙহন্দবা যাবক্তবনীনা ঐবু এবোপ্লেন্দা পুথোকপিবগী তানজা অদুদি মশানা অদুম লাক্লে, অকবা মতাঙ অমা ওইখিদ্রে। অমরোমদনা, নুমিৎ তবানিগী মতুংদা হৌবকপা ইশাগী দাইসেন্ত্রি (ইতোল) অদুসু ঐনা চাশীনবা হিদাকশিংনা লাকশীনখ্রে। ঐঙোন্দা লৈরিবা অৱাবা হায়ববু প্লাসতবনা যোমশীন্দুনা লৈখ্রবা ঐগী পাম্বোম অসিতা মঙাম্ববে। এরোপ্লেন মনুং অদুদা অতোপ্পা স্ত্রেটচর অমা থম্বা চন্নবা হায়দুনা ঐবুদি মখোয়না লেপহল্লে। মতম অদুদা ঐবু দিল্লি য়ৌনা পুবীনবা, শীল লাঙলিবা ওফিসবশিংদুদা ঐনা হায়জবা য়াবা ৱাফমগী তানজা লৈখিদে। মখোযনা হাযবদা, কলকটা হেক য়ৌবগা মফম অদুগী হোসপিতাল অমদা ঐবু থমজিল্লুগনি- অসিনি, অমসুং য়ামদ্রবদা থা অমগী মতমদি তঙাইফদনা ঐ হীপ্পুবা তাবনি হায়না। মতাঙ অদুদা ঐনা খনজে- কমদৌনি, থোক্লবা অমা লাকপা হায়বদুনি, কনানা খঙগনি হায়রীবসিদগী মথক মখা ওন্থোকপা যাবা তানজা অমা ফংবসু...।

ৱাখল অসি খন্না-খন্না প্লেন মনুংদুদা লৈরিঙৈদা, শিতরসু ঐবু বিদাই পীবা লাকলম্মী এয়ারফিল্‌দ অদুদা। ঐবু উবদা নোক্তুনা হায়রকই :- "লাল অসিদা ঐ, করিসু অশোয়-অঙাম থোক্লোয় হায়বা ৱাখল অমা ফজনা খল্লে। নঙসু খল্লিনিদা... ?"

ঐনা মঙোন্দা অমুক হংজীল্লি :- "নঙ সেব্বীগী ওইনদি করি করি খল্লী ?"

"মাগীদি নঙোন্দা খন্ননবা শিন্নপ্পবনি ঐনা... হোয়, মাগীসু পুন্নমক অফবা ওইসনু।"

"হোয়, মদুমক ওইরমসনু, সেন্বীবু করম হায়না খনবগে হায়বদুদি ঐঙোন্দা হায়দোক্তেকো নঙনা...।"

"মাবুদি, ঐনা হেক উরকপা নুপীশিংদগী খ্বাইদগী ফজবী অমনি।"

"মদুমদি ঐগী ব্রাখলগা মান্নরে।"

"ঐবু হায়হন্নীংলিবসি মশি নৎত্রো ?"

"হোয়নে ইবুঙো।"

"অদুননে ঐনা হায়রীসে...।"

"হোয়দা, নঙবুদি, হায়দোকপগা নপুক্লিংগা খেন্নদবনিদা।"

"ঐদি অচুম্বদুতা হায়বনি, অর্থসু য়াম' লৈবা... নঙগা কায়নরমদাই মতমসিদা হায়হৌরিবনি। তুংদা নঙনা কনাগুম্বগী মফমদা ব্রারী শানিংলক্লবসু মসি হেক্ত নীংশিংউ... কপকে হায়রসু কপউ।"

"মদুনা অতোপ্পা ব্রানি... নঙদ কপকনু।"

"ঐবুদি কৈদৌনা কপতৌরীবা... নুংশিনবসু লৈতে, কনামত্তগসু নুংশিনদ্রি... নঙনা খঙলীদু মঙাই।

"ঐ লাক্লে, অদুবু নঙ নুংদি নুংশিনরুরেদা... নঙনা ইবা লাইরিক্কী পরেং কয়াদা য়াওই হায়বা।"

"ফ্রান্স তা মচেং খরদি খঙউরে... কপ্পা য়াবগী থাক অদুফাওবদি ওইখিদে।"

"ঐদি, ঐখোয় অনী কায়নরমদাই মতম য়ৌরকপসিদা কপনীংলক্লে... বিদাই হায়নরসি ঐখোয় অনী।"

"ফরে, বিদাই...।"

"ঐ অমুক হল্লকখিনি... অনাবগী ছুতি সি হেক লোইখবগা মখোয়দা অমুক থাবীরক্লবা হায়জনী।"

"মতম অদুদদি, নঙনা তৌগদবা অব্রাবা থবক পুম্নমক্কী ঐনা হায়া

লোইশিল্লনি... নওনা লাক-তারসু নোংজু মতমদা পোখাবা লাকপা তারেদনা...।”

মতম অদু, অয়ূক্কী পূং তরেৎ তারে। এরোপ্লেন অদু পাইখৎলক্লে, ইম্ফালগী নোংথক অসিদা অমুক্তং কোয়রল্লগা নোংচুপ পাংনা মমায় ওল্লক্লে। মখাদা য়েংথখিবদা মণিপুর তম্পাক অসি ফজনা উই, চীংমচা কয়ানা মবক মবক্তা লৈবা অচৌবা পাত অমগী মতৌগুম। য়েংথবদুদা পূক্লিংদা ফাওবকই-ইম্ফালদগী মাইল তবানিথোইফাওবা লাপ্তুনা লৈরিবা চীং কয়া অসিদা জাপানীজ লানমী শঙ্গু শঙ্গু লৈবিবনি হায়বা। মখোয়না ভারত্তা চণ্ডশীল্লক্লিবসি কয়াদা ইকাযবা খণ্ডবগী থবক্লো। বর্ম্মাদা লৈহৌবা মখোযগী থোং পূম্নমকসু ঐখোয়না থুগাইদুনা মাণ্ডহল্লম্লবনি, পোৎ-চৈ থম্ফম গোদাউন-কযা, এবোপ্লেন কযাসু মাণ্ড তাকহল্লম্লবনি, মী কয়াসু হাৎলম্লবনি। মখোয় লৈ-না লৈ-না মফম অদুগী জঙ্গলদা ঐখোয়গী এরোপ্লেন পাইথফম অনীদগী হেন্না শেমলম্লে। অদুফাওবদা মখোয়না খুদোংথীববা চীংলক, চীংলোন কয়াসি ফাওদোক্লুনা ঐখোয়গী লৈফমদা কোয়শীল্লরী... হৌজিক্তি মখোয় নোংজু অসিগী মমাণ্ডদা হন্দোক্লুনা চৎথীবসু ওন্নরোই। ঐখোয়দি, তশেংনা হায়ববদা থবক কয়া অসি লোইবগা, হন্দোক্লুনা চৎথীনি হায়বদা কবিসু চিংনবা লৈতে। চীংশাণ্ড পরেংশিং অসিদগী মখোয়বুদি মরুফুক্লা বর্ম্মা ৱাংমফাওবা তানথোকখিগনি, অদুবু হায়বা ণ্ডমদে কয়াম কুইনা অমুক মতম চণ্ডগদৌবিবা...। ঐখোযনা শোক্লবক্লিবা লাল অসি চহি মবীমখাযবোম ফারক্লে.. হায়বীবা মতম অসিগী শকক তংখায় অমবোম চৎথগদবা ৱাংলীব্রা খণ্ডদে। ঐনা খনজখিবা অমদি লৈ মতম অমদা, মদুদি ঐখোয়না লাল অসিদগী নানথোকহৌদুনা নুংঙাইনা পুন্সি অসি হিংবা হায়না, মরমদি লাল অসিনা পুন্সিগী শরুক খরা লৌথোকপ্লবদি পুন্সি অসিদা মপূংফানা পুন্সি অমা লৈহৌররোইদবগুম্না ... ৱাখল অদুগী ওন্নবদা হৌজিক্তি হায়বা য়াবে, ওইরক্লিবা লাল অসিনা ঐগী ইফমদা, হান্না খণ্ডলনদবা ৱাখল শকওং কয়াগী মরাণ্ডকায়রবা মথেল অমা ঐগী ইফমদা খণ্ডহল-উহল্লরে, অমসুং ঐনা স্কুল তম্লিণ্ডেদা খণ্ডথী উখিবা কয়া অদুদগী হৌজিক্লা অমুক হেনকৎনা খণ্ডহল্লে। হৌজিক্তি ঐগী পূক্লিং ৱাখল অসে পাক চাওথোক্লা মওংতানা শেম্বীরে। পৃথিবী পূম্বসি হৌজিক্তি, শান্তি লৈনা

হিংগনি খনবদা অরুবনি। খবর কয়াগী অহানবা লামায় পূম্নমকতা সরকার কয়াগী পাউ-না থল্লে। মরুপ-মপাঙ অমত্তসু সিফায় ওইদবা লৈত্রে। অনানবা, অপাবা শামতুগী হোপ হোপ লাওবা ফিজোল শেৎলগা মীচম ওইনা, কনাগুম্বা অমনা বস তোংদুনা নত্তগা লৈনুংগী বেল লম্বীদা চম্না কোয়নবা অদু ফংদ্রে, অভোন তুরেলদা হি তোংদুনা শান্নবা, লমঙানুগী অমোনবা মতু হানবা ফমুংদা হীপ্লগা, নাকলগী অনানবা তেবল অমদা পানিংবা লাইরিক অমা থম্বদু অমুক খল্লুবা যাদ্রে। পূক্লিং অসিনা অদুগুম্বা পুন্সি অদুদা অমুক হল্লুবা পান্নকলবদি, হৌজিক ওইবিবা ঐগী পুন্সি অসিগী মাযকৈদা অমুক মিৎয়েং থন্নকপদা চপচানা অরুবা মবাবগী মশক ওইবগদবা নৎত্রা ? পূম্নমক অসি মযেক লানা ঐগী পূক্লিংদা মমি তাননবা অমসুং তুংগী পুন্সিনা নীংশিংলকপদা হেন্না মযেক শেংননবা, স্ক্রেটচবশিংদা হীপ্লিবা অশোকপর্শিং অদুদা ঐগী পূক্লিং লূপশিন্না য়েংখি। অমরোমদা অমুকসু, প্লাসতবনা লূম-লূম লাওনা ফাজিন্দুনা লৈববা ঐগী পাম্বোম'সিগী মবমদসু অমুক্তা হেন্না চিংনবা মিপাইবসু পোকলকই। অমুকসু কল্লী. মতুংদা ঐগী খূৎ অসি কবি ওইগদগে হায়বদুগী বাখল অদু মশেল মথাংনবসু, থোক্লিবা দশা অসিদগী নাম্থোক্তুনা চেনবদি যাদ্রবনি... পুন্সিসে অশুন্না অশুম মিকুপ খুদিং চৎশ্রগদবনি। ঐখোয় নুংঙাইবী হাযদুনা মতমবু ঐখোযনা ফাজীন্দুনা থম্বা ঙম্বসু নত্তে, অব্বাবা খাঙলী হায়দুনসু মতমবু থুনমক চৎখ্রো হাযবা যাবসু নত্তে। ঐগী মকপ পিতবনা হাযখীবদু নীংশিংলকই :- "ঐদি কপ্পা তাববদি হেক্তা কপর্কনি, মদুসু পুন্সিগী শরুক অমনি।"

অমুক পূং তবা তাবকপদা, প্লেন-অদু কলকটা য়ৌরে। এবোপ্লেন অদুনা এযাবফিলদুদগী লৈশীল্লক্তুনা, খাম্ফম অহাঙবা মফম (তারমাক) অদুদা চঙশীল্লকপগা হোসপিতালদগী থাবকপা এম্বুলেন্স গাড়ী অনী প্লেনগী নাকল অনীমক্তা থৌজীল্লক্তুনা খাম্মবে। প্লেনগী থোঙ হাংদোকপগা, পাউখোল্লোই (ওর্দবলি) শিংদুনা স্ক্রেটচরশিংদু মপান্দা পুথোক্লরমই। ওর্দরলি অমনা ঐঙোন্দা হায় :- "সার -দি 'সুম চৎপা য়াগদ্রা ?"

"য়ানি। ঐনা খুমই । করম্বা এম্বুলেন্স গারিদনো ?"

"অহানবগীসিদনি, মফম লৈনী।"

মাঙথাবা, অহানবগী এম্বুলেন্স অদুদা ঐহাক চঙশীল্লে। গাড়ি মনুংদুদা মিনিট খরদি, মখোয়না স্ত্রেটচরশিংদু পুশিল্লিঙেদা কোয়েং য়েংনা লেপ্তুনা লৈরে।

ওর্দরলি অদুদা ঐনা হংই :- "মশিগী এম্বুলেন্স অসিদা নংত্রো ?"

"মানি সার।" মানা খুমই।

ওর্দরলি অদুনা এয়ারক্রাফট অদুদা অমুকহল্লা চংখিদ্রিবফাওবা ঐ ঙাইদুনা লৈরগা মহাক্কা চংগ্রবা কান্দা কুমথদুনা লাক্লে। হল্লা অমুক য়েংলমদনা, এয়ারপোর্টকী শীল লাঙলিবা মফম (কন্ত্রোল টাবার) অদু কাখৎলকুনা মনুংদা চঙলে। দেস্ক অমগী মনাক্তা অবাদ্রোন শীদর অমা ফমলমই।

"হৌজিক দিল্লিদা পাইংগদবা করিগুম্বা এয়ারক্রাফট কা লৈবীব্রা ?" ঐনা হংলমই।

ঐগী ওক্তগী ফি মচেং অমদা য়াল্লিবা, গ্লাসতর য়োমশিল্লবা খুৎ অদু য়েংলগা মানা হায়রকই। "মতম পুম্নমক্তা প্লেন খরবুদি অদুম চংপনিদা...।"

"ঐ চংখিবা পামজবনি।"

"পাইবগী বুক তৌহৌদ্রবরা ?"

"তৌজহৌদ্রে। ঐনা খুম্মী। হৌজিক্তা ঐ, ইম্ফালদগী লাকচবনি।"

"ফরে, য়ানবা শীনবা তারে। মানা হায়রকই।

তংখীগদবা মানবা নখুৎ অশোকপদু থরাক-থরাক য়াল্লগা ত্রেন্দা চংখীবদি নঙ পামদেনে ?" মানা ফাগী তৌরকই।

কন্ত্রোল টাবার অদুগী মপাল্লোমদা য়েংথোকপদা ঙসাইগী অহানবা এম্বুলেন্স অদু তারমাক অদুদগী থৌখিবা উই। মিনিট অমরোমগী মতুংদা অনীশুবদুসু মতুং ইল্লা চংল্লে।

ঐনা এম্বুলেন্স গাড়ী অদুদগী লৈহৌবা, মাঙহৌবা অদু মখোয় করিসু খঙবীদবা মাল্লি। ঐগী লায়েংবগী চে- চাং-সু অতোল্লা মখোয় অনাবশিং অদুগীগা পুল্লা য়াওগ্রবনী। ঙাইহাক লৈরগদি, ঐহাক লৈহৌরে হায়বসি মখোয় খঙলক্কনী,

মখোয়না ঐবু নীংশিংলকপা মতমদদি ঐ দিল্লিদা লৈরনি... সেব্বীগী মনাক্তা। মহাকপু হেক উনবা ফংবগা, ঐঙোন্দা থোকপ্রবা অদুক য়াম্বা থৌদোকশিংদু অমুক হন্না ঐ করিসু থৌশাররোই।

"হৌজিক পূং অমগী মনুংদা প্লেন অমদি চৎলনি।" স্কবাড্রোন লীদর অদুনা হায়রকই।

"ঐ মদুদা চৎখীবা য়ারনিকো ?" লাংতক্লনা খঙনীংবগা লোয়ননা হংখি।

"নমশীনখিবা তারেদনা নঙবু।"

ঐ, এয়ারপোর্ত মনুংদুদা লৈরম্বা কানত্তিন অমদা চঙলগা চম্প্রা মহি অমা লৈদুনা থক্লে, চুরুট উপু অমসু লৈশীল্লে। মতম অদুদা কলকটাগী হৱা-নুংশিংত্তি অকীবা ফংনা ওমচাক্লে। প্লাসতরনা থা-না য়োমশীন্দুনা লৈপ্লবা পাম্বোম অদুসু শামনবনা মনুংদা পোমখৎলমানে খল্লী। য়োমশিন্দনা মপান্দা লৈবা খূৎকি মতোল অসিসু মৈ হৌবমখৈ শারমই। খাঙবা ঙমদদুনা অঙৈংবা ঊশিং খরা খূৎ মথক্তুদা হৈজীল্লবসু, কংখিবগা হেন্নদুম শাগৎলি। পাংখা অমগী মথাদা চঙশীন্দুনা অমুক লৈরুরে, মদুসু-থুনমক তুমনীংবগী মওং লাকপদগী মপান্দা অমুক থোরকলমই। ইম্ফাল হোসপিতালদগী শেৎহল্লকপা লানগী ফিজেৎ অদুদা য়াওবা জাকেট অদুসু হমাংনা পূমচোৎ চোৎলে। শেৎলীবা চোরফোন মচুগী খোংগ্রাও অদুদি য়াম্না চাউই, লাও-সু য়াম্না লাওই। কনট্রোল রুম অদুদা অমুক চঙশীল্লুবদা স্কবাড্রোন লীদর অদুনা হায়বকই :- "এয়ারক্রাফট অদু পম্বং অমমখায় রোমদি থেঙবা তারে।"

"পূং কয়া তারকপদা দিল্লি য়ৌগনি ?" ঐনা হংলমই।

"পূং তরুক্তা।"

"অদুদগীদি থেঙথররোয়কো ?"

"তরেৎসু য়ৌবা য়াই, করিনো, নঙ খরা থুরব্রা ?"

"নত্তেদা... সুম খনবগী বানী।"

পূং অহুমগা মিনিট তবামঙা ঙাইরক্লবা মতুংদা ঐবু এয়ারক্রাফট মনুংদুদা চঙহল্লক্লে। ইথকথোংবা ওফিসব খবা চঙশীল্লকপদা ঐ তুং হন্দোক্লা লেপ্লিঙৈ, ব্রীগেদিয়াব অমনা ঐগী ওইথংবা পাম্বোমদা তাপ পায়শীল্লগা হায়রকই "নঙগী নতুং থংগেসে- ইবুঙো পাখং, চঙশীল্লু।" ঐ পাখংলী, ফম্ফম অহাঙবা লৈবল্লবোইদ্রা হায়না, অদুবু পূম্নমক ফম্নশ্রবা তুংদা অহাঙবা মফম অমা লৈবদুনা ঐসু চঙশীন্দুনা ফম্লে। এবোপ্লেন অদু নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা পাইখৎলক্লে। ঐগী ব্রাখলদা, অমুক হন্না নোংথক্তা এবোপ্লেন তোংদুনা নানথোবকপা অদুদি থোইদোক হেন্দোক্লা নুংঙাইবগী মশক্তী। ঐনা চেল্লক্লিবা লমজেল অসিগীদি হন্দক্কি অসিনা অকোনবা শকক হাযবদু ওইবে, অমসুং পম্বুং অদু হেক য়ৌবগা ঐগী সেব্বী-গা উনবা ফংগদৌবিবনী। বঙ্গাল অমদি বীহাবগী মথক্তা পাইবক্লগা যমুনা তুবেলগী মথক্তা লিশাংশিংনা চুমদ্রিং পূং খবা পাইবক্লবা মতুংদা কনানো অমনা ঐগী নাকোংদা হাযবকপা তাখী "মপান্দা য়েংথোক্লবদি, নঙ তাজমহল উবনি।" মখাদা য়েংথকববদা উবে, অকঙবা লমদমগী শকক অমদা লৈবিবা আগ্রাগী অমনবা সহব, লোযননা চিপক- চিপক্লা পুল্লপ পুল্লপ লৈবিবা য়ুমথক কয়াগী শক্তম...। খবা লাপথোক্লা, ঙাংলপ তৌনা চেল্লীবা তুবেলগী মপাল অদুদা তাজমহলনা লেপ্লী... শামুমযানা শাবা অপীকপা দালান মচা অমগুম... মুন্না য়েংবদা খবা ভৌশিন্না লংনা উবগুম তৌই, কুইখিদ্রিবা নোং অমনা হৌজিক্তা চামথোকখিবগুম...। নুংশাগী মঙালদা, য়াম্লসু লাগ্না মহাকপু ইনৌ-নৌনা উবদি অঙকপা মখল অমগুম থোকই। ঐনা মাবু খনজবদি থাবলগী মঙাল খক্তদনি... সেব্বীগা ঐখোয় অনী, মাগী মখোঙগী অশঙবা নাপী মথক্তুদা ফম্লগা য়েংমিন্নখীবা, ঐগী নীংশিংবগা তাজ মহাক্তা লৈনবা মবীদি মিকুপ খবদুখক্তনি, অতৈ কনানা নীংশিংদ্রবসু মিকুপ খবদুদি ঐগী পুল্লিদা য়াওপ্রবনি...। অমুকসু খল্লকই– য়েংথবদা উরিবা, লৈতেংগী ওইনা শাবগা খিন্দুনা থম্না মানবা তাজমহল মচা অসিদি ঐখোয়গী নীংশিংবগা করিসু মরী লৈনদ্রে। তাজমহল হায়বা মহাক্তি, নিংথৌরেল শাহজাহান্না মাগী রানিগী মোংফমদা শারম্বা মমিং চৎলবা দালান অমনি। মহাক্তি,পূংদা হৌজিক মাইল চনি য়াঙনা পাইরকপা

প্লেন্দা তোংলিবা মীওইশিংগী মরক্তা অমনা অমদা খুদোম্নী থিন্দুনা "তু-আদ্দগীসে" হায়না তাক্লনবগী পোৎশক ওইনতা লৈহৌরবনী...। অশুম্না ঐসু মাবু অমুক থোইনা থৌশাবা তৌরুদনা, ঐগী ফম্ফমদুদা ফমথরে অদুগা অকোনবগী ওইনা প্লেন অদু নেমথরক্লগা লৈমাইদা চেল্লকপা মতমদু ঙাইদুনা লৈরে।

নুমিদাংবাইরম পূং তরুক খরা হেল্লকপা মতমদা, প্লেন অদু দিল্লিগী য়ীলিংদন এয়ারপোর্ত তা তারমই। প্লেন্দগী কুমথরকপগা ঐদি, মপানগী সড়ক অদু তান্না পরপ-পরপ থোরক্লে, লৈরম্বা শগোল গাড়ী অমা খুদক্তা ফারে, অদুগা গাড়ীনুপা অদুদা সেব্বীনা লৈবা হোতেলগী মমিং তাক্লগা মাগী শগোল গাড়ি অদু তোংদুনা লাক্লে। অনৌবা দিল্লি সহরগী লম্বী নাকন নাকন্দা লৈবা য়ূম দুকান্নচিংবা ময়াম অদগী মরক্তা লমশাঙ অদু থৌরকপদি ঙাইহাক কুইনা চঙই। মথঙদা হান্নগী অরীবা সহর অদু য়ৌরক্লে। অশাবা নুংশিংনা ঐগী মায়-মিংতা হুমজিল্লকই, চীম্বাল থৌনাও অনীমক খ্রক-খ্রক কংশিল্লকই। লম্বী ময়াদা লৈবা কৈথেলগী মনমদুদি, ঐনসু হান্না খঙলবা, হৈনদবা মনমদুনি... হয়িংগী শঙ্গুনা মফম অয়াম্বদা চবুল চবুল ওমদুনা লৈ। শগোলগী ঙকশমদা য়াল্লিবা শরীঙ্গী গ্রিং গ্রিং লাওবা মখোলনা গাড়ী অদুগী খোঙজেলগা লোয়ননা তারী। লম্বী ফত্তবনিনা গাড়ী অদুসু য়াম্না চোংই, ঐ হুমাংসু য়াম্না শৌবে, য়াম্নসু মোংলে ইশাপুম্বা... সেব্বী গী হোতেল অদুতবু য়ৌরবদি হায়না খনখী। মফম অদু য়ৌব লৈতনা পঙচৎত চৎলমানে হায়নসু খল্লী। লম্বীদা সাইকল তোংবা, খোঙনা চৎপা মীওই কয়া থৈনবদা শগোল অদু ঙাইহাক ঙাইহাকসু লেপ্লে। ঐগী প্লাস্তরনা য়োমশীল্লবা অশোকপা পাম্বোম অদুদগী অনাবা অমসু ফাওরক্লমই, প্লাস্তর অদুসু খবা চেকখায়রকপগুম তৌরম্মী। ককথৎনবা পোৎ য়াওরবদি, খুদক্কুদা শেংতোক্কুনা লৌথোকনিংই। অমরোমদা ঈশ্বরবু খুরুমজে-"চানবিদুনা সেব্বীবু মাগী হোতেল অদুদা লৈহনবীরম্মু, মফম অদুদা ঐবু মহাক্তা উনহনবীয়ু, মদুগীদমক্তা ঐনা ঙমজবা কচ্চগনি...।"

মমৈথঙদা হোতেল অদু য়ৌরকপা মতমদদি, গাড়ীবালা অদুদা পীনবা পয়শা অমত্তা ঐগী ফূরিংখাওদা য়াওদ্রে হায়বা খঙলক্লে। ঐনা ইম্ফালদগী

লাক্লমদাইদা, পিতরনা ঐঙোন্দা লুপা অমা পীরকপনি, মতম অদুদা মাগী য়াওজবা শেলসু মদনী। মদুসু ঐনা কলকটাদা চুরুট লৈথোক্লম্রে, চন্দ্রা মহি অমসু থকখ্রে। উপাই লৈত্রবনিনা, গাড়ীবালা অদু ঙাইরমখো হায়রগা হোতেল অদুদা চঙশীল্লক্লে। সেব্বীনা লৈবা কা অদু য়ৌরগা, থিংদুনা লৈরম্বা থোঙ অদু কাক-কাক যৈরগা ঙাইহাক তাদুনা লৈ। কা অদু য়ৌনবা মখাদগী থাক কয়াদু কাবকপনে... ঐগী মিহুল অসি দং-দং চোংলম্মী... মনুংদগী খোঞ্জেল অমত্তসু তারমদে, ঐ ইশাগী শোর হোল্লিবদু নত্তনা...। ঙৌ অসি যৌগংননা ঙাইহাক ঙাইরবা তুংদা, থোঙগী খুৎপায়ফম অদু লৈথোক্লুনা য়েংবদা শো লোল্লী হায়বা খঙলক্লমই।

ঐ মখাদা অমুক কুমথরক্লে, চাকচাফম অমসুং অতে অহাঙবা কাশিংদু ফাওরগা লাকপদা, থেংনরকপা মীওইশিংনা ঐঙোন্দা ঙক্লা য়েংলকখী। মশানা ঙকফম থোকই, প্লাস্তর য়োন্নীবা ঐগী খুৎ অমদি মচু তারম্লরোইদবা ঐগী শকওং অদু উবদা। ঐসু মখোয়দা য়েংই, মখোয়গী মরক্তসু য়েংই... ঐগী সেব্বী উবা ফংদ্রবনিনা। মথক্তসু কাখৎলুরে, মফম অদুদসু লৈরমদ্রে। মখাদা কুমথরগা, মী লাকথোক লাকশিনগী ইথোক-ইশিন তৌরিবা নুপা অদুগী মনাক্তা চঙলক্লে।

"মিস বৈ... ?" ঐনা হংই।

"হোয় খঙজে সার!" ঐগী ইতেঙ পাংনিঙনা, মকোক হাইরপ তৌনা, ঐবু য়েংনা খুম্লকই।

"অদু... মহাক 'সিদ লৈব্রা ?"

"হোয়, সিদ লৈ সার!"

"কদায়দা ?"

"ঙাইহাক্তং ঙাইবীখো, ঐ অমুক্তা য়েংজগে...।" মাগী রিজিস্তর অদু ফর-ফর হাইগত্তুনা কাকই।

"ঐ মাগী রুম নম্বরদি খঙই, ঐনা হায়। মা হৌজিক কদায়দা লৈ হায়বা খঙব্রা ?"

"সার, ঐ হায়জগে।" মাগী খুদোঙ্গীনা লামাইশিংদু হাইদোক্লুনা য়েংলি। অমুক হায়রকই :-

"মিস বৈগী রুম নম্বর কুপ্লাতরেৎ নি সার।"

"ঐ মদু খঙই, অদুবু মহাক হৌজিক কদায়দা লৈবগে হায়বা ?"

"রুম নম্বর কুপ্লাতরেৎ দা অমুক্তা য়েংবিয়ু।"

"য়েংউরে... অদুবু মহাক অদুদা লৈতে হায়বা..., মপান্দগা চৎখিবা উহৌব্রা... নঙনা ?"

"উহৌই... সার।"

"করম্বা মতমদা ?"

"ঐ ভাব তাব ঙমদ্রে, সারনা হায়বীরিবসি...।"

"মিস বৈ... খঙইদনা... ? ঐনা হায়। ঙসি মহাক হোটেলদগী মপান্দা চৎখীবা নঙ উহৌব্রা... হায়বা।"

"মদুদি খঙহৌদ্রে সার।"

"মহাকপুদি মশক খঙব্রা ?"

"মা-রুম নম্বর কুপ্লাতরেৎতা লৈবনি।"

"ওস্তোকপনিদকো...! নখোয়গী মেনেজর নুপীদু কৌরকউ।" ঐনা শাওরপ্লা মঙোন্দা হায়খী।

মহাক ফম্ফমদুদগী হৌগত্তুনা মাগী কাদগী হোল মনুংদা চঙশীনখ্রগা, হোটেল'দুগী পাউখোল্লোই নুপা অমগা ইপা-পাখৎননা কনাগুম্বা অমা খুদোংথীবা থোকপগী মওংদা ৱারী শানরুবদু ঐসু উরমই। মখোয় অনী, করি হায়নরিবনো খঙদনা শাংথনা 'সুম ঙাঙনবদুদা, ঐহাক চঙশীল্লগা মরক থৎনা হায়রুই :- "নখোয়গী মেনেজর নুপী, মেম সাহিব অদুবুনি, মহাকপু 'সিদ অমুক্তা কৌবীরকউ।"

"ফগনি সাহেব!" হায়রল্লগা পাউখোল্লোই অদু থুনা য়াঙনা চৎখ্রে।

য়ুম্বী মখোঙ পরেং অমা মথঙ মথঙ লাপ্না মান্নবা লৈরিবা মাঙ্গোল অশাঙবদুদা ঐ ঙাইহাক ঙাইদুনা লৈখি। মতমদু য়াচঙলক্লে, লোয়নবা মফম অদুগী ওইরিবা হবা-নুংশিংকী ফীভমনা ঐগী হকচাঙদা নুংঙাইহন্দবা পী। দিল্লিগী লম অসে ঐদি শুকহে হৈনদবনি। মতম পুম্নমক্তা মফম অসি, অহীংবা মীগী লম মান্দবনি, ঐদি মফম অসিদা লাকপা খুদিংগী অকীবা পোকই। দিল্লিনা লৈরিবসি, ফজবা মফম নত্তবা, অকঙবা লমদম অমগী ময়ায়দনি, অতে লৈতেম মান্নবা মফমদগী মশিনা করিসু হেন্না লৈবদা নুংঙাইবা মফম নত্তে। মিকুপ অসিদনা অমুক হেন্নকই, ঐ লম অসিবু পাল্লক্তবা... হৈনরক্তবা...। ঐনা সেব্বী-বু উনববা মতুংদা, শোয়দনমক মহাকপু, নোংজু নুংশা নুংঙাইরবা, উ-রা মরাঙকায়না হৌরবা, লৈ-শু মপৃংফানা শাংলবা মফম অমদা পুদুনা চংখীগনি। মঙোন্দা ওইরম্বা য়াবা ওইজসনু, ঐখোয় অনীদি মফম অসি থাদোক্তুনা চংকনি... মফম অসিদদি মহাকসু পক্লববোই, খুইথবক্লগা কংশিল্লক্কদবা লৈরাং ওইনা থোক্লনি।

অসি খল্লিঙৈদা পাউখোল্লোই নুপা অদু হল্লক্লে। ক্লার্ক নুপা অদুদা করি-কবিনো রাফম খরা পবপ পবপ ঙাঙদুনা পাউ তল্লে। ঐনা চঙশীন্দুনা হংই :- “কৈদৌরবা ?”

“মেনেজর নুপী অদুসু চংথোকখিমানে-সার।” ক্লার্ক অদুনা হায়বকই।

“তেলিফোনদি লৈব্রা নখোয়গী ?”

“ ’সিদ লৈবে সাব, তৌবিবা য়ানি।”

থুনমক ফোন দিরেক্তোরি অদুদা নিয়ু দিল্লি ব্রোদকাস্তিং স্তেসনগী নম্বর থিবদা ফংলে। খুদক্তা দায়েল তৌই, নিং-নিং লাওনা ঙাইহাক মখোল অমা তারম্বদগী হৈনীংদবা মানবা খোঞ্জেল অমনা খুম্নকই :- “হেলো।”

“মসি ব্রোদকাস্তিং স্তেসন্দগীরা” ঐনা হংই।

“মসি হায়ববু করিনো ?”

“ব্রোদকাস্তিং স্তেসন নত্ত্রগা রায়রলেস স্তেসন...।”

"নত্তে, ব্রোদকাস্তিং স্তেসন নত্তে।"

ফোন অদু অমুক থম্মী, হন্না অমুক দায়েল তৌই হন্দকমুকসু হান্নগী খোঞ্জেল অদুমক্তা খরগা অমুক শক তাখৎনা খুন্নকই। ঐসু রিসিভর অদু করিমত্তা হায়দনা গ্রাক থমজিল্লগা হোটেলগী হাঙনা লৈবা ফম্ফম কা অদু তান্না লাক্লমই। ঐনা হান্নসু হাইরপ খঙনখিবা ব্রিগেদিয়ার অহল অমা, ইল্লুস্ত্রেতিদ লন্দন নিউজগী অমনবা কোপি অমা পারদুনা কা অদুদা লৈরম্বা থেংনরুরে। মঙোন্দা ঐনা হায়জে :- "সার, ঐ করিগুম্বা অমত্তা..., মফম অসিদা লৈবী, মিস বৈ কৌবী ঐগী মরুপ অমা উনজনীংবনি ঐ, মহাকপু কদায়দা ফংগদবনো খঙবীব্রা... ?"

ঐগী ম্বাহৈশিংদু তাবদা, মাগী আনোক মথক্কুদগী ঐঙোন্দা মুন্না যেংলকখী ব্রিগেদিয়ার অদুনা।

"নঙবু কনানো ?" মানা হংলকই।

ঐনা ঙাইহাক্তুং খল্লী, মসি হংলগা মহাক করি কান্নবা... অদুবু নোল্লুক্তা খুমজে :- "সার, ঐগী মিং ক্লিন, ঐ লানফমদগী হল্লকপা কুইজদ্রি...।"

"অদুবুদি খঙঙেনে...।"

"ঐগী মরুপ অমবু থিজবনি.... মহাক চাইনিজনি।"

"চাইনিজ লৈশাবী অমদি, ঐসু ম্বাইদা হেক হেক উবনি, মাবু মুন্না খঙবদি নত্তে।"

"ঙসি উবীখিব্রা...?"

"কৈদৌঙৈ উখিবনো ঐবু নীংশিংদ্রেনে... নঙ, মিসিজ বেত্তরটনদা অমুক্তং হংউদো... মখোয় অনীদি খঙনবনি।" কা অদুদগী খরা লাপথোক্লগা উবা অহল ওইরপ তৌবী নুপী অমদা মানা খুদোম্বী থিন্দুনা তাকই, অদুগা মাগী মেগজিন অদুদা অমুক য়েংদুনা লৈখি।

ঐ, নুপী অদুগী মনাক্তা চঙশীল্লে, মঙোন্দা হংজখী :- "ম্বারৌবিবা য়াদে, ঙসি, ঙরাংসিবু মিস বৈ উনবীব্রা ? চানবিদুনা অমুক্তা হায়বীয়ুবা...।"

"মিস বৈ, হায়ব্রা ?... করিগীনো, হোয়... ঐ মাবুদি খঙই... অদু মাদি হোসপিতালদা লৈখিবনিকো...।"

"হোসপিতালদা হায়বা...?" ঐনা লাণ্ডতক্লনা হংখি।

"মতম খরা ওইরে, মানা হোসপিতালদা লৈরকপা...।"

"মশাদা করি অকায়বা লৈবগীনো, চানবিদুনা খরা হায়বীবা ওস্না ?"

"ঐনা খঙবদি, মাগীসি... কোক্কী ওপবেসন্নি, খঙদ্রে, করিবু ওইবগবা ... পাউ-নুং অমত্তসু তাদ্রে।"

"করম্না হোসপিতালদনো ?" ঐনা হংই।

"কিং জোর্জ হোসপিতাল... নহাকসু য়াম্না ৱারবা মাল্লীনে, ঐবু কবি নতেং পাংউ হায়বগে ?"

"য়াবে, অদোম্বু থাগঠচরী, ঐনা খুমখি।" ঐ হৌজিকমক হোসপিতাল অদু য়ৌজকগে।"

হোটেল অদুদগী মপান্দা অমুক থোরক্লে। শগোলগাডী অদুসু ঐবু ঙাইদুনা লৈবন্নি। গাড়ী অদুগী মী তোংফমগী নাকন্দা য়োৎলী খাবীবা অদুদা মখোঙ থাঙ্গৎলগা গাড়ীনুপা অদু পোখাদুনা লৈবম্মী। অমুক হন্না চৎলনি খঙবদা, মহাক ইতন তন্না গাডীদগী কৃমথবগা মাগী থাওমৈ অদু চুখৎলিঙে ঙাইহাক ঙাইনবদু ওম্বোক্লা কুইবদৌনা খল্লী, ঐগী হকচাঙসু নীকলকই। মঙোন্দা হায় :- "পবপ-পবপ তৌবো।" মহাক কাখৎলক্লে, শাজৈ থাবে, থুনা য়াঙনা শগোল অদু চেল্লক্লে। হান্নগী অরীবা সহর অদু ফাওজীল্লকপদা মৈঙাল ময়াম অমা উবমই, কদোমদগীনো লাওদ স্পিকর অমদা গ্রেং-গ্রেং লাওবা খোঞ্জেলগী নিল-খোংবসু তারম্মী। তোংগা অমা লম্বীদা থৈনবদু, লৈশাবী অমগা ওফিসব অনীগা তোংখিবা উই, হয়াও নুংঙাইনা, খরসু ঙাওরবা মাল্লী। খঙনবা-খঙনদবা, লম্বীদা ফাগি ওইনা, ৱাহে খরসু ঐঙোন্দা লাউশিল্লমই। ঐ খুন্নবসু ঙমদে, নোক্কবসু ঙমদে, মখোয়দা য়েংবতমক য়েংখি। ঐগী ইতৌদুদা মখোয়দি নোকনীংলম্বা য়াই, মমিং খারুন তৌনসু য়েংলকপনি, অদুবু ঐনা তোংলিবা

গাড়ী অদুনা মখোয়বু হেনকৎলকপদদি, পূন্নমক অমত্তা নীংশিংদ্রে। অরীবা সহর অদুদগী খরদং চৎলগা, এয়ার পোর্ত মনীংদা লৈবা অনৌবা সহর অদুদা চঙশীল্লকখি। মমৈথঙদদি, হোসপিতাল অদু য়ৌনা থৌজীনফম লগ্নী অদু য়ৌরবদা, গাড়ী অদু হোসপিতাল য়ৌনবা চঙশীল্লক্রে।

হেক য়ৌরকপগা, গাড়িদগী চোংথদুনা চেনশীল্লকই। মপানগী উকুল চেন্না শারবা নুংশিং অদুদগী, হোসপিতাল অদুগী ইহন-হন্না-ফজরবা মফম অদুদা চঙশীল্লকপদি, পূক্লিং অসিবু মফম অদুগী অঙংবা, অরূবা অদুনা শুমহৎখি। মপাল ইথঙ থংবগী অহাঙবা লৈমাই অমসুং ফক্লাঙগী শরক পূন্নমক, তাজমহলগী অদুগুম্বা অনানবা নূংঙৌগী মখল ঙাক্তনি। কা-গী চঙশীনফম থোঙজীন ময়াগী দেক্স অমদা ফমলম্বা ইন্দিয়ান মচা অমা হৌগৎলক্তুনা হায়রকই :-

"সার-বু লায়েংবীগদবরা ?"

"নত্তে, ঐ মিস-বৈ উনজনীংবনি।"

"মিস-বৈ...? মানা খুল্লকই। ফগনি, ঙাইহাক্তংদি কা অসিদা ঙাইবিয়ুকো...।"

"ঐবু মনাক্তা অমুক্তদি পুশিনবীয়ুবা।" ঐনা হায়জরমই।

"ব্রায়ৌবিনু, তঙাইফদনা ঙাইহাক্তংদি ঙাইবিবা তারে।"

অহাঙবা কা অদুদা ঐ, লেপ্পুনা ঙাইখি। অচম্বা চৌকি খরগা তেবল অমগদি কা অদুদা লৈ। লৈমায় অদুদি অনানবা নূংঙৌগীনি। অব্রাঙবা ফক্লাঙনা কোয়শীল্লিবা কা অদু ইহাঙ হাঙনা লৈ। সিলিংদা হূরু হূরু লৈরীবা পাংখা অদুগী মখাদা চঙশীন্দুনা লেপ্লুবদা, ঐগী লাইবক্কি হূমাং অদু কংশিনখিদুনা হূকচাঙদা অঙংবা ফাওরকই। চুরুট অমা লৌথোক্লে, কা অদুগী নুংশিং কন্না য়ৌদবা কাচিশ দা চঙশীল্লগা, খূৎ ওই অসিনা মৈখেৎ খেৎলগা চল্লে। চীন্দা চিংশিল্লুবা চুরুটকী মৈখুনা ঐগী লৈ অমদি ঙৌদা য়াম্না শামনবদগী, চম্লুরবা চুরুট অদু লৈমায়দা থাদগ্রে। অচাকপা মতোল অদুদি খোংউপনা নৈথৎতুনা মুখৎলে। লৈরল্লিবা চৌকি অমদা ঐ অমুক ফমথদুনা লৈ। অপাকপা, অনানবা কাগী লৈমায়দা তারিবা

চুরুট অদুদা য়েংনা খল্লকই :- ঐনা লৈমায় অসিদা চুরুট অসি হন্দোকফম থোক্তবনি, অনানবা হোসপিতালগী লৈমায়দা চুরুট থাদরগা খোঙনা নেংশীল্লিবসিসু অমোংপগী থবক্কি...। মসি লৌথোকপা তাই, কনাগুম্বনা উব্রবদি... মখোয়গী ময়ি লৈতনা নাল্লবা লৈমায় অসিবু ঐনা থৌশাদে খনব্রগনী। হোসপিতাল পুম্নমক্কি লৈমায়দি অশুম্না লূন-নান্না থম্বসি তঙায়ফদবনি, অদুবু অয়াম্বা মীনা লৈমায়দা চুরুট মতেক্লচিংবা থাদবগী হৈনবিসি লৈরিবমখেদি লৈমায়বু লূন-নান্না থম্বদা খরদি অদুম ৱাগনি। ঐনা থাদখিবা চুরুট মশাগ অদু লৌখংলুগে খন্না হৌগংকে তৌবমক্তদা... চনাং কূংনা থারবা অঙৌবা ফি-গী য়ুনিফোর্ম শেংপি নর্স অমা থোঙজীন্দুদা লেপ্তুনা ঐঙোন্দা হায়রকই :- “সোম ওইরব্রা, মিস বৈ উনবিনিংই হায়বদো ?”

“হোয়, ঐ মহাকপু উনজনীংবনি।” ঐনা খুমখি। ঐঙোন্দা লাকপা খঙহৌদবা থৌনা অমনা ঐবু চোকিদগী খংহৌ হৌগংহনখী।

“অদোম্বু, মহাক্কা হান্নদগী খঙনবা মরুপ মপাঙনীকো ?”

“য়াম্না নকশীন্নবা মরুপনি।” ঐনা খুমই।

“ঐ মঙোন্দা হায়রুখিগে, হেক্তা চঙবা য়াদ্রে।”

“করিগী য়াদ্রিবনো ?”

“উনবগী হরাওবদুনা মঙোন্দা ফরোইদবা... ঐ চঙলগা হায়রুখিগে... অদুগা ঙাইহাক্তং লৈরগা...।”

“মহাক ফয়ব্রা মংত্রা... ?” ঐ খঙনীংনা হংখি।

“নুমিৎ খরনিদি মহাক য়াম্না ৱানা খাঙলে, খুদোংথীবা ওপরেশন অমনি।”

“অদুগা হৌজিক্তি ?”

“ঐখোয়না চেকশীন্না শোন্নরী, নুমিৎ তরানি শুরে।”

“হায়বীরুরো..., ঐনা হায়জে। মাইকেলনি হায়বীয়ু।”

"ও : মাইকেল ক্লিন হায়বদুরা...? অদোমগী ব্রাকমদি মানা য়াম্না তোয়না পল্লী।" নর্স অদুনা হায়রকই।

"মঙোন্দা হায়বীয়ু, ঐ মাগী মতেঙ পাংজবা ঙম্বা য়াই, মাবুতবু উনবা ফংজরবদি...।"

নর্স অদু চঙশীনখ্রে, থোঙ অদু মতুংদগী তপ্না ইনশীল্লমই। ঐসু থোঙ অদুদা য়েংলম্বদগী, লৈমায়দা অমুক য়েংথরুবদা... ঙসাই ঐনা হন্দোকখিবা মতোন্দা মৈ চাকত্রবা চুরুট মশাঙ অদু অদুম লৈরিবদু উই। চঙশীন্দুনা খুনগংলুরে, কদায়দনো অমা হন্দোকখিনবা কোয়না য়েংবদা হন্দোকফম লৈরমদে, তাত্থী থাদফম (এস এে) গুম্বসু অমত্তা উদে, থোঙনাওসু লৈতে। খৃংনা লাম্বা ফংনা, মথক্তা হাপ্পীবা নুংশিং চঙফম ভেনতিলেটরগী য়োংচৈ মরক্তুদা ইনশীনথ্রসিরা খন্না চুরুট অদু পায়রগা লময়ায়দা লেপ্পীঙৈদা পাংখাগী নুংশিংনা ঐগী শম মরক্তা ফর-ফর 'সুম হুমলকপদা ব্রাখল অমা লাকই। ফুরিংখাওদা মৈখেং উপু য়াওরমখিনি, মদুদা নমশীনথ্রগে...। অমুকসু শাওনিংলকই, মখোয়গী মচু তাবা লৈমায় অসিনা ঐঙোন্দা করি কান্নরিবা...। অমুক হন্না চুরুট অদু লৈমায়দা হন্দোকখী, চঙশীন্দুনা, খোঙনা শুরু -শুরু নোইখায়রুই। লৈমায় অদুগীদি মদুনসু মতীক চারবনি, মহাক্তি ঐঙোন্দসু শাওনিংবা মাল্লি, মশাগী মরাল লৈতে হায়না নাপল তৌবসু মাল্লি। অশুম্না, ঐনা লেপ্পুরিবা কা মনুং অদুদি, ঐঙোন্দা পৃক্লিং হম্বহনবা, মরুপ মপাঙ ওইবীদবা কা মখল অমনি খন্না মপান্দা- থোকত্রগা অশাঙবা মাঙ্গোল অদুদা ঙাইরুরগে খল্লকপগা, ঙসাই চঙখীবা সিস্তর অদু অমুক থোরক্লে। মানা হায়রকই :-

"য়ারে, চঙবা য়ারনি।"

"মা-করি হায়রকই?"

"করিসু হায়রক্তে, মমিৎ-নদ য়েংলকই।"

"মমিৎনা...?"

"ঐনা খনবদা, নঙবু চঙহল্লকপা পামজমানে।" সিস্তর'দুনা হায়।

ঐ, কা অদুদগী চঙশীল্লকখি, অতোপ্পা কোরিদোর অমদমুক লাকই।

খোংউপ অখোংপা তোংবী সিত্তর অদুনা মাঙ থাদুনা চৎলী। মহাক্কী চনাং থাবা, অরীংবা স্মার্ট অদু, চৎপদা ফ্রুং ফ্রুং লাওবা মখোল থোকই। খঙহৌদনা, কা অমা য়ৌশিল্লকপগী খোঙজিন ময়াদা নুপা অমা লৈমায়দা ফমদুনা লৈবা উই।

মহাক অতৈ্ কনাসু নৎলমদে, বাহাদুরনি। ঐঙোল্লোমদা মুন্না য়েংলগা ফুক হৌগৎলকই, মহাক্কী মায়থোঙদা তপ্না তপ্না মোমোন নোকলকপদু উবা ফংই, অদুবু মমিত্তা অরাবগী মমি তাবিবদুসু ঐ খঙই।

মিকুপতুমক্তদা ঐনা মাবু কৌখিবনি... "বাহাদুব।"

"মাইকেল সাহেব !" হরাওনা খুন্নকই।

"ঐসু খনবনি, নঙ শোয়দনা লৈরমগনি হায়বা...।"

"মহাক্কসু মাইকেল সাহেবপু ঙাইহিরিবনি।" মানা হায়রকই।

থোঙদা য়াম্বরিবা, পয়া অপাবনা শাবা পর্দা অদু হাইদোক্লগা ঐ...কা অদুদা চঙশীল্লকই। মশাদা ফি অমত্তমক শুপ্লগা, মকোক অদুসু বেনদীজনা য়োন্নগা ঐগী সেব্বী অদু কুচু তাইবপ তৌনা মোন খাঙদুনা হীপলমই। ঐ, য়াহে অমত্তা ঙাঙথোকপা ঙমবিদে, মনাক্তা চঙশীল্লি, থৌনাও অসি করিগুম্বা অমনা ফাজীনখিবগা চপ মান্নরম্মী। মাগী মমিং অনীমক্তা নীক-নীক লাওনা লৈরবা পি-গী ঈথক অদু, খঙহৌদনা ঈপোম হৌনা চেন্থবকখী মহাক্কী খজাই নাকল অনীদা...। য়া ঙাঙথোক্নীংবা মচীন্বাল অনীমক লেঙলকই, পি-না চোৎলবা মমিং অনীদুদা মোমোন নোকচবগী মওং উৎলকই। মহাক তপ্না তপ্না কপলক্লে, মোমোন মিনোক মবক্তুদা.... লোয়নননা, মমায়গী মফম পূম্নমক শীন্না পিতনা পূমচোৎ চোৎলে। খঙহৌদনা ঐগী মায়সু মহাক্কী মমায়দা নকশীনখি। মতম অদুদদি খঙনখিদ্রে, ঐখোয় অনীগী মরক্তা চোৎনরিবা পি অদু করম্বগী পিনো হায়বদু...। পিনা চোৎলবা মায়থোঙদুদা ঐগী চীন্বালনা কোইচৎ চত্তুনা শোকখীবা, মহাক্কী খুৎশানা ঐগী নঙ্গদা চেৎনা পায়শীল্লকখিবা... ঙসিসু ময়েক শেংনা নীংশিংলি। ঐহাক অমুক ফমথখী মাগী ফমুং মচিদুদা... মহাক্কী মায়থোঙ অদু মকা লামজনা উখি মিংকী পি মরক্তুদা...।

"দার্লিং! নঙবু ময়েক শেংনা উবা ঙমদে।" মহাক্না তপ্না হায়রকই।

মমিৎ মমায় নপথোকপীনবা রুমাল অমা মাদুনা য়েংই ঐগী ফুরিংখাওদা... য়াওরমদ্রে। মাগী শূম্নীবা কিগী মচিন অমনা নপথোকপীরে, ঐগীসু নপথোক্লে ফিজিন অদুনা...।

"ঐগী সেব্বী, দার্লিং! করিনো নগুনা তৌরম্লিবসিদি... কোকয়েৎ অমসু য়েংলে, ইন্দিয়াগী পঞ্জাবী মাল্লে য়েংবদা।" ঐনা নুংশিনা, তপ্না হায়খী মঙোন্দা।

"করি থোকখ্রে নঙোন্দা ? পাম্বোম অসিনা করি তৌরবা ?"

তপ্না হংলকই মহাক্লা।

"খজিক্তং শোকখীবনি, হৌজিক্তি ফরে।"

"দার্লিং নহাক অশোক অপন ফংখ্রবনিকো... ?"

"ঐগী অশোকপা হায়ববু, মতম পুম্নমক্তা নঙগীদমক্তা খনজবা, নঙগীদমক্তা ৱাজবা অসিখক্তনি। নঙদি হান্নসু খঙখ্রবনি, ঐঙোন্দা অশুম থোকপা য়াই হায়বসি।"

"খঙই, ঐদি হান্না খঙই।"

"ঐঙোন্দা খঙহন্নম্লবদি ফগদবা...।"

"মীনা তৌবা থবক্তা অকায়বা পীবা পামজদবা, ইথক্তা খনজবনিদা, নহাকপুদি মতম পুম্নমক্তা নুংঙাইহনবা পামজবা... লোইশিনবগী ৱাখল খঞ্জবা পামদবনি ঐদি...।"

"লোইশিনবগী মতমদি লাক্লিনা...।" ঐনা হায়।

"লাকখিরোই... অদুবু, লাক্লে হায়বসু য়াই... ৱারৌবিনু.... ঐখোয় অনীগী মতম য়াম্না নুংঙাইখিবনিকো... য়াম্না ফজখিকো...।"

"ঙাইখো, মার্গারেট অমসুং জেনিফর মচিন মনাও অনীবু করিগী নঙনা পাউ খঙহন্দবনো। মখোয় অনীনা, নহাকপু চেকশীন্না শেন্নগনি হায়নসু ঐঙোন্দা ৱাশকললকপনি।"

"দার্লিং, করিসু খঙজদ্রীবা অঙাংশিংদা ঐদি য়াহনবা পামদে, নহাকপুসু য়াহনবা পামজদে... অদুবু হৌজিক্তি নঙনা ইনাক্তা লৈবরনিনা ঐ য়াম্মা নুংঙাইজরে... মরম পূম্নমক ফরকপা ওইবনি, নহাক্কী পাম্বোমসিসু ফরনী।"

"ঐগী পাম্বোম কবিসু শোক্তেদা...।" ঐনা হায়।

"দার্লিং লূকথবীরকপা য়াবোইদ্রা...?"

"ঐ যাম্মা মোৎলী।"

"ঐদি নঙনা মোৎলগা নোক্লীংবা ফি-রোল শেৎলগনা হেন্না নুংশি।"

"ঐগী ফি অতৈদি জঙ্গলদা লোইনা তৎলহৌবে।"

"জঙ্গলদা অমুকহন্না য়ৌকবেকো নঙদি...। যাম্মা য়াবকপ্রা জঙ্গলদা..?"

"য়াবক্তেদা... অদু, হৌজিক্তি জঙ্গলদা লৈত্রেদনা...

মাগী সেব্বীগী মনাক্তা লৈবে হায়বা... হৌজিক্তি নুংশিনা কির্সিং তৌবদা নঙগী অনাবা ফবনিয়ে...।"

ঐগী ওইথংবা খূৎ অসি মাগী লেংজুম মখাদা ইনশীল্লি, পিক্তক তৌবা মাগী হকচাঙ অদু ঐগী হকচাঙগা নকশীন্নে। ফোংফোং শাববা মাগী মায়থোঙদা ঐগী চীম্বালনা শোকখী... মহাক মমিৎ উইশিনখি । ঙাংলৈনবা মাগী চীম্বাল অনীদু কযাদ নুংশিনা চূপখিবা...।

"ঐগী দার্লিং! নহাক্তি হান্নগা চপ মান্নবী।" ঐনা তপ্না হায়খী। নঙগী থোৎলবা হকচাঙগী নুংশিবা লৈনমসে হৌজিকসু অদুম য়াওবী, জঙ্গলদা নীংশিংলকইদো নঙগী নুংশিবা মনমসে...।"

"ঐদি হান্নগী সেব্বী অদু নৎত্রবনি, মানা হায়রকই। কোকয়েৎ যেৎলীবসি খংঙব্রা...? ঐগী কোক্তা শম অমত্তা হৌদ্রে... শম হৌদ্রবনিনা নহাক্কী সেব্বীবু ভূক্কচবনিকো...।"

"কৈসু কায়দে, অমুক হৌরকখীনি, হন্দকমুক হৌরকপদি ফজবসু হেল্লনি।"

"দার্লিং ! শমগী মহুত্তা ঐগী নাতোন অসি য়াওদবনা ফত্রা ?"

"মদুদি অৱাবা ওইংগনি।"

"নঙনা হায়ৰীদাইনে... ঐগী নাতোনদি নোক্লীংবা মওংনি হায়না।"

"নঙোন্দা পকচবদি নঙগী নাতোন অসিনি।"

"অদু ওইৰদি... সেৰ্বীগী মমায়দি নোক্লীংবা মমায়নিকো...।"

"নত্তে, তশেংনমক ফজবা মায়থোঙনি নঙগীদি...।"

"মায়গীদমক্তা নুংশিবদি নত্তেকো... ? নোংমা হায়খিদাইনে, কনাগুম্বনদি নুংশিবা হায়বসে মায়থোঙ অদুগীদমক্তনি হায়না।"

"ঐদি নঙগী নখূৎ অসিবুসু নুংশিনা...।"

"লোইববো... মাযগ খূৎকদা... ?"

"লোইদে অতৈ পূম্নমকসুনি, ঐনা নংশিবা পূম্নমক্তগী মরম পূম্নমক শুনা নুংশিবদি নঙতনি।"

"অমুক হন্না, কনাগুম্বী অমবু মরম পূম্নমক শুনা নুংশিরবদি... ?"

"লৈররোই, নঙ নত্তনা কনাসু লৈররোই।"

"অতোপ্পী, কনাগুম্বী অমবু নুংশিরগা নুংঙাইনা লৈহৌবনা ফংত্রো ? ঐ কবিসু ৱারৌজরোই...।"

"মদু নত্তে দার্লিং। নুংঙাইনা লৈবা হায়বদুদি, ঐখোয় অনী লুহোংলবা মতমদা...।"

"নত্তে, অদুম্না হায়বীনু, মানা হায়বকই। "লুহোংবগী মরমদা ৱারী শাররোই হায়বীদুদি... ঐখোয় অনীদি লুহোংলবোইনা...।"

"ঐঙোন্দা লুহোংবসি নঙ পামদ্রা ?"

"পামজে দার্লিং করিগী পামদনি, ঐগী থম্মোয়না খনজবসু মদুনি।"

ৱারী শাদুনা লৈমিন্নবদু পুংখায় অমরোম ওইরমগনি। ডোক্তর চঙলকুনা ঐবু চংখীনবা হায়রমই। সেৰ্বীনসু হায়জবা ৱাবা ডোক্তর অদুদা হায়জখী... করিসু তাবীখিদে। ঐঙোন্দা ডোক্তর অদুনা হায়রকই :- "অমুক হন্না, অহিংগী

বিদাই, (গুদনাইত) অমা পীবা ওইনা লাক্লে হায়রবসু পুং অমগী মতুংদা লাকপা য়াই।" ঐ, মশানগী কোরিদোর অদুফাওবা ডোক্তর অদুগা থোরকমিন্নে। মঙোন্দা হংখি :-

"মহাক অসি ফরবা নংত্রা... ডোক্তর ? মাগী পাঙ্গল থৌনাদি করিসু হন্থদবা মান্নি।"

"নঙ অদুম্না খনত্রা ?" ডোক্তরনা ফোঙদোরকখী।

"মহাক শিরোইদা... মাগী পূক্লিং হকচাঙ করিসু শোন্থদে।"

"কোক মনুংদা লৈবা ব্রেনগী ওপরেসন্নি মঙোন্দা পাঙথোকত্রীবসি ...মসি মতম অয়াম্বদা মায় পাক্কনদে।" ডোক্তর অদুনা হায়রকই।

"নুমিৎ তরানিদি শুরবা নংত্রা ?"

"নঙনা করিসু খঙলোয়,... মহাক্না হায়। নঙসু থৌনা লৈনা ঙাইবা তাই। মহাক্কী য়াম্না থৌনা লৈবী নুপিনি... মাগী মতৌ তমজবা কান্ননি।"

"ঐ খঙজে। ঐনা খুম্মী। "ঐঙোন্দগীদি মানা হেন্না থৌনা লৈবনি।"

"মহাক্কসু হিংগনি হায়বসি থাজদ্রবনি মশানা... তপ্না তপ্না অসুম শোন্থরক্কদবনি, কুইরবদা চহী অনীগী মনুংদা ওইগল্লি অসিগুম্বদি।"

"হান্না খরা ঙন্না ওপরেসন অসি তৌরম্লবদি...।"

"মাগীদি, চহী অনীদুফাওবা ফাদবা য়াই, মসি খঙবদা মহাক নুংঙাইরবোই।"

"হান্নসু মহাক, অনাবা অমদি মরক মরক্তা মথন্তা খাঙজদুনা লাকই।"

"হৌখীবা চহীদা মহাক য়াম্না ৱারমগনি অনাবা খাঙবদা...।"

"ঐদি, অসুম তৌরমগনি হায়রবসি খঙহৌদবনি।" ঐনা খুম্মী। ইচম চম্না ঐখোয় অনীগী পুন্সি নুংঙাইখোক্লদা খনখী... অদুবু মরক মরক্তা মহাক্কী, হকচাং মনুংদা চীকপা নাবগুম্বদি খরা তোইনা খাঙলকখিবগুম তৌই। ওন্থোকপনি, হান্ন খঙলম্লবদি...।"

"খঙলবসু উপাই লৈরোই।"

"মওং অমদা ওইরবসু, মাগী মতেঙ পাঙলম্বদি য়াবনি।"

"হৌজিকসু নঙগী পূক্লিং চাউথোকউ... মদুনা মাগী মতেঙ ওইগনি।" ডোক্তর অদুনা ঐঙোন্দা হায়।

"ফরে, মনাক্তা লৈবা মতমদা ঐগী পূক্লিং চাউথোক্লা লৈরগে ডোক্তর।"

"মনাক্তা তৌশিন্নবদি কান্নদে, মতম পূন্নমক্তা নঙগী পূক্লিং ঝাখল চাউথোক্কদবনি।"

"অচুম্বনি ডোক্তর, মহাক্কুম্না ঐসু মতম পূন্নমক্তা পূকনিং চাউথোক্কনি।"

অমুক চঙশীনবা য়াবগী মতম অদু ঙাইবা ওইনা, মখোয়গী মী ঙাইফম কা অদুদসু কুইথনা অসুম লৈবা ঙন্নক্রদুনা হোসপিতাল অদুদগী থোরক্লমই। নোংপোক অতিয়াদা থা-সু থোরকপদা ঙায়রম্লী। তম্পাক্কী উফুল মরীক কয়ানা অহাঙবা নোংথক্তা লৈখিবদগী, থাগী কুচু অদু নাপু চঙলপ্লা উখী। সেব্বীগা ঐখোয় অনী তাজমহল য়েংবা লাকপদা উখিবা মপূংফারবা থাগী মশক অদুগুম্বদি, নুমিৎ অসিদা উখিবা অদুনা অনীগুবনি হায়বসু য়াই। মতম অদু, থা অমবোমদি ফারম্লগনি, ক্ষাত্রবসু নুমিৎ কুনমঙানিগুম্বা ... কেলেন্দরগী মতুংইন্না অসিগুম্বগী মবমদা নুমিৎ মশিং থীবদি ওইথোক্তবনি। মতম হায়বা অসিদি মী-মী অদুগী মশাগী ওইবা ঝাফমনি। নোংমা, ওক্সার ঝাইলদগী ঝাহে খরা, ঐগী মরুপ পিতরনা ঐঙোন্দা হায়খীবা লৈ... মদুদি... অবাবা খাঙবগী মিকুপনা, মিকুপ পূন্নমক্তগী শাংবা হেল্লি... মদুদদি ঐখোয়না খতুগী মতম খায়দোক্লুবসু য়াদ্রে। ঐঙোন্দসু মদুমক্কী, ঝান্না শাংখ্রবা মিকুপনি, সেব্বীগী মফমদসু ওইরমগনি... লোইনাইদ্রবা মিকুপ কয়া...।

লম্বী অচৌবা তারক্কদবা, হোসপিতালদগী থোরকপা লম্বী অদুদা ঐ অমুক লাক্লে। শগোলগাড়ী অদু মতম অদুক্ষাওবা থোঙ্গাল ময়াদুদা ঐবু ঙায়রম্লী। ঐনা হেন্দোক্লুনা লাকপদা নুপা অদুনা ঐগী তুংদগী কৌরক্কই।

"ঐ, তোংঙরোই হৌজিক্তি।" ঐনা মঙোন্দা খুমলমই।

মহাক খল্লমানে, মাগী পয়শা পীরমদনা ঐ চৎথ্রনি হায়না, মাগী গাড়ী অদু থৌদুনা ইতুং ইন্নরকই।

"লুপা মরী।" মানা হায়রকই।

"হৌজিক ফাওবগীরা ?"

"অমুক ঙাইজররোই, লুপা মরী পীবীরমউ।"

"ঐ অমুক হল্লকখীনি।" ঐনা খুমই।

"হৌজিক পীবীবস্মু।"

"হৌজিক্তি ঐ, যাওদ্রে।"

লম্বী অদুদা ঐ, লেপ্তুনা খোঙনা অশুম লাকই, মহাকসু নাকল ওইনা, মাগী গাড়ি অদুগা লোয়ননা অশুম লাকই। শগোলশবীক্কী মখোল মবক্তুদা, মাগী পয়শা পীরম্লবা হাযরকপা ব্রাহৈশিংদু অদুম তান-তানা চৎলি ঐসু। ঐগী ব্রাখলদা মহাকপু থৌশাবক্রে, সেব্বীগী খল্লুবদা মহাকপু কাউথোকখ্রে। মিনিট তরামঙাবোম চৎলবগী তুংদা, অমুক লম্বী অদুগী লৈশীল্লকপা মফমদসু, মহাক্কী ঐগী নাক্ত করি কবিনো হিন্দুস্থানি লোলদা ব্রাহৈ খরা হায়বদুনা অমুক লৈবস্মী। ঐ তোংননবগীদমক গাড়ি অদু ইমাঙদা লৈশীল্লকই, অদুবু ঐ কাখৎখীদে, মরমদি... অহিং মতেক অদুমদি খোঙনা অদুম চৎপনা ফবে হায়না খল্লস্মী। নুমিৎ অদুদা খরা চৎথোক চৎশীন তৌরবনিনা, ঐগী বেনদীজ যেৎলীবা খৃৎ অসিদসু অনাবা কন্না ফাওরকই। ঐ পোৎথাফমসু খঙলক্রে, শাওনিংবসু পোকলক্রে।

পৃং তরা তারকপা মতমদা, সেব্বীনা লৈরিবা হোসপিতালগী কা অদুদা অমুক হল্লক্রে। মহাক মথন্তা তৃস্মিন্না হীপতুনা লৈরস্মী। ফমুং মনাক্তা থল্লিবা তেবল লেম্প অদুগী মেঙলবা মৈঙাল্লনা মাগী মায়থোঙদা তারি। ঐবু অমুকহন্না উবদা, মাগী ঈংনা তপ্না য়েংলকপা মিৎয়েংদুগী মরক্তা নুংশিনা মোমোন নোক্লকই।

মহাক্কী মিৎমা অনীদু, হান্না ফজবদগী অমুক্তা হেন্না ফজখী, লোয়ননা

ঐগী থম্মোয়দা লৈরিবা মহাকপু নুংশিবা অদুগী অকনবা ঈপোম হৌরকখী। ঐগী থৌনা ফদোক্কে হায়না পুক্লিং লেপ্লমদ্রবদি... মিকুপ অদুদা ঐগী অব্রাবা অমদি নুংশিবা অনীমক পূনশীল্লকপদা ঐ শোয়দনা কপ্লমগনি। মাগী ফমুং নাকন্দা ঐ, তপ্পা অমুক ফমথরে অদুগা শৃপ্লীবা ফিগী মখাদা লৈবা মখূৎ অদু ঐগী খূৎনা তপ্পা পায়শীনবীরমই।

খোঞ্জেল তপ্পা মহাক্লা হায়রকই :- "ঐবু য়েংবদা কিরব্রা ?"

" করিগী কিগদৌরিবনো দার্লিং...?"

"লুহোংবগী ব্রারী শাদনবা হায়বদুদা... হায়বা।"

"হৌজিক্তী মদুগী ব্রারী শাগনুশি, কোন্না মতম অমদা শাশি।"

"ব্রারী অমদি শারকউবা দার্লিং।"

"করি ব্রারী শানশিগে ঐখোয়'নি...।"

"হয়েং লাল অসি লোইরগা, ঐখোয়'নিগী য়ূমদি করম্বা মওংদা শানি দার্লি।"

"মদুদি, ঐখোয়না লন্দনদা নক্তগা খুঙ্গংদা লৈবগী মখা পোল্লি।"

"ঐখোয়, খুঙ্গংদা লৈসি... অদুগা লন্দনদসু মরক মরক্তা কোয়বা চৎপা।"

"অদু ওইরবদি, গ্লৌচিস্তর সায়রদা... মমাঙঙৈগী য়ূম মওং অমা শাবা তারে, অচম্বা, চুম্নগী মথক কুপ্না অমা... মরমদি ঐখোয়'নিগী হান্না পয়শা লৈরোইদবনিনা। য়ূম অদুদা হাপকদবা মথক্কী উশিংদি... মনম নুংশিবা, ফজবা মখলগী উ ঙাক্তা ওইগনি..., নিংথমথাদা ঐখোয়'নি ফম্মীন্নদুনা মৈ তীক্লবা মফম অমসু য়াওগনি।"

"কালেন্দদি কমদৌবা... ?"

"কালেনগী মতমদদি, ঐখোয়গী ইংখোল অদুদা ফজ ফজরবা লৈ মরাও কায়না শাৎকনি। নঙগী মতম অয়াম্বদি, লৈ মরক্তুদা কোয়চৎ চত্তুনা য়েংবা... অদুগা অহেকপা লৈ মখল কয়া লিক্লিগী গমলাদা হাপ্লগা লৈতেং শেম্না...।"

"অদুগা... মাইকেলদি কবম্না মতম লেনদৌবীবা...?"

ঐদি, হৈনিংবা পোক্ত্রবা অহল অমগুম্না মী অতৈগী মফমদা লানগী রাবী অমদি ইন্দিযাগী রাবীনচিংবা লীগনি... অদুগা অঙকপা মওং অমদা দিল্লি হোসপিতালদা অহিং লৈকলকপগী রাবীসু তমগনি।"

"থবক অমত্তসু শুবোযদবা...?"

"অদুননে, ঐনা অচম্বা যুম অমদা লৈসি হায়বীসে..., থবক ইবে লৈতনবা..., হোয... দুকানমচা... অমদি তৌবা য়াই... বোবোই, হৈতুপ্পচিংবা অদুগা থকপদা হাওববা মচু-মচুগী মহিসু যোনবা...।"

"ঐসু নত্তেঙ পাংজবা যাগদ্রো ?"

"ঐখোযদা লাকপা মীশিংবু নঙনা লৈকোল মনাক্তুদা চা পীথকপা .। মী পূম্নমক ঐখোয়গী যুম মপা য়ৌবকপদা নঙগী নশক য়েংনিংদুনা ঙাইহাক ঙাইহাক্তি পনগদৌবিপোৎনিদা...।"

"মবমদি ঐগী ইশকসি ইতোপ তোপ্পনিনা...।"

"নত্তে, ফজববা লৈশিংদুগা মান্নবা নঙসু নশক ফজবীনিনে ইবেম্মা..., অদুগনে, ঐখোয অনীনা হিমালায়া চীংদা চৎমীন্নবা মতমদুদা নঙনা চিনখিবা লৈ অদুগুম্বা অমসু নঙগী শমজীদা থেৎকদবনি।

"ঐখোয়গী শগোলমচাগদি লৈবোইদ্রো... হিমালায়া চৎপদা তোংখিবা অদুগুম্বা ?"

"শগোলদি থম্নবা হোৎনসি, মদু গুম্নবা... অঙুর মথল অমা, মক য়াওদবা, অঙাঙবা চবুল-চবুল যোমদুনা পানবা মথল অদু হৈকোন্দা থাববদি, ঐখোয'নি পয়শা যাম্না ফংগনি... অদু ওইবদি শগোল থম্বা ওম্মেদনা...।"

"বাহাদুরদি কমদৌবা... ? ঐখোয়গা লৈমিন্নবা য়াগদ্রা ?"

"মাদি, ইন্দিয়াদা মশী ইম্নুং-মনুং লৈবনিনা, ইংলেন্দদা লাক্লিংঙোই।"

"বাহাদুবসু লৈমিন্নবা ওইনা অদুম থনশীকো...।"

"খনশী... মহাক লৈননবসু ঐ হোৎনগে।"

"নুমিৎ খরনিসু, ছুত্তি ওইনা য়ুমদগী কোইথোকপগা চৎলোইদ্রা ?"

"চৎপা য়াই, নঙনা য়ুমদা লৈবা হৈনরক্তবা মতমদা।"

"নত্তেয়ে... ঐদি য়ুমদা হৈনরক্তবদি লৈরোই।"

"চৎকনিনে... রেলসতা কোয়রুসি, নঙবু চীং কাহনগনি।"

"দার্লিং, ঐবু চিংখৎপীয়ুকো...।"

"চিংখৎপদি ঙম্মোইকো...।"

"মদুদি পূকচেল পিকপগী রানি।"

"দার্লিং! নঙ কপ্পবরা... ঐনা চিংখৎপিরোই হায়বগী... ?"

"কপতেদা; চুম্না পি তাখিবনি।"

"হৌজিক্তি পি-গা অমত্তা তাবা য়াদ্রেকো।"

"অচুম্বমকলা... ?"

"অচুম্বনি ইবেম্মা।"

"ঐসে হরাওবা মান্দ্রবা...?"

"মাপ্লি... য়াম্না মাপ্লি।"

"দার্লিং নঙ হীপথরকউ ইনাকসিদা।"

ঐ, ওইথংবা নাকন্দা চেপ্লগা মাগী মখাগা নকশীন্নরা হীপখি। শুপ্লিবা ফি অদুগী মনুংদা লৈবা মাগী হকচাঙসু ঐঙোন্দা নপশীঙ্গরকখি, লোয়ননা মাগী হকচাঙনা নীক্লিবদু ঐসু খঙলমই। ঙাইহাক লৈরগদি মাগী অনীকপা অদু হম্মগ্রে.... মহাক ইঙথনা তুমনীংলকপগুম্না লৈগ্রে।

ঐনা তপ্পা হায়খী..."ঐগী মোৎলবা ফি অসিগা লোয়ননা নঙগী মোম্পাক অসিদা হীপচিল্লিবসি ঐ চোম্না নংবা য়াই।"

"মোৎচসনু... দার্লিং, নঙ চৎখিনু।"

"নর্সনা ঐবু চংখীনবা হায়বক্লদি।"

"তুংগী ব্রাখল খন্নগুমশি, হৌখীবা মতমগী নুংঙাইবা ব্রাখল তৌসি। ঐদি, ঐখোয় অনীগী, বোম্বেদা খনবা কাংখল অদু নীংশিংবদা নুংঙাইজে।"

"মদু নীংশিংনবা ইংলেন্দসু মদুগুম্বা কাংখল খনবা তাবেদনা।"

"দার্লিং, নঙনা কাংখল অদুগী মনুংদা লৈবদু য়াম্না ফজে, অদুক ফজনা উবা মী অমত্তসু উখিদ্রি ঐদি।"

"ও : সৈজি!" (মানা শীজিন্নখিবা জাপানীজ ব্রাহে অমা পন্দুনা ঐনা খুমখি) মঙোন্দা অমুক হংই :- "ব্রাহে অসি নঙনা কবম্বা মতমদা হায়খী নঙ নীংশিংব্রা ?"

"ইহান হান্না গাড়ী তোংমিন্নবগা ঐখোয় অনী বাজাবদা লাকমিন্নবা নুমিত্তুদা নঙনা ঐবু য়াম্না থাগৎপিখিবদো... নুমিৎতুদা ঐনা হায়খীবা...।"

" মানি, মদুদগী নীংশিংহৌবনি ঐসু ।" ঐনা হায়।

"মতম অদুদদি কবিসু খল্লম্মোই।"

" খল্লি দার্লিং, অদুনা কাওদ্রিবনি।"

"অমগা অমুক নীংশিংনিঙাই লৈত্রবো...?"

"নীংশিংই, নোংমা নঙনা ঐখোয়গী ট্রেনিং স্কুল অদুদা ক্লাস লৌবিঙৈদা, নঙগী দস্তব অদু ব্লেক বোর্দ মথক্কী নাকল অদুদা, যানফম লৈবমগনি খন্দুনা য়ানশিল্লুবদা... লৈবমদদুনা তাবকপদো...অদুদা নঙনা ইকাযনা লেপখীবদো...।"

"ওই.। মী ইকায়হনবদি যাম' হৈ...।"

"নঙনা হায়খিবা অমসু নীংশিংই... বোম্বেগী য়ুম অদুদা লৈবিঙৈদা বোম্বে দক, হায়বা ব্রাহে অমা শিজীন্নবকপদো...।"

"অদুবু ফংত্রো... খঙনীংদুনা তৌবনি ব্রাহে অনৌবা।"

"নঙনা হায়বীবদু কবিনো খঙদবনিনা ঐদি নোক্লিংখিবা...।"

"ঐসে, য়াম্না হৈনবমগদবা ম্রান্দে, দার্লিং নঙনা...।"

"নঙনা হায়দোরকপা ৱাহৈ অমদি পোৎ খুদিংমকপু নঙগী মিৎ অদুগা চপ মান্নবা নুংশিবনি ঐদি..., ঐনসু জাপানীজ লোলদা নোক্লিংবা ৱাহৈ কয়া হায়রমগনি নঙোন্দা...।"

"ঐসু, নঙগী ৱাহৈ পুম্নমক, নঙনা হায়বা অদুগুম্না নুংশি।"

"নুংশিনবা হায়বসি অফবনি হায়না খনব্রা, করম্না খল্লী দার্লিং নঙনা ?"

"নঙোন্দসু অফবা নত্তবরা অসিবু ?"

"ঐঙোন্দদি, নুংশিবা হায়বসি...স্বগগী ওইবা, লেঙলি পাল্লিবা, খঙলি উবিবা পোৎ পুম্নমক্তগী খ্বাইদগী হেন্না ফজব্রবা পোৎ মখল অমনি।"

"নহাক্তী, নঙ-ঐগী নুংশিনবসি করম তৌনা খনবগে ?"

মহাক তূমনিংলকই, মমিৎ উইথরকই, নোকমি নোকমি তপ্না তপ্না খুন্নকই :-

"দার্লিং ! ঐগী ইফমদদি, নুংশিবা হায়বসি..নুংঙাইরবা, তূমনিংলকপগী সংসার অমদা... ফজরবা মঙলানগী ৱাখল কয়াগা লোয়নবা তপ্না তপ্না অশুম কূমথরকপগুম্না খল্লী...হিংদুনা লৈবগী তাইবং মাল্লক্রে।"

"হিংদুনা লৈবা মানগদবনি, দার্লিং...হিংগদবনি। অতৈ অতোপ্পগীনা হিংদবা মাল্লবসু।"

মতম অদুমক্তদা নর্স অদু কা অদুদা চঙলকখী, মহাক্না হায়রকই:-

"নখোয় অনীমক করি মানবগে হায়বদু নশা-নশানা খঙজরবদি...; অমগী মকোক্না কোয়েৎ য়েৎপগুম বেনদীজনা য়েৎশীল্লে, অমগী মখূৎনা প্লাসতরনা য়োমশীল্লে.. নখোয় অনী সিরিদগী ওন্থমিন্নরকপা মাল্লিকো..!" নর্স অদুনা,মাগী খুদাঙ ঘরীদা য়েংলগা, ঐঙোল্লোমদা অমুক... হনখিবা য়ারে হায়বগী মওংদা চেকশীন মিৎয়েং অমদা য়েংলকখী। ঐসু খঙলকই, ঐ চৎপা তারে হায়বা...মরমদি, সেব্বীসু মশা চোকথনা তূমনীংবা পোক্লক্রে...।

ঐগী তূম্লুনবা মফমদি লৈতে, হোংদোক্লুনবা পাজামাসু য়াওদে, ইরুজথোকপদা চঙবা ইশাগী পোৎ-চৈ অমত্তা য়াওদে। অহানবদা নীংশিংলুদবনি

পুম্নমক অসি, অদুবু কা অদুদগী চৎপা তারকপদা লোইনমক নীংশিংলক্রে...। সেব্বী না লৈরম্বা হোটেল অদু কাউথোক্লুই, খল্লকই মদুদা চৎলগে...বাহাদুরদা শো য়াওরমগনি, মহাক্কা চৎমীন্নখিবসু য়ারে। নীংলিবা অসিমক তৌরবদি, অহিং অদুমদি সেব্বী গা উন্নদ্রবা...মদুদি য়াদে, মাগী মশা ঙমহৌদে... অহিং চপ্পা ঐ মনাক্তা লৈনিংই... মাগী ফমুং মচি অমদা লেল্লবসু... মাগা হীপমিন্নবদুদি নত্তে। মকোক য়াম্না চীক্তুনা মিকপ থোক্লবসু, ঐ লৈত্রবদি মাগী অনাবদু কনানা... নুংশিনা ময়েং তাহনগনি। নর্স অদুদা ঐনা হায়খী :-

"ঐহাক...মনাক্তা' সুম লৈজবা পাম্মিদা।"

"মদুদা ঐগী কবিসু উপাই লৈতে, ওইথোকপা য়ারোই।"

"ঐ, চৌকি অমদা তূমজগে... মঙোন্দা অয়েৎপা পীজবোই।"

"মহাক মথন্তা লৈহনগদবনি হায়বসি, ডোক্তরনা হায়বনি।" নর্স অদুনা খুম্লকই।

"অদু ওইরগনা... পূং অমরোমদং চৎচরুবগা, ঐ অমুক হল্লকচগে, মিনিট মঙাদংদি মঙোন্দা 'গুদ নাইট' পীবা লাকচখীগে।"

"মথঙদি মিনিট মঙাদগী হেনবা য়াদেকো।"

"ফগনি," ঐনা খুমজে। "ঐ বাশকচরী মিনিট মঙাদগী হেনজবোই।"

মতম অদুফাওবা বাহাদুর মাগী অশেঙবা থম্মোয়গা লোয়ননা নুংথিলগী মতমদগী হৌনা মফম অদুদা ঙাইরম্লি। সেব্বীনা হীপ্লিবা কা অদুগী থোঙজীন্দা অহিং অনী মিংশেং খাঙজরক্লবনি মহাক... অহিং অদুমসু মফম অদুদা লেনগদৌরিবনি। মহাক য়াম্না বাজরে হায়বদু ঐসু খঙলম্মী মাগী মিৎয়েংদগী। পূং অমরোমদি হোটেলদা যৌমিন্নরুরগা ঐখোয় অনী অমুক হল্লকমিন্নবা ঐনা মঙোন্দা হায়জখী অমসুং বাফম অদুদা মশানা য়ানিংই হায়বদু, বাহৈদি য়াওদনা মকোক নোমদুনা ঐঙোন্দা ফোঙদোকচে।

"বাগনু বাহাদুর...পুম্নমক ফরনিদা...। মহাক হৌজিক ফরক্লবনি।" ঐনা মাগী পূকচেল চাউখৎহল্লি। বাহাদুরগী মিৎয়েং অদু য়াম্না বানা উরবসু,

ঐগী ৱাহৈ অদুদা মহাক মোমোন্দি নোকচে, অদুবু মাগী আশা লৈত্রবা মিৎয়েং অদুনা ঐগী পুক্লিংবু কিহনখিদবদি নত্তে। মায় লৈথোক্তুনা থুনমক মপান্দা থোরকই। হোসপিতালগী সিরি ময়াদুদা শগোলগারি থৌবা নুপা অদু ঐবু ঙাইদুনা লৈরম্লি। মানা খঙজবা ইংলিস ৱাহৈদা হায়রকইঃ-

"হৌজিক চৎলদ্রা...?"

"চৎলরোই, শাউবা য়াদে...নঙ কুইনা ঙাইহিরে।"

"ঐগী পয়শা...।"

"অমুক লাকখিনি ঐ।" মঙোন্দা হায়খী।

নুপা অদু শাউনিংবা মান্না ঐগী ইভূং ইল্লকই...মচু তাদবা মাগী কোয়েৎ অদুগা লোয়ননা। ঐনা মহাকপু নমথাক তৌগদবা মান্না খল্লীবা মাগী ৱাখল অদুদা ঐসু নুংঙাইহজরমদে। করিদি তৌগনি, ঐঙোন্দা পয়শা য়াওদ্রে। ঘরী য়াওরবদি, মঙোন্দা পীথোক্লস্বসু য়াবনি,...মদুসু জাপানীজনা লৌহৌরে। ঐঙোন্দা হৌজিক, মমল য়াওবা পোৎ অমত্তসু য়াওদ্রে। মাগীদমক্তা ঐ পয়শা থিবা তাই,...সেব্বীদগী লৌসিরা, নত্রগা নর্স অদুদগী পুসিরা...হোটেল অদুদা হায়নরগা পীহনখিশিন্না...?

"লম্বী চঙফম অদুদা ঙাইরম্মু।" ঐনা মঙোন্দা হায়খী।

"লুপা তরুক্ক।" মানা লাওরকই "লুপা তরুক্ক পীগদবনি।"

"পীনি, কোন্না পীনি।"

অহলসু ওইরবা ময়াঙকংবা নুপা অদু, লম্বীগী নাকল ওইনা ঐগী ইভূং 'সুম ইল্লবকই। মাগী নাতোনশুমাঙগী মকোয় অদু, মহাক্তা মপাল ফরিঙৈগী মতমদদি মওং তাৱমগনি। মহাক, ঐবু য়াম্না শাউরে হায়বদু ঐসু খঙলমই। গজ চাম্মরোম লাকমিন্নরবদা, মহাকপু হৈনরক্তুনা, তমথীবা মীশক অমনা চৈবগুম, মঙোন্দা থোঞ্জেল খরা কয়া ঐনা হায়খী। "হনগ্রো, ঐদু ঙাইবম্মু।"

মহাক তৌফম খঙদনা, ঐবু মুন্না য়েংদুনা লেপখী, মশানা য়ানীংদবা পোক্তা অমুক হন্না তকশীল্লকইঃ- "লুপা তরুক্ক...লুপা তরুক্ক পীগদবনি।"

মানা হায়রীবদু তানা-তানা ঐ অদুম লাক্লে, মহাক লৈহলহৌরে। সহবগী লম্বী মশাঙ অদুদা অশুম লাকপদা উই...উফূল চুববা উপাম্বীগী মশা-মবেং অমসুং মনা পুম্নমক্তা নাপু মচুগী মৈঙালনা য়েশীল্লকপদা ওইবিবা শক্তম..লোযননা ৱাংনা কাখৎলক্লবা থাগী মঙালনা অতিযা শীন্না তাইবপ তৌনা উহল্লিবা। অমবোমদা উফূল চেন্না হুন্নিবা নুংশিৎ মবক অদুদা লেপ্তুনা অসুম লাকপদা, ঐগী মায মিৎ খোঙ-খূৎ অসিসু লোইনা উফূল চুববা...।

পূক্লিং অসিদদি অদুম নীংশিংই...তক তকবা হোর্সাপতালগী পাংখা হুমহৌবা সেব্বীনা লৈহৌবা কা...লোযননা মোন অমা খাগুলদুনা মহাক্না হীপহৌবা মশক.. মহাক্কী মখ্ৎ, মহাক্কী মাযথোঙ..., ঐ কবিসু খনখিদে. .মহাক শিগনি হাযবা । নুংশি লাইজনা নীক-নীক লাউনা লৈহৌবা মাগী মিৎম্না অনী অদু খঙহৌদনা কংশিনখিদুনা 'মিৎম্ন'-অনীদুদা তাহৌবা নুংশিবগী মমি অদু মূৎশীনি হাযবসু কৈদৌনুংদা থাজখিদে। মহাক হিংলি, তনৌ-তনৌবি, মশা পুম্নমক হৌজিক্তা শাংলিবা লৈবাংগুম তগৎ-তগৎ তেক্লী.. মহাক কৈদৌনুংদা শিখিবোই... শিখিবোই...। ৱাখল অসিনা লমজিং ওই, অনৌবা আশাগী মঙাল অমা লাকখি। ঐগী পূক্লিং অসিদা হৌবম্না...লূম-লূম লাউবলা তিংখংনা যোল্লবা কেকটস পাম্বী অদুদগী ফজববা, অনৌবা লৈবাং কযা মবাঙ কাযনা শাংকাযবকখি। ঐগী পূক্লিং য়াংলকই, পুম্নমকপু নুংশিবকই...লম্বীদা ভূমহৌবা মীওই, সোবোক্কি উফূল অমদি শাউনা লৈহৌবা শগোল গাডীগী নূপা, অসিনচিংবা পোৎশক, মীশক পুম্নমকপু নুংশিনা খনবা হৌবকই। ওম্নমক অসিগী মথক্তা, ঐগী মায পাকচনা খম্বজবকপা অমনা ... ঐনা সেব্বীবু নুংশিকনদা মহে য়ানজবা, মহাক্কী থম্মোযদসু ঐগী নুংশি মমিনা মূৎনাইদনা তাখিবা... ৱাখল অসিনা হৌহল্লকলে, ঐগী থম্মোযদা নুংঙাইববা ঈথক অমা... ঐগী হকচাঙ অসি খীঙহল্লকই...প্লাসতবনা যোমশীল্লিবা অশোকপা পাম্বোম অসিদা অনৌবা হিদাক অমা তৈবগা ফবক্লবগুম পূক্লিং অসিদা ফাওবকই।

অহিং অদু পুং তবামাথোই মখায় তাবক্লমই। অমুক হনবগী মতম য়ৌবক্লবদা, মায লৈথোক্কুনা থুনমক হোসপিতাল যৌনবা খোঙথাঙ কন্না লাকখি। মিনিট তরাগী মনুংদা হোসপিতালগী থোঙ্গাল য়ৌবক্লে। মনুংদা অদুম

চঙশীনবদি য়ারবনি অদুবু হায়নখিবা মতমদগী মিনিট খরা ঙনখৎলবনীনা, থোরকপদা খরা অমুক ঙনখৎনা থোরকপা তাবদগী, ঙাইহাক্তংদি থোঙ্গাল অদুদা পম্ভদুনা লৈরে।

ঐনা চঙশীল্লকপা মতমদা, হোসপিতাল মনুং অদু পূমচীক চীক্লমই মপানগী কোরীদোরদা ঐনা লাকপগী খোঙথাঙ মখোল অদু অচীকপা মফমদুদা খোনথাং য়ৈবগুম্না তাখী। অকোয়বা মফম অদুদা কনা অমত্তা উরমদে... কোরীদোর মশাঙ অদুগী মৈঙালসু লোইনা মুশি মুশিরম্মী। চৎনা চৎনা অশুম খনখী:- মতম অসিদা ঐনা মঙোন্দা অহিং অদুগী ওইনা 'গুট নাইট, হায়রম্লগা তহ্‌া তহানা অমুক মাবু থাদোক্তুনা লাকপদি, ঐগী পূক্লিং অসিদা অপেনবদি পোক্লরোই, চহি কয়া মহাকপু থাদোক্তুনা লাকপগা মান্নরনি।" ঐসু বাহাদুরগুম্না মপান্দা তূম্নসিরা... অদু ওইরবদি, মাবু নুংশিনা শেন্নজবা ঙমগনি, মহাকসু নুংঙাইনা পোত্থাজবা ফংগনি।

মহাক্কী কা য়ৌবা অকোনবগী লম্বী অদুদা চঙশীল্লক্লে। লাম্প্রীঙৈদগী, থোঙ অদু হাংদোরকপগী মখোল তারকই। সিস্তর অদু সেব্বীনা হীপহৌবা কা অদুদগী তপ্না মপান্দা থোরকখী । অনানবা লৈমায় অদুদা মহাক ঐগী ইনাক তম্না তপ্না-তপ্না চঙশীল্লকখী। মহাক য়েংবদা য়াম্না চোকথনা, ব্রানা উরম্মী। ঐগী ইনাক য়ৌরক্লিঙৈদা লম্বী ময়ায়দা লেপ্তুনা লৈখি... ঐহাক মনাক্তা চঙশীল্লি...মাবু হেন্দোক্তুনা লাকপা ঙল্লমদে... মহাক, ঐবু মুন্না য়েংদুনা লৈখি, মাগী চোকথরবা, অব্রাবা মিৎয়েং অদুগা লোয়ননা...।

"মিনিট মঙাখক্তনি ঐনা লৈজগদবা...।" ঐনা তপ্না মঙোন্দা হায়খী...।

"হৌজিক কা মনুংদা ডোক্তর লৈরী।" মানা হায়রকই।

"ঐবু ঙাইয়ু হায়ব্রা...?"

মহাক করিসু খুম্নক্লে..মকোক্তা উপ্পীবা নর্সকী অঙৌবা তূপী অমসুং মাগী অঙৌবা ফীজোল অদুগা লোয়ননা, চোকথরবা মিৎয়েং অমদা ঐবু য়েংদুনা অদুম লেপখী। ঐনা অমুক হংখি :-

"হা... কৈদৌরবা...? ঐ ঙাইখিবা তাব্রা ?"

"মসি থোক্কনী হায়বসি নঙসু খঙবীবা নৎত্রা হান্না...?"

"কবি থোক্কদবা... কবি থোক্কনী হায়বা...?" ঐনা ওক্লা হংখি।

"পূংখায অমবোমগী মমাঙদা মহাক্কী অবোয়বা ওইগ্রে।" খোঞ্জেল নীক্লা হাযবকই।

"কবি হায়বা... মহাক শিবে হাযবা ...সেব্বী...বু...?"

সিস্তব অদু মকোক্তমক হাইখি, তাইববা ইলেক্ট্রিক থাওমৈগী মঙাল অদুদা ঐনা মাবু উখিবদু...ফীভৌ শেংপী নুপী অদুনা মাগী অৱাবা মিৎযেংগা লোয়ননা ৱা অমত্তা ঙাঙথোক্তনা, ঐবু মুন্না য়েংদুনা মকোক হাইব হাইবদুনা মমিত্তা ঈবা চেন্না লেপখীবদুনি। মহাক তপ্না খুন্নকখী : "উম মহাক শিপ্রে।" মাগী খোঞ্জেল অদু, অত্তোপ্পা মালং অমদগী, লৈচিল মবক্তগী হাযবকপগুম্না তাবশ্মী। মানা মখা তাবকই :- "থৌদোক অসি, খঙহৌদনা থোক্কনী হাযবা ঐখোয়দি খঙলবনী, যান্না হবাওনা শিখি। মহাক শিবগনি হায়বসি মশানা খঙজবে হাযবদু ঐখোয়দা হায়বশ্মী, নঙনা চৎত্রবা মতুংদা। নহাক্কীদমক্তা মহাক অমুক শাংথনা লৈবা পামজখিদে। মহাক্না নঙোন্দা খঙহনজনীংখিবা অমনা : মহাক যান্না নুংঙাইজখী হায়বসিনি...।" মিকুপ অসিদা ঐগী ৱাখল পূমচায চাযখোকখি, অঙাওবগুম্না নর্স অদুগী মখূত্তা ঐগী খূৎনা পায়শীল্লুই । নর্স অদুনা মখা অমুক তাবকই :- "নহাক মাগী মশক উনীংব্রা ...?"

" উববোয়, ঐনা খুম্মি। ঐ মাবু উনীংদ্রে...মাগী থৱায যাওদ্রবা হকচাঙ অদু উবদা ঐ খাঙবা ঙম্নবোই।"

"অদু ওইবগা...নঙ মফম অসিদা পোথাবগেবা ?"

"পোথাববোই, ঐ পোথাবসু পামদ্রে।"

"হৌজিক্তি নঙগীদমক্তা কবিসু নতেং পাংবা যাবা লৈত্রেদো ঐখোয়না।"

"লৈত্রে... কবিসু লৈত্রে..।"

অরোয়বা শরুক

(৮)

মযেক শেংদ্রবা, মশেল মবাং উববা ফক্লাও অনীগী মবক্তা লৈবা কোবীদোব মশাও অদুদা অমুক মায় লৈথোক্লুনা হল্লক্লশী। কোবীদোব অদুদগী হাইজিল্লকপদা অমুকসু উখি, অবাপ্পদা... মশা চপ তিংনা, কবিসু লেঙদনা ঐবু যেংদুনা লেহৌবীবি নর্স অদুগী শক্তম...। অদুদগীদি, হোসপিতাল অদুগী কা ওল্লর্মক্কি থোঙ পুল্লমকসু মথঙ-মথঙ লৈহৌবে, চঙফমদা ফম্বা ইন্দিয়ান ক্লার্ক অদুসু মাগী বিজিন্তবদা মমায় লূকশীন্দুনা তুম্বগুম্না লৈহৌই...। সিবি অদুদা কমথবক্লগা মপান্দা থোবকপগা মাঙগী লম্বী মযাদুদা মীশক অমা লেপ্পুনা লৈবম্বা ইই মহাক নাপু মচুগী কোযেৎ য়েৎলি, মৈঙাল অদুদা মাগী কুচু অদু ঙাংলৈননা ইই। ঐগোন্দা রা ঙাঙবা হৌবকপদা মাগী খোঞ্জেল অদু মশেল মবাং ওইনা মযেক শেংনা খঙলমদে... মহাক কনানো হায়বদু ঙাইহাক্তং নীংশিংনবা হোৎনৈ। খঙহৈদনা মাগী শগোলগাডী অদু উবদা, কুইম্ববা মতমগী কবিগুম্বা অমা নীংশিংলকপগুম ঐগী রাখলদা মওং অমা খল্লল্লগা, সমুদ্র ঈমাযথক্তা কাযববা পোৎকী মচেং অমা তাউবম্বদগী অমুক লূপথখিবগুম, ঐগী রাখল অদু অমুকসু মাঙখীলম্মী। মাঙখ্রীবা অদু অমুক হল্লক্লবা ঐ লেপ্পুনা রাখল তৌখি...কোঙ্গুংদা চীন অসিদগী খঙহৌদনা হায়দোকখী :-

"নঙগী ভাবা'দু শোয়দনমক ফংহন্নবা তৌবনি।"

মায় লৈথোক্লুনা সিবি অদুদা হন্না অমুক ফাবক্লগা, বাহাদুরনা লৈহৌবা মফম অদু যৌনবা কোবীদোব মশাও অদুদা হন্দুনা চেল্লকখী। বাহাদুবগী মনাক য়ৌবক্লবদা, মিকুপ খবদি ঐখোয় অনী রা অমত্তা ঙাঙথোক্লবা ওমদনা তূম্মিন-তূম্মিন মায় ওনশীন্নদুনা লেপ্লখিবনি। মহাকসু করিগুম্বা খরা হায়বক্কে তৌবদু হায়দোকপা ওমদনা মচীম্বান অদুতা লেঙবা উখি।

"ঐগী পয়শা অমত্তা য়াওদ্রে বাহাদুর।" মঙোন্দা হায়খী। ম্বাহে অসি তাবদা, মাগী ফৃরিংখাওদা মখূৎনা তপ্পা হৃমজীল্লগা, অয়াওবা শেল পুম্নমক লৌথোরক্রে, অদুগা অমুক মশিং থীরুন্দনা ঐগী খূত্তা শীন্নবমই। নোট ময়াম অদুদগী তরাচংশীগী নোট অমত্তমক লৌবগা অতে অদুদি মাগী ফৃবিংখাওদা অমুক হাপচীনবীরগা ঐনা হায়খি :-

" ঐ, শগোলগাড়ী অমগী পয়শা পীখিগে তৌবনি মসিনা...।"

মহাকসু ম্বা ঙাওথোক্লবা হোৎনদুনা তপ্পা হায়বকখি:-

"হৌজিক, ঐখোয় হোটেল অদুদা চৎকদ্রা...সাহব !"

"ঐদি চৎলবোই ...বাহাদুর।"

"সাহেবকী তৃপ্তমদি লৈতনা... কদায়দা চৎলুনি হৌজিক ?"

"য়ারনি বাহাদুব, কদায়দনো অমদা ঐনা থোকপা..., মকম অদুদদি ঐ চৎলরোই।"

"বাহাদুর-বু দরকাব লৈররোইদ্রা ?"

"ইথত্তা... চৎলনি...।"

"ঙসি অহিং'সিমদি সাহেবনা ঐবু লোয়নবীবা ফৈ।"

"নত্তে বাহাদুর...নঙ লৈহৌবো...ঐ অয়ুক্তা অমুক হল্লককে।"

ঐ অমুক হন্না মপান্দা থোবক্লে। শ.গালগাড়ীগী-নুপা অদু উখাগী খবা মমশীনবা মফমদগী থোবক্লনা মখূৎ তিংথোরকই। বাহাদুবদগী লৌরকপা লুপা তবা অদু তিংথোরক্লিবা মখূৎ অদুদা হাপ্পীববা ম্নতমদদি... মহাক শেল অদুবু হাইবপ য়েংলগা মাগী ফৃবিংখাওদা হাপচীনদ্রে...। হরাওরমানে, মাগী কোযেৎ অদু খরা শেল্লগা গাড়ী অদু থৌদুনা হনদ্রে, গ্রিং গ্রিং লাওবা শগোল শরীক্কী মখোলগা লোয়ননা...।

নাকল অনীমক্তা, মনা কেনথ্রবা উপাম্বী পরেং হৌরিবা লম্বী অদুদা ঐ ইথত্তা খোঙনা লাক্লমই। খেঙজীল্লক্লবা অহিংগী মতম অদুফাওবা অশাবা নুংশিংনা

হল্লন্নি। অৱাঙবা অতিয়ামথক্তা থানা ইরঙ লংনা ময়েক শেংনা থোক্লি। লম্বী অদুদা চংনা চংনা অঙৌবা ফীজোল শেংগা, ভুত-প্রেত লা মশক খঙদ্রবা মীওইবগী মশক মানবা কয়াসু ঐহাক্কা লেংথৈনরকই। ঐনা চংলিবদু কদাইদনো, করিগীনো হায়বদুসু খঙলমদে। লাক্ল-লাক্লা, দুকান পরেংদা থেংলীবা সাইন বোর্দশিংদু উরকই, মথঙদা অমুক উরে সিনেমা হোল অমগী চঙশীনফমদা, অকোনবা শো য়েংনরুবদগী মীয়াম কাঙবু কাঙবুনা মপানগী অঙ্গংবা নুংশিং মায়য়োক্লনা পরেং পরেং, থোক্লরকপা...। অদুগী মতুংদা, ডাভিকো হোটেলগী থোঙনাও ময়াম অদুসু উরক্লে... নীংশিংলকই, ঐনা সিমলাদা লৈরুবা অমসুং চকচাঙ নাবা ফগংলকপদা পিভবগা ঐখোয় অনী হোটেল অসিদা উনখিবা অমসুং ঐখোয় বোম্বেদা চংলগনি হায়বগী ইহান হান্না পাউ খঙনখিবা...। ৱাখল অসিমক্লা অমুক নৌহৌনা-নীংশিংহল্লি হৌপ্রবা মতম অদুবু, থম্মোয়দা অৱাবা হাপ্লকই, খাঙবদা ৱাবকই, অদুবু থম্মোয়দা লাকখিবা ইথিল কয়া অদু তপ্ল- তপ্লদি মাঙজখী, ঐগী পূক্লিং অসিনা হোংনরী, সেৰীগী ৱাখল কাউননবা। অমবোমদনা ঐ হায়বা ইশা অসিগী মনুংদদি, নীংবা কায়বগী শিথরক্লবা পোংলুম অমগা মান্নরবা খল অমনা মিকুপ খুদিং ঐবু নম্বরক্লী।

অশুম অশুম চঙশীল্লকপনা, অমোনবা নাপী ঙাক্তা হৌরবা অকোয়বা লম্পাক অদু যৌবক্লে। মীওই কয়া হীপ্তুনা, পোত্থাদুনা লৈনরম্মী, চাকনীবা খরা, নুপী নুপা জোরা জোরা অমদি য়ু ঙাওরবা খরা...। লম্পাক অদুগী মফম মফমদা লৈপাম্বী মখল কযা কয়াসু চাই-না চাই-না হৌরী, লৈ মখল কয়া অমসু ফুগাইনা শাংলল্লি, অদুবু থাবলগী মঙাল অদুনা শাংলিবা লৈগী ফজবা মচুদি লোইনা চামথোকপ্পবগুম উরম্মী। লৈ খরা অমদি অহিংদা লৈনম চেনবীনি। মখোয়গী নুংশিবা লৈনমগা, হুমলিবা নুংশিং অদুগা অমত্তা ওইনা পুনশীন্নখীবগুম তৌরম্মী মফম অদুদদি। মফম অদুগী হৈনম লৈনম অদু ঐঙোন্দদি হৈনরক্তবা পোক্লকলে, ঐহাক মফম অদু অমুক থাদোক্তুনা লাক্লে। শাংলীবা লৈশিংদু উনীংদবনা, মখোয়গী লৈনম ফংনীংদবনা ঐ লাপ্না চংথোরক্লগা লৈ-শু শাংত্রবা অকনবা লৈপাক্কী লৈমায় থক্তা ইমায় অসি মথক্তা ওনখংনা হীপথদুনা লৈরুরে। নোংদোন থক্তা য়েংখংলুবদা, থাগী

মণ্ডালনা শল্লবা...ৱাউথাংননা শংলপ তৌনা উবা অচীকপা অভিয়াদু নভনা অতে অমত্তা উরমদে। চীক্লা খোক্লিবা থা অদুগী মরমদা ৱাখল খল্লবা হোৎনরুই, অদুবু ঐগী কোক অসিদা ৱাখল অমত্তা খোকখীদে। ঐঙোন্দা ফাওরক্লীবদি- অশীবগা মান্ননা ৱাখল মাঙশীল্লকপগা লোয়নরবা অরুম্বা খল অমনা ইথক্তা লৈরগা, ঐনা হীপ্লিবা অকনবা লৈমায় অদুগা পাননা চপখায়রকপগুম্না ফাওরক্লীবা অদুতা মঙাইরে...।

ঐনা মফম অদুদা হীপ্লকখিবগী মতম অদুনা ঐগী পুন্সিদা থ্বাইদগী হেন্না শাংবা মতম অমগুম্না খোকখীবনি, অদুবু ঐনা হৌগৎলকপা মতমদদি, সার্কস তৌফম ঘরীগী পূংজা কাতা অদুনা পূং অমত্তমক তারি হায়না থিন্দুনা তাকলমই। কুইদ্রি, হোসপিতালগী সিস্তর অদুনা, মাগী অৱাবা মিৎয়েংগা লোয়ননা কোরীদোরগী লময়ায়দা লেপ্লগা ঐবু য়ংদুনা লৈহৌবা অদুসু...।

ঐ, হৌগত্তুনা অমুক চৎপা হৌরকই...হন্দকমুক্তী, অনৌবা, হকচাঙ চোকথরকপা অমনা ঐবু লাকশীন্দুনা খোঙ থাংবা খোকহল্লমদে, অদু ওইববসু, ইশানা ইশাবু নমদুনা খোঙ থাংহল্লি, চিংদুনা পুবকই। ঐ, তুশিন্দুনা শিবসু পামজরমই...অদুবু ঐনা কিজরকপা অমনা তুশিল্লবসু শিবা ঙমদদুনা, অমুক শিবদগীহেন্না শাথিরবা করিগুম্বা অৱাবা মখল অমগী তাইবংদা ইনৌনৌনা মিকপ থোক্লত্তুনা হন্না অমুক চৎপা তাগদ্রা হায়বশীনি।

পম্লুং খঙদনা, ৱানা অশুম লাকপদা, মৈঙালনা লৈতেংলবা পূমলং লংলবা হোটেল অমগী চঙফম অমমুক উবা ফংলে। মফম অদু য়ৌবগী লম্বী মভেক মদু চঙশীল্লক্লে। য়েংবদা খঙই, চাওখৎলবা মতমগী মঙংগা চূননা শাববা দালান অমদনি হোটেল অদুনা লৈবিবা। অঙৌবা ত্যাবকী মৈঙালনা পূমঙৌঙৌনা মফম অদুবু ফজহল্লী। হোল মনুং অদুদা চঙশীল্লকপদা, নুমিদাংগী কীজোল শেৎপা ইন্দিয়ান মচা অমা বিসেপসন দেস্ক অদুগী মনাক্তা লৈরম্মী। মনাক্তা চঙশীল্লগা ঐনা হায়খী :-

"ঐ কা অমত্তং পামজে।"

"অৱাবনি। মাগী ঙমজদবা উৎচনা মোমোন্ নোক্তুনা খুম্লকই।

ওইথোকপা য়াবা কবিসু লৈত্রে, জুন থা ফাওবদি লোইনা ফুল ওইগ্রে।"

"ঙসি অহিংসিতদি, ঐবু কদায়দনো অমা থমবিয়ুবা...।"

নুপা অদু ঐবু মুন্না য়েংলকই। ঐগী মোংশীল্লবা, শংলৈনবা খাকীগী ফীজোল অমদি প্লাসতবনা য়োমশীল্লবা পম্বোম অসি উবদা মপূক্লিংদা নুংঙাইতবা পোকখীববা খল্লী। মহাক্না হায়বকই:- "ঐ য়েংজগেকো, ঙাইহাক্তং ঙাইবিখো।" তেলিফোন অদু পাযখত্তুনা হংই। ঐসু ঙাইদুনা অদুম লৈখি, থোইনা খল্লুদে...কবি কবিনো মহাক্না হংন-খোংনবীবদু হায়বা।

অচৌবা হোল অদুগী মনুংদা হঙ্গৎ হন্দা চত্তুনা অশুম ঙাইবিঙৈদা, মশা নানবা নুপা নুপী অনী, চঙলকফম থোঙ অদুদগী মখূৎ লৌশিন্নদুনা হবাও নুংঙাইনা চঙশীনমিন্নবকপদু উবম্মী। মখোয়না শেংলী চাবিবা ফীজোল অদুতা নত্তুনা মশকসু ফজে. .যাম্না নুংশিনবগী মওংদা লাকমিন্নে। নুপী অদুগী, হুগংনা হাংলিবা অথোংপা মশম অদু জুম জুম লাওনা লেংজুম অনীদা চাইথবি। মখোয অনী, হোল অদুগী ময়াম য়ৌনা চঙশীল্লকপা মতমদদি...মখোযনা ঐবু উবে। ঐসু মখোযবু য়েংদুনা লেপখী, পূক্লিংদা চিংনবা পোক্না... পুক্সিদা থেঙনখ্রবা কনাগুম্বা কনাগুম্বী মীশক ওইববা হায়না...। খূদক্তা খঙলকখী... অমনা মাবিও অমনা দোর্কস নি হায়বা। মাবিও-সু খঙলমানে, অঙকপগা লোয়ননা ঐবু কৌবকখী:-"মাইকেল ?" মহাক্কী খোঞ্জেলদা, ঐ নংলী-নত্তে হায়বদুগী বাহং অমসু যাওবী হায়বা খোঞ্জেল অদুনা খঙহন্না।

"মাবিও !" মিকুপ্তুদা ঐনা খুমখি।

"হে ঈশ্বর ' কদোমদগীনো... ' মানা হায়বকই। মহাক্কী হায়না খল্লীনে ঐ ! হে ঈশ্বর !"...মানা অমুকসু হায। "নঙ নথল্তা মফম অসিদা কৈদৌবল্লিবা ?"

" কবিগীসু নত্তে...' সুম নুংঙাইনা ...।" ঐনা হায়খি।

"নঙ ইম্ফালদগী কৈদৌঙৈ লাকপা...?"

নীংশিংবা থোক্তদুনা, ঐ খূদক্তা খুম্বা ঙমখিদে...নুমিৎ অদু পূক্লিংদা ঙাইহাক্তং পাবগা, মঙোন্দা খুমখি :-

"ঙসি অয়ুক লাকপনি।"

"অদুগা'সিদ কৈদৌবল্লিবা ?"

"লৈফম কা অমত্তুং ফংনবা হোৎনবল্লীবনি, নখোয়দি কবিগীনো ?"

" ঐখোয অনী ঙবাং লুহোংলে, মাবিওনা হায়বকই । ঙসি নুমিদাং অসি ঐখোয অনীগী হনিমুননি। হযেং নোংঙাল্লগসু হিমালাযাদা কোয়বা চৎকদৌবীবনি।"

"ওহ: ! যাম্না নুংঙাইবনি মফম অদু...! ঐনা হায়খী। অঙকপা হবাও নুংঙাইগী থৌদোকনিকো নখোয অনীগীসি...। ঐগী ইশা অসি লু-হেল্লবা মতমদা, নঙগী ওইববা ইবেম্মা (ব্রাইদ) অসিবু, ঐগী হবাওজবা ফোঙদোকপা ওইনা অমুক্তদি নুংশিনা মহাকপু কোনজগে।"

"সেব্বী-দি কমদৌবী ?" দোর্কসনা হংলকই।

"সেব্বী-গী মবমদবা ?"

"লাকপদগী ইকুই কুইদনা মাগা উনদ্রিবো ?" অমুকসু হংলকই।

"উনবে।" ঐনা খুমই।

"মহাকসু নুংঙাইবিদনা... ?"

"হোয, মহাকসু নুংঙাইবি।"

মতম অদমক্তদা, ঐনা লৈননবা কা অমগী মবমদা হংর্নাখবা বিসেপল্লিষ্ট নুপা অদু ঐখোযগী নাক্তা চঙশীল্ল ক্তনা হায়বৈ:-

"ঐখোয়না পোৎ থম্লবা কা মচা অমদি লৈবে, সাহেব। ফমুং অমদি কা অদুদা থাজিনবা য়াগনি।"

অসি তাবদা, দোর্কস-না হায়বকই :- "ঐখোয়গী কাদা লৈকবসি, নহাক যাম্না ৱাববসু মাল্লি...নঙগী পাম্বোম অসিগা, নশা নথক্তদি কবিগুম্বা অমত্তা তৌবা ঙল্লরোই।"

"য়ানিদা...ঐঙোন্দা কবিসু অৱাবা লৈরোই..., হায়রীবা (ষ্টোর রুম) পোৎথম্ফম কা অদুদা অদুম চৎলগে।"

দোর্কসনা খুদক্কুদা ইন্দিয়ান নুপা অদুদা হায়রকই :-

"মাদি ঐখোয়গা পুন্না লৈমিন্নরগে।" দোর্কসকী ফজথোকপা ঋহৈশিং অদুদা ঐনা খুমখি :- "নখোয়দি হনিমুনগী লাকপনি, ঐ...পোৎথম্ফম কা অদুদা তুন্নুবনা হেন্না ফৈদা... ।"

"মদু য়াদে," মারিওনা খুন্নকই। " ঐখোয়না লৈগদবা কা অদুগী মনুংদা চারপায় অমসু লৈহৌই, মরম অদুনা ঐখোয় কনানো অমদি ইরুজফম কা অদুদা তুন্নবসু য়ারে।" ঐহাক মখাতানা অমুক য়েংলুবা য়াদবনীনা, মখোয়গা লোয়ননা কাখৎমিন্নরক্লে, অদুগা লৈরল্লিবা মখোয়গী কা অদুদা চঙশীল্লে। নুংশিং চেল্লবা, অচৌবা অপাকপা কা-নি, য়াম্নসু ঈংই, পাংখা অমসু হল্লিবনিনা। ঐ, খুৎপায়ফম যাওবা অচৌবা অমোনবা চৌকি অমদা ফমথদুনা লৈরম্মী। দোর্কসত্তি বাথরুমদা চঙশীল্লগা, মহাক্লা নুমিদাংবাইবম শেৎলুবা ফীজোল অদু, শিল্ককী ফজবা ড্রেসিং গাউন অমা হোংদোক্লুরে। মারিও-না ঐগী হীপফম ওইগদবা মানবা ফমুং অমা শেমজীনবীবা হৌরকই। মখোয় অনীমকপু য়েংবদা কয়াগী মতিক ফজনা, নুংশি-চান্ননা উখিবা! তঙাইফদ্রবা থবক অদু, মখোয় অনী মশা খীংনা শীন্দোক-শীপ্পিন তৌমিন্নবদা, ঐহাক্লা উবা ফংখি...মখোয় অনীগী লোৎশিনবা ঙমদ্রবা, নুংশিনবগী অরোনবা মিৎযেং...লোয়ননা কা অদুদগী পোং লৌথোক-লৌশিন, থমদোক-থমজিন তৌনবদা...খঙহৌদনা মরক মরক্তা মখুৎ অনী থেংনখিবা য়াওবা মিকুপ্পুদা ফোঙদোক্লখিবা নুংশিনবগী মিৎয়েং...মওং মতৌ...।

অহানবদা, মখোয় মশাগী অপাকপা, অচৌবা অমসুং অমোনবা মোম্পাক থারগা চাওনা কাংখল অঙৌবা শনবা ফমুংদুদা ঐবু তুমহন্নবা হোৎনজখিবনি, অদুবু ঋফম অদুদদি ঐনা কন্না য়াজখিদে। মমৈথংদদি, বাথরুমদা চারপায় থারগা তুমজগে হায়বা ঋফমদুদা মখোয়নসু য়াবিরে। ঐনা পামজখিদবদি, মখোয় অনীগী মফমদা ঐনা অপনবা, অয়েৎপা অমা ওইনা থোকহনগদবা অদুনি। অসিদগীনি, ঐনা বাথরুমদা তুমজবদুবু ইশানা পামজখিবা, মরমদি...করিগুম্বা ঐনা মখোয়গী অপাকপা ফমুং অমসুং মশুপ মশুপ্লবা অচৌবা কাংখল অদুগী মনুংদা ইথল্লতা হীপ্পুবা থোক্লবদি... মদুদা

লাক্কদবা ঐগী ব্রাখল, পুক্লিং অদু ফোঙদোকফম খঙদ্রবা অরাবগী মশক ওইগনি। ঐহাক্তি, লৈশিংগী লৈনম ফাওবা ফংনিংদে...মখোয়গী লৈনম্না ঐগী অরাবসিদা অমুক্কা অবাবা হাপকৎলি। অদুননি, ঐনা বাথরুম অদুগী মনুংদা অশীবগুম লৈকবনা হেন্না পামজখিবা। মতম অদুদসু, ঐগী থরায় অসি ইথন্নতা পুবদা লূমলম্মী ..ঐ ইশা অসিমক্কী নুংগী ব্রাখলদদি শিববগা চপ মান্নবম্মী...। অশুম্না মাবিও অমদি দোর্কসনা ঐগীদমক্তা তৌবীবিবা থবক অদু খবা থুনা লোয়শিনবীবগা ঐবু বাথকমগী তূম্ফম অদুদা থুনমক চঙহনবীবা পামজবম্মী।

মখোয় অনীগী মফমদা...সেব্বীগী ওইথ্রিবা থৌদোক অদুদি ঐনা কবিসু খঙহনখিদ্রে...ঐগী ব্রাহৈনা মদুবু, মখোযগী মফমদা ফোঙদোক্কদবা অদু-অকীবগী মশক ওইবম্মী। অমবোমদা, মখোয় অনীবু ঐনা ব্রাহনবসু পামলমদে। ঐনা পামজবদি, মখোয অনী মোমোন-মোমোন নোক্লবা, নুংশিনবা... মখোয অনীগী হনিমুন মপূঙ ফাজবা অদুনি। ঐনা ফংজবিবা অরাবগী শকক অসিদি,ঐহাক ইথন্তগী ওইনা থমজবগা...মকপ মপাঙ অতৈগী মফমদা থোকপা য়াবা, ওইবা য়াবা নুংঙাইবা থৌদোক কয়াদি অদুম থোকখ্রসনু...ওইখ্রসনু...। ঐগীদি কবিসু লৈতে, অরাবা হাযবা মহাক্তবু কল্লকচবা নত্তনা...।

বাথকমদা শেন্নীবিবা ফমূং অদুগী থৌবাও লোইবদুনা ঐ, কা মচ অদুদা চঙশীল্লক্লে। ঐগী শেৎলীবা ফী-বোল লৌথোকপদা মাবিও-না ইতে' পাংবীখি, লোযননা মহাক্কী অহনবা শিক্ককি পাজামা ঐঙোন্দা শেৎচীনবীবম্মী মাবিওদি মশা নানজবা, কেজবা পাম্বনিনা মহাক্কী মফি-মবোল পূম্নমক্তি ফজ্রে হায়ববসু লান্দে। ঐনা ফমূং অদুদা হীপ্লুনা লৈবিঙৈ, দোর্কস না চঙলক্লগা ঐগী মায় মিং অসে ঈশিং অমদি সাবন যাওনা অমোনবা স্পোঞ্জ অমনা ফজনা চামথোকপিবৈ। প্লাসতব যোন্নীবা খূৎ অদুদগী হেন্দোক্লুনা লৈবিবা খূৎশা অমসুং খূৎকী মফম খবসু নীংথিজনা চামথোকপিবম্মী, অমসুং খূৎশাগী কাবক পূম্নমক নীংথিজনা কংনা নপথোকপিবম্মী। মাবিও দি ঐগী মাঙদা লৈবিবা অশাঙবা, অনানবা ইরুজফম বাথতব অদুগী নাকন্দা ফন্নগা হবাও নুংঙাইনা ঐঙোন্দা নোক-খেনা ব্রারী শাদুনা লৈখি। মানা হায় :- "নঙ হৌজিক্তী নশা খবা ফগৎলবা মাল্লিকো। ঙসাই ঐনা নঙবু উবা মতমদুদদি নঙ অসি, লান্দা শিরগা মোংফমদা লৈখ্রবা ময়াম মরক্তুদগী হৌগৎলক্লুনা লাকপা মাল্লি।"

দোর্কসনা অমুক হায়রকই :- "হয়েং অযুক্তি, নঙবু ঐখোয়না শোয়দনা হোসপিতালদা পুগনি, নশাদু য়েংহনগনি।"

ফৈজুপ অপাবা অমা মহাক্কা ঐগী ইথক্তা শুপচীনবিরে, অদুগা ফৈজুপ অদুগী মতাইগী শরুকশীংদু মোম্পাক অদুগী নাকন নাকন্দা য়েপশীনবীরম্মী। মাবিও নসু অতোপ্পা কা অমদগী তেবল লেম্প অমা লৌবীরুরগা, ঐগী ফমুং ময়াদা লৈবা ফাল মচা'দুদা থম্বীবম্মী। থক্লবা ঈশিং গ্লাস অমসু যাওনা চুরুট অমসুং মদুবু চম্লবা লাইটব, লোইনা থৌরাঙ তৌদুনা থম্বীবম্মখি, ঐদি মৈখেৎ খেৎপা ঙম্লবোইদবনিনা।

অসিগী তুংদা, মখোয অনী থোঙজীন্দা পুল্লপ্পা লেংজুম লেংজুম থেংননা ঐগী মাঙদা ঙাইহাক লেপতুনা লৈবদো ঐনা উবা ফংখি :- কুচু থরদি ভৌশিনবা ব্লাৎলগা, চিঙলেম্মা উবা মশা নানবা মাবিও, অমবোমদনা নুংশাগী মঙাল তোযনা মাযয়োক্লবদা ঙাংশল্লপ তৌনা উবা দোর্কসকী কুচু অদুগা লোয়ননা, মাগী ঈপোম নাইনা হাইথবকপা শল্লাঙগী মবক্তা শকহেনবী ইংলিস নুপীগী ওইবা মহাক্কী ফজবী মখিৎ...।

"ঙসাই হাযবদুবু, হযেং কদাইদা চৎকনি হাযবনো নখোয অনী ?" ঐনা হংলম্মী।

"নঙগী নাবা ফবকপা হান্না ঙাইখিনি, অদুগা কাশমিব চৎতৌবিবনি ঐখোয।" মাবিও না খুম্লকই।

"কাশমিবদি যাম্মা ফজর্বনিকো এপ্রীল থাদা।"

"ঐখোয অনী, হিমালাযা চিংদা কোযকবগীসু খন্নবী।" দোর্কসনা হায়বকই।


"নঙসু নশা ফরকপদা ঙাইখো..., মারিওনা হায়। ঐখোয পুন্না কামীন্নসি হায়বা।"

মসিদা দোর্কসনা অমুক হায়রকই :- "নখোয়না ঐবুসু পুখৎপিবদি য়াইকো...অদু নত্রগনা চীংখোঙদা ইথক্তা কুল ড্রিঙ্ক থক্তুনা লৈহৌবা তারে, মদুসু অফবদি ওইনিদা, ওইরোইদ্রনে... ?"

"হোয়নে...নঙনা মাবু, নঙোন্দা শাওবক্লবা ঝাঙাং তৌবোইদবনি।" ঐনা হায়খী।

অঙানবা ইলেক্ট্রিক থাওমৈ অদু মুখৎপীরম্লে, তপ্না থোঙ অদুসু হাইজিনবীরম্লে, মখোয় অনী কা অদুদগী থোকম্লে। থংনবা কাদগী মখোয় অনী ঈংনা তপ্না ঙাংনবগী খোঞ্জেল অদু ঐসু তাবা ফংলমই। মাবিওনা ফমূং চঙবদা, দুব দুব লাওনা লৈমায়দা থাদখিবা মাগী খোংউপ মখোল অদুসু ঐ খঙই। দোর্কসনা ফনা কুইনা মশম মনা হাৎতুনা লৈবগী মওং অদুসু ঐনা...থংনবা কা অদুদগী অদুম খঙবা ঙস্মী। মাগী ড্রেসিং তেবলদগী কবিগুম্বা অমা ক্রেং লাওনা লৈমায়দা তাখিবদুসু অদুম খঙই। ঙাইহাক লৈবগদি, মখোয়গী কাদা থাল্লিবা অঙানবা ব্বষ্ক অদু মুখৎপগী 'তেক, লাউনা, সুইচ নম্বগী মখোল অদু থোকম্লে। অদু ফাওবদা, থোঙজিল মখাদা শেংফাৎতবা কমলা মচুগী মৈঙাল অমদি ফাওজীল্লক্তুনা লৈহৌবী... সেকেন্দ খবগী মতুংদদি মদুমসু মুৎম্লে। কা অনীদুগী মবক্তা লৈবিবা থোঙ অদুগী অহোবা মফম খবদগী মবক মবক্তা মখোয অনী তপ্না তপ্না ঝাবী শানবগী খোঞ্জেল...ঝাহে অমা অনীসু অচীকপা মতম অদুদা ফাওজীল্লকখী। ঐনা ঈীপ্লিবা বাথকমগী কা অদুমদি পূম্মম মম্লে, উবিবা মঙাল হায়ববু, থোঙনাওগী পর্দ্দাদা যৈশীল্লকপা ময়েক শেংদ্রবা থাবলগী শকক মচেৎ অদখক্তনি। অমম্বা মবক্তুদা ঐগী মিৎয়েং অসি মথক্তা অদুম য়েংদুনা লৈখি। তপ্না তপ্না, য়াম্না তপ্না ঐগী ঝাখল পূম্নমক অসি শিথবকপগা মান্নববা, কবিগুম্বা ফোঙদোকফম খঙদ্রবা মওং অমদা অশুম অশুম পোকখায়বা যানা চাওথোবকপগুম তৌবক্লে, মথক্তা অসুম অসুম কাখৎলকই। অহানবদদি যাম্না চীক্লা তপ্না--মমৈথঙদদি ঐ কপলক্লে, কপ্পুনবা খাঙজবদু ঙমখিদ্রে...ঐগী খোঞ্জেল থোক্তনবা হায়দুনা খাঙলীবা মোন অদুনা ঐগী চীন অসি মেনশিনজদুনা লৈববসু, চেম্বুরক্লবা মিংকী পিদি অমুক খাম্না ঙমখিদ্রে।

— লোইরবা —





রোয়াল এয়ারফোর্সকী মাইকেল ক্লিন
লাকখি জাপানীজলোল তম্বা ইন্দিয়াদা
নুংশিনখি য়াম্না থোংনা
মহাক্কী ইনস্ট্রক্টর জাপানীজ লৈশাবী অদুগা।
হেক্কুই হেকফম থোক্তে খঙনা খঙনা
অনৌরবী লৈরাং মহাকপু।
তেম্লবা নুংশিগী মরীদা
অরাংবনা মরক থংলরে
মহাকপু লানফমদা কৌরক্লে...
ইস্কাস তম্মা লাকপদা
বন্দি ওইখি জাপানীজগী মখুত্তা...
থবায় পুদুনা চেক্লকই - অদুবু
হেম্মা অরাবগী থৌদোক্তা
মহাক্তবু ওইরুনা লৈরমলে।